ꯄꯥꯔꯥꯔꯤ-ꯄꯨꯔꯥꯔꯤꯒꯤ ꯃꯩꯇꯩꯆꯟ ꯈꯔ

পাব্বারী-পুব্বারীগী মৈতৈচনু খর

(অনীশুবা শরুক)

বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা

BVP-1141- 31/1/17
(5)-1404-14/21.

BVP CHECKED
DEC 2017

পাৱারী-পুৱারীগী মৈতৈচনু খর

(অনিশুবা শরুক)

অইবা
বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মা

অফোঙবা
বি. কুঞ্জবিন শর্ম্মা
ইম্ফাল ২০১৬

অইবা ঃ
বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মা

ফোঙজবা ঃ
বি. কুঞ্জবিন শর্ম্মা

অহানবা ফোঙবা ঃ
মার্চ ৩০, ২০১৬

মমল ঃ লুপা ৪০০/-

Copyright : অইবা অমদি অফোঙবা

পুন্না ফংফম ঃ
অইবগী য়ুম

নম্ফম ঃ
AROOBAA PRINTERS, PAONA BAZAR, IMPHAL

য়াওফম তাকপা

হিরম	লমায়
১। অৰাগী মহারানী	১
২। শাগৎ ৰারীরা নত্ৰগা পুৰারীরা	১৬
৩। ৰাংঙমলোন চম্পকলতা	৩৭
৪। মৈতৈ লৈমা ৰায়েনবম চনু গোমতী	৪৮
৫। কছাড়গী মহারাণী হরিপ্রিয়া	৭৮
৬। অহোমগী মহারণী কুরঙ্গনয়নী	৮৫
৭। বিম্বাবতী মঞ্জুরী, অনুপ্রিয়া, ভাগ্যবতী	৯৭
৮। ত্রিপুরাগী মহারাণী মৈদিংঙু চনু হরিশেশ্বগী	১১৯
৯। মহারণী মাইস্না কুমুদিনী	১৩২
১০। অপান্ৰী অহন	১৯৭
১১। তম্ফা ৰাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা	২২৪
১২। খয়োঙ্গৈরোন প্রেমময়ী মহারাণী	২৬৬
১৩। মৈতৈ-নুপীশিংদা মৈত্ৰবাক-মণিপুরগী লৈঙাক্লোন্না পীরন্বা খ্বাইদগী হেন্না ৰাংবা থাক্কী "নুপীগী হক"	৩০৫
১৪। বৃটিশ-মচাশিংনা নুপীগী হকসি খঙখিদবরা?	৩২৩
১৫। বিব্লোগ্রাফী (Bibliography)	৩২৭

লাল্হোকচবা

"পাৱারী-পুৱারীগী মৈতৈ চনু খর (অনিশুবা শরুক)" হায়না মিংথোঞ্জবা লাইরিক অসি, মসিগী অহানবা শরুক অমসুং অহুমশুবা শরুক পুথোকখ্রবা মতুংদা ফোঙজবনি। লাইরিকসি য়াম্না খঙ-হৈরে হায়দুনা ইজবা অমসুং ফোঙজবা নত্তে। পোইরৈ মৈত্রবাক্কী নুপা-নুপীগী পুঙবা ওইনা চৎলকপা পাৱারী-পুৱারীগী লমদাংদা নুপী ওইবীগী শরুক চিংখহৌবা তারে, হায়দুনা খঙজ-তাজবা অমসুং থেংনজবা মৈতৈ চনু খরগী ৱাফম থমজবনি। থমজরিবা খরাসিদি খজিক্তনি অয়াম্বা শরুক্তি য়াওদ্রিবনি। অদুগা তখেন (ত্রিপুরা)দা ওঙখিবী মৈতৈ নুপী ১৩ (তরাহুমদোই)দা নত্তনা খুমন ওঙবী, মোইরাং ওঙবীনচিংবা মৈতৈ চনু কয়াসু লৈরি, ৱাৎলিবনি। অদুদসু নত্তনা বড় সাহেব ওঙবী সনাতোম্বী, বিলকী সাহেব ওঙবী হুইদ্রোম অমুবী, মনিপুরদা লৈরম্বা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্টশিং (জোনষ্টোন অমসুং গ্রীমউড নত্তনা) অমসুং অতৈ সাহেবশিংনা লৌবা মৈতৈ চনুশিংসু লৈরিবনি। জননেটা হিজম ইরাবত সিংহগী তাল্লোই ৱাংঙমলোন খোমদোনম্না, মহারাজ কুমারী ৱাঙ্গোনম্না (এম: কে:বিনোদিনী), রানী গাইদিলুনচিংবী শীঙথানীঙঙাই ওইরবা নুপী কয়া অমসু ৱাৎলিবনি। মখোয়দু ৱাংরোলসি, মতুং তারকপা মতমদা পায়খৎনবা হোনিজরি। অদুগা ৱাৎহৌবশিংসুনা তুংগী মীরোনশিংগী মফমদা শীন্নজরি।

হৈত- হৈত ইজবনি, অরানবা অমদি অশোয়বা য়াওরবসু খঙজদব ঐবু তকপীদুনা খঙহনবীনবা অমসুং ইশাগী অরানবা চুমথোকচনবগী খুদোংচাবসু ফংহনবী হায়না খ্বাইগী মফমদা নোল্লুকচরি।

খ্বাইগী
অইবা
মার্চ, ২০১৬

তম্ফা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙন্বী

অৱাগী মহারানী

ৱাহৈদোক:শক্তাক ৱারম

তম্ফা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙন্বী নত্রগা শীজ চম্পাবতী, লাইরেন মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবা (খৃ: ১৬৯৭-১৭০৯), খোইমোম লাইয়িংথৌ'বু শাইওনবা, শেনবী তেখাও লানথাবগী অনিশুবী লৈমরেন খুয়োঙ্গীরোন মকক (হৌজিক্কী মকোকচুঙ) লোইখোন্বী, শাৎপম চনু কোরৌ নোংথিলচায়বীনা মতোমতা পোকচবী মমোম লাংলেননি। শীজ চকপা মখাওঙন্বীসি মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইদ্রিঙৈ ৱাংগোননিংথৌ ওইনা তম্পাকয়ুম (যুবরাজকোন) দা লৈরিঙৈগী মতমদা শকাব্দ ১৬১৪ (খৃ: ১৬৯২) গী অদুৱাইদা মালেম তাইবংপানবদা খোঙদারক্লম্বা য়াই। মহাক্কী মথক্তা ময়াম্লুংশীজ ময়াম্বা (তুংলমচৎকী মৈদিংঙু গরিবনৱাজ মহারাজ, খৃ: ১৭০৯-৪৮) অমসুং মখাদা মদু শীজ লোইয়াম্বা, সনা কৈথেল মপান তাবগা পলেম পীতীন্নবা মবুং মপা ওইনা অমসুং সনা খম্পাম্বা অকোইজম তাবা, খমলাং পামশাবা (ৱাংখৈরাকপা, সেনাপতি, মন্ত্রী) অমদি মুংয়াম্বা নত্রগা মনশাই অতোনবা (খুরাইরাকপা, য়াইস্কুল্লাকপা) না পন্থৌ পাতীন্নদবা মদুনিংথৌশিং ওইনা লৈরম্মী। মহাক্কী অপোকপী পলেম মমা শীজ খয়োঙ্গীরোন শাৎপম চনু কোরৌ নোংথিল চায়বীনা মপাবুং ঈবুংঙো তুবী চরাইরোংবনা নিংথৌ ফম্বাল কাগদবা চহি ১ (অমা) গা থা ৮ (নিপাল) খর হেন্না ৱাৎলিঙৈদা লাইগী খুৎয়া তানখি [চৈ: কুম:, ২০০৫, ৫৯] বনা পলেম মমাতোন হিজম নোংথোনবম চনু য়োঙ্গীরুমলোন শেনগোয়রেম্বী অমসুং থাঙজম চনু খয়োঙ্গীরোন থবাঙম্বী অনিনা লাঙ্গোনবীরকখি।

ৱারোল মপুঙ : পুন্সিগী শক্তম

তম্ফা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙন্বী পীক্লিঙৈদগী হৌনা চেংলৌ শকথোঙ ঙানবী, পায়মা লৌশিঙ চাওবী অমসুং মীয়োক- মীচান ফবী ওইনা হৌরক্লম্মী। মহাক্কী ঈনখৎলক্লবা চুঙ-ফিরান চারবা শাবান্না মহাক্কী মায়থোঙগী নীঙথিবদুগী মঙাল থৌগত্তুনা তখেন-ময়াং, তিলাও-তেখাউ, খাগী-খাম্রন, চেকোং-অৱানচিংবদা শন্দোকখিরম্মী। অদুবু তোয়না উবনা ফজরকপা অমসুং

তোৎন-তীনবনা নুংশি মপান থানরকপা মীওইবগী লমচৎনিনা ঈনখৎলকপা মহাক্কী থম্মোই লাইয়ুম্নুংদুদসু নুংশি শক্তম অমা মিতমজরকখি। নুংশিবা মহাক্কা হৈরাং চামিন্নবা পামজবা মহাক্কা লৈরাং চীনমিন্নবা হায়বসি শাবী-শানৌশিংগী লোনচৎ অদুবু লোন্না মখোয় অনিখক্তা উন্নদুনা পুক্লীঙ-ৰাখল তিংথোক্লদুনা নুংশি খুদোন লৌন-পীনবনা নুংশিনবা শাবী-শানৌশিংগী খ্বাইদগী হেন্না খোয়দাজবা ওইবনা লৈমা- নিংথৌ কোন্দা শাৎচবী ৰাংঙল্লোনসি মহাক্কী থম্মোই লাইয়ুমনুংগী নুংশিবদুগী শক্তম পুরিবা পল্লিবা (পোললিবা, পোলেম) লমথোক কৌবা পাখংদুগা অচীকপা মফম কয়াদা উনখ্রে। হৈরাং লোঞ্জা চামিন্নবনা চনুগী চরৈ চিল্লক্লে।

অৰাগী রাজনিতীগী শরৌ-লাং

অৰা (ম্রান্মা/ম্যান্মা/বর্মীজ) শিংগা মৈতৈ (মণিপুরী/কথে) শিংগসি পুৰারিগী মতমশিংদা অমনা অমবু "তঙ তারবা য়েক্লবা (Permanent enemy)" হায়না কৌনৈ অমসুং হায়নৈ। কবো/শান (Shan) শিংবু নত্তনা অৰা (Burmese) মখোয়বু মৈতৈনা মখোয়গী কোনুং ওইবা সহর "অৰা" (Ava) দগী লৌদুনা "অৰা/ঔৰা" হায়না খঙনৈ, করিগুম্বদা খামরন/খাম্রন (Khamran, a derivative of the Khamer) হায়নসু খঙনৈ/কৌনৈ [মথক্কীসিদা, ২৭, ২৯,...]। মখোয়গী টৌংগু (Taungu) নিংথৌ শাগৈগী অরোয়বা নিংথৌদগী অহুমশুবা নিংথৌ শ্রীমহাসিংহসুর সুধর্ম্মরাজ নত্রগা মার আউঙ রত্ন দরগা (Thiri Maha Thihathura Thudharmma Raja or Mar Aung Ratna Daraga) গী হাক্তক্তগী অৰা লৈপাক লৈখা তাবা হৌরকখিরম্মী। অৰা নিংথৌশিংবু মৈতৈনা "অৰাং তোংদোয় নিংথৌ, চেকোং (Sagaing/Tsit-kiang) লৈমাবা" হায়না শৈথানৈ। অৰা নিংথৌ মার আউঙ রত্ন দরগা (খৃ: ১৬৯৮-১৭১৪) না পাল্লিরৈঙৈগী মতমসিদা অৰা লৈপাক্কী মায়কৈ অয়াম্বগী শরুকশিংদা মখোয়গী য়েক্লবশিংনা মখোয়গী শক্তিশিং শীজিন্নদুনা ম্রান্মা নিংথৌগী শক্তিবু শীঙনদুনা লৈরম্মী। লৈপাকসিগী আরাকান অমসুং পেগু য়োমা (পেগু চীঙশাং) গী লমদমশিংদা লৈবা মোন (Mon) নত্রগা টলেইং (Talaing, a shortcut derivative of the Indian "Talingana") হায়না খঙনবা অৰাগী মী কাংলুপ অদুনা ফোংনা লান হৌদুনা ম্রান্মা লৈপাক্কী খা-থংবা শরুক্তা ইরাবতী (Irrawaddy) তুরেন নাকন য়েৎ-ওয়দা লৈরিবা তম্পাক্কী লমদা

বঙ্গ উপসাগর (Bay of Bengal) গী তোবর্বান য়ৌবা ফাওবা অমসুং মখোয়গী মরমদমদুগী অৱাংলোমদা হাইগৎলক্কুনা অৱাগী থায়নগী কোনুং ওইরম্বা সহর প্রোম (Prome) য়ৌবা ফাওবগী লমদমশিং পুন্নমক লোই চনশিন্দুনা মখোয়না পানখিরম্মী। অৱা লান্মীশিংনা হায়রিবা লমদমশিংসিদা মকোক্তা মখুৎ হাপ্তুনা লৈবা নত্তনা করিসু পায়খৎলুবা ঙম্লমদে।

অৱা লৈপাকসিগী অৱাং-নোংচুপ অমসুং নোংচুপকী শরুক খরদনা মৈতৈ/কটে (কথে) শিংনা মৈতৈ-কবো নত্রগা কাথে/কাসে শান (Kate/Kase Shan) হায়না খঙনরিবা নিংথি নৎত্রগা চিন্দৱিন/খেন্দৱেন (Chindwin/Khedawen) তুরেনগী নোংচুপ থংবা তোবর্বান্দগীনি মৈত্রবাক্কী নোংপোক্কী ঙমখৈ (হৌজিক্কী তুমুগী নোংপোক থংবা লমখৈ) ফাওবগী লমদমশিং অয়াম্বা লৌশিন্দুনা লৈখিরম্মী। লমদমসিদসু অৱা লান্মী মপাঙ্গল মখুৎ হাল্লম্মী।

অৱা লৈপাক্কুগী খা-নোংপোক্কী লমদমশিংদা মতমদুগী মনীঙ-মখা তম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাক শ্যাম (Siam i.e. Thailand) গী লান্মীশিংনা ঙাইহাক লৈতনা লান্দাদুনা সহর মচা কয়া অমসুং খুঙ্গং কয়া য়ৈখায়-থিনগায়দুনা নৈখায়-থুগায়বা অমসুং লুট-পাৎ তৌদুনা মাঙহন-তাকহনবসি নোংমতা কাংদনা চথবগুম তৌরম্মী। মসিনা অৱা লৈপাক্কী রাজনীতিগী মপাঙ্গলসি নোংমা নোংমগী লৈখারোমদা চিংথরক্লম্মী।

মতমসিগী অৱা লৈপাক্কী অসিগুম্বা ফিবমশিং অসিনা নোংমগী শাফু লেপ্তুনা চৈথারকপসিদা অৱাগী লৈপাক পুবা অঙম-অথৌশিংনা মৈতৈগা টলেইংগা য়েংথীনহন্দুনা চায়নহন্ননবা খুজীল-থৌরাং অমা লৌখৎলক্লম্মী। মসিগী মরমদা মখোয়না মখোয় নিংথৌদা হঙ্গৎলিবদি "অৱা নিংথৌনা মৈতৈ নিংথৌগী মচানুপী লৌদুনা লৈপাক অনিসিদা চারৌ-মৌরৌনবগী মরী লীংখত্তুনা মৈতৈগা খৎনবা অমসুং লান তৌনবগী মহুত্তা চান্নবগী মরী থল্লগা মথংগী চহি য়ৌরকপদা মৈতৈ নিংথৌদা লম হেল্লিবা টলেইংশিংবু লাকশিনবীয়ু হায়দুনা শীন্নথোকখ্রগা মখোয় মৈতৈগা টলেইংগা লান শোক্লদুনা মখোয় মশেন হাত্তোক্লহল্লগা অৱাশিংনা কুম্মৈ য়েংলগা লংখিবা তা অমতনা য়েক্লবা অনি পানহন্দুনা য়েক্লববু মাঙহন্নবা শরৌ লাংথাক্লি হায়বসিনি। মরম অসিনা মেখলীদেশ, কটে লৈপাক্কী নিংথৌ মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবদা মজাইবেম্মা তম্ফা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙম্বীবু অৱালৈমা

ওইনবা পীনবীয়ু, অৱা লৈমা অমসুং লৈমরেনশিংগী লুচিংবী হাপকে হায়না থেমগদবনি, হায়বসিসু খঙহল্লম্মী। নুপীদা ঙাওজবা অৱা নিংথৌসিনা মহাক্কী অঙম-অথৌশিংনা পুখৎলক্লিবা ৱাফমসি য়ারদুনা অৱাগী মৌ হায়রুনবা মৈতৈ লৈপাক্তা অৱা লাইবার (Envoy) থারক্লম্মী [শ: ন: স: ১৯৭১, ৩৭-৪৩]। হায়রিবা অৱা লৈমা ওইহন্নবগী মৌ হায়বা লাকপসিগী মরমদা থম্বীরম্লিবা ৱারোন্দি :-

ঔৱা তোংদোয় নিংথৌ চেকোং লৈমাবনা পাউমেনখিএ, ঈতাইরেম সেনবী ময়াঙকোঙ লৌসিংবা, ঔৱা তুংলাচা লৌসিংবা অনিমা-ও! নবীঙ্ঙাদি পোইরই তমদা তারু-ও! পুখম্ সেললোন্ তই, য়োত্তুম চোম্বুল্ সানা, চইরই মরোন থীনা, সেন্বী মনুং কেপ্, খাগী উকাক লুকপু উকাক্ তপ্তাই লোন্না ঈমান মইতেংঙু তুবী চরাইরোংবদা পোইরই মল্চা হোললুৱো! [ম: চ: স:, ২০০২, ১]।

অসিনি। হায়রিবা অৱাগী মৌ/নুপী হায়বা লাক্লিবা মীওইশিংসিনা মতমদুদা মৈত্রবাক্তা তাঙবা পোৎলমবু খুদোনপোৎ ওইনা পুদুনা লাক্লগা নুপী হায়বা লাকখিবনি। মখোয়গী খোঙচৎসিনা মৈতৈ লৈপাক্তা থুংলবগী ওইবা ঈ-পাউদি :-

... অরাম্বম খুঞ্জানগী কুম শক ১৬২৪... ফাইরেনথা থা অহননোং শগোলশেন (খৃ: ১৭০৩ গী ফেব্রুৱারীগী ময়ায় ওইবা মতম) দা অৱা লাইবার লৈমা নীবা লাক এ [চৈ: কুম:, ২০০৫, ৬৭]।

অসিনি অদুগা হায়রিবা মতমসিদা তম্ফা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙম্মীদি নুংশি' মশক লেপ্পুনা চনু চরৈ চিল্লবী, চকমোম তেমখাঙ লোল্লবীনি। অদুবু লৈশাবী মচা নিংঙোনগী ৱাসি পন্থৌ মপানা খঙফম থোক্তবনা মৈতৈগী মাঙখ্রবা চকপশিংনা খুন্দাবা লোই খুঙ্গং ৮ (নিপান) - পুঙ্পুন, কামু, চিরাং, খরোয়, তীঙ্ঈৎসা, খুনথক, তীঙঈৎসা খুনখা, মরু কোনদোং অমসুং লোইবী তরাও খুন্দোন [ম: চ: স:, ২০০২, ২, ৩] সি ফংননবগী ৱাখন্দা অৱাশিংনা হন্দোক্লনবা হায়রগা অৱা নিংথৌদা মচাঈবেম্মা থাজবগী ৱাফমসি য়াথোকখিরম্মী। অৱা নিংথৌ অমসুং অৱাগী অঙম-অথৌশিংনা মখোয়না কাপ্পা তেন পান্দমফমদা পাল্লে, হায়দুনা নুংঙাইনখিরম্মী। অৱা নিংথৌ মার আউঙ রত্ন দরগাসিগী মহুত্তা কনাগুম্বা

উপন্যাসকার অমনা অৱা নিংথৌসিগী মচানুপা টানিনগানউই (Taninganwe) [মমিংসি হৈবোই-হৈতবোই তৌবা হর্বেনা হায়বদগীনি] নত্রগা শ্রীপরর মহাধর্ম্মরাজ দিপাতী (শেং-ফ্যু-শেঙ) (Thiri Pawana Mahadharmma Raja Dipati) (Sheng-Phyu-Sheng) (1714-33 A.D.) ওইনা পীবীরম্মী। অদুবু উপন্যাসকারসিনা মতমগী ৱাফমদা মিৎয়েং থম্বীরমদ্রে, মতমসিগী মৈতৈ অমসুং অৱা অনিগী ইতিহাসশিংদা চহি ৫ (মঙা) গী মতম খেন্নে, হায়বসিমসু কোক্তা থম্বীয়ু।

অৱাগী মীনম-লাংথাক্কী মহৈ

অৱাগী মীনম'-লাংথাক অমসুং লৌনম'-শরৌ লাংলৌগী খুজীলসিগী মহৈদি অৱা নিংথৌসিগী ধারা অমসুং শরৌদুদা খোঙদারুরিবা মৈতৈ নিংথৌসিগী চাদা-নাউদা দা মহৈ লোয়নাইদনা চহি ১২০ (চামগা কুন) গী মতম (খৃ: ১৭০৩-১৮২৫) ফাওবদা ফংবা তাখিরম্মী অমসুং ফংখিরম্মী, অমদি মদুশিংদু মখোয় মশেন লমন-খুম্নবগী ঈচেন্না মীচম কয়াগী পুন্সি মাঙবনা মদুগী মশক লেপখিবনি। অদুগা মথক্কী তম্ফা ৱাংঙমলোন চকপা মখাও ঙম্বীবু অৱা নিংথৌদা থাজখিবদুদগী মখা তারকপদা ঐতিহাসিক ঘটনাশিংদি :-

মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবনা মমোম তম্ফা ৱাংঙমলোনগী পুক্নীঙগী ৱাফম খঙলক্লবদা পল্লিবা লমথোকপু ফাদুনা কৈশুমনুংদা শুমদুনা থম্লগা মমোমবু নমদুনা অৱা নিংথৌদা থাজদুনা অৱা কোনুংদা খৃ: ১৭০৩ অসিমক্তদা থিনহনখি। পল্লিবা লমথোক্লা মৈত্রবাক্কী কৈশুমশঙদা অমসুং তম্ফা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙম্বীনা অৱা সহরগী মীরানচাগী কোনুংদা নুংশি' মৈচাক খাঙনখি। অদুবু হকখ্রবা নুংশি' থাঙফমগী মরূদুদি পামেন মউ চাওনা লেপ্লক্কদৌরি। অৱা নিংথৌনা নীঙবা থুংলগনি হায়বগী ৱাখন্দা লুহোংবগী অহিংদা চকপা মখাওঙম্বীগী কাদা চঙলকপদা তম্ফা ৱাংঙমলোনসিনা ফিগৈ শেংলবা য়াৱাদু হায়দোক্কুনা মশা শোকপীদনবা হায়জখি। অৱা নিংথৌ রত্নদরগাসু তম্ফা ৱাংঙমলোনসিগী পুকচেল শেংনা নুংশিবা মহাক্কী মশক উৎলকপদগী ৱাংঙমলোনগী কাদু থাদোক্কুনা চৎখিরম্মী। অসুম্না য়োকচরকপা হকচাংগী ঈকাইখুম্নবদু চকপা মখাওঙম্বীনা কঞ্জবা ঙমখিরম্মী।

মথংগী চহি, খৃ: ১৭০৪ গী মতমদা তম্ফা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙম্বীনা নুংশিবা মহাক্কী মপারী অমা শাৎচরে। অৱা কোনুংদা পোকপনিনা অৱাগী মমিংদা

মিংথোনখ্রে। মবুধৌ মুংয়োং মঙত্রা নিংথৌ [মথক্কীসিদি, ১৭] গী কোলোয় মমিং পক্কা "মঙত্রা কেংতু ঙম্বা" হায়না মিংথোল্লে। মপারী শাৎচবগী নুংঙাইবগা ঈরোইননা অৱা লৈমরেন ফমথোন মরিগী ফমদগী লুচিংবীসু লৌথোক্লে, লৈমরেনসু থৈথদুনা লৈমগী ফম খক্তদা হন্থদুনা লৈরে। অদুবু তম্ফা ৱাংঙমলোন মহাক্তি নুংশিবা মশুঙলাংগী ওইবনিনা করিসু নাচুংবা পোক্লুদে। অদুম ওইদুনমকসু তম্ফা ৱাংঙমলোন লৈমরেন ফমথোন্দগী হন্থবগী পাউসিদি পোইরে সনা লৈপাক্তা মপন পন্থৌ নিংথৌ মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবগী মফমদা য়ৌখরে। হায়রিবসিগা লোইননা মৈতৈগী লোই ওইবা খুঙ্গং ৮ (নিপান) দুসু অৱানা নিংথৌনা মৈতৈদা হল্লকপগী ৱাফম লৈখিদ্রে [মথক্কীসিদা, ৮]। মতমদুদা তুবী চরাইরোংবনা মৈতৈ কংলাদা অঙম-অথৌশিংদা হায়নখিবা ৱাফমশিং ঙাক্লক্তবসিগী মরমদা খন্নরগা অৱা লৈপাক্তা লান্দাদুনা লমন খুম্নবগী ৱারেপ লৌনখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৮]।

মীনা নীঙবনা অমা, খোইয়ুম লাইনা তন্বনা অমনি। মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবনা অৱা লৈপাক্তা মমোম তম্ফা ৱাংঙমলোনগীদমক্তা লান্দাননবগী থৌরাং শেম শারিবৈঙেদা মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবদি খোঙহাম্বগী লাইনা (Cholera) না তাইবং মীরমলেনদগী পুখরে। হায়রিবা লাইনাসিগী মরমদা পীবীরম্লিবদি :-

... লাইরেন মইতেংঙু পিতম্বরা তুবী চরাইরোংবদি লীক্লাং খ্বাঙ্ নোংচেং লাউ, হায়য়ু মনুং সং, নুংনাং মনা লেক্না সেতও তওঙা মোইহোইনা অনা লাইথোইরক্লবগী ... [মথক্কীসিদা, ৮-৯]।

অসিনি। মসিবু খুৎশেম হৈবা মতমদুগী নত্রগা মতুংগী পণ্ডিতশিংনা খোংনাং হোগায়বিদা মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা তানা থিন্দুনা হাৎহল্লি। মসিগুম্বা খুৎশেম হৈবা পণ্ডিতশিংদু মপা হাৎপগী দোষসি ফংদবা তাইবং মপুনা পীনবীসনু, অদুবু ফংদবদি য়াগনি হায়বা থাজজদে, মরমদি Action and Reaction are equal and opposite.

মপাঙ্গবুংঙো তুবী চরাইরোংবনা অরোয়বা নুংশাশোর হোন্দোক্ত্রিবৈঙেদা মচানুপা অহন, মহাক্কী নিংথৌ ফম্বাল শিলহৌগদৌরিবা, মৈদিংঙু ময়াম্বা/গরিবনৱাজ মহারাজ (খুৎশেম হৈবা পণ্ডিতশিংদুনা নিংথৌসিবু "পামহৈবা" হায়না মিং থোঞ্জিল্লি, মসি মহাক্কী" নোংপোক ৱাইরং পাম-হাইবা/পামহৈবা" হায়বা

মিংথোলসিদগী লৌবনি, অর্থ খঙঙমগদ্রা নত্রগা খঙমলোইদ্রা, হায়বদুদি খঙজদ্রে) দা শীন্নরমখি [মথক্কীসিদা, ৯]। মরম অসিনা মৈদিংঙুসিনা অৱা লৈপাক্তা খৃ: ১৭১৮ দগীনা খৃ: ১৭৪০ ফাওবদা তরেৎলক হন্না (খৃ: ১৭২৪, ১৭৩৫, ১৭৩৬, ১৭৩৭, ১৭৩৮, ১৯৩৯ অমসুং ১৭৪০) লান্দাখিরম্মী। মদুনা অৱা লৈপাক্তা মৈদিংঙু গরিবনৱাজবু অৱাগী অকিবী (Threat of the Burmese) ওইনা লৈখিরম্মী [Hervey, 1954, 123]।

মৈদিংঙু ময়াম্বনা খৃ: ১৭০৯ দা নিংথৌ ফম্বাল কারবদা পল্লিবা লমথোকপু কৈশুমশঙদগী থাদোকপীরম্মী। অদুগা মহাকপু মৈতৈ শগোল লান্মী লাল্লোই অমা ওইনা থম্বীখিরম্মী।

অনৌবা অৱাগী শরৌ-লাং

অৱা নিংথৌ মার আউঙ রত্ন দরগা নোঙ্গাখিদুনা মচাঈবুংঙো শ্রীপৱর মহাধর্ম্ম রাজ দিপাতি নত্রগা শেঙ-ফ্যু-শেঙনা খৃ: ১৭১৪ দা নিংথৌ সিংহাসন কাখিরম্মী। হায়রিবা নিংথৌসিগী হাক্তক্তনা হান্ননা লৈখা তাবদুদগী হেন্না শাথীনা অৱা লৈপাকসি লৈখা তাবগী ঈপাক্তা লুপথরক্লম্মী। মখোয়না মমাঙগী নিংথৌ রত্ন দরগাগী মতমদা মৈতৈগা টলাইংগা চায়নহন্নবা খুজীল-থৌরাং তৌবদু মখোয়গী মনিংথৌনা শাওমনখিবা অমসুং ফিংমনখিবদগী মৈতৈগী তম্ফা ৱাংঙমলোন চকপা মখাও তন্বীবু অৱা কোনুংগী অৱা নিংথৌনা লুহোংদনা লৌবী লৈমশিংগী থাক্তো হন্থহল্লুবদগী মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংববু টলাইংশিংগী মথক্তা লান্দাহন্নবা খুজীল শীনবা নংখিরমদে। অমরোমদনা মখোয়গী নিংথৌ শেঙ-ফ্যু-শেঙগী মতমসিদনা টলাইংশিংসিনা হেন্না লাক্লা-ফানবা ঙমদবা, য়ান্মা কাংলুপকী মীনি নত্রগা ম্যান্মা নিংথৌগী থবক তৌবা মীনিবু হায়রুরদি করিগুম্বা মরম অমতা থিদনা হাৎপা, হেন্না শাথীবা লীচত্তা চৎপা লানহৌ- লুপ ওইরক্লম্মী। মখোয়বু করম্না নমথগদবগে হায়বসি খনবদা অৱাগী অঙম- অথৌশিংদুদা ৱারৈ' চেনবা ৱাফম অমা ওইরম্মী। অদুবু লৈপাক পুম্বা অঙম্বশিংনা হান্ননা লৌখৎখিবা শরৌ-লাংথাক অদু অমুক হঞ্জিন্না মৈদিংঙু ময়াম্বা/গরিবনৱাজগী মফমদসু লৌখৎপা হায়না লেপ্পরম্মী। মরম অসিনা অৱা নিংথৌগী লৈমা ওইননবা মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী মচাঈবেম্মা ৱাংঙমলোনবু পীবীয়ু হায়জনবা অৱাগী মৌ হায়বা মী ১৫৬ খক মৈত্রবাক মেখলীদেশতা থুংলরম্মী। মসিগী ঈ-পাউদি :

... চোংথাম লৈশংগী কুম শক ১৬৩৮ ... ৱাকচীং থা... ১০ নি য়ুমশকৈশ (খৃ ১৭১৭ কী জানুৱারীগী অরোয়বা চয়োনগী) দা অৱা লাইবার লৈমা নীবা সমসোক ৬ মনাচিংনা মী ১৫৬ থোক্লকএ। [চৈ: কুম:, ২০০৫, ৭৭]

অসিনি। হায়রিবা ৱাফমসি মৈদিংঙু গরিবনৱাজদা ঈরুজনীঙবগা থোঙ্গ্রা তেকপগা মান্নরম্মী। হান্নগী "নিংথৌ ৱারম, শামু, ৱারুম লৈরিবদুনা কালেন নুংশাগী অশাববু মৈশাগী অশাবনা লোকপা হায়বদু তৌরগে হায়দুনা লেপখ্রে। অদুনা মহাক্না সনা য়াথং তাউথখিবদি - "মথংগী চহিদা ফোংদা হি ঙাইফম/হিরানফম (Ferry) দা মৈতৈ নিংথৌগী মচানুপী থিল্লক্নি, মফমদুদা লৈমা ওক্লবা ঙাইরম্মু -" হায়বসিনি।

মথংগী চহি খৃ: ১৭১৮ গী হৌগৎলকপদা মৈদিংঙুনা লাইয়িংথৌ সনামহিগা লাললোইনদুনা লাইগী মতু- মনাই মরক্তা নুপানা নুপীগী ফিজোল শেত্তুনা চৎলগা অৱাশিংবু নমথাক তৌদুনা ফোংদা হিঙাইফমদা লৈমা/মৌ ওক্লবা ঙাইরিবা অৱাশিংগী মথক্তা লান্দাখিরম্মী। হায়রিবসিগী ৱারোন্দি :-

... হাইস্নাম লাইবগী কুম শক ১৬৩৯... পোইনু থা থা অহননোং শগোলশেন (খৃ: ১৭১৭ গী ডিসেম্বরগী ৩ শুবা চয়োন) দা লাইয়িংথৌ ৱাহায়ববু মতু মনাই য়াওনা লৈমা য়াওবা ওইনা দোলাইবু ফি লৈশঙবনা কোয়দুনা চঙখিএ। ... ১৪ নি য়ুমশকৈশদা ... উনুংতা খুল্লাকপশিংনা অৱা লৈমা ওকপা ঈপান্দা নুপা অচঙবা ৯০, নুপী ১১ ফারকএ [মথক্কীসিদা, ৭৮]

অসিনি। হায়রিবসিদা অৱা নিংথৌগী মবুধৌ মংত্রা নিংথৌনা শারম্বা হিসু য়ানখায়দুনা নিংথি তুরেন্দা থাদখিরম্মী। অদুগা অৱাশিংনা মসিদগী খৃ: ১৭১৮ গী ফেব্রুৱারী থাদা মৈতৈ লৈপাক্তা লান্দারক্তুনা মার্চ হৌগৎলকপদা হৈরোক শল্লুংফমগী লমদমদা লান শোক্লখিরম্মী। লানফমদুদা অৱাশিংনা লাকচদুনা মৈতৈ লাম্মীনা অৱাবা তারক্লবদা পল্লিবা লমথোক্লা শগোল থৌজীন্দুনা অৱা লাম্মীশিংবু চায়খায়খিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৮৯]। মহাক্কী লানফমদা মতীক উৎলকপসিদা মথৌনা ফবশিংবু মতম চুপ্পদা ঈকাইখুম্নবা অমসুং মরীংজেন পানববু ঈরাৎচবা মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা পল্লিবা লমথোকপু মতীক চাবা মী অমগী ফংফম থোকপা হক পুম্নমক পীবীদুনা ঈকাইখুম্নবা উৎপীখিরম্মী।

চকপা মখাওঙন্বীগী মচাঈবুংঙো কেঙদুঙম্বা

তম্ফা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙন্বীনা পোকচবা মচানুপা মংদ্রা কেঙদুঙম্বসি মৈতৈসিগী ঈ ওইজরবসু অৱা নিংথৌগী অৱা কোনুংদা খৃ: ১৭০৪ দা পোকখিবনা অৱাগী লৈপাক মীয়ামগী মমিত্তদি অৱা নিংথৌগী মচানি অমসুং অৱাগী রাজকুমারনি। মরম অসিনা মহাকপু মমাঙ্গীবেম্মা চকপা-মখাওঙন্বীনা নিংথৌমচা অমা ওইবগী মহৈ-মশিঙ পুম্নমক্তু শুনা তম্বীহল্লকখি। কৈনা তোকপা পোক্তে, অথৌবগী ঈনিনা অথৌবগী মশক্তু অদুম্মক ওইরকখি। তশেংনমক মহাক্কুম্না শা-লানদা হৈ-শিঙবা অমসুং মথৌনা মরীংজেন পানবা অৱাগী নিংথৌ মচা অমতা মহাক্কী মতমদুদা লৈরমদে। অসুম্না মংদ্রা কেঙদু ঙম্বনা মপা লৈত্রবা নিংথৌমচা অমা ওইনা অৱা কোনুংদা হৌরকখিরম্মী। অদুবু অৱাগী অখঙবা অঙম-অথৌশিং, অৱা'নিংথৌগী মচীন-মনাউশিং অমসুং নিংথৌ'শাগৈগী মচাশিংনদি মংদ্রা কেঙদুঙম্ববু নুংশিরমদে, মহাকপু মাঙহন্নবা মতম পুম্নমক্তা শীল্লম্মী অমসুং শিবা য়াবা থবকশিংদা, মহাকপু মথৌনা ফৈ হায়দুনা থাগৎশিন্নরগা, থাজিল্লম্মী।

খৃ: ১৭২৪ দা অৱাশিংনা তখেনগা লাল্লোইননবা লৌতুনদুনা মৈত্রবাক্তা মায়কৈ অনিদগী - অৱাশিংনা নোংপোকলোমদগী অমসুং তখেনশিংনা নোংচুপলোমদগী মতম অমতদা লান্দাননবগী খুজীল-থৌরাং তৌরম্মী। থৌরাংসিদা নহা ওইরিবা চহি ২০ খক্তা ঙাইরিবা মংত্রা কেঙদু ঙম্ববু মৈত্রবাক্তা লান্দাগদবা অৱাগী লান্মীগী লাঞ্জিংলেন-পুরেন/সেনাপতি হাপ্লম্মী। হায়রিবা অৱাগী লান্দাসিদা চীঙগী লম্বীদা তরেৎ নমথৌচীঙ (খোইবু চীংলোন) লাল্লক্তুনা লাকপা লাল্লম অমা, ঈশিং লম্বীদা ইম্ফাল তুরেন্দা কারক্লগা শেকমাই তুরেন্দা হায়জিল্লগা পল্লেনগী মনীঙদগী লৌশী পাৎলোমদা লাকপা লাল্লম অমা অনি থোক্লা মৈতৈ তম্পাক্তা লান্দারক্লম্মী [মথক্কীসিদা, ৮৪]। অৱানা তরেৎ নমথৌচীঙদা তেঙ্গোন শারগা মৈতৈনা লমলেন শল্লুংফমদা তেঙ্গোল শাদুনা ৱাংজীঙ লৌবুক্লা লানফম ওইদুনা লান থেংনরম্মী অমসুং মতমসিদা তখেল লান্মীশিংনসু লান্দারক্তুনা মোইরাংগী থাংজীঙ চীঙখোঙদা তেঙ্গোল শারগা মৈতৈগী ৱাংজীঙ লানফমদগী খায়রকপা লান্মীনা ক্বাক্তাদা তেঙ্গোল লীংলগা লান শোক্ল নবা শেম-শাদুনা লৈরম্মী। ৱাংজীঙগী লানফমদা অৱাশিংবু মায়থীবা পীদুনা তানখায়রগা অমুক মৈতৈ লান্মীশিংনা ক্বাক্তা লাক্তুনা তখেল লান্মীশিংবুসু মায়থীবা পীখিরম্মী [মথক্কীসিদা,৮৪]।

পীরম্নবনি পুন্সি বিদায়

খৃ: ১৭২৪ দা অৱাবশিংনা ৱাংজীঙ লানফমদা মায়থীবা ফংখিবসিদগী ম্যাম্মাশিংসি মৈতৈ লৈপাক্লোম মমায় চহি খর ওল্লকখিদ্রে। মতম্না পুরকপা মহৌশাগী থৌদোক্তি কনানসু থিংলুবা ঙমদবনিনা খৃ: ১৭৩৩ তা অৱা নিংথৌ শেঙ-ফ্যু-শেঙ মহাক্কী পুন্সিগী মতম লোয়রদুনা ভগবান বুদ্ধদেবগী চরনখাদা চঙজখ্রে। অৱা নিংথৌসিগী মচানুপানা মহাধর্ম্মরাজ দিপাটি (খৃ: ১৭৩৩-৫১) হায়বা মিংথোল লৌদুনা অৱা নিংথৌগী সিংহাসন কাখ্রে। মহাক্কী হাক্তকসিদসু অৱা লৈপাক্কী ফিভম ফগৎলকপগী ৱা অমতা লৈরমদে। তোঙ্গু নিংথৌ শাগৈসি মুৎখিনবগী মায়কৈরোমদা য়াম্না কন্না চেপথ-হৈথদুনা লৈরম্মী। অমরোমদা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মপাবুংগী য়াথংদগী অৱা লান্দাননবগী থৌরাংদুদা পুক্নীঙ থুংনা অৱা লৈপাকপু নৈখায়দ্রি হায়না খন্দুনা লৈরি। মরম অসিনা মৈদিংঙুসিনা খৃ: ১৭৩৫ দগী খৃ: ১৭৪০ ফাওবদা কুম কাংদনা অৱা লৈপাক্তা লান্দানবা শেম-শারম্মী। হাঁয়রিবসিগী তেনশিন্না পীরিবা ৱারোনশিংদি:-

... emerging from their mountaing stronghold they wage war successfully in the fertile valley of the Irrawaddy,.... Very shortly after Gharib Newaz ascended the throne he commenced that career of conquest which we find recorded in the Burmese annals ... In 1735 he crossed the Ningthee river, attacked and destroyed the town of Myedu, on the bank of the Mu/Moo river, and carried of numerous captives. Two years subsequently he successfully defeated two Burmese armies amounting to 7000 foot, 700 horses and 20 elephants and devastated the whole country from the bank of the Khodoung Choung to Dabayen. In 1738 he again crossed the Ningthee river, attacked and dispersed a Burmese army of 15,000 foot, 3000 horses and 30 elephants; and at the termination of the rains of the same year, at a head of a force of 20000 men marched between the Burmese army, three divisions of which occupied the towns of Matsem, Dabayen and Myedu and, to use the language of the Burmese historians,

"without stopping attacked and carried the stockaded, positions around the ancient capital of Sagaing, of which he obtained possession."

In 1739 Gharib Newaz aided, it is said by the Cacharees, again invaded Ava with a force of 20,000 men but failing in an attack on a Burmese force stockaded at Myedu, he was deserted by his allies, and after suffering much loss, he was compelled to retire to the stronghold of his country. [RBP, 1998, 37-38].

অসিনি। মসিদগী মৈদিংঙুসিনা অশাওবা অমগা লোইননা মথংগী চহি খৃ: ১৭৪০ সিদা অৱাগী কোনুং সগাইং [Sagaing/Tsit-Kiang], মৈতৈনা চেকং (চেকোং/Chekong) কৌবদুদা লান্দাখিরম্মী। হায়রিবসিগী থন্বীরল্লিবা ৱারোন্দি :-

... লাংপোকলাকপম মোইরাম্বগী কুম শক ১৬৬১... পোইনু থা... ১৩ নি লংমাইচিংদা নিংথেম চেকং নাবা চৎএ। ... ফাইরেন থা... ২৬ নি লৈপাকপোকপা (খৃ: ১৭৪০ গী মার্চ থাগী অরোয়বা চয়োন্দা) নিংথেম অৱা চেকং য়ৌবা থুংলৈ। পোৎচৈ হাকনা লোকলকএ। কোঙমতু ফুরা (Kyangmodoo pagoda) সুং থোঙ ৪ ফাৎএ। গরিবনৱাজ মহারাজ সনা পুক্লিং হরাওনা থোঙ ৪ মতা খোঙথাং চীঙনুং নোংথাঙকুপকুপ... কোনুংলেনপু খাম্পী মৈরী লানতানরকএ। ... [চৈ: কুম:, ২০০৫, ১০০-০২]।

অসিনি। লান্দা অসিদনি ভ্রাম্মা/অৱাগী ক্যাউঙমোড়ু পেগোডাগী থোঙবাদা মৈদিংঙু মশামক্কী সনা খুৎশৃ-থাঙগী থাঙফম হক্লল্লিবসি। অদুবু লানফম অসিদি তম্ফা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙম্বীদা পল্লিবা লমথোক্লা মপারী পাঙ্গনববু শকখঙলগা অরোয়বা পুন্সি বিদায় পীরম্বগী লানফম্লি।

লানফমদা কেঙদুঙম্বা অমসুং লমথোক :- খৃ: ১৭৪০ গী অঙনবা মতমদা মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা লান্দাবা মতমসিদা পল্লিবা লমথোকসি মশক নাইবা মৈতৈ শগোল লান্মীগী শগোল মকোক্কী মথংদা লৈবা লান্মীগী লাঞ্জিংবা ওইবগী মফমদি ফংজরবনি। মহাকসু শগাং/শগাইং লান্দাবসিদা মীথক থোংবা লাল্লোই

অমদি ওইরিবনি। অদুগা শগাং সহরদা থেংনগদৌরিবা লানফমসিগী লাম্মী লমদাংদা পীবীরম্লিবদি :-

১) অৱাগী : খোঙমী ৯০,০০০, শগোল লাম্মী ৪,০০০ অমসুং শামু ৪০ না শেম্বা

২) মৈতৈগী : খোঙমী ২০,০০০, শগোল লাম্মী ১০০০

অসিশিংসিনি [শ: ন: স:, ১৯৭১, ২৩৬]। হায়রিবা লাম্মী মপৈ অনি অসি পৈনদুনা শগাং (Tsit-kiang) সহরগী মনাক্তা লানফম ওইদুনা লান শোক্লরম্মী। নুমিৎ চুপ্পা অমা লানথেংনরবদা নুমিদাংৱাইরম য়ৌশিল্লক্লবদা অৱাগী লাঞ্জিংলেন পুরেন ওইরিবা তম্ফা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙম্বীগী মচাঙ্গীবুংঙো মঙদ্রা কেঙদুঙম্বনা মৈতৈগী লানফমদুগী অৱাং মায়কৈগী লাঞ্জিংবা ওইরিবা নহারুপ লাকপা ক্যাম্ববু তিমেন তা- শীঙননা চায়নবগুম লাম্বানবদা তিমেন তানা লেঙদুনা হাৎখিরম্মী। হায়রিবা থৌদৌসি উবদা মৈতৈ তেঙ্গোলগী অকনবা পুন্নমক শমজি খায়দুনা লাঞ্জেন্নরম্মী। মঙদ্রা কেঙদুঙম্বগী মমাঙদা কনাসু লেপ্পুনা লাম্বা পানবগী ৱাখল থাদোক্তুনা নাথৈননবা থৌরাং তৌনরম্মী।

নহা ওইরিবা, পাঙ্গল ফরিবা মঙদ্রা কেঙদুঙম্বনা অফং- অফংবা মৈতৈ লাল্লোই মিংনাইবা অমসুং মিংনাইদবশিং চোংশিন চোংশিন্দুনা হাৎপা হৌরক্লে। মতমসিদা লাম্থেনবা চেল্লক্লিবা লাম্মী অমনা পল্লিবা লমথোক্তা অৱা সেনপাতিনা চথরিবা লানওংদু পাউদম্লরে। লানফম মায়য়োক্লবা ঙমদ্রবা লাল্লোই অমনসু অমুক অৱা সেনাপতিগী লান্দাদু পল্লিবগী মফমদা তম্লরে। লানবাউদুদা পল্লিবনা অৱাগী লাঞ্জিংবা মীথোই-মীহেনবা, পোইরৈ মৈতৈ' চাগী লুরেন ককপদা হালেংবা লৈত্রবা মীদুবু য়াম্থগে খল্লক্লে। অদুনা পল্লিবা লমথোক্লা মহাক্কী শগোন্দু অৱাগী সেনাপতি মঙদ্রা কেঙদুঙম্বগী মায়কৈ তম্লা থৌজিনখ্রে। মতমদুদা মঙদ্রা কেঙদুঙম্বনা পল্লিবা তম্লা তারোন-তা হুল্লক্লম্মী অমসুং তাদুনা পল্লিবগী শগোন্দা পান্দুনা শগোন্না তুথরকপদা পল্লিবনা শগোন্দগী চোংথদুনা মঙদ্রা কেঙদুঙম্বা তম্লা চেনশিনখিদুনা মহাক্কী শগোলদুগী মমায়দা থাঙনা য়াল্লম্মী, মদুদা মঙদ্রাগী শগোলসু তুখিরম্মী। অদুবু মঙদ্রাদি শগোলদগী চোংথোকখিদুনা লৈমায়দা লেপ্পম্মী। অদুগা থীন্থবা তৌদনা পল্লিবা লমথোক অমসুং মঙদ্রা কেঙদুঙম্বা থাঙগী লান শোক্লবা হৌখিরম্মী। অকনবা অনিদু মতম ঙাইহাক থাঙগী লান থেংনরগা পল্লিবা লমথোক্কী থাঙশাংনা

হাইজিল্লক্তুনা মঙদ্রা কেঙদুঙম্বগী ওয় থংবা লেঙজুমদা য়ানখ্রে। থাঙগী চৈথেংদুনা মঙদ্রা কেঙদুঙম্বা লৈমায়দা লোংনা হাইথখিরম্মী। পল্লিবা লমথোক্লা চোংশিল্লক্তুনা মঙক কক্লুগে হায়দুনা থাঙ হাইগৎলকপদা মঙদ্রা কেঙদুঙম্বনা থাঙদু ঙাক্লনবগী পাঙ্গল লৈত্রবনা - "নুংশি' হৈত্রবা কতে! নহাকপু ঐগী অপোকপা পন্থৌ পল্লিবা লমথোক্লা লমন খুন্নক্লসনু- " হায়না হায়রকখি। মহাক্কী ৱা অসি তাবদা পল্লিবা লমথোক্লা মখুৎকী থাঙয়ান ফাজরগা - "করি হায়বা! নহাক্কী নপা পল্লিবা লমথোক হায়বা! নহাক কনানো, শেনবী অৱা' সেনাপতি, নঙ কনানো?" হায়রগা মখুত্তগী থাঙ থাদদুনা কেঙদুঙম্বগী মায়থোঙদা য়েংলক্লম্মী। মতমদুদা "ঐহাক মঙদ্রা কেঙদুঙম্বা কৌবা, তম্ফা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙম্বীনা পোকপা পল্লিবা লমথোক্কী মচানি" হায়না মতৎ মতৎ ওইনা হায়রকখি। "হি, করি মতৌনো তৌরিসিবু! ঐনিনে পল্লিবা লমথোক হায়বদো, ইপাগী ঈবুংঙো, ঈপানা নমিংদি তায়, নশক্তি খঙদে, কনাগী মচানো হায়বদুদি থিরুদে -" হায়রদুনা মচাগী অশোকপা মফমদগী চেন্থরকপা ঈ মেন্ননবা হোৎনরম্মী। মঙদ্রা কেঙদুঙম্বনা মপাবু মমিৎ পেন্না য়েংজরগা - "পন্থৌ অপোকপা! ঈমাবু লৌ-শি-ন-বী-" হায়রম্লগা মহাক্কী য়াইবী থৱাইনা নোংমদোন অতিয়াদা পাইখৎখিরম্মী। মৈতৈ' অথৌবা পল্লিবা লমথোক মপারীগী থৱাই য়াওদ্রবা হকচাংবু শঙত্রিক য়েংদুনা লৈরম্লগা ফুগ হৌগৎখিদুনা নাকন্দা য়েপ্লিবা থাঙমচা ছুরী লৌথোক্তুনা অহাঙবা নোংমদোলদা য়েংদুনা মশাগী থম্মোই তম্না ছুরীনা থিঞ্জিনখি অমসুং মিকুপ খরগী মনুংদা মচাগী অশিবা হকচাংগী মথক্তা উপ্পা হাইথরক্তুনা তাখিরম্মী। অসুম্না শকখঙনদ্রবা মপা মচা অনিদুনা শকখঙনবগী মিকুপ্তুদা শীন্থখিবা মিৎলুগী পীরাং অমসুং হকচাং ঈ অনিমক ঈতীন তীন্ননা তমথীরবা শগাং লানফমগী লৈমায়দুনা চুপশিনখিরম্মী।

মৈতৈ অথৌবশিং - হাওবমচা অকোঙ (কৈবীরাম), থাঙজবা চেকশা (চক্রপানী), উনুংদা খুল্লাকপা কোপেং, সোরোকখাইবা অপোৎনচিংবগী লাঞ্জঙনা মৈতৈ অথৌবশিংগী কোক্কী লৈতেং ওইরবা লাইরেন মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা শগাং কোনুংগী ক্যাউঙমোদু কিয়োং/ক্যাউঙ (Kyaung) চঙদুনা হোজঙ অমসুং থোঙজাও লানশিনখিদুনা থোঙবদা থাঙফম হক্তুনা কাউদনবা খুদম থম্লম্লে। লানফম পুম্নমক্তু মৈতৈনা মায় পাক্লদুনা অৱাগী অচঙবা লান্মীশিং মায়কৈ থুংনা চেনখ্রে। মালেম অঙানবা নুমিৎনা নোংচুপলোমগী চীঙগী মরূমদা লৈশিনখিদুনা মালেম

লৈরোন্নুংদা চঙখিবগুম লুপথখ্রবদা লোইবী চীঙনুং-মান্নুংদা লোৎলম্বা অমম্বনা মখোয়গী মতম লাক্লদুনা লবুক-লমহাঙনচিংবদা য়াথোরকপা মতমদুদা লৈহৌরিবা মৈতৈ লান্মীশিং অমম্বগী মরূম থুপ্তুনা পোত্থানবা মাগী মাগী থৌরাং শেম-শানখ্রে।

মপারী অৱা সেনাপতি মঙদ্রা কেঙদুঙম্বা শগাং সহরগী পম্বালগী লানফমদা থৱাই থাখ্রে হায়না পাউসি তারবদা অৱাবদনা মহাক্কী ফিজোল-ফিজেৎ ওইরিবী, মিৎলু পীরাংদনা মহাক্কী লৈতেং ওইরিবী চকপা মখাওঙম্বীনা মপা য়াওদনা য়োকচরক্লবা মহাক্কী অমতা ঙাইজরবা মপারী অশিবা হকচাংদু থিননবগীদমক্তা খুত্তা মৈরা পায়দুনা শগাং সহরগী পম্বালদা লানফমগী লমহাঙদুদা লাক্লি। মহাক্কী হন্না য়েংখিবদা অৱা লৈপাকসিদা কনা লৈরি। মপারীনা শেৎখি-ইনখিবা ফিরোনগী পান্দম য়েংদুনা থিরকপদা মপারীগী ফিজোল মথক্তা কনাগুম্বা অমনা উপশিল্লগা মথক্তা নন্দুনা লৈরিবদু মৈরাগী মঙান্দুদা উরম্মী। মচাগী হাক্কন চঙবদা অকিবা লৈত্রবী মমানিনা মচাগী হকচাং মথক্তা নল্লিবা নুপাদু চিংথোক্লুরে। অদুবু মহাক্তুদি মহাক্কী থম্মোইগী মরন পুন্নমক্তুগী মবুংঙোদু ওইরল্লে। খঙহৌদনা হৌরকপা পীরাংনা পাখোং থুমনা লৈখিবনা উরিবা শক্তমদু মহাক্লা চহি ৪৭ কী মমাঙদা উখিবা শক্তমদু ওইনা উরক্লে। মহাক্কী ৱাখল অমসুং থম্মোইদা নীঙবা কায়বগী নোং-নুংশিৎ শীৎলক্লে, পুক্নীঙ ফাজিনবা ঙল্লক্ত্রদুনা ফিরৈদা য়েপ্লকপা সনানা মখোক পানবা হৈজ্রাং/ছূরী শৎলক্লে। নুংশি' মহাক্লা পীরম্বা পুন্সি বিদায় লৌরোয় হায়না লেপখিবনা ছূরী থম্মোইদা থুম্না থিনজিন্দুনা নুংশিবা মহাক্কী মফমদা য়াইবী থৱাইসু পীথোকলে। অসুম্না চকপা মখাওঙম্বী, মহাক্কী নুংশি' লৈকোনগী পামেন মউ অমসুং মপারীগী থৱাই য়াওদ্রবা হকচাং অহুমদু শগাং সহরগী পম্বান্দা তাদুনা লৈখি।

ৱাখোম-ৱারোয়

মণিপুর পুৱারী অমসুং ম্যান্মার পুৱারীগী খৃষ্টগী তরানিপানশুবা চহিচা অহানবা তংখায়দা তম্ফা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙম্বীনা নুংশি' শেগাদগী শেত্তুনা মৈতৈ-ম্রাম্মাগী লৈঙাক্লোন মরীদা চারৌ-মৌরৌনবগী মরী লীংখৎখিবগী পুৱারীগী থৌদোকসিবু নীঙবা কায়বগী ৱাথোক অমা ওইনা থোকহনখি। মৈগী মৈরীদি মথক-মখা ওন্নরবসু মখাদা খক তারক্তে হায়দুনা অৱাংবা পান্দমশিংগী

পান্দমদা পায়খৎনরুবা য়াইফনবা থৌরাংশনা নীঙ-মাঙ অমসুং নাকয়েৎ-ওয় য়েংহৌদবদগী লানখিবা নত্রগা শোয়নখিবা মিকুপ অমতনা মীচম- মীওই লাখ কয়াগী পুন্সি মাঙননবগী মরম ওইরকখিবনি। মসি খৃ: ১৭৫৯ দগী ১৭৭৬ অমসুং খৃ: ১৮১৯ দগী খৃ: ১৮২৫ ফাওবদা মৈত্রবাক্লা খুন্তাক-লানশি নংবদা মৈতৈ মীচম কয়ানা ফংখিবা অৱাবা পুন্নমক অসি মথক্কী তফা-ৱাংঙমলোনসিগী থৌদোকশিং অসিগী মহে ওইনা পুরক্লিবসিনা শাক্ষী ওইদুনা লৈরিবসিনি। খঙঙমদ্রবা তুংলমচৎকী মরূমদা খুদোংথীবনা মীওইববু অৱাবা তাহনগদবগী মিকুপ খুদিংমক্তা লুমদুনা লৈ, হায়রিবা পাউতাক অসিনি তন্ফা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙন্বীগী পুন্সিগী ৱারীনা পীরিবসি।

মরী মখোঙ উৎচবা

১) চৈ: কুম:, ২০০৫ - লাই: ইঁবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খোলচন্দ্র: চৈথারোল কুমবাবা (ইম্ফাল ২০০৫)

২) শ: ন: স:, ১৮৭১ - শঞ্জেনবম ঁনদিয়াচান্দ সিংহ: ময়াম্বা গরিবনৱাজ (ইম্ফাল ১৯৭১)

৩) ম: চ: স: ২০১২ - মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ: সমসোকঙম্বা (ইম্ফাল-২০০২)

1) Hervey, 1954 = Hervey: Outline of Burmese History (Calcutta/Kolkata-1954)

2) R.B.P. 1998 = R.P. Pemberton : The Eastern Frontier of India (New Delhi-1998)

মণিপুরদা পোর্টুগীজ নিংঙোল অরিন্দম

শাগৎ ৱারীরা নত্রগা পুৱারীরা

ৱাহৌদোক : অহানবা উরুবমক্তদা নুংশি- মিতারুবা

মৈত্রবাক্কী নিংথৌশিংগী কোকয়েৎকী লৈতেং ওইনরিবা মৈদিংঙু ময়াম্বা নত্রগা গরিবনিৱাজ মহারাজনা খৃ: ১৭১৮ দা অৱা অমসুং কবো অনিমক তুনা লান্দারুনবগী থৌরাং শিল্লম্মী। লাইয়িংথৌ ফালৌখোম্বা (সনামহি)না লাঞ্জিংবা, উনুংদা খুল্লাকপা কবো কোপেংনা মথং খনবা লান্মী লাল্লম্না অৱাগী ফোংদা (হিরানফম নত্রগা হিঙাইফম) দা অরোৎপনা অফোংবা শা, অফোংবনা অরোৎপা শাদুনা অৱাগী নিংথি তুরেন তোবর্বানগী লান লোয়বা ঙাইদুনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মশানা লাঞ্জিংলিবা মৈতৈ লান্মীগা লোইননা কবো তমলৌরেনগী তম্ফা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবী লাইরৈমগী উয়োককোন্দা য়েংদুনা ফোংদাদা মৈতৈনা অৱা-নিংথৌগী মবুধৌ মংত্রা নিংথৌগী হি য়ানখায়রগা মৈ থাদোকপগী মৈখু কারকপদু য়েংলি। মতমসিদা চীঙনুং তাম্নাগী খোন্থাংদগী হেন্না থুন্নবা খোঞ্জেন্না:-

- " নীজবা লাকচরি, নিংথৌরেন!নীজবা লাকচরি"। হায়রদুনা মশাগী চহি ২০ (কুন) লোমদগী ওইরিবী থোৎলবী, কুচু ঙৌবী, শকহেল্লবী লৈশাবী অমনা মখূৎ অনিনা খুজোক য়ারগা মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী স্নাথোঙদা লেপ্তুনা লৈরম্মী। মহাক্কী চেংলৌগী মঙানগা ওইরিবা ফিবমদুগা অমদি উমং-ৱামংগী মফমদুদা মহাক্না য়ৌরক্লিবদুগা পুন্নমকসিদা ঙকখ্রদুনা মৈদিংঙুদু তীঙঙক-মায়ঙক্লদুনা লৈরম্মী। মৈদিংঙুগী ঈঙ্গিৎ খঙবা ৱাখঙবা নিংথৌ শেনবদুনা লুপা তাঙ্গা খর লৌথোক্লদুনা লৈশাবীদুগী খুজোক্তদা হাপকে তৌরম্মী। অদুবু লৈশাবীদুনা পামদবগী ঈঙ্গিৎ উত্তুনা মখুৎ লৌথোকখিরম্মী। মদুদা নিংথৌ শেনবদুনা অমুক সনা তাঙ্গা খর লৌথোক্লদুনা লৈশাবীদুগী মখুত্তা হাপকে তৌরম্মী। অদুবু মদুদসু লৈশাবীদুনা মখুৎ চিংশিনখিরম্মী। ঙসাই মখৈ ৱা ঙাংদনা অঙকপনা শুমহত্তুনা লৈরুরবা মৈদিংঙুনা খঙনীঙনা অমদি পীনীঙনা হংলকখি :-

- করি পাম্বগে, সনা লৌদ্রবদি নঙনা পাম্বদু করিনো হায়য়ুদনা?

- সনা, লুপা, ঐ পামজদে, মিৎনা উরগা থম্মোইদা ফাওহনবা ঙমদবা পোৎশকশিংদু ঐ পামজদে, ঐগী অপাম্বদি নোংমতং উখ্রগা পুন্সি চুপ্পদা মিৎনুং

পাখোঙনুংদা উদুনা লৈবা ঙমহনবা, থম্মোই লাইয়ুমদা শাৎপা, ৱাখলগী লাকানুংদগী পোকপা লেঙদ্রবা নুংশিবা অদুখক্তা পামজৈ।

- লেঙদ্রবা নুংশিবা !

- অহোয়, লেঙদ্রবা নুংশিবা, মদু পীবীবদা পীবীরিবা মীশক অদুগী মশাগী ওইজবা য়াওদবা ওইহনবীগদবনি।

শাওং শাদা ফজবী, কুচু-কুমেন লময়ৌবী, ঈনখৎলকপগী ঈপোম্মা য়ৈদুনা হকচাংগী পুক্কী মথক অমসুং মখাদা ঈথক কাদুনা তনীক তনীক্লিবীদুগী ৱাঙাং-ৱাতাদুদা মৈদিংঙুগী পুক্নীঙদসু ঈরাংগী ঈথক হৌরকই। অদুবু মহাক্না 'ওইজবা য়াওদবা' হায়বদুনা মৈদিংঙুগী পুক্নীঙবু ৱাখলগা শম্নহন্দনা লাপ্না পুথোকখ্রি। অদুবু মহাক্কী খুদোং চাননবগীদমক্তা য়েংলদুনা হংলকখি।

- 'নমিংদি করি কৌবগে, মী- কাংলুপ্না করিনো?

- ননাই ঐগী ঈমিংদি অরিন্দম কৌজে, অৱাদগী লাকপনিনা অৱা নিংঙোন্নি, হায়জবা তারে, অদুবু মৈদিংঙু নিংথৌরেন ! ননাইনুবীগী অরোনবা ৱাফম খরদি লৈজে।

- "ঈদাইরেম নিংথৌশেনবশিং! ঙাইহাক অদুক নাপচীকনা...?" মৈদিংঙুনা মদাইরেম নিংথৌশেনবশিংবু চখোকহনখ্রগা অরিন্দমদা ঈথৌ লাংনা য়েংলগা - "ঐহাক্না নহাক্কী অপাম্বদু থুংহনবা ঙমগনি, হায়বা থাজব্রা? অদুগা নহাক্কী অরোনবদুনা করিনো?

- থাজজবদা নত্তে, ফংখ্রবনি, কথোকখ্রবদি অমুক লৌশিনবা হৌনদবনা মমল য়াওদনা পীখ্রবদুগীদমক্তা নত্রা ননাইশিংবু লানশঙসিদগী লাপথোকহনবীখ্রিবসি। ননাই ঐগী অরোনবদি - ননাই ঐহাক অসে খুৎকন পাঙ্গল্লবা লাইরেন মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ হাৎ-লু হায়না অৱা নিংথৌনা থারকপনি। মৈদিংঙু হাৎলবদি অৱা খুঙ্গং অমা মনা পীগনি, হায়হৌরি।"

- অদুগীরা নহাক্না নুংশি ভীক্ষা নীরিবা?

- ঐগী পুক্নীঙ ৱাখলগী ৱাফমদি ঐগী থম্মোইসিনা ইনবীদে। মনীঙ তন্বী থম্মোইসিনা অহানবা উরুবমক্তা নুংশিথোকখ্রে।

- ফরে মদুসু ওইরসনু, নঙনা ঐবু হাৎপা তারবদি করম্না করি খুৎলাইনা হাৎকনি?

- য়েংবীয়ু হে অরিন্দমগী লাইবক্কী মপু! ঐগী হকচাংদা তোংবা হয়িংশিং শি-শিদুনা তারিবসি উবীরবরা? ঐগী খুৎলাইদি ঐগী হকচাং অসিনি, অদুবু ঐনা খক ঐগী নুংশিববু হাৎলোয়, মহাকপু মপুন্সিগী খোয়রেনগী পুন্সিদু ফাওবা হিংহন্নবা অরিন্দম হিংখিগনি।

- করি হায়বা ! নঙনা ঐবু হিংহনবা - থাঙশাং শত্তুনা মুন্না য়েংলগা লেপ্তুনা লৈ।

- শাওগৎপীখিগনু নিংথৌরেল ! কল-থৌরবা নঙগী মাঙদা করিসু লৈত্রবী ঐনা করি তৌবা ঙমগনি, তৌবদবু নহাক্কী নশাগী ওইজবা য়াওদ্রবা নুংশিবা ফংজনীঙবী নুপীমচা অমবু নঙগী খোঙয়াদগী কাওথোকপীগনু।

- অৱা নিংথৌনা ঐবু হাৎননবা থারক্লিবী নহাক্কী লীলা অসি করিনো, অদুগা নঙগী অশেংবা শক্তম্না করিনো?

- মহারাজ! ঐহাক্না তৌরিবসি লীলা নৎচদে, অশেংবা থম্মোইগী শেংলবা নুংশিবগী থম্মোই থম্বালদু কৎচবনি, মসিদা ঐ ঈশাগী কান্নগদবা, নহা ওইবগী অচাওরম তানবা নত্রগা হকচাংগী নুংঙাইবা অমদা য়াওদে, খুঙবীয়ু মেখলেশ্বর, "লায়রবগী মবুংঙো" হায়বা মিংথোলনা লৈতেংলিবা ! ঐ হূ-নিংঙোল বিষকন্যানি, ঐগী হকচাংসিগা শারোইনবা থৱাই পানবদু শিগনি। ঐহাক্কী ঈপা অদু পোর্টুগীজ মচানি, মহাক্না অৱা লৈপাক্তা লল্লোনবা লাকপদা ঐগী ঈমা অৱা ম্রাম্মা/ম্যান্মা নিংঙোন লৌদুনা ঐহাকসিবু পোকপীরকপনি। ঐহাক্কী ঈমা লৈখিদ্রবদা ঐহাক্কী ঈপাদুনা পীক্লিবী ঐবু থাদোক্লগা মরৈবাক্তা হনখিরম্মী। মরাইবক থীরবী ঈমাদু, ঐবু পোকপীরবা মতুং চহি অমরোম শুরবদা শিখিরম্মী। নোংদম থীরবী ঐহাক্কী ওইরিবা ফিবমদুগী পাউ তাবদা অৱা নিংথৌনা ঐবু লৌশিন্দুনা মহাক্কী অনীঙবা অমগী মখাদা য়োকপী- থাকপীরকখি, ঐনা পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা অৱা নিংথৌনা ঐবু নুমিৎ খূদিংগী হূ মরীক অমমমদং পীজদুনা, মতুংদা হূগী চাংদু খজিক খজিক হেনগৎনা পীজদুনা চাওননবা য়োক্লকখিবীনি। ঐগী হকচাংগী ঈ, লূ-তোং, শিঙলী-নাউরী পুম্নমক্তা হূ য়াওরিবনি, মিৎ-মায়, খোঙ-খুৎনচিংবা হকচাং কয়াৎ খুদিংমক্তগীসু হূ পীথোক্লক্লিবনি। ঐনা তেনৱা অমগী মকোক্তা পায়দুনা নুংশিবা মতৌদা শান্নবদা তেনৱাদু শিদুনা অক্লাদা য়াম্থদুনা লৈরিবনি, অদুনা কনাগুম্বা মীনা ঐগা কোন্ন-খোৎনবা তৌরবদি মীদু শোয়দনা শিগনি। থাজবীনবা চাংয়েং তৌবীগে নীঙবীরবদি খুনুগুম্বা অমতং পুহনবীরকউ, অদুগা উৎচগে।

খঙনীঙবনা মাঙওইনরবা মৈদিংঙুনা থাঙ, থাঙখুমদা হজিল্লগা হেল্লোই মানবী, মেঙনা শকহেল্লবীদুদা অঙকপগী মিৎয়েংনা অমুক্তং য়েংলগা মপাল্লোম য়েংথোকখিদুনা -

- নিংথৌশেনবা কনা লৈ? খুনু অমা পুরকউ। নহাক্কী মখা তাবা ৱারী-ৱাখোঙ করি লৈরি?

- লৈজরি, মহারাজ, তোল্লবী অৱা লৈপাক্তা মীতোপ-মীরানগী লমজা চনু ওইরবী অরিন্দমনা অৱা কোনুং থাদোক্তুনা শিন্নরকপা ঈথৌ তৌরুনবা পোইরৈ লমদম পাংলকপদা ঐনা তাজরকখি, অৱা ওঙবী মৈতৈ নিংঙোল কয়াদগী মৈতৈ নিংথৌ ময়াম্বগী মরমদা মীনুংশি চাওবগী ৱারী, তমথীবা পুকচেল চেনবগী ৱারোল, নীঙখিবদা হোংদবা, অরেপ্পা ৱাখল লৈবগী ৱাফম, মদুশিংদুদা নিংথৌরেন নহাক্কী চেংলৌ উনীঙবনা তোল্লবী ঐবু মফম অসি তাননা চিংদুনা পুরকখি, অদুগা চেংলৌ শকথোঙ উরবদা ঈশা খঙদনা থম্মোইসিনা মতোমতা মমল য়াওদনা কথোকচরল্লে নখোঙ থম্বালদা।

- অদুদি নহাক্লা কথোক্লিবদুগীদমক্তা ঐঙোন্দগী করি পাল্লি?

- ঐনা পামজবা ! হায়যুরা নিংথৌরেল ! - ঐহাক সনা, লুপা, মনি-মুক্তা নচিংবা অমতা পামজদে, ঐগী থৱাই মঙাসিনা পামজবদি - ঈবুংঙো নহাক্কী নশাগী ওইজবগী শরূক মচেৎ অমতা য়াওদ্রবা নুংশি-নুংওন, ঐগী থম্মোই লাইয়ুম্লুংদা নহাক্কী মূর্ত্তি লীংখত্তুনা নুমিৎ খুদিংগী প্রেমগী পূজা কৎচবা, নিংথৌ' সনা কোনুংদা লৈজদুনা নুমিৎ খুদিংগী নহাক্কী চেংলৌ উজবা ফংজবা, নিংথৌরেল নহাক্লা শা-লান্নচিংবা লেঙবদা স্নাথৌগল ফংজবা, অদুগা ননাই তোল্লবীবু", অরিন্দম মমিত্তগী পী শীন্থরকই, হীকহাইনরবা খোঞ্জেন্না - ননাই মপোক থীরবীসিবু সনানাক্তা লম অমা লাপ্পা ফাওবগী মনুংদা চঙহনবীদৱা, অসিদনি ঐনা পামজবা, পীবীগদ্রা নিংথৌরেল?

মতমসিদা খুনু থিবা চৎখিবা নিংথৌশেনবনা খুনু পুদুনা চঙলকই "মৈদিংঙু খুনু লৈজরে" হায়দুনা খুরুমদুনা খুনু কৎলি, অদুদা মৈদিংঙুনা অরিন্দমদা পীয়ু হায়বদগী নিংথৌশেনবদুনা অরিন্দমদা খুনু পীরম্মী।

অরিন্দমনা খুনু অদু লৌদুনা মখুৎ অনিনা পায়দুনা মথাদা কোল্লগা লৌথোক্কুনা মহাক্কী নুংশা শোরনা কাপ্লম্মী। অসুম্না অনিরক্তং তৌরগা মখুৎ অনিনা খুনুদু মমাঙদা পুখৎলগা মখুৎ অনিনা পায়রিবদু থাদোক্লম্মী। মতমদুদা খুনু অদু লৈমায়দা শিদুনা তারম্মী। তৌরিবা থৌদৌদু মমিৎনা উরবদা ঙকপগী পনখৈ লোম্লবা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা অরিন্দমদা শঙত্রিক য়েংলগা –

– থম্বাল লৈনাগুম থোৎলবগী পাঙ্গল ! মশাবু হাৎকদবা মীদুগী মশাদা মহাকপু হাৎনবা থারকপা মীনি, হায়দোকপা ঙম্বা থৌনা, শিবগী অকিবা পোক্তবা লীংজেন, অদুশিংগীদমক্তা মেখলীদেশকী নিংথৌ গরিবনৱাজনা নহাক্কী অপাম্বা পুম্নমক পীজগনি, অনীঙবা খুদিংমক থুংহনগনি; লান অসি লোয়রগা শমজোক লান দারুরগা নহাকপু পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা পুদুনা চৎকনি, অদুগা কংলা কোনুংদা ননীঙ থুংনা লৈহনগনি। কনা লৈ, অরোন নাই হঞ্জবা ৱাংখৈ কোংয়াম্বা কৌরকউ। অদুগা ঈবেম্মা ঐনা হায়রিবা ৱাফমশিংসিদা নহাক করি হায়নীঙলি?

– ঐগী হায়নীঙবা পুম্নমক হায়জখ্রে, ঐগীদমক লৌখৎপীগদবা থবক পুম্নমক লৌখৎপীননবগী অয়াবদুদি মমাঙদা থমজখ্রে। ঐগী থম্মোইদি নহাক্কী সনানাক্তা লৈজখ্রে।

অরোননাই হঞ্জবা ৱাংখৈ কোংয়াম্বনা চঙলক্লগা খুরুমদুনা মখুৎ অনি লোন্দুনা কুল্লগা “ মৈদিংঙু নিংথৌরেন য়াইফবা ! ননাই ঐবু নীঙশিঙবীরকপবু?

– অরোননাই হঞ্জবা ! নুপীমচা অসি ঐগী থৱাইমক্লি খন্না মহাকপু ঙাক শেনগদবনি, মহাক্না হায়বা পুম্নমক ফংহনগদবনি, তৌগদবনি। চেকশিন্না মহাক্কী নুংঙাইনবা শীনগদবনি, নহাক্কী নফমদা মহাকপু পোইরৈ সনা লৈপাক য়ৌদ্রিবা ফাওবগী ওইনা শিন্নরবনি।

ৱাকচীংগী নোংনা খীক্লক্লবদা ৱাশাগী ফৈরা তোংদুনা নোংমদোন অতিয়াদা ওন্দুনা ঈথৌ লাংবগী মৈচাক মুৎনবা নোংমদোন লাইজ ঈনীরম্বী চেক্লা নোঙ্গৌবীদো খৌবোম্না য়াদুনা পেন্না নোংগী ইরিক থকচখরে।

ৱারোল মপুঙ : নুংশি থৌগলদা কথোকচবা

অরিন্দম চহি নৌজবদনি, অরায়বী লৈশাবী নত্তে, ওইগে হায়বদা ঙম্বী শক্লোন পুবী চনুরানি। মহাক অৱালোন, মৈতৈলোন, পোর্টুগীজ, কবোলোন্নচিংবা লোন

কয়ামরুম খঙবী, পুক্লীঙ- লৌশিঙ চঙখোনবী, অফ-ফত্তগী ৱারেপ লৌবা ঙম্মী, থবক্কী মতুং ইন্না শীম্থোঙ- শীল্লম কয়া খঙবী নুপীনি। লৈশাবী মহাক্না মহাক্কী থম্মোইদা লাৎচরিবা শক্তম অদুগীদমক্তা লল্লোনবী শাই, হনুবী ওল্লি, য়ারেক মৈরীংবী ওই, জগোই শাবী ওইনা উহল্লি অমসুং ৱাঙাং-শাঙাংগী-হৈ-শিঙবনা মীবু শুমহৎপা ঙম্মী। মহাক্না খ্বাইদগী ঈহান হাননা মবুংঙোগীদমক্তা পাংথোকখিবা থবকসি - খৃ: ১৭১৭-১৮ গী লোন্নবদা ফোংদাদা অৱাশিংবু মীহাৎ থীনা হাৎলুবদগী খৃ: ১৭১৮ গী মার্চ থা হৌগৎলকপদা অৱানা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা লান্দারকপসু মৈতৈনা অমুকসু হন্না অৱাবা, মায়থীবা পীবা অমসুং শমজোক্তা মরিরক হন্না লান্দাদুনা লাকঙম-ফাঙমদ্রবা কবো-শমজোকশিং মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী কোনুং, মরৌ-মশীঙনচিংবা ফাওবা তক্না মাঙহল্লবা মতুংসিদা অৱাশিংনা মৈতৈগী মায়য়োক্তা করি খোঙথাং লৌখৎলিবগে, হ'য়বসিগী অশেংবা অমসুং অচুম্বা ঈ-পাউ লৌরকপসিনি। মসিদা অরোননাই হঞ্জবা ৱাংখৈ কোংয়াম্বনসু মশাগী মথৌ ওইনা অরোন'নাইশিং থাদুনা অমসুং অতৈ মীওইশিংদগীসু ঈ-পাউ লৌরিবনি, অদুগা হায়রিবা ঈ-পাউসি অরিন্দমনা পুরকপগা চপ মান্নরম্মী [শ: ন: স:, ১৯৭১,১৪৫]। হায়রিবা ঈ-পাউসিদি :-

অৱা নিংথৌ শ্রী পবরা মহাধর্ম্মরাজ দিপাতি নত্রগা শেঙ-ফ্যু-শেঙ [Thiri Pawara Mahadhamma Raja Dipati or Sheng-Phyu-Sheng] না মহাক্কী লাইবার [Envoy] থাদুনা তখেন লৈপাক (Tripura) গা মৈত্রবাক্তা মায়কৈ অনি- নোংপোক অমসুং নোংচুপ্তুগী মতম অমতদা লান্দানবগী য়ানবা ৱাফম লেপ্পখ্রে। লৈপাক অনিমক্না য়ানবা পুরক্লুনা ৱাশল্লখ্রে।

অসিনি। মসিনা মৈত্রবাক্কী নোংমদোন্দা খুদোংথীবগী নোং মঙদুনা লৈররে। অদুবু লাইনা থাবা নিংথৌনি, মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ, লাইয়িংথৌ তাইবং খায়বা, লাই ৱাহায়বনা ঙাকপা লৈপাক্লি পোইরৈ মৈতৈ লৈপাকসে হায়বসি তখেন নিংথৌ ২ শুবা ধর্ম্মমনিক্য নত্রগা দুর্জয়া সিংহ (খৃ: ১৭১৪-৩০) নদি খঙদ্রি অমদি অৱা নিংথৌ শেঙ-ফ্যু-শেঙ (খৃ: ১৭১৪-৩৩) নদি উদ্রি।

অৱা লান : মনীন কারিবা হূ-চফু

ৱামনবা মেরাগী কুম শক ১৬৪৫ গী ৱাকচীঙ থাগী ১২ নি পানবা (খৃ: ১৭২৪ গী জানুৱারীগী অরোয়বা চয়োনগী ঈরাই তাবা) নুমিত্তা অৱানা খোইবু চীঙ

লোমদগী অমসুং ইম্ফাল তুরেন মরীন্দা কারক্লগা সেকমাই তুরেন্দা হাইজিন্দুনা হৈরেম লমদমগী খেরে চীঙলোমদগী লাল্লম (column of troops) অনি ওইনা মৈত্রবাক্তা লান্দানবা চঙশিল্লক্লম্মী। হায়রিবা লাল্লম অনিমকসি পুনশিন্দুনা থাসিগী ২৪ নি পানবা (মার্চকী অনিশুবা চয়োনগী য়ুমশকৈশ তাবা) নুমিত্তা ভরেৎ নমথৌ চীঙ [খোইবুগী চীঙলোন অহুমগী মণিপুররোম থংবা চীঙশাং] গী চীঙদোন্দা তেঙ্গোল শারম্মী [চৈ: কুম:, ২০০৫, ৮৪]। হায়রিবসিগী পাউসি লৌরগা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজনা মৈতৈগী অকন-অথৌশিং, লাইয়িংথৌ ফাৎলৌ খোম্বা, গুরু শান্তিদাস গোষাই অমসুং অরিন্দম লোইননা অৱাগা লান শোক্লনবা কংলাদগী খোঙ থাংদোক্লকখিরম্মী। অদুগা শল্লুংফমগী লমদমদা মৈতৈগী লানবন শেমদুনা লানশঙ শারগা তেঙ্গোল শাদুনা লৈখ্রে [শ: ন: স:, ১৯৭১, ১৬০]। লান শোক্লখিবা লানফমনা ৱাংজীংগী লৌবুক অমসুং মসিগী অকোয়বদনি [চৈ: কুম:, ২০০৫, ৮৪]। লান অসিগী মতমসিদদি অরিন্দম নুপা ওইরম্মী, মৈতৈগী লানশঙদা লৈবা মতমদা মহাক মৈতৈ লাম্নীগী ফিজোল শেৎলম্মী অমসুং অৱাগী লানশঙ মনাক্তা চঙবা মতমদনা অৱা লাম্নীগী ফিজেৎ শেৎলম্মী।

অৱাগী চাওরবা তেঙ্গোল, লাম্নী লুপ মাপন্না শাবা, অৱাগী লাকঙম-ফাঙমদ্রবা সেনাপতি মংত্রা (মংদ্রা) কেঙদুঙম্বনা লাঞ্জিংলেন পুরেন ওইবসিগা লান শোক্লবা হৌগৎলকপগী নোংমা চনবা নুমিৎসিদা তখেলনা মোইরাংলোমদা থাবায়োয় কৌবা চীঙজাও অমসুং প্রুমপনগী চীঙয়ায় শমদুনা লাক্লগা লান্দারক্লে হায়বা লানবাউ শল্লুংফমগী লানশঙদা থুংলরম্মী। মৈদিংঙু অমসুং লৈপাক পুবা অঙম- অথৌশিং অমদি অকন-অথৌশিং পুন্না তীন্নরগা খন্নরকখি। অৱাগী লানফমসি লোয়দ্রিবা মখৈদি তখেনশিংবু লান য়ান্নদুনা মায়থীবা পীবগী খুদোংচাদবদু লৌখৎনদুনা মখোয়বু মতম খর লান খাম্নবা মৈতৈ লাম্নী লুপ অমা থাদুনা মখোয়গী মফমদুদা লৈহন্নবা, লমখাঙদা থক্তুনা থম্ননবগী লাল্লোং শীন্নরকখি। হায়রিবসিগীদমক্তা মৈদিংঙুনা হাওবম অকোঙ (কৈবীরাম) বু লাঞ্জিংলেন হাপ্পুনা মৈতৈগী লাল্লোইদা অখন্নরবা লাঞ্জিংবশিং - থাঙজবা চেকশা (চক্রপানী), চিরোম পার্থ, হোংঙাই স্নসবা, চীরোম ওমা (বজ্রসিং), চোংথামচা খোম্মা, সোরোক-খায়বা অপোঙনচিংবগা লাম্নী লুপ অমগা লোইননা নোংচুপলোমগী লান, নোংপোক লোমগী লান লোয়দ্রিবা ফাওবা ঙাক্তুনা থম্ননবা সনা য়াথং পীদুনা থাখিরম্মী। মখোয়গী পীক্লবা লাম্নীসিনা অরোৎ-অফোঙ শান্নদুনা তখেন লাম্নীগী লুচিং-পুরেন ছত্রজিৎ নরায়ন কৌববু ঙকহন্দুনা থমখিরম্মী [ত: ঙ:, খুৎ লাই:]।

নোংপোক্লোমগী লানফমসিদা লান শোক্লরকপগী নিনী চল্লকপা নুমিত্তা মীশীঙ য়াম্বা হেল্লবা অৱাগী তেঙ্গোন্না হাৎলিবা মখে লোয়বা নাইদবগুম লৈরকপনা নুমিদাংৱাইরম য়ৌরক্লবদা মৈতৈ লান্মীশিংগী মশা চোকথনরক্তুনা অৱাশিংনা লানফমদা খুমাঙ চাওশিল্লকপগুম তৌরক্লম্মী। মতমদদা লানফম মায়থীবা খঙলক্ত্রিবা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মশামক লানফম চঙলগে হায়না থৌরাং শেম-শারকপা মতমদা অৱাগী পন্নীঙলোমদা লোইবী চীঙবু পনঙাক্লিবা চীঙমীশিং - তাংখুল, মরীং, তরাউ, চোথেনচিংবগী অপুনবা লান্মী মপৈনা অৱাগী মথক্তা লান্দাশিল্লকখিরম্মী। মসিনা মৈতৈ লান্মীশিংগী থৌনা হাপকৎলক্তুনা অৱাশিংগী মায়কৈদা চেনশিন্দুনা লান্দাশিল্লম্মী। অসুম্না চীঙমী- তম্মী অনিনা নীঙ-মাঙ চপ্তুনা লান্দারকপসিদা অৱা তেঙ্গোল কায়দুনা চেন্নরম্মী। অৱাশিংনা মায়থীরে হায়বা য়ারবা তাঞ্জাসিদা অৱাগী সেনাপতি মঙদ্রা কেঙদু ঙম্বনা শরৌ লাল্লোং অমা তৌরক্লম্মী। মহাক্না লান লেপ্লগা তাইশিন্নবগী ৱাফম থম্লক্তুনা মহাক্কী লাইবার থারক্লম্মী। মহাক্কী পাউখোল্লোইশিংদুদা হায়রক্লিবা ৱাফমদি -

পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ ... মঙদ্রা কেঙদুঙম্বা কৌবা অৱা তেঙ্গোনগী লাঞ্জিংলেন ঐহাক অসি নচন ঈবেম্মা ৱাংঙমলোন চকপা মখাওঙম্বীনা পোকপা মচানুপানি। লানফম মায়থীবা ফংলবা অৱা ঐখোয়গী থৱাই কনবীয়ু। .... মৈতৈগী তরা চেঙ অহাওবা, লেমলৈ শরেং অতেকপা... থুমময়োন নীঙথিবা পীবীরকউ। ... নচন ঈবেম্মা... দা পাউ তমজরুগে... [শ: ন: স:, ১৯৭১, ১৭৫]।

অসিনি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মচন্না পোকপা মমাককী পাউসিদগী চেঙ-চাক্লচিংবা পুম্নমক্তু পীবীদুনা মখোয়গী মনাক য়ৌনবা থাবীখিরম্মী। অদুবু অরিন্দমদি নীরক্লি পোৎনীসিদা মপুক্লীঙদা চিংনবা পোক্লম্মী। মরম অসিনা চেঙ চাক থিনবগী মৈতৈ লান্মী ওইরম্বীদু অৱাগী লানশঙ য়ৌবদদি কনানসু খঙদনা অৱা লান্মী ওনখিরম্মী। অদুগা অৱানা শরৌ- লাল্লোং শীন্নবগী ৱাতানবদু লোননা তারুবগা মালেম পুম্বা মমখ্রবা মতমদা মৈতৈ লান্মী ওইনা মৈতৈগী লানশঙ শারিবা তেঙ্গোন্দা চঙলক্লম্মী। অদুবু কুইদে মহাক্না মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী শকহেনবী অরিন্দম ওইনা মৈদিংঙুগী স্না মাঙদা লেপ্লখিরম্মী। অদুনা শরৌ- লাল্লোংগী পাউ মৈদিংঙুদা হঙ্গৎলম্মী -

মৈদিংঙু নিংথৌরেন ও! ননাই ঐহাক মঙদ্রা কেঙদুঙম্বগী লানশঙ য়ৌজরুরে। মহাক্কী লানশঙদুদা খন্নবা অরোনবা ৱাফমশিং তাজরুরে। মঙদ্রা কেঙদুঙম্বনা হোরেন অহিং হন্নবগী ৱাফমদা মখোয়গী অখন্নবা লাল্লোই অহুম খল্লগা অতৈ লান্মীশিংনা অৱারোমদা চৎখিবা মতমদুদা মখোয় অহুমদুনা মৈতৈ লান্মী ফিজোল শেত্তুনা মৈতৈগী তেঙ্গোল লানশঙদা লাক্কনি। মখোয় অহুমদুগী অমমমনা লাইয়িংথৌ তাইবং-খায়বা, গুরু শান্তিদাস মহন্ত অমদি মৈদিংঙুগী লানশঙদা তোঙান তোঙান চঙলগা নোংমৈনা কাপ্তুনা অহুমসি লোয়শিনগনি হায়না লেপ্ন হৌরে। মৈদিংঙু হাৎননবা খন্নবা লোয়খ্রে।

ৱাফমসি তাবদা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা অকন-অথৌগী পুকচেল্লা অদুগুম্বা পাঙদবগী খুজীন্দু তৌগনি হায়না থাজবা ঙম্লমদে। চীন মখৈদি মোমোন তৌই অদুবু ৱাখন্নদি কয়া থৌশারমদে, মরমদি অহিং য়ারেক-মৈরিংবা নিংথৌশেনবশিং লৈগনি অমসুং অদুগুম্বা অরোনবা ঈ-পাউদু লৈরবদি অরোন'নাই হঞ্জবনা মশাগী মথৌ তৌরফম থোকই, হায়না খল্লি, অদুবু মমাঙদা মহাক্কী ঈ-পাউ চুমদুনদা লৈখ্রবী অরিন্দমগী ৱা অসি খক লাল্লোয়, অদুনা থৌশাদবগুম তৌরবসু চেকশিন থৌরাংদি লৌখৎলম্মী। মরম অদুনা লাইয়িংথৌ তাইবং খায়ববু মৈদিংঙুনা শগাই পাবনথক্তগী লৌথদুনা খুদোংথীরোয়দবা মফম অমদা থমখ্রে। গুরু-শান্তিদাসতসু পাউ পীদুনা লানশঙ অতোপ্পদা হোংহনখ্রে। অদুগা মৈদিংঙু মশাসু অরিন্দমগা লোইননা অতোপ্পা লানশঙ অমদা হোংদুনা য়ারেক্লবা শেম- শাখ্রে। য়ারেক মৈরিংলান্মী মশীঙ হেনগৎহনখ্রে, লাঞ্জাবা লাল্লোইশিংগী মীশীঙ হাপ্তুনা অমদি লাল্লুম-লানশঙদা লান্মী মরুপ তোপ্পা খায়দোক্তুনা লৈহনখ্রে।

অহিংগী মীচীক মীরাউখোন তাদ্রবা নোংয়ায় মতুংগী মতম য়ৌরক্লে। মতমসিদা অমম্বা অমসুং অচীকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা অৱা লান্মী অহুমখক লৈমায়দা উপ্রাক্লা উপ্লগা মবুক্লা শীৎ-শীত্তুনা মৈতৈ তেঙ্গোলগী পনগোয়নুংদা চঙখিবদু থোঙশঙ মৈরিংবা, ঈনুং মিৎশেন খাঙনা য়েক্লবা লানয়েংলিবা কনানসু উহৌদ্রে। মখোয় অহুম্না ম্রাগী মাগী পান্দম তম্লক্লিবা মফম য়ৌরক্লগা লানশঙ শগাই শাদুনা শগাই মথক্তা লৈরিবা মাগী মাগী পান্দমদু তমদুনা নোংমৈ কাপশিল্লক্লম্মী। খঙহৌদনা তেঙ্গোল মনুংদা নোংমৈ মখোন তারকপদা মৈতৈগী য়ারেক-থোঙশঙবা, তেঙ্গোন পনগোয় লাঞ্জাবশিং পুম্নমক মমিৎ, মনা শিঙলম্মী।

মতমদুদা নোংমৈ কাপ্লম্বা অৱা লাল্লোই অহুমদু নোংমৈ থাদরমদুনা তেঙ্গোলগী পনবান তম্না চেম্থোক্লক্লম্মী। মৈতৈ তেঙ্গোল পনগোয় লাঞ্জাবা লান্মীনা মৈতৈ লান্মীগী ফিজেৎ শেৎপা অৱা লাল্লোই অনিদি ফারে, অমদি ফাবা ঙমহৌদরে। মৈতৈ লানশঙ তেঙ্গোল মনুংদা থোইদোক্না অশোক- অপন য়াওরমদে। মৈদিংঙুগী য়াথং মতুং ইন্না অৱা লাল্লোই অনিদু অৱাংবা উগী উশাদা অৱা তেঙ্গোন্না উগদবা মফমদা অহিং মমৈদুদা মঙক্তা থৌরী থুদুনা থৌরী য়ান্দুনা হাৎলম্মী। অদুগা মৈদিংঙুনা অৱা সেনাপতি মঙদ্রা কেঙদুঙম্ববু হিংনা ফাদুনা পুরকপা মীদুদা তাংবললোই পীগনি হায়না লাউথোক্তুনা মৈতৈগী লান্মী পুন্নমক্তা খঙহল্লে।

লাংনা লাংনা, ঙাংন-শাননা অহিংদুগী মতমদু হৌখ্রে। অৱাশিংগী নমথাক তৌদুনা চেঙ চাক পীবীয়ু হায়জিন্নরগা শরৌ- লাং থাক্লম্বা অৱাশিংবু শাওনীঙলবা মৈতৈশিংনা ঙন্না থোক্লক্তুনা মখোয় অৱাশিং করি তৌরিবগে য়েংনবা নাকোয়নবা লম্বীদা লাক্লম্মী। মখোয়না ফনা-কুইনা য়েংলবদসু অৱা' লান্মীশিং লৈবগী শঊম ফংলমদে। অদুবু মরৈ-মরা হৈবা; লৌনম চাওবা অৱাশিংনি হায়দুনা মখোয়না তেঙ্গোল শারম্বা মফমদু পাক হেক চঙলমদে। মখোয়না লৈবগী মতৌ শুপঊ উরক্ত্রবদুদা মৈতৈশিংনা চঙদুনা য়েংলুবদদি অৱাশিংদুদি মমাঙগী অহিংদুদা লোন্না চেনখিরম্লে। অসুম্না অৱানা নোংপোক্লোমদা লান্দারকপগী ৱাংজীঙ লবুক্তা শোক্লবা লান্দু লোয়খিরম্মী।

তখেন' লান : মহী-ময়াই শন্দোক্লিবা হূ পাম্বী

অৱাগী লান লোয়রদুনা লানখোমপোৎ কয়া খোমদুনা লান মায় পাক্লবসু মৈত্রবাক্তা পাইরিবা লানগী মৈরীদি মুক্তি। তখেন লান্মীশিংবু থিংদুনা থম্লবা মতম খরগী ওইনা থারক্লিবা হাওবম অকোঙ কৈবীরাম্না লুচিংবা লান্মীনা ক্বাক্তাদা অমসুং তখেন লান্মী ছত্রজিৎ নরায়না লাঞ্জিংবা তখেল লোন্মীনা মোইৱাংগী লোক্লৌ অচনবদা তেঙ্গোল শাদুনা মায়কৈ অনিমক্কী লাল্লোইশিংনা লানগীদমক শেম- শাদুনা লৈনরম্মী। মৈতৈ লান্মীশিংদুগী পান্দমদি তখেন লান্মীশিংবু ৱাংজীঙ লানফমগী লান লোয়দ্রিবা ফাওবা মরৈ-মরা তৌদুনা লান্দারকপগী খুমাঙ চাওশিনহল্লক্তবনি। মরম অসিনা মৈতৈগী লাঞ্জিং পুরেন ওইরিবা হাওবর্ম অকোঙ (শীজ ময়া শেল্লুংবা) না মৈতৈগী তখেন লম্বু (officer in-charge of the Tripuris' affairs)

কবো ঙাসবা (ঙাশাবা) থাদুনা তখেনগী লাঞ্জিংলেনগা পন্থহন্নবগী ৱারী- ৱাতাই শাননবা, মখোয় লান্মী মশীঙ অমসুং অখন্নবা লাল্লোইশিংগী মশীঙ খঙঙক্লবা য়েংলুনবা অমদি করিগী তখেন্না লান্দারক্লিবনো হায়বসি হংবা শাদুনা থৌরাং শীল্লম্মী। মদুদা তখেনগী লানজিংলেন্না মখোয়গী খারম লোইদগী লম্বালশেন/লম্বানমন (খাজনা) গী লোইপোৎ থৌবা লাকপদা মৈতৈনা মায়থীবা পীদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখি। মখোয়গী লৈপাক্তা লৈরম্বা ব্রাহ্মন সরুপানন্দ কৌবগা মখোয়গী তখেন লম্বু পাঙল (বাঙ্গাল) মচা অমগসু মৈতৈনা ফাদুনা পুখিরম্মী। মরম অসিনা তখেন নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না লান্দারক্লিবনি, হায়রম্মী। মদুদা কবো ঙাসবনা তখেন অমসুং মৈতে লৈপাক অনিসি ঙাই- শেন ওইনবা লৈপাক্লি, অদুনা মৈতে লৈপাক্তা লান্দাবীগনু। লান তৌরমদনা হনখ্রো হায়দুনা হায়জরম্মী। মদুদা তখেনগী লাঞ্জিংলেন্না মখোয়গী লোই খুঙ্গং তরুক-লাংথা, লাংলোং, খোইরোই, খোংয়াং, কুমফি অমসুং তোলোং - মখোয়দা হন্দোক্লকউ, অদুগা মৈতে শগোল ১৫ - নিংথৌগী ১০, লাঞ্জিংবশিংগী ৫ গা পীয়ু, লান তৌদনা হনখ্রগে হায়রম্মী।

তখেনশিংগী ৱাফমসিগী ঈ-পাউসি মৈদিংঙুদা খঙহন্দুনা পীবীরকপা য়াথং ঙাইদুনা লৈরম্মী অমসুং মী অমসুং শগোল পীবা, মখোয়দা খুঙ্গং ৬ পীখিবা হায়বসি য়ানদদুনা লান শোক্লনবগী ৱারেপ্তা মৈদিংঙু অমসুং মৈতৈগী অঙম অথৌশিংনা লেপ্লরম্মী। মরম অসিনা তখেলগী চাওরবা লান্মী মপৈদুগা মৈতৈগী অপীকপা লান্মী লুপ্তুগা হেঞ্জিনবা য়াদনা মুক্লদুনা লৈরম্মী। লানফমসিদা মৈতৈশিংনা লান্মী ময়াম্না লান্দাশিন্দুনা শোক্লবা লান তৌনবগী লান- খুৎশোক্লগী লাল্লোংদুদা চৎথরমদে। মখোয় অখন্নবা শগোল তোংবা লাল্লোইশিং পনমাঙদা পরেং শানা পরেং অমতদা শগোল মথক্তা তোংদুনা তখেল লান্মীগা মায়য়োক্লনা লেপ্তুনা লৈরম্মী। তখেন লান্মীশিংসু মখোয় শগোল তোংবা মৈতে খরনা পনমাঙদা লেপ্তুনা লৈবা মতৌদু য়েংদুনা লৈরম্মী। মদুদা মৈতৈগী শগোল তোংবা লাল্লোইশিংদুনা তখেন লান্মীশিংদা মখুৎ থিন্দুনা মশক তাক্লগা ... চিরোমচা পার্থনা "মসিগী তখেন লাল্লোইসি ঐনা তারোন-তানা লেঙগে য়েংঙু" হায়রল্লগা শগোল য়াঙনা মতোমতা থৌজীনখিদুনা তখেন লাল্লোইদুগী মনাক য়ৌগদবা লম তরারোম ৱাৎলিঙৈদা মহাক্কী তারোন তা লংশিন্দুনা তখেন লাল্লোইদুদা লেঙখি, অদুগা শগোল থৌদোক্লক্তুনা মৈতৈগী পনমাঙদা লেপ্লিবা মৈতে লাঞ্জিংবশিংগী পরেংদুদা অমুক লেপ্লে।

- হাওবমচা অকোঙনা - “আদগী লাল্লোই দোলাইদা লৈরিবসি ঐগী অরান্বাইনা থোমদুনা হাৎকে” - হায়রম্লগা শগোল থৌজিনখিদুনা অরান্বাই হুন্দুনা তখেনগী ফম্লাইবদু হাৎলুরগা হান্নগীগুম্না অমুক পনমাঙগী পরেংদা লেপ্লে।

- হোংঙাই সনসবা, চিরোম ওমা/বজ্রসিং, নিংথৌজাম্বা নহারুপ লাকপা অসিনচিংবনসু মানা মানা শক্তাকপা তখেন লাল্লোইশিং হাৎলম্মী। তখেন লান্মীশিংদু হৌজিক্তি মখোয়সু শাজেন তৌদুনা লৈনবা হৌরক্লম্মী। অদুগা মৈতৈ লাঞ্জিবশিংনা মাগী মাগী লেঙ নাইননা অমমমতা শগোল থৌজিন্দুনা লান্দানরিঙৈসিদা থাঙজবা চেকশা (চক্রপানী) না ময়ামদুদা ৱা-লান অমতা হায়রমদনা শেন্বাং পাইবগুম মহাক্কী শগোন্দু তখেন লান্মীশিং তম্না থৌজিনখি। মৈতৈগী লাঞ্জিংবশিংদুনা ঙক্না য়েংলি। অদুগা তখেন লান্মীশিংনা নোংমৈনা চেকশাবু কাপকদবগী পান্দম্বা লাক্লরি। চেকশানা শগোল শাবন্দগী মশাদু শাবনগী নাকন অমদা শগোলগী মরুমদা লৈথরগা হান্নদগী য়াঙনা শগোন্দুনা চেল্লকপদুদা তখেন লান্মী অহুম-মরিনা কাপ্লিবা নোংমৈদুগী মরুনা পানবা ঙল্লমদে। অদুগা চেকশাদি তখেন লান্মীগী ময়ায় চবুক খায়দুনা তখেন লান্মী মরক্তা চঙখ্রে। চেল্লিবা শগোন্দুনা অয়াঙবা খোঙজেন শাফু ফাবা ঙমদবনা তখেন লান্মীগী পন্নীঙ য়ৌরবা অয়াঙবগী শাফুদু ফাদুনা লেপ্লে। মদুদা চেকশা চক্রপানীনা শগোন্দু মমায় ওন্থোক্লগা পনমাঙ লোমদা থৌগৎলক্লে। মতমসিদা চেকশানা তখেন লান্মী অমা হিংনা ফাদুনা পুখ্রগে- হায়না খল্লক্লে। পনমাঙ য়ৌরকপদা তখেন লান্মী অমা চেকশারোমদা মতুং ওন্দুনা লেপ্লবা থেংনরে, চেকশা মহাক্তু লানগী লুহুপ্তুগা মশমগা কোন্ননা মখুৎ য়েৎনা পায়রগা চেন্দুনা পুরক্লে। মহাক্না ফারুরিবা তখেন লাল্লোইদুসু অচম্বা লান্মী ওইরমদ্রে, মহাকুম্বা অকনবা লাঞ্জিংবা অমা ওইরম্লে, তখেন লাঞ্জিংবদুনা মহাকপু চেন্দুনা পুরিবদুগী শাফুদুনা মখোঙনা লৈমায়দা কাওদুনা চোংখৎলক্লগা শগোলগী খুদুংগী অকোনবদুদা মখোঙ খোঙনেৎফম ওইদুনা লেপ্লগা মহাক্কী নাকন্দা য়ম্লিবা থাঙশাং শত্তুনা চেকশা তম্না ফৈনা হাইরক্লম্মী, অদুবু চেকশানা শগোল চুপলী মখুৎ ওয়না পায়রগা শাবন্দা থেৎলিবা তারোন তা শত্তুনা তুংলোমদা থিন্থরকপদা তখেন লাল্লোইদুগী থজিন্দা লেঙলম্মী [ত: ঙ:, খু: লাই:]।

তখেনশিংবু মৈতৈনা অসুম্না চোয়না খর হাৎখিবসিদগী মখোয় লাঞ্জিংলেন্দা য়াথং তৌদুনা অপুনবা তখেন লান্মীনা মৈতৈ লান্মীশিংগী মথক্তা লান্দারক্লম্মী।

মৈতৈশিংনা চেন্না-চেন্না অমসুং থৈদোক-থৈদোক্তুনা লান শোক্লরকপসিদা থাংজীঙ চীঙগোন্দা মশীঙ য়াম্লবা তখেন লান্মীগা মায়য়োক্লদুনা চেন্নবা য়াদনা লান থেংনরম্মী। লানফমসিদা মৈতৈ লান্মীগী লাঞ্জিংলেন হাওবমচা অকোঙবু তখেন লান্মীশিংনা পুমকোয় কোয়শিনখিরম্মী অমসুং নাম্বোক্লবগী লম্বী অমতা লৈরমদে। অদুবু থাঙজবা চেকশা, সোরোক খায়বা অপোংনা শগোল থৌজিল্লক্তুনা হাওবমচা অকোঙবু চেকশানা শগোল হাপকত্তুনা তখেন লান্মীশিংগী ময়ায়দগী পুথোক্লকখিরম্মী। অসুম্না লানফমদা থৱাই কনবসিদগী হাওবম অকোঙনা চেকশা চক্রপানীবু মহাক্কী অনৌবা মপোক অমা পীবীবা "মপানি" হায়না ঈকাই খুম্নবা উৎখি।

নোংচুপলোমগী লানফমদা মৈতৈগী লাঞ্জিংলেন অমসুং লাঞ্জিংবশিংনা ৱারিবসি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মফমদা পাউ কত্তুনা খঙহনখিরম্মী। মৈদিংঙু ৱাংজীঙ লৌবুক লানফম লান লোয়দুনা খৃ: ১৭২৪ সিগী ফেব্রুৱারী অহুমশুবা চয়োনগী থাঙজা তাবা নুমিত্তা স্নাকোনুংদা থুংলখি। মদাইরেমশিংগী লানগী পাউচেন তাবদা থুংলবা মতুং নিনী কোনবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মদাইরেমশিংগী লানবাংনবা লান্মী তেঙ্গোল অমা অমুক হন্না থাবীখিরম্মী [চৈ: কুম:, ২০০৫,৮৪]। অদুবু মশীঙ য়াম্লবা তখেন লান্মীশিংদুগা মৈতৈ লান্মীগা লান থেংনরকপদগী ক্বাক্তা তেঙ্গোনগী লাঞ্জিংলেন হাওবম অকোঙনা মৈতৈনা নোংপ্রদগী তখেন-লান্মীনা তকশিল্লক্তুনা মৈতৈ তেঙ্গোল কায়বগী লানবাউ শগোনপাউ থারক্লম্মী। মরম অসিনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা গুরু শান্তিদাষ গোষাই, লাইয়িংথৌ ফালৌখোম্বা অমসুং অরিন্দম লোইনদুনা মৈতৈ লান্মী পুরগা চহিসিগী মার্চকী অনিশুবা চয়োনগী নিংথৌকাবা নুমিত্তা মোইরাংলোমদা তখেন লান শোক্লবগীদমক্তা লেঙলকখি [মথক্কীসিদা, ৮৪]। মসিনা ময়াং কৈনৌ [হৌজিক্কী ওয়নাম কৈনৌ] দা অহিং অমা লেক্লগা ক্বাক্তাগী মৈতৈ লানশঙ মথংগী নুমিৎকী অয়ুক্তা থুংদুনা মৈতৈগী লানগী থৌরাং, শাজেননচিংবা লৌখৎখিরম্মী। ক্বাক্তা'-মৈতৈ তেঙ্গোন্দা মৈতৈ নিংথৌ থুংখিবা অমসুং অনৌবা লান্মী থোমজিল্লকপগী পাউসি তখেনগী লাঞ্জিং পুরেন ছত্রজিৎ নরানসু ফংলম্মী। মখোয়সু মখোয়গী লানশঙ মোইরাংগী লোক্লৌ অচানবদা করি লাল্লোং তৌগদবগে হায়বদু খন্নখিরম্মী। অসুম্না নুমিৎ তাখিদুনা লাম্থেংনগদবা লান্মী অনিমক মাগী মাগী তেঙ্গোন্দা লেনখিরম্মী।

অহিং’ ঈনুং তাংলৌ লৈনা থেংজিল্লক্লে। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা নোংয়ায়গী পুংজা মিকপ থোক্লকপদা অরিন্দম মখুত্তা থাঙ-মচা অমা পায়দুনা মৈদিংঙুগী খুৎয়ারোম লম অনিরোম লাপ্পা লেপ্তুনা লৈরম্মী। মসিদা মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা ঙক্তে, মরমদি মহাক্না অরিন্দমবু অসুম্না থেংনবসি নুমিত্তুখক্তদা নত্তে।

- অরিন্দম ! নহাক ঙসাইদগী তুমদ্রিবরা? তুম্লুরোদনা !

- তুমজদ্রি, ঙসি নোংঙান্দ্রি’ ফাওবদংদি তুমজররোয়, ননাইনুবীগী থৌগল মপুঙ ফাহনবীয়ু।

মৈদিংঙু নীঙঙাইদনা চেপথখ্রে। অরিন্দমসু লেপ্পা ৱারদুনা নিংথৌগী খুৎয়ারোমদা মহাক্না লেপ্লন্বা মফমদুদা ফমথদুনা লৈরি। নুমিত্তুগী অচীকপা অহিংদুগী নাউশুম ঈশৈদু মহাক খর খর তাবা হৌরক্লম্মী। অহিংদু হৌখিগেদৌরে, য়ুথক অমখক্তা ঙাইরে, তুমদ্রিবা তুমহৌদ্রিবশিং ঙাইহাক্তং পোত্থাহৌরো, হায়না শক্লিবা ঈশৈদুদা অরিন্দম নুংঙাইবা খজিক্তং ফাওরক্লম্মী। অদুবু তাঞ্জাদুদা শাংলপ তৌবা থাঙ মচা (ছুরী) পায়বা নুপা অমা নিংথৌনা তুম্লিবা লানশঙদুদা তুমিন্না চঙলক্লম্মী। চেকশিঞ্জরবী অরিন্দমনা নাশোন অমতা তাহৌদ্রবসু মমিৎ খংশিঙ শিঙলক্তুনা য়েংখৎলকপদা নুপাদুবু উবমক্তদা খংলাউ লাউরক্লম্মী - “মহারাজ !” অদুগা নুপাদুগী মায়কৈদা চঙশিল্লকই। নুপাদুনা মহাক্কী খোল্লাউদুদা খংলবসু মৈদিংঙুনা তুম্লিবা মফমদা থাঙ শীঙশিনখিরম্মী। অদুবু অরিন্দমনা মহাক্না মৈদিংঙুদা থিনগে হায়না মখুৎ হাইগৎলকপদা মখুত্তু ফারম্মী। অদুগা মখোয়’ নীনা লাক্লরকপদুগী মখোন্দুনা মৈদিংঙু গরিবনৱাজ মিকপ থোক্লক্তুনা ফমুংদগী চোংথরক্লম্মী অমসুং নিংথৌশেনবশিংসু চেনশিল্লক্তুনা নুপা অদুবু কোনশিন্দুনা ফারে। অদুবু অরিন্দমদি নুপা অদুগা থাঙ মুন্নবগী লাক্ল’-মুক্লবদুদা মখুত্তা থাঙনা শাথীনা শোক্লম্মী, অদুবু মদুগী চৈনাখোন্দুবু থৌশাদনা চীনবান্দা মোমোন নোকচখি, মরমদি মহাক্না মহাক্কী থৱাইগী মবুংঙোবু য়েক্লবগী মখুত্তগী কঞ্জবা ঙমলে।

মৈতৈ লাম্মীশিং পুম্নমক্না ফারবা তখেন-লাম্মী অকনবদু তখেনগী লাম্মীশিংনা উগদবা ৱাংলবা উজাও অমগী উশাদা য়ান্দুনা লেন্নবগুম থম্লে। অদুগা নোংঙাল্লকপদগী হৌনা লান শোক্লনবা শেম- শাবা হৌখ্রবনি। অদুনা মাগী মাগী খুৎশূ-খুৎলাই পায়দুনা শাদোং-খোঙদোং তোংদুনা তখেনগী তেঙ্গোল শারিবা

মোইরাংগী লোকলৌ অচনবা তম্না চঙলক্নে। অদুবু তখেন লাম্মী অমতা লৈবা উদ্রে। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা লাম্মীগা লোইননা থুংলরবসিদা তখেনগী লাঞ্জিং পুরেন ছত্রজিৎ নরাননা য়াম্না মিপাইখিরম্মী। মমাঙগী অহানবা অপুনবগী লান্থেংনবদা মখোয়না মৈতৈ তেঙ্গোল থুগায়দুনা মায় পাক্লবসু মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা চেনখ্রবা লাম্মীশিংদু লোয়নমক খোমজিন্দুনা পুরক্লে, লাম্মীগী মপুঙ ফাখ্রে। অদুগা মখোয়না অৱাগী চানা তেঙ্গোল ৯ না শাবা লাম্মীবু ঙরাং নহান্দা মায়থীবা পীখ্রি। মখোয়গা পুন্না লান্দামিন্নসি হায়দুনা লান্দামিন্নরকপা মখোয়গী তেঙ্গোন্দগী হেন্না মীশীঙ য়াম্বা অমসুং হেন্না মপাঙ্গল কনবা অৱা তেঙ্গোল মায়থীবা ফংখ্রে। অদুনা তখেন লাম্মীশিংবু অরেম্বদা মথৱাই মাঙহনবদি অফবা নত্তে। অদুবু মখোয়গী তখেন নিংথৌ দূর্জয়া মানিক্যনা নুংশিদ্রিবা মৈতৈ নিংথৌসিবুদি হাৎননবা থৌশীল-খুজীল অমদি শীন্দুনা থল্লম্লগা খুজীল- শরৌ তৌরম্লগা মহাক অমসুং তখেন লাম্মীশিংদি মাঙওইননা হনখ্রে। মরম অসিনা মৈতৈ লাম্মীনা তখেন লাম্মী অমতা থেংনখিদে অমসুং তখেন লাম্মী লোন্না চেনখ্রে [চৈ: কুম:, ২০০৫, ৮৪] হায়বসি থেংনা খঙলকখি।

ছত্রজিৎ নরাননা লাইনা থাবা নিংথৌসিদা খোইয়ুম ফালৌখোম্বনা মহাকপু ঙাক শেন্নবগীদমক্তা মরীন খারবা শমজোক্কী লান, থা কয়া চুপ্পা মৈতৈনা মখোয়গী লানবন কোয়শিন্দুনা চেঙ-চাক ফংহন্দনা থম্বদা লানবন মনুংদগী লৈখুন হুত্তুনা তাংখুলগী খুঙ্গং অমসুং নোইনু থুমহী শোকপীগী খুন অনিসিনা অচা-অথক, খুৎশূ-খুৎলাইনচিংবা লোননা পীরম্ববু থি-হুমদুনা অরোনববু পুথোকপা ঙম্বী অরিন্দম [শ: ন: স:, ১৯৭১, ১০৮] লোইনরি হায়বসি খঙবা ঙমদবনা অরোনবা শরৌসি শীল্লুবনি। অতৈদা ওইরবদি তখেন ছত্রজিৎ নরান মায় শোয়দনা পাক্লমগদবনি। অদুবু মায় থীদুনা মরৈবাক্তা চেনখ্রবদা মৈতৈনা লানঙমদুনা নোংচুপ লোমগী মোইরাং অমসুং নিংথৌখোংগী অকোয়বগী মফম কয়াদগী মৈতৈ লাম্মী অমসুং মৈতৈ নিংথৌ থাসিগী মনুংদা খোঙশানখিবা মতুং নুমিৎ'হুমনীগী মতুংদা মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাদা থুংলখি [চৈ: কুম:, ২০০৫,৮৪]। হায়রিবা মৈদিংঙুনা কোনুংদা লেঙ্শিনবা মতমসিদা অরিন্দমসু মৈদিংঙুগী থৌজালনা স্না থৌগল তৌজরিবীনি।

লানঙম্বগী মনা-মথুম পীবা : মনাদি পুন্সি চুপ্পা ননাক্তা লৈজবনি

মৈদিংঙু গরিবনৱাজ অকন-অথৌবু ঈরাৎ-থেল্লাৎচবা, অকনববু শৌগৎপা, অথৌববু য়োকখৎপা, থৌনা ফবশিংবু থাগৎপা অমসুং মরীংজেন পানবশিংবু থৌগৎপা নিংথৌরেননি। মহাক্না শমজোক, অৱা, তখেননচিংববু লানঙল্লক্লিবসি মহাক্কী লৈপাক থৌগায় পুরিবা, ৱায়েন-থৌদাগী থৌদাং লৌরিবা অমসুং লৈঙাক-লৈকনগী শাথেং-লান্থেংনরিবা অঙম-অথৌ অমদি অকন-অরিংশিংদুগী মপান্ননি, মতেংননি অমসুং মতীক-মপাঙ্গন্ননি হায়বসি চপ চানা লৌরম্মী। মরম অসিনা মখোয়দা মনা-মথুম পীবা, মিংথোল- মিংলেন পীদুনা ঈকাই খুম্নবা উৎপা অমসুং পুক্নীঙ থৌগৎপা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা নিংথৌ মহাক্কী মথৌনি হায়না খল্লম্মী। মরম অসিনা মহাক্না মনা-মথুম পীবগী থৌরম অমা পাংথোকখিরম্মী। মদুদা মনা-মথুম অমসুং মিংথোল পীখিবা মীশিংদি

১) হাওবমচা অকোঙ/কৈবীরাম -তখেন লাঞ্জিংলেন ছত্রজিৎ নরান ফাবা
২) থাঙসবা চেকশা/চক্রপানী -তখেন লানজিংবা যশ:নরান ফাবা
৩) শাৎপমচা ক্যাম্বা -বীরভীম নরান ফাবা
৪) অয়েকপা পুকচাও -লক্ষ্মীপ্রসাদ নরান ফাবা
৫) চোংথামচা খোম্মা -সুচাং ঙারমচিংবা ফাবা
৬) হুইরোংবা লমদা -অলিয়া অথৌবা ফাবা
৭) নাউরোইবা শকথী -কীর্ত্তি নরান ফাবা
৮) খুমনথেম্বা লুৱাং - বীর্য্য সাহেব ফাবা
৯) য়েনকোকপা নানফৌ -তয়োন লানচিংবা ফাবা
১০) চিরোমচা ওমা -থাঙ্গা চেপচা ফাবা
১১) ফাইরেম্বা হোঙবা -মাল্লা সিংহ ফাবা
১২) ফেল্লেম্বা তখেম্বা -বলরায় ফাবা

অদুগা ১৩) মৈদিংঙু গরিবনৱাজ মশাগীনা - তখেন পঞ্চমরায় ফাবা অসিশিংসিনি। অদুগা অহানবগী লানজিংলেন অনি (অকোঙ অমসুং চেকশা) সিদা তাংবললোই পীখি। অদুগা অতৈশিংসিদা মাগী মাগী মতীক চাবা য়েংদুনা সনা লৈখাম, লুপা লৈখাম, পজেং-ফিরান চিংবা পীবীখি। অতৈ তখেন লান্দা শরুক য়াখিবশিংসু মাগী মাগী মতীক্কী মতুং ইন্না মানা মানা ফংবা য়াবা মনা-মথুমদু পীবীরম্মী। অদুগা পোর্টুগীজ চনু অরিন্দমদা নিংথৌগী থৱাই কনবগী খ্বাইদগী হেন্না

চাওরবা মনা তাংবললোই অমসুং মৈবুল হাইজাও মনা লাউথোক্লম্মী। অদুবু অরিন্দমনা মৈদিংঙু সনামাঙদা মখুৎ অনি লোন্নদুনা খুকউ খুদক্লা কুল্লগা:-

"মৈদিংঙু নিংথৌরেন ও! ননাই তোল্লবীদি ননাইনি, অহানবা উন্নখিবা মতমদা ননাইনুবীনা পামজবা পুন্নমক পীনবীখ্রে। অতৈদি করিসু পামজদে, ঐগী ঈরন করিনো? ঐগী মিৎনা উজরিবসিনি, থম্মোইনা লাৎচরিবসিনি।"

কথোক্লবী মহাক্কী ব্রাফমদুদা মৈদিংঙুনা পেনবগী ঙমখৈ লৈরমদে, কংলা ফম্বাল ঙাম্থোইমিন্নরিবী অমগী ঈকাই খুম্নবদু ফংহন্দুনা মৈদিংঙুগী থম্মোইদসু লূ-তোংগী হকচাং নত্রবী অরিন্দমগী শক্তম অমবু চেৎনা কোন্দুনা থমখ্রে।

পুন্সি' মৈরা মুৎখিবা : পুকচৎপগী লাইনানা পুখিবা

মৈদিংঙু ময়াম্বা গরিবনিৱাজনা পোর্টুগীজ নিংঙোন অরিন্দম্মু মহাক্লা পামজবা নীজখিবগী মতুং ইন্না হুয়েন লাল্লেতবদা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী কংলাদা, ৱাইরা শাদানবা চৎপদনা ৱাইরা শগাই থক্তা, হুয়েন লান্দা চৎপদনা হুয়েন লীকাং শগাইথক্তা মিৎকুপ অমা ফাওবা থাদোক্লদনা লেনমিন্নরকখিবা চহি কুমওন ৩০ (কুম্থ্রা) শুরক্লে। চেংলৌ শক্লা হেল্লিগুম হকথেংনবা য়াদবী তাল্লোই অথোইবী ওইনা লৈমিন্নরকপনা মৈদিংঙুগী ফৌরোই ইন্না চৎচরকপী অরিন্দমনি। মহাক্কী লাইনীঙদি অকনবমু লাৎচবা, অথৌববু ঈরাৎ পূজা তৌজবনি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা নিংথৌ ওইদ্রিঙৈ খৃ: ১৭০৪ দা রায় গঙ্গাধরদা গুরু ওইদুনা শাক্ত লাইনিঙদা দেবী কালিকা লাৎপা লাইনীঙ লৌদুনা চৎলম্মী। খৃ: ১৭১৭ তা গোপালদাস বৈরাগ্যদা অমুক গুরু ওইদুনা বৈষ্ণব লাইনীঙদা রাধা কৃষ্ণ লাৎপা লাইনীঙ লৌদুনা চৎলম্মী। অদুগা গুরু গোপালদাস বৈরাগ্য খৃ: ১৭২০ দা মেখলীদেশ থাদোক্তুনা মরৈবাক্তা হনখিরম্মী [চৈ: কুম:. ২০০৫,৮১]। মতুং তারকপদা খৃ: ১৭৩০ দা শান্তিদাস মহন্তদা গুরু ওইদুনা বৈষ্ণব লাইনীঙগী রামাৎ নত্রগা রামান্দি সম্প্রদায়দা দিক্ষ্যা লৌদুনা চৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৯০]। মহাক্লা হায়রিবা ধর্ম্ম সম্প্রদায়সিদা নোঙ্গাখি অমসুং লাইনীঙসিদা খৃ: ১৭৩৮ দা প্রমার্থ (পরম অর্থ) লাইনীঙ লৌখি [মথক্কীসিদা, ৯৯] দুনা তাইবং পানবগী পুন্সি থাদোক্তুনা বানপ্রস্থ আশ্রম চঙদুনা লৈশাং হিদেন মপানগী লংথবান চীঙয়াদা লাইনীঙফম শেমদুনা লৈরকখি। হায়রিবা লাইনীঙফমসি মমৈদা 'রামশালা' হায়না মিংথোন্দুনা খঙনরকখি।

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মশাগী চহি ৬০ (হুম্ফু) শুরকপা নিংথৌ ফম্বালদা চহি ৪০ (নিফু) পাল্লকুবদা মচাঙ্গীবুংঙো চিৎশাই (খৃ: ১৭৪৮-৫২) দা খৃ: ১৭৪৮ গী মে থাগী অরোয়বা চয়োনগী য়ুমশকৈশ নুমিত্তা নিংথৌ ফম্বাল খুৎশিন্নখি। হায়রিবা নুমিৎসিদগী মৈদিংঙুনা কংলা কোনুং পুমথা থাদোক্তুনা মহারানী খয়োঙ্গীরোন (ঙাংবম চনু) পাঙ্গা কৈথেন থানবীগা অরিন্দমগা লোইনদুনা মোইরাং থৱাসু য়াওনা রামশালাদা হোংদোক্তুনা লৈরম্মী। অদুগা মোইরাং কত্বান (লমহাম্ব) না রামনগর (হৈঙাং মখা লৈকায়দা) দা চহিসিগী জুনগী ময়ায়ৱাইদা মৈদিংঙুগী কোনুং শেমদুনা শঙ্গাইনচিংবা শাগৎখি। অদুগা খৃ: ১৭৪৯ গী এপ্রিলগী অরোয়বা চয়োনগী নিংথৌকাবদা মৈদিংঙুনা রামশালাদগী রামনগরদা হোংদুনা পানখিরম্মী। মসিদসু অরিন্দম মহারাজগী রামনগর কোনুংদা মহারাজগী থৌগল তৌদুনা লৈখিরম্মী। রামনগরসিদগী মনাউঙ্গীবুংঙো ৱাংখৈরাকপা খমলাং পামশাবগী মমোম ৱাংঙমলোন সত্যমালাবু অৱা নিংথৌ দিপাটি [Maha Dhamma Raja Dipati (1733-51)] দা থাজদুনা অৱা লৈপাক্তা মচাঙ্গীবেম্মা থিনা চৎলম্মী [মথক্কীসিদা, ১১৯]। অৱা কোনুংদগী মৈত্রবাকলোমদা থোরকপগী মেদু (Myedu) য়ৌরকপদা অৱানা লৌ তৌদুনা কোইশিংগী লৈপাক্তা লান্দাদুনা নমথবীরম্মু হায়বদগী মৈদিংঙুনা অৱা লান্মী পুদুনা কোইশিংবু লোই চনবীরম্মী [মথক্কীসিদা, ১১৯-২০]। অদুগী মতুংদা পোইরৈ মৈত্রবাক্তা হল্লক্তুনা কংলাদা থুংদুনা চঙলল্লগা রামনগরদা মশাগী কোনুংদা লৈখিরম্মী।

মহাক্কী নুংশিববু হাৎখি হায়দুনা ফংফম থোক্লবা নিংথৌ ফম্বাল মহাক্কী নুংশিবগী মচা পীরবা ফাওবদা নিংথৌ ফম্বালদু মীনা মুনখিগনি নত্রগা ফম্বাল পীরিবা মীশক্তুনা ফম্বালদুগীদমক্তা অমুক হন্না লান হৌরক্কনি হায়বসি পাউথোক্তুনা হৌখ্রবা পুৱারীগী ঈ তাখিবা থৌদোক্তুগী ঈনা লমন খুমগনি, হায়না লেপখ্রবী অমসুং লেপখ্রবশিংদুনা ঈ লৌননবগী ফত্তবা শরৌ শিনবা হৌরক্লে। মখোঙদা চহী শেনফু ১০০০ হৈরবসু নোংমাংখানা খক থুন্লক্তে। অদুনা মৈদিংঙু গারিবনিৱাজবু কংলা মনুংদা মখোয়গী মিৎয়েং মখাদা লৈহন্নবগী মওংদা কংলা মনুংগী অঙোম য়ুম্ফম (মমাঙগী অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্টকী ওফিস বিল্ডিং ওইরম্বা চেকশঙনা লৈরিবা মফম) দা কৌশিন্দুনা খৃ: ১৭৫০ জুন হৌগৎলকপদগী লৈহনখি। মফমদুদসু অরিন্দমনা থৌগল তৌরিবনিনা করিসু তৌবা য়াদ্রদুনা চহিসিগী ডিসেম্বর থাগী অনিশুবা চয়োনগী ঈরাই নুমিত্তা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজবু মৈত্রবাক্তা লৈবা য়ারোয় হায়না ঈ মতুমদগী চাওনবা য়োকপীরকপা গরিবনৱাজবু চিৎশাইনা তাম্বোকখি [মথক্কীসিদা, ১২০]।

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা নোংথক্তা তীন শিংকৎচরুবনা থাঙ্গদা মহাক্না থারম্বা ক্না পাম্বী য়েংবা চৎপনি হায়জিন্নদুনা থাঙ্গদা চৎলগা থাঙ্গদগী লোক্তাক লাল্লক্তুনা খোংজোম তারক্লম্মী। মমাঙদা মৈদিংঙুসিনা চৎখিবা মফম পুন্নমক্তুদা অরিন্দমনা থৌগল ইঞ্জদুনা চৎখ্রিবনি। হন্দক্কী খোঙফমসিদসু অরিন্দম মবুংঙোগী থৌগল ইন্দুনা চৎলম্মী। হায়রিবা খোংজোমসিদগী মংশালম্বী (খোইবু হৈরোকলম্বী) দা অৱা চৎননবগীদ্যক্তা মৈদিংঙু অমসুং মহাক্না লোইনরিবশিংদু ৱাংজীংদা হাইগৎলক্লম্মী। ৱাংজীঙগী লমদমসিদা অরিন্দম পুকচৎপগী লাইনানা নারক্লে। হায়রিবা লাইনাসিনা অরিন্দমবু মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মখুত্তগী মুন্দুনা অশি' লৈপাক্তা পুখিরম্মী [শ: ন: স:, ১৯৭১, ২৪৮]। শোক্ল-শম্নবা য়াদনা চহি ৩৪ চুপ্না থাদোক্লদনা লোইনরক্লবী অরিন্দমনা মশাগী চহি ৫৪ দা পুন্সি মৈরা মুৎখিবসিদা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা অরিন্দম অশিবা হকচাংদুবু ৱাংজীঙসি পোৎলোইবীদুনা [মথক্কীসিদা, ২৪৮] মহাক্কী য়াইবী মঙামকপু তাইবং মপুগী মফমদা শ্রীরাম হায়বা মিংথৈসিদা শিন্নবীখিরম্মী।

ৱারোয়শিন : শাগৎ' ৱারীরা নত্রগা পুৱারীরা ?

অরিন্দম বিষকন্যা (Damsel of poison) নি, মহাক মৈত্রবাক্না মেখলীদেশ কৌরিঙৈদা তরানিপানশুবা খৃষ্ট শতাব্দীগী অহানবা তংখায়দা ব্রাম্মা/ম্যান্মা লৈপাক্তগী লাক্তুনা লৈপাকসিদা লৈরখিবনি। হায়রিবা বিষকন্যাশিংগী কলচরসি ভারতবর্ষদা মুস্লিম পেরিওড (Muslim period) মুসলমানশিংনা ভারত্তা লান্দারকপা (চাওরাক্না খৃ: ৮০০) গী মমাঙ অমসুং মখোয়না লৈপাক পাল্লবগী মতমগীসু মমাঙ, হিন্দুশিংগী মতম (Hindu period) তা হিংলম্বা কলচরনি [মথক্কীসিদা, ১৪৪]। ব্রাম্মা/বর্মা অমসুং খা- নোংপোক এসিয়াদি ইন্দিয়ান কলচরগী, মরু ওইনা, অরিবা ইতিহাসকী তাংকক্কী মহুম শাফম্লি। অদুগা অরিন্দমগী পুন্সিগী ৱারীগা মরী লৈনবদা উপন্যাসকী ৱারী-শীঙবুন্দা থম্বীরক্লিবদি:-

... অরিন্দমগী চহি বয়স ২০ খরদা হেল্লিবা পুন্সিগী ৱারী লীবা চুম্মী। খৃষ্টগী ১৬ শুবা শতাব্দগী মনুংদা পোর্টুগীজশিংনা নোংপোক্তা পোর্টুগীজ সম্রাজ অমা শেমগে হোৎনরকপা মতমদা পোর্টুগীজ লমকোয়বা নিপা অমনা খাগ্রন নুপী অমা লৌদুনা অরিন্দম পোকখি। মানা পোকপা মতুং চহি ফাদনা মাবু পোকপা মমা

শিখি। মমা শিখ্রবা মতুংদা লৈপাক কোয়বা মপা পোর্টুগীজ অদু অরিন্দমগী মমাগী লাপ্পবা মরী- মতা অমগী মখুত্তা অরিন্দমবু শিন্নরল্লগা বর্ম্মা লৈপাক থাদোক্তুনা চৎখ্রে। ... মতুংদা অৱা নিংথৌ টানিনগানউইনা... মনাই নিপা অমদা য়োকহনখরে। অহে- অশিঙনা তাকপা মতুং ইন্না অহানবদা অকনবা নত্তবা হূ ... চাং অমা নুমিৎ খুদিংগী পীজহনখি। হূগী চাং অদু নোংমা নোংমগী খর খর হেনগৎহন্দুনা মঙ্গল হৱাই মরুমুক চাওবা হূ চাবদা অরিন্দমগী মশাদা করিসু শোকপা তৌখিদরে ... [মথক্কীসিদা, ১৪৩-৪৪]।

অসিনি। মহাক্না মৈদিংঙু গরিবনিৱাজবু অহানবা উনবা অমসুং মদুগী মতুং তানা চখ্থরকপা পুন্সিগী থৌরম পরেংগী থৌদোকশিং মণিপুর ইতিহাসকী থৌদোক ৱাথোক্কা মরী লৈনবা কুম, থা, থাবান অমসুং নুমিৎ (Year, month, date and day) লৈবা ঙাক্তনি। অদুগা মরী লৈনরিবা, লোইনরিবা মীওইশিং পুন্নমকসু ঐতিহাসিক মীশকশিং নত্রগা মীওইশিং ঙাক্তনি। অমরোমদা অমুক মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী সনাহাক্তকসিদা মণিপুরদা ভারতিয় সংস্কৃতি- সতিদাহন (সতি মৈথাবা) গী মচৎ-মনাৎ [চৈ: কুম:, ২০০৫৮৫, ৯৩-৯৪, ৯৬,৯৮], হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মদা রাধা-কৃষ্ণ লাৎপা নিমাৎ/নিমান্দি সম্প্রদায়, রাম লাৎপা রামান্দি সম্প্রদায়, হিন্দুগী নগুণ (লগুন) থাংবা [মথক্কীসিদা, ৯০, ৯৮], অশিবগী থৌরমদা মৈদা পোৎলোয়বা [মথক্কীসিদা, ৮৫], তীর্থদা অশিবগী হকচাংগী অরেম্বা থাদবা [মথক্কীসিদা, ৮৫], নিংথৌবু মহারাজ কৌবা [মথক্কীসিদা, ৮৫], অসিনচিংবা বঙ্গলাদেশকী অমসুং ভারতবর্ষগী ওইবা কয়ামরুম হৌদোকখিরম্মী। অসুম্না কলচরশিংসিগী মরক্তা বিষকন্যাগী কলচরসিনসু লৈরম্বা য়াবগী থাজবদুগী চাংয়েং তৌরিব্রা হায়না খল্লি। অদুবু হায়রিবা কলচরশিং অসিদি মণিপুরগী রোয়াল ক্রোনিকল চৈথারোল কুম্বাবদা লোয়নমক পল্লি।

অরিন্দমগী পুন্সিগী ৱারী পোকপা, য়োক্লকপা, পুন্সি কথোকপা, মীয়োক-মীকন তৌবা অমসুং তাঁইবংপাল থাদোকখিবগী ৱাফমশিংসি পুৱারীগী ওইবা মীওইশিং অমসুং থৌদোক-ৱাথোকশিংগা লোইননা পুৱারীদা অসুক্কী মতীক নক্লনা পীরি অদুবু মণিপুর পুৱারীগী ওইবা মীওইশিং অমসুং থৌদোকশিংগা লোইননা চৈথারোন কুম্বাবদা পনবদি লায়রদুনা মমি ফাওবা তাদে। অদুগা মহাক্কী ৱাফমসি নত্রগা মসিগী কলচর অমসুং অরিন্দমসিগা মান্নবা মীওইগী ৱারীসি

মৈতৈগী অরিবা লাইরিক (পুরাণ/পুয়া) শিং অমতদা পন্দে। মরম অসিনা মসিবু ঐতিহাসিক চরিত্র (Historical character/person) অমা ওইনা পুথোকপা ঙমদে। তশেংনমক হায়রবদি মসি সাহিত্যনা ইতিহাসতা লংনবনি। মাগী মাগী লমখৈ য়াৎনরিবদুদা হেঞ্জিল্লকপনি। অদুবু উপন্যাসকারনা উৎনীঙলিবদি পুৱারীগী ওইনা লৈরিবা সাহিত্যদা কলচরগী মথেল অমা হাপচিনবনি। মরম অসিনা অইবনা লাইরিক অমখক উপন্যাস ওইনা পুৱারী ওইহন্দনা থল্লম্লিবনি।

মরী মখোঙ উৎচবা

১) চৈ: কুম:, ২০০৫ - ˝ লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ : চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল-২০০৫),

২) শ: ন: স:, ১৯৭১ - শ্রীশঞ্জেনবম নদীয়াচাঁদ সিংহ : ময়াম্বা গরিবনৱাজ (ইম্ফাল - ১৯৭১)

৩) ত: ঙ:, খু: লাই: - তখেন ঙম্বা, খুৎয়ি লাইরিক

খন্ন নৈনখিবা লাইরিকশিং

১) মোইরাংথেম চন্দ্রসিংহ : শমজোক ঙম্বা (ইম্ফাল-২০০২)

২) বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা : মৈদিংঙু গরিবনৱাজ ময়াম্বা (ইম্ফাল-২০০০)

1) J.A. Coulson : A Dictionary of Literature (U.S.A)

2) Hervey : Outline of Burmese History (Calcutta - 1954)

3) Aurthur. P. Phagre : History of Burma (London-1967)

''শীজ গুরু ওঙবী
(ব্রাংঙমলোন চম্পকলতা)
ব্রাহৌদোক

... থাঙ্গ তখেনগী কুম শক ১৬৬৬... পোইনু থা.... ১১ নি লৈপাকপোকপ (খৃ: ১৭৪৪ গী ডিসেম্বরগী ৪ শুবা চয়োন) দা শীজ গুরু ওঙবীনা গঙ্গা ঈরুপ্পা চৎখিএ।। ১২ নি য়ুমশকৈশদা কৃপা রাম ময়াং চঙখিএ [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ১১১]।

মথক্তা থমজরিবা চৈথারোল কুম্বাবা কৌবা লাইরিক্তগী লৌথোকচরকপা ব্রারেং মতেক অসিদা পল্লিবা "শীজ গুরু ওঙবী" হায়রিবী নুপী অসি মৈদিংঙু ময়াম্ব [গরিবনিব্রাজ মহারাজ, বৈষ্ণব থোংনাং ময়াম্বা, ময়াং ঙম্বা, শমজোক ঙম্বা, তখেন ঙম্বা, গোপালসিং, নোংপোক ব্রাইরং পামহাইবা/পামহৈবা, অহানবা (খৃ: ১৭০৯-৪৮)] গী মচাঈবেম্মা ব্রাংঙমলোন চম্পকলতাবুনি। মহাক মৈদিংঙু ময়াম্বা/গরিবনিব্রাজ মহারাজগী অহুমশুবা গুরু (লৌশিঙ, মহৈনচিংবগী লমতাক-লমজিংবীবা মীশক) শান্তিদাস বৈরাজ্ঞ/গোষাই (গোষাঞ্জী)। মহন্তদা ওঙই, অদুনা মহাক নিংথৌগী মচানুপী ওইবগী মিংথোন "শীজ" অমসুং গুরুগা লৌন-লৈনদুনা ওঙবগী "গুরু ওঙবী" হায়বা অনীসিগা পুনশিল্লগা "শীজ গুরু ওঙবী" হায়না মিংথোন্দুনা মাগী মতমদুদা খঙনৈ।

শক্তাক-শকখঙহনবা

শীজ গুরু ওঙবী নত্রগা ব্রাংঙমলোন চম্পকলতাসি মৈদিংঙু ময়াম্বগী তাল্লোই ৮ শুবী হীদাক শুংবী নত্রগা খয়োঙ্গরোন মাইবমচনু লোইবী চরোইঙম্বী নত্রগা তরিন্মালানা পোকচবী মাগী খ্বাইদগী ঈহন হনবী মমোম্নি। মহাকসি শকাব্দ ১৬৪৭ কী হিয়াঙ্গৈগী ১২ নি পানবা থাঙজ (খৃ: ১৭২৫ গী চাওরাক্না নবেম্বরগী অরোয়বা চয়োন) দা মালেম তাইবংপানবদা খোঙদারকখি [মথক্কীসিদা, ৮৬]। মহাক মৈতৈগী কোনুং কংলাগী লৈমা-নিংথৌকোনগী লৈমকোন্দা পোকখিবনি। পল্লেম মমাগী কোকহন-লাইহন ওইবনা অপোকপী মমানা য়াম্না লুনা তৌজবী নিংথৌমচা নুপীনি। মহাক্কী মপা-মমা তীন্নবা মপ্পা ঈবুংশীজ ঙৌব্রাম শাই অমসুং মনাউনুপী ব্রাংঙমলোন হরিপ্রিয়া লৈ। অদুগা মমা তীন্নদবা মবুং-মপ্পাশিং অমসুং মচেমশী

মনাউশীশিং - ঈবুংশীজ অমসুং ৰাংঙমলোন কয়ামরুম লৈ। ৰাংঙমলোন চম্পকলতা মবুং মপ্পাশিং অমদি মচেম-মনাউশিং অদুগী মরক্তা মৈত্রবাক্কী কোনুং কংলাগী মনুংদা য়োক-থাক্লকখি অমসুং চাওরক-শাংলকখি।

অঙাং ওইরিঙৈ অমসুং মহৈ-মশিঙ তম্বা

মৈদিংঙু ময়াম্বা, অৱা/ঔৱা (ব্রাম্মা/ম্যান্মা) লৈপাক্তা লান্দানবগী শিন্ন-পাউমেন্নবা অমসুং শোয়দনা তৌগে-পাংথোক্কে হায়বা ৱাখল, ৱাফম নত্রগা ৱারম (ৱাশক) অমগা লোইননা মশাগী চহি ২০ (কুন) দা খৃ: ১৭০৯ দা মৈতৈ নিংথৌ ওইরকখিবনি [শম: ঙম:, খুৎ:লাই অমসুং চৈথা: কুম:, ২০১৫,৩৪]। মপাবুং তুবী চরাইরোংব (খৃ: ১৬৯৭-১৭০৯) গী মচাঈবেম্মা, মহাক্কীনা মচল ঈবেম্মা ৰাংঙমলোন চকপা মখাওঙন্বীগী হাক্তক্কী অৱা নিংথৌনা লাকচদুনা ৰাংঙমলোনসিবু অৱাগী মহারানী/লৈমরেন ৪ (মরি) গী থাক্তগী থৈথখিবা অমসুং মৈতৈগী লোই চকপা অমসুং তরাউ খুঙ্গং ৮(নিপান) হন্দোক্লক্তবা [শম: ঙম:, খুৎ: লাই:] অদুগী লমন খুন্নবা অমসুং মপাবুং ঈবুংঙোগী লমন শিংনবা অৱা লৈপাক চায়খায়গে, হায়না নিংথৌ ৱারুম, শামু ৱারুম অমসুং মলোম পুদুনা লৈরিবনি। অদুনা মচাঈবেম্মা ৰাংঙমলোন চম্পকলতানা পোক্লক-চাওরকপা মতমসি শা-লান থৌরাং অমসুং লান্দানবগী থৌরাং, লাম্থেং-লানশোক্লবগী ঈরাং অসিনচিংবনা মৈত্রবাক (মেখলীদেশ) কী লৈমায় অমদি কংলা কোনুংগী লমকন মনুংসি পীক থল্লিবা মতম্নি। অদুগা হিন্দু লাইনীঙগী ৱাফমশিংনা মৈত্রবাক্কী অঙম-অথৌশিংগী পুক্নীঙ লাংবা মতম্নি। ৰাংঙমলোন চম্পকলতা পোকপা খৃ: ১৭২৫ গী মতমসিদা মৈদিংঙু ময়াম্ব (গরিবনিৱাজ) সি খৃ: ১৭০৪ দা রায় গঙ্গাধর (রায় বনমালীগী মচানুপা)দা গুরু ওইনা শক্তি ধর্ম্মদা দেবী কালিকা লাৎপা লাইনীঙ লৌদুনা চৎলম্বদগী খৃ: ১৭১৭ তা গোপালদাস মহন্ত/বৈরাজ্ঞদগী বৈষ্ণব লাইনীঙদা রাধা-কৃষ্ণ পোৎপা লাৎপা নিমানন্দি/নিমান্দি লাইনীঙ লৌদুনা [মথক্কীসিদা, ৩৭] চৎলিঙৈগী তাঞ্জানি। গুরু গোপালদাসনা খৃ: ১৭২০ দা মৈত্রবাক থাদোক্তুনা চৎখ্রবদা [মথক্কীসিদা, ৩৮] সীলেট (শ্রীহস্ত) তগী অসামদা মতম খর লৈরুরগা, মদুদগী মৈত্রবাক্তা থোক্লকখিবা শান্তিদাস গোষাই মরাই হাইগৎলকখি [মথক্কীসিদা, ৩৯]। মহাক্না মৈদিংঙু ময়াম্বগী অনীঙ-অপাম্বা পুন্নমক খঙদোক্লগা খৃ: ১৭৩০ দা অকন-অথৌ নীঙবগী লাইনীঙ (Hero

worship cult) রামনর্ন্দি/রামাৎ নত্রগা রামন্দি বৈষ্ণব লাইনীঙগী কাংলুপকী লাইনীঙ লীচৎসি পীখি [মথক্কীসিদা, ৪৩]। অসুম্না শান্তিদাস গোষাইনা মৈদিংঙু ময়াম্বগী খ্বাইদগী হেন্না থাজজরবা অমসুং অথোইবা লমজিং-লমতাকপা ওইরকখি।

মৈদিংঙু ময়াম্বনা রামান্দি লাইনীঙ-রাম, সীতা, লক্ষ্মন অমসুং রুদ্রগী লাংওন হনুমান লাৎপা লাইনীঙসি লৌবা মতমসিদা ৱাংঙমলোন চম্পকলতাসি মশাগী চহি ৫ (মঙা) খক্তা মঙাইরি। লৈমকোন্দা মমা শীজগী মতম্পাক্তা পমলি। ৱাংঙমলোনসিনা খর চাওখৎলকপা মতম, মশাগী চহি ১০ (তরা) শুরকপা খৃ: ১৭৩৫ গী ওক্তোবর থাদা মৈদিংঙু ময়াম্বনা মেতু (Medyu) হায়বা ম্রাম্মাশিংগী কংলৈ (Town) মচাদু লান্দানবা শেম-শারগা লান্দাখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৪৩-৪৪]। মসিগী মমাঙ খৃ: ১৭২৩ দা ম্রাম্মা অমসুং ত্রিপুরী (Mramma/ Burmese and Tripuri) অনি লৌতুনদুনা মৈত্রবাক্কী নোংপোক অমসুং নোংচুপ অনিদগী খন্নাংননা মতম অমতদা লান্দারক্তুনা মৈত্রবাক্তা লানগী মৈশা লাংখি। মতমদুদা শান্তিদাস গোষাইনা ৱাংজীঙ লানফমদা লান য়াওদুনা মৈদিংঙু ময়াম্বগী শা-লান পাম্বগী পুক্নীঙ চিংশিনখি। অসুম্না শান্তিদাস গোষাইনা মৈদিংঙুগী পুক্নীঙ শুমহৎনবা লাক্লদুনা শা-লান্নচিংবা লৈঙাক্লোনগী থবকশিং য়াওরকপদগীদি রামায়ন (রামগী খোঙচৎ হায়বনি) গী শ্রীরামচন্দ্রগী থৌনা ফবগী, অকনবা ওইবগী অমসুং লীরুং-তেন শীজিন্নবা হৈবগী ৱারীশিং লীদুনা তাহন্দুনা মৈদিংঙুসিগী পুক্নীঙ রামচন্দ্রগী ৱাখন্দা লুপশিন্নবা হোৎনরকখি। অদুম ওইনমক মৈদিংঙুসিগী পুক্নীঙদি লৈপাকসিগী মপা-মপু নীঙবা লাইনীঙ (Ancestor worship or Forefather veneration cult) কী অথোইবা লাই, লাইয়িংথৌ ৱা-হায়বা, তাইবং খায়বা নত্রগা ফাল্লৌ খোম্বা (লাইয়িংথৌ সনামহী) বু থাদোকপা লৈতে অমসুং হান্নগী হিন্দুগী শক্তি লাইনীঙ কালিকা লাইরেম্মা অমসুং বৈষ্ণব নিমান্দি লাইনীঙগী লাই কৃষ্ণবু থাদোক্লমদে [মথক্কীসিদা, ৩৭,৪১ অমসুং সনা: লাইকন, খুৎ: লাই:]। অদুমকপু শান্তিদাস মহন্তনা অসুম অসুম তকশিল্লক্তনা খৃ: ১৭২৯ দা রামগী মনাই হনুমানগী শক্তম কৈথেন্দা য়ুংলম্বা নুঙনা শাদুনা মোংবহনবা উমংদা লাৎখ্রে অমসুং খৃ: ১৭৩০ হৌগৎলকপদা রামান্দি লাইনীঙদা লাইমিং লৌখ্রে [মথক্কীসিদা, ৪২, ৪৩]।

পুন্সিগী খোঙচত্তা শীজ গুরু - ওঙবী

ৱাংঙমলোন চম্পকলতানা মশাগী চহি ৯/১০ দগী মৈতৈ নুপী ওইবগী ফিশা-লোনশা অমসুং ফিরোন- ফিরীবগী মহৈ-মশিঙ মমাশীজ মাইবমচনু হীদাকশুংবীগী মফমদগী অমসুং অতৈ নিংথেমনুবী খরদগী তমলকখি। অদুবু শা-লানগী ঈরাং মরক্তা চাওরকপী ওইবনা শীনফম-শীল্লমশিংদুদা কয়া মপুক্লীঙ চঙলক্তে নিংথৌগী মচাঈবেম্মা ওইবনা মবুং শীজশিংনা শা-লানগী মহৈ-মশিঙ তম্বা অমসুং লানগী মশান্নশিং শান্নবা অদুদনা হেন্না পুক্লীঙ থল্লম্মী। মপাবুং ঈবুংঙোনা তারিবা রামায়নগী রাম-লক্ষ্মনগী লানগী ৱারী অমসুং রামবু নীঙবা হনুমন্ত লাম্ণৌয়াঙ, সুগ্রিব লানহৈবা য়োং-নিংথৌ অমদি মহাক্কী য়োংগী লাল্লোই অথৌবশিং, লাল্লোইলেন লাম্ণৌবশিংগী লানশোক'-ৱারীশিং তাবদা মহাকসু নুম্নিৎ খুদিংগী তাবা য়াওরম্মী। অদুবু শক ১৬৫২ গী হিয়াঙ্গৈ হুমনি পানবা নিংথৌকাবা (খৃ: ১৭৩০ গী নবেম্বর থাগী অহুমশুবা চয়োন্দা) গুরু শান্তিদাসনা শ্রীহস্ত/সীলেটতা "রামায়নগী তাংকক তরেৎ" অদুগী অশুবা মপুম্নদু লৌবা চৎখিবা [মথক্কীসিদা, ৪৩] দগীদি নীঙথীনা ৱারীদু তাবা ফংখিদ্রে। খৃ: ১৭৩১ গী ফেব্রুৱারী-মার্চ থাদগীদি মপ্পা ঈবুংঙো ভৌব্রাম শাইনা তাইবং খোঙদারকপদগীদি মপ্পা লৌবগী, অঙাং থেম্বগী, পম্বগী অমসুং পীজ-পীথকপগী শীল্লম অমসু ৱাংঙমলোন চম্পকলতাদা হাপকৎলকখি। মতমসিদা মহাক মশাগী চহি ৫/৬ তা ঙাইরিবীনি। অদুবু নিংথৌ মচা ওইদুনসু মপ্পাগী মপী (য়োকচবী/Nursing mother) থমদুনসু মপ্পাবু য়েংবসি মচেমশিংগী মথৌনি।

য়ুম্বানবগী পুন্সিদা

মৈদিংঙু ময়াম্বগী সনা হাক্তক অসিদি শা-লাননা মরু ওইবা শীনফম্নি অমসুং শীল্লমনি। শা-লান য়াওদ্রবদি য়ারমদে, লানফম থৌনা ফরবদি অথোইবা মিংচৎ ফংবদা নত্তনা মনা-মথুম (Prize/Award or Reward), ফমথোন, খ্বাই মীয়ামগী ঈকাই খুম্নবা অমসুং লৈমা-নিংথৌনা চান্দুনা মীথক থোংবা ফংই। অদুগা মনা মথুমদা খ্বাইদগী হেন্না থাক ৱাংবা অমসুং চাওরসি মৈতৈ নিংথৌসিগী মচাঈবেম্মা ফংবনি। অসুম্না মথৌনা মরীংজেনগীদমক্তা মৈদিংঙু ময়াম্বগী মচাঈবেম্মা ৱাংঙমলোনশিং ফংখিবসি - (১) হাওবম অকোঙ নত্রগা কৈবীরাম, (২) থাঙজবা চেকশা নত্রগা চক্রপানি, (৩) শান্তিদাস গোষাই নত্রগা গুরু মহন্ত,

অসিনচিংবনি। অসিগুম্বা মৈতৈ লৈপাক্কী চৎন-লোনচৎ অমসুং মৈদিংঙু ময়াম্বগী অনীঙ-অপাম্বা- থৌনা ফবা, মরীন/মরীংজেন পানবা অকন-অথৌশিংবু ঈকাইখুম্নবা অমসুং লুনা-চাননা তৌবগী মনাৎ অসি খঙদুনা সীলেটতগী লাকপা শান্তিদাসনা খৃ: ১৭১৫ দগী মৈত্রবাক্তা লাইনীঙগী মমিংদা লাক্কুনা অমসুং থবক লৌখত্তুনা চঙলক্লগা মৈতৈ নিংথৌ খল্লকখিবনি। মহাক্না খৃ: ১৭২৩ দগী হৌনা মৈদিংঙু ময়াম্বগী মরু ওইবা লানফম কয়া য়াওরকখি অমসুং শরুক য়ারকখি [মথক্কীসিদা, ৪০-৪৭], খুন কয়া মশানা লাঞ্জিংদুনা লান্দারকখি, খুঙ্গং কয়া, কৈথেন কয়া শেম্লকখি [মথক্কীসিদা, ৪০-৪৭] অমসুং লম্বী-থোং কয়াসু থোল্লক-শেম্লকখি। অদুগীসু মথক্তা লৈপাক-নিংথৌগী লাইনীঙলোন অমসুং লাইনীঙগী লমজিংবা অমসুং অমম্ববু ঙানহনব (গুরু) নি। মরম অসিনা মৈদিংঙু ময়াম্বনা মচাঈবেম্মা থাজগে হায়না ৱারেপ লৌখিরম্মী।

মৈদিংঙুনা মহাক্কী তাল্লোই মাইবম চনু হীদাকশুংবীদা মশাগী ৱারেপ গুরু শান্তিদাস মহন্তদা মচাঈবেম্মা থাজগে লেপ্পদু হায়দোক্কুনা ৱা তানরে। মতমসিদা লৈমসিগী মচাঈবেম্মা অহন চম্পকলতাসি থাজ-য়োঞ্জবা য়াবগী মতম ওইরে। মশাগী চহি ১৩ শুরে। মরম অসিনা গরিবনিৱাজসিনা লৈমসিগা মচাঈবেম্মসিবু গুরুগী ময়ুম লৈরিবা খৃ: ১৭২৫-২৬ তা তৌদুনা হোঙখিবা কোংবগী পুথি লম ১০০ শুবা (হৌজিক্কী ৱাংখৈগী নিংথেম পুথি) গী অৱাং-নোংচুপকী কাচিনগী মপান্দা থিম্বদুনা লৌন-লৈনবা পীখি, মসিগী মতাংদা পীবীরম্লিবদি :-

.... থিংবাইজম কারুগী কুম শক ১৬৬০... কালেন থা ... ১৪ নি থাঙজ (খৃ: ১৭৩৮গী মেগী অরোয়বা চয়োনদা) দা ঈপী হীদাকশুংবীনা মচা শীজবু নিংথেম য়াওনা গুরুদা থিম্বেএ [মথক্কীসিদা, ৪৭ অমসুং চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৯৮-৯৯]।...

অসিনি। অসুম্না ৱাংঙমলোন চম্পকলতাসি মৈদিংঙুগী গুরু শান্তিদাস গোষাইগী তাল্লোই ওইনা অওঙ-অউন তমদুনা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাখি। অদুগা ৱাংঙমলোনসিগী অওঙ-অউনগী মতাংদা পীবীরম্লিবদি :-

লাইরেন মৈতেংঙুনা মমোম তমফা ৱাংঙমলোন চম্পকলতা অহেনবীবু গুরু সনা মখোঙ খাদা কৎচখিয়ে। মুৱাপল্লী মরমখৈগী লমলেন উফোং পাৎসুং ৱাংঙমলোনগীদমক্তা অওং-অউন তন্বীখিয়ে [ও: ভ: স:, ১৯৭৪, ১১১]।

অসিনি। মথক্কী ৱারেং মর্তৈক অসিদা "উফোংপাৎ" হায়রিবসি মোংবহনবা উয়োককোন নত্রগা মহাবলী উমংগী মমাঙ (নোংপোক) দা লৈরম্বা পাৎনি, মসিবু মমৈথংদা "গুরুপাৎ" হায়নসু খঙনৈ [মথক্কীসিদা, ১১১]। অসুম্না ৱাংঙমলোন চম্পকলতা গুরু শান্তিদাস গোষাইগী তাল্লোই ওইনা খৃ: ১৭৩৮ দগী লৈরকখি।

ৱাংঙমলোন চম্পকলতাগী য়ুম্বানগী পুন্সিদু য়াম্না মরা তপ্না ঈংনা চীক্না পানবা ওইখি। অদুবু মীঙোন্দগী হেন্নবা, মীথোই- মীহেন্নবা অমসুং লাইনীঙলোন্দা অথোইবা, লাইনীঙ চেৎপা অমসুং মী অতৈনা তৌবদা ৱারগদবা, কিনরগদবা লাইনীঙ খুৎনীঙগী লোনচৎ চৎপা অমা ওইনা গুরু শান্তিদাস গোষাইনা উৎনবা হোৎনবা অমসুং উৎপনিনা নুপা-নুপীগী য়ুম্বানবগী মরীদা পুক্নীঙ থল্লমদে। শান্তিদাস গোষাইনা মৈতৈগী মীচম-মীয়ামদা উহনখিবা লাইনীঙ খুৎনীঙ অদুদি :-

... গোপালসিং ময়াম্বনা.... সনা লৈপাক ঙাক্লিনৈদা লম্বোই লাইবু নীঙবনা তপস্য মফমলেন লেমথোং লৈশাংথৌ মহিথেন্দা বৈষ্ণব মতীক অরুববু পোইরে মীয়ামদা খঙহনগে, হায়বগী - লোইদাম ৱাকচীঙ থা উনথম থোইনা চীথোইবা থাবুম চুপনা লম্বোই মাগী লৱাই কোয়রেনতোন্দা লাইজা থোইনা চীকপবু পুল্লাং নীঙকোয় হুৎনা, ধারা ঈহৈথববু চৈরেপ্তা, হকচাং চায়চোৎ কংহন্দনা লাইজা ঈনোৎ হাপহল্লে।

লোইদাম কালেন-থা অশাউবা মহাক্তদি আসন মফমলেনগী ফানথোঙ চীথেক ৪ (মরি) মদা শীঙবী ঙমজাও য়াম্না পৈ, মৈরুপ চাওনা হৌ, মৈরী মকা লামববু কালেন থাবুম চুপ্না চকমোম মৈমুৎহন্দববু হুম্মাং লৈরীক অমবু কাবীদে, লোকলৌ লমখুম ঈবু হৌবীদে॥

থৌরম অমসুং শিলোৎ মপুঙয়ায়দগী ঙাইরোইনরকপা তাউবা মহুইচা.... মাগী লুৱাই কোয়রেনথক্তা চকমোম থাউমৈ থাননা য়োঈনা থৌখন্নেয়ে।

লোইদাম ঈঙা থাগী ঈশিং তমলেন চাওথোইবা অদুদসু লাইজা ঈদা কুমনা য়োঈবু খোইমোম লাইরেম্মা লাইজা ঈরৈমগা ঈরোইননা ঈশিং তমলেননুংদা শান্নববু তাইবং নোংশা পানগুময়ে।... য়োঈবু লাইরেম্মগী শমু খুৎথুম চনখিদে। নুংঙাই মহৌশাগুম... য়োঈনৈয়ে [মথক্কীসিদা, ৬১-৬২]।

ঈথক কানরিঙৈগী মরক্তুদা [মথক্কীসিদা, ১১০-১১১] মিৎলুগী পিরাংনা মহাক্কী মিৎস্নাদু থুমহৎখি। নোংদম্বগী তমথীরবা নোংদমখোন্না মশাগী চহি ১৯ (তরামাপন) খক্তদা লুখ্রা ওইবগী ফিবম ফংজরবী লাইবক থীরবী নিংথৌ মচানুপী ওইরে। অদুবু করি তৌরুগনি কপচবা নত্তনা, মরমদি নুপীচা ওইবীশিংগী কপ্পনা থন্মোই মৈচাক অমসুং ৱাখলগী মৈশা খাঙনবগী পাম্বেনি।

অহানবা গঙ্গা ঈরুপখিবী ৱাংঙমলোন

ৱাংঙমলোন চম্পকলতানা মপুরোইবা গুরু শান্তিদাস গোষাই অৱাগী লানশঙদা থা তরামাথোই লৈরম্লগা খঙহৌদনা নোঙ্গাখিবগী পাউসি মবুংশীজ মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইরাকপদগী অমসুং মপুরোইবগী লূ (শৱা লূৱাংথৌ) পুরক্তুনা খুৎশিন্নরবদা মপুরোইবা লৈখিদবগী তৌবা হৌনবা অশিবগী লাইথৌ থৌরম (শোরাৎ/শ্রাদ্ধকর্ম্ম), লৈখিদ্রবনা পামজরম্বা হিন্দুগী পুন্সি লাইথৌ থৌরমদা মণিপুরগী মহাক্কী লৈফম মতমদুগী কোংবগী (হৌজিক্কী ৱাংখৈগী) পুখ্রি অচৌবা (নিংথেম্ পুখ্রি) মপান্দা পাংথোকখি। শান্তিদাস গোষাইগী গোত্র/য়েক, প্রবর (ঋষি মশীঙ) অমসুং চৎলিবা বেদ হৌজিক খঙদ্রবসু মতমদুদদি খঙবনিনা সাম বৈদিক ব্রাহ্মন ওইনা পাঙথোকখিরম্মী। গোত্রগী মতুং ইন্না নুমিৎ ১১/১৩ নিদা শোরাৎ শোল্লম্মী। লৈতবা কুমদুগী অরোয়বা অশি-লাইথৌ (শোরাৎ) অসি পাংথোকখ্রগা ৱাংঙমলোনসিনা মতমদুদা নৌনা চৎনরক্লিবা হিন্দু লাইনীঙগী লঙজ-লাঞ্জবগী ফত্তবা মহৈ পুম্বা কোকপী হায়না লৌনরিবা লাইরৈপাক্তগী পুথরকপা অশেংবা ঈচেন্নি, ৱাংবন-নোংমদোনক্কী খোইয়ুম-খোইমোম, চীঙঙু-চীঙঙুরেম্বী অমসুং লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মশিংগী তুরেন্নি হায়নরিবা গঙ্গা তুরেন্দা শৱা লূৱাংথৌ (শরদ্ধ/অস্তি) দু থাদ-হুন্থদুনা ঈরাৎ- থৌনী তৌদুনা খুরুম-খাজঙজরুনবা অমসুং শেংলবা ঈচেন্দুদা লুপচরুদুনা লঙজ-লাঞ্জবগী ফৎলোয়দবা মহৈ কোকচগে, হায়না চপ য়ুংনা নীঙখিরম্মী। ৱাফম অসি চীন্না ফোঙদোক্তুনা মৈত্রবাক্তগী লাপ্পা লৈপাক অনি লাননা চৎলগা লৈগদবা নত্রগা চেনগদবা তুরেন অদু য়ৌনা পুবীনবা মবুং-মপ্পানচিংবদা হায়জবদা কনাসু চোংথোকপীরক্ত্রে। মৈদিংঙুনা লৈপাক পুঙজাও থীন্দুনা মচা ঈবেম্মবু তেংবাংদুনা গঙ্গা তুরেন তাননা পুবীনবা মতেং পীবী- তৌবীনবা মী থিরক্লম্মী। মতমসিদা কৃপারাম কৌবা কাশ্যপ গোত্রগী শান্তিপুর জগন্নাথবারী বঙ্গলাদেশতগী লাকপা কাব্য ঠাকুর তেৱারীগী চাদা-নাউদাগী ব্রাহ্মন অমা চোংথোক্লক্তুনা পুবীগে, হায়না য়াখি অমসুং পুবীখি। মসিগী মরমদা পীবীরম্বদি :-

(১) .... থাঙ্গা তখেনগী কুম শক ১৬৬৬ ... পোইনু থা.... ১১ নি লৈপাকপোকপা (খৃ: ১৭৪৪ গী ডিসেম্বরগী অরোয়বা চয়োন্দা) দা শীজ গুরু ওঙবীনা গঙ্গা ঈরুপ্পা চৎখিএ॥ ১২ নি য়ুমশকৈশদা কৃপারাম ময়াং চঙখিএ [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ১১১]।...

(২) ... থাঙ্গা তখেনগী কুম শক ১৬৬৬ ... পোইনু থা ১১ নি লৈপাকপোকপদা শীজ গুরু ওঙবী গঙ্গা ঈরুপ্পা চঙখিএ [চৈথা: কুম:, ২০১৫, ৫৩]।...

অসিশিংসিনি। ৱাংঙমলোনগী গতি তৌদুনা গঙ্গা য়ৌনবা পুবীখি, হায়দুনা কৃপারামসিগী ময়ুমবু গতিময়ুম নত্রগা বাঙ্গালী খোন্থোক্তা "গোতিময়ুম" হায়না য়ুম্নাক/শাগৈগী মমিং থোনখি। শাগৈসি হৌজিক হৌজিক লৈরি। অসুম্না ৱাংঙমলোন চম্পকলতাসিনা মৈতৈ নিংথৌ মচা নুপীশিং অমসুং মৈতৈ নুপীশিংগী মরক্তা/মনুংদা খ্বাই পুম্নমক্তগী ঈহান হাননা গঙ্গা ঈরুপখিবী ৱাংঙমলোন ওইখি।

অরোয়বা পুন্সিগী শরুক

মশাগী চহি নৌনা চহি ১৩ খক্তদা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা চঙলগা মশাগী চহি নৌনা চহি ১৯ খক্তদা খৃ: ১৭৪৪ দা লুখ্রা ওইহৌরবী ৱাংঙমলোন চম্পকলতাসি য়ুম্বানবগী পুন্সিসি শুপ্নগী চহি ৬ (তরুক), খৃ: ১৭৩৮ দগীনা খৃ: ১৭৪৪ ফাওবা খক্তনি। মহাক মপুরোইবা গুরু শান্তিদাস গোষাইগী মচাগী মমা ওইবা ফংজখিদে। মপুরোইবা নোঙ্গাখিবগী অশিবগী লাইথৌ থৌরম (শোরাৎ) পাংথোক্লম্লগা মহাক মপুরোইবগী লূ (শৱা লুৱাথৌ) গঙ্গাদা থাদরুনবা মৈত্রবাক থাদোক্তুনা বঙ্গ/গৌরদেশতা চৎখি। মহাক্না গঙ্গা য়ৌনবা চৎখিবা লম্বীসিদি :-

.... The direct communication between Manipur and Bengal is by Khaspur, the capital of Cachhar to Shrihatta (Sylhet)....[রা: কু: স: স:, ১৯৬৪, (৯):- Francis Hamilton গী Account of Assam দগী লৌথোক্লকপা]।

অসিনি। অদুগা ৱাংঙমলোনসিনা গঙ্গা ঈরুপ্পুরগা মৈত্রবাক্তগী চৎখিবদগী থা ১২ (তরানিথোই) নত্রগা চহি অমরোমগী মতুংদা থুংলখি, মদুগী পীবীরম্লিৱা ৱারোন্দি :-

(৭) .... কোমোল লমজাগী কুম শক ১৬৬৫ ... পোইনু থা থানীননোং লংমাইজীঙদা গুরুনা অৱা নাবা যাত্রা ৭ৌএ॥ .....॥ ৱাকচীঙ থা লৈপাকপোকপনা হল্লে। থা অহন্নোং (খৃ: ১৭৪৪ গী জানুৱারীগী ময়ায়দা) দা গুরু অৱা নাবা শানএ [মথক্কীসিদা, ১০৮-১০৯]।

অসিশিংসিনি। অকোনবগী খৃ: ১৭৪৪ গী অৱাদা লান্দাবা চৎলিবসিদগী শান্তিদাস গোষাইসি অমুক হন্না অহিংবা মী ওইনা মেখলী লৈপাক মৈত্রবাক অসিদা হল্লক্করোয়। চৎলিবা লানগী খোঙচৎসি অৱা/ম্যান্মারগী শগাইং/শগাং (Sagaing or Tsit-Kiang, 21.54N, 96.2E) কংলৈ (Urban area or town) দা লান্দাবা চৎপনি। কংলৈসিগী মনাক নকপা লম/মফম অমদা লানশঙ শাদুনা লান্দানবগী তাঞ্জা অমসুং খুদোংচাবা লুমদুনা অদুম লাল্লুম-লানশঙদা মৈতৈগী লাম্মীশিংগা লৈখ্রবনি। অসুম্না লৈখিবসিনা থা ১১ (তরামাথোই) শুরক্লবদা লানশঙসিদা নারক্তুনা মহাপুরুষ শান্তিদাস গোষাই অৱাগী লাল্লুম-লানশঙদুদা লৈখিদবনি। মহাক নোঙ্গাখিবগী পোৎলোয়রগা মৈদিংঙুচা শ্যামজাই খুরাইলাকপনা অৱাগী শগাইং মনাক্তা শারিবা মৈতৈগী লানশঙদুদগী লাক্তুনা মহাক্কী লু (অস্তি) পুদুনা মৈত্রবাক্তা লাকখিবনি। মসিগী মরমদা থন্বীরম্বা ৱারোন্দি :-

.... কোমোল লমজাগী কুম শক ১৬৬৫ ... ৱাকচীঙ থা... থা অহননোং (খৃ: ১৭৪৪ গী জানুৱারী থাগী থায়াঈদা) গুরুনা অৱা নাবা শানএ॥... থাঙ্গা তখেনগী কুম শক ১৬৬৬ ... হিয়াঙ্গৈ থা.... ২৭ নি লৈপাকপোকপা (খৃ: ১৭৪৪ গী ডিসেম্বরগী অনিশুবা চয়োন্দা) দা অৱাদা মহাপুরুষ লীলা ওইখিএ॥ থাশিনোং ঈরাই (ডিসেম্বরগী অনিশুবা চয়োন লোয়বদা) অৱাদগী শ্যামশাই থুংলৈএ [মথক্কীসিদা, ১১১]।

অসিনি। মৈদিংঙু চা শ্যামশাই খুরাইরাকপনা মৈত্রবাক্তা থুংলরগা গুরু শান্তিদাস গোষাই নোঙ্গাখ্রে, হায়বসি মৈদিংঙু ময়াম্বনচিংবসু খঙনখি।

ৱাংঙমলোন চম্পকলতানা মবুং শীজ শ্যামশাই খুরাইরাকপনা মপুরোইবা গুরু শান্তিদাস গোষাই নোঙ্গাখিবগী পাউ অসি তম্লরবদা মনাউ ঈবেম্মা হরিপ্রিয়াবু ময়াং (ডিমাসা/কছাডী) নিংথৌ মচা সন্ধীকারী [নত্রগা হিরম্বেশ্বর হরিশ্চন্দ্র, নারায়ন অনিশুবা (খৃ: ১৭৬৫-৮০]। দা থাজদুনা লাংনরিঙৈ, নুংঙাইবা হরাউবগী

অসিশিংসিনি। অসুম্না লাইনীঙদা পুক্লীঙ চেৎনা নত্রগা মীয়ামদা কিহন্নবা উৎপসিনা নুপা-নুপীগী য়ুম্বানবগী মরীদা পুক্লীঙ থমদবসিনা গুরু শান্তিদাস গোষাঞ্জী অমসুং ৱাংঙমলোন চম্পকলতাগী য়ুম্বানবগী পুন্সিদা চাদা-নাউদাবা ঙমখিদে। অদুনা ৱাংঙমলোনসি মচা ঈবুংঙো নত্রগা মমোম ঈবেম্মা অমতা ফংখিদে।

চম্পকলতা লুখ্রা ওইহৌবা

লৈপাক থৌনা কনবরা, লন্নাই থৌনা লুবরা? লৈপাক থৌদাংনা চাওই, খ্বাইগী থৌগায়না লুম্মী, হায়বা ৱাখল লৈবা শান্তিদাস গোষাইনি। ৱাংঙমলোন চম্পকলতাগা য়ুম্বানমিন্নদুনা লৈমিন্নরিঙৈদসু শান্তিদাস গুরুসি লৈপাক্কী থবক য়াম্না তৌখিরম্মী। মদুশিংদুগী মরমদা চৈথারোল কুম্বাবদা পীরম্বদি :-

(১) .... থিংবাইজম কারুগী কুম শক ১৬৬০... লাংবন থা ... ১৭ নিংথৌকাবা (খৃ: ১৭৩৮ গী ওক্তোবর হৌগৎলকপদা) গুরুনা মোইরাংদা শামু তানবা চৎএ॥ ২৭ ঈরাইদা থুংলৈ [চৈথা: কুম:, ২০১৫, ৯৯] ॥

(২) ... পোইনু থা.... ১১ নি লংমাইচীঙ (খৃ: ১৭৩৮ গী ডিসেম্বরগী অরোয়বা চয়োন) দা গুরুনচিংবা অৱা নাবা থুংলৈএ [মথক্কীসিদা, ৯৯]।

(৩)..... ৱাকচীঙ থা.... ২১ নি থাঙজ (খৃ: ১৭৩৯ গী ফেব্রুৱারীগী ২ শুবা চয়োন্দা) গুরুগা ঈবুংঙো শ্যামশাইগা অৱা নাবা থুংলৈ [মথক্কীসিদা, ৯৯]।

(৪) .... মোইরাং কোইরেংগী কুম শক ১৬৬২ লমতা থা ৯ নি থাঙজ (খৃ: ১৭৪১ গী মার্চ থাগী অরোয়বা চয়োন্দা) দা গুরুনচিংবা মরিং নাবা থুংলৈএ [মথক্কীসিদা, ১০৮]।

(৫) ... শুগ্নু ক্যাম্বগী কুম শক ১৬৬৪... ফাইরেন থা ১০ নি নিংথৌকাবা (খৃ: ১৭৪৩ গী ফেব্রুৱারীগী অরোয়বা চয়োন্দা) দা গুরুনা খোংজাই নাবা শানএ [মথক্কীসিদা, ১০৭]। ২৩ নি থাঙজদা গুরুনা খোংজাই নারুবা থুংলৈএ॥

(৬) .... ফাইরেন থা... থাশিনোং লংমাইজীঙ (খৃ: ১৭৪৩ গী মার্চগী অহৌবা চয়োন্দা) গুরুনা নিংঙেন্দা থুমখোং হুকপা চৎএ। অদু নুমিত্তা গুরুগী শঙ্গাই মৈহৌএ [মথক্কীসিদা, ১০৭]।...

(৭) .... কোমোল লমজাগী কুম শক ১৬৬৫ ... পোইনু থা থানীননোং লংমাইজীঙদা গুরুনা অৱা নাবা যাত্রা তৌএ॥ .....॥ ৱাকচীঙ থা লৈপাকপোকপনা হল্লে। থা অহন্নোং (খৃ: ১৭৪৪ গী জানুৱারীগী ময়ায়দা) দা গুরু অৱা নাবা শানএ [মথক্কীসিদা, ১০৮- ১০৯]।

অসিশিংসিনি। অকোনবগী খৃ: ১৭৪৪ গী অৱাদা লান্দাবা চৎলিবসিদগী শান্তিদাস গোষাইসি অমুক হন্না অহিংবা মী ওইনা মেখলী লৈপাক মৈত্রবাক অসিদা হল্লক্করোয়। চৎলিবা লানগী খোঙচৎসি অৱা/ম্যান্মারগী শগাইং/শগাং (Sagaing or Tsit-Kiang, 21.54N, 96.2E) কংলৈ (Urban area or town) দা লান্দাবা চৎপনি। কংলৈসিগী মনাক নকপা লম/মফম অমদা লানশঙ শাদুনা লান্দানবগী তাঞ্জা অমসুং খুদোংচাবা লুমদুনা অদুম লাল্লুম-লানশঙদা মৈতৈগী লান্মীশিংগা লৈখ্রবনি। অসুম্না লৈখিবসিনা থা ১১ (তরামাথোই) শুরক্লবদা লানশঙসিদা নারক্তুনা মহাপুরুষ শান্তিদাস গোষাই অৱাগী লাল্লুম-লানশঙদুদা লৈখিদবনি। মহাক নোঙ্গাখিবগী পোৎলোয়রগা মৈদিংঙুচা শ্যামজাই খুরাইলাকপনা অৱাগী শগাইং মনাক্তা শারিবা মৈতৈগী লানশঙদুদগী লাক্তুনা মহাক্কী লু (অস্তি) পুদুনা মৈত্রবাক্তা লাকখিবনি। মসিগী মরমদা থন্বীরম্বা ৱারোন্দি :-

.... কোমোল লমজাগী কুম শক ১৬৬৫ ... ৱাকচীঙ থা... থা অহননোং (খৃ: ১৭৪৪ গী জানুৱারী থাগী থায়াঈদা) গুরুনা অৱা নাবা শানএ॥... থাঙ্গা তখেনগী কুম শক ১৬৬৬ ... হিয়াঙ্গৈ থা.... ২৭ নি লৈপাকপোকপা (খৃ: ১৭৪৪ গী ডিসেম্বরগী অনিশুবা চয়োন্দা) দা অৱাদা মহাপুরুষ লীলা ওইখিএ॥ থাশিনোং ঈরাই (ডিসেম্বরগী অনিশুবা চয়োন লোয়বদা) অৱাদগী শ্যামশাই থুংলৈএ [মথক্কীসিদা, ১১১]।

অসিনি। মৈদিংঙু চা শ্যামশাই খুরাইরাকপনা মৈত্রবাক্তা থুংলরগা গুরু শান্তিদাস গোষাই নোঙ্গাখ্রে, হায়বসি মৈদিংঙু ময়াম্বনচিংবসু খঙনখি।

ৱাংঙমলোন চম্পকলতানা মবুং শীজ শ্যামশাই খুরাইরাকপনা মপুরোইবা গুরু শান্তিদাস গোষাই নোঙ্গাখিবগী পাউ অসি তম্লরবদা মনাউ ঈবেম্মা হরিপ্রিয়াবু ময়াং (ডিমাসা/কছাড়ী) নিংথৌ মচা সন্ধীকারী [নত্রগা হিরম্বেশ্বর হরিশ্চন্দ্র, নারায়ন অনিশুবা (খৃ: ১৭৬৫-৮০]। দা থাজদুনা লাংনরিঙৈ, নুংঙাইবা হরাউবগী

.... স্নশম মায়চৌগী কুম শক ১৬৬৭... পোইনু থা... ৩ নি ঈরাই (খৃ: ১৭৪৫ গী ডিসেম্বরগী অহুমশুবা চয়োন্দা) দা শীজ গুরু ওঙবীগা কৃপারামগা কবোদগী থুংলৈএ [চৈথা: কুম:, ২০১৫, ৫৪]।

অসিনি। মণিপুরগী নোংচুপলোমদা চংখ্রগা লৈপাকসিগী নোংপোক্লোমদগী হল্লকই নত্রগা থুংলৈ হায়না পীবীরম্লিবসিদা ৱাফম অমা লোত্তুনা থম্বগুম তৌরি, মদুদি শীজ গুরু ওঙবীসি বঙ্গদেশতগী অহোম লৈপাক ফাওরগা তাজু চীঙনুংহুৎ লম্বী (Tazu pass) লাল্লগা মপুরোইবগী নোঙ্গাফম অৱা (Burma/Mramma) লৈপাক্কী শগাইং কংলৈগী মনাক্কী লমদু য়ৌরুরগা মৈত্রবাক্তা হল্লকপা থোক্লকপা মাল্লি।

ৱাংঙমলোন চম্পকলতাগা মরী লৈনবা ৱারোল চৈথারোল কুম্বাবদা মথক্তা পীজরিবা থংনবা ৱারোলসিনা অরোয়বনি। মতমসিদদি মহাক মশাগী চহি ২০/২১ (কুন/কুনমাথোই) (খৃ: ১৭৪৫-খৃ: ১৭২৫) দমক ঙাইরি, য়াম্না চহি নৌরি। অদুবু মখা তাবা অঁইবা ৱারোল ফংদ্রবনা মহাক করম্বা চহিদা নত্রগা মশাগী চহি কয়াদা নোঙ্গাখিবগে হায়বগী তাংদাঙবা (তং তাবা) খঙবা ঙমজদে। মহাক্কা পোকমিন্নবী মনাউ ঈবেম্মা হরিপ্রিয়া ময়াংলৈমা (কছাড়গী লৈমরেন/মহারানী), নোঙ্গাবগী ৱাফমদি খৃ: ১৭৮৮ গী কুম্বারোলগী ৱারোলশিংদা য়াওরি [মথক্কীসিদা, ৭৩]। মরম অসিনা মহাক (চম্পকলতা) না নোঙ্গাখিবগী মতমসি হায়জবা ঙমজদে। অদুবু থাজজবদি মহাক চহি নৌনা খৃ: ১৭৫৮-৫৯ গী খুন্তাকপদা নত্রগা খৃ: ১৭৬৫ গী খুন্তাকপদা [মথক্কীসিদা, ৫৮, ৫৯] নোঙ্গাখিরম্বা য়াই, হায়বসিনি।

ৱাখোম ৱারোয়

শীজ গুরু ওঙবী (ৱাংঙমলোন চম্পকলতা) মৈদিংঙু ময়াম্বা/গরিবনিৱাজ মহারাজনা মাইবম নিংঙোন হীদাক শুংবী (লোইবী চরোইঙম্বী নত্রগা তরিন্মালা) পান্দুনা পোকপী লৈমসিনা পোকচবদগী কোকহন-লাইহন ওইবী মমোম লাংলেন অহন্নি। মহাক মৈতৈ নিংথেমচা শাগৈ নরসিংহ বংস নত্রগা সেনাপতিময়ুমগী পুকোক পুরেন মৈদিংঙুচা ঙৌব্রাম শাইগী মচেম শীজনি। ৱাংঙমলোনসি খৃ: ১৭২৫ দা পোকখি অমসুং মশাগী চহি ১৩, খৃ: ১৭৩৮ দা মপাবুং ঈবুংঙো ময়াম্বনা মহাক্কী রামান্দি বৈষ্ণব লাইনীঙ কাংবুগী গুরু শান্তিদাস গোষাইদা থাজখি। চহিসিদগী

গুরু ওঙবী ওইনা লৈরর্কপনা খৃ: ১৭৪৪ দা লুখ্রা শীঙদা চনখি। মপুরোইবগী অশি' লাইথৌ থৌরম হেক লোয়বগা মহাক মপুরোইবগী শৰা লূৰাংথৌ গঙ্গাদা থাদনবা বঙ্গদেশতা চৎখি। মহাক্না মৈতৈ নুপীশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ঈহান হাননা লাইনীঙগী মিংদা অমসুং মরীদা গঙ্গা ঈরুপ্লী ওইখি। মহাক তশেংনমক মপুরোইবা নীঙবী অমনি। নৌনা মপুরোইবা কায়নজরসু মপুরোইবগী মনীঙ থুংনবা হোৎনখিবীনি। মহাক চহি কয়া পুনসিরম্বগে, করম্বা কুমদা লৈখিদবগে হায়বসি খঙবা ঙমদে।

মৈতৈ লৈমা ৰায়েনবম চনু গোমতী

ৰাহৌ-শৈহৌ

... হাওওইবম কিয়াম্বগী কুম শক ১৬৪১ ... ৰাকচীঙ থা.... ২৬ নি থাঙজ (খৃ: ১৭২০ গী জানুৰারী-ফেব্রুৰারী) দা ইপী ৰায়েনবীনা মচা ঈবুংঙো পোকএ [চৈথা: কুম:, ২০০৫,৮০]।...

মথক্তা থমজরিবা চৈথারোল কুম্বাবা পুয়া লাইরিক্তগী লৌথোক-শত্তোকচরকপা ৰারেং মতেক অসিদা পল্লিবা "ইপী ৰায়েনবী" হায়রিবী অসি মৈদিংঙু ময়াম্বা নত্রগা গরিবনিৰাজ [ময়াংঙম্বা, তখেন ঙম্বা, শমজোক ঙম্বা, বৈষ্ণব থোংনাং ময়াম্বা (খৃ: ১৭০৯-৪৮] গী মনাউ ঈবেম্মা (তাল্লোই) ৰায়েনবম চনু (মোইরাংথেম চনু) থম্বাল নত্রগা গোমতীবুনি। মঙোন্দা "পাইখু লাম্থবী [মৈত্রবাক্কী অৰাং-নোংপোক/মৈরমগী ঙমখৈ অমসুং মায়কৈ অদোমগী কবো (শান-Shan) শিংগী লৈপাকশিংদা খুন্দা-লৈতাবা, হিংবা অমসুং পানবা পায়ি/পাই, মী-কাংলুপ অচৌবগী অপীকপা মী-ফুরুপ, পাইখু কৌবা মী-ফুরুপকী মথক্তা লান্দাবী]"

হায়বা মিংথোল অসিসু পীগ মহাক থম্মোইগী অশেংবা নুংশিবনা হকচাং কায়াৎপু পেনহনবা নুজাগী হকচাংবু শীজিন্নবগী মমল ওইনা লন-থুম, অৱাংবা থাক অমসুং অনীঙবা-অপান্বা থুংহনবা পীদুনা হকচাং মখেবু লৌখি-লৈখিবদগীদি হেল্লি, হায়বসিগী মশক ত্যক্কুনা থরুম-ৱারুম অমসুং লমন খুম্নীঙবগী মলোম্বু পুক্নীঙ-ৱাখন্দা চহি ৩০ (কুন্থ্রা) ফুমদুনা পুরক্লগা মতম চারক্লগা অপান্বা লমন্দু খুমখিবী মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীগী মশক নাইবা শক্তম অমনি। মহাকসি নুংশিবগী মফমদা লৈরাংগী লৈনাগুম থোৎপী পাঙ্গল/মতীক মঙম শীজিন্নদুনা নুংশিববু লৈগে থিরিবশিংদুগীদি থৌদু নুঙগুম কনবীনি।

শক্তাক-শকখঙহনবা

ৱায়েনবম চনু গোমতীসি ৱায়েনবম [শাগৈসি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মতমসিদা মোইরাংথেম শাগৈদগী গোমতীসিগী মশুঙলাংগী অমসুং মহাকথক্তুগী ওল্লকখি-ওইরকখিবনি, হায়জনীঙঙি] শাগৈগী নিংঙোন মোইরাং য়েক (clan) কী ঈৱাং শল্লাই (Sub-clan) গী চনুনি। মহাক্কী অপোকপা মপন পন্থৌ অমসুং অপোকপী পল্লেম মমাগী মমিং-মথাশিং ফংবা ঙমদে; অদুগা ৱায়েনবম/ মোইরাংথেমগী করম্বা ফুরুপ অমসুং পুরুপকী নিংঙোন্নো হায়বসু খঙজবা ঙমজদে অদুবু মোইরাং নিংথৌ ঈরাং পুরীক্লাই খেলেম্বা নত্রগা খেল্লে নুঙনাং তেলহৈবা (খৃ: ১৭৫৭-৭৮) গী পুরুপ অমসুং ফুরুপ ওইরম্বা য়াই। মৈতৈ লৈমা গোমতীসিনা মোইরাংথেম চনু ওইরিঙৈদদি "থম্বাল" নত্রগা "ঈৱাংলোন থম্বাল" হায়না কৌরম্মী। অদুগা মহাক মপন পন্থৌগী মশাইগোন-মরানয়ায়সি ঈৱেম লৈয়াৎ/লমতুপ (ঈরোইশেনবা চীঙশাংগী মনীঙ/নোংচুপ্পুগীনা কাংচুপ চীঙগী মমাঙ/নোংপোক ফাওবদা লৈরিবা তম্পাক্কী লমদম) কী খুঙ্গং অমদা লৈরম্বা য়াই।

পোক্লকপা অমসুং চাওরকপা

মোইরাংথেম নিংঙোন থম্বাল (গোমতী লৈমা) সি চাওরাক্লা খৃষ্টগী কুমশীঙ ১৭০৪ (শক ১৬২৬) দা মালেম-তাইবংপান্দা খোঙদারকখিরম্মী, হায়না পাবা য়াই। পলেম তম্পাক্তা খোল্লাং মায়য়োক্লরিঙৈদগী পুল্লে কুচু লময়ৌবী কুচু ওইদুনা কুচু পানবী ওইরকখি, মায়থোঙনা ৱাকচীঙগী ১৫ নি.পানবা থানীন-থাবুঙগুম চীক্লা ঙানবী ওইরকখি। করিগুম্বদা ঈপাক ঈয়ায়গী ঈমায়দা শাৎপা অঙৌবা থম্বাল

চামনিপানগুম হাই-হুমর্না পল্লেম নঙ্গন্দা তাধিং খুথেক তমদুনা মোমোন মীনোকচরমগদবা মাল্লি। থাজনা নোংমা-নোংমগী মকোয় ফারকপগুম নোংমগী খজীক খজীক চাওখৎলক্তুনা মায়থোংদা মীনোক্কী লৈতেং, হকচাং কায়াৎশিংদা মপুঙ ফারকপগী ফজবা শারেপ-শাবান নীঙথিবা অমসুং লমচৎ-শাজত্তা শুমহৎপা নোংমা-নোংমগী হাপকৎলকখিরম্মী। মহাক্কা মশাগী চহি ১০ (তরা) শুরকপদগী পল্লেম মমাগী মতুং ইন্দুনা ঈমুং মনুংগী থবক-ঈনখাং শূ-নোম্বগা লোইননা ফিশা লোনশা, ফিরোন-ফিরীবা, লংশুং-লংনাইবনচিংবগী মহৈ-মশিঙ তম্লকখি। করি করিগুম্বা নুমিত্তা মচেম মনেমশিংগী মতুং ইন্দুনা ঈঞ্জিং-লোংখোনবা, লবুক লমহাঙদা য়েল্লাং- কেঙঙোই হেকপনচিংবা চৎলম্মী। মতম্না কনাবুসু ঙাইবীদবনিনা মশাগী চহি ১৩ (তরাহুমদোই) মপুঙ ফাজিল্লক্তুনা লৌপাম্থাদা লৌরাং শূবা লৌগী খূৎলং খুৎনেক চৎপসু ঙম্লক্লম্মী।

য়ুম্বান পুন্সিদা খোঙদাবা

মোইরাংথেম নিংঙোন থম্বাল লৈশাবী ফারক্লে, নুজা ওইবী হকচাং কায়াৎ পুম্নমক মপুঙ ফানা মঙান নাইরক্লে। মায়থোংদা ঈকাই লৈথেৎ, চীম্বান মতোম মোমোন্নবা, মিৎস্নানা হুরান্না য়েং, মিৎলু অমসুং মিৎমৈদা মিৎ নহানা কোয়চেন- চেন্না খোয়দাবা মশুঙ মমান্নবা উরগা তথক্লবা হৌরক্লে। থক্কী লেঙনা ফল্লকপদা থবাক ঙানফম্না ৱাংখৎলগা শমু খ্বাঙনা চেংলক্লে, নীঙদুগী ঈপোমসু হৌরক্লে, ফৈগন ফৈবাক অনিসু পাকথোক্লক্লে। মতমসিদা মাগী থম্মোইনা খোয়দাবা, পুক্নীঙ-ৱাখন্না খোয়জঙনা লুপচবা মশাবী পাখং অমা থেংনজরে। মখোয়নৌ মমান্নবীশিং চাকচা-হৈজানবগী হৈথি-লৈথি চৎপদা, হরাউ-তয়ামগী কুম্মে য়াওবদা পুক্নীঙ-ৱাখল ফোঙদোক্লদুনা চেংলৌ শকখঙনরগা মতুং ঈকুই কুইদনা লৌনসি-লৈনসি হায়নরে। লৈপাক মাঙদা ফর্জনা অহন মশেন হায়ন-শীঙনহন্দুনা লুহোং-খোংদোংসি হায়দুনা নুপা ময়ুমগী অহল লম্মন চত্তুনা থম্বালগী পলেম-পম্হৌদা "মমোম থাজবীয়ু! মমৌ ওইজগে," হায়রে। মোইরাংথেম চনু থম্বালবু মমৌ ওইগে হায়ন-শীঙনররিবদু লমলেন ঈরেম লমতুপকী মকোক ঈরোইশেনবা খুঙ্গংগী ঈরোম লৈকাইদা লৈবা ঈরোম শাগে মচা চাওবা কৌবা পাখং অমগীদমক্তনি। মৈতৈ ৱাংঙম কাংলুপ (য়েক) কী নুপানি, মোইরাং কাংলুপ (য়েক) কী নুপী হায়ন-শীঙনরবনি, লৌন-লৈনা য়াদবগী মরম অমতা লৈরমদে। মচীঞ্জাক চাবা, লৈপাক্কী থৌগায় চৎপা, লৈঙাক থৌদাং য়াবা

ঈমুংনি ঈরোম শাগৈদুসু, অঁদুগীসু মথক্তা অঙাং মশেন মশা-মশা য়ানজবনি। মরম অসিনা মোইরাংথেম থম্বালগী অহল-লমন্না থম্বালবু ঈরোম চাওবদা থাজবা য়াখ্রে. নুহোঙ-খোঙদোংনবা নুমিৎ লেপ্লখ্রে।

মোইরাংথেমচনু থম্বাল মশাগী চহি ১৫ (তরামঙা) দা খৃ: ১৭১৮ (শক ১৬৪০ গী মেরাগী থানীন-থাবুঙ) গী ডিসেম্বরদা ঈরোম চাওবগা নুহোঙ-খোঙদোংদুনা ঈরোইশেনবগী ঈরোম লৈকায়দা লৈখিরম্মী। থম্বাল অমসুং চাওবগী নুংশিবদু মহৈ য়াল্লে, নীঙজবা মপান শারে/শাৎলে হায়না নীঙজখি। য়াম্না চান্ন-চীন্ননা নুংশিবা মপান থোক্লা মতৈ মনাউ অনিদু য়ুম্বানমিন্নখি। চাবা-থকপা ঙাইনৈ, থবক-থৌরম শীন্দোক্লে, অহন-লম্মন মমাঙদদা তোখায়-তোখায়না লৈনৈ, অহল-লম্মন হেক উদবগা হেক্তা পুনশিন্নখি। নোংদম্বনা শেম্বা লৈপুন্নি খন্নৈ, শিগনি-নাগনি হায়বা কাউনৈ। মথংগী ওল্লকপা শজিবু থাদদি মোইরাংথেম চনু থম্বালগী পায়মা লিনগোয়নুংদা তাউজীঙ তয়াল তমখ্রে, চনুগী চরৈ চীল্লে। মতৈ-মনাউ অনিদুনা, "পারী শাৎকনি" হায়, মপন পল্থো ওইগদবদুমা, "মমোম ফুয়গনি" হায়, পল্লেম মমা ওইগদৌবীদুনা, অনিদু য়েৎনজৈ, "পারীনা ফৈ", "ঈমোম্মা ফৈ" হায়নৈ, নুংশি'- খুদম হৈরাং চারদু। তাইবং মপু লাইয়িংথৌ তাইবং-খায়বনা করি নোংদল্লিবগে হায়বদুদি খঙনদে।

মৈদিংঙু ময়াম্বনা ফাবা :

খৃ: ১৭১৯ গী ঈঙেন থাগী নীন্দুং শগোনশেন (চৈচৎ ৩।৮।১৭১৯ ইং) নুমিত্তা মোইরাংথেম চনু শকহেনবী থম্বালনা লৈকায়গী মচেমশিং অমা উন্নগে হায়না ময়ুম-মরানয়ায়দগী থোরক্কুনা লম্বীদা মদোম চৎলিঙৈদা কংলৈ পুঙময়োনগী মপু মৈদিংঙু ময়াম্ব (ময়াংঙম্ব) না কোংবা লময়েংবা পনম চখোল্লকপদা উরুরে। নুজা মাবু উবদা মৈতৈ নিংথৌদো শুমহৎখ্রে, পাম্বনা পুমঙাও ঙাওখ্রে। লৈকায়-খুঙ্গং লাকপশিংদা "কনানো" হায়না হংখরে, "কদায়দা লৈবনো, কনাগী মমোমনো" কুপথনা থিগৎলক্লে। ঈরোম লৈকায় লাক্লিবা ঈরোইশেনবা খুন লাক্লিবা মদাইরেম অনিনা চীনখুম অমতা ওইনা, "ঈরোম শগৈগী মৌনি, ঈরোম চাওবগী তাল্লোইনি" হায়না হঙ্গৎলে। "মৌ ওইরবসু অদু মঙাই, করিসু কায়বা লৈতে, খোয়দারগা লোয়রে" হায়দুনা তকশী শোন্দুনা নুমিত্তুমা হল্লক্লে। মথংগী

নুমিত্তুদা মহাক্তুবু উবা ফংগদবা মফমদা লৈকায় কোয়রুসি হায়দুনা কোনুংদগী লময়েংবা চৎপা লৈপাক্কী থৌ ওইনা থোক্লকখিরম্মী। মতমসি মৈদিংঙু ময়াম্বগী মশাগী চহি ৩০ (কুম্থা) শুবা মতমনি। নুপা ওইবগী চপ চানা মথোক্লকপা তাঞ্জানি।

মৈদিংঙু ময়াম্বনা মশাগী অপাম্বা পুম্নমক মশাগী চহি লোঙ্গা ওইবা অমসুং থংমুন-নাউমুন ওইবা মমান্নবা তয়ুমশিং অমসুং মদাইরেমশিং পুম্নমক্তা ফোঙদোক্তুনা থম্বালবু মৌ ওইরবসু লৌদবা য়াদে, তাল্লোইশীঙদা চন্দবা য়াদে, লাক্কদবা খুদোং থীবা পুম্নমক মায়রোং য়ারগনি, হায়না হায়খ্রে। তয়ুমশিং অমদি মদাইরেমশিং অদুদা, “থবক ওইথোক্ত্রিবা ফাওবা নখোয়না নখোয় নত্তবা অতৈ কনাদসু হায়দোকপা য়াদে, থবক ওইনবসু নখোয়না পাংথোক্কদবনি, মী হাংলবসু-তুপ্লবসু পুম্নমক তৌগদবনি, তৌহৈবা-তৌহৈদবগী ৱাফম লৈতে, মথং থা থৱান থাদদি ঐগী ঈনাক্তা শোয়দনা পুরক্তুনা লৈহনগদবনি, নখোয়গী চঙগদবা লাম্মী, খুৎশূ-খুৎলাইনচিংবা পুম্নমক লৌরো” হায়রম্মী। ৱাফমসিদা মদাইরেমশিং অদুনা তৌদবা য়াদবা থবক ওইরক্লদুনা মোইরাংথেম চনু থম্বালবু ফানবা তাঞ্জা লুমদুনা লৈখ্রে। খৃ: ১৭১৯ গী থৱান থাগী থানীন মতুং নিনী কোনবা লৈপাক্লপোকপা (চৈচৎ ২৯।৯।১৭১৯ ইং) অরুম্বা মীশিংদুনা খুদোংচাবা অমসুং তাঞ্জা ফংলদুনা থম্বালবু ঈরোম চাওবগী ময়ুম ঈরোম লৈকায়, ঈরোইশেনবা খুঙ্গংদগী ফাদুনা পুরক্লগা কংলা কোনুংগী ঙমখৈ মনুংদা মৈদিংঙু ময়াম্বগী মখুত্তা শিন্নরখি। মৈদিংঙুনা থম্বালবু কংলাগী শঙলাংমৈদা থম্নগা মদাইরেমশিং অমসুং মৈরীংবা মনাইশিং শঙহন্দুনা লৈহনখি। অদুগা লৈপাক-মীয়ামগী ঈরাং য়েংদুনা লাম্মী-লাল্লোইশিং থৌরাং তৌদুনা থমখিরম্মী।

ঈরোম লৈকাই, ঈরোইশেনবা খুন্দা নুপী ফাখিবগী ঈরাং লাংনরে। মমৈদা কনানা তৌরিবা থৌদৌনো থিগৎনরকপদা পাল্লিবা মৈদিংঙুগী খুজীন-থৌরাংনি খঙলকপদা ঈরোম শাগৈগী পুরুপ অহুম্মক পুন্দুনা ঈরোম শাগৈ হৌরে, শাথেং-লাম্থেংননবা শেম-শানরে। লৈপাক মীয়ামদি মরম মুন্না খঙনবা নত্রি। মতমদুদা মৈদিংঙুনা লাম্মী পুদুনা ঈরাংদু নমথনবা চৎলম্মী। মদুদা খুৎ থোক্লরক্তুনা ঈরোম চাওবা অমসুং ঈরোম পু অহুমগী পীবা অহুম শিরে অমদি ঈরোম মচা ময়াম অমনা হকচাং ফিবম কায়বা, খুৎকেন-খোঙকেনবনচিংবা শৈনাই-হকনাইবা য়াওনা অশোক-অপনশিং নংলে, মীয়াম-খ্বাইগী মায়য়োক্তা করিসু তৌবা য়াদ্রদুনা ঈরাং নেমথরে। অসুম্না অশিবনা মাঙজদুনা ঈরোমগী ঈরাংদু নমখিরম্মী।

মৈদিংঙু ময়াম্বনা মদাইরেমশিং কয়া থাজিন্দুনা মোইরাংথেম চনু থম্বালবু হেক কংলাদা পুরকপা নুমিত্তুদগী থেম্বা হৌরকখিবনি। মশাবী চাওবগী ঈনা থাবুম মঙাগী তাউজীঙ হৈরু পল্লিবী, পারীনি-মমোম্নি খঙদনা নাউপুরিবী থম্বালনা কপ্পা নত্তনা করিসু পাউখুম পীরমদে। থীন্দনা নুমিৎ হুমনীগী মতুংদা মশাবী ঈরোম চাওবা লৈখিদ্রে হায়বা পাউ তারে। লাইবক্তা তম্লকপা অৱাবগী পাউশিং অদুনা নুংশিজরুবগী মমল মিৎকী পিরাংনা পীহনখি। থম্মোইনুংদা ফাওবা মৈচাক্লা মায়কৈ পুম্নমক মমহন্দুনা মতোমতা চীক্লা লৈজবনা অৱা’ মৈচাক পোথাজবা ওইরবা মতমদুদা মৈদিংঙুগী তাল্লোই ওইরো হায়না থেম্বা লাকপশিংগী মৱা-মপাউনা মহাক্কী মৈচাক্কী মৈথৌ হাপকৎপীরি। মৈদিংঙু ময়াম্বা মশা চঙলক্তুনা মহাক্কী থম্মোইগী ৱাফম কয়ারক হন্না ফোঙদোক্লে। অদুবু পাউখুম অমতা পীদনা লেল্লকপা লোইদাম থাবুম ৩ (অহুম) শুখরে। মৈদিংঙুনা তোয়না লাকশিল্লকপসিদা তক্ল-তক্লগা চকমোম নুঙকন, তেৎনৌ য়োৎকন ফাওবা তূমলক-তূমশিল্লকই হায়বদুনি, মোইরাংথেম নিংঙোন থম্বাল, মশাবী-মপুরোইবগী লমন খুম্নবগী থম্মোইদা চেৎনা কিশি কিদুনা থম্লগা ৱাখল তৌরকখি, তরেৎ-তরা থোক্লা খল্লকখি- হৌজিক কনা লৈরি ঐগী মীচঙদা লেপ্পীরগদবা? অসুম নীঙবা কায়না শিরগদ্রা নত্রগা শিবা ঙাইদুনা লৈরগদ্রা? পুম্নমক য়াদ্রি, মহাকপু হাৎখিবগী লমন খুমদ্রি। মহাক হাৎখ্রিবসি ঐগী মরমদগীনি, অদুনদি ঐনা লমন খুন্বা তাবনি। অসুম্না অসুম লৈরগা লমন খুন্বা ঙমগদ্রা? লমন খুম্নবগীদমক ঈশা কথোকপা তাই, ঈহকচাং লান্থোক্তুনা পাঙ্গল, মতীক-মঙম অমসুং মহী-ময়াইশিং ৱানবা-লৈবা তাই, অদুনদি পুম্নমকসি ফংননবা মৈদিংঙু ময়াম্বসি খুৎলাই ওইননবা ফাবা তাই অমসুং মহাক্কী তাল্লোই ওইবা তাই। অসুম্না মশা মতোমতা ৱারেপ লৌজরগা মৈদিংঙুনা লেঙশিল্লকপা ঙাইদুনা লৈখিরম্মী।

মৈদিংঙুগী তাল্লোই ওইবা

মৈদিংঙু ময়াম্বনা কুচু থৌকাদুনা লৈপাক থৌগায় পাংথোক্লুরগা নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা শঙলাংমৈদা মশানৌ থম্বালবু থেমগে হায়দুনা লেঙশিল্লক্লম্মী। ঙসিদি থম্বালগী মায়থোংসি মমাঙগী নুমিৎশিংগী ওইখিবা শকফমগা মান্নদে, মতম পুন্বদা মায়থোং লাংশিন-মকশিন্না মালেম লৈখাদা য়েংদুনা লৈবদু লৈরমদে। মৈদিংঙুনা ৱা হৌরক্লম্মী :-

থন্বাল! অৱাবা ৱাখল পুন্নমক থাদোক্লো? পোইরৈ মৈতৈ লৈমা (Chief queen) ওইদুনা অমুক্তদি ৱাংঙম মৈত্রবাক মেখলী লৈপাকসি ঙাক্তুনা পানমিন্নরসি, সেগা মাইগা তানদুনা য়ুম্বানমিন্নরসি।

অদু ওইরবদি মৈদিংঙু! ননাইনুবীনা ৱাফম অমতং হঙ্গৎচগে, ননাইগী ফিবম অমতং তুংলমচৎকী ওইনা থমজগে, ননাইনুবীনা নীজবা অমতং পীনবীগনি হায়দুনা শরী নামুং শোন্দুনা তাকপীয়ু।

"ঐহাক শোয়দনা পীগনি, ঙসি পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ ময়াম্বা (গরিবনিৱাজ) ঐনা ৱাচুম শূবা সত্য কৌবা লাই অমসুং ঈয়ুম ঈপোইরৈ মৈতৈগী ঈপা-ঈপুলাই লাইয়িংথৌ তাইবং খায়বা, চীঙঙু লাই ৱা- হায়বনা লেপ্পমক তাবী-খঙবীবা ওইরসনু, ঈশানৌ থন্বাল নহাক্লা নীরকপা, হায়রকপদু ঐনা ঙম্বা থাক্কী মনুংদা লৈরবদি ঐনা শোয়দনা পীগনি, শরী-শো, ঈপা-ঈপুলাই লাইয়িংথৌ তাইবং খায়বনা খঙবী-উরসনু, কালিকা ঈমানা তাবীরসনু। মসিদা নহাক্কী পেন্দবা করি লৈরিবগে? লৈত্রবদি হায়রোদনা নহাক্লা নীগনি হায়রিবদু করিনো?

মৈদিংঙু ঈবুংঙো! পুন্নমক পেঞ্জ-য়াজরে, অদু পীজগদবা অদুদি মতুং মতম অমদা হায়জগে!

অদু ওইরবদি শঙলাংমৈসি থাদোক্তুনা কোনুংগী লৈমকোন্দা চৎলসি, শঙ্গায় য়ুমজাওদা লৈরুরসি।

অসুম্না মতৈ-মনাউ য়ানরদুনা শঙলাংমৈ থাদোক্তুনা কংলাগী নিংথেম কোনুংগী লৈম-নিংথৌকোনগী লৈমকোন্দা হিয়াঙ্গৈ থাদগী মোইরাংথেম চনু থন্বাল লৈখিরম্মী। হায়রিবা নুমিৎ হিয়াঙ্গৈগী ১০ (তরা) নী পানবা লংমাইজীঙ/ নোংমাইজীঙ (চৈচৎ ১৯।১১।১৭২০ ইং) নুমিৎসিদগী মোইরাংথেম চনু থন্বালসি, "ৱায়েনবম চনু গোমতী" হায়বা মিংথোলসি পীদুনা মসিনা মপুঙ ওইবা মিংওইনা খঙনখি। লোইননা ইম্ফাল কংলৈদা লৈবা মোইরাংথেম য়ুম্নাকসি ৱায়েনবম হায়না ওনখিরম্মী।

মচা ঈবুংঙোশিং পোকপা

ৱায়েনবম চনু গোমতীনা মৈদিংঙু ময়াম্বগী তাল্লোই ওইনা কংলাগী কোনুং মনুংদা লৈখ্রবদা ঈরাং তৌনরম্বা পুন্নমক নেমথনখ্রে। কনা অমতনসু অদুনি-অদানি

হায়নখিদ্রে, চীন থোকপা য়াদবা ৱাফম নত্রগা অরোনবা ওইনা থম্লখ্রে। হায়ন-ঙাংনরুরগা নিংথৌগী মায়য়োক্তা লেপ্পা, শিবগী চৈরাক পীবা/ফংবা য়াবা ৱাফম ওইখিবনা থৱাই মাঙবা কিবা নত্রগা পামদবনা কনানসু পন্ন-ঙাংনখিদ্রে। অদুবু গোমতী লৈমদি কৈদৌঙদসু মায়থোং মকা লান্নমদে, হায়দবা য়াদবা হায়ফম-ঙাংফম থোকপা অদুদমক শীজিন্নরগা কোনুং মনুংদুদা লৈরম্মী। অদুবু নীংথেমদি মহাক্কী কাদা নোংমগী শোয়দনা লেঙশিল্লক্লম্মী। অসুম্না লোইদাম থা অনি শুরকপদা মহাক্না পায়মা লিনগোয়নুংদা নাউপুরকপদু মকুম-মথা শুরক্লদুনা মালেম তাইবংপান্দা ফাওরক্লে। মসিগী ৱারোলসি মথক্তা ৱাহৌ-শৈহৌগী অহানবমক্তদা পীজখ্রে। অদুবু নীঙশিঙবা নুংঙাইনবগীদমক্তা অমুক্কসু হন্না থমজরি, মদুদি -

... হাওওইবম কিয়াম্বগী কুম শক ১৬৪১ ... ৱাকচীঙ থা ... ২৬ নি থাঙজ (খৃ: ১৭২০ গী এপ্রিল ৪) দা ঈপী ৱায়েনবীনা মচাঈবুংঙো পোকএ [মথক্কীসিদা, ৮০]।

অসিনি। মসিদা পোক্লিবা মচাঈবুংঙোসি সনাহল মোইরাম্বা/শমৈরাং/মেনখোম্বা নত্রগা চিংশাই [মতমসিগী তুংলমচংকী মৈদিংঙু চিংশাই (খৃ: ১৭৪৮-৫১)] নি। মহাক ঈরোম শাগে মচানি, অদুবু মৈদিংঙু ময়াম্বনা মচাঈবুংঙো ওইনা মৈতে কোনুংদা য়োকখিবনি। মহাকসিগী মমাঙদা খৃ: ১৭১১ দা ঈবুংশীজ শ্যামশাই, খুরাইরাকপা অমসুং খৃ: ১৭১৮ দা স্নাহল মুরারী মৈদিংঙু ময়াম্বগী মচাঈবুংঙোশিং পোকখ্রবনি [মথক্কীসিদা, ৭৩-৭৪ অমসুং ৭৯]। চিংশাইসি নিংথৌ মচা ওইনা ফিজেৎ-চাকচা, লমচৎ-শাজৎ অমসুং মহৈ-মশিঙ পুম্নমক তম্বীদুনা মৈতে কোনুংদা চাওরক-শাংলকখিবনি। ৱাংঙম নহা চিংশাইসিগী মথংদা ৱায়েনবম চনু মৈতৈ লৈমসিনা খৃ: ১৭২৩ দা মৈদিংঙু ময়াম্বগী মচাঈবুংঙো ঈবুংশীজ নন্দশাই পোকখিরম্মী। মদুগী ঈ-পাউদি:-

... ৱামনবা মেরাগী কুম শক ১৬৪৫ ... কালেন থা... থানীননোং য়ুমশকৈশ (খৃ: ১৭২৩ গী জনুৱারী ২২) দা ঈবেম্মা ৱায়েনবীনা মচাঈবুংঙো পোকএ [মথক্কীসিদা, ৮৩]।

অসিনি। মৈতৈ লৈমসিনা পোকপা মৈদিংঙু ময়াম্বগী মচাঈবুংঙোশিংগী মনুংদা ঈবুংশীজ নন্দশাইসিনা খ্বাইদগী অহন্নি। মহাক মতম কুইনা অৱাদা লৈরুরগা খৃ: ১৭৭০ দা অৱা লান্মীগা লোইনদুনা মৈত্রবাক্তা থোক্লকল্লগা অৱাদা অমুক হন্না চঙখিবদগী মৈত্রবাক্তা থোক্লকখিদ্রে [মথক্কীসিদা, ১২৫-২৬]। অৱাদা অদুম শিখ্রে। ঈবুং শীজ নন্দশাইগী মথংদা গোমতী মৈতৈ লৈমনা মৈদিংঙু ময়াম্বগী মচাঈবুংঙো ঈবুংশীজ অঙ্গশাই খৃ: ১৭২৪ দা পোকখিরম্মী। মসিগী ঈ-পাউদি :-

... মোইরাং খোয়দোংগী কুম শক ১৬৪৬ ... লাংবন থা থাশিনোং নোংমাইজীঙ (খৃ: ১৭২৪ গী ওক্টোবর ২১) দা ঈবেম্মা ৱায়েনবীনা মচাঈবুংঙো পোকএ [মথক্কীসিদা, ৮৫]।

অসিনি। মহাক্কী অতৈ ঈ-পাউ চৈথারোল কুম্বাবদা ফংবা ঙমদে। মহাক্কী মথংদা মৈতৈলৈমগী ফম্বান্দা গোমতী লৈমনা লৈরিঙৈদা মচাঈবুংঙো ঈবুংশীজ শব্যসচি শাই খৃ: ১৭২৬ দা পোকখিরম্মী, মদুগী ঈ-পাউদি :-

... লংমাইথেম লোইজাগী কুম শক ১৬৪৭... ফাইরেন থা... ১৬ নি লংমাইচীঙ (খৃ: ১৭২৬ কী ফেব্রুৱারী ২৩) দা [মৈতৈ লৈমা ৱায়েনবম চনু পাইখু লাম্থবীনা] ফম্বালদা মচাঈবুংঙো পোকএ [মথক্কীসিদা, ৮৬]।

অসিনি। ঈবুংশীজ শব্যসচি শাইগী অতৈ ঈ-পাউ চৈথারোল কুম্বাবদা ফংদে। মহাক্কী মতুংদা মৈতৈলৈমা ৱায়েনবম চনু গোমতীসিনা মৈতৈলৈমগী ফম্বালদা লৈরিঙৈসিদা খৃ: ১৭২৮ দা মচাঈবুংঙো ঈবুংশীজ মিংথোইঙম্বা নত্রগা শঙ্গোয়তাবা নত্রগা মৈদিংঙু ভরত শাই (খৃ: ১৭৫২-৫৩) পোকখিরম্মী। মসিগী ঈ-পাউদি:-

নিংঙোম্বম ক্যাম্বগী কুম শক ১৬৪৯... ৱাকচীঙ থা.. থাশিনোং লংমাইজীঙ (খৃ: ১৭২৮ গী জানুৱারী ১৭) দা ফম্বানদা মচাঈবুংঙো পোকএ [মথক্কীসিদা, ৮৮]।

অসিনি। ঈবুংশীজ ভরত শাইসি মমাঈবেম্মা গোমতী লৈমগী খুজীন থৌরাংগী লৌতুনবদা য়াওদুনা ময়াম্বুং মৈদিংঙু চিংশাই (খৃ: ১৭৪৮-৫২) গী শরৌ পুন্নমক ইন্দুনা চংলম্লগা খৃ: ১৭৫২ দা মমাশীজ অমসুং ময়াম্বুংবু লৈপাক

মীয়াম্না মরান তৌবা, অরানবা লওজবশিংনি হায়দুনা য়ারক্তদুনা মখোয়গী মথক্তা খুৎলাই থাঙ্গৎলক্লবা অমসুং খোল্লাউ লাউরক্লবদা ঈবুংশীজ ভরত শাইনা লৈপাক মীয়ামগী খোঙহৌদা চোংশিন্দুনা য়াওরগা ময়াম্লুং ঈরোম মচা চিৎশাইবু মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বালদগী খৃ: ১৭৫২ গী জানুৱারী (শক ১৬৭৩ গী পোইনু থা) দা চিংথরগা মহাক্না নিংথৌ ওইদুনা খৃ: ১৭৫২ গী মে তাং ৭ থাঙজা নুমিত্তা নিংথৌ ফম্বাল কাখিরম্মী। অদুবু মহাক অসিবুসু লৈপাক মীয়াম্না অদুক য়াম্না য়াবা নিংথৌ নত্তবনা ঈবুংশীজ আনন্ত শাই অমসুং ৱায়েনবমচা খেলেম্বনা ঈবুংশীজ গৌরশ্যাম/মরাম্বা (খৃ: ১৭৫৩-৫৮, ১৭৬২-৬৩) অমসুং ঈবুং শীজ ভাগ্যচন্দ্র/চীঙথংখোম্বা (খৃ: ১৭৫৯-৬২, ১৭৬৩-৯৮) অনিগী মিংদা লান হৌদুনা নিংথৌ ফম্বাল লৌরগা ঈবুংশীজ/মৈদিংঙু ভরত শাই (খৃ: ১৭৫২-৫৩) বু ফাদুনা কৈশুমশঙদা থম্লগা মৈদিংঙু গৌরশ্যামনা মৈদিংঙু মরাম্বা (মরাম ঙম্বা) হায়বা ফম্বাল মিংলেন লৌদুনা খৃ: ১৭৫৩ কী ডিসেম্বর ১৮ নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফম্বাল কারগা মহাকপু (মৈদিংঙু ভরত শাইবু) নুমিৎসিমক্তদা অৱা মৈত্রবাক্তা তাম্থোকখিরম্মী। মদুদগী মহাক অমুক হন্না মৈত্রবাক্তা চঙলকপা ঙমখিদ্রে অমসুং অৱা লৈপাক্তা ত্মদুম শিখ্রে।

ৱায়েনবম চনু মৈতৈ লৈমা গোমতী লৈমনা মৈতৈলৈম/লৈমরেন (Chief queen) গী ফম্বালদা লৈরিঙৈসিদা খৃ: ১৭২৯ দা মহাক্কী মচাঈবুংঙো ঈতোন তোনবা তোল্লেনতোম্বা নত্রগা শত্রুঘ্ন শাই পোকখিরম্মী। মসিগী ঈ পাউদি :-

... শাদোকপম শাইপুগী কুম শক ১৬৫১ ... থৱান থা... ১১ নি থাঙজ (খৃ: ১৭২৯ গী জুলাইগী ১৫)দা ফম্বান্দা মচাঈবুংঙো অতোনবা পোকএ [মথক্কীসিদা, ৯০]।

অসিনি। ঈবুংশীজ তোল্লেনতোম্বসি মমাঈবেম্মা গোমতী মৈতৈলৈম (খৃ: ১৭২৫-৩৮) গী খুজীন থৌরাংগী লৌতুনবদা য়াওদুনা ময়াম্লুং মৈদিংঙুগী শরৌদা মপাবুংঙো ময়াম্ববু খৃ: ১৭৫২ গী জানুৱারী ২০ য়ুমশকৈশ নুমিত্তা অৱাগী তোমফাং হিথাথেন [অৱা/ব্রাম্মাশিংনা "ফোংদা" কৌই, ইম্ফাল/মণিপুর তুরেন্না নিংথি তুরেন(Chindwin River) দা ঈতীন্নবগী ঈচীন্দা লৈবা হিরানফম হিথাথেন/হিদেন্নি] দা তানা থিন্দুনা হাৎখি। মহাক ময়াম্লুং চিৎশাই হাক্তক্তা ৱাঙ্গোন নিংথৌ (Crown Prince) গী ফম ফাওবা ওইরম্মী। মহাক খৃ: ১৭৫৩

দা মৈদিংঙু মরাম্বগী স্নাহাক্তত্তা ওক্তোং (মৈত্রবাক্কী ঙমখৈদা অৱাগা তাইননা লৈবা চীঙমী খুন অমা) দা লোই থাখি [মথক্কীসিদা, ১২১]। অদুবু খৃ: ১৭৫৫ দা লাম্মী খোমদুনা মহাক্না মৈতে নিংথৌ ফম্বালগীদমক লান হৌরক্তুনা মৈতৈগী কোনুং তম্না লাকখিরম্মী। মদুদা মহাক্না কংলা য়ৌদ্রিঙৈদা লাম্থেংনবদা পাম্থোইবীগী শুম্মাই/শুম্মাঙ (হৌজিক্কী ফাষ্ট বটালিয়ন মণিপুর রাইফলস কেন্টোন্মেন্টকী কম্পাউণ্ডগী মখা থংবা গেটকী মমাঙ/নোংপোক্কী লম) মমাঙদগী য়াংকোকঙা মাইচৌনা ফাখিরম্মী, অদুগা কব্রংনা চীনবুন লাক্তুনা কাংপোকপী (হৌজিক্কী রূপমহল টেঙ্ক লৈরিবা লম অমসুং মসিগী অকোয়বগী লম খর) দা য়াল্লগা খৃ: ১৭৫৫ সিদা হাংখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১২১-১২]।

মোইরাংথেম চনু থম্বালনা ৱায়েনবম নিংঙোন মৈতৈলৈমা গোমতী ওইদুনা খৃ: ১৭২০ দগীনা ১৭২৯ ফাওবদা মচাঙ্গীবুংঙো ৬ (তরুক), মমিংশিং থমজরবদা (১) চিৎ শাই, (২) নন্দশাই, (৩) তঙ্গ শাই, (৪) শব্যসচি শাই, (৫) ভরত শাই অমসুং (৬) তোল্লেনতোম্বা/শত্রুঘ্ন শাই অসি পোকখিরম্মী। অদুগা খৃ: ১৭৩০ অসিদদি মহাক মশাগী চহি ২৬ (১৭৩০-১৭০৪) খক্তমক শুরি।

মৈতৈ লৈমগী ফম্বাল কাবা : -

মৈদিংঙু ময়াম্বগী লৈমা/তাল্লোইশিং ৱায়েনবম চনু গোমতী থারগা লৈরিবসি পুন্না ১০ (তরা) নি। মখোয়গী মমিং - মিংলেনশিংদি - (১) য়োঙ্গীরুমলোন/লম্বাসূ/অরাম্বম চনু তবং লাম্থাবী নত্রগা তুলসীপ্রিয়া, (২) খয়োঙ্গীরোন হাওবম য়াহৌবম চনু তাশোম ঙম্বী নত্রগা সত্যভামা, (৩) ঈৱাংলোন ৱায়েনবম চনু পাইখু লাম্থাবী নত্রগা গোমতী, (৪) চীনফুরোন চীঙঙাখম চনু শরীঙম্বী নত্রগা বিশাখিকা, (৫) খয়োঙ্গীরোন ঙাংবম চনু পঙ্গা কৈথেল থানবী নত্রগা চম্পাবতী, (৬) ঈৱাংলোন য়াইখোম চনু হেরাঙম্বী নত্রগা খেলাবতী, (৭) লাইরিকয়েংবম চনু মেংখোং ঙম্মী নত্রগা হরিপ্রিয়া, (৮) খয়োঙ্গীরোন হীদাকশুংবম/মাইবম চনু লোইবী চরোইঙম্বী নত্রগা তরিন্মালা, (৯) ঈৱাংলোন মোইরাংথেম/মোইরাংকত্বান চনু মাল্লক ঙম্মী নত্রগা প্রেমগঙ্গা অমসুং (১০) য়োঙ্গীরুমলোন/লম্বাসূ অরাম্বমচনু নহা নত্রগা গুন্মলতা হায়বীশিং অসিনি। অদুনা ৱায়েনবম চনু পাইখু লাম্থাবী নত্রগা গোমতী লৈমসিগী লোন্নবী মচীন-মনাউ ৯ (মাপন) লৈরম্মী।

মৈদিংঙু ময়াম্বনা অহানবা য়ুম তাবা, হায়বদি য়ুম খায়বা, চাকখুম তোংঙানবা নত্রগা নুপী থিবা/য়ুমবানবসি খৃ: ১৭০৫ দনি [মথক্কীসিদা, ৬৯]। অদুনা গোমতী লৈমসি খৃ: ১৭২০ গী অদুৰাইদা নিংথৌগী লৈমা ওইবনিনা মথক্তা লৈমা অহন খর লৈ। মরম অসিনা মহাক অচম্বী লৈমা (লৈমা খুবী) ওইনা খৃ: ১৭২৫ ফাওবা লৈরম্মী অদুগা হায়রিবা চহিসিদা মৈতৈলৈমা নত্রগা লৈমরেনগী ফম্বাল, পাইখু লাম্থাবী হায়বা ফম্বাল-মিং অসিগা লোইননা কাখিরম্মী। মসি ঈ-পাউদি :-

... লংমাইথেম লোইজাগী কুম শক ১৬৪৭... লাংবন থা... ১০ নি নিংথৌকাব (খৃ: ১৭২৫ গী সেপ্তেম্বর ২৩) দা মৈতৈলৈমা ব্রায়েনবম চনু পাইখু লাম্থাবী ফম্বাল কায়এ [মথক্কীসিদা, ৮৬]।...

অসিনি। অসুম্না মৈতৈলৈমগী ফম্বালদা মহাক্না ফমখিবা, হায়বদি ফমসি পায়খিবসি চহি ১৩ (তরাহুমদোই), খৃ: ১৭৩৮ ফাওবনি। মসি ৰাখোঙ ৰাফমদি:-

... থিংবাইজম কারুগী কুম শক ১৬৬০... ঈঙা থা... ১০ নি য়ুমশকৈশ (খৃ: ১৭৩৮ গী মার্চগী ১১) দা মৈতৈলৈমা পাইখু লাম্থাবী থৈথৈএ [মথক্কীসিদা, ৯৯]।

অসিনি। অদুবু চহিদা ফম্বালসি অমুক হন্না মঙোন্দগী মুন্দুনা কাখিবী মোইরাংথেমচনুদগী মহাক্না অমুক মুন্দুনা কাখি। মসিগী ঈ-পাউদি :-

থিংবাইজম কারুগী কুম শক ১৬৬০... পোইনু থা ৫ নি নিংথৌকাব (খৃ: ১৭৩৮ গী সেপ্তেম্বর ২৮)দা মৈতৈলৈমা ব্রায়েনবম চনু ২রক ফম্বাল কায়এ [মথক্কীসিদা, ৯৯]।

অসিনি। অসিগী মতমসিদগীদি মৈতৈলৈমগী ফমসি ব্রায়েনবম চনু পাইখু লাম্থাবীসিনা অদুম পায়দুনা মৈদিংঙু ময়াম্বনা পাল্লিঙৈগী মতম খৃ: ১৭৪৮ ফাওবদি লৈখ্রে। মৈদিংঙুনা পানবগী মমৈ ওইরকপা চহি ৫ (মঙা) গী মতমদদি ব্রায়েনবম চনু গোমতীনা মহাক্কী পুক্নীঙগী অপাম্বা ফংনবা হোৎনরকখিরম্মী।

চিৎশাইগীদমক নিংথৌ-ফম্বাল নীবা

খৃ: ১৭৩৮ দা মৈদিংঙু ময়াম্বনা মচা শক্না য়োক্লিবা চিৎশাই মশাগী চহি ১৮ (তরানিপান) শুরে। ব্রায়েনবম চনু গোমতীনা খৃ: ১৭১৯ দা মহাক্না মৈদিংঙুদা

ওঙলমদায়দা শরী নামুংহন্দুনা থমখিবা ৱাফমদুগী থবক পায়খৎপা য়ারে হায়বসি খল্লক্লে। হৌজিক মচা ঈবুংঙো চিৎ শাই মশা ঈকপা ঙল্লগনি। অদুনা মহাক্না নীগে খনবা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল নীবগী মতম ওইরে খন্দুনা মতম চাবা তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈরে। নিংথৌগী য়ুম্বাল্লোনগী ৱায়েন-ৱাখুন্না নিংথৌগী শঙ্গায়রেন্দা অপীবা মতম নত্তনা লৈমা অতৈনা চঙবা য়াদ্রবসু মহাক্তি মৈতৈলৈমা নত্রগা লৈমরেন ওইবনিনা মতম পুম্নমক্তা চঙবা অমসুং মৈদিংঙুগা লৈমিন্নবা য়াবা চৎনবীগী পরম অমসুং মৈতৈ নিংথৌগী য়ুম্বাল্লোনগী ৱায়েন-ৱাখুন্না অয়াবা পী। অদুবু মফম মতম চাদনা ৱা হৌদোক্লুরবদি ৱারৈ চেনবা য়াই নত্রগা ৱা মাঙবা য়াই হায়না মতম ঙাইরিবনি। ঙাইবনবু কল্লবদি নোংমদি শোয়দনা ঙাইরিবদু ফংই। অদুনা ৱায়েনবম চনু পাইখু লান্থবীসু মহাক্না ঙাইরিবা তাঞ্জাদু ফংখ্রে। খৃ: ১৭৩৮ সিদা নোংমা মৈদিংঙুনা কুচু থৌকারুবদগী কুম্লক্তুনা মৈদিংঙুগী শঙ্গায়রেন্দা লেঙশিল্লক্লবদা মৈতৈলৈমা গোমতীনা মৈদিংঙুগী থৌগল তৌরগা নীঙথিনা ফমথরগা হঙ্গৎচরকই :-

"মৈদিংঙু ঈবুংঙো য়াইফবা-ও! ঙসিদি ননাইনুবী ঐহাক ৱাফম অমতা হঙ্গৎচগে, ননাইনুবীনা ঙসিদগী চহি ১৮ (তরানিপান) গী মমাঙদা করিগুম্বা নীজগে, পীবীগনি হায়না শরী নামুংবীয়ু হঙ্গৎচরদা শোয়দনা পীবীগনি হায়দুনা খোইয়ুম-খোইমোম পন্দুনা শরী নামুং শোনবীখিবদু নীঙশিঙবীরিব্রা?"

"নীঙশিঙলি, করিনো হায়য়ুনে, করি পাম্বগে হেক্তা হায়য়ু!"

"মৈদিংঙু ঈবুংঙো! ননাই ঐগী ঈচা সনাহল সমৈরাং অসিদি মরাইবক থীরবনি, মহাক্কী মপুঙ্গিবু শেন্বীরম্মু!"

"করি তৌরগে মহাকপু! করি মনীঙ থুংদ্রবগে?"

"মৈদিংঙুগী চানবী-নুংশি' থৌজান্দগী মহাক্কী মনীঙ থুংদবদি হৌজিক ফাওবগীদি করি োইদোকপা লৈজদ্রি, তুংগী খোঙফম-পোফম শেন্বীয়ু হঙ্গৎচবনি।"

"অদুবু করি তৌসি হায়বগে? করি ফম পীয়ু হায়বনো?"

"মৈদিংঙু য়াইফথোইবা-ও! ননাই নচাসিবু, মৈদিংঙুনা থুপখ্রবা তুংদা নিংথৌ ফম্বাল ফংজহৌনবা মৈদিংঙুনা শীনবীরম্মু! ননাইনুবীনা নীজগে হঙ্গৎচবদো মঙোন্দা নিংথৌ ফম্বাল পীবীরম্নবগী ৱাফমসিনি।"

মৈদিংঙু ময়াম্বা ৱাফম অসিদদি ৱা ঙাংখিদ্রে, মমাঙগী মতমদদি শোয়দনা পীগনি হায়দুনা শরী নামুং শোনখ্রবনি। নিংথৌ ফম্বালগী ৱাফমসি মতমদুদা খল্লুদবনা শরী নামুংদু শোনখিবনি। অদুগা নিংথৌ ফম্বালসিগী হক্তি নিংথৌগী মচাঈবুংঙো অহলগী ওইনা কন্দুনা থল্লবনি। মসিনা মহাক্কী নুংশিজবা মচাঈবুংঙো অহল ঈবুংশীজ শ্যামশাইগী হক্তু মৎপা তারব্রা, হায়না উঙদুনা লৈখ্রে। মতৌদুদা অনীঙবা পান্দম অমগী মখাদা থবক পায়খৎলক্লিবী ৱায়েনবম চনুদুনা ৱাফমসি খর পন্থবা য়ারিবনা-

"মৈদিংঙু ঈবুংঙো য়াইফবা-ও! ননাইনুবীগী ৱাফম, নীজরিবা পোৎনী-থৌনীসি হেনমনখ্রব্রা? পীবীগে পীবীরোয় মৈদিংঙুগী অপাম্বনি, ননাইনুবীগীদি হায়নখিবা - য়ানখিবা ৱাফমগী নীফম থোকপদু নীজবনি, তরেৎ-তরা থোক্লা স্নাৱাখল তৌবীরগা পাউখুম পীনবীয়ু। ননাইনুবী অদুম্মক স্না য়াথং ঙাইজগে।"

হায়রম্লগা মৈদিংঙুগী শঙ্গায়রেনগী চেপফম কাদগী মপান থোকখিদুনা চৎখ্রে। মৈদিংঙু ময়াম্বদি ৱাখলগী লুরবা ঈপাক ঈনুংবুঙদা লুপথদুনা লৈহৌরে। হে মীওইবা! চোংদ্রিবৈঙদা খোঙফম য়েংহৌ। খৃ: ১৭৩৮ গী ডিসেম্বর থাগী অরোয়বা চয়োন্দা অৱাশিংনা মৈতৈ নিংথৌগী লৈঙাক্লোনগী মপাঙ্গনবু শীঙনরকপদু নমথরুনবা মৈদিংঙু ময়াম্বনা শান্তিদাস, লাইনীঙ'-লমজীঙ-লমতাকপগা লোইননা অৱা লৈপাক্তা চৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৯৯]। অদুগা থা অমগা মখায়রোম অৱাদা লৈরুরগা খৃ: ১৭৩৯ গী ফেব্রুৱারীগী অনিশুবা চয়োন্দা ইম্ফালদা হল্লকখিরম্মী। অদুবু ঈমুং-মনুংগী মৈশা লাংলকপসিদা মৈদিংঙু ময়াম্বদি পোত্থাফম খঙদনা লেল্লকখিরম্মী।

শ্যামশাই খুরাইলাকপগী কথোকপা :-

মৈদিংঙু ময়াম্বা গরিবনিৱাজ অৱাগী লানফম কয়া মায় পাক্লক্লবসু, অৱাগী কংলৈ অচৌবা অমসুং মচা, খুঞ্জাও-খুল্লেন-খুনবীশিং অমসুং খুঙ্গং খুন্নৌশিং কয়া থুগায়- চায়খায়রবসু অমসুং মাঙহন- তাকহল্লবসু মৈদিংঙুসি মমাঙগীশিংগুম নুংঙাইবা পোকখিদে। লাইনীঙদা হেন্না হকচিন্না পুক্নীঙ-ৱাখন থম্বা লাইনীঙ [পরমার্থ/প্রমার্থ ধর্ম্ম] লৌদুনা [মথক্কীসিদা, ৯৯] ৱাখল চরাংনরিবা, পুক্নীঙ নুংনাংলিবা অমসুং থম্মোই নুংওৎনরিবা পুম্নমক থৈদোক্লবা অমসুং কোকহন্নবা য়ুম থাদোক্কুনা লম্লক্তা, উমং-ৱামংদা অমদি চীঙনুং-মান্নুংদা পুন্সি লেল্লুনবগী

থৌরাং অমসুং খোঙথাং লৌখৎলকখি। অহকপা লাইনীঙগী মিংদা লৈশাং হিদেন মপানগী লংথবানগী চীঙগী অৱাং-নোংপোক থংবা চীঙদুম মথক্তা চহিসিদগী রামশাল (রামগী লাইনীঙশঙ) লীংখৎখি। মরক-মরক্তা অচীকপা মফম থিদুনা নোংমাইজীঙগী শামুকোক চীঙয়াগী লফুপোকপীদা লাইনীঙফম শেমদুনা লাইনীঙ ইরী কোন্দুনা অৱাং কোরৌ লনশাদুনা লেল্লকখি।

মপাবুং মৈদিংঙুগী ঙাওচৎনবা কনাদসু খঙহন্দনা লেল্লিবা পুন্সি মরেনগী মতৌসি মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপনা উরকখি অমসুং থি-হুমদুনা মসিগী অরোনবসি খঙলকখি। মসিগী মতাংসিদা মৈদিংঙুচা অসিনা খল্লকখি - হিংলিঙৈদা ঙাইহাক্তং মীথক থোংবা, শিবগী চৎখিবদা পুবা য়াররোয়দবা নিংথৌ ফম্বাল, শিখিবা নুমিত্তুদা লোয়খিগদবা নিংথৌ ওইবগী নুংঙাইবা অদুবু ঐগী মচা অহন ওইবগী হক্লা কনবগীদমক্তা লাইরৈপাক্তগী হেন্না ৱাংনা লৈখ্রবা, ঈরাৎনজগদবা ঈপা ঈবুংঙোনা ঐগীদমক্তা খনবদগী ঙাওচৎনদুনা অচীকপা থিরগা পুন্সিনা শিবা ঙাইদুনা লৈরিবসিবু ঐনা নিংথৌ ফম্বালসিনা করি তৌনগদৌরিবনো? মসিদি তীঙখং তুম্বৈনা শাবা মৈনা য়োম্বা ফম্ফম অমনি। অদুনা পোৎ অদুনা অতোপ্পা অমবু/খরবু ৱাহন্নবগী মরম ওইরবদি পোৎ অদুবু থাদোক-হুন্দোকপা তাবনি। ৱাফমশিংসি মুন্না খল্লবা মতুংদা মপাবুং ঈবুংঙোগী খোঙখাদা চঙজদুনা মহাক্কী থম্মোইনুংদা লৈরিবা ৱারমশিংদুগী অশেংবা ৱাফমদু হঙ্ৎচখি।

"ঈপা ঈবুংঙো পন্থৌ অপোকপা। নপারী ঐহাক নিংথৌ ফম্বাল পামজদে, নচা ঐনা পামজবদি মচা ওইবশিংনা পামজবা মপা-মমা ওইবগী মচাশিংবু নুংশিবীবদুদা পলেম মমা লৈজদুনসু পন্থৌ মপানা তশেংনা নুংশিবীবগী নুংশিবা অদু পামজে, মদুখক্তা ঐঙোন্দা পীনবীয়ু। নিংথৌ ফম্বাল পামজদে, মদু পীনবীগনু, ঙসিদগী মৈত্রবাক্কী মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল পুন্সিসিমগী ওইনা থাদোকচরবনি। শরীশো চীঙঙু তাইবং খায়বনা খঙবীসনু, সত্য কৌবা লাইনা খঙবী উরসনু! ঐগী শরী নামুংসি ঙাকপা ঙমদ্রবদি কোরৌ মাগী কাপথরাং, নোংদোন মাগী হুম্থরাংনা লেপ্পমক খায়বা ওইরসনু। লেপ্পমক খায়রসনু!"

অসুম্না শরী নামুং শোন্দুনা মশাগী হক মপাবুং ঈবুংঙোদা কখোক্লবসিদা মপাঈবুংঙো মৈদিংঙু ময়াম্বদু ৱা অমতা ঙাংবা ঙমদনা, "করিনুংগী তৌজরুরবনোকো" হায়না থম্মোই খুত্তুমনা শুদুনা খাঙজখি। অদুবু মথংগী মিকুপ্তদি মচাঈবুংঙোগীদমক চাওথোকচদুনা মহাকপু নুংঙাইহল্লি। তশেংনমক

ঈবুংশীজ শ্যামশাই খুরাইরাকপা মপা-ঈবুংঙোসিগী মতীক চারবা মচাঈবুংঙো অনী (অমদি ঈবুংশীজ আনন্ত শাইনি) গী মনুংদা হেন্দোক থোইদোক্লা মপা নীঙবা মৈতৈ নিংথৌমচানি।

মৈতৈলৈমা গোমতী খুজীন-থৌরাং

মৈতৈলৈমা ৱায়েনবম চনু গোমতী শগোন মমাঙদা পুঞ্জাও পুবী, নুংশীৎ মায়রম লশিঙ কাপ্পী অমসুং পানবা শাতুং লৌওনবীনি। মহাক্লা লৈপাক থৌগায় পুবা ওইনা লৈপাক্কী থৌ পাংথোকপদা নত্তনা মৈদিংঙুগা লোইননা পাংথোকপা হরাউ-কুম্মৈ থৌরমশিং লোয়নমক চীথদনা য়াওরম্মী। মদুশিংদুদি - মহাক (১) খৃ: ১৭২৭ তা গুরুনে, নিংথেম্মে লোইননা নুঙ্গৈদা হৈনৌ চাবা চৎখি, (২) খৃ: ১৭৩৪ দা মৈদিংঙুগা তাকলেন/তাকয়েন্দা থমচেৎ চাবা চৎখি, (৩) খৃ: ১৭৪০ দা মৈদিংঙুগা হৈনৌ চানৈ, (৪) খৃ: ১৭৪২ দা মৈদিংঙুগা লোইননা মংসামকৈদা/মোংশাংগৈদা লম য়েংমিন্নৈ, (৫) খৃ: ১৭৪৩ দা মৈদিংঙুগা ফৌ য়েংবা চৎমিন্নৈ, (৬) খৃ: ১৭৪৩ সিদা মৈদিংঙুগা লমকা কোঞ্জিন্দা লম য়েংমিন্নৈ অমসুং কোম্বীরৈ হেক্লরকই, (৭) খৃ: ১৭৪৩ সিদা পোং তোংদুনা থাঙ্গদা কুমিন্নৈ, ক্বা থামিন্নৈ, (৮) খৃ: ১৭৪৩ সিদা পোং তোংদুনা চৎলগা নুঙ্গৈদা হৈনৌ চামিন্নৈ, অদুগা লৈমচীঙদা থমচেৎসু চামিন্নৈ, অমসুং মচা ঈবুংঙো স্নাহন্না কৌদুনা কিহোমসু চামিন্নৈ, (৯) খৃ: ১৭৪৪ দা মৈদিংঙুগা তাকঙাদা কোম্বীরৈ চিন্নৈ, (১০) ১৭৪৪ দা মৈদিংঙুগা করথোংদা হৈনৌ চানৈ, (১১) খৃ: ১৭৪৬ তা মৈদিংঙুগা লোইননা লম য়েংবদা লৈমরেনদি জয়নগর য়ৌই, মথংদা লাইচৌথেন্দা লম য়েংই, মফমদুদা জগোয় শান্নৈ, ফৈজা লেংখাং শেত্তুনা হল্লকখি, (১২) চহিসিদা হি তোংদুনা মৈদিংঙুগা করথোংদা হৈ চানবা চৎখি, (১৩) খৃ: ১৭৪৭ তা নিংথেম শীজ স্নথোঙ মমাঙদা থাবন্দা খোং চিংনৈ (থৌরী/পৌ চিংনৈ), (১৪) খৃ: ১৭৪৭ সিদা মৈদিংঙুগা কোম্থাদা কুমিন্নৈ [মথক্কীসিদা, ৮৭, ৯৫, ১০২, ১০৬, ১০৭, ১০৮, ১০৯, ১১০, ১১৫, ১১৭, ১১৮] অসিনচিংবনি। অসুম্না মায়থোংদা করিসু তৌদবা শারগা পুক্লুংদা হু ফুমদুনা লমন খুম্লনবগী থৌরাং অমসুং শরৌ শীন্দুনা মৈতৈ কোনুং কংলা মনুংসিদা লৌতুনবগী মকোন শারিবনি।

খৃ: ১৭৩৮-৩৯ দগীদি মৈদিংঙুসি কংলা মনুংদা ঈরৈ লৈত্রবনি। অদুগা মচাঈবুংঙো ঈবুংশীজ শ্যামশাইসু মপাবুং ঈবুংঙোনা লৈবা-লৈবা মফমশিংদা

থৌগল ইন্দুনা লৈখ্রবনি। অদুগা মৈতৈলৈমা গোমতীনসু মহাক্লা পোকচবা মচাঈবুংঙোশিং নত্তনা অতৈদি কনাসু মহাক্কী মনাক নকহন্দে। অদুবু মৈদিংঙু ময়াম্বদা নিংথৌ ফম্বালগী ৱাফম তকশিনবদি লেপ্লমদে, মরমদি ঈবুংশীজ শ্যামশাইনা নিংথৌ ফম্বাল থাদোক্লে হায়দুনা শরী নামুং শোনখ্রে হায়রবসু মহাক মপাবুংবু থাদোক্তনা শেন্নরি। অদুগা ৱাশক অদু লৈজরবসু থবক থোক্ত্রিবা মখে মহাক্লা (গোমতীনা) থাজবা ঙম্লমদে।

মৈদিংঙু ময়াম্বনা লৈঙাকলোনগী লমদাংদা তঙ তারবা য়েক্লবা ওইনা লৈরবা অৱাশিংনা লৌখৎলকপা খুজীল থৌরাং থিংননবা হোৎনরিবা অমসুং মৈতৈ কাংলুপপু মায়থীবা, অমাঙ-অতাক থোকহন্নবা মৈত্রবাক্কী লৈপাক মনুংগী চীঙমীগী কাংলুপশিংগী লৌতুনবগী শাথোক-লান্থোকশিং খৃ: ১৭৪০ দগীনা খৃ: ১৭৪৭ ফাওবদা লৈরিঙৈদদি ৱায়েনবম নিংঙোন মৈতৈলৈমা গোমতীনা মথী ফোঙদনা মহাক্কী মচা ঈবুংঙোশিং, মহাক্কী মীচঙ ওইবা অঙম-অথৌশিং অমসুং মনাই-মশল, তয়ুম- মদাইরেমশিংবু কুম্মৈদমক য়েংহন্দুনা লৈহল্লম্মী। মীগী মচীন মেল্লুবা ঙমদবনিনা মচাঈবুংঙো সনাহল সামৈরাংসু মশাগী মশক অমসুং শাগৈ-নাতৈগী ৱারম, ৱারী-শীঙবুন অমসুং ৱাফোঙ- ৱাফমশিং খৃ: ১৭৪৬ কী মতমদদি তারক্লে। মরম অসিনা মহাক্লা মমাঈবেম্মনা চীক্লা, মনাই-মশন নিংথেমনুবীশিং য়াওদনা মতোমতা লৈবা মতম-তাঞ্জাশিং থি-থিদুনা অমসুং ঙাই-ঙাইদুনা লোননা মতোমতা চঙলক্লগা মমাগী মফমদা - "মীনা ঙাংনরিবসি চুন্ব্রা, মখোয়না হায়রি-শক্লিবশিংসি কদায় ফাওবা চুম্বগে, চুম্লবদি মহাক্কী অপোকপা মপা কনানো, লৈরিব্রা, শিখ্রব্রা? মহাক কয়ুম মচানো?" - অসিনচিংবা ৱাহং কয়া থমদুনা মমাবু হন্না হন্না কপহল্লম্মী। ফনা কুইনা খাঙদুনা তাকথোক্তনা লৈরকপনি অদুবু খাঙবা ঙম্লক্তদুনা মনাউ ঈবুংঙো মঙাদি খঙহন-তাহন্দনা সনাহন সামৈরাংগী মশক তাকথোক্লক্লে - "মহাক ঈরোম শাগৈ মচানি, মহাক্কী অপোকপা পন্থৌদি ঈরোম চাওবা কৌই, লুহোংবগী ওল্লকপা চহিদা মৈদিংঙু ময়াম্বা মখুৎমক্লা হাৎখ্রে" - হায়দুনা হৌখ্রবা মহাক্কী থম্মোই শোক্লবা ৱারী, মোইরাংথেম চনু থম্বাল, ঈরোম শাগৈগী মৌ ওইরিঙৈগী ৱাফমশিংদু মচাঈবুংঙোদা লোয়নমক তম্লে। মমাগী মমিত্তগী মপি উরগা করম্বা মচানুপানা খাঙদুনা লৈবা ঙম্বগে, অদুবু মপাগী মরী-মখোঙ থিবদি তোক্তে - "অদুদি ঈমা! ঈরোম শাগৈদুদি কদায়দা, করি লমদা লৈবগে?" হায়না মখা তানা হংলকখি।

"ফিংগনু ঈমাগী ঈবুংঙো! ঈরেম লৈয়াৎ- লমতুপকী মচীন ঈরোইশেনবা খুঙ্গংগী ঈরোম লৈকায়দা লৈবনি। তাহা-তাহা তৌবা য়াবা নত্তেকো, মীমাঙ-মীতাক থোক্কনি, মতম চাদ্রি তপথখো! ঈমানা শামিন-শউম পীরক্কনি, মদু ঙাইদুনা লৈখো! মতম ঙাইয়ু লাকখিনি।" - হায়দুনা মমানা মচানুপাবু থেমজিন্দুনা থমখিরম্মী।

ৰায়েনবমচনু গোমতী মৈতৈলৈমা অমসুং মচাঈবুংঙো অহন সনাহল সামৈরাং অনিগী অরোনবা ৰারী শানবসি নুংতিগী ওইশিল্লক্লে, মচাঈবুংঙো অতৈ মঙাদুসু খঙলকপা-য়াওরক্লে। অদুবু তত্তনা, নোংমা কাংদনা য়াওরিবদি মচাঈবুংঙো অতোনবা তোল্লেনতোম্ব (শত্রুঘ্ন শাই) নি। মখোয়গী পন্থৌমৈদিংঙু ময়াম্বা, মপাবুং ঈবুংঙোবু য়েংথীবা, তাথী-তাওইবগী ৰারী অমসুং ৰাফমদুনা ঈ খেংগৎলক্লিবা মশাগী চহী ১৮ (তরানিপান) গী নহা অদুদদি তত্তনা অশাওবা হাপকৎলক্লি। নোংমদি অশাওবনা হেনমনখিদুনা অফ-ফত্ত খন্থবা নংহৌদনা পোইরৈ লৈপাক মীয়াম মমাঙদা মপাবুংদা লঙজবা, লৈপাক খ্বাইদা লাঞ্জবা ৰাফমদা ৰা ঙাংলুরে, থবক তৌরুরে। লৈপাক মীয়ামগী মমাঙদা ৰায়েন-ৰাতেম পরীং লৌখৎলকপদা চৈরাক পীদবা য়াদবনা ঈবুংশীজ তোল্লেনতোম্বা শুগ্লু লোইদা থানা চকপী উচান খাঙনরে, মদুদি:-

... কোনশম মাইমুগী কুম শক ১৬৬৯... ঈংঙা থা... ৭ নি শগোলশেন (খৃ: ১৭৪৭ কী জুনগী ২২) দা নিংথেমচা তোল্লেনতোম্ববু শুগ্লুদা থাইএ। তন্না থাঙশাবা লাংমৈগী মচাগা লুহোংএ [মথক্কীসিদা, ১১৮]।

অসিনি। মসিদা মৈদিংঙু ময়াম্বনা লৈপাক খ্বাইগী শাফুনা মচা ঈবুংঙো অতোনববু চৈরাক পীরিবা খুৎপীসি হকমল্লি খন্দুনা মচাঈবুংঙোগীদমক্তা নুংঙাইতবা পোকখি। অদুবু ঈবুংশীজ তোল্লেনতোম্বদি মপাবুং ঈবুংঙোবু তশেংনা ৰারৌখি। মতাং-মতম চাবদা লমন খুন্নীঙবগী মলোম অমসুং থরুম পুখি। মমা ঈবেম্মনসু মহাক্কী থরুমদু শৌগৎখি : অদুগা থা অসিদা মৈদিংঙুগা মৈতৈলৈমা অহন অরাম্বীগা হৈঙাং কোম্থাদা কুমদুনা নিংথেম মশাইগোন লীংনবা, লাইনীঙকোন শেমদুনা লাইশঙ অমসুং শঙ্গাই শাননবগী য়ুম্ফম অমসুং লম য়েংননবা চৎখিরম্মী, অদুগা নুমিৎ ৬ (তরুক) নী লৈরগা ঈবুংশীজ তোল্লেনতোম্বগী য়ুম মৈ চাকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১১৮]। মদু মীনা থাবনি, অথাবা মশক খঙবা ঙমহৌদবনি, অমসুং নুংশিদবা মীনা ইনশিন্দুনা থাবনি, হায়না চিংনখি অমসুং মদুগী তেকচাক পুন্নমক মৈদিংঙুদা নমখিরম্মী।

চিৎশাইদা ফম্বাল পীবা

মৈদিংঙু থোংনাং ময়াং ঙম্বা ময়াম্বা মশাগী চহি ৬০ (হুম্ফু) [শক ১৬১২ পোইনু, ২২ নী, খৃ: ১৬৯০/৯১ দা পোকপনি (মথক্কীসিদা, ৫৫)], ফম্বালদা চহি ৪০ (নিফু) শুরক্লে। মৈতৈলৈমা গোমতীগী মফমদা শকখিবা ৱাশক্কী মতুং ইন্না মৈতৈ নিংথৌ ফম্বাল চিৎশাইগীদমক নীরকপা অদুগী ৱাশক কায়ররোয়, মচাঈবুংঙো অহল শ্যামশাই খুরাইলাকপনা মশাগী হক কথোক্তুনা মহাক্কী অৱাবা কনখ্রে। কয়াদা পুকচেল চাওবা, কয়াদা মপা নীঙবা মচানো! মৈদিংঙুসিনা অহল ওইশিল্লক্লবসিদা মৈতৈ নিংথৌগী মতীক মপাঙ্গল শন্দোকপগী ৱাখল কাউদনা খৃ: ১৭৪৮ গী শজিবু থা (April-May) দা চীঙমী খুন চরোই খুঙ্গং লান্দাদুনা লোই চনখি। মসিদগী কোনুংদা হল্লকপদা ৱায়েনবম চনু গোমতী মৈতৈলৈমনা মৈদিংঙুগী সনানাক্তা চঙলক্তুনা মাগী খুজীন-থৌরাংগী শরুক ওইনা হান্নগুম মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল নীরে। মৈদিংঙুনা হন্দক্তি মৈতৈলৈমা গোমতীগী মনীঙ থুংহনবীরগে নীঙদুনা ফম্বাল পীবীরগে হায়বা য়াথং তাকপীরে। য়াইফৱবা নুমিৎ অমা লেপ্তুনা থৌরাং পুন্নমক তৌরে। লৈপাক-লৈঙাক পুবা অঙম-অথৌশিং তীন দুনা লৈপাক-খ্বাই মীয়াম মমাঙদা খৃ: ১৭৪৮ গী মে থাগী ১৫ য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মৈদিংঙু চিৎশাইদা ফম্বাল পীরে, মদুদি -

... খুৎলেম পাংঙনকী কুম শক ১৬৭০... কালেন থা... ১০ নি য়ুমশকৈশ (চৈচৎ ১৫/৫/১৭৪৮ ইং) দা মহারাজ গরিবনৱাজনা মচা ঈবুংঙো চিৎ শাইদা ফম্বাল পীএ [মথক্কীসিদা, ১১৯]।

অসিনি। থৌদোক নত্রগা ফম্বাল পীবা/শিন্নবা অসিনি ৱায়েনবমচনু গোমতীনা থৌরাংনা ঙাইহক্লিবসি। মসিনা মহাক্কী লমন খুম্বগী অহানবা খোঙথাংনি, মরমদি মহাক্না পাম্বা লমন্দি ঈগী লমন ঈনা খুম্বনি।

মখা তারকপা শরৌ-থৌরাং

মৈদিংঙু ময়াম্বা/গরিবনিৱাজনা মে ১৫, খৃ: ১৭৪৮ দা মচাঈবুংঙো চিৎ শাইদা ফম্বাল পীথোকপা নুমিৎসিমক্তদা কংলা কোনুংগী নিংথেম শঙ্গাইরেন থাদোক্তুনা য়ুম পুমহোং হোংদোক্লগা মমাঙগী মতমদা শেমখ্রবা অপোং ঈংখোল (হৌজিক্কী রাজা দুম্বা সিংহ হায়র সেকেণ্ডরী স্কুলগী কেম্পস অমসুং মসিগী অকোয়বগী লম

খর) দা শেমদুনা থন্বা রামশালাদা লৈখিরম্মী। মচাঈবুংঙো শ্যামশাই খুরাইরাকপা অমসুং মহাকপু মমা লম্বাশূ অরাম্বী অহন, মৈতৈলৈমা অহন, অনিসু মৈদিংঙুগী থৌগল তৌদুনা রামশালাসিদা লৈরম্মী। নিংথৌনা কংলাদগী হেক হোংদোকখিবগা মৈতৈলৈমা গোমতীনা মচা ঈবুংঙো তরুক্কা লোইননা কংলা মনুংদা অরোনবা খুৎপু শেমগত্তুনা মৈদিংঙু অমসুং মহাক্কী অতৈ লৈমশিংনা পোকপা মচাঈবুংঙো ১২ (তরানিথোই), মচা নিংঙোনশিংগী মমাক ঈবুংঙোশিং অমদি মখোয়গী মীচঙদা লৈবা, মখোয়গী মী ওইবা মীওইশিংনা করি করি তৌরিবগে হায়বদু য়েংলি অমসুং রামশালাবু কুপ্পা শেন্নরি। ঈরোইশেনবা খুঙ্গংদা অরোনবা মী থাদুনা ঈরোম লৈকায়গী অমসুং ঈরোম শাগৈগী মমিং লৈবা লুচিংবশিং, মরু ওইনা মৈদিংঙু চিৎ শাইগী মপন (মপাগী ময়াম্বা) থোকপা ঈরোম অমু (বা) দা পাউ থাদুনা কৌরম্মী। মীতোপ- মীরান কনাবুসু খঙহন্দনা করি তৌশিগে, করম্না থবক চপ্থসিগে, অসিনচিংবা তানবা হৌরে।

মৈদিংঙু ময়াম্বগী থৌগন্দা থৱাই-হকচাং কৎথোক্লা তৌজরক্লবা, লৈঙাক্লোনগী থবক-থৌরম কয়াদা, শাচৎ-লানচত্তা, খুনশেম-লৈশেম্বদা, তুতেং-লমশেংদা অমদি অতৈ লমদাং কয়াদা মায়রোং য়ানা থবক পুরক্লবা, লৈঙাক-লৈকনগী কত্বান/কোতৱান (Chief of city or Town Police) কী ফমদু ওইরম্বা অমসুং ঙাই-শেন/মরী মতাসু ওইরবা মোইরাং য়ুমথংদা নত্রগা মোইরাং (থেম) লনহান্বা (মহাকসি' সনামহী লাইকন' পুয়ানা মৈতৈ লাইনীঙ চৎপা, লাইয়িংথৌ তাইবং-খায়বা/সনামহীনা চানবা মনাই অমা ওইনা পীবী, অদুবু চৈথারোল কুম্বাবগী মতুং ইন্না রামান্দী লাইনীঙ খৃ: ১৭৩০ দগী ১৭৫২ ফাওবা চৎখিবা মীশক অমনি) দা য়াথং পীদুনা হৈঙাং কোন্থাদা (হৈঙাংগী হনচীঙ চীঙমৈ অমসুং হনচীঙগী নোংচুপ থংবা লমদা খৃ: ১৭৪৭ তা লম অমসুং য়ুম্ফম য়েংখিবা) রামনগর কোনুং শেমখিবা মফমদুদা নিংথেমগী শঙ্গায় শানবা থাদুনা খৃ: ১৭৪৮ গী জুন থাগী ৩ (অহুম) শুবা চয়োন্দগী শাগৎখি [মথক্কীসিদা, ১১৯]। অসুম্না শেম-শাবগী থবক পুম্নমকসি লোয়শিল্লগা মৈদিংঙু ময়াম্বনা শ্যামশাই খুরাইরাকপগা লোইননা হৈঙাংগী রামনগর কোনুংসিদা খৃ: ১৭৪৯ গী মেগী চৈচৎ ৬ (শক ১৬৭১ গী শজিবুগী ১৩ নি পানবা) তা অপোং ঈংখোলগী রামশালাদগী হোংদুনা লৈখিরম্মী। মৈদিংঙু ময়াম্বনা রামনগরদা হোংজিল্লবসিদা চীনবান্দদি মকা ফোংদনা মরা তপ্পা, নুংঙাই-য়াইফনা অমসুং চান্ন-চীন্নবা পানবা লৈপাক অমা লৈহন্নবা

নীঙখিবগুম তৌখি। মৈদিংঙু চিৎশাইনা কংলাদা কোনুং ওইদুনা পানবা অমসুং মৈদিংঙু ময়াম্বা / গরিবনৱাজনা রামনগরদা কোনুং লীংদুনা পানবা অসিনা মৈত্রবাক মেখলী / মেক্লে লৈপাক্তা নিংথৌ অনি পানবগী মতম নত্রগা তাঞ্জা অদু ওইখিরম্মী।

ঈবুংশীজ শ্যামশাই খুরাইরাকপনা হকথেংননবা হৈঙাংদা থৌগল তৌদুনা অমসুং অতে মচা ঈবুংঙোশিং - ঈবুংশীজ আনন্ত শাই, হরিচরন শাই, ঙৌব্রাম শাই, কিশর শাই, অসিনা কংলৈ পুঙময়োন্দা লৈরগা শৌগত্তুনা মৈদিংঙু ময়াম্বনা রামনগরদা পাল্লকপসিদা মচাঈবুংঙো তরুক্কী মমা পানবা শামাঙদা খৌশাবী, য়াওরৌ শাতুংদা শাথৌবী, শায়ায় শাৱাইনা লৌওনবীদুনা করিসু তৌবা য়ারমদে। অদুবু থরুম-ৱারুমগী কিশি কিবদি লেপখিদে, করম তৌনা লমন খুমশিগে তানবদি লেপখিদে। অসুম্না থা ৬ (তরুক) লোম হৈঙাংগী রামনগরদা মৈদিংঙু ময়াম্বনা পাল্লক্লবদা মাঙগী লমদাং অমা, খৃ: ১৭৪৫ দা অৱানা লৈমা নীরঙৈদা [মথক্কীসিদা, ১১০, ১১২] মৈদিংঙুগী মমোম ৱাংঙমলোনশিং কনা লৈত্রবনা মনাউ ঈবুংঙো ৱাংখৈরাকপ (খল্লাং পামশাবা, সেনাপতি নত্রগা মন্ত্রী) গী মমোম ৱাংঙমলোন সত্যমালাবু মমোম শকনা অৱা নিংথৌ দিপাতী [Maha Dhamma Raja Dipati (1733-57 A.D.] দা থাজখিবদু লুহোং-খোঙদোংবা মতম ওইরক্লে। অৱা কোনুংদগী পাউ লাক্লদুনা মৈদিংঙু ময়াম্বনা মমোম ৱাংঙমলোন পুদুনা হৈঙাংগী রামনগর কোনুংদগী শক ১৬৭১ গী হিয়াঙ্গৈগী নোংমা পানবা নিংথৌকাব (খৃ: ১৭৪৯ গী নভেম্বর ১৮) দা অৱা কোনুংদা থিনবা চৎলম্মী [মথক্কীসিদা, ১১৯]। হায়রিবা মৈদিংঙুগী খোঙচৎসিদা মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপসু মপাঈবুংঙোগী চেকশিন-থৌরাংগী হক্কন- থৌগল ওইনা থৌগল ইল্লি। মপা-মচা মৈত্রবাক্তা লৈত্রিঙৈসিদা করি তৌবা য়াবগে শরৌ- লাল্লোইশিংনা খন্নরকপদা মীমাঙ থোকপা মকা ফোংবা য়াদবা থবক্লিনা করিগুম্বা অমতা লৌখৎপা য়াদবনা তুমিন্না পাউ তাবা শানা অদুম লৈখিবা তারম্মী।

মৈদিংঙু ময়াম্বনা মমোম ৱাংঙমলোন সত্যমালাবু অৱা / ব্রাম্মা / ম্যান্মাগী চৎনবা লাইথৌ-তীনথৌদা অৱা নিংথৌদা লুহোংবীরগা মহাক্কী অওঙ-অউন পুম্নমক চামা চামনা খুজীং ওইদুনা তমদুনা অৱা নিংথৌ মহাধম্মরাজ দিপাতীদা শিন্নরে। অদুগা মৈত্রবাক্তা হল্লক্লবা থৌরাং তৌরকপদা মৈদিংঙুচা শ্যামশাইদি মমা শাতুং লৌওনবী, লৌওন-লৌয়াম্বীগী মচাশিং অদুগী থৌগল্লোন-লমচত্তুদা মখা তানা উজনীঙদে

হায়দুনা মৈত্রবাক্তা থোকচররোয়, অৱাদা অদুম লৈজহৌরগে হায়রে। থেম্বদসু য়াদ্রদুনা ময়ামদু মৈত্রবাক্তা হন্নবা খোঙশাল্লক্লে। ৱাফমদি থম্বীরল্লিবা ৱারোল্দি :-

... মোইফেংবা মায়তেককী কুমশক ১৬৭১ হিয়াঙ্গ থাদি নিংথৌকাবনা হলএ। মহারাজনা রামনগরদগী মনাউ ঈবুংঙো ৱাংখৈরাকপগী মচা শীজ অৱা লৈমা থিনবা চৎএ। মচাঙ্গীবুংঙো শ্যামশাইদি অৱাদা লৈরৌএ [মথক্কীসিদা, ১১৯]।

অসিনি। মৈদিংঙুচা শ্যামশাই অৱা কোনুংদা লৈহৌরগা মৈদিংঙু ময়াম্বা অমসুং মহাক্কী খোঙলোইশিংনা মৈত্রবাক্লোমদা থোক্লকপদা ম্যেদু কংলৈ (Myedu town) য়ৌরকপদা অৱা নিংথৌ মমাক ঈবুংঙোনা অৱা মখোয়না লাকশিনবা, নমথবা অমসুং লাক্লা-ফানবা ঙমদ্রবা মখোয় গ্রাম্মাগী মী কাংলুপ "কোই (Kaya or Ka-yay, a section of KARENG)" কৌবদু লোই চনবীরম্মু হায়না পাউ পুবা মী থারক্কুনা হায়জররে। অসুম্না মখোয়গী য়েক্লবশিং মৈতৈগা লাম্হেং-লানশোক্লুহন্নবগী খুজীন থৌরাংদা মখোয়না মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগা চারৌ মৌরৌনবগী লৈঙাক্লোনগী মরীসি লৌখৎলক্লিবনি। মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা মমোম ৱাংঙমলোনগীদমক য়েংদুনা অৱা কোনুংদা অমুক হল্লক্লম্মী। অদুগা অৱা লাম্মী পুরগা কারেঙ মী-কাংলুপকী ফুরুপ কোইশিংগী মথক্তা লান্দাখি। লান্দাসিদা মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইরাকপদা নত্তনা মৈদিংঙুগী থৌগল ইল্লকপা মৈতৈশিং পুম্নমক লান চৎখি অমসুং লানফমদুদা বামোন গঙ্গারাম অমসুং শৌগ্রাকপম অকোঙ অনিসি মৈদিংঙুগী সনামাঙদা কোইগী অথৌবশিংগা য়ান্নদুনা শিহৌখি [মথক্কীসিদা, ১১৯]। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মচাঙ্গীবুংঙো শ্যামশাইনচিংবগা লোইননা "কোই" মী-কাংলুপ লানঙমদুনা লোই চল্লগা কোই লানফা কয়ামরুম পুদুনা অৱা কোনুংদা হল্লক্লগা মমাক অৱা নিংথৌদা শিন্নরমখি।

মৈদিংঙু ময়াম্ববু তাম্হোক্লবা থৌরাং অমসুং তাম্হোকপা

মৈদিংঙু ময়াম্বনা অৱাগী কোই কাংলুপপু লাকশিল্লবা মতুংদা অৱা লৈপাক্তগী মৈত্রবাক্তা থোক্লক্কুনা মৈতৈ কোনুং কংলাদা থুংলখি [মথক্কীসিদা, ১১৯-২০]। মসিনা মৈতৈলৈমা গোমতীগী মফমদা অচাকপা মৈদা ঘী হৈরম্মী। অদুবু মৈদিংঙুসি থীম্থদনা হৈঙাংগী রামনগর কোনুংদা লেঙখি অমসুং থুংখিরম্মী। অদুগা ঈবুংশীজ শ্যামশাইদি মৈদিংঙুগা লোইনরক্তে, অৱা কোনুংদা লৈহৌখি। অদুনা নিংথৌ

ফম্বালগী মিকারবশিং অদুগী ব্রাখল খরমখৈদি ঈংলম্মী। অদুগা মমা শরৌ লৌওনবীগী পান্দমদি ঈবুংশীজ শ্যামশাই নত্তে, অদুবু মহাক্কী থম্মোইনুং ফুন্নিবা ব্রাফমদি মহাক্কী মবুকথোক্কী মচাশিং নত্তনা অতৈ খঙখিবদি য়াদ্রি, মরমদি, মশা ফাওবা কখোক্তুনা পুরকখিবা মাগী থম্মোইগী মলোম অমসুং থরুম মীতোপ-মীরান পাঙ্গনবশিংনা খঙখিবা থোক্লবদি মখোয়না লৌতুনরিবা পুন্নমক্তু অমতা হিংগনি হায়বা থাজদে। মৈদিংঙুসিনা মৈত্রবাক্তা লৈতবা মতমদদি লৈপাক মীয়ামগী ঈহৌ লাক্কদবা মান্দে, মরা তপ্পা পুক্নীঙ ঈংনা লৈবা উই। মহাক্কী মশক উরগা ময়ামসি ঈরাং লাংবগুম তৌই, মহাক্না চিৎশাইদা নিংথৌ ফম্বাল পীবসি লৈপাক খ্বাই মীয়ামসিনা য়ানীঙদবগুম তৌই। অদুনদি অসিগুম্বা মীয়ামগী ব্রাখলসি করম্না করিনা ফাজিন-লাকশিনগদবগে। মসি মহাক্কী মশক ময়ামদা উহনদ্রগা ঙমগনি। অদু ওইরবদি মহাক্কী মশকসি ময়ামদা করম্না উহল্লোয়দবগে? ব্রাহংসি পাউখুমদি ঐ ঈতোমতনা পীবা ঙমলোয়। পাউখুমসি ফংনবগী পাম্বৈদি ঐখোয়গী মীশিংনা খন্নরগা পুথোক্কদবনি। অদুনদি অরোনবা ব্রা খন্ননবা অরোন্‌বা মীফমগী মথৌ তারে।

মৈদিংঙু ময়াম্বনা মহাক্কী কোনুং রামনগরদা মহাক্না অব্রাদগী হল্লকপা মতুং থা তরুক (পোইনু, ব্রাকচীঙ, ফাইরেন, লমতা, শজিবু অমসুং কালেন) সি পাল্লক্লবদা মৈদিংঙুসিনা কোইরিবা লমদম, ইম্ফাল তম্পাক্কী অব্রাং নোংপোক/চীঙখৈ, থাঙব্রাই/থাঙমৈ লৈয়াৎ/লমতুপকী লমদম অসিগী ঙমখৈ/লমখৈসি চীঙমৈরোঙগী লমফাওবা ওইগে হায়রকই, হায়বা তোকঙা অমা লৌতুনরিবা কাংলুপসিনা খন্নরগা মখোয়গী মী থাদোক্তুনা শন্দোক্লকখি। তৌনরিবা লানওংসি থম্মোইগী চৈথেংনা পীবা শাফুনা মীওই অনিগী ব্রাখন্দা পীরগা থেংনরিবা লানওংনি। মৈদিংঙুসিনা মৈত্রবাক্তা অসুম লৈরবদি লৈপাক মীয়ামগী ঈরাং লেপ্তুনা হেনগৎলক্কনি অমসুং নিংথৌগী মচানুপা অহনগী হক অসি ঙাইহাক লৈতনা মথি ফোংলক্কনি। অদুনা লৌতুনবশিং অদুনা কুপ্না খন্নরগা মৈত্রবাক মচেৎ তাহন্দবগী মিংদা কংলাগী ঙমখৈ মনুংদা অহকপা মিৎয়েং মখাদা, মপান্দদি থৌগল্লোন ফজবা উৎলগা মনুংদদি মী উনবা য়াহন্দনা অমসুং য়ুম মনুংদা ঈমুংদগী শুম্মাঙদা থোকপা য়াহন্দবা অমদি অতৈ কনা অমতগী ময়ুমদা কোয়থোক-চখোকপা য়াহন্দনা থমখিরম্মী। হায়রিবসিগী ঈ-পাউদি :-

... নোংথোনবম শনোংগী কুম শক ১৬৭২... কালেন থা... ১৭ নি লৈপাকপোকপা (চৈচেৎ ৩।৬।১৭৫০ ইং) দা রামনগরদগী অঙোম য়ুম্ফমদা লৈএ [মথক্কীসিদা, ১২১]।

অসিনি। মসিদা অঙোম য়ুম্ফম হায়রিবসি কংলাগী অৱাং মনুং থাঙ্গংবাৎকী মনুংলোমদা থাঙ্গপাৎকী মপান্দা লৈবা য়ুম্ফম অমনি। মফমসিদা চখোক-কোয়থোকহন্দনা.থম্বসি লৈপাক পাল্লিবনিনা মীয়ামগী মিৎয়েং, মীচঙ ওইবশিংগী ৱাখল, অসিনচিংবসি লৈবনিনা মৈদিংঙু ময়াম্বসিবু থুনমক মৈত্রবাক থাদোকহনখিনবা পোরম য়াৎখি। য়াথংদি নিংথৌনা পীবতনি, থৌরম পুম্নমক্কী থৌয়াৎপদি মমা শীজগী অপাম্বনি। পীখিবা য়াথং অমসুং মদু পাংথোক্লবা শীনখিবা থৌশীনগী পরীংদি :

.... নোংথোনবম শনোংগী কুম শক ১৬৭২... হিয়াঙ্গৈ থা... ২১ ঈরাই (খৃ: ১৭৫০ গী ডিসেম্বর ৫) দা থাঙ্গদা ক্বা য়েংবা চৎলে। নিংথেম চিৎ শাই মহারাজনা মপা ঈবুংঙোবু তন্না তানথোকএ। অৱাদা চঙখিএ। শামুরৌদা লাইরিকয়েংবা উমানন্দ হাৎলে। শমলোইবা কৈরুংবা, মোংবীজাম্বা ৱাংখৈ হিদং, মোইরাংনিংথৌ তেনশূবা, মখোয় অহুমমদি নিংথৌনাইদগী চেল্লকএ। তন্না লোইথাএ [মথক্কীসিদা, ১২১]।

অসিশিংসিনি। হায়রিবা শাথোক-লান্থোকশিংসিদা মীশি-মীনা অমসুং চৈরাক ফংলিবা মীশকশিং অসি মৈদিংঙু ময়াম্বগী মীচঙদা লেপ্লুবগীনি। মসিগী পীরিবসিগী শম্লপ্পা ৱারী-ৱাফম খর পীবা তারবদি মখাদা থমজরিবসিনি:-

মৈদিংঙু ময়াম্ববু মচা শাবা ঈরোম.মচা চিৎশাইনা মমাশীজগী অপাম্বা মতুং ইন্না কংলাগী অঙোম য়ুম্ফমদা লানফা ওইনা থল্লম্বদগী লৈপাক ঈরাং থোক্লক্লনি হায়দুনা থাঙ্গদা মমাঙদা থারম্বা ক্বা পাম্বীশিংদু য়েংবা চৎপনি হায়না পাউথোক্লগা থাঙ্গদগী লোক্তাক লান্দুনা শামুরৌ তারগা খোংজোম ফাওগৎলগা মৈত্রবাক থাদোক্কুনা চৎখিনবা য়াথং পীরগা থাঙ্গরোমদা থৌগল তৌবা শাবা লাল্লোই লাম্মীনা পুরগা চৎহনখিবনি। অদুবু মৈদিংঙুনা থাঙ্গ য়ৌদুনা লৈরবদা মৈত্রবাক্তগী তান্থোকপগী পাউসি পীরবা মানহনবনি, মমা ঈবেম্মগী থৌইনশীন্দগী কংলাদা লৈরিঙৈদগী তান্থোক্লবনী। থাঙ্গদগী মৈদিংঙুনা লোক্তাক লান্দুনা ময়াং লৈমনাই

(ময়াং ইম্ফাল) তাদুনা খোংজোম হাইগৎলগা পল্লেন লান্দুনা কোন্দোং (কোনথোঙ) তারগা অৱা লৈপাক ফংদুনা খোঙনা অৱা কোনুং তান্না চৎলগা মচাঈবেম্মা সত্যমালা অৱা লৈমগী মনাক্তা চঙজফম লৌদুনা লৈখিরম্মী। মতমসিদা অৱা কোনুংসিদা মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইলাকপনা খৃ: ১৭৪৯ গী ডিসেম্বর থাদগী লৈরকপদু অদুম লৈরমখি। মপা-মচা উনরগা লাইবক থীবা থৌদৌদুগী নুংঙাইতবা ফোংদোক্তুনা কপমিন্নবা; মখোয়না অরানবা তৌরুদ্রগা লোয়রে হায়দুনা পুন্নীঙ থেমজিন্নরগা ৱাখল ফাথদুনা অৱা লৈপাক্তুদা লৈখিরম্মী।

মৈদিংঙু ময়াম্বা হাৎপা

অৱা লৈপাক্তা মৈদিংঙু ময়াম্বা, মচাঈবুংঙো ঈবুংশীজ শ্যামশাই খুরাইলাকপা, মচাঈবুংঙো ঈবুংশীজ কিশর শাই অমসুং মৈদিংঙুগী থৌগন ইনবা মনাই নুপা ৩০/৪০ রোম্না মচাঈবেম্মা ৱাংঙমলোন সত্যমালা অৱা লৈমগী মিংদা থা ১০ (তরা) হেন্না লৈরক্লম্মী। মতম অসিদা মনীঙ মখা তম্বা লৈপাক অমগী নিংথৌ ওইরকপা অমসুং অঙম- অথৌশিং ওইনা লৈপাক পানবা অমগী থৌগায় অমসুং থৌদাং পুরকপা মীওইশিংনা নিংঙোন মৱাগী ময়ুমদা করিসু তৌদনা লেমজা চাদুনা লৈরকপসি মৈতৈমচাশিং অদুনা ঈকাইবা পোক্লরকখিরম্মী। মরম অসিনা মখোয়না শক ১৬৭৩ (খৃ: ১৭৫১) গী হিয়াঙ্গৈ (নবেম্বর-ডিসেম্বর) থাদদি অৱা কোনুং থাদোক্তুনা চৎলসি হায়না লেপ্লরম্মী। মখোয়না অতৈ অতোপ্পা লৈপাক অমদা চৎলুনবগী মরম লৈতবনা মখোয় মরৈপাক- মরমদম পোইরৈ মৈত্রবাক তম্না হল্লক্লম্মী। মখোয়না মৈত্রবাক্তা হল্লকপগী পাউ অসি, মতমদুদা মৈত্রবাকসু লৈপাক পানপা অমা ওইরিবনিনা মপান লৈপাকশিংগী অমসুং লৈপাক মনুংগী পাউশিং লৌননবা লৈঙাক্কী লোইশঙ থৌবুরোইশিং থম্বা- লৈবনিনা মৈতৈ সনা কোনুংদসু ঈ-পাউ পুম্নমক ফংলম্মী। হায়রিবা মৈদিংঙু ময়াম্বনা মৈত্রবাক্তা হল্লকপগী খোঙফমসিদা চিৎ শাইগী নিংথৌ ফম্বালদা লাংলৌ অমসুং শৌ ওইরিবা ঈবুংশীজ অহন শ্যামশাই খুরাইলাকপসু মৈদিংঙুগী থৌগল ইল্লকলি, হায়বসিসু পাউ ফংলম্মী।

লমন খুম্নীঙবগী ঈথৌ লাংলবশিংদুনা 'ঈগী লমন ঈনা খুম্বা অমসুং অতৈ নিংথৌ ফম্বালদা পানবা কৈরাং ওইনা লৌরিবা লাং কাইবা'' হায়বা পান্দম নত্রগা হিরম অনিসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা ৱায়েনবমচনু গোমতী মৈতৈলৈমা অমসুং

মচাঈবুংঙো মৈদিংঙু চিৎ শাইনা কংলা মনুংগী অরোনবা কা অমদা মথৌ লৈবা/চঙবা মী মখে লোন্না উনদুনা ৱা তানবা অমসুং থবক শীন্দোক্লবগী মীফম অমা কৌরম্মী। মীফমসিদা মৈতৈলৈমা গোমতী, মৈদিংঙু চিৎ শাই, ঈবুং শীজ নন্দ শাই, ঈবুং শীজ তঙ্গশাই, ঈবুং শীজ শব্যশচি শাই, ঈবুং শীজ শঙ্গোয়তাবা ভরত শাই, ঈবুং শীজ তোল্লেনতোম্বা নত্রগা ৱাঙ্গোন নিংথৌ শত্রুঘ্ন শাই, ঈরোম অমু অমসুং ঈরোম লাবনচিংবনা লুচিংবা ঈরোম মচা নিপান, নহাকপম থরোই, য়ুম্নাম হোঙবা, কৈক্রনবা হিদং, অসিনচিংবা মী ২৫ (কুনমঙা) ফমদুনা ৱারেপ তানখি, মদুদি - (১) মৈদিংঙু ময়াম্বনা অৱাদগী হল্লকলিবসি ওক্লুবা শাদুনা মহাক্কী হকথং-থৌগল ওইদুনা কুপশেন শেন্নবা হিয়াঙ্গৈগী তরেৎনী পানবা ঈরাই (চৈচৎ ১৪।১১।১৭৫১ ইং) দগী অৱাদা নহাকপা থরোই, য়ুমনা হোঙবা, কৈক্রনবা হিদং অমসুং ঈরোম লাবনচিংবা, মখোয় ৪ মক্কা চৎখিদুনা মহাকপু পুথোক্লবা, (২) পোইনুগী ১৬ নি পানবা লংমাইজীঙ/নোংমাইজীঙ (চৈচৎ ২১।১২।১৭৫১ ইং) দা ঈবুংশীজ তোল্লেনতোম্বা, ৱাঙ্গোন নিংথৌনা মৈতৈগী লাল্লোই ১০০ (চামা) পুদুনা কংলাদগী অৱারোমদা লাঞ্জাবা শাদুনা চৎখ্রগা অৱাগী তোমফাং হিথাথেনগী উমং-ৱামংদা লাল্লুমদুনা লৈগদবনি। তান্নরিবা য়াউরৌ শা অদুনা মফমদুদা চঙলকপগা শকখঙনদবা লম্লানবা মীতোপ ওইনা লৌশিন-খঞ্জিন্নদুনা লান্দারগা অরাকপা-য়াওরকপা মী অমতা খাক্তনা লোয়শিনবা। অদুগা লাল্লোই ১০০ অসিনা ওক্লোয় হায়রবসু অহেনবা লান্মী লৌবা য়াগনি। ৱাফমশিং অসি লেপ্পবা অমসুং থবক শীন্দোক্লবসি লোয়রগা মীফম য়াওরিবা মীওইশিংদু মাগী মাগী মথৌশিং তৌননবা হনখ্রে। ৱায়েন চনু গোমতী, মশাগী চহি ৪৬/৪৭ শুরবীনা কংলা কোনুং মনুংদা মশা মতোমতা লুখ্রা ওইনবা অমসুং মাঙজনবা শীঞ্জরি।

মৈদিংঙু ময়াম্বনা মচা ঈবুংঙো অনি অমসুং অতৈ খোঙবুরোই ১৪ (তরামরি) গা লোইননা অৱা কংলৈ কোনুংদগী মৈত্রবাক্তা থোক্লনবা খোঙশাল্লকখি। মথং মথং ওইনা লাকপনা অৱাগী খুঙ্গং- খুঞ্জাও কয়া লান্দুনা মৎসেম (Matsem) কংলৈ য়ৌরক্লে। মদুদগী অমুক লাকপনা দবায়েন (Dabayen) কংলৈ ফংলে, দবায়েনসিদগী মু (Mu/Moo) তুরেনগী তোবর্বান্দা তাবা কংলৈ ম্যেদু (Myedu) য়ৌরক্লম্মী। অমরোমদা মৈতৈ কোনুংদা শীন্নখিবা থৌরমগী মতুং ইন্না নহাকপম

থরোইনচিংবা মৈতৈ লাল্লোই ৪ দু অৱা লৈপাক্তা চঙলক্কুনা দবায়েন কংলৈদা মৈদিংঙুবু ওক্লুরে। ম্যেদুদগী মৈদিংঙু ময়াম্বা অমসুং মহাক্কী খোঙবুনা নিংথি/চিনৱি ন তুরেনগী তম্পাক্তা চঙশিল্লক্কুনা ফোঙদা/তোম্ফাং হিথাথেনগী অৱারোম থংবা হিরানফমদা থুংলে। মফমসিদগী নিংথি অমসুং ইম্ফাল তুরেন অনিগী শম্লফমদু হিনা লাম্থোক্কুনা মৈতৈগী লম, মৈতৈকবো (Kase Shan) লোম থংবা তোম্ফাং হিথাথেন্দা থুংলরে। অসুম্না মৈতৈগী পুম্নমক তোম্ফাং হিদেনসিদা শুনা লৈরবদা ৱায়েনবম চনু গোমতীনা শীনখিবা অমসুং মৈদিংঙু চিৎ শাইনা পীখিবা য়াথংগী মতুং ইন্না ৱাঙ্গোন নিংথৌ শক্রুঘ্ন শাইনা লুচিং-লাঞ্জিংবা মৈতৈ লান্মীশিংনা লান্দাশিল্লক্লে। অসুম্না লান্দারকপদুদা থোকখিবা থৌদোক্কী মরমদা পীবীরল্লিবদি:-

... লুক্রাম তেনশূবগী কুমশক ১৬৭৩ ... পোইনু থা... ১৬ নি য়ুমশকৈশ (খৃ: ১৭৫২ গী জানুৱারী ২০) দা গরিবনৱাজ মহারাজনচিংবা মচাঈবুংঙো শ্যামশাই, কিশোর শাই, বামোন ৱারীবা হঞ্জবা মপা-মচা ইমা, ব্রহ্মরামকৃষ্ণ ২, লমবোইবা লোকদাস, মোইরাং লনহান্বা কত্বান, মনাউ ফৈদা হঞ্জবা, মনাউ শেল্লুংবা, অঙোম চন্দ্রমনি, নাউরোইবা শেল্লুংবা, নিংথৌখোংজম কামদেব, নিংঙোম্বম শ্যামরাম, ৱাংখৈ মাইমু ফৈদা হঞ্জবা, তখেল লম্বু লাইরেন তুম্বা, অসি খিবিক পুম্নমক লোইননা তোম্ফাং হিথাথেন, ব্রহ্মপুত্র মপান্দা লীলা ওই। তন্না য়ুহারাইএ [মথক্কীসিদা, ১২০]।

অসিনি। মসিদা ঈবুংশীজ তোল্লেনতোম্বা নত্রগা শক্রুঘ্ন শাই ৱাঙ্গোন নিংথৌ (Crown Prince) না মপাবুং ঈবুংঙো মৈদিংঙু ময়াম্বা/গরিবনৱাজ মহারাজ/নিংথৌরেনবু হকথেংননা তানা থিন-লেংদুনা হাৎখি। অদুগা ময়াম্বুং শ্যামশাইগা লাম্বা তৌনবদা ময়াম্বুংদি খুৎলাই য়াওদবনিনা নিংথি তুরেন্দা চোংথদুনা শিখি, হায়বনচিংবদি পনবীরমদ্রে।

মৈদিংঙু ময়াম্ববু হাৎনবা অমসুং মৈদিংঙুচা শ্যামশাই খুরাইরাকপমবু লোয়শিন্নবা ৱায়েনবম চনু পাইখু লাম্থাবী গোমতী নত্রগা ঈৱাংলোন মোইরাংথেম চনু থম্বালনা লৌতুনবগী শরৌ শীন্দুনা মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা ঈবুংশীজ ওইনা য়োকচরকপা অমসুং মৈতৈ নিংথৌ ফম্বাল ফাওবা শিন্নবীবা ঈরোমচা সনাহল শমৈরাং নত্রগা মেনখোম্বা নত্রগা চিৎ শাই, মনাউ ঈবুংঙোশিং মৈদিংঙুচা নন্দশাই (থমংলাং), তঙ্গশাই (শমৈরাং), সব্যশচি শাই (মুংয়াম্বা), ভরত শাই (মিংথোইঙম্বা নত্রগা শঙ্গোয়তাবা/শঙ্গোয়বা) অমসুং শক্রুঘ্ন শাই (তোল্লেনতোম্বা) অমদি ঈরোমচা

খরনা লৌতু-লৌমান্নরগা খুৎলাই পায়বা লান্মী লাল্লোইশিংগা লাইশোন-লীক পায়বা লাইনীঙবশিং লান্বা তৌনবদা মৈদিংঙু মশা, মচা ঈবুংঙো অনি অমসুং অতৈ খোঙলোইশিংবু হাৎখিরন্মী। মৈদিংঙুসি অৱা লৈপাক্কী তোম্ফাং হিথাথেন (ম্রাম্মা/ম্যান্মা/বর্মীজ মরোন্দা ফোংতা/ফোংদা কৌবা) হায়বা হিরানফম (Ferry) সিগী মৈতৈ কবো নত্রগা নোংচুপলোম থংবা নিংথি (চিন্দৱিন) তুরেনগী তোবর্বান্দা খৃ: ১৭৫২ গী জানুৱারীগী ২০ নি পানবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা নোঙ্গাখিরন্মী। নোঙ্গাখিবা মতমদুদা য়ুহারখিরন্মী।

পুন্সিগী অরোয়বা শরুক্তা

মৈদিংঙু ময়াম্বা, মচাঈবুংঙো শ্যামশাই, মচাঈবুংঙো কিশোরশাই, মোইরাং লনহাম্বা কত্বান অমসুং অতৈ লাইনীঙবা তরাহুমদোই তোম্ফাং হিথাথেন্দা হাৎখিবগী পাউসি মৈতৈ লৈপাক্তা তানরক্লে। মৈবু ফিনা কুপ্তুনা থন্বা য়াদবনিনা কনাগী খুজীন-থৌরাংনা কনা কনানা করি করি তৌখিবনো, হায়বসি থা অনিগী মতুংদদি লোয়নমক খঙনরক্লে। মপা শক্লা য়োকপী-থাক্লগা মপাঙ্গন চাওরক্লবদা নিংথৌ ফম্বাল ফাওবা পীবীরম্লবা মৈদিংঙুবু হাৎপা, মপা হাৎপা নিংথৌগী মখাদা লৈপাক পান্নীঙদে, মচা পোকমিন্নরিবা মপুরোইববু হাৎহন্নবা খুজীন-থৌরাংবা অমসুং শরৌ শীনবা নুপীনা পানবা লৈপাক, মহাক্না ইনশিল্লগা লৈঙাকপা লৈপাকসিগী নিংথৌসি লৌথোক্তবা য়াদে হায়দুনা মৈতৈ লৈপাক্কী খোঙবী-খোঙনাউ পুম্নমক হৌরক্লে, মীপুম তিংনা খুৎলাই পায়খৎনরক্লে। মীচম খ্বাইদগীনা অঙম- অথৌশিং অমসুং অচৌ-অশাংশিং পুম্নমক পুন্না কংলা তম্না চঙশিন্নরক্লে। মতমসিদা ময়ামসি মরক্তা গোমতী মৈতৈলৈমগী মচা ভরত শাইনা নিংথৌ ফম্বাল ফংনবা মমাশীজ অমসুং ময়াম্লুং মৈদিংঙুগী মায়য়োক্তা লেপ্লি, থবক তৌরি অমসুং লানহৌনবগী লম্জিংলি। লৈপাক মীয়ামদু ঈবুংশীজ ভরত শাইগী মখাদা খৃ: ১৭৫২ গী এপ্রিল ২০ য়ুমশকৈশ নুমিত্তগী মীয়াম হৌবগী ঈরাংসিগী পাউ ৱায়েনবম নিংঙোন গোমতী তাই, মচাঈবুংঙো মৈদিংঙু মেনখোম্বা চিৎ শাইসু তাই। অদুবু করি তৌরুগনি, থোক্লবা ঙাইবা তাবনি।

মৈত্রবাক্কী অপুনবা মীয়াম অসিনা খৃ: ১৭৫২ গী মে থাগী ৬ ঈরাই নুমিৎসিদা খুৎশূ- খুৎলাইগা লোইননা ভরত শাইনা লুচিংদুনা কংলা কোনুংদা অথিংবা অমসুং অপনবা লৈতনা চঙলক্লন্মী। মখোয় চঙলক্কদৌরে হায়বা পাউ অসি মমাঙদা হান্ননা লৌবা অমসুং ফংবনিনা অমদি মখোয়না (কোনুংগী লান্মীনা) থিংবা ঙম্লরোয়

খঙবনিনা মখোয়দি হান্নবা কোনুং থাদোক্কুনা চৎখ্রবনি। নুমিৎসিদা ঈবুংশীজ নন্দশাই, ঈবুংশীজ তঙ্গশাই অমসুং ঈবুংশীজ সব্যশচিশাই মমা শীজ অমসুং ময়ান্নুং থাদোক্কুনা অৱা লৈপাক্তা চঙখি-চৎখিরম্মী। লৈপাক মীয়াম্না থিরক্লিবসি মরু ওইনা মৈতৈলৈমা গোমতী অমসুং মৈদিংঙু চিৎ শাইনি। মমা-মচাসি অমসুং মখোয়গা লোইনবা, চিৎ শাইগী মচা দেবশাই, মনাউ ঈবুংঙো শত্রুঘ্ন শাই অমদি মনাইশিংগা পুন্না লাঙ্গোনগী ঈরোইশেনবগী চীঙমৈ কাখৎলগা মফমদুদা নোংমা লোন্না চীঙলক্তা পল্লগা মখা তাবা করি পাউ লৈবগে ঙাইরম্মী।

মেগী ৭ থাঙজা নুমিত্তা মীয়াম্না ঈবুংশীজ ভরত শাইবু নিংথৌ হাপ্পুনা মহাক্লা মৈদিংঙু নিংথৌ ওইখ্রে [মথক্কীসিদা, ১২০]। পাউ অসি মৈতৈলৈমা গোমতী অমসুং মৈদিংঙু চিৎ শাইনা তারে, অদুগা মখোয়বু মীয়াম্না কন্না থিরি, ফাননবা থৌরাং শীল্লি, হায়বশিংসু তারম্মী। অদুনা মখোয়না চীঙনুংগী হেন্না শুকপা মফমশিংদা চঙশিন্নবা শেম-শাদুনা মাঙলোমদা খোঙ থাংজিল্লক্লে। অসুম্না নুমিৎ নীনী চঙশিল্লক্লগা মখোয়গী মরক্তা মা-মাগী পান্দম অমসুং অপান্বগী মরমদা হায়নরক্লে, অদুগা মাগী পান্দমদু ফংননবা লম্বী খাইদোক্লুরে অমসুং কায়নদুনা তোংঙান-তোংঙান চৎনরক্লে। মমাঈবেম্মা ৱায়েনবম চনু গোমতী মৈতৈলৈমনা পুন্সিগী অপান্বা পান্দম লৈত্রবনিনা চীঙনুংদা লাই নীঙদুনা লৈজরুরগে, মহাক্লা লঙখিবশিংগী ঙাকপীনবা কোরৌ লনশাজরুরগে হায়দুনা কৌব্রু চীঙজাওগী চীঙ্গোনগী কৌনু চীঙগী চীঙ্গোন্দা চৎখ্রে অমসুং লৈখ্রে। অদুগা মৈদিংঙু চিৎ শাইনা মচানুপা দেব শাইগা লোকচাও অমদা অহিং লেক্কুনা লোকচাওদুদগী ময়াং লৈপাক্তা (ডিমাসা লৈপাক কছাড়দা) নিংথৌ ফম্বাল হঞ্জিন্নবা পান্থে থিরুনবা চৎখ্রে। মহাক্লা অহিং লেক্লম্বা লোক্কু মতুংদা "সনাহল লোকচাও" হায়না মিংথোনখি। অদুগা মহাক্কী মনাউ ঈবুংঙো অতোনবা তোল্লোনতোম্বা (শত্রুঘ্ন শাই) মতমদুদা লাম্মীগী লাঞ্জিংলেন-পুরেন (Chief of Army) ওইবনা মৈতৈ তম্পাক্তা হল্লক্লগা ময়ান্নুং ভরত শাইদা চঙজদুনা পোইরৈ তম্পাক্তা লৈখিরম্মী। মৈদিংঙু চিৎ শাইনা ময়াং লৈপাক্তা চৎখ্রগা, মদুদগী অমুক তখেল লৈপাক (ত্রিপুরা/Tripura) তা চৎখ্রগা লৈপাক্কুগী নিংথৌ লক্ষ্মণ মানিকা/শামসের (খৃ: ১৭৫০-৬০) গী মতেং লৌদুনা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীদা মেক্লেগী নিংথৌ ফম্বাল মুনবীখ্রে, হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু, হায়দুনা অইবা চে অমা লানখৎখিরম্মী। অদুবু মহাক মায় পাকখিদে।

মৈতৈলৈমা গোমতী নোঙ্গাবা

মৈতৈলৈমা ৱায়েনবমচনু গোমতী খৃ: ১৭০৪ দা পোকখিবীনি, অদুনা খৃ: ১৭৫২ দা মশাগী চহি ৪৭/৪৯ শুরে। মানা তৌজরুবনা মানা ফংই হায়দুনা

মহাক্কী পুন্সিগী অরোয়বা শরুক্তি মীচীক- মীরাউখোন তাদ্রবা চীঙলক-মাল্লক্তা মপুন্সি লেনখিরম্মী। মতম অমদা মৈত্রবাক্কী লৈমরেন (Chief queen) ওইরম্মী হায়দুনসু অসিগুম্বা চীঙগী উমং-ৱামং মরকসিদা মী কয়ানা মহাক্কী মনাক্তা লৈবীরমগনি। মহাক্লা মথাইদগী হেন্না নুংশিনা তৌজরবা মচানুপা, মহাক্কুগী হোৎনবদা তমথীরবা ফিবমসিদা অহল ওইরক্লবী মহাকপু পুরক্লিবা মচানুপাদুনসু হুন্দোক্লম্লগা চৎখ্রে। শা-কৈনা থল্লবা চীঙলকসিদা নুপী ওইবী মহাক্লা করি করম তৌরমগনি। চাদ্রবদি হিংবা য়াদবনিনা চীঞাক্লা কদায়দগী অমসুং কনাদগী লৌরমগনি? অৱাবনা থল্লবা পুন্সি মরৈ অদুদা মহাক কয়াম কুইনা হিংবা ঙল্লমগনি। মৈত্রবাক্কী মীয়াম মমাঙদা থোকপা নত্রগা শক উৎপা য়াবা মীশকসু নত্তে। অদুনা মহাক কৌব্রু চীঙজাওগী কৌনু চীঙ্গোন্দা খৃ: ১৭৫২ সিগী চহি অনি নত্রগা অহুমলোম লৈরম্লগা মফমসিদা নোঙ্গাখিরম্বা য়াই। হিরমসিদা অখঙবা কনাসু লৈতবনা তং তাবা মতম হায়বা ঙমজদে। মশানা থাকচবা লাংনা অশিবগী মথৌ-মঙম অমতা তৌবীদনা কনানসু মফম মরাং খঙদনা নোঙ্গাখ্রে।

ৱাখোম-ৱারোয়

মৈতৈলৈমা ৱায়েনবম চনু গোমতী, মৈদিংঙু ময়াম্বা/গরিবনিৱাজগী তাল্লোই লৈমা তরাগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মমিং চৎপীনি। মহাক্কী অহানবা মমিংদি মোইরাংথেম নিংঙোন থম্বাল হায়বসিনি। মহাক পাইখু লাম্থাবী হায়বা মিংথোলসিগা লোইননা মৈতৈলৈমা নত্রগা লৈমরেনগী ফম খৃ: ১৭২৭ তা কাখিরম্মী। খৃ: ১৭৪৫-৪৬ ফাওবদা মহাক্লা লৈমরেনগী ফমসি পায়খি। মহাকসি পুকচেল চেৎপী, নীঙখিবা ৱাখন হোংগন্দবী, নুংশিবদা থম্মোই থোৎপী অমসুং য়েক্লবদা থম্মোই কনবীনি। থরুম, মলোম অমসুং ৱারুম পুগনবীনি। মহাক অহানবদা মশাগী চহি ১৫ দা লুহোংলুরবা মতুংদা মৈদিংঙু ময়াম্বনা মশাগী চহি ১৭ তা লৌবনি। মহাক চাবোক ফবী নুপীনি অমসুং পুন্না মচানুপা ৬ (তরুক) পোকখিরম্মী। মহাক্কী মচানুপা অমদি মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইবা ফংখি অমসুং মচা নুপাসিনা চহি ৫ (মঙা) মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইখি। মহাক তশেংনমক লমন খুমগনবীনি, মৈদিংঙু ময়াম্বনা মহাক্কী মফমদা লাল্লুবগীদমক মৈদিংঙুসিদা মশাগী হকচাং কথোক্লগা লমন খুমদুনা মহাক্লা অমুক মৈদিংঙু ময়াম্বদা নত্তনা মৈত্রবাক্তা লঙজখি। মদুগী মহৈনা মহাক্কী পুন্সিগী অরোয়বা শরুক্তা ৱানা পুন্সি লেনখি অমসুং শিফম-নাফম খঙদনা মপুন্সি লোয়খি।

কছাড়গী মহারাণী হরিপ্রিয়া

শক্তাক ৱাহৌদোক

কছাড়গী মহারাণী হরিপ্রিয়া, মৈদিংঙু থোংনাং ময়াম্বা/গরিবনিৱাজ মহারাজ [গোপালসিং, তখেলঙম্বা, শমজোকঙম্বা, নোংপোক ৱাইরং পামহৈবা/পামহাইবা খৃ: ১৬৯০-(১৭০৯-৪৮)-১৭৫২] গী নিপানশুবী রাণী মাইবমচনু/হীদাকশুংবম নিংঙোন তরিন্মালা নত্রগা লোইবী চরোইঙম্বীগী মমোম ৱাংঙমলোন্নি। মহাক খৃ: ১৭৩২ গী মতম অদুৱাইদা মালেম তাইবংপান্দা খোঙদারকখি। মহাক্কী মবুংশীজ ঙৌব্রাম শাই কৌবা খৃ: ১৭৩১ গী মার্চ হৌগৎলকপদা পোকপা মমা তীন্নবা অসিমখক্তা লৈজে, অদুগা মমা তীন্নদবা মবুং-মপ্পাশিংদি ১৭ (তরাতরেৎ) শুই। অদু মচেম মনাউশিংনা মশীঙ ৮/৯ শুই।

মৈতৈ অমসুং থোংনাং ময়াং (ডিমাসা, প্র- আরি কোরোসারী নত্রগা কছাড়ী) শিংগগী লৈঙাক্লোনগী মরীসিদা লান্দা- লাম্থেংনদুনা অমবু অমনা লোই চন্নবা হোৎনরকপসি মণিপুর ইতিহাসকী অরিবা মতমগী মৈদিংঙু কোংয়াম্ব (খৃ: ১৩২৪-৩৫) গী স্না হাক্তক্তগী হৌরক্লবসু য়াম্না হকচিন্না তকশীন্নরকপদি মৈদিংঙু খাগেম্বা (খৃ: ১৫৯৭-১৬৫২) অমসুং মৈদিংঙু মেখলেশ্বর গরিবনৱাজ মহারাজগী সনা হাক্তক অনিসিদনি। ডিমাসাশিংদা খৃ: ১৬০৩, ১৬০৪ অমসুং ১৬০৬ তা মৈত্রবাক্তা লান্দারকখি। অহানবগী ময়াং লান্দা অনিসিদদি ডিমাসাশিংনা মৈতৈবু য়াম্না লাকচরম্মী, অদুবু অকোনবগী খোঙফমসিদদি মৈতিনা ময়াংশিংবু শাথীনা মায়থীবা পীরম্মী। অদুনা মৈদিংঙুশিং খুঞ্জাওবা (খৃ: ১৬৫২-৬৬), পাইখোম্ব (খৃ: ১৬৬৬-৯৭) অমসুং তুবী চরাইরোংব (খৃ: ১৬৯৭-১৭০৯) গী স্না হাক্তকশিংদা তুমিন্না লৈখিরম্মী। অদুবু মৈদিংঙু গরিবনৱাজনা খৃ: ১৭৩৩-৩৪ দা কছাড়গী লমদম লান্দাদুনা লমচেৎ লমদম য়াম্না লোই চল্লম্মী [চৈ: কুম:, ২০০৫, ৯৫]। হায়রিবা খোঙফমসিদা মৈদিংঙুসিনা তুয়াই তুরেন (Tuivai river) গা থ্বাই/বরাক তুরেন (Barak river) গা ঈতীন্নফমগী ঈরোঙদগী উ য়ান্দুনা হিয়াঙ-হিরেন শারগা বরাক্কী মরীন ইন্না চৎখিদুনা হৌজিক্কী খ্বাইরাক ঈরেনগী ঈশিং ময়ায়দা লৈরিবা মন্দিরসিদা লাৎপা শ্রীরাম লক্ষ্মন খুরুমখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৯৫]।

হরিপ্রিয়াবু হায়ন-শীঙনরবা

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী খুৎকন-পাঙ্গনবগী মতৌসিদা মতমদুদা পাল্লিবা হিরম্বেশ্বর কীর্ত্তিচন্দ্র নরায়ননা মৈতৈ নিংথৌ শাগেগা চারৌ-মৌরৌনবগী মরী লীংখত্তুনা মশাবু খুৎকন-পাঙ্গনহনবা অমসুং কছাড় লৈপাক্তা অমুক হন্না মৈতৈনা লান্দারক্তনবগী থৌশীল-থৌরাংগী খোঙফম শেম্লনবা থবক লৌখৎলক্লম্মী। মরম অসিনা মহাক্লা মহাক্কী মীশিং থারক্তুনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজদা খৃ: ১৭৪৩ গী ফেব্রুৱারী থাদা মচাঙ্গীবেম্মা অমা পীননবা মৌ হায়হললরম্মী [মথক্কীসিদা, ১০৭]। হায়রিবসিগী ৱারোন্দি :-

... শুগ্নু ক্যাম্বগী কুম শক ১৬৬৪... ৱাকচীং থা... ১৬ নি থাঙজা (খৃ: ১৭৪৩ ফেব্রুৱারীগী অনিশুবা চয়োনগী) দা ময়াং কৈরুংবা লক্ষিপুরদগী মচুমদারনচিংবা ৫৬ থোক্লকএ [মথক্কীসিদা, ১০৭]।

অসিনি। মজাঙ্গীবেম্মা পীয়ু হায়না নীররিবা ৱাফমসিদা মৈদিংঙুনা চানবীরদুনা লৌন-লৈনবগী মরীসি লীংখৎনবা লেপ্লরম্মী। অদুগা মজাঙ্গীবেম্মগী লুহোংবসি ময়াংগী হিন্দুশিংগী চৎনবী যজ্ঞ তৌদুনা হোম পীরগা পাংথোকপগী মচৎসিদা মৈতৈ কোনুংদা পাংথোকখিরম্মী। মসিগী ঈ-পাউদি :-

... থাঙ্গা তখেনগী কুম শক ১৬৬৬... ঈঙেন থা থাঅহননোং (খৃ: ১৭৪৪ গী জুলাইগী ময়ায়গী) দা ময়াং নিংথৌ মতু হুম (হোম) তৌএ।... ৫ নি লৈপাকপোকপদা থাঙজম য়ুম্ফমদা ময়াং নিংথৌমচা থিন্থেএ। ... ২৫ নি নিংথৌকাবদা নহারুপ অহললুপ হিয়াঙ তান্নেএ। ময়াং নিংথৌ মচানা তোংএ। ২৭ নি য়ুমশকৈশ (আগষ্টকী ২শুবা চয়োনগী) দা ময়াং নিংথৌমচাদা ময়াংলৈমা থিন্থেএ [মথক্কীসিদা, ১১০]।

অসিশিংসিনি। লুহোংলবা মতুংদা ময়াং নিংথৌমচা তুংলমচৎকী হিরম্বেশ্বর হরিশ্চন্দ্র নারায়ন ২ শুবা ওর্ফে হিরম্বরাজ সন্ধীকারীসি মণিপুরদগী মরৈপাক্তা মহাক্কী নুপী মৈতৈগী ৱাংঙমলোন হরিপ্রিয়াবু পুদুনা হনখিরম্মী। মখোয়না ময়াং লৈবাক্তা হনখিবসি ৱাংঙমলোনসিগী মবুং ঈবুংশীজ ঙৌব্রাম শাইনচিংবা মৈতৈশিংনা থিনবীরম্মী। হায়রিবসিগী ঈ- পাউদি :-

... থাঙ্গা তখেনগী কুম শক ১৬৬৬... হিয়াঙ্গৈ থা ২২ নি শগোলশেন (খৃ: ১৭৪৪ গী ডিসেম্বরগী ২শুবা চয়োনগী) দা ময়াং নিংথৌ মচাগা লৈমগা লম য়েংবা ফুবালাদা কুমএ।... পোইনু থা... ৩ নি নিংথৌকাবদা ময়াং নিংথৌ মচা কংলাদা যাত্রা তৌএ। ৫ নি য়ুমশকৈশদা হীদাক শুংবী (মাইবমচনু) গী মচা হরিপ্রিয়া কৈথেল অওম্বদা ময়াংদা থিন্দোকখিএ। মমাসু থিনএ [মথক্কীসিদা, ১১১]... লমদা থা... ২৮ নি নিংথৌকাব (এপ্রিলগী ২ শুবা চয়োন লোয়রমদায়দা) দা ঈবুংঙো ভৌব্রাম মচন ময়াংলৈমা থিনবা থুংলৈএ [মথক্কীসিদা, ১১২]।...

অসিনি। অসুম্না ৱাংঙমলোনসিনা হিরম্বেশ্বরী, কছাড়ীশিংগী মহারাণী ওইরক্লবা মতমদা মৈত্রবাক্কী রাজনীতিগী চিরবা খোঙফমদা মহাক্কী মরীদগী কছাড়গী নিংথৌসিনা অচৌবা থৌদাংগী মতেং পীরগদৌরিবনি।

মৈত্রবাক্কী রাজনীতি য়াওলশিংদা কছাড়ী মহারাণীসিগী থৌদাং

ময়াম্বুং মৈদিংঙু মরাম্বা গৌরশ্যাম নোঙ্গাখিদুনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা শক ১৬৮৫ (খৃ: ১৭৬৩) গী থৱানগী ২৯ নি লৈপাকপোকপদা নিংথৌ ওইখিরম্মী। অদুবু অৱা/ম্রাম্মাগী তোঙ্গু শাগৈনা লৈখা তাখ্রগা অনৌবা নিংথৌ শাগৈ কোনবাউঙ লীংখৎলকপগী মখোয়গী লমখৈ শন্দোকপা অমসুং মপাঙ্গল চাং য়েংবগী য়ক লাউরিবা মতমনি। মতমসিদা নিংথৌ শাগৈসিগী খুৎকন- পাঙ্গল্লবা মরিশুবা নিংথৌ সেঙ-প্যু-শেঙ (খৃ: ১৭৬৪-৭৯) না অচৌবা অৱা লান্মী মপৈ অমা থারক্তুনা খৃ: ১৭৬৫ গী জানুৱারী-ফেব্রুৱারীদা মৈত্রবাক্তা লান্দারক্লম্মী। তুমু, ককচীংনচিংবা মফমশিংদা অৱাবু থিংনবা হোৎনবদা মায় পাক্ত্রদুনা মৈতৈ লৈপাক কায়দুনা খুন্তাক- লানশিরম্মী। অদুবু মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদি মতম চানা নাম্থোকহৌদুনা কছাড়গী কোনুং খাসপুরদা ফেব্রুৱারী লোয়রমদায়দা থুংলরম্মী। মনে ঈবেম্মা হরিপ্রিয়াগী মফমদা চঙদুনা ঈ-পাউ পুন্নমক তল্লবদা ঈবুংঙো হিরম্বেশ্বর সন্ধীকারীদা মৈত্রবাক হন্দোক্লবা লানগী মতেং পাংবীনবা হায়জরম্মী। মতম অসিদা কছাড় লৈপাকসি লান্মীগী মপাঙ্গল শোনবনা অহোমশিংদা লোই হারবনি। মরম অসিনা অৱা থেংননবা মপাঙ্গল লৈতে হায়বসি খঙহল্লম্মী। অদুবু হিরমসিদা কছাড়ী নিংথৌনা তৌবা য়াবা মতেংদি অৱাশিংবু থেংনবা ঙমগদবা অহোমগী নিংথৌ স্বর্গদেব রাজেশ্বর সিংহ ওর্ফে চাও- শুরেম- ফা (খৃ: ১৭৫১-৬৯) গী মফমদা মহাকপু লমজিংদুনা পুবা অসিনি- হায়বসিমসু খঙহল্লম্মী। ঈরাক্লরবা মীনা ইকা

অমা ফাওবসু লাক্মী হায়বদুনি। কছাড় লৈপাক থাদোক্তুনা চৎলগা চাও শুরেম-ফাগী মফমদা চঙজফম লৌবা অমসুং লানবাংবীনবা মতেং নীবগী লম্বীসিদা মতেং পাংবীয়ু হায়জদুনা মকু-মমাকতু কছাড় থাদোক্তুনা অহোম লৈপাক্কী কোনুং রঙ্গপুরদা চৎখিরম্মী।

কছাড়ী নিংথৌগী মতেংদগী অহোমগী তেংবাং ফংবা কছাড়ী রাজা অনিশুবা হরিশচন্দ্র নরায়ান নৎত্রগা সন্ধীকারীবুদি অহোম নিংথৌনা হান্নদগী মশক নীঙথিনা খঙবনিনা মখোয়না অহোম লৈপাক্তা থুংলবদা অহোমগী অঙম- অথৌশিংনা মখোয়বু তরাম-তরাম্না তৌবীদুনা স্বর্গদেব চাও শুরেম- ফাগী মনাক্তা পুশিনবীরম্মী। মখোয়গী ওইরিবা ফিবম, পাল্লিবা মতেংনচিংবগী ৱাফমশিং তারবদা চাও শুরেম- ফানা পেনবীরদুনা কছাড়ী নিংথৌ সন্ধীকারীবু মরৈপাক্তা হন্দুনা নুংঙাইনা লৈরুনবা তাকপীখি। অদুগা মৈতৈ নিংথৌ জয়সিং (চীঙথংখোম্বা) বুনা স্বর্গদেবগী মনাক্তা রঙ্গপুর কোনুংদা লৈননবা হায়বীরম্মী। অদুগা চাও শুরেম- ফানা মহাক্কী লৈপাক্কী নিংথৌঙম্বা অঙম্বশিং অমসুং অতৈ অঙম-অথৌশিং কৌদুনা মখোয়গী করি ৱাখল লৈবগে, জয়সিংদা লানগী তেংবাং পীবদা মখোয়গী করি পাউতাক লৈরিবগে, হায়না হংলম্মী। মতমদুদা অঙম-অথৌশিংদু পুন্না ফম্মিন্নদুনা খন্ন নৈনরবা মতুংদা মাগ্লের রাজা জয়সিংহগী মতেং পাংবদা মখোয়গী য়ানীঙদবা লৈতে, হায়না নিংথৌদা হঙ্গৎলম্মী। মসিদগী স্বর্গদেবনা জয়সিংহগী মতেং পাংনবা অচৌবা লান্মী মপৈ অমা মহাক্কা লোইননা মণিপুরদা থাননবা থৌরাং লৌখৎলম্মী [R.S. GC. B., 1930]। অসুম্না ৱাংঙমলোন হরিপ্রিয়াগী মপান্দগী কছাড় নিংথৌনা লমজিংদুনা অৱানা শাথীনা লাকচবীরবা মৈতৈ নিংথৌ চীঙথংখোম্বনা অৱা থেংননবা অনৌবা থৌনা ফংখিরম্মী।

অৱানা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎখ্রবদা চীঙথংখোম্বনা মৈত্রবাক্তা খৃ: ১৭৬৮ দা লাক্লম্মী। মতমসিদা মহাক্না ময়াম্লুং গৌরশ্যাম্না থম্বীরম্বী মজাঙ্গবেম্মা ফোংদালোকপী (অহোমগী মহারাণী কুরঙ্গনয়নী) বু অহোম নিংথৌদা অওঙ-অউন তমদুনা থাজখিরম্মী [চৈ: কুম:, ২০০৫, ১২৫]। অদুবু মথংগী চহিগী ময়ায় ওইরকপা মতমদা অৱা লান্মীশিং অমুক লাকপদগী মৈতৈ লৈপাক খুন্তাক্লম্মী। মৈদিংঙু চীংথংখোম্বদি মহাক্কী মনেমশী হরিপ্রিয়া লৈরিবা কছাড়গী খাসপুর কোনুংদা চঙজফম লৌদুনা লৈখিরম্মী। মতমসিদা অৱাশিংনা মৈত্রবাক্তা নুমিৎ ২০ (কুন)

নি লৈরম্লগা হনখিরম্মী। মতমসিদা কৈবীরাম্বু অৱাশিংনা নিংথৌ হাপ্পীবদগী কৈবীরামসিনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী মমা তীন্নদবা মনাউ নুপা ভবানন্দবু অৱাদা পীথোক্লুনা মহাক্কী ফিবম চেৎনবা হোৎনখি। অদুবু খৃ: ১৭৭০ দা ঈবুংশীজ নন্দনা অৱা লান্মীগা লোইনদুনা লাক্লগা কৈবীরামবু তুশারোক্তা হাৎখিরম্মী। অদুগা ঈবুংশীজ নন্দনা মনাউনুপা কুকিলাবু লৈপাক ঙাকহন্দুনা থম্লম্লগা মহাক মশাদি অৱা লৈপাক্তা চঙখিরম্মী। অদুবু ঈবুংশীজ নন্দসিবু থাজদদুনা অৱা লান্মীশিংনা অমুক মৈতৈশিংবু ফাননবা লাকপা অৱা লান্মীগা নিংথি তুরেনগী মপান্দা থেংনদুনা ঈবুংশীজ নন্দগী মৈতৈ লান্মীগা খুৎ থোক্লরবদা মৈতৈনা অৱা ৭০০ (চাতরেৎ) হাৎলম্মী। অসুম্না মৈতৈ অমসুং অৱা মফম মরাং খঙনদনা চায়নরিঙৈসিদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা খৃ: ১৭৭২ দা মণিপুরগী লমখৈদা শঙাইথেন, ৱাংমগী কৈরোই (কৈনৌ) নচিংবদা মথং মথং চঙশিল্লক্লগা কংলাগী শঙলাংমৈদা থুংলখি [মথক্কীসিদা, ১২৫-২৬]। হায়রিবা মতমসিদা অৱানা তৌরিবা হঙ্গৎ-হন্দা শান্নরিবা অমসুং নিংথৌ সিংহাসন পান্বা মৈতৈ নিংথৌ মচাশিংগী থৌওং- থৌদৌসি খঙলদুনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা অৱাগা মৈতৈগা য়ানবা অমা পুরক্লবা অৱা নিংথৌদা লাইবাক (Envoy) থাবা হৌরকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১২৬ (১২)]। অসুম্না অনৌবা লৈবাক লীংখৎপগুম হোৎনরিঙৈসিদা খৃ: ১৭৭৩ গী জানুৱারী থাদা অৱাশিংনা অমুক লান্দারকখিরম্মী। অদুনা ফেব্রুৱারী থাদা মেক্লেসি অমুক লৈপাক খুন্তাক- লানশিরম্মী অমসুং মতমসিদা অৱানা থা ৫ (মঙা) লৈপাকসিদা লৈদুনা লৈঙাক্লম্মী [মথক্কীসিদা, ১২৭]।

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদি অৱাগী লান্দাসিদগী নানথোক্লুনা চেনখ্রগা মনেম শীজ হরিপ্রিয়ানা মহারাণী ওইদুনা পাল্লিবা কছাড় লৈপাক্কী কোনুং খাসপুরদা চঙদুনা নুংঙাইনা লৈরম্মী। অসুম্না থা ৫ লৈরবা মতুংদা অৱাংশিংনা ঈরাবন্ত কৌবা মৈতৈ নিংথেমচা শাগৈগী মীশক অমবু নিংথৌ হাপ্তুনা লৈপাক ঙাকহল্লম্লগা থম্লমখি [মথক্কীসিদা, ১২৭]। মৈতৈ অমসুং অৱাগী তৌনরিবা চৈরকসিদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা চহিসিগী (খৃ: ১৭৭৩গী) নবেম্বর থা লোয়রকপদা থোক্লক্তুনা কংলাগী অঙোম য়ুম্ফমদা থুংলদুনা লৈরখি। মতমসিদা অৱাগা তাইশিন্নবগী পরমসিদা ৱাকোংথেম্বা মুরারিবু অৱা কোনুংদা থাখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১২৭]। অদুবু খৃ: ১৭৭৪ গী জানু-ফেব্রুৱারীদা অৱাশিংনা সন্ধীগী ৱাফম য়ানীঙদবা উত্তুনা

লান্দারক্লবগী খোঙফম উৎপদগী খৃ: ১৭৭৪ সিদা মৈদিংঙুনা অমুক হন্না মনেমশীজ হরিপ্রিয়াগী মনাক্তা চঙজফম লৌখিরম্মী। অৰাশিংনা চহিসিগী জুনগী অনিশুবা চয়োন্দা ৱাংখৈ বিনিন্দ্রামবু মৈত্রবাক্কী নিংথৌ হাপ্তুনা মৈত্রবাক শীন্নরম্লগা মরৈবাক্তা হনখিরম্মী। মতমসিদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদি মরৈবাকপু অৰানা হাপ্পা লৈঙাকপশিংগী মখুত্তা তাখিবগী ৱাখন্দা নুংঙাইতবনা কুপ্পবসু হকচাংগী ওইনদি অৱাৎ-অপা অমসুং অকি-তুজুংবা লৈতনা মনেম শীজ হরিপ্রিয়াগী মঙান্না কছারগী কোনুং খাসপুরদা লৈরি।

অৰানা মৈত্রবাক্তা ওৎ-নৈরিঙৈগী মতম (খৃ: ১৭৬৫ দগীনা খৃ: ১৭৭৬ ফাওব)সিদা ৱাংঙমলোন হরিপ্রিয়াসিগা পোকমিন্নবা মৰুং ঙৌব্রাম শাইদি মচন ঈবেম্মসিগী মঙান্না হিরম্বদেশ হায়বদি ডিমাপুরদা অৱাৎ-অপা লৈতনা পাল্লি। হায়রিবা ডিমাপুর অসি ঈবুংশীজ ঙৌব্রাম শাইসিগী চাদা- নাউদাশিং, মরু ওইনা ঈবুংশীজ খাব [মথক্কীসিদা, ১৩১] গী মতম চুপ্পগী থুপফম চঙজফম ওইনা লৈরম্মী [মথক্কীসিদা, ২২১]। অসুম্না কছাড় লৈপাক্কী লমদমশিংদা মৈতৈ নিংথৌ মচাশিংনা অচেৎপা মহুম শারকখিবসি ৱাংঙমলোন হরিপ্রিয়াগী মঙান্ননি।

কছাড়ী মহারাণী হরিপ্রিয়ানা নোঙ্গাখিবা

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা অৱা লৈপাক্তা রাজনীতি ওইবা তাইশিন্নবসি খৃ: ১৭৭৬ তা হান্ননা মনাউ ঈবুংঙো ভবানন্দবু মৈত্রবাক্কী জামিন ওইনা অৱা কোনুংগী অৱা সহরদা লৈহনবসিগী মথক্তা মচা ঈবুংঙো মধুচন্দ্রবু চহিসিদা জামিন ওইনা অৱাদা পীরগা য়ানবা পুরক্লবা মতমদা খাসপুরদগী কছাড়গী মহারাণী ৱাংঙমলোন হরিপ্রিয়াদগী বিদায় লৌদুনা খৃ: ১৭৭৬ কী মার্চ থা হৌগৎলকপদা মৈত্রবাক্তা থোক্লকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১২৯]। হায়রিবী মৈতৈ চনু কছাড়ী মহারাণীসিনা মৈত্রবাক মণিপুরনা মনীঙ তম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা ওইনা খৃ: ১৭৭৬ তগী লৈখ্রবসিদদি মপুরোইবগী সেবা তৌদুনা লেঞ্জখিরম্মী। অদুবু মহাক্কী মপুরোইবনা মহাকপু থাদোক্তুনা খৃ: ১৭৮০ দা লাইরৈপাক্তা চৎখিরম্মী। অদুমকপু মহাক্লা পুন্নমকসি মীওইবগী হৌনশানিনা করিসু ৱারৌদনা লেল্লকখি। অদুবু খৃ: ১৭৮৯ গী মতম য়ৌরকপদদি মহাকসু হেক পোক্লকঙৈদগী তোন্দুনা লাক্লবা তেংবানবা মপুগী ৱায়েন্দুগী পীফম থোকপা মমলদু পীননবগী মতমদু লাকখিরম্মী। হায়রিবা ৱাফমসিগী ঈ-পাউদি :-

.... ৱাইখোম নাউশেক্কী কুমদি শক ১৭১০... পোইনু থা... ২২ নি ঈরাই (খৃ: ১৭৮৯ গী জানুৱারীগী ২বা চয়োনগী) দা ময়াং শেলুংবনা ময়াংলৈমা শিএ, হায়রৈএ [মথক্কীসিদা, ১৫২]।

অসিনি। মসিনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী থম্মোইদা চৈনা অমা পীখিবগুম তৌরম্মী। মনেম শীজগী শীংঙম্লরোয়দবা লমন্দুগী তৌবীমল খঙবা উৎপা ওইনা মৈদিংঙু মশামক মনেম শীজসিগী শ্রাদ্ধ কর্ম্ম য়াওরুনবা কছাড় লৈপাক্তা চৎখিরম্মী।

ৱাখোম- ৱারোয়শিন

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ চনু ৱাংঙমলোন হরিপ্রিয়া মৈত্রবাক অমসুং কছাড়গী লৈঙাক্লোনগী পরীংদা থোং থারম্বী কছাড় লৈপাক্কী মহরাণীনি। মহাক কছাড়ী নিংথৌ হিরম্বেশ্বর কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ন অমসুং গোবিন্দচন্দ্র নরায়ন অনিগী অপোকপী মমানি। মহাক্না য়াৎলম্বা হিরম্বা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা মৈত্রবাকপু য়েক্লবা অৱাশিংগী মখুত্তগী লায়না হন্দোকপা ঙমখ্রিবনি। মহাক্না ফাৎলম্বা লম্বীনা ময়াম্লুং শীজ ঙৌব্রাম শাইগী মচাঈবুংঙো নিংথৌ খাবা, চীঙখোঙ লমগাই ঙম্বনা মহাক্কী তুংলমচৎকী পোরম য়াৎপা ঙমখ্রিবনি। মহাক্কুম্বী মৈতৈ চনু ১০০/১০০ পোকপী মৈতৈ লৈমনা মখোয়গীদমক্তা চাওথোকচৈ, হায়বসি মণিপুরগী নুপী লানশিংনা খুদম- চাংদম ওইদুনা লৈরিবনি।

মরী-মখোঙ উৎচবা

১) চৈ: কুম:, ২০০৫ - শ্রীলাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খোলচন্দ্র সিংহ : চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল-২০০৫)

২) RS. GC.B., 1930 - Rai Sahib Golap Chandra Borwai, Ahom Buranji (Calcutta-1930)

ৱাংঙমলোন ফোংদালোকপী, অহোমগী মহারাণী কুরঙ্গনয়নী

ৱাহৌদোক

ৱাংঙমলোন ফোংদালোকপী, তেখাও লৈমা নত্রগা অহোমগী মহারাণী কুরঙ্গনয়নী, অহোমগী লৈঙাক-খুন্নাইলোনগী ইতিহাসতা অরাবা ময়েক্লা ইদুনা লৈরিবী, খৃ: ১৭৬৯-৭০ দা অহোমগী রাজ সিংহাসন কনবদা খ্বাইদগী হেন্না চাওবা থৌদাং লৌখিবীনি। মহাক্কী মিং "ফোংদালোকপী" হায়বসিদা 'ফোংদ/ফোংদা' হায়রিবসি অৱা/ব্রাম্মা মরোনগী ৱাহৈনি, ৱাহন্দোক্লা 'হিরানফম' (Ferry, মৈতৈনা "হিঙাইফম", হায়) হায়বনি; "লোকপী" হায়বসিনা মৈতৈলোনগী ৱাহৈনি, অর্থনা "লোই চনবী" হায়বনি; অদুনা পুনশিল্লগা ফোংদা হিরানফম/হিঙাইফম লোই চনবী হায়বনি। অদুগা হায়রিবা "ফোংদা" হায়বসি মনিপুরগী ইম্ফাল তুরেন্না অৱা/বর্মাগী চিন্দৱিন (খেন্দৱেন/Khendawen) তুরেন্দা ঈতীন্নবী ঈচীন অদুগী তোবর্বান য়েৎ-ওয় (খা-ৱাং) গী কংফাল লমশিংদুদা লৈবা হিরানফম্নি।

তম্ফা ৱাংঙমলোন ফোংদালোকপী, মৈদিংঙু মরাম্বা/গৌরশ্যাম (খৃ: ১৭৫৩-৫৯, ৭৬১-৬৩) গী মমোমনি। মহাকপু পোকপী পলেম মমাশীজগী মিংলেন্দি মৈতৈ লাইরিকশিংদা পীবীরমদবনা পঞ্জবা ঙমদে। মহাক্কী পোকমিন্নবা মবুং-মপ্পা অমতা লৈজদে, অদুবু লাইরেন মপাতোন মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা পন্থৌ মপা, পলেম মমা অনিমকপু শক্তুনা নাউয়োক-লাঙ্গোল্লকপীনিনা মহাক্কী অৱাৎপা লৈরমদে। মহাক খৃ: ১৭৬৩ গী সেপ্তেম্বরগী অনিশুবা চয়োনগী লৈপাকপোকপা তাবা নুমিৎ (শক ১৬৮৫ গী থৱানগী ২৯ নি পানবা) তা মপাবুং কায়না মৈশা লাংখিরম্মী।

ফোংদালোকপী থাজবা অমসুং লুহোংবা

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা ময়াম্বুং মৈদিংঙু মরাম্বা/গৌরশ্যামনা খৃ: ১৭৬৩ দা স্নাকৈরাক থাখ্রবদা মৈত্রবাক মেক্লেগী নিংথৌ সিংহাসন কাখিরম্মী। মতমসি ব্রাম্মাগী অনৌবা নিংথৌ শাগে কোনবাউঙ রাজবংস (Konbaung dynasty)

লীংখৎপগী মতীক-মপাঙ্গল শন্দোক্লকপগী মতমনি। মরম অসিনা খৃ: ১৭৫৮-৫৯ দা শাগৈসি লীংখৎলিবা পুকোক আলাউঙ ভুরা (খৃ: ১৭৫৪-৬০) মশামক লাক্তুনা মৈতৈ কোনুং/কংলাদা নুমিৎ ৯ (মাপন) নি লৈরম্লবা [চৈ: কুম:, ২০০৫, ১২২] গী তুংদা অমুক হন্না খৃ: ১৭৬৫ গী অঙনবা শরুক্তা মখোয়গী নিংথৌ সেঙ-প্যু-শেঙ (খৃ: ১৭৬৪-৭৯) গী য়াথংনা মৈত্রবাক্তা অৱা লান্মীশিংনা লান্দারকখিরম্মী। হায়রিবা লানসিগী ঈ-পাউদি:-

... লাইশ্রম কংগারামগী কুমদি শক ১৬৮৬ ৱাকচীং থা [খৃ: ১৭৬৫ গী জানু:-ফেব্রু:] দা ইবুংঙো শীজ হরিচরন সেনাপতিনা অৱা নাবা চৎএ। তুমু কৈথেন্দা অৱাগা শোক্লববু ঙমদদুনা চেল্লকএ। নহারুপ হাজারী, ক্ষেত্রি চৈতন্যগা ২মা শিরৌএ। ফাইরেন ২৮ নি ঈরাই (মার্চকী অনিশুবা চয়োনগী) দা মহারাজনা অৱা নাবা চৎলে। ককচিংদা তেঙ্গোল শাইএ। চরুনা পন শাদুনা অৱাগা য়াম্না কন্না শোকনৈএ. ঙমদদুনা চেল্লকএ বাজি হরিদাস, বনলকচান, নাকনবা হজারী ৩মা লানফম য়ান্নদুনা লৈরৌএ। লৈপাক তাকএ। নিংথেমদি ময়াংলম চেন্দুনা তেখাও লৈপাক য়ৌখিএ [মথক্কীসিদা, ১২৪]।

অসিনি। মনিপুরনা মতোন তুমখৎলক্লিবা অৱা লান্মীবু লান্বা পাবা ঙমদদুনা মৈতৈ লৈপাক খুন্তাক- লানশিখি। অদুগা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা মনেবেম্মা হরিপ্রিয়া (গরিবনৱাজ মহারাজগী মচানুপী ঙৌব্রাম শাইগী মচনঈবেম্মা- মথক্কীসিদা, ১১০-১২) না ওঙলিবা ডিমাসা লৈপাক্কী নিংথৌ হিরম্বেশ্বর হরিশচন্দ্র নরায়ান ২শুবা নত্রগা সন্ধীকারী মহারাজ (খৃ: ১৭৬৫-৮০) গী কোনুং খাসপুরদা লানগী মতেং নীননবা চৎখিরম্মী। অদুবু হায়রিবা কছাড়ী নিংথৌসিনা লান পাংনবগী মপাঙ্গল লৈতবনা মহাক অমসুং মহাক্কী লৈপাক্লা লোইপোৎ কারিবা অহোম নিংথৌগী মফমদগী মতেং নীরুনবা লোইনদুনা লাকমিন্নখিরম্মী। হায়রিবা লানগী লাইক্লফম ওইবা অমসুং লানবাংবগী মতেং পীবগী ৱাফমসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা অমদি মহাক্কী মামা হিরম্বরাজ সন্ধীকারী অনিনা অহোম নিংথৌ চাও সুরেমফা ওর্ফে স্বর্গদেব রাজেশ্বর সিংহ (খৃ: ১৭৫১-৬৯) গী মফমদগী মায় পাকপা ফংখি, মদুদি :-

... In the meantime, the Raja of the Mantara plundered and devastated the province called Mekheli; The Raja of Mekheli

named Jaysing, left his territory and dwelt in the country of the Kacharis,... others brought the Kachari Raja and Jaysing with them and produced the Rajas before the heavenly king at Rangpur... The deposed Raja Jaysing, offered Chaopha Shuren, a long plate of gold and two gold Maihangs... The King, Shurempha ... fondled the Kachari Raja and ordered him to go back to his old territory... The Raja of Mekheli was ordered to remain with the heavenly king... Thus spoken, the heavenly king agreed to help him... He called in the Buragohain, the Bargohain, the Barpatra Gohain and all other Pheikans and Baruas and asked their advice. All of them, after a long discussion thought it good to help Jaysing... The king too agreed to their proposal. Then Chao Shurempha wished to despatch an army to put Jaysing as Raja of Manipur [RS. GC.B., 1930, 287]

অসিনি। অসুয়া অহোম নিংথৌসিনা লানগী মতেং পুম্নমক পীবসিনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা স্কোটলেণ্ডগী নিংথৌ রোবার্ট ডি ব্রুসকুম্না চহি ৯ (মাপন)/১০ (তরা) চুপ্পা লান হন্দোক-হঞ্জিন মঙা-তরুক্কক তৌদুনা [চৈ: কুম:, ২০০৫, ১২৪-২৯] অৱাগা মায়য়োক্নরগা অরোয়বদা লান্দানদবগী অৱাগা য়ানবা খৃ: ১৭৭৬ তা পুরক্তুনা মমা লৈপাকপু কনখিরম্মী।

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা খৃ: ১৭৬৫ দগী ১৭৬৭-৬৮ ফাওবা অহোম লৈপাক্তা লৈরগা লান্মী শেমগত্তুনা অহোম লান্মী মপৈ অমা পুরগা খৃ: ১৭৬৭-৬৮ লাকপা মতমদা মতমদুগী চীঙমী প্রজাশিংনা মহাকপু লুনা তৌবগী মতৌ উবদগী অহোম লান্মীশিং লমখাঙদগী হনখিরম্মী [RS. GC. B., 1930, 289]। অদুগা মৈদিংঙুসিনা মণিপুরদা হল্লক্তুনা খুরক্কী ঈনা লাই শাববু মাঙহল্লবা মতুংদা অহোম নিংথৌ চাও শুরেমফাদা মহাক্কী তৌবীমল খঙবা উৎপা ওইনা ময়াম্বুং গৌরশ্যাম্না থম্বীরম্বা মমোম ৱাংঙমলোন ফোংদালোকপীবু থাজখিরম্মী। মরম অসিনা ৱাংঙমলোন ফোংদালোকপীনা মৈত্রবাক থাদোক্তুনা খৃ: ১৭৬৮ দা চৎখ্রগা অহোম নিংথৌ চাও শুরেমফাদগা লুহোংখিরম্মী। হায়রিবা ৱাফমশিংসিগী মরমদা মৈতৈ অমসুং অহোমগী ইতিহাস অনিগী লামায়দা অরিবা ৱারোলশিংদি :-

(১) ... লাইশ্রম পানলোইগী কুম শক ১৬৯০... মৈদিংঙু মরাম্বগী মচা শীজ ফোংদালোকপী তেখাও লৈমবু ইবুংশীজ খ্বাইরাকপা (আনন্ত শাই) মচা বীরমনিনচিংনা হাওবম বিষ্ণুরাম, লোকতোনবা কৈরুংবা অহুম্মক্লচিংনা তেখাও লৈমা থিনচিনবা চৎলে। লংমাইথেম কিয়োংগী কুম শক ১৬৯১ (খৃ: ১৭৬৯) ইবুংশীজ বীরমনি তেখাও লৈমা থিল্লুবা থুংলৈএ। তেখাও নিংথৌনা শামু ৬ পীরকএ [চৈ: কুম:, ২০০৫, ১২৫]।

(২) ... Then Raja Jaysing said, "I have regain my dominion through your king's favour. I cannot forget him as long as I live. I shall remain faithful to him and send annual tributes without failure... I wish to offer my daughter to your king and intend to send her with you". The Katakis remained there. Having heard the news, the Khangia Phukan came back with all others in the month of Dinpet (Ahar) and stopped at Sonarinagar. At the beginning of the month of Dinruk (Baisakh)...

In Lakni Kakeu (i.e. in 1768 A.D.)... In the later part of the month of Dinsham (Magh) Raja Jaysing sent two respectable Katakis name Hiramani (Veeramani) and Nanang with his daughter, Kuranganayani (fawn eyed), to the heavenly king with great pomp. Raja Jaysing offered one elephant, one horse, two hundred male and female slaves, and many other things as dowry. Our Manmath Bara was to accompany the princess. They arrived at Tengabari. The king heard the news. He ordered the three Dangarias and the Barbarua to go in advance and escort the princess to Sonarinagar. They were further ordered to build some houses near the river, Tilao, for the residence of the princess. Accordingly, the three Dangarias and Barbarua did as was desired by the king. Then in the month of Dinshi (Falgun), the females were ordered to fetch water from the river Tilau to wash the body of the princess but the king did not observe the ceremony himself. The princess's body was rubbed with turmeric and washed for

seven days. On the day, Mungkeu, the princess was made to ascend the Holong and created Barkuari (chief queen). Then in the middle of the month of Dinshi (Falgun) on the day, Khutmit one Hiromani offered the princess in marriage to the king. He was then sent back [RS. GC. B., 1930,289-90].

(3) Kuranganayani : The Barbarua then made the following recommendation to the Swargadeo, The chief of Manipur has a daughter, named Kuranganayani. The Manipuri Raja was descended of old from Babrubahan. He is a Kshatriya and there is no doubt about it. I hope, Your Majesty will marry the princess.' Having heard this the king replied - "Very well. As recommended by the Barbarua, I will marry the princess." The Barbarua then despatch Khangia Phukan and Ghumuria Dualia Phukan of the Dihingia family to bring the Manipuri Raja's daughter, mother, brother and son from the Kachari kingdom. They were brought and stationed at Gaurisagar. The Swargadeo then married the princess at the Sonari river by performing the Chaklang ceremony. The Barbarua served as the bride's father and supplied all the necessary articles of marriage. Golden ornaments, dowry and other provisions for food were all supplied from the Barbarua's house. The princess excavated a tank and made an establishment at the village Manaimaji in Saruchai Forest lower down the Dichoi, where the Magalu or Manipuri's forming part of the marriage settlement were allowed to live [S.K.B., 1968, 55].

অসিশিংসিনি। অসুম্না মৈতৈচনু ব্রাংঙমলোন ফোংদালোকপীনা মীরৈবাকচানি, লোন্দিন্নদবনি খন্দনা মপুন্সিগী পামজ-নুংঙাইবা কখোকখিবনা মৈতৈনা মনীঙ তম্বগী মৈরা চুখ্বৎখিবা ঙমখিবনি, হায়বদা হায়মনবা থোক্লোয়।

অহোম/অসামগী ইতিহাসতা ফোংদালোকপী

ব্রাংঙমলোন ফোংদালোকপীসি অহোম নিংথৌদা ওঙদুনা তেখাও লৈমা ওইখিবদগীদি মখোয় অহোমশিংনা থোঞ্জবা মিং "কুরঙ্গনয়নী (শজী মিত্তানবী)" হায়বা মিংসিনা মহাক্কী মিংলেন ওইখ্রে। মহাকপু মহারাণী হাপখিবসিদগী মহাক্কী

মনাই-মশলশিং অমসুং মহাক্কী লৈফম ওইনা শেমখিবা মফমসি বড় কুলা (কোলা/রাণী) গী লৈফমনি হায়দুনা "বরকুলা" অমসুং মৈতৈ নত্রগা মাগলুশিংগী খুঙ্গংনি হায়দুনা অহোমশিংনা 'মাগলুঘাট' হায়না থোন্দুনা হৌজিক ফাওবা (খৃ: ২০০৮) দা লৈরি। বড় রাণীসিনা অহোম সিংহাসন কন্ননবগীদমক্তা লৌখিবা থৌদাংদা মিৎয়েং থম্বা তারবদি মতমদুগী অহোম লৈপাক্কী রাজনীতিগী ফিবম অমসুং খোঙচত্তা মিৎয়েং থম্বগী মথৌ তাই। খৃ: ১৭৬৯, স্বৰ্গদেব রাজেশ্বর সিংহ, চাও শুরেমফানা নোঙ্গাখ্রবা মতুংদা ওইহৌরিবা মনীঙ তম্বা অহোম লৈপাক্কী রাজনীতিগী ফিবমদি :-

চাও শুরেমফানা খৃ: ১৭৬৯ জেষ্ঠ (মে-জুন) নোঙ্গাখ্রবদা লৈখিদ্রবা স্বৰ্গদেবসিগী মনাউ ঈবুংঙো নামরুপিয়া গোহৈনদেব নত্রগা কলসিলিয়া গোহৈননা "লক্ষ্মী সিংহ" হায়বা মিংসি লৌদুনা দেৰরগাওদা অঙম-অথৌশিংগী অয়াবা য়াওনা নিংথৌ সিংহাসন কাখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৬১]।

মোরান (Moran) লানহৌ :- বড়বরুৰানা চহিসিমক্তদা নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না নিংথৌগী ফম্বাল পুং (Bardhak) শানবা উ য়াল্লুনবা মী খর থারুবদা মীশিং অদুদা হাটি-চুঙ্গী মোরানশিংনা থৌওই-উশিত্তনা মখোয়না হাপ্পা অহোম লৈপাক্কী নিংথৌ অমসুং বড়বরুৰা লৈজরে, অদুনা ফম্বাল পুং শানবা উ য়ানবা য়ারোয় হায়না থিংদুনা লানহৌবগী মমি লৈরে, হায়না পাউদম্লরম্মী। হায়রিবা লানহৌসি অচুম্বা ওইরে হায়বসি বড়বরুৰাগী মনাই মনচোকানা মপুঙ ফাবা পাউ পীরবদা খঙনরকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৬১]। নিংথৌগী মায়কৈদগী লান্মী থাদুনা অনীরক হন্না প্রেমনা অমসুং লান শোক্লদুনা লানহৌদু নমথনবা চহিসিগী কাৰ্ত্তিক থা (ওক্তোব-নবেম্বর) ফাওবদা হোৎনববু নমথবা ঙম্লমদে। মতমসিদা মোরানশিংনা লৌখৎলিধা লানওংগী থৌশীল-থৌরাং ওইনা পীবীরম্লিবদি :-

Moran strategy : The Morans then held a council. They contrived to call in the three exiled princess, Batgharia Barjana Gohain, the brother of Rajeswar Singh, who was driven away by that king, Maju Gohain and Saru Gohain, sons of Rajeswar Singh, who were expelled during the reign of Lakshmi Singha. The Moran said to these three princes - "Come over to our

side, when necessary we shall appoint one of you as king. When you become king you should appoint your Baruas and Phukans from among us." Thus saying the Hali-chungi Morans and the three Gohain interchanged oaths and promises The Morans reminded the princess, "For no fault of yours the Bakatail Barua had previously poisoned the ears of the king against you, and contrived to banish you to Namrup, and caused mutilation of your limbs. So let us proceed to put the Bakatail Barbarua to death" [ibid, 63].

অসিনি। অদুবু মোরানশিং অসিগী অরোনবা অমসুং অপান্বা ৱাখলদুদি মখোয় মোরানখক্তনা খঙজি অমসুং মখোয়না অরানবা ৱাফম ঙাক্তো ঙাংদুনা বাদঘরিয়া গোহৈনগী মচানুপাবু মখোয়গী নিংথৌনি হায়জিন্দুনা নমথাক্কী কুম্মে তৌরম্মী [মথক্কীসিদা, ৬৪]। অসুম্না লানফম কয়া থেংনরকপদা লৌনম তৌবশিংদুদনা মায় পাক্লম্মী অমসুং মখোয়গী লুচিংবা রাঘব মোরানগী মমায় হাইগৎলকপা অসুম অসুম হেনগৎলক্লম্মী।

খৃ: ১৭৬৯ সিগী অঘোন থা (নবেম্বর-ডিসেম্বর) দা সোনাইদা শারিবা লানশঙদুদা লাকপদা অহিংগী মতম ওইবনা সোনাই তুরেন লানবা ঙমদদুনা নিংথৌ লাক্ষ্মী সিংহদু অৱাবা য়াম্না নংলম্মী। অদুবু উচীন-নচীন্না সহরদুদদি য়ৌরম্মী। মদুদা মোরানগী অরোনবা পাউমীশিংনা মখোয়গী লুচিংবা রাঘব মোরান্দা পাউ পীবদগী মহাক্না মোরান লাম্মী মপৈ অমা পুদুনা লাক্লগা অহোম নিংথৌ লক্ষ্মী সিংহবু ফারম্মী। অসুম্না লানবন কয়া, মী কয়াগী মথ্বাই মাঙহল্লবা মতুংদা অহোমগী রঙ্গপুর কোনুং লৌশিনখিরম্মী। অসুম্না মোরানগী অতৈ লুচিংবশিং রাজা রমানন্দনা মহাক্কী মপা খোড়া, মরী-মতাশিং রাধা অমসুং রূক্মিনীনা রঙ্গপুরগী হান্নগী বরুৱা অমসুং ফুকোনশিং পুম্নমক তান্থোক্তুনা মখোয়না সহরদুগী মপু ওইরম্মী [মথক্কীসিদা, ৬৯]। রাঘব মোরাননা বড়বরুৱা ওইরগা খোড়ানা দেব-গোহৈন (Deo-Gohain) হায়বা মিংথোল লৌদুনা নিংথৌ ওইনা থবক তৌরম্মী।

মখা তারকপদা মোরানশিংনা মখোয়গী মীওই কয়াদা লৈঙাক্লোনগী ফম কয়া থিন্দোক্তুনা লৈঙাক্লবা শেম-শারম্মী। অদুবু মখোয়না মখোয়গী মীওৎ-মীনৈদু

থাদোকপা ঙমদুনা বামুনিয়া মহন্তশিং অমসুং ঠাকুরশিংবু শেন নমদুনা লৌননবা তৌরম্মী [মথক্কীসিদা, ৭০]। অসুম্না সধারন প্রজা কয়াবুসু ওৎ-নৈরম্মী। মতম খরখক্তগী মতুংদা মোরানগী লুচিংবশিংগী মরক্তা মথক থংবা তান্নরকপদগী মখোয়গী লীংজেন মান্নবগী ফিবমদু কায়থরক্লম্মী। অদুনা মোরানগী নিংথৌ অমসুং বড়বরুৱাদু রঙ্গপুরদা চৈত্র থা (March-April) দা লাক্তুনা লৈরম্মী। অদুগা হায়রিবা থাসিদা গৌহাটীদা লান হৌরক্লম্মী। অদুবু বড়বরুৱা ওইরিবা রাঘবকা রাজা রমানন্দগা নুংঙাইনদবগী চাংদুদি অসুম্না অসুম হেনগৎলক্লম্মী [মথক্কীসিদা, ৭১]।

অহোমশিংনা মিকপ থোক্লককপা : মোরানশিংগী লৌনম-লাংথাক্লা অহোমশিংসি শুমদুনা চহি অমরোম থল্লক্লবা মতমসিদা হায়রিবা চৈত্র থাসিদা গোবিন্দ গোআবুড়াগী মখাদা লৈবা মোআমরিয়া কাংলুপ অমা থোরক্তুনা সাগুন্মুরি কৌবা মফমদা লানশঙ অমা লীংখৎলগা ৱাশাং অমমম মখুত্তা পায়দুনা মখোয় মশেন হাইনরগা ঈশৈ অমখক শক্লম্মী। ঈশৈদুগী মরোন্দি - "প্রজা ঔ, জরাউ-রৌৱা" (হে প্রজাশিং মফমসিদা অপুন্বা অমদি লৈরে) - হায়বসিখক্তনি। ঈশৈসিগী খোন্থাংনা য়ৈরকপদা লৈপাক মীয়াম্না মখোয় মশেন মোরানশিংগী মীনম লাংদুগী মায়খুম হায়দোক্লরকখি [মথক্কীসিদা, ৭২]। মসিদগী মীয়ামদুনা মোরানশিংগী মায়য়োক্তা লেপ্তুনা মখোয়গী অরিবা লৈঙাকলোন্দু হিঙ্গৎহন্ননবগী ৱাশক শক্লখি। মসিগী মতাংদা থন্বীরল্লিবদি :-

... All these men united together at Bhogbari, where they, by the name of their spiritual leaders took an oath not to desert each other, nor to betray their secrets [ibid, 72]

অসিনি। হায়রিবা মনীঙ তম্বগী য়াওল অমসুং অচুম্বা-অশেংবা শাশিন্নববু নমথনবগী খোঙজং অসি লাক্লবদা মৈতৈচনু ৱাংঙমলোন কুরঙ্গনয়নীগী মথৌ লাক্লে। থৌনা ফবী অহোমগী মহারাণীসিগা শাগোন্নবা থৌদোকশিংগী মরমদা পাউদল্লিবদি :-

Ram-krishnai and Kuranganayani : Thus the royalists conferred for about ten days. Ram-krishnai who was charged with the task of capturing Ragha conspired with the Magalu

princess: and she promised to do away with Ragha. She had been taken by Ragha Moran as his wife. Then Ram-krishnai hatched a plan with some Magalu-s and other men. Kahan and Apainta undertook to kill Khora with the help of a party of men. The rest promised to enter inside the city walls. After deliberating in this manner the men who were entrusted with the task of capturing Ragha, on the Sankranti of the month of Baisakha, proceeded and stopped at the inner entrance. Having received this news Ragha surmised that Govinda Goanburha Senapati of Sagunmuri had come with his chekaikobowa soldiers, and accordingly he came out to escort them with a sarai with betel-nuts and leaves. The Magalu princess with a sword in her hand followed him with other ladies each armed with a dao. There was not a single male.

Kuranganayani kills Ragha :- Ram-krishnai then gave the hint by uttering a few words. The Magalu princess, recognising the voice, struck Ragha with a sword just below the calf. Ragha fell down with his face towards the ground. Then Ram-krishnai who was also there severed his head. Then the party issued out of Ragha's residence and approaching the Rangnath temple made a sign by words to be recognised by the man who had been deputed to capture Khora. Having recognised the voice Kahan and Apainta gave thrust with a spear on the thigh of Khora. Khora was wounded but he did not fall and then ran off. He then fell at the entrance of the main gate of the temple [ibid, 72-73]

অসিশিংসিনি। অসুম্না মোরান বড়বরুৱা হাৎলবা অমসুং মোরানগী নিংথৌবু তানা থিল্লুবদগী তানা থিল্লিবা মীওইশিংসিনা রাঘা মোরানবুসু হর-গৌরীগী লাইশঙ মনাক্তা হাত্তোক্লম্মী। অদুগা রাঘব বড়বরুৱাগী মঙক ককপা নুপাসিনা মহাক্কা লোইনবা মীশিংনা সহরদুগী অথোইবা চঙফমগী থোঙজাওদু শামু অমগী মতেংনা থুগায়রগা খারিবা চেকপন মনুংদা চঙশিল্লক্তুনা দরবার (Darika) গী থোঙদুসু

থুগায়দুনা চঙলগা মফমদুদা লৈরন্বা মোরানশিং অমসুং মখোয়গী ফুকোন অমসুং বরুৱা খরসু থাঙনা ককথত্তুনা হাৎলম্মী। অদুবু রাজা রমানন্দদি অরোনবা লম্বী (Secret passage) দা মহাক্কী নুপী অহনগা লোইননা নাম্থোকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৭৩]। হায়রিবা অসুম্না মোরানশিংবু থি-থিদুনা হাৎলবা মতুংদা মখোয়না রঙ্গপুর অমুক হন্না লৌশিল্লগা মখোয়গী অশেংবা অহোম-নিংথৌগী শাগৈগী ঈ ওইরিবা নিংথৌদুবু অমুক হন্না নিংথৌ সিংহাসন্দা থাঙ্গৎখি।

ফোংদালোকপীগীদমক্তা লান পাংবা

মহারাণী ফোংদালোকপীনা মনাউ ঈবুংঙো লক্ষ্মী সিংহ (খৃ: ১৭৬৯-৮০) গী অমসুং অহোম নিংথৌ শাগৈগীদমক্তা তৌখিবা থবকসিনা মরম ওইদুনা অহোম খুন্নাইদা থৌনাফবী মহারাণীগী মফম ফংদুনা মতম খর পাল্লক্লম্মী। মনাউ ঈবুংঙোসিনা নোঙ্গাখ্রবদা মচাঈবুংঙো (লক্ষ্মী সিংহগী মচানি) যুবরাজ গৌরীনাথনা চাও সুহিৎপাংফা (খৃ: ১৭৮০-৯৫) হায়বা মিংথোল লৌদুনা নিংথৌ ফম্বাল কাখিরম্মী। মহাক্কী মতমসিদসু মাওমরিয়া (Maomaria) মোরানশিং অসিনা লান হৌরকখিরম্মী। অহোমশিংনা হায়রিবা লানহৌদু নমথনবা হোৎনবদা মনিপুরগী নিংথৌবুসু মখোয়গী মরী-মতা অমা ওইনা লানবাংনবা পাউ থারকখি, মদুদি :-

... During this period the king used to be at the court-room both during day and night. Then the MaoMarias having realised the impossibility of continuing the war by any means on account of their insufficient strength, retreated with their army to the bank of Sonai river on the pretex of celebrating the Magh Bihu Festival... At that time the king also despatched Bishnuram Bahbaria Kataki to the Manipuri Raja's place. Letters were handed over to the envoy, and he was instructed to convey to the Raja on oral-message to the following effect, - "The Maomarias have caused disturbances in our country. The Manipuri Raja should now come to help us in recollection of our old friendship; if not he should send some warlike men." The envoy was despatched with his mission, and the message was also embodied in the epistle [ibid, 104].

অসিনি। মসিগী মথক্তা ৱাংঙমলোন ফোংদালোকপী মশাগী পাউজেল হুয়েন লানকৌরকপগী ৱারোলসু য়াওরক্লিবনি। হায়রিবা বিষ্ণুরাম বভারিবা হায়রিবা কতকী/লাইবার (Envoy) অসিনা মৈত্রবাক্তা থুংলদুনা পাউ পীরবগা মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা [জয়সিংহ, কর্ত্তা, রাজর্ষি ভাগচন্দ্র, খেল্লৈ নুঙনাংখোম্বা নত্রগা চীঙশাংখোম্বা (খৃ: ১৭৬৩-৯৮)] না অহোম নিংথৌ চাও শুরেমফাবু নীঙশিঙদুনা মহাক্কী তৌবীমল কাউদনা অমসুং মমোম ৱাংঙমলোন তেখাও লৈমা কুরঙ্গনয়নীগী মায় ওইননবা অহোমশিংগী লানবাংনবা অচৌবা মৈতৈ তেঙ্গোন অমা অহোম লৈপাক্তা থারম্মী, অদুগা মৈদিংঙু মশামকসু লান পাংবদুদা অহোম লৈপাক্তা লেঙলম্মী। মসিশিংসিগী ঈ-পাউদি :-

(১) ... ৱাইখোং খোইদোংগী কুমদি শক ১৭১১... কালেন থা ৭নি থাঙজ (খৃ: ১৭৮৯ গী মে-জুন) দা গুরুময়ুমগী ঠাকুর রমাবু মহারাজনা তেখাওদা পানা ৪ মক্কী হজারী ৪, লান্মী ৭০০ কী লানজিংহল্লে। দোলাই, পুং, ফিরান, পীদুনা তেখাও চঙহল-এ [চৈ: কুম:, ২০০৫, ১৫৩]।

(২) ... ককচিং কৈথেলগী কুম শক ১৭১২ ... হিয়াঙ্গৈ থা ১৭ নি লৈপাকপোকপা (খৃ: ১৭৯০ ডিসেম্বর) দা ঈবুংশীজ পুখ্রনবা মধুচন্দ্রনচিংবা তেখাও নাবা চৎএ। ফাইরেন থা ঈরাইনা হল্লে। অদু নুমিত্তা চুরা কৈরুংবনা অৱাংলমদা তেখাও লম্বী ফাৎপা চৎএ।... লমদা থা ১৮ নি য়ুমশকৈশ (খৃ: ১৭৯১ গী এপ্রিলগী ১বা চয়োন) দা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা মোরান নাবা থুংলএ। লমজিংলকপা ৱা-থাবা কৃষ্ণদাস থোক্লকএ। ঈবুংশীজ শগোলশেনবা হঞ্জবা রমানচিংবা লৈবাকচাবা (লৈপাক ঙাকপা) মী ৭০০ থল্লম্এ [মথক্কীসিদা, ১৫৬-৫৭]।...

অসিশিংসিনি। অদুগা হায়রিবা তেখাওগী লানবাংবসিদা লানফম থাদোক্তুনা ময়ুম নুংশিদুনা চেল্লকপা, মজাঈবুংঙো মধুচন্দ্রনচিংববু মফম লৌথোকপা, শগাইদা ফৌবা, চৈনা ফুবা অমসুং লোই থাবগী চৈরাক কয়া পীদুনা ৱারক্লম্মী। অদুগা মৈতৈগী লানবাংসি অহোম বুরঞ্জীদসু পল্লি, মদুদি :-

Sometime after four bodies of men, from Rani, Beltala Manipur and Luki joined with the Buragohain in the fort in Jorhat. They remained there with a view to fight with the Mataks... The men of Rani, Manipur, Beltala and Luki retreated and took to their heels in great disorder. They hurried in great haste [RS. GC.B., 1930, 352]...

অসিনি। অসুম্না অহোম অমসুং মেক্লে/মৈত্রবাক অনিগী তরানিপানশুবা খৃষ্ট কুমশীঙ চামাগী অরোয়বা তংখায়দা রাজনিতিগী মরীদা লীপুন থৌরী ওইরল্লিবসি ৱাংঙমলোন ফোংদালোকপীসিনি।

ৱারোয়শিন

ৱাংঙমলোন ফোংদালোকপী তেখাও লৈমা নত্রগা অহোমগী মহারাণী কুরঙ্গনয়নী, চহি ১৪/১৫, খৃ: ১৯৬৮ দা মপাতোন, মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা অহোম নিংথৌ চাও শুরেমফা ওর্ফে স্বর্গদেব রাজেশ্বর সিংহদা থাজদুনা মৈত্রবাক থাদোকখিবদগী অমুক হন্না মৈত্রবাক্তা থোক্লক্তনা মপুরোইবগী মং (অহোম্না মংদম, মৈতৈনা মোংফম/মংফম, হায়) দা তীনখিবীনি। মহাক্না মপুরোয়বা কায়নখিবসি খৃ: ১৭৬৯ দনি, অদুবু মহাক্কী সতিত্ব কায়দনা নিংথৌ মরোন মরি (মোরান নিংথৌ খোড়া থারগা) দি পাল্লম্বীনি। হায়রিবা মহাক্কী সতিত্বদা তেমশীঙনখিবা নুপাসি মোরানগী লুচিংবা বড়বরুৱা রাঘব মোরান্নি। হায়রিবা ৱাফমসিগী খুদম চাংদমদি:-

"... In Lakni Kapcheu (i.e. in 1768 AD).... Then one night, Ragha Barbarua and the daughter of Magalu king with two female slaves came out of the town and entered into the temple of Jaysagar. The deposed king saw Ragha Barbarua and became too much afraid... Then Ragha Barbarua and the daughter of Magalu king with the two female slaves came back to the capital [ibid, 304].

অসিনি। লানফম লানঙল্লবা অমসুং অহোম কোনুং রঙ্গপুর লৌরগা নিংথৌগী লৈফমদা মনীঙ-মখা তৌনা লৈরবা রাঘব, মোরানগী বড়বরুৱাসিনা কুরঙ্গনয়নী মহাক্কী রাণীগুম্না থবক তৌহনবনি অদুবু মনাইনুপীশিংনা কুপ্না শেন্নদুনা কুরঙ্গনয়নীগী সতিত্ব কনখিবনি। অসুম্না মশাগী ঈজ্জৎপু শীঙনরিবা মীশকসিবু কর্ম্না মাঙহনগদবগে খল্লিদৈদা রাম কৃষ্ণাইগা থেংনরবদা মপুক্লীঙ ফাজিন্দুনা খাঙলবা খৃ: ১৭৬৯ গী বৈশাখ বিহুগী মতমদা শীন্নখিবা খুজীল থৌরাংগী মতুং ইন্না রাঘব মোরানবু থাঙনা য়ানখিবীনি। অসুম্না রাঘব বড়বরুৱাবু লোয়শিন্নবা থৌদাং লৌখিবীসিগী থবক্না মজাতিগী মনিংথৌবু নীঙজবা অহোমশিংদা অহেনবা থৌনা হাপকত্তুনা অহোমগী কোনুং মনুংদা শারম্বা মোরানশিংগী মকোন থুগায়খিবনি।

ৰাংঙমলোন ফোংদালোকপী অসিগী খুদুং ইন্দুনা মহারাণী কুরঙ্গনয়নীসিগী মপ্পানা পোকপা শীজ কোলা লৈমসু অহোম নিংথৌ গৌরীনাথদা ওঙখিরম্মী। হায়রিবী তেখাও লৈমা কোলা লৈমসি খৃ: ১৮৫১ দা মনি পুরক্লম্মী [চৈ: কুম:, ২০০৫, ৩০৮]। অদুগা অহোমগী মহারাণী কুরঙ্গনয়নীনা অহোম নিংথৌ শাগৈদা তম্লম্বা খুদোলসিদি অতৈ নুপী কনা অমতনা মাগুম্না খুদোল তম্বা ঙমদ্রি।

মরী মখোঙ উৎচবা

(ক) মৈতৈলোনগী লাইরিক

(১) চৈ: কুম:, ২০০৫ - লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ: চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল-২০০৫)

(খ) ঈঙ্গ্রেজী লাইরিক

১) RS.GG.B.,1930 - Rai Sahib Golap chandra Barua: Ahom Buranji (Calcutta-1930)

2) S.K.B., 1968 - Dr. S.K. Bhuyan: Tungkhungia-Buranji (Gauhati-1968)

শীজ লাইরোইবী

(বিম্বাবতী মঞ্জুরী, অনুপ্রিয়া, ভাগ্যবতী)

ৱাহৌ-শৈহৌ

.... ভাগ্যবতী অসিদি গোবিন্দগী প্রিয়া ওইবোরে। .... ।।৬৬।। নুমিৎ অদুদগী সীজ লাইনীঙবী কৌখি। অহানবদা, বিম্বাবতী মঞ্জুরী কৌই। অনিশুবদা ভাগ্যবতী কৌই। অহুমশুবদা সীজ লাইনীঙবী কৌখ্রে। মাবু মীনা হায়নখিদ্রে। গোবিন্দগী ইচ্ছানা পোকপা কন্যা অমনি হায়নখি [ম: ১সুং ম:, ১৯৬৭, ২৯১]।

মথক্তা থমজরিবা "মণিপুর ইতিহাস মৈতৈ পুরান, শ্রীভাগ্যচন্দ্র চরিৎ, দ্বিতীয় খণ্ড" কৌবদগী লৌথোক-শত্তোকচরকপা ৱারেং মতেক অসিদা পল্লিবা

"ভাগ্যবতী" হায়বী নুপী অসি মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীদা হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙগী ব্রহ্ম নত্রগা মাধবী/মাধবচার্য্য লাইনীঙ ফুরুপকী মমিং চৎলবী, রাজস্থান/রাজপুতনা লৈপাক্কী উদয়পুরগী লাইনীঙবী লৈমরেন/মহারাণী মিরাগা চাংদম্নবদা চাং তাদ্রবী মৈতে নিংথৌগী মচানুপী তম্ফা ৱাংঙমলোন অমনি। মহাক খৃষ্টগী ১৮ শুবা কুমশীঙ চামগী অহুমশুবা মশুঙদগী ১৯ শুবা কুমশীঙ চামগী অনিশুবা মশুঙ ফাওবদা মালেম তাইবংপানবদা হিংলম্বী গৌর/বঙ্গ লৈপাক্কী নবদ্বীপ কংলৈ লাইফমদা মমিং লৈবী মৈতে চনু অমনি।

শক্তাক-শকখঙহনবা

তম্ফা ৱাংঙমলোন ভাগ্যবতী, বিম্বাবতী মঞ্জুরী, অনুপ্রিয়া [ল: ম: স:, ১৯৭৬,] নত্রগা শীজ লাইনীঙবী/লাইরোইবী, পোইরৈ নিংথৌ ভাগ্যচন্দ্র /চীঙথংখোম্ব [জয়সিংহ,কর্ত্তা, নুঙনাংখোম্বা নত্রগা চীঙশাংখোম্বা (খৃ: ১৭৫৯-৬২ অমসুং ১৭৬৩-৯৮)] গী মচানুপী/মমোম লাংলেনহন, মহাক্কী তাল্লোই মরিশুবী মৈতৈলৈমা চীনফুরোন চীঙঙাখম চনু লোইবী শোকপাউঙম্বী নত্রগা দেবহুতিনা পোকপীনি। মৈতৈলৈমসিনা পোকপদা মহাক্না খ্বাইদগী ঈতোন তোনবীনি অমসুং মপাবুং ঈবুংঙোনা পোকপা মমোমশিং/মচাঈবেম্মশিংগী মনুংদদি খ্বাইদগী ঈহন হনবীনি। মহাকী পোকমিন্নবা মমা তীন্নবা ময়াম্বুং অমা, মপ্পা অমা, ঈবুংশীজ হেমচন্দ্র ৱাঙ্গোন নিংথৌ অমসুং চৌরজিৎ মৈতে নিংথৌ অমদি মমা তীন্নদবা ময়াম্বুংশিং অমসুং মপ্পা ঈবুংশিং অমদি মনাউ ঈবেম্মশিং ময়াম লৈরম্মী।

শীজ লাইরোইবী মীওইবা নুপা অমতদা ময়ুম পানখিদে, লাইনীঙগী পুক্লীঙ ৱাখন্দা শ্রীগোবিন্দজীবু মপুরোইবগী ওইনা নীঙজবা অমসুং ৱাখনসিদা ঙাওখিদুনা মীয়ামদগী মিংদা থীবগী মিংচৎ ফংখিবদগী মহাক্কী শীজ লাইরোইবী নত্রগা লাইনীঙবী হায়বা মিং নত্রগা মিংথোনসি ফংলিবনি। অদুবু মহাক্না লাইনীঙগী লমদাংদা শ্রীগৌরাঙ্গ/চৈতন্যগী লাইনীঙদা শ্রীগোবিন্দ নত্রগা শ্রীকৃষ্ণগী কুচু ঙৌবা শক্তম অনুপ্রভূগী (শ্রীগৌরাঙ্গগী শকফম) শক্তম শাদুনা মদু লাত্তুনা মহাক্না শ্রীগোবিন্দবু নুংশিজবদু ফাথখি।

শীজ লাইরোইবীগী পুন্সি ৱারী - পোকপা অমসুং চাওরকপা

তম্ফা ৱাংঙমলোন ভাগ্যবতী শক ১৬৯২ নত্রগা খৃ: ১৭৭০ দা তাইবং মাল্লংপান্দা খোঙদারকখি [মহাক্কী চহিসি মহাক্না মৈত্রবাক্কী অহানবা জগোয়/রাস

শান্নবা খৃ: ১৭৭৯ দা মশাগী চহি ৯ দা শ্রীমতি রাধিকা শাখিবসিদগী লৌজবনি - ম: ১সুং ম:, ১৯৬৯, ১৯২]। মহাকসি পোক্লকপদগী হেক উবদা নুংশিবগী মতৌ অমা লোইনরকখিরম্মী। মমাগী মতম্পাক্তা অমসুং মনঙ্গন্দা লৈনা লৈনা মহাকপু উবা মীবু ফাবী অমদি চিংশিনবী নুপীমচা অমা ওইরকখি। মহাক পোকপা চহি অমসুং চহিসিগী মতুং চহি ৬ (তরুক) ফাওবসি মৈত্রবাক্কী লৈঙাকলোনগী ফিবমসি তঙ তাবা ফিবম ওইরমদে। খৃ: ১৭৭৬ য়ৌদ্রিবা ফাওবদি অৱা/ম্রান্মাশিংগা তাইশিন্নবা অমসুং য়ানবা পুরকপা ঙমদ্রিবনা লৈপাক ঈংনা পাল্লমদে। অদুবু অঙাং ওইরিবী মঙোন্দদি করিসু খঙজবা নত্তে। অদুনা মহাক্তি মোমোন্দা নোক্তুনা লৈরম্মী। মহাক্না মশাগী চহি মাপন চঙলকপা, খৃ: ১৭৭৯ গী মতমদা ওইখিবা মহাক্কী শারেপ শাবান, ফিবম-ফিরেপ্পচিংবগী মরমদা পীবীরল্লিবদি :-

... দেবহুতি মহারাণীনা পোকপী, চৌরজিৎকীদি মচে, ভাগ্যবতি নিংথৌগী মচা ঈবেম্মা ঈহন হনবী, অসুন্বী রাজকন্যা অসি চহি নিপাল লোয়দুনা ৯ (মাপন) খর চংলে। মাবু উবদা নুংশিদবা য়াওদে ...। কুচুনা সনাগুম্মি, নীঙথিবদা হায়নিঙাই লৈতে। নেত্র (মিৎম্না), পাদ (খোঙ), হস্ত (খুৎ), নাতোন ফজে। য়ানা মুক্তা পরেংগুম্মি, ৱাঙাং ফজে, নুংশি। পিশুম অনিনা কামগী লীরুংগুম্মি। পাম্বোম্না থম্বৌ ঙমজে, ফৈবোম্না লফু নেম্রাগুম্মি। মিৎনা সজী মিৎতা তাই, শমনা চামোরগুম্মি, খ্বাঙনা নোংশাগুম্মি। মশক ফজবগুম মগুণসু লৈ, পুকচেল শেংই, অদুগা নুপী ওইবীগী মহৈ মশীঙ ৱাত্তে, মিৎনা উবা বিদ্যা লোয়না হৈ, করিগুম্ম। কার্য্য অমদগী দরবার ময়াদা চৎখি, কয়াদি হুথ্রে, কাঙঙনা চৎপগুম্মি, চেদা য়েকপা মূর্ত্তিগুম্মি, ফজরবা শকফম্না মীৎকী হরাউনবা ওইবী কন্যানি [ম্ঘথক্কীসিদা, ১৯২]।...

অসিশিংসিনি। মথক্কী ৱাফমশিংসিদগী মহাক্কী শক্তম-শকফম, কুচু কুমেন, মীওই-মীতৌচিংবা খঙবদা নত্তনা পুক্লীঙ- লৌশিঙ, মহৈ-মশিঙ, পুকচেল, মীকৌ মীওক্লচিংবগী মরমশিংদসু খঙবা ঙম্মী। মহাক নিংথৌগী মচানুপী ওইজরবসু খৃ: ১৭৭৬ য়ৌদি' ফাওবদি মীচম খ্বাইগী মরক্তা চাওরকপা ওইবীনিনা অমসুং লৈপাক্কী লৈঙাকলোনগী ফিবম ফত্রিবনিনা মীচম-মীয়ামগী শীল্লম-শীন্থা, হিংবগী মহিং, য়ুম্বান-কৈবান, চাকচা-য়ুথক, ফিজেৎ-ফিইননচিংবদু উরকই, তৌরকই অমসুং লোইনরকই। অদুনা মহাক্কী তুংগী পুন্সিদা ঈচম চম্না হিংবগী পুন্সি মহিংদা পাল্লকখি।

জগোয় ঈশৈগী মহে-মশীঙ

মৈত্রবাক খৃ: ১৭৭৬ হৌগৎলকপদা অৱাগা তাইশিন্নদুনা য়ানবা পুরকপদগীদি লৈপাক লাংবা ফরক্লে। মতমসিদা মৈত্রবাক্কী কোনুংসি খুরোই হাওরা লম্লাংতোং নত্রগা লম্মাংদোংদা ওইরি। মপাবুং ঈবুংঙোনা শ্রীবিষ্ণু লাৎপা হৌদোক্লুনা লম্মাংদোংগী ঙাংঙোম য়ুম্ফমদা বিষ্ণুগী লাইশঙ শাদুনা লাৎখিরম্মী। লাইশঙ অসিদা মৈরা মৈহুম-মৈহাই (আর্তি/আরতি), অয়ুক নুমিৎ ৱাতোন লোম্বদা অমসুং নুমিদাংৱাইরম য়াচংবদা কত্তুনা ঈরাৎ-থেল্লাৎপা হৌদোকখি। হায়রিবা মৈহুম-মৈহাই মৈরা কৎপগী মতম অনিসিদা তেংবানবা মপুগী মতীক-ময়াই, মমিং-মিংলেন, মশক-শক্তম অমসুং থৌদোক-কুম্মৈশিংগী মিংচৎ-শৈরেং-শৈথা-ঈশৈ (কীর্ত্তন গান) শকপা হৌদোক্লুনা মৈত্রবাক্কী হকনা লুনা নীঙথি-ফজরবা শৈশক্কী ঈশৈ [ললিত সঙ্গীত (Classical music)] শকপা হৌদোকখি। মসিদা মপাল্লমদগী মিংচৎ-শৈথা-শৈশক-অশৈব (কীর্ত্তনিয়া) শিং য়াম্না লাক্লুনা ঈশৈ মখলসি চাওখৎহল্লকখি অমসুং শৈশকসিদা পুন্না শৈশকমিন্ন অপুনবা মিংচৎ-শৈথা-ঈশৈ [সঙ্কীর্ত্তন (Chorus/choir Devotional melody/song)] মৈতৈগী ওইনা হৌদোক্লক্লবা অমসুং পুথোক্লক্লবগী মরু হুনখি। অমরোমদা চহিসি (খৃ: ১৭৭৬) দা মৈত্রবাক্কী অহানবা উনা মীওইবগী শক্তম হকচাং কায়াৎ শুনা শাবগী অহানবা হিন্দু লাইগী শক্তম শ্রীবিজয়নাথ গোবিন্দ অমসুং শ্রী গোবিন্দ শাবগী থবকসু মৈতৈ নিংথৌগী য়াথংদগী ৱাংখৈ গোপীরামপাচাহনবনা য়েক্লগা শাৎপম লক্ষ্মননা শাবগী থৌরমশিংসু লম্মাংদোংসিদা পায়খৎলি অমসুং পাংথোক্লি। মতমসিদা লম্মাংদোংসি শ্রীবিষ্ণু লাৎপসিগী বিষ্ণুগী কংলে ওইনা বিষ্ণুপুর [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ১৩৩] হায়না থোন্নাখিরম্মী। শ্রীগোবিন্দনচিংবা লাইশিংসু শাবা লোয়দুনা খৃ: ১৭৭৬ সিগী নবেম্বর ২৩ ঈরাই নুমিৎ (শক ১৬৯৮ গী হিয়াঙ্গৈ ১২ নি) তা থৱাই হাপ্লগা লাৎপ্রে [মথক্কীসিদা, ১২৯-৩০]।

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক-ৱায়েন থৌদা খুদোংচানবা লৈপাকসিগী কোনুংসি লম্মাংদোং/বিষ্ণুপুরদগী লংথবান/কাঞ্চিপুরদা খৃ: ১৭৭৯ কী এপ্রিল ১১, লৈপাকপোকপা নুমিত্তা হোংখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১৩৩]। মতমসিগী মতুংদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বসিনা শ্রীগোবিন্দদা রাস/জগোয় কৎকে

হায়না নীঙলদুনা মহাক্কী লৈপাক পুবা অঙম-অথৌশিং অমসুং জগোয় ঈশৈ তৌবা মীওইশিং, মশানা শীনফম ওইনা পায়রিবা অমদি হিরমসিগী অখঙ-অহৈশিং পুন্নমক্তা হায়দোক্তুনা য়াথং পীরবদা জগোয়-ঈশৈগী কুম্মৈ (লীলা) সি হকনা-লুনা কুপ্না ফজ-নীঙথিবা জগোয় [ললিত নৃত্য (Classical Dance)] দা পুথোকপা অমসুং হায়রিবা মখলসিগী জগোয় (Classical Dance) অসিসু অমদি রাস (কৃষ্ণ অমসুং গোপীশিংনা বৃন্দাবনদা শান্নবা জগোয়) অসিসু হৌদোকপা হায়না লেপ্পরদুনা নীঙথিনা হিরম কয়া মরুম অমসুং শীঙ্খোঙ-শীল্লম, থবক-ইনখাং কয়াদা কুপ্না থিগৎ-হুমগত্তুনা পুথোক্লবা হোৎনরকখি। অসুম্না অখঙ- অহৈ কয়ামরুম জগোয়-ঈশৈগী শেম্বা-শাবা, ময়েক-মশোনগী থৌরাং-ঈরাং, জগোয়গী খুৎশা, ঈশৈ শৈশক্কী খুৎশক অমসুং কুম্মৈগী পরীং-পরম য়াৎপা, পুন্নমক্কী শেম-শাবা, পোরম য়াৎপা লোয়রগা কোনুংগী লৈমা শীজশিংদা তম্বীবা খৃ: ১৭৭৯ গী সেপ্তেম্বর থাদগী হৌখিরম্মী।

মতমসিদা তম্ফা ব্রাংঙমলোন ভাগ্যবতিসি মশাগী চহি ৯ (মাপন) শুরকপা চহি মতাংনি। হায়রিবা মতমসিদা শ্রীগোবিন্দগী শক্তম শক পাল্লবসু শ্রীমতি রাধিকাদি শক্তম লীংখৎত্রি, শাদ্রি। অদুনা অহানবা কৎকদৌরিবা রাস, রাধা কৃষ্ণগী কুম্মৈসিদা তম্ফা ব্রাংঙমলোন ভাগ্যবতি/বিম্বাবতীনা রাধাগী শক্তম লাংলগা অতৈ কোনুংগী লৈমা-শীজশিংনা গোপীশিং, মকোক চিংবী (ললিতা/বিশাখা) নচিংবগী শক্তম শারগা কৎকদৌরিবনি। অদুনা মচাঈবেম্মা বিম্বাবতীবু ঈশৈগী শৈশক, শৈরেং থীবা, শৈরোল হায়বা অসিনচিংবা পুন্নমক মমুৎ তানা তম্বীবগা লোইননা জগোয়গী শাথেক, খুৎহাই-খুৎথম, খোঙথাং-খোঙচৎ, ফিরেপ- শারেপ্পচিংবা নুপীগী ওইবা অথোৎ-অমেঙ জগোয় পুন্নমক নীঙথিনা তম্বীরে। তশেংনমক মহৈ-মশিঙসিগীদমক্তা পোকলকপা মীগুম তাকপগা খঙবগা খঙবনা হানজিল্লকখি। ভাগ্যবতি তম্ফা ব্রাংঙমলোনগী জগোয়-ঈশৈনচিংবা রাসকী মহৈ-মশিঙসি তম্বীবা ওঝাদি ঙাংবম রূপচন্দ্রনি। মসিগী মরমদা পীবীরল্লিবদি :-

... বড়মন্ত্রী অনন্ত শাইনা হায়রকই, মহারাজ! নচা ঈবেম্মা ভাগ্যবতিবু রাসেশ্বরী ওইহল্লো!... নিংথৌসু পাম্লদুনা প্রজানা য়ারবদি ঐসু ফরে, লেপ্পরে। অদুদি রাস অসিদি কনানা তম্বীনী খন্নবদা, ঙাংবম রুপচন্দ্রনা তম্বীবদা লেপ্পদুনা স্না য়াথং থাখ্রে। অফবা তিথি... য়েংদুনা তম্বা হৌরে, রাজকন্যা ভাগবতী নীঙথিনা তম্বা হৌরে [ম: ১সুং ম:, ১৯৬৯, ১৯৬ (২,খ)]।

অসিনি। অসুন্না রাসকী রাসেশ্বরী শাবগী জগোয় ঈশৈগী মহৈসি তম্বদগী মতুং ফাওবদা মশাগী অখন্নবা মহৈ-মশিঙ ওইনা মখা তানা তমদুনা হৈরগা মহৈসিগী অকক্লবী অমা ওইখিরম্মী।

শ্রীগোবিন্দদা পুন্সি কখোকপা

তম্ফা ৱাংঙমলোন ভাগ্যবতি, শীজ লাইরোইবী মশাগী চহি ৯ দা জগোয় রাসতা রাসেশ্বরী শক্তম লাংদুনা শ্রীগোবিন্দগী থৌগল তৌরুবসিদগী নুপীচা ওইবীগী পুক্নীঙদু ৱাখল অমা তৌখ্রে। পুক্নীঙগী অয়োবা লাইনীঙদা চীঙঙু লাইবু মাখক্তগী ওইজনীঙবা, মশাবী মপুরোইবা ওইবগী ৱাখলদা চুশিনখ্রে। শকপান্দ্রবা- শক্লাইদ্রবা মহাক্তি মীওইবগী ৱাখন্না পুথোক্তুনা শাগৎপগা শেম-শাবা মহাক্কী শক্তম অসিনা মহাক্কী অশেংবা শকফন্না খঙদনা শক্তমদুদা অয়ৌবা থাক্কী থম্মোই লৈরাং কৎচবদি। মপান থোংদা মপাবুং মতুং ইন্দুনা অউবা শক্তমসিগী মমাঙদা খুরুমজে, অদুগা পুক্নীঙদা নীজে [মথক্কীসিদা, ১৯৬ (৮-জ)]। অসুন্না রাসেশ্বরীগী শক্তম শাদ্রিবা মতমদগী শারবা ফাওবা চহি মঙা (খৃ: ১৭৭৯, ১৭৮০, ১৭৮১, ১৭৮২ অমসুং ১৭৮৩) রাসেশ্বরী শক্তম লৌদুনা শ্রীগোবিন্দগী থৌগল তৌজরে। মতমসিদদি ৱাংঙমলোন ভাগ্যবতি শীজ লাইরোইবী মশাগী চহি ১৪ (তরামরি) শুরে, হকচাং কায়াৎশিং মপুঙ মরৈ ফারে, নুপী ওইবীগী মমা ওইবা য়াবগী মতীক ময়াই পুন্নমক চেল্লে, য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাবা য়ারে। মহাক্কী য়ুম্বানবগী মতাংসিদা বিম্বাবতীগা মপাবুং চীঙথংখোম্বগা ঙাংনখিবা ৱাফমগী মরমদা পীবীরম্লিবদি :-

... ভাগ্যবতী মচা ঈবেম্মা নুপী মচা অমা ওইবগী ফজরক্লবা কৈশোর বরস লাক্লে, অদুদা নিংথৌনা লুহোংবগী কর্ম্ম পাম্বদুনা, কনাদা অপাম্বা লৈবা মী থাজিন্দুনা হংহল্লি, মী কয়া ওন্না হংহনবদা অপাম্বা অমা হায়রক্ত্রবদা নিংথৌ মশামক্তা, "পাম্লুং! ?ঐদি গোবিন্দগী মনাই ওইজরে, কনাগী মনাই ওইবা ঙমজরোয় খুম্মী (ল:ম:স:, ১৯৭৬,২)।

অসিনি। মসিদগী মপাবুংনা, "মাগী থম্মোই অসিদা গোবিন্দগী কৃপা অমা পীরবোইরে খন্দুনা অফবা নুমিৎ অমা য়েংলদুনা মচা ঈবেম্মা পুরগা শ্রীগোবিন্দগী চরন্দা ভাগ্যবতী মচাবু কৎলকই,....."প্রাননাথ শ্রীগোবিন্দ! ঐগী ঈচানুপী অসি ঈবুংঙোদা কৎচরবনি, পাপ চেনবগী মচানি হায়দুনা লৌশিনবীদবা তৌবীগনু

শ্রীচরন্দা কৎলবনি। ভক্তি অসি কৎলগা মচা ঈবেম্মগা লোইননা দণ্ডবৎ তৌদুনা খুরুমজরে। নুমিৎ অদুদগী 'নঙদি গোবিন্দগী মনাই ওইরবনি' হায়দুনা মন্দির মনাক নক্লা য়ুম অমা শারগা, ''অসিদা লৈগদবনি'' হায়দুনা লৈহনখি'' (মথক্কীসিদা,২-৩)ঃ হায়না পীরম্মী। অদুগা ভাগ্যবতীসিনা মবুংঙোদা থৱাই কৎচখ্রে, সংসারগী অৱা-নুংঙাই পুম্নমক থাখ্রে, অপাম্বা, অশাউবা, নুংনাংবনচিংবা পুম্নমক গোবিন্দগী থৌগন্দা হাপচখ্রে হায়না মখা তানাা পীবীরম্মী। অসুম্না শীজ লাইরোইবী/লাইনীঙবীনা শ্রীগোবিন্দদা থৱাই হকচাংনচিংবা অখাকপা লৈতনা কখোকচখি।

শ্রীগোবিন্দদা পাউথোকপীরবী ওইনা- মৈতৈগী নিংথৌগী মচানুপী তম্ফা ৱাংঙমলোন ভাগ্যবতি/বিম্বাবতি মহাক্লা নীঙজ-নুংশিজরবা শ্রীগোবিন্দদা পাউথোকপীরবীনি, মরম অদুনা মহাকপু মঙোন্দা ''শীজ লাইরোইবী'' নত্রগা 'লাইনীঙবী' হায়বা মিংথোলসি পীদুনা কৌন- থোন্নরিবনি। হায়রিবা মিংথোলসি পীবগী মতাংদা লৈরিবা ৱারী-ৱাখোঙদি-

লাইবক ফরবী ভাগ্যবতি মচাঈবেম্মা গোবিন্দগী লুক সেবাগী থৌরাং থৱাই চঙনা হোৎনজৈ। নোংমা কাংদনা মন্দির তৈজৈ, তুলসী, লৈ, চন্দনচিংবা সেবা হোৎনজৈ।.... অহিং ওইরক্লগা মাগী য়ুম অদুদা গোবিন্দ লেঙঙক্কনি ৱাখল তৌদুনা ঙাইদুনা লৈজৈ। অদুগা মানা তৌজরিবা থৌরাংদি- ঈমুং অদুদা য়েক-খোৎলবা কাংথোল অচৌবা অমা থারে, অদুগা খুদা কাংথোন মচা অমগা থাজৈ। গোবিন্দনা লেঙলক্লগা পোত্থবীনবা থৌরাংনি।.... ঙৌরবা ফিদক্লা মোম্পাক মথক্তা থাই, মোন্দুম-মোন্তেক্লচিংবা লৈতেং তৌজৈ, পুক্লীঙনা গোবিন্দজী লাকপগনি খন্দুনা হাবীনবা সন্দেশ কয়াশু লাঙজৈ। অসুম্না ঙাইজবদা নুমিৎ কয়ানি ফাওবা লাক্রে। মবুংঙোবু উবা ফংদ্রবদা মবুংঙোবু কৌদুনা কপ্লকই- থৱাইগী মবুংঙো! ননাইগী পুক্লীঙবু হুবীখ্রে, অদুগা উবদি ফংজদে.... হিংজবা ঙম্লরোয়.....। ঈবুংঙোনা লেঙশিল্লক্লগা মনাইনা থাজরিবা শয্যা কাংথোন মথক্তা লেঙখৎলগা ঐ লাক্লে তাকপীয়ু,.... ভাগ্যবতীনা খুরুমজৈ... তাম্বুল পান্না.... শ্রীঅঙ্গদা চান্দন.... লৈ পরেং মবুংঙোদা হুকচৈ। মনাইগী সেবা লৌরগা ঈবুংঙো মনাইনা থাবিবা শয্যাদা চেপখ্রে, ভাগ্যবতীনা নাক্তা ফমজদুনা সেবা তৌজৈ। অসুম তৌদুনা গোবিন্দগী সেবা নুমিৎ কয়ানি ফংজরবদা শীজ য়ুমদা গোবন্দি লেঙশিনবীগী

চিহ্ন খুদম অসি কোনুংদা লৈবীনিনা উনরক্লে। নোংমা... লমশেংবীনা কাংথোন মথক্তা করি করিগুম্বদা গোবিন্দগী কোকথোন- কোকয়েৎ থেংনৈ, নোংমনা বাশি লৈরম্মী, নোংমনা খ্বাঙচেৎ, লীক্লচিংবা লৈরম্মী। নোংমনা শয়ন আরাতি মতুংদা পাখং অমা চঙখিবগুম কনাগুম্বনা থেংনৈ।... ঈফোং ফোংনা শান্নবা হৌরক্লে। নুমিদাংগী পুং ৭-৮ তাবা কান্দা পাখং অমা শীজগী য়ুমদা চঙবা উহল্লে। অসুম তৌনা নোংমা থেঙ, নোংমা ঙন উনরক্লবদা, অচৎ- অওক মী কয়ানা ৱারী শানরক্লে, কনাগুম্বনা লুমদুনা ফাওবা য়েংনরবী শীজ লাইনীঙবী নত্রগা লাইরোইবীসি মপুন্সি চুপ্পা শ্রীগোবিন্দজীগী থৌগন্দা থৱাই হকচাং কখোক্তুনা মীওইবগী য়ুম্বানবগী থৌরম তৌদনা, য়ুম পান্দবী ওইনা মপুন্সি লেনখিরম্মী।

রাসেশ্বরী পালা লীংখৎখিবা

মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা (রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র) না খৃ: ১৭৭৬ তা শ্রীগোবিন্দজীগী মপুঙ ফারবা শক্তমগী শকফম অমসুং ফিভম- ফিরেপ শাদুনা থৱাই হাপ্লগা লম্মাংদোং (বিষ্ণুপুর) কোনুংদা লাৎলম্বদগী খৃ: ১৭৭৯ দা লংথবান (কাঞ্চিপুর) দা কোনুং হোংদুনা চহিসিদগী লংথবান কোনুংদা লাৎখি অমসুং চহিসিগী হিয়াঙ্গৈ থাগী ১১ নি পানবা ঈরাই নুমিত্তা শ্রীগোবিন্দজীবু লাইগী ফম্বাল ফম্বাক থক্তা থাঙ্গক্তুনা ফমদেংহল্লগা থাসিগী থানীন- থাবুঙ (১৫ নি পানবা) ফাওবা নুমিৎ ৫ নি (মঙা) নি চুপ্পা জগোয় (রাসি) কৎখিরম্মী। হায়রিবা মতমসিদা শ্রীগোবিন্দগী শ্রীকৃষ্ণগী নুংশি শক্তম শকপানবী শ্রীমতি রাসেশ্বরী /রাধিকাগী শক্তমদি শাদ্রি। অদুনা মৈদিংঙুগী মচাঈবেম্মা তম্ফা ৱাংঙমলোন ভাগ্যবতী/বিম্বাবতীনা শ্রীমতি রাসেশ্বরীগী শক্তম লাংদুনা (শাদুনা) জগোয় কৎচখিবনি। মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা শ্রীমতি রাসেশ্বরীগী শক্তম শাননবা খৃ: ১৭৮৩ অমসুং ১৭৮৪ দগী থৌরাং তৌখিরম্মী। মদুগী খুদম- চাংদমদি:

... ৱাংহেংবম ওকলাবগী কুম শক ১৭০৫ পোইনু থা ৩নি ঈরাই (তাং ২৭-১২-১৭৮৩ ইং) দা কাইনাদা থৈবোং য়ানবা চৎএ। ফাইরেন থা ...১৪ নি থাঙজ (তাং ৭-৩-১৭৮৪ ইং) দা ইবুংঙো তেখাওখোম্বা (মৈদিংঙুচা নবানন্দ,ৱাঙ্গোন নিংথৌ) না কাইনদা থৈবোং য়ানএ (চৈথা:কুম:, ২০০৫, ১৪১)।

অসিনি। হায়রিবা খৃ: ১৭৮৪ গী মার্চ থাদা য়াল্লিবা থৈবোঙ অসিনা অহানবা শ্রীমতি রাসেশ্বরীগী শক্তম শাখ্রিবনি। মসিগী শ্রীমতি রাসেশ্বরীসি মৈদিংঙু লৈশেম

চীওখোম্বা [বোধচন্দ্র সিংহ খৃ: ১৯০৮ (১৯৪১-৪৯)-১৯৫৫] গী সনা হাক্তক্কী খৃ: ১৯৪৩-৪৪ দা নোঙ্গাখিদুনা খৃ: ১৯৪৪ গী মে থাগী তাং ১ নিংথৌকাবা নুমিত্তা কাইনাগী লিশম্ন লোক্তগী লৈহাউ লাইরেন পাম্বী য়াল্লগা (মথক্কীসিদা, ৬৪৩), মদু কংহল্লগা খৃ: ১৯৪৫ দা গোলুকনাথ অমসুং রাসেশ্বরীগী শক্তম অনি শাখিরম্মী। হায়রিবসিগী ঈ- পাউদি:-

(১) মুতুম ভুবোনগী কুম শক ১৮৬৬... কালেন থা ৮নি নিংথৌকাবা (খৃ: ১৯৪৪ গী মেগী তাং১) দা রাসেশ্বরীগীদমক কাইনাদগী লৈহাউ ফুকএ। মসিগীদমক মোইরাংথেম অঙৌবী মাইবী পুম্নমক্কী মথক্তা অশুপ্পী হাপ্পএ। অদুগা মনা শুনা পীএ। মাগী তকমান্দা শ্রীগোবিন্দ অমসুং শ্রীবোধচন্দ্রগী মহারাজগী মমিং ইদুনা পীএ (মথক্কীসিদা, ৬৪৩-৪৪)।

(২) মুতুম ভুবোনগী কুম শক ১৮৬৬ ফাইরেন থা ১০ নি য়ুমশাকৈশ (খৃ: ১৯৪৫ গী ফেব্রুৱারি তাং ২১) দা কাইনাদগী উ অদুনা গোলুকনাথ অমসুং রাসেশ্বরী শাদুন জীবন্যাস তৌএ (মথক্কীসিদা, ৬৪৬)।

অসিনি। লৈহাউ লৈরেন্না শাবা রাসেশ্বরীগী অকোনবা শক্তম অসিনি হৌজিক হৌজিক ৱাংখৈ কোনুংদা শ্রীগোবিন্দজীগী লাইশঙদা শ্রীগোবিন্দজীগী ওয়দা ঙাম্থোইদুনা লাৎলিবসি। অহানবগী শক্তমদুদি সংস্কার তৌখ্রবনি (পোৎলোয়খ্রবনি)।

মৈদিংঙু চীওথংখোম্বনা খৃ: ১৯৮৪ দা শ্রীগোবিন্দজীগী চান্নবী রাসেশ্বরী (রাসকী নত্রগা জগোয়গী মবেন্মা) হায়বা মিংলেন অসিগী মখাদা শ্রীমতি রাধিকা/রাধাগী শক্তম শকপানহন্দুনা শেম- শারবদা মশাগী চহি ১৪ (তরামরি) শুরবী ৱাংঙমলোন ভাগ্যবতী চহিসিদগী জগোয়/রাসতা রাধিকা নত্রগা রাসেশ্বরী শক্তম লাংদুনা শ্রীমতিগী বিম্বা (মমি) ওইবা তোকখ্রে, জগোয়গী মকোকচিংবী ওইখ্রে। অদুবু ৱাংঙমলোন ভাগ্যবতীগী ঈনখৎলক্লিবা পুক্লিঙ- ৱাখলগী ঈথক- ঈপোমশিং, নুজা থম্মোই লাইয়ুমনুংগী অপাম- নুংশি শক্তমগী মিতমশিং অমসুং নুপীচা' হকচাংগী শাথেক-খুখেকশিংনদি পামজনা- নীঙজবা ঈবুংঙো মহাক্কী কোলোয় মমিং শোঞ্জবা, মশক- মতৌ নত্রগা শকপান- শাবান শৈথাজবা, মতীক- ময়াই শকচবা অমসুং মহাক্কী পুন্সি ৱারিগী থৌদোক- ৱাথোকশিং নীঙশিঙজদুনা মদুশিংদু লীজ

তাজবা অদুদি থাদোকপা ঙমজদ্রি, হেন্নদুম খৌরাংরক্লি। অদুনা ব্রাংঙমলোন শীজ ভাগ্যবতী/বিম্বাবতীনা করি তৌসিগে হায়না মণ্ডল- মণ্ডল খল্লক্লে। মফম খুদিংদা চিবোন- চিবোন ৱাখন্না উংদুনা লেপ্লম্বা, চাগনি- থক্কনি খঙদনা তরংদা য়েংদুনা লৈরম্বদগী ব্রাংঙমলোন ভাগ্যবতী মতোমতা ৱাখলগী পল্লেপফম অমা ফংজরে। পল্লেম মমাহন, মমায়ায়মা, মমাতোনশিং, অপোকপী পল্লেম মমা চীংঙাখম চনু দেবহুতি, অতৈ য়োঙ্গবু- য়োঙ্গহৈশিং, নিংথেমনুবী লৈমা- শীজনচিংবীদা পুক্লীঙগী ৱাফম ফোঙদোক্কুনা কোনুংগী নুপীশিং ঙাক্তগী ওইবা সংকীৰ্ত্তন ঈশৈগী পালা অমা জগোয় রাসকী উচন- উফম অমসুং ৱায়েন- কাংলোনগী মখাদা লীংখৎপা পান্বগী ৱাখল পুথোক্লে। মৈতৈ কোনুংগী লৈরিবা নুপীশিং নিংথেমনুবী, লৈমা শীজশিং পুন্নমক্লা তম্ফা ব্রাংঙমলোন মহাক্কী ৱাফমদু তরাম্না ওক্লরে। অদুবু মপাবুং মৈদিংঙুগী সনায়াথং য়াওদনদি ৱাফমদু থবক্তা ওন্থোকপা য়াররোয় হায়বদগী তম্ফা ব্রাংঙমলোন ভাগ্যবতীনা ৱাফমদু মপাবুংদা হঙ্গৎচরে।

ৱাখল লৈবা নিংথৌনি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র। মৈতৈ লৈপাক্কী মতমদুগী অহৈ- অশিঙ, য়োয়রেন- পণ্ডিতশিং, পুং- ঈশৈগী ওজা- গুরুশিং অমসুং লৈপাক পুবা অঙম- অথৌশিং পুন্নমক কৌখৎতুনা ৱা তান্নরে। বামোন লোইশঙগী পঞ্চরতনগী ৱাফমসু লৌখৎলে। শ্রীঁ শুকদেব মুনিগী ৱাফমদা শ্রীহরি (বিষ্ণু/কৃষ্ণ)গী নাম (মিংখৈ) শোনবা অমসুং শকপদা মফম, মতম, থৌদোক- ৱাথোক পুংজা- পুংফম্নচিংবা খায়বা লৈতবগুম, জাৎ- বীজাৎ, বর্ন (কুচু ঙৌবা মুবা) খেন্নবা, নুপা নুপী খায়বা লৈতে, থৱাই পানবা পুন্নমক্লা তাইবংমপুগী মিংখৈ, মশক- মতৌ, মতীক- ময়াই অমসুং মহাক্কী থৌদোক- ৱারীশিং শকপা- শোনবা য়াই। অদুনা "শুক কীৰ্ত্তন" হায়দুনা লৈরিবনি। মরম অদুনা মজাঙ্গবেম্মা ভাগ্যবতীগী ঈশৈ পালা অসি লীংখৎপা য়াই হায়বা ৱারোয়- ৱারেপ পীরে। মচাঙ্গবেম্মনা লৈপাক্কী ওইনা শ্রীগোবিন্দিজীগী ওয়দা ঙানথোইনবা রাসেশ্বরী শাদুনা লীংখৎখিবা ঈবেম্মা শ্রীমতি রাধিকাগী শক্তমদা মৈতৈনা রাসেশ্বরী (রাসকী মবেম্মা) হায়না মিংথোঞ্জবীদুগী পেন্ননবা "রাসেশ্বরী পালা" হায়না মিংথোঞ্জখি।

রাসেশ্বরী পালাগী ৱায়েন- ৱাখুনসি রাস শান্নবগী ৱায়েন- ৱাখুনগা মান্ননা শেম্বীরম্মী। রাসেশ্বরী পালা শকপা তারবদি নুপা পালাগী সঙ্কির্ত্তন্না হান্না হৌদুনা পুবর্বরঙ্গ (Prelude) ওইগনি। নুপা পালানা সঙ্কীৰ্ত্তনগী মেল থারবা মতুংদা

রাসেশ্বরী পালাদা শিন্নে অমসুং অরোয়বদসু নুপা পালানা বিজয় তৌই (ঈশৈ লোয়শিল্লি)। রাসতা চালি শাবা য়াওগুম্না রাসেশ্বরী পালাদসু য়াওই। সঙ্কীর্ত্তন মখলসি নুপীশিংনা লেপখত্তুনা করতাল অচৌবা পায়দুনা শক- শোল্লি। সঙ্কীর্ত্তন অসিগী রাগসি শ্রীধানসি রাগ (রাগিনী) হায়বা রাগ অচৌবা অদুনি। রাসেশ্বরী পালাগী লৈ চন্দন, ফিং বরিবনচিংবা সেবা (থৌগল) শিং নুপীশিংদনা তৌই, সঙ্কীর্ত্তন মণ্ডলী ময়ায়দা নুপা চঙহন্দে। রাসেশ্বরী পালাসিগী পালা ওইরিবী নুপীশিংগী অকক্লবা ফিজেৎ-লৈতেং, ফিরোই- ফিঙাম লৈজে। ঈশৈগী রাগ (রাগিনী) ধানসি অসিদা নত্তনা পুংগী রাগদা নদিয়া রাগ হায়বসিনি। রাসেশ্বরী পালাসি মতমগী মতুং ইন্না মৈতৈ নিংথেমচা শাগৈ ১০ (তরা) লৈবগী মনুংদা কর্ত্তা শাগৈ (বংস) খক্তগী ওইনা মৈদিংঙু নরসিংহ (খৃ:১৮৪৪-৫০) গী সনা হাক্তক খৃ: ১৮৪৫ গী মে ২১ য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী লৈরকখি (চৈথা:কুম:, ২০০৫, ২৭১)। মসি নুমিৎসিদা নরসিংহ শাগৈ নত্রগা সেনাপতিময়ুম শাগৈগী নুপীশিংগী ওইবা নুপীপালা “জলকেলী পালা” হৌদোকখিবদগীনি। অসুম্না তম্ফা ব্রাংঙমলোন ভাগ্যবতীনা খৃ: ১৭৮৫-৮৬ কী মতমদা রাসেশ্বরী পালা হৌদোক্তুনা শ্রীগোবিন্দজীদা কৎচখি।

অনুপ্রভুগী শক্তম লীংখৎপা - খৃ: ১৭৮৪ গী মার্চকী অহানবা চয়োন্দা কাইনাগী নমলোনগী লীশম লোক্তগী লৈহাউ পাম্বী য়াল্লগা [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ১৪১] উদু থা ৫ চুপ্পা কংহল্লগা সেপ্তেম্বর-ওক্তোবর থা অনিদা শাৎপম লক্ষ্মননা লংথবান/কাঞ্চিপুর কোনুংদা রাসেশ্বরী শক্তম শারে। চহিসিগী নবেম্বর থাদদি রাসেশ্বরীগী থৱাই হাপ্তুনা শ্রীগোবিন্দগী ওয়দা ঙাম্থোইখ্রে। চহিসিদগী বিম্বাবতী মঞ্জুরী জগোয় রাসতা রাসেশ্বরী শাবা ফংদ্রে, মকোকচিংবীগী শক্তম লাংদুনা রাসতা শ্রীগোবিন্দজী থৌগল তৌজরে। অদুগা হান্নগী মশাগী লৈফম মপাবুং ঈবুংঙোনা শাবীবা শ্রীগোবিন্দগী লাইশঙ মনাক্তা শাবা শঙলেন য়ুমদা হান্নগুম শ্রীগোবিন্দদা কৎনবা হৈ-লৈ, তুলসী হেক্তুনা যাব চন্দন তক্তুনা থৌগল তৌরি। শ্রীগোবিন্দগী মৈহুম-মৈহাই-মৈরা (আরতি) কৎপা খুদিংমক্তা আরতি ঈশৈ কৎচদুনা অশেংবী লাইনীঙবী ওইনা পুন্সি লেল্লম্মী। মতমসিদা মহাক্কী থম্মোইদা ঈখৌ লাংলিবসি শ্রীগোবিন্দগী চেংলৌ শকপানথোং উজবদুনি।

শক ১৭১৬গী হিয়াঙ্গৈ থা, খৃ: ১৭৯৪ গী নবেম্বর-ডিসেম্বরদি, রাস শোয়দনা শান্নরগনি, মদুদদি মবুংঙোগী থৌগল ফংজগনি। মসি মমাঙদদি শ্রীগোবিন্দগী

শক্তম উবা ফংজদে, গোবিন্দবু মশাগী লাই ওইবা ফংজদে, লৈপাক নিংথৌগী লাই ওইদুনা লৈ। হৌজিক মশাগী চহি ২৪ (কুনমরি) শুরক্কে, চহি ৯ শুবদগী মনাই ওইজরকপনি, চহি ১৫ (তরামঙা) অরেম্বদা মহাক্কী মশক উবা ফংদনা হৌখ্রে, হৌজিকসু ঈবুংঙো মহাকপু উবা ফংনবা ঙাইবা তাবনি। অসুম্না শ্রীগোবিন্দগী ৰাখনসিদা ৰাখন নুংঙাইতনা অহিং অমা তুমথখিবদা মহাক্কী মঙদা শ্রীগোবিন্দনা শুমহৎনীঙঙাই ওইরবা শকফমদা মহাক্কী মমাঙদা লেপ্লম্মী, অদুগা মোমোন নোক্লদুনা তাকপীরকই– শীজ নঙ ঙাওগনু! নঙ ঐগী মরীদা মনিপুর্র প্রজা কয়া মাঙবা তারে, ঐবু ঈশ্বরনি নীঙদ্রবা মরম্না য়েংবদা উবা ফংদ্রে। শীজগী য়ুমদা পাখং অমা কোয়বা চঙলে হায়বা ৰাসি লোন্না ঙাংনবদা ফোংনা মনীন চৎখিদুনা লৈপাক ফাওরে, নিংথৌ তারে। .... চঙলিবা মী অসি ফারসি হায়না লেপ্লরদুনা .... ঐঙোন্দা হায়রো লাউ, নিংথৌনা য়াথং পীখ্রে... গোবিন্দনা লীলা ওল্লগে নীঙদুনা মনাইগী য়ুমদা নুমিদাং শয়ন আরতি হেক লোয়রবা মতুংদা ঈফোং ফোংনা কোকয়েৎ ফৈনা য়েৎলদুন্না... লেঙশিনখ্রে... নিংথৌদা হঙ্গত্তুনা... থাঙ পায়বা, তা পায়বা... মীয়াম্না মরোন কয়া কোয়রে।... ভাগ্যচন্দ্রনা মহারানী দেবহুতীদা... নচাগী য়ুম চঙঙু, স্না য়াথং ফংবদা দেবহুতীনা থোঙবা পায়দুনা... ঈমাগী ঈবেম্মা ভাগ্যবতী! ঈমা লাকই, থোঙ হাঙঙু! মমাগী খোঞ্জেন তাবদা শ্রীগোবিন্দ মাঙখ্রে। থোঙ হাঙলগা... মহারাণীনচিংবা কয়ানা চঙদুনা য়েংবা কান্দা কনা অমতা লৈরমদে। শয্যা মথক্তা গোবিন্দগী বাঁশিগা কোকয়েৎকা লৈরম্মী, শ্রীঅঙ্গগী গন্ধ (মনম) দি ঈমুং অদু ফুন্না থন্না লৈরম্মী। লু ...। ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌনা মচাগী য়ুম চঙদুনা য়েংলুবদা শয্যা মথক্তা কোকয়েৎ বাঁশি লৈরম্বা উবদা নিংথৌ ৰান্থদুনা লৈপাক্তা তুখ্রে। প্রজা ময়াম্না থৌগন্দুনা... কপ্না কপ্না হায়রকই, নুংশিরবা প্রজা পুম্নমক! ঐগী ঈচা ভাগ্যবতীসে ঙসিদগী মমিং অমা থোঞ্জগে, শীজ লাইনীঙবী কৌরসি, গোবিন্দগী মনাই অশেংবীনি।... নুমিৎ অসিদগী শীজ লাইনীঙবী কৌখ্রে, মখা নবদ্বীপতা শীজ লাইলোইবী কৌরগদৌরি [মথক্কীসিদা, ৩-৭]।

অসিশিংসিনি। অসুম্না শ্রীগোবিন্দগী মিংদা পাউথোকপী ওইবসিনা মহাদোষ, দোষ অচৌবা ওইররে। নঙসু ঐ উদ্রগা শিনি হায়রে, অদুনদি নঙ চৎলো শ্রীধাম নবদ্বীপতা, নঙগা ঐগা লৈরুরসি। অদুগা নঙগী মরমগীদমক্তা ঐগী মূর্ত্তি অসি ওইগে, হায়দুনা ওয় থংবা খোঙনা মাঙ থাদুনা ভঙ্গি তৌরগা সনা ফুদোংবা কুচুনা

লৈতেংদুনা লেপ্-ই... হৈ ভাগ্যবতী কুচু ঙৌরিবসে প্রেমনা ওইখিবনি, ... অঙৌবা কুচু ওইদুনা ঈমিং গৌরাঙ্গ কৌদুনা পোকপনি, মনুংদা মুবনি, মপান্দা ঙৌবনি [ল: ম: স:, ১৯৭৬, ৮-১০], হায়রল্লগা ঈবুংঙো লেঙখ্রে। মসিদা ভাগ্যবতীনা মিকপ থোক্লক্লম্মী। ভাগ্যবতীনা ৱাখল মুন্না খন্থরকপদা ফংলিবা ৱাফমদি - ঈবুংঙো মহাক্না হায়রল্লিবসি হায়রিবা কুচু ঙৌবা, খোঙ ওয়না মাঙ থারগা ভঙ্গি তৌবা শক্তমদু শারগা নবদ্বীপতা লাৎলু - হায়বনি, অসিনি। মসিদগী তম্ফা ৱাংঙমলোন ভাগ্যবতীনা মপাবুংদা হঙ্গত্তুনা গৌরঙ্গিগী শক্তমসি শাননবা থৌরাং তৌরম্মী।

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা মচাঈবেম্মা তম্ফা ৱাংঙমলোন ভাগ্যবতী / বিম্বাবতীনা হায়জবগী মতুং ইন্না শ্রীগৌরাঙ্গগী শকফম ওইবা শক্তম অদু মচাঈবেম্মনা তাক্লিবা ফিরেপ-ফিবম অদুদা শাহন্নবা শাৎপম লক্ষ্মন কৌরে। লক্ষ্মননা মচাঈবেম্মগী ৱাফমশিংদু মুন্না তারগা, হায়রিবা শক্তম অদু শ্রীগোবিন্দজী শাননবা কাইনা চীঙদুমদগী য়ানখিবা থৈবোঙ পাম্বী (Jack Fruit tree) অদুদগী মঙাশুবা মকক কত্তুনা শারে। শক্তম অদু শাবা লোয়রগা অঙৌবা কুচুগী রং তৈদুনা কংহল্লে। মিৎ, পিশুম, পাগোয়নচিংবা পুন্নমক য়েক-খোৎলগা নীঙথিবা ফিজোন থোন্দুনা শক ১৭১৬ কী ফাইরেন থাগী থানীন থাবুঙ শগোলশেন নুমিৎ (খৃ: কু: ১৭৯৫ গী ফেব্রুৱারী ৫) দা থৱাই হাপ্লগা ফম্বাল লাংহন্দুনা লাৎপা হৌখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১১]। লাই অসি শ্রীঅনুপ্রভু হায়না মিংথোনখি। লাই অসি শ্রীগোবিন্দজীগী লাইশঙ কাঞ্চিপুর কোনুংদা লৈবদুদা তম্ফা ৱাংঙমলোন ভাগ্যবতীগী লাই ওইনা লাৎলম্মী।

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা শক ১৭১৬ অসিগী মেরাগী থানীন-থাবুঙ য়ুমশকৈশ (খৃ: ১৭৯৪ গী ওক্তোবর ৮) দা মচাঈবেম্মা ভাগ্যবতিনা জগোয় মকোক চিংলগা রাস অমসু কৎখি। অদুগা হিয়াঙ্গৈগী থানীন-থাবুঙ (খৃ: ১৭৯৪কী নবেম্বর ৭) ঈরাই নুমিত্তসু হান্নগী রাস অদু কায়দনা কৎখি। মেরা থানীন্দা কৎপা রাসসিনা হিয়াঙ্গৈ থানীন্দা কৎপসিদগী জগোয়গী মচৎ-মতৌ, পুরিবা ৱাখন্নচিংবদা খর চমমি অমসুং লায়বগী ৱায়েন্দা লৈ। অদুনা মতমদুগী অহল-লম্মন্না মেরা থানীনগী রাসসিবু "কুঞ্জরাস" অমসুং হিয়াঙ্গৈ থানীনগী রাসসিবুনা "মহারাস" হায়না মমিং থোনবীরম্মী। অদুগা মৈদিংঙুসিনা অমুক শক ১৭১৮ গী কালেনগী ১১ নি লৈপাকপোকপা (খৃ: ১৭৯৬ কী মে ১৭) দা কোন্থৌজম য়ুম্ফম (হৌজিক্কী

গোভর্নরগী রেসিডেন্সী) কোনুংদা বসন্তরাস কৎখি। হায়রিবা রাসশিংসি তম্ফা ৰাংঙমলোন ভাগ্যবতী নত্রগা বিম্বাবতী মঞ্জুরীনা অহানবগী চহি মঙা (খৃ: ১৭৭৯-৮৩) রাসেশ্বরী শারগা অরেম্বা চহিশিং খৃ: ১৭৯৭ ফাওবদি মকোক চিংবী ওইনা শরুক য়াখিবা ঙাক্তনি।

ৰাংঙমলোন ভাগ্যবতী নবদ্বীপতা

তম্ফা ৰাংঙমলোন ভাগ্যবতী, মবুংঙো শ্রীগোবিন্দনা মমঙদা তাকপীরম্বগী মতুং ইন্না নবদ্বীপতা চত্তুনা লৈরুনবগী ৰাখল খৃ: ১৭৯৫ গী ফেব্রুৱারী থাদগী থৌরাং তৌদুনা লৈরবনি। অদুবু হেক চৎপা য়াদদুনা পন্দুনা লৈরিঙৈদা মপাবুং ঈবুংঙোসু গঙ্গা চৎকনি (গঙ্গা তুরেন চেনবা গৌর/বঙ্গ লৈপাক্তা চৎকনি) হায়বদুদা মপাবুংগা খোঙবু ওইদুনা চৎলগে হায়দুনা ঙাইদুনা লৈরকপনি। খৃ: ১৭৯৮ গী ফেব্রুৱারী থাদদি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী গঙ্গা চৎনবগী থৌরাং শেম-শাবা লোয়রে। মতমসিদা ৰাংঙমলোন ভাগ্যবতীসি মশাগী চহি ২৮ (কুননিপান) শুরে, অমসুং মহাক অমদি মহাক্কী মীশিং থারগা পুন্না মী ৭০০ (নুপা অমদি নুপী পুন্না) কী মনুংদা মী/নুপা ৩০০ (চহুম) না পোৎ পুবা পোত্থাং মী (Porter) ওইনা চৎনবা থৌরাংলে। অসুম্না হায়রিবা লাইফম চৎপা কাংবুসি খৃ: ১৭৯৮ মার্চথা ৭ নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোন্থৌজম য়ুম্ফম কোনুংদগী খোঙহৌ-খোঙশানখি, মদুদি:-

... নান্দৈবা লক্ষ্মনগী কুম শক ১৭১৯... ফাইরেন থা... ২০ নি নিংথৌকাব (চৈচৎ ৭।৩।১৭৯৮ ইং) দা মহারাজ- মহারাণীনচিংনা য়োঙ্গৈবু- য়োঙ্গৈহে অয়াম্বা গঙ্গা চঙবা চৎএ [চৈথো: কুম:, ২০০৫, ১৭২] অসিনি। মসিদা শীজ ভাগ্যবতী মবুংঙো অনুপ্রভুসি থৌগল তৌদুনা পুরগা চৎলিবনি।

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা খৃ: ১৭৯৮ দা গঙ্গা চঙবা নত্রগা গৌর/বঙ্গ লৈপাক্তা চৎপসি অচুম্বা লম্বী কছাড় লৈপাক ফাওরগা চৎপা লম্বীদুদা চত্তে, ঈম্ফাল তম্পাক্তগী খাগী চীঙলম্বী ফাওরগা তখেন/ত্রিপুরা (Tripura) তাবা লম্বী অমা থিরগা চৎখিবনি। মসি খাসপুরদা কোনুং ওইদুনা পাল্লিবা কছাড়ী নিংথৌ হিরম্বরাজ কৃষ্ণচন্দ্র মানিক্য (খৃ: ১৭৮০-১৮১৩) না চীঙথংখোম্বা নিংথৌগা য়েংথীনদুনা লমন খুম্নবা তেমশীঙবদগীনি। হায়রিবা নিংথৌ অনিসিনা য়েংথীনবগী মরমসি খৃ: ১৭৮৯ দা হিরম্বরাজ কৃষ্ণচন্দ্র মানিক্যগী মপা হরিশ্চন্দ্র নরায়ন ২শুবা নত্রগা

হিরম্বেশ্বর সন্ধিকারী (খৃ: ১৭৬৫-৮০) না লৌবা গরিবনিৱাজ নিংথৌরেন (খৃ: ১৭০৯-৪৮ গী মজাঈবেম্মা ৱাংঙমলোন হরিপ্রিয়া ময়াং/কছাড়ী লৈমনা লৈতবা/ নোঙ্গাবগী লাইথৌ খাসপুরদা পাংথোকপদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা মনেম শীজসিগী অশি-লাইথৌ য়াওবা লাকপা [মথক্কীসিদা, ১৫২] দা লাইথৌদু নীঙথিনা তৌরমদবগী মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা ঙাংলুবদগী হিরম্বরাজ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়না খৎনদুনা শাওনখিবদগী কছাড়ী নিংথৌসিনা শীঙখিবনি। মরম অসিনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা মহাক্কী লৈপাক ফাওদুনা চত্তবনি। খোঙচৎসিগী মরমদা য়ুরোপীয়ান হিষ্টোরীয়ান অমনা পীরম্লিবদি :-

"The chief of Manipur was then an old man and had with him three sons and an equal number of daughters, one of whom had married Radan Manik, Raja of Tripura... The direct communication between Manipur and Bengal is by Khaspur, the capital of Kachhar, to Shrihatta; but the Raja of Kachhar having killed two messengers and threatened Jaya Singha that chief cut a new road through the forests of the south and made his way to Shrihatta with 700 men, of whom 300 were porters carrying provisions. The chief travelled on horse back as the road could not admit of elephants' [রাজ: স:স:, ১৯৬৪, (৯)]।

অসিনি। অসুম্না শ্রীহস্ত/সীলেট য়ৌরগা সীলেটতগী ত্রিপুরাদা চৎলম্মী। ত্রিপুরাদা লৈপাকসিগী নিংথৌ রাজধন মানিক্য (খৃ: ১৭৮৫-৯৮) না মৈদিংঙুগী মচানুপী পীয়ু হায়জবদগী ঈতোন তোনবী মচাঈবেম্মা ৱাংঙমলোন হরিশেশ্বরী লুহোংদুনা থাজরম্মী। অদুগা ঈশিং লম্বীদা চত্তুনা বঙ্গ লৈপাক্কী লমশিংদা চঙদুনা লাইফমশিং কয়া খুরুম্লম্মী অমসুং গঙ্গাদা ঈরুপচরম্মী। অসুম্না কৃষ্ণনগর লৈপাক্তা নবদ্বীপতা চঙলকপগী মতাংদা মৈতৈগী ওইনা পীবীরম্লিবদি:-

... ৱাকয়ৈ তোংনহি তোংজেং নেৎনরকপা খৈবিকতি শ্রীভদ্রসিং থোঙলেন য়াইস্কুল লাকপনচিংনা শ্রীনবদ্বীপ লৈময়াইবু ইন্দানহল্লে। ... কৌবা মনোং শোয়রবগা লাইরেন মৈদিংঙুদি শমু খোঙলম চৎনা কৃষ্ণনগর নুংঙাইববু য়ৌরবদা... পুক্নীঙ হরাউ চৈরোইননা কৃষ্ণনগর মনিংথৌদা লীক্লাই মপারী শ্রীচৌরজিৎ লৌশিঙবা... নিংথৌ শকউনহল্লুববু ... [মথক্কীসিদা, ৫১]।... নিংথৌ কোল্লোই ময়াথং থানা হোয়য়াদনা শ্রীনবদ্বীপ লৈময়াইবু ইনখিরে [মথক্কীসিদা, ৫২]।

অসিনি। অসুম্না মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা নবদ্বীপ য়ৌরগা শ্রীশ্রীনবদ্বীপচন্দ্র মহাপ্রভুগী লাইমাঙদা চঙদুনা খুরুমজখি। মফমসি মচাঙ্গীবেম্মা ভাগ্যবতিনা মপাবুংদা হঙ্গত্তুনা মবুংঙো অনুপ্রভুগী লাৎফম থৌরাং তৌবীনবা হায়জখি। মৈদিংঙুনা নবদ্বীপকী মালঞ্চপাড়া লৈরিবা শ্রীনবদ্বীপচন্দ্রগী লাইশঙগী মরু ওইবা মীশিং উনদুনা মৈত্রবাক্তগী পুরকপা শ্রীগৌরাঙ্গগী শক্তম ওইবা শ্রীঅনুপ্রভুসি মহাক্কী আলয় অমা ফংদুনা লাইশঙ শাদ্রিবা ফাওবদি শ্রীনবদ্বীপচন্দ্র প্রভুগী লাইশঙ অসিদা শ্রীনবদ্বীপচন্দ্র প্রভুগা লাৎমিন্নবা য়াননবা ঙাংনরে। লৈরম্লিবা লাইনীঙদা পুক্নীঙ থিংজিনবা মীওইশিং অদুনসু য়ারদুনা শ্রীঅনুপ্রভু শ্রীনবদ্বীপচন্দ্রগী লাইশঙদা লেঙশিল্লে। শ্রীঅনুপ্রভুগী লাৎফম ফংলবদুদা ৱাংঙমলোন ভাগ্যবতী হরাউজরে, মবুংঙোগী নুংতিগী থৌগল তৌজবা মফম অমসুং মহাক্কী লৈফম অমা ফংজরদুনা মালঞ্চপাড়াগী শ্রীনবদ্বীপচন্দ্রগী দেবালয়দা লৈখ্রে। মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা শ্রী অনুপ্রভুগী লাৎফম অসি শেন্নম্লগা বর্দ্ধমান্দা লাইগী লুকলেন কত্তুনা লাইনীঙ কুম্মে তৌরম্লগা সৌদাবাজী লৈময়াইদা চৎখরে [মথক্কীসিদা, ৫৮, ৬০]। অসুম্না শ্রী অনুপ্রভু খৃ: ১৭৯৮ দা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা বঙ্গ লৈপাক্তা গঙ্গা ঈরুপ্পা চৎপদা মচাঙ্গীবেম্মা ভাগ্যবতী, শীজ লাইৱোইবীনা নবদ্বীপতা পুরক্তুনা লাইফমসিগী মালঞ্চপাড়াদা লৈবা শ্রীনবদ্বীপচন্দ্র প্রভুগী লাইশঙদা লাৎপা হৌখিরম্মী।

খামেনগী ৱাথোক্তা শ্রীঅনুপ্রভু - খামেনগী ৱাথোক অসি নবদ্বীপতা থোকপা ৱাথোক ওইনা পীবী। মসি সাইন্টিফিক এজগী ওইনদি লাইরিক- লাইশূগী মহৈ-মশিঙগী ওইবা লাইগী মতীক-ময়াইনচিংবা চাওখৎ-হেনগৎহন্নবা শেম-শাগৎ ৱারীনি, অদুগা লাই থাজবা, লাইগী ৱাখন্দা ঙাওজ-মুঞ্জবশিংগী ওইনদি থৌদোক-ৱারীনি। মসিগী মরমদা পীবীরম্লিবা ৱারী পরীংদি:-

শ্রীনবদ্বীপতা শীজনা প্রভুগী সেবা চৎচদুনা চহি কয়া সেবা তৌজৈ। নোংমদি অনুপ্রভুনা খামেন য়াম্না থাবা ঈংখোল অমদা অহিং সন্ধ্যা মতুংদা লেঙশিন্দুনা হেক্লগা লংথোকই। অসুম তৌদুনা অনুপ্রভুনা মনাইনা কোইজবা ঈংখোল অমদা নুমিৎ কয়ানি ময়োন ফোয়দৎলি, হেক্তুনা চায়খায়, নোং ঙাল্লগা ঈংখোল মপুনা মৈ থোক্লা শাউই, নুমিৎ শুরবদা নোংমদি লুমদুনা লৈরে। নুমিৎ অদু সন্ধ্যাগী শয়ন লোয়খ্রবা মতুংদা লেঙঙক্তুনা খামেন হেক্তুনা ফিগাওদা হাপ্পদু উরে, হুরানবা ফারো হায়দুনা ঙংদুনা চেনশিল্লি, স্বাই মাঙখিদে, হন্না হন্না মাঙ-তুং য়েংদুনা

তবি-তবি চৎলি, খামেন মপুনা ফাগে তান্নে। অসুম্না তুংথা মাঙথা লাকমিন্নরগা মন্দিরদা লেঙশিনখ্রে। ঈংখোল মপুনা - শীজ! থোঙ অসি খর হাঙদোকউ, খামেন হুরানবা নুপা অমা মন্দির অসিদা চেনশিনখ্রে, ফাগে তান্নবনি, ফাবা ঙমহৌদ্রে। অদু তাবদা ঙক্লদুনা থাউমৈ থান্দুনা থোঙ হাঙলগা য়েংবদা কনাসু লৈতে, অনুপ্রভুদা লৈয়ে। ঈংখোল মপুনা, শীজ! ঈবুংঙোগী ফিগাও অসি য়েংঙু! হায়বা অদু তাবদা মী ময়াম তীন্দুনা পুজারী কৌরগা গঙ্গা স্নান তৌহন্দুনা য়েংলুবদা ফিগাও চোন্না খামেন লৈরম্লে। অদু উবদা মরাইবক ফরবা ঈংখোন মপু সুজন্না দণ্ডবৎ তৌনা খুরুমজরগা হায়জে, "ঙসিদগী থৰাই কৎচরে। ঐগী জীবনা লৈরিবা মখৈ, খামেন মথেন অমা কৎচগনি", হায়দুনা নুমিৎ খুদিংগী কৎখি। পাউ অসি নবদ্বীপ শেৎ কায়না নীন্নখ্রে। কৃষ্ণচন্দ্র নিংথৌনা তাবদা শাওদুনা মহাদেব দূর্গা নত্তবা লাইদি গঙ্গাদা লংথৌ, হায়খ্রে। পাউ তাবদা অনুপ্রভুগা নবদ্বীপচন্দ্রগা অনিমক কোম মনুংদা লোন্না সেবা তৌখ্রে।

অসিনি। অদুগা শ্রীনবদ্বীপচন্দ্র অমসুং অনুপ্রভু অনি লৈনুংদা লাৎলি হায়বসিদি কৃষ্ণনগরগী নিংথৌ শাগৈসিনা শৈব-শক্তি (শিবা অমসুং শক্তি দেবী লাৎপা) লাইনীঙ চৎপনিনা অতৈ লাইনীঙগী লাইশিং লাৎপা থিংবনি। থিংলিবা নিংথৌদুগী মতুংগী নিংথৌ ওইবা য়াই অমসুং মৈদিংঙু চৌরজিৎ (খৃ: ১৮০৪-১৪) গা উনরিবা নিংথৌ মমিং কৃষ্ণচন্দ্র কৌদে, নত্তে, "গীরিশ্চন্দ্র রায়' কৌবনি [লু: বা:, ১৯৯১, ৩৪]। কৃষ্ণচন্দ্রসিদি খৃ: ১৭৯৮ দা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা নবদ্বীপতা লাকপা মতমদা লৈরম্বা কৃষ্ণনগর লৈপাক্কী নিংথৌ ওইনদি পীরি।

শ্রীঅনুপ্রভু ফোঙনা লাৎলকপা

তম্ফা ৰাংঙমলোন ভাগ্যবতী, বিম্বাবতী মঞ্জুরী নত্রগা শীজ লাইরোইবীনা মশাগী চহি ২৮ দা শ্রীগোবিন্দগী য়াথংনি খঞ্জবা ৰাখন্দগী শ্রীঅনুপ্রভুবু নবদ্বীপতা পুরক্কুনা মালঞ্চপাড়াদা শ্রীনবদ্বীপচন্দ্রগা লাইশঙ অমতদা খৃ: ১৭৯৮ দগী লাৎলকখিরম্মী। অদুবু খৃ: ১৮০৩ গী অদুৰাইদগী শৈব-শক্তি লাইনীঙ চৎপা নদিয়া লৈপাক্কী বাঙু নিংথৌ নত্রগা কৃষ্ণনগর লৈপাক্কী নিংথৌনা মহাক্কী লৈপাক্তা শিব, গৌরী/পাবর্বতী/হিমাবতী, দূর্গা, কালি, গনেশ, কার্ত্তিকনচিংবা মখোয়গী লাইনীঙগী লাইশিং নত্তনা অতৈ লাইনীঙশিংগী লাইশিং লাৎপা য়ারোয় হায়বা য়াথং অমা লাউথোকখিরম্মী। নবদ্বীপকী লমদম অসি কৃষ্ণনগরগী নিংথৌ

শাগৈসিনা পাল্লিবা লৈপাক্কী ঙমখ্রে মনুং চন্না লৈরুবনা লাউথোকখিবা য়াথংসি ইন্দবা য়ারমদে। মরম অসিনা বৈষ্ণব লাইনীঙগী নিমাৎ, রামাৎ, ব্রহ্ম/মাধবী নচিংবা কাংলুপশিং, চৈতন্যদেব লাইনীঙ কাংবু অসিনচিংবগী লাইশিং পুম্নমক লাইশঙগী লাই ফম্বালদগী লৌথনদুনা লৈনুংদা ফম্বাক হাদুনা লাৎনখ্রে। অদুগা শ্রীনবদ্বীপচন্দ্র প্রভু অমসুং শ্রীঅনুপ্রভুসু লৈনুংদা লাৎলে, লৈনুংদা মৈহুম-মৈহাই মৈরা কৎলে, লুক চল্লে। হায়রিবা লাইনীঙগী অথিংবা অসিদা নবদ্বীপকী শ্রীশ্রীবিষ্ণুপ্রিয়া সমিতি/লুপ্না মতমদুগী বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী ৱেষ্টবেঙ্গোলগী গোভর্নর কৈলাসনাথ কাটহদা পীখিবা - A brief history of Nabadwip Dhameshwar Shri Shriman Mahaprabhu হায়না কৌবা চেফোঙদা ইরিবদি :-

The Maharaja family of Krishnanagar initiated into Sakti cult made various attempts at different times to destroy this "Sree Murti and carried on campaigns of oppression upon the Goswamis. The Maharaja of Manipur, a devoted follower of Vaisnavism came to the rescue of Sree Vigraha, the deity worshipped by his subjects. He built his residence at Nabadwip and garrisoned his troops in order to protect the Sree Vigraha [ব: হ: প:, ৯৮৯, ৫]

অসিনি। মখোয় বেঙ্গোলগী শ্রীশ্রীবিষ্ণুপ্রিয়া সমিতিনা হায়রিবা "বিগ্রহ" অসি শ্রীনবদ্বীপচন্দ্র প্রভুগী শক্তম অদুবুনি। অদুনা খুদোংথীবশিংদগী কন্ননবা অমসুং য়েক্লবনা তকশিল্লকপা ঙাকথোক্লবা শ্রীঅনুপ্রভুগা লোইননা শ্রীনবদ্বীপচন্দ্রসিসু লৈনুংদা লাৎলিবনি।

খৃ: ১৮১৫, তম্ফা ৱাংঙমলোন ভাগ্যবতীনা মশাগী চহি ৪৫ (নিফু মঙা) শুরকপা মতমসিদা নোংমা জুলাই থাদা মপ্পা ঈবুংঙো মৈদিংঙু নোংচুপ/ভাল্লোক ৱাইরং পামহৈবা নত্রগা মৈতৈ নিংথৌ চৌরজিৎ ঈখঙ খঙহৌদনা নবদ্বীপকী মালঞ্চপাড়াগী শ্রীনবদ্বীপচন্দ্রগী নত্রগা শ্রীঅনুপ্রভুগী লাইশঙ-লাইকোন মনুংদা মচেম শীজগী লৈফম য়ুমদা থুংলরম্মী। মচেম শীজনা ঈঙক ঙক্লা মপ্পা চৌরজিৎপু ওক্লম্মী। ঈমুংদা চঙশিন্দুনা ৱারী- ৱাতাই শানবদগী খঙলে মদুদি- মৈদিংঙু চৌরজিৎ

মাঙখ্রবা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল অমুক হন্না হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা কলকটা (কোলকতা) দা য়ুম্ফম ফন্বা ওইরিবা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী মতেং লৌননবা কম্পনীসিগী অচৌ-অশাংশিং নত্রগা অঙম-অথৌশিং উনদুনা ৱারী শাননবা কলকটাদা লাকপনি, অদুদা য়ুমথুংফম অমসুং পনফম থিনবা নত্রগা ওইনবা মচেম শীজগী মনাক্তা চঙলকপনি। মচেম শীজনা পুন্নমক ফনবা শীন্নবা মনাইশিং থাদুনা হোৎনরে। অদুগা মপ্বা ঈবুংঙোগী লৈফম, লেকফম-চাফম্নচিংবা পুন্নমক তম্ফা ৱাংঙমলোন্না শ্রীনবদ্বীপচন্দ্রগী নত্রগা শ্রীঅনুপ্রভুগী লাইকোন (আখরা) মনুংদুদা শীন্দুনা পীরে।

নুমিৎসিদা মৈদিংঙু চৌরজিৎনা মহাক অমসুং মনাই অনিগী লৈফম-চাফম-চিংবগী ৱা তুপ্লবা মতুংদা মচেম শীজদা মবুংঙো শ্রীঅনুপ্রভু খুরুমজগে, লাইগী শক্তম য়েংজগে হায়রম্মী। মদুদা মচেম শীজনা নুংথিল পোবোপ্তুদদি লাইথোঙ হাঙবা য়াদে, হোরেন নুমিৎ তারগা খুরুম্মু হায়রে। মদুদা মৈদিংঙু চৌরজিৎনা করি মরম লৈবননো, হায়না হঙ্গৎলকপদা মচেম শীজ ঈবেম্মনা - নবদ্বীপসি কৃষ্ণনগরগী লৈঙাক মখাদা লৈ;, হায়রিবা লৈঙাকসিগী মপু কৃষ্ণনগর লৈপাক্কী নিংথৌসিনা শক্তি লাইনীঙ চৎপনা লাইনীঙসিগী লাইশিং নত্তনা অতৈ লাইশিংদি ফোঙনা লাৎপা য়াদে, লাৎলুরবদি লাইদুগী শক্তমদু মাঙহনখিগনি। অদুনা ঐখোয়গী ঈবুংঙো অনুপ্রভুসি লৈনুংদা লোত্তুনা লাৎলি, অদুননি - হায়দুনা ৱারম পুন্নমক্তু তাকপীরে। মীনা লাকচবা য়াদবা মৈদিংঙু চৌরজিৎনি, পীশক পীক্লিঙৈদগী য়ারক্ত্রবনি। নুংশিননা তৌন-চৎনরবদি মথক্তা নেৎলবসু য়াবা মীওইনি। অদুনা মহাক্না করি তৌগদবগে হায়বদু মশা মতোমতা খনবা লোয়খ্রে। অদুবু নুমিত্তুমদি ঙাইবা তাই হায়বসি খন্দুনা অহিংদুমা পোত্থারে।

মথংগী নুমিৎকী অয়ুক্তুদা মৈদিংঙু চৌরজিৎ হৌগৎলকপগা অয়ুক্কী হৌনবী পুন্নমক লোয়থোক্লগা শেংনা ঈরু-মায়থজরে। শোনগদবা লাইশোন- তীনশোন পুন্নমক লোয়রগা মচেম শীজগী মনাক্তা চঙদুনা - "ঐগী নিংথৌ ফম্বালগকা লায়রি, ঐহাক কৃষ্ণনগরগী কোনুংদা চৎলে, মখোয়গী নিংথৌ উনরুখিগে" - হায়রম্লগা মনাই অনিগা লোইননা কৃষ্ণনগর কোনুং তম্না চৎখিরম্মী। হান্না খৃ: ১৭৯৮ দা মপাবুংগী য়াথং পুদুনা চৎখ্রবা কোনুংনি। মফমদু য়ৌরগা "নিংথৌ হরিশ্চন্দ্র রায় উন্নবা লাকপনি" - হায়বা পাউ পীরগা নিংথৌদু উনফম ফিদাদা ফমদুনা ঙাইদুনা লৈরম্মী। মতম ঙাইহাক লৈরগা নিংথৌ হরিশ্চন্দ্র রায় থোক্লক্লম্মী। হৌনবী ঈকাই খুন্নবা উত্তুনা ফম্মিন্নরে। অদুগা মৈদিংঙু চৌরজিৎনা হায়রক্লম্মী -

- হে ঈকাইখুম্ননীঙঙাই ওইরবা নিংথৌ! ঐহাক্কী ঈমিং চৌরজিৎ কৌই। নহাক্কী লৈপাকসিদদি ঐহাকসি মীচম অমনি, অদুবু ঐহাক্কী ঈরৈপাক মৈত্রবাক মেখলীদেশ নত্রগা মনিপুরদদি নিংথৌনি। নহাক্কী নরৈপাক অসিদা ঐগী/ঐখোয়গী লাইবু মপান্দা ফোঙনা লাৎপা য়াদনা লৈনুংদা লাৎহল্লে। ঐদি ঐগী লাইনীঙ অমসুং লাইবু কন্দবা য়াদে, অদুনা ঐনা নঙবু লানশীঙলি, নখুৎ চাবা খুৎলাই অমা পায়রো, নঙগা ঐগা লান্বা তৌনরসি, চায়নরসি। নঙনা ঙম্লগা ঐবু হাৎলু, ঐগী লাই অসি লৈনুংদা অসুম লাৎখ্রসনু। ঐনা ঙম্লগা নঙবু হাত্তুনা ঐগী লাই অসি মপান্দা পুথোক্তুনা ফোঙনা লাৎকে।

মৈদিংঙু চৌরজিংৎকী লানশীঙনবগী ৱাহৈশিংসি মুন্না, পুক্নীঙ চঙনা তারগা মহাক্কী পুক্নীঙদা ৱাখল অমা লাক্লম্মী, মদুদি - ঐগী ঈরৈপাকসিদা ঐগী মীশিংদনা ঈকোয় কোয়শিন্দুনা লৈরবা মফমসিদা মখোয় অহুমদং লাক্লগা ঐবু হাৎনসি হায়দুনা লানশীঙলরিবা! কয়াদা থৌনা ফত্রবা! মহাকসিবু ঐনা ঈকাইখুম্ননা ওকপা তাই, মহাক্কী অনীঙবা থুংহনবা তাই - হায়বা পুক্নীঙগী ৱাফমসি মতোমতা ঋরেপ লৌজরগা হায়রকখি -

- হে মৈদিংঙু! নত্তে, নঙগা ঐগা হাৎনগদবা নত্তে। নঙগী নীঙবা থুংনবা নঙগী লাই অদুখক্তা নত্তনা লৈরিবা লাইনীঙ পুম্নমক্কী লাই পুম্নমক ফোঙনা ঙসিদগী, হৌজিকমকসিদগী লাৎপা য়ারগনি। অদুগা হে মৈতৈ নিংথৌ ! নহাক্কী লাই অদুদি কদায়দা লাৎলিবগে?

- হে কৃষ্ণনগরগী নিংথৌ ! নুংঙাইজরে, নহাক্কী সনা য়াথং অসি তাজবদা পুক্নীঙসি পেঞ্জরে। মৈতৈ ঐখোয়গী লাই অদুদি লাইফমলেন নবদ্বীপকী মালঞ্চপাড়াদা লাংলিবা শ্রীনবদ্বীপচন্দ্রগী লাইশঙদা লাৎলি। লাই অসি লাইশঙ অমসুং লাইকোন-লাইফম (আখাড়া) গকা লৈজবা নত্রি।

- করি হায়বা ! লাইকোন-লাইফম লৈত্রি হায়বা !! ফরে, চৎসি হৌজিক, লাইকোন-লাইফম ওইনবা লম ঐনা পীগনি, লাও চৎসি লাও!

ৱাহৈশিং অসি হায়রগা মপু-মনাই কৃষ্ণনগরগী কোনুংদগী থোরক্লে। মখোয়না শ্রীঅনুপ্রভুগী লাইকোন-লাইফম শেম্নবা লম য়েংবা লাকখিবসিগী মরমদা পীবীরল্লিবদি :-

... প্রভুগী আখড়া ওক্লবা লম কৎচগনি লম য়েংসি হায়দুনা মপু মনাই থীন্দনা সনা খোঙলেঙবীরকলে। নবদ্বীপ নাওঘাটতগী মখা পাংনা গঙ্গাগী য়েৎ থংবা তোবর্বান্দা সনা খোঙলেঙলকপদা নবদ্বীপকী মী পারকপা মফম হৌজিক্কী অনুমহাপ্রভুগী জাগা অসি থেংনরকপদা অসিৱাইদা য়ারগনি, হায়বদগী গঙ্গা তোবর্বান্দগী হৌনা হৌজিক ওইরিবা নবদ্বীপ গৌরিয় মঠ লৈরিবা মফম অসি ফাওবা চাওরাক্লা একর তরাগী লম শ্রীগীরিশচন্দ্র রায়না শ্রীয়ুঠ-মনিপুরেশ্বর মহারাজ চৌরজিৎ সিংহদা মমল লৌদনা প্রভুগী আখড়া ওইনবা লম ফংলে [লু: বা:, ১৯৯১, ৩৪]।

অসিনি। অসুম্না কৃষ্ণনগরগী নিংথৌ গীরিশচন্দ্র রায়না লম পীরবা মতুংদা মৈদিংঙু চৌরজিৎ মচেম শীজ তম্ফা ৱাংঙমলোন ভাগ্যবতীগী মনাক্তা হল্লক্কুনা পাউ পুন্ন মক তল্লে। মদুদগীদি মৈদিংঙু চৌরজিৎ মশাগী নিংথৌ ফম্বালগীদমক্তা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী গোভর্নর জেনরেল উননবা শেম-শাখ্রে। খৃ: ১৮১৫ দা মৈদিংঙু চৌরজিৎনা বৃটিশকা লীংখৎলিবা এঙ্গলো-মনিপুরী রিলেসন (Anglo-Manipuri Relation) অসিনা মী-কাংলুপ অনিসিগী ফোর্মেল রিলেসন (Formal Relation) নি। অদুবু বৃটিশকী ইন্দিয়ান নেটিব ষ্টেটশিংগী মরীদা খুৎ থিংজিল্লোয় হায়বা বৃাশিকী পোলিসী লৈখিবনা মৈদিংঙু চৌরজিৎনা বৃটিশকী মতেং ফংখিদবনি।

শ্রীঅনুপ্রভুগী লাইশঙ শাবা

তম্ফা ৱাংঙমলোন ভাগ্যবতীনা শ্রীঅনুপ্রভুগী লাইকোন-লাইফম লীংনবা অমসুং লাইশঙ শানবা লম, কৃষ্ণনগর নিংথৌ গীরিশচন্দ্র রায়না পীবদু মফম খঙলবদা লমদু য়েংলে। অদুগা মফমদুদা উ-ৱানা শারগা ইনা মথক কুপ্পুনা লাইশঙ অমা শারে, মালঞ্চপাড়াগী শ্রীনবদ্বীপচন্দ্রগী লাইশঙদা লৈরিবা শ্রীঅনুপ্রভুবু মহাক্কী ৱা-উনা শাবা লাইশঙদুদা লেঙশিন্দুনা চাওরাক্লা খৃ: ১৮১৫ দগী নত্রগা ১৮১৬ তগী লাৎপা হৌখিরম্মী। অসুম্না ৱাংঙমলোন শীজ লাইরোইবীনা মশাগী চহি ৪৫ দা শ্রীঅনুপ্রভু লাইকোন-লাইফমগী লম ফংলগা মফমসিদা লাইশঙ শাদুনা শ্রীঅনুপ্রভুবু নবদ্বীপতা লাৎচরকখি।

ৰাংঙমলোন ভাগ্যবতী নোঙ্গাবা

তম্ফা ৰাংঙমলোন ভাগ্যবতী/বিম্বাবতী খৃ: ১৭৯৮, মশাগী চহি ২৮ শুবদা পোইরৈ মৈত্রবাক থাদোক্তুনা নোংচুপ বঙ্গগী নদিয়া পানাগী/লৈপাক্কী নবদ্বীপতা লৈখিবনি। মহাক খৃ: ১৮১৫ ফাওবদা নবদ্বীপতা হিংলম্মী হায়বসিদি খুদম-চাংদম কোন্ননা ফংজে। অদুবু মহাক হায়রিবা চহিসিদগী মখা তানা চহি কয়া হিংলম্বগে, করম্বা মতমদা নত্রগা কুমশীঙদা নবদ্বীপতা নোঙ্গাখিবগে হায়বসিদি খঙজবা নত্রগা মদুগী লীখুন ফংজবা ঙমজদে। অদুবু মহাক মশাগী চহি মতাংগী য়েংলুরবদি মশাগী ৫০ (য়াংখৈ), খৃ: ১৮২০ ফাওবদি হিংলম্বা য়াই।

ৰাখোম-ৰারোয়

তম্ফা ৰাংঙমলোন ভাগ্যবতী নত্রগা বিম্বাবতী মঞ্জুরী নত্রগা শীজ লাইরোইবী/লাইনীঙবী মৈত্রবাক্কী হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙগী ব্রহ্ম/মাধবী কাংলুপকী লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোন্দা ফিদমনীঙঙাই ওইরবী নুপীগী শক্তম অমনি। মহাক খৃ: ১৭৭০ দা মালেম তাইবংপান্দা খোঙদারকখি। অদুগা মহাক করম্বা চহিদা লৈখিদবগে হায়বসিদি খঙবা ঙমদে। শীজ বিম্বাবতী মশাগী চহি ১৪ দা খৃ: ১৭৮৪ দা শ্রী গোবিন্দদা মপুন্সি কখোকখি অমসুং তাইবংপানবগী নুপা অমতদা ময়ুম পানখিদে। মৈত্রবাক্তা শাবা শ্রীগৌরাঙ্গগী শক্তম ওইবা শ্রীঅনুপ্রভু কৌবা লাইগী শক্তম নোংচুপ বঙ্গগী নবদ্বীপতা খৃ: ১৭৯৮ দগী লাৎপা হৌদোকখি। শ্রীঅনুপ্রভু হৌজিক হৌজিকমক নবদ্বীপতা লাৎলিবা লাইনি। নোংচুপ বঙ্গদা শক্তি লাইনীঙনা লাকহত্তুনা বৈষ্ণব লাইনীঙ মুখরক্লবদা লাইনীঙসিবু হিংগৎহনখিবদা থৌদাং লৌখিবী শক্তম নুপীগী শক্তম অমনি। মহাক রাজস্থানগী লাইনীঙবী শ্যাম-কৃষ্ণ-গোবিন্দদা ঙাওজবী মহারাণী মিরাগা চাংদম্নবদা নোপ্তবী মৈতৈ চনুরানি।

ত্রিপুরাগী মহরাণী মৈদিংঙু চনু হরিশেশ্বরী

হৗদোক

ত্রিপুরা অমসুং মনিপুর কৌবা লৈপাক অনিসিগী রাজনৈতিক, সমাজনৈতিক, ধর্ম্মনৈতিক অমসুং অর্থনৈতিক সংস্কৃতিগী লমদাংশিংগী পরীংদা চাওরবা মফম কল্লিবী মৈতৈ নিংঙোল, মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বচনু হরিশেশ্বরী ত্রিপুরাগী মহারাণীনি। ত্রিপুরী অমসুং মনিপুরী জাতি অনিসিগী নিংথৌ শাগৈ অনিগী চারৌ-মৌরৌনবগী থোং থারম্বী, থোঙজাও হাঙদোক্লম্বী অমসুং ত্রিপুরা লৈপাক্তা মনিপুরী/মৈতৈগী মচৎ-মনাৎকী মুৎনাইদ্রবা মপান থারম্বীনি। লৈপাক অনিসিনা মখোয়গী পারারী পুরারীগী মতমদা খুৎকন-পাঙ্গন্না পান্নরমখি। মতমশিংদুনা ত্রিপুরীশিংনা মৈতৈ/মনিপুরীশিংবু অমদি মখোয়গী মরৈবাক মৈত্রবাক মণিপুরবু "মেখলী" হায়না কৌরম্মী। অদুগা মৈতৈশিংনা ত্রিপুরীশিং অমসুং মখোয়গী মরৈপাক ত্রিপুরা (উদয়পুর, আগরটলানচিংবদা কোনুং ওইবা, বঙ্গদেশ/গৌড়দেশকী খা-নোংচুপ/শম্লোঙ লাইচীদা লৈবা নিংথৌপানবা লৈপাক) বু "তখেন" হায়না কৌরম্মী। খুদম ওইনা :-

... খুমন-চৈরাকপম লমফেনগী কুমদি শক ১৬৫৬ পোইনু থা ১১ নি নিংথৌকাব (খৃ: ১৭৩৪ গী নবেম্বর তারিখ ২৫) দা নিংথেম তখেন নাবা চৎএ। লাংলোং রসকোন ফম্বা তখেন মুশুকলাই ফাই। ... কুরাই (থ্বাই-বরাক) থোং শাদুনা লাননৈ-এ। মঙাইতা চীঙশাং মতোল লোমনা চৎএ। কুরাই, রাঙ, কোনোক (বরাক, তুয়াই/তুবাই-তিপাই অমসুং জিরি তুরেল) ৩ মা তিনবা (তীন্নবা/ঈতীন্নবা) সেকচাই (হৌজিক্কী টিপাইমুখ) দা তেঙ্গোল লেপ্লে। তখেন ঙম্এ। চাইনু চায়খায়য়ে। শত্রচিং নারান্নচিংনা চরাই তাবা তখেন খিবিক লোই চল্লমএ। তখেনগী লোই খিবিকনা নিংথেম্বু খুরুমলা এ। তুয়াই ঈরোঙদা হি অমা য়ান্দুনা হিয়াঙ অদু তোংদুনা থ্বাই মরীন ইন্না নিংথেম্না রাম লোখোন (রাম লক্ষ্মন) কি খুফম য়ৌরুইএ॥ খুরুম্মুই-এ।... ঈরোঙদা নুঙ খীল্লমএ [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৯৫]।

অসিনি। মৈতৈনা ত্রিপুরীশিংবু/ত্রিপুরাবু তখেন হায়না খঙনরিবা মখোয়গী লৈপাকসিদা পানখিবা দক্ষিন কৌবা নিংথৌ অমসুং দাক্ষিন হৈসি সংস্কৃত লোনগী

ৱাহৈ "দক্ষিন" হায়বা, ৱাহন্দোক/অর্থনা, "খা/মখা মায়কৈ" হায়বসিগী লোন্থৈ (Derivative) ওইবা ৱাহৈনি। ৱাহৈসিনা মখোয়বু খঙনরকখিবসি ইতিহাসকী মতম তাংকক খর/অমদা মখোয়গী রাজ্যসি মৈত্রবাক্কী খা থংবা লমদমগী ঙমখৈ, দক্ষিন সিমনা য়ৌনা শন্দোক্লম্মী। মদুদগী মখোয়গী লৈপাকপু খা-হারম অমসুং মখোয়বু "খা-হারম-মচা" হায়বসিগী ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন্দা দক্ষিন, দক্ষিন-বাসি (খা লৈপাক নত্রগা মখা থংবা লৈপাক্কী লমদমদা লৈবা/খুন্দাবা মী, খা থংবদা লৈবা লৈপাক্কী মী/মচা) হায়না থোনবদগী লোন্থৈদা তারক্তুনা - "দক্ষিন, দক্ষেন, দখেন, তখেন" হায়না ওইরক্লমগদবা/ওল্লক্লমগদবা মাল্লি। মখোয়বু মৈতৈনা 'তখেন' হায়না খঙনবসি মৈদিংঙু লৈশেম চীঙখোম্বা [বোধচন্দ্র মহারাজ (খৃ: ১৯৪১-৪৮/৫৫)] গী স্না হাক্তক ফাওবদনি।

ত্রিপুরীশিংনা মৈতৈবু "মেখলী" হায়না কৌবসি/খঙনবসিসু মখোয়গী রাজমালা (Royal Chronicle of Tripura) দা ইদুনা লৈ। "মেখলী" হায়বা ৱাহৈসিসু সংস্কৃত ৱাহৈ "মেখলা (...anything which girds or surrounds... 2. Particularly, the girdle or zone of a woman) অসিদগী থোক্লকপা ৱাহৈনি, অমসুং মণিপুরবু মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজ (খৃ: ১৭০৯-৪৮) গী স্না হাক্তক্তা "মেখলা/মেখলী দেশ" কৌরম্মী। মৈদিংঙুসিগী শেন ময়েক্তা - "জৈ শ্রী গরিবনৱাজ মেখলেশ্বর গোমতি রানীস্যা" - হায়না থাবা লৈরি। "মেখলা/মেখলী" অসিদগী লৈপাকসি মমিংসি জাতী কয়ানা মেক্লে, মেক্লী, মাগলু, মাগলৌ" অসিনচিংবা কয়া থোন্নখি। ত্রিপুরীশিংনা মৈতৈবু "মেখলী" হায়না কৌবসি মৈদিংঙু গরিবনৱাজগী স্না হাক্তক্কী খৃ: ১৭৩৪-৩৫ দগী নি। অদুগা মৈতৈনা ত্রিপুরীশিংবু "তখেন" হায়না খঙনবসি খৃ: ১৫১০ গী অদুৱাইদগীনি [মথক্কীসিদা, ২২]।

"মহারাণী হরিশেশ্বরী" বু শক্তাকপা

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বচনু তুবী চীঙলাই লৈমা, লাইরেন কজেং ঙানবচনু ৱাংঙমম্লোন হরিশেশ্বরী, তখেল লৈমা নত্রগা ত্রিপুরা লৈপাক্কী মহারাণীসিগী শক্তাকপদা থন্বীরল্লিবা ৱারোন্দি :-

... লাইরেন মৈতিংঙু... নোংথৌরেন (চীঙথংখোম্ব) না য়োইবু মশানৌ নোংয়াই চীঙজারোইবী স্না লিনগোয়গী তম্ফা চৈরে নাহোংতোন তুবী চীঙলাই লৈমা... শ্রীহরিশেশ্বরী সনা য়োইথম্বালগুম্বী ... [রজ: স: স:, ১৯৬৪,৪০]।

অসিনি। মথক্কী ব্বারোলসিদগী লৌখৎচদুনা পুখৎচরকপদা - তখেনগী লৈমরেন হরিশেশ্বরী মহারাণীসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা [রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র, কর্ত্তা মহারাজ, রাজা জয় সিংহ, মৈদিংঙু নুঙনাংখোম্বা নত্রগা তুবী চীঙশাংখোম্ব (খৃ: ১৭৫৯-৬১ অমসুং ১৭৬৩-৯৮)] অমসুং লৈমরেন ফমথোন কাবী খুমন য়েক্কী/শল্লাইগী নিংঙোন চীঙজারোইবী কৌবী মহারাণী অনীগী মচাঈবেম্মনি অমসুং মহারাণীসিনা পোকপা মচাঈবুংঙোশিং অমসুং ঈবেম্মশিংগী খ্বাইদগী ঈতোন তোনবীনি - হায়বসিনি। মচাঈবেম্মসি চেংলৌ নুংশিথোইনা হেনবীনি, হায়বসি মহাকপু শক্তাকপদা - "স্না য়োঈ থম্বাল (স্না ফুদোংলবা থম্বাল) গুম্বী", হায়বসিনা ফোঙদোক্লি।

ব্বাংঙমলোন মৈদিংঙু চনু হরিশেশ্বরীবু পোক্লিবী পলেম মমা "নোংয়াই চীঙজারোইবী" হায়বসিগী মিংলেনসি মৈতৈ লাইরিক, শাগৈ-শল্লাইরোনগী শঙ্গায় ফম্মাঙনচিংবা, চৈথারোল কুম্বাবা, চাদা লাইহূয়, নিংথৌরোল লম্বুবনচিংবা ইতিহাসকী লাইরিকশিংদা থেংনজদ্রি। অদুবু ঈবেম্মসিগী যজ্ঞ তৌদুনা (হুমলেন/হোমলেন, অথোইবা হোম' মঙম তৌদুনা, হোমগী পূর্নাহুতি কত্তুনা) লুহোংবগী কন্যাদান পীবগী মতমদা ঈবুংশীজ তুলজিৎ, খুরাইরাকপবু পীহনবসিনদি ব্বাংঙমলোনসি ঈবুংশীজ তুলজিৎ পলেম পীতীন্নবী (মমা তীন্নবী) ওইগনি হায়না চেৎনা থাজজে। যজ্ঞ লীংখত্তুনা লুহোংবসিগী ঈ-পাউদি :-

... শ্রীহরিশেশ্বরী স্না য়োইথম্বালগুম্বীবু থোংনাং লৈমাবদা থৌজাল খুৎশিন্ননা কাওজন্নরবগী কোরৌ নুমিৎ অরূবা, থাবা অশেংবদা মাকমৈ পান্দম য়েংনা হুমলেন মঙম তমগে হায়রবদা লাইরেন মৈদিংঙুদি বিষয় য়ুমনাই-থৌগী মায়া থৌরম পুন্নমকপু ঊন্বী পুক্নীঙ কক্লবগী লীক্লাই মপারী শ্রীতুলজিৎ অহেনবদা কন্যা-দান ধর্ম্ম অথোইববু শমু খুৎশিন্ননা বিবাহ লুহোংথৌবু তৌহল্লে, হায়দব্রা [মথক্কীসিদা, ৪০-৪১]।

অসিনি। ঈবুংশীজ তুলজিৎ খুরাইরাকপগী পল্লেম মমাগী মিংলেন্দি খুয়োইরোন (খুমন য়েক ওইবী নিংঙোন/নুপী/অখাম চনু খোংজাইঙম্মী ওর্ফে ভানুমতিনি। হায়রিবা মিংখৈসিগী লৈতেং-লৈথেৎ ওইনা নোংয়াই চীঙজারোইবী হায়না মিংথোল-মিংথেৎলম্বনি [মথক্কীসিদা, ৬]।

শ্রীমতী হরিশেশ্বরী মহারাণীগী শক্তাক'-পন্থং :- ত্রিপুরা দেশকী মহারাণী শ্রীমতি হরিশেশ্বরীগী ত্রিপুরেশ্বরসি ত্রিপুরীগী মানিক্য নিংথৌ শাগৈগী পাল্লিবা নিংথৌ রাজধর মানিক্য (খৃ: ১৭৮৫-১৮০৪/১৮০৬) অনিশুবনি। মহাক্কী মপুরোইবসিনা ৱাংঙমলোনসিদগী চহি য়াম্না হল্লি। অদুবু মপা মমানা হায়না-শীঙনবদগী থাজবীরবা মপুরোইবা ওইনা মহাক্না পুকচেল তিংনা থৱাই হকচাং কখোক্তুনা সেবা থৌগল তৌজখিবনি। অদুগা মৈদিংঙু চনু হরিশেশ্বরীসিবু মমা-মপানা নুংশিনা থোঞ্জবা মৈতৈগী মিংদি - "মঙ্গল (মোঘল) কৈথেল-থানবী" হায়বসিনি।

ৱারম ৱারোল খর

ৱাংঙমলোন মঙ্গল কৈথেল থানবী, ত্রিপুরাগী মহারাণী হরিশেশ্বরীসিগী মমাঙদা মৈতৈ-নিংথৌ শাগৈ নিংঙোন্না ত্রিপুরাগী নিংথৌদা ওঙবা নত্রগা লৌনা-লৈনবগী ৱাফমসিদা, লাই-তীনগী নত্রগা লাইওই-তীনওইবগী ৱারী-শীঙবুনদা পীবগী ৱারোল ত্রিপুরাগী/ত্রিপুরীগী রাজমালা (ROYAL CHRONICLE OF TRIPURA) দা লৈ, হায়না পীবীরম্বগী ঈ-পাউদুদি :-

ত্রিপুরাগী নিংথৌ দৈতক্ষিননা মণিপুরগী নিংথৌ মচানুপী লুহোংখি, হায়না ত্রিপুরাগী 'রাজমালা' দা অসুম্না ইরি : "মেখলী রাজারকন্যা বিভাকৈল রাজা"। মতমদুদা মণিপুরবু ত্রিপুরানা মেখলী হায়রগা খঙনরম্মী। অদুবু ৱাফম অসি রাজমালাদা ইরিবসি নত্তনা ইতিহাসকী ওইবা অতৈ মচাক অমতা ফংনদে। হৌজিক ফাওবা ফংবা ইতিহাসকী রেকোর্ডতগী খঙবা ঙম্মী মদুদি ত্রিপুরাগী নিংথৌ, অনিশুবা রাজধর মানিক্যনা (খৃ: ১৭৮৫-১৮০৬) ইহান হান্না মণিপুরগী নিংথৌ মচানুপী লুহোংখি। ত্রিপুরা অমসুং মণিপুর রাজ্য অনিমক্কী ইতিহাসতা ৱাফম অসি পল্লি [এল : বি: স:, ২০০৬, ১৩৬]।

অসিনি। মরম অসিনা ৱাংঙমলোন মঙ্গল কৈথেল-থানবী (হরিশেশ্বরী) গী মমাঙদা ত্রিপুরাগী নিংথৌ নত্রগা নিংথৌ মচা অমতগা লুহোংখিবা মৈতৈ নিংথৌগী মচানুপী অমতা লৈখিদে হায়না লৌবা য়ারে, লৈরম্লবদি হরিশেশ্বরী অমসুং মতুং তারকপা মৈতৈ নিংঙোল, ত্রিপুরাগী মহারাণীশিংগী মমিংশিং - (১) রাণী পূর্ণকলা, (২) মহারাণী মুক্তাবলী, (৩) মহারাণী রাজেশ্বরী (পাঙ্গনবমচনু কবোক্লে),

(৪) মহারাণী ভানুমতী, (৫) মহারাণী মনমোহিনী (খুমন্থেমচনু থরোলৈমা), (৬) মহারাণী রত্নমঞ্জুরী, (৭) মহারাণী তুলসীবতী - অসিনচিংবা অসিগুম মমিং লৈরমগনি/পীরমগনি। মহারাণী ওইদনা ত্রিপুরাগী নিংথৌ মচা বিক্রম কিশোরদা ওঙখিবী মৈদিংঙু লৈশেম-চীঙখোম্বা ওর্কে বোধচন্দ্র মহারাজগী মজাঈবেম্মা তম্ফা ৱাংঙমলোন তম্ফাম্নাসু হিংদুনা লৈবীরি।

ৱাংঙমলোন মঙ্গল কৈথেল থানবীগী লুহোংবা

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা, ৱাংঙমলোন মঙ্গল কৈথেল থানবী নত্রগা মৈদিংঙু চনু হরিশেশ্বরীগী মপাবুং মহারাজনা মণিপুরগী রাজনীতিগী চরাংনবা পুম্নমক তেশিন-তাইশিন্নরবা মতুংদা লম্মাঙদোং/বিষ্ণুপুরদা কোনুং ওইদুনা খৃ: ১৭৭৯ ফাওবা পাল্লগা চহিসিদা বিষ্ণুপুরদগী থোঙলেন তাইবী নত্রগা লাংথাবান (লংথবান)/কাঞ্চিপুরদা কোনুং শেমদুনা হোংলক্লগা খৃ: ১৭৯৬ ফাওবা পাল্লম্মী। হায়রিবা মতমসিদা কাঞ্চিপুর কোনুংগী লৈমকোন্দা ৱাংঙমলোন মঙ্গল-কৈথেল-থানবী, মালেম তাইবংপান্দা খোঙদারকখি। মহাক্না পোকখিবসি খৃ: ১৭৮৪ গী মার্চ থাদনি অমসুং মসিগী মরমদা লৌখৎপা য়াবা ঈ-পাউদি:-

... ৱাহেংবম ওকলাবগী কুমদি শক ১৭০৫, লমদা থা... ২৬ নি য়ুমশকৈশ (তাং ১৬।৩।১৭৮৪ ইং) দা ইপি অখামচনু ভানুনা মচা শীজ পোকএ [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ১৪১]।

অসিনি। ৱাংঙমলোনসি কাঞ্চিপুর কোনুংগী লৈমকোন্দা শাৎপী ওইনা লৈমকোনসিদা ময়াম্বুং তুলজিৎ (খৃ: ১৭৮০ গী মেরা ২৫ নি নিংথৌকাবা নুমিত্তা পোকপা) কা লোইননা চাওরকখি। তশেংনমক মহাকসি নিংথৌকোন্দা পোকপী, লৈমা কোন্দা চাওরকপীনি।

মপাবুং ঈবুংঙো শ্রীযুৎ চীঙথংখোম্বনা খৃ: ১৭৯৬ গী জুন তারিক ২, নিংথৌকাবা নুমিত্তা কাঞ্চিপুরদগী খ্বাই খুর্নফমগী কোনথৌজম য়ুম্ফম (হৌজিক্কী রাজভবন গভর্নরস রেসিডেন্সীগী কম্পাউণ্ড) দা কোনুং হোংদুনা পানবসিদা ৱাংঙমলোনসিসু ময়াম্বুং, মনম্মা শীজশিং, মচেম ঈবেম্মশিং, মপ্পাঈবুংঙোশিং, মনাউ ঈবেম্মশিং, মমা শীজশিংগা লোইননা কোনুংগী লৈমকোন হোংদুনা কোন্থৌজমদা লৈখিরম্মী। কোনুংসিদা মহাক্না চহিসিগী কালেন ১১ নি পানবা

লৈপাকপোকপা (তাং ১১।৬।১৭৯৬ ইং) নুমিত্তা মণিপুরী মণ্ডলী রাসগী অহুমশুবা মখল "বসন্তরাস" দর্শন তৌবা অমসুং জগোয়দা শরুক য়াবা ফংজখি। অসুম্না চহি অনি খ্বাই খুনফম কোনুংসিদা লেল্লক্লম্মী অমসুং মতমসিদা ৱাংঙমলোন মৈদিংঙুচনু মঙ্গল-কৈথেল-থানবীসি মশাগী চহি ১৪ (তরামরি) গী মপুঙ ফাজিল্লক্লম্মী, নুপী ওইবীগী মীওহ- মীতৌ মপুঙ ফারবী ওইরক্লম্মী।

ৱাংঙমলোনসিগী মপাবুং রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র অহল মতম ওইশিল্লক্লবসিদা রাজভোগ (Royal repast) চাবা অমসুং গৃহস্থ ধর্ম্মাশ্রয় লৌবা থাদোক্তুনা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী তীর্থস্থানশিং দর্শন তৌরুগে হায়না পুক্নীঙ লেপ্তুনা খৃ: ১৭৯৭ কী ময়ায়গী মতমদগী থৌরাং তৌবা হৌরকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১৭০]। থৌরাং থৌশীলশিং মপুঙ ফারদুনা খৃ: ১৭৯৮ গী মার্চ থাদা মচাঈবুংঙো অহল (হিংলিবগী মনুংদা) ৱাংখৈরাকপা লাবন্যচন্দ্র [মৈদিংঙু লোইরেন খোম্বা (খৃ: ১৭৯৮-১৮০০) নত্রগা নিংথমহল] দা নিংথৌ খুবম শীন্নরম্লগা চহিসিগী থাসিগী তাং ৭ তা তীর্থ যাত্রাগীদমক্তা কোনুং থাদোক্তুনা খোঙশাল্লকখি। মসিগী ঈ.পাউদি:-

... নান্দৈবা লক্ষ্মনগী কুমদি শক ১৭১৯... ফাইরেন থা ২০ নি নিংথৌকাবা (তাং ৭।৩।১৭৯৮ ইং) দা মহারাজ, মহারাণীনচিংনা য়োইবু- য়োইহে অয়াম্বা গঙ্গ চঙবা চৎএ [মথক্কীসিদা, ১৭২]।

অসিনি। ৱারোলসিদা য়াওরিবা "য়োইবু", হায়বদি মফম নাইবী, ফমথোন কাবী লৈমা/রাণীশিংদা মৈতৈলৈমা/মহারাণী ৫ নি, অপানবী/অপাম্বী ৪ নি। অদুগা লৈমখুবীগী মশীঙদি পীরমদ্রে, চাওরাক্না ১০/১৫ রোম ওইরম্বা য়াই। 'য়োইহে' হায়বদি মফম নাইদবী লৈমা/রাণী খক্তমক ওইবীশিংবুনি। লৈমশিংসিদা নত্তনা মচা ঈবেম্মশিং, মরু ওইনা, বিম্বাবতী/অনুপ্রিয়া (শীজ লাইরোইবী), মঙ্গল-কৈথেল-থানবী, শেষপ্রিয়া, যাতিশ্বরী, অসিনচিংবী অমদি মখোয়গী লোইয়িন-খময়িন, মনাই-মশন্নচিংবীশিংসু য়াওরিবনি। অদুগা নুপাগী শীঙলুপ্তা অঙম-অথৌশিং খর, মচা ঈবুংঙোশিং খর, বামোন পূজারীশিং অমদি অতৈ মনাই-মশনশিংসু য়াওরিবনি। মরম অসিনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা তীর্থ লেঙবগী খোঙবু নত্রগা খুৎপুসি মীকোক ৭০০ (চাত্রেৎ) লোম্না শাবনি। মীকোক ৭০০ সিগী মনুংদা ৩০০ দি চীঞাক পুবা পোত্থাং-মীনি। মতমসি বঙ্গদেশতা চেল্লিবা গঙ্গাসিদা লুপচবা, তর্পন কৎচবা, উৎ/অস্তি (Body relics/remains) থাদদুনা

তীলহনখিবা অসিনি মৈতৈশিংনা 'গঙ্গা চৎপা' হায়না পাম্না হায়নরিবা অমসুং তৌনরিবসি। মতমসিদা চৎনরম্বা লম্বী অমসুং রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা চৎখিবা লম্বীগী মতাংদা পীবীরম্বদি-

.... The direct communication between Manipur and Bengal is by Khaspur, the capital of Kachhar, to Srihatta, but the Raja having killed two messengers and threatened Jaya Singh, that the chief cut a new road through the forest of the south and made his way to Srihatta with 700 men of whom 300 were porters carrying provisions. The chief travel on horse back as the road could not admit of elephant [F.H., Ac. A.,]

অসিনি। মসি মৈদিংঙুসিনা মণিপুরদগী শ্রীহস্থ (Sylhet) ফাওবদা চৎপগী লমদাংনি। মতমসিদা কছারদা পাল্লিবা নিংথৌসি কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ন (খৃ: ১৭৮০-১৮১৩) নি, মথক্কী বৃটিশ মচাসিনা পীরিবা কছারী নিংথৌগা মৈতৈ নিংথৌগা য়েংথীনবগী ৱাফম পীরিবসি মৈতৈ লাইরিক চীঙথংখোম্বা মহারাজ গঙ্গা চৎপদা য়াওরুরিবগা [মথক্কীসিদা, ২১-৩০] খেন্নবগী মশক উবা ফংজৈ। অদুগা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা গঙ্গা চৎপা, হায়বদি নবদ্বীপ/নদিয়াদা তীর্থ দর্শনগী লেঙবগী খোঙচৎসিগী পীরম্লিবা লম্বী অমসুং পল্লম্বা মফমশিংগী ৱারোন্দি :-

কাঞ্চিপুর কোনুং - চন্দ্রনদী খোংলম নত্রগা শ্রীগোবিন্দ লীক্লম - বিষ্ণুপুর (লম্মাংদোং) কোনুং - নিংথৌখোংগী চায়নপুঙ/খুজাইরোক-লোইজীঙ, উরাংপাই খুঞ্জাও-লৈমতাক- শদাং (চীঙমী খুন), চীরু খুঙ্গং, লমমি খুন, লৈরোংপুঙ, থেংয়া নৱাফু, তুয়াং - মোন্থা খুঙ্গং - লমপাই খুন, ঈরং খোংবান, থ্বাই/বরাক খোংবান, থ্বাইতৈ তোবর্বান - বরাক/থ্বাই তুরেনগী খোংলম ইন্না (মোন্থা খুঙ্গং লোই চল্লম্বা) - জিরি তুরেন ঈচীন, জিরিদগী থ্বাইগী খোংলম ইন্না - লক্ষ্মিপুর (কছার) - রুপারবারি খুঙ্গং (কছার) - হুইনাই খুন - হিলিসার (ময়াং মরোইরেন) - ভুন্বারী - ভাঙ্গা খুঙ্গং - জয়ন্টিয়াগী খুঙ্গং অমা - গুলাপগঞ্জ - শিলোৎ/সীলেট-ঢাকাদাক্ষিন- তরোপ খুল্লেন - চম্পাপুর (তখেন/ত্রিপুরাগী লোই-খুঙ্গং) - মকরান বজার (কৈথেল, তখেন) - আগরটলা (পুরানা নগর) - মকরান খুঙ্গং - গোষায়পুর খুঙ্গং - মেঘনা তুরেন তোবর্বান - ব্রহ্মপুত্র তুরেন

লাল্লগা ধাকেশ্বর খুঙ্গং - পদ্মা তুরেন - জলগঙ্গা হিদেন - বুড়িগঙ্গা - কৃষ্ণনগর - নবদ্বীপ, বালিচরন ঘাট - নবদ্বীপ - সৌদাবাজি, অগদ্বীপ, শ্রীষড়ভুজ, কামিলা, জ্ঞানজন - শ্রীপাটক্ষেত্র [মথক্কীসিদা, ১৩-৭৭]।

অসিনি। অসুম্না চৎলিবা খোঙচৎ অসিদা মৈদিংঙুসিনা লাকপসিদা ত্রিপুরাগী লমদম য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙদগী হৌনা ত্রিপুরী নিংথৌ রাজধর মানিক্যদা মহাক্কীদমক মৈতৈ-নিংথৌগী মচানুপী অমা পীবীনবগী নুপী হায়বসি মোস্থা খুল্লেন য়ৌরকপদগী হৌরক্লবনি, মদুগী ঈ-পাউদি :-

পোইরৈ মীয়াম্না চাননবা মোস্থা খুল্লেল্লৈদা তরা চেঙকোক য়াম্না পৈরিবা অদুবু তখেন সুবা লৌশিঙবনা চিংলকপা থোংনাং লাল্লোই মপু ফাবশিংনা .... থোংনাং তখেন মনিংথৌগী মেন্নোং মখুৎমোন, নোংপোক চাক-মিংশেন ওন্থোকপা, থৌদু ওন্থোকপা চেঙজা অঙৌবগী হীদাকফু, ... মমোম তম্ফা ৱাংঙমলোন থোংনাং তখেন মরৈমাবীদমক চৈরৈ ফিরাং চান .... কৎনা থোংনাং মনিংথৌগী চীঙ্গোই মপাউমেনবু ... ৱাকৎচখিয়ে - লাইরেন মৈতিংঙু..... নিংথৌরেন-ও! থোংনাং তখেন নিংথৌ রাজধর মনিক্য অহেনবনা ... নমোম তম্ফা ৱাংঙমলোন... চনুবু থোংনাং ঐঙোন্দা কাওচন্‌বীরক-ও। আগরটলা ঈরৈপাক্তা থোংনাং চৎৱা হায়মন্না, তখেন নুরা তেমন্নগে - হায়না পাউমেনজরকএ। অসুম ৱাকৎচরবদা লাইরেন মৈতিংঙুনা পাউখুমখি - এ! ... থোংনাং ননিংথৌগী য়াথং পাউমেনতা ঈমোম তম্ফা ৱাংঙমলোন লুপা য়োঈথম্বালশিংবু লাইরেন হৈনা ঈতুং ইন্না ঙাইরোইনরিএ। থোংনাং নরৈপাকপু য়ৌরবগা তখেন ননিংথৌনা উনবী পুক্লীঙ অপাম খন, চেংলৌ মশক য়েংনা নীঙখনঙমসুনো।... [মথক্কীসিদা, ১৭-২০]।

অসিনি। অসুম্না ত্রিপুরা নিংথৌগী মনাই ত্রিপুরা সুবা কৌবসিগা লোইনদুনা লাক্লগা ত্রিপুরাগী লৈপাক মনুংদা চঙলক্কুনা চম্পাপুর, মকরান বজার লান্দুনা চঙলক্লগা মকরান খুঙ্গংদা থুংলখি। মফমসিদগী অমুক মমাঙগী ত্রিপুরা সহর (পুরানা ত্রিপুরা নগর) দা লৈরম্মী। আগরটলাদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগা ত্রিপুরী রাজা রাজধর মানিক্য (মৈতৈনা "রাজধন মনিক" হায়) গা শক্কা শক্কা উন্নদুনা ৱারী শান্নরবদা মচা নিংঙোল অমা ত্রিপুরী নিংথৌদুদা থাজবগী হান্না হায়দুনা লৈখ্রবা ৱাফমদুদা য়ানরদুনা মৈদিংঙুনা মমোম ৱাংঙমলোন হরিশেশ্বরীবু পীবগী য়াথং থাবীখি। অদুগা মৈদিংঙু মশানা আগরটলাদা লৈরিঙৈসিদা লুহোংনবগী থবক পাংথোকখি। হায়রিবা লুহোংবসিগী থম্বীরম্লিবা ৱারোন্দি :-

... লাইরেন মৈতিংঙু থৌজান সমুদ্র, লাইজ ঈরেনপুঙগুম্বা নোংথৌরেন্না য়োইবু মশানৌ নোংয়াই চীংজারোইবী (লোইবী খোংজাইঙম্বী নত্রগা অখামচনু/খয়োইরোন ভানুমতী) স্না লিনগোইগী তম্বা/তম্ফা চৈরৈ নাহোংতোন তুবী চীঙলাইলৈমা, লাইরেন কজেং ঙানবচনু শ্রীহরিশেশ্বরী স্না য়োইথম্বালগুম্বীবু থোংনাং লৈমাবদা থৌচান খুৎশিন্নবা কাওজন্নরবগী কোরৌ নুমিৎ অরূবা, থাবা অশেংবদা মাকমৈ পান্দম য়েংনা হুমলেন (হোমলেন-অথোইবা হোম, হায়বদি হোম/হবী কত্তুনা লোয়শিনবা যজ্ঞ) মঙম তমগে হায়রবদা লাইরেন মৈদিংঙুদি বিষয় য়ুমনাইথৌগী মায়া থৌরম পুন্নমবু উনবী পুক্নীঙ কল্পবগী লীক্লাই মপারী শ্রীতুলজিৎ অহেনবদা কন্যা-দান ধর্ম্ম অথোইববু শমু খুৎশিন্ননা বিবাহ লুহোংথৌবু তৌহল্লে হায়দবরা? [মথক্কীসিদা, ৪০-৪১]

অসিনি। অসুম্না ৱাংঙমলোন হরিশেশ্বরী, মঙ্গল-কৈথেল-থানবীবু মশাগী চহি ১৪ মপুঙ, ১৫ চঙলকপদা ত্রিপুরা নিংথৌ রাজধর মানিক্য, ২ শুবা (Rajdhar Manikya II) দা লুহোংদুনা পীবীখি।

ৱাংঙমলোন হরিশেশ্বরীসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা অমসুং মমাশীজ রাণী ৯৫ (নিংথৌনাইচনু রাণী কেশরী থারগা) গী মপারী-মমোম ময়ামগী অতোন-অখম ওইবী মমোমলোননি। মপাবুংনা তীর্থ চৎপগী খোঙচৎসিদা অপোকপী মমা অমসুং অতৈ মমাঈবেম্মা ৬, পোকমিন্নবা মবুংশী অমসুং অতৈ মবুংশী ৪ (মধুচন্দ্র, চৌরজিৎ, বিশ্বনাথ/খোংজাইঙম্বা, গম্ভীরসিংহ/শামু ফাবা/কবো তাবা) অমসুং মচেমশীশিংগী তুংয়িন্দুনা মপাবুংগী থৌগল ইঞ্জরকপনি। অদুবু নোংদম্বনা তল্লম্বনা অতোন-অতাং ওইবসিনা মৈদিংঙুনা মহাকপু য়াম্না লুনা অমসুং নুংশিনা তৌজরম্মী, মদুদি :-

... "লাইরেন মৈদিংঙুনা য়োইহে নোংবাল্লোন শ্রীদেব মাল্লিকা হিদামচা নঙদি ঈমোম তম্ফা ৱাংঙমলোন শ্রীহরিশেশ্বরী নৱা অখুবী, মঙ্গল-কৈথেল-থানবীগী পলেম য়োকচবীবু ওইনা নুংশি পুক্নীঙ তেম্নবা লাইরেন মপা মৈতিংঙু ঐবু চেংলৌ শক-উদা, মপন মৈতৈ লৈমা নোংয়াই চীঙজারোইবীবু পুনুং লেপখঙদবগী য়ৱা মপাউ চাওনা ... মীকপ্পু... ফৈরা তান্দা থোংনা হোইথেমঙম-ও।। ঈদাইরেম নোংজেং খুম্বোং-চা নঙসু, তয়ুম হাওবমচা হিদং সিদাম, নারায়ন লাইশ্রবা! তয়ুম নঙসু য়াওনা তুলশীশ্যাম ফৈদা লাইশঙলাকপা নঙগা, লোইনাই নহারুপ হাজারী

চুড়ামনি থিয়ামচা নঙসুং, সুর্জন লমপোক চৈথংগী পরশুরাম, চীঙঙু লাইরিক য়েকতৈবা নঙগা, লোইয়ুম নোংয়াই নহা চৈতন্য সত্বান থিঙ্গুজাম্বা নঙগা তয়ুম নঙখোয় তরেৎমবু ঈমোম তম্ফা ৱাংঙমলোনবু থৌজাল থাদোক্তুনা য়োঈনঙম-ও" - হায়না পাউমেল্লবগা .... [মথক্কীসিদা, ৪২-৪৩]।

হায়রিবশিংসিনা উৎলিবসিনি। অদুগা মথক্কী ৱারোল অসিনা অমুক হেন্থনা খঙহল্লিবদি - মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা মমোম ৱাংঙমলোন মঙ্গল-কৈথেল-থানবী, হরিশেশ্বরীবু শঙদুনা-শেন্নদুনা, থেম্বী-থৌগৎপীদুনা অমসুং থৌগল তৌবীদুনা লোইননবা মী খর (মথক্তা য়াওরিবশিং) সি থল্লম্বদগী ত্রিপুরা লৈপাক্তা মখোয়গী ইতিহাসকী মতমদা লৈপাক-নিংথৌনা খঙনা মৈতৈশিংনা খুন্দা-লৈতাবা হৌখ্রে - হায়বসিনি। মরমদি, হায়রিবা রাজধর মানিক্য অমসুং হরিশেশ্বরীগী লুহোংবসি, মথক্তসু হায়জখ্রে, ত্রিপুরাগী নিংথৌ শাগৈগা মণিপুরগী নিংথৌ শাগৈগা অনিগী মরক্তা লৈঙাক্লোনগী, খুন্নাইলোনগী অমসুং অতৈ কলচরশিংগী মায়কৈদা মরী থম্লনবগী চারৌ- মৌরৌনবগী অহানবা খোঙথাংনি।

ৱাংঙমলোন মঙ্গল- কৈথেল-থানবীবু ত্রিপুরা নিংথৌগীদমক্তা হেক হায়রবগা করিগী হেক্তমক নিংথৌসিদা থাজরিবনো, হায়বা ৱাহংসি থল্লকপদা থোক্লক্লিবা পাউখুম অমদি Francis Hamilton না মহাক্কী 'Account of Assam' দা পীরিবা মৈতৈ (Manipuri) গা ময়াং (Dimasa/Kachhari) গা নুংশিনদবা/ য়েংথীনবগী ৱাফমসিদা খর মখৈদি চুম্বা মাল্লি, ডিমাসাশিংগী মতৌসিদা মৈদিংঙুসিনা মহাক্কী মতুংদা ত্রিপুরা অমসুং মণিপুরগী রাজনীতি মরী ফনা লৈহৌনবা থোং থারম্বনি। মরম অসিনা মহাক্লা ত্রিপুরী সুবনা মখোয়গী নিংথৌগী ৱাংঙমলোন অমা পীবীনবা হায়জবদা মহাক্লা অকক্লবা হরিশেশ্বরীবু হায়দে, মচানুপী য়াম্না লোইনরকই (বিম্বাবতী, যাতীশ্বরী, হরিশেশ্বরীনচিংবা), ত্রিপুরা য়ৌরগা মহাক্লা (রাজধর মানিক্যনা) মচানুপীশিংদুগী মশক য়েংলগা অপাম্বা খঞ্জসনু, হায়না খুমখিবনি। অদুনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী আশাদি ত্রিপুরা নিংথৌদা মচানুপী অমা (অমহেক্তা) থাজবনি। মদুনা তুংলমচৎকী রাজনীতিগী মপান থানবনি। অদুগা চারৌ-মৌরৌনবগী হায়রিবা মরীসি লীংখৎলবা মতুংদা ত্রিপুরা থাদোক্তুনা লাকপগা মৈত্রবাক্তা লৈঙাক্তুনা পাল্লিবা মচাঈবুংঙো লাবন্যচন্দ্রদা পাউ থাদুনা খঙহনখ্রিবদু কছারীশিংনা য়েংথীরবসু ত্রিপুরীশিংগা ঙাই-শেন ওইনরে, অকি-অখং লৈরুগনু হায়বগীনি। পাউ থাবসিগী ঈ-পাউদি :-

"... পূর্নানন্দ ওইনামচাগা ঙাশিংবা লংমাইথেম্বগা... তনবা নঙখোয় ১৪... পোইরৈ স্নাপুঙদা হনব্রাইখি-ও। ঈমোম তম্ফা ব্রাংঙমলোন স্না খোম্মদোন মঙ্গল কৈথেল থানবীবু থোংনাং লৈকোয় ফম্বা রাজধর মনিক থোইখোইবদা কাওজন্নরে। হুমলেন মঙম তৌনা বিবাহ লুহোং-খোঙদোংবীরে... হায়না শ্রীঈপারীনচিংবা ব্রাংঙম লৈপাক কোয়বা পুম্নমদা ব্রারম মরেং শীন্না পাউদমলু-ও" হায়না থৌশীরম্লবগা [মথক্কীসিদা, ৪৪]........।

অসিনি। অসুম্না ত্রিপুরী-মণিপুরীগী লৈঙাক্লোন্দা নুংশি-চান্নবগী মউ লীংননবা মৈদিংঙু চনু মঙ্গল-কৈথেল-থানবীনা পোইরৈগী অতোপ্পা ত্রিপুরাগী লমদমদা ওঙদুনা লৈপাক্কুগী খুন্নাইদা পানখিরম্মী।

ব্রাংঙমলোন হরিশেশ্বরীনা ত্রিপুরীদা তৌরিবা খুদোল

ব্রাংঙমলোন হরিশেশ্বরী গৌরিয় হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী মাধবচার্য্য নত্রগা মাধবী/ব্রহ্ম সম্প্রদায়দা পুক্নীঙ- হকচাং লুপ্পা থাজজবী মৈতৈ নিংঙোল, ত্রিপুরাগী খৃ: ১৭৮৫ দগী ১৭৯৭ ফাওবগী (মণিপুরী কুম্বারোনগা চহি অনি খেন্নৈ) মহারাণীনি। মহাক্না ত্রিপুরা লৈপাক্তা ধর্ম্মনীতি অমসুং কলা সংস্কৃতিগী লমদাংশিংদা তৌরম্বা খুদোলশিংগী মমি ঙসি ফাওবদা মুৎপা নাইদনা লৈরি।

মহাক্কী খুদোলশিংগী মরমদা পীবীরম্লিবা ব্রারোল খরদি :-

(১) ... মজাইবেম্মা হরিশেশ্বরীনা মণিপুরদগী লাকখিবা মতমদা মশানা লাৎচবা রাধামাধব বিগ্রহ পুরকখি। পুরানা আগরতলাগী নিংথৌ কোনুং মনাক্তা রাধামাধব মন্দির লিংখৎখি। রাজর্ষিনা মন্দিরগী পুরোহিত, সেবারী, ঈশৈ-হনবা, পুং য়েবা অমসুং মজাঈবেম্মগী দাসী খর ত্রিপুরাদা থম্বীরম্মী। ত্রিপুরাগী নিংথৌনা কোনুং মনাক্তা মেখলীপাড়াদা মখোয়বু খুন্দাদুনা লৈহনখি। ত্রিপুরাদা মৈতৈ অহানবা খুন্দাখিবা মফমনি। পুরাণা আগরতলাদগী হৌজিক্কী আগরতলাদা নিংথৌ কোনুং হোংলকপা মতমদা রাধামাধব মন্দির অসিবু নিংথৌ কোনুংগী মনাক্তা প্রতিষ্ঠা তৌখি। রাধামাধব মন্দির অসি প্রতিষ্ঠা তৌখি হায়বগী মরম্না আগরতলাগী মফম অসিবু "রাধানগর" মিংথোনখি। মণিপুরগী গোবিন্দজী মন্দিরদা চহি খুদিংগী কার্ত্তিক পূর্ণিমাদা রাসলীলা শান্নবগুম ত্রিপুরাদসু রাধামধব মন্দিরদা মহারাণী হরিশেশ্বরীনা রাসলীলা হৌদোকপীরম্মী। ত্রিপুরাগী নিংথৌনা শীন-লাংদুনা চহি

খুদিংগী রাসলীলা অসি লেপ্তুনা শান্নরকখি। ত্রিপুরানা ভারত্তা তীনখিবা মতুংদগীদি মর্জর এগ্রিমেন্ট মতুং ইন্দুনা ত্রিপুরা সরকারগী দেবার্তন বিভাগনা শীন-লাওদুনা হৌজিকসু রাধামাধব মন্দিরদা, রাসলীলা শান্নরি। তশেংনা হায়রবদা মহারাণী হরিশেশ্বরীনা ত্রিপুরাদা মণিপুরী কলা অমদি সংস্কৃতি শন্দোকপীরম্বনি [এল: বি: স:, ২০০৬, ১৩৬]।

(২) ... ত্রিপুরাদসু মণিপুর ইতিহাসকা শাগোন্নরবা পোৎশক কয়া অমসু লৈরি। ... রাজর্ষিনা তীর্থ লেঙবদা ত্রিপুরাদা মতম খর লৈদুনা মজাঙ্গবেম্মা হরিশেশ্বরীবু ত্রিপুরাগী নিংথৌ রাজধর মানিক্যদা লুহোংবীরম্বনি। রাজর্ষিনা খোঙচৎ অদ্দা বৃন্দাবনদা লৈদুনা সেবা চৎকে নীঙবগী শ্রীরাধামাধবকী মূর্ত্তিদু লোইনদুনা লেঙশিল্লি। মচাঙ্গবেম্মা হরিশেশ্বরীনা মপাবুং মহারাজদা হঙ্গৎচৈ - "পাবুং মহারাজ ঈচেমশী শীজ লাইওইবীনা নবদ্বীপতা অনুপ্রভূগী সেবা ফংজবগুম ঐসু মফম অসিদা রাধামাধবকী সেবা ফংজহৌরগে"। মপাবুং ঈবুংঙোনা য়াবীদুনা মন্দির শাদুনা রাধামাধবকী সেবা হরিশেশ্বরীনা ত্রিপুরাদা ফংজহৌই।

ত্রিপুরাগী মহারাণী ওইনা হরিশেশ্বরীনা মফম অদুদা রাধামাধবকী সেবা ত্রিপুরাদা তৌবসি মণিপুরদা মপাবুং মহারাজনা শ্রীগোবিন্দগী সেবা পূজা তৌবা অদুগা মান্ননা পাঙথোকই। চহি খুদিংগী কার্ত্তিক পূর্ণিমাদা রাধামাধবতা জগোয় রাস কৎলি। লাইগী সেবাগীদমক ব্রাহ্মন পূজারী, সেবারী থাগী তলব পীরম্মী। হৌজিক্তি রাধামাধবগী মন্দিরদু আগরতলাদা লৈরে। রাধামাধবকী মিংদগী লৌদুনা মফমদু রাধানগর হায়না খঙনরে। চহী ২০০ হেল্লবা মণিপুরদগী লেঙখিবা রাধামাধবনা ঙসিসু ত্রিপুরাদা ঙান্থোইরি। মসি মণিপুরগী সংস্কৃতিগী মরন্নি। মারজিৎ মহারাজগী মজাঙ্গবেম্মা খিলেশ্বরী, বামন লৈমসু ত্রিপুরাদা থাজরম্মী। ত্রিপুরাগী নিংথৌ মহারাজ কৃষ্ণকিশ্বর, বীরকিশ্বর, রাধাকিশ্বর মখোয় পুম্নমক্না মৈতৈ নুপী লৌই। মৈতৈ চনুরাশিংদুনা ত্রিপুরাদা মণিপুরগী চৎন-লোনচৎ, ব্যবহার, লাইগী পূজা নিতী-নিয়ম, জগোয় রাস কৎপা, অসিনচিংবসি ঙসিসু কায়দনা মথং মথং চথরক্লি [দ: য: দ:, ২০০৬, ১৫৫-৫৭]।

অসিশিংসিনি। পীরল্লিবা অনিসি হৌরকফম অমতদগী থোক্লকপা পোথোক্লি হায়না চেৎনা থাজজে। মহারাণীসিনা মশাগী চহি ১৫ খক্তগী মতমদগী ত্রিপুরাদা লৈরকখিবসিগী মপাম-লৈপাক মৈত্রবাক্তা অমুক হন্না থোক্লকখিবগী ৱাফম অমতা

ফংবা ঙমদে। ময়াং লৈমা (কছারগী মহারাণী) শিংদি তখেললৈমা (তখেল/ত্রিপুরাগী মহারাণী) শিংগা খেন্ননা মপামদা লাক্লম্বগী ঈ-পাউশিং লৈ [চৈথা: কুম:, ২০০৫,২৯০]। ৱাংঙমলোন মৈদিংঙুচনু মঙ্গল-কৈথেল-থানবী (ত্রিপুরাগী মহারাণী হরিশেশ্বরী) না খোইয়ুম নোংদম্বা মহাক্না পীবীবা পুন্সিগী মতম লোয়রগা ত্রিপুরাগী রাজবারীগী লৈমকোন্দা মহাক্না লাৎচবা ইষ্টদেবতা রাধামাধবগী খুৎয়াদা চঙজখি। অদুবু মৈত্রবাক্তা মহাক লৈখিদবগী ঈ-পাউ ফংবগী ৱাফম লৈতবগুম তৌই।

ৱাখোম-ৱারোয়

ত্রিপুরাগী মহারাণী হরিশেশ্বরী, মৈতৈগী ৱাংঙমলোন মৈদিংঙুচনু মঙ্গল-কৈথেল-থানবীগী মথক্কী তেল্লবা ৱারোল খরসিনা হৌজিক্কী মিৎয়েংদা পুরক্লিবদি - ৱাংঙমলোন মহারাণীসি ত্রিপুরা অমসুং মণিপুর নত্রগা মণিপুরী অমসুং ত্রিপুরীগী রাজনীতি অমসুং সমাজনীতি, মরু ওইনা কৃষ্টি, রুহী, কলা, সংস্কৃতি অমসুং ধর্ম্মনীতিগী অহানবা লাংদাই-তাইরম্বীনি। মহাক্না হিংলম্বাঁ পুন্সিগী মতম খরদ্বা মশাগী ধর্ম্মগী স্বভাবতা থাজবা থমদুনা মৈতৈ লৈমগী মম্লোম অমা ওইনা পলেম মমাগী কলা অমসুং সংস্কৃতিবু মশাগী মমং লৈবা, মপুরোইবগী মংদা তীনখিবা লমদমদুদা থাদুনা আগরতলা সহরগী লম মচেৎ অমবু "রাধানগর" হায়না ত্রিপুরী খ্বাইনা খঙনদুনা ঙসি ফাওবদা মণিপুরী সংস্কৃতিগী হৈরাং পাল্লি। মহাক য়াম্না অঙাং ওইনা মপুরোইবগী মনাক্তা ত্রিপুরী মৌ ওইনা খোঙদাখিবনি, মপুরোইবনা মঙোন্দগী য়াম্না হনবনা মহাক্কী মমাঙদা মপুরোইবগী রাণী কয়ামরুম লৈরম্লবনি, অদুবু অতৈ মচেম ওইবী রাণী অমতগা কল্লক-খম্বন্নবা, খৎন-চৈনবা নত্রগা ৱাথোক- পাউথোক্লবগী ঈ-পাউ অমতা তাবা ফংদে। অদুগা মহাক্কী খুদুং ইনখিবী মৈতৈ চনুশিংনসু অনৌবা ত্রিপুরা রাজ্যগী শেমগৎ-শাগৎপা অমসুং চাওখৎ-থৌরাংগী লমদাং কয়াদা অঙম্বা মতেং পাংঙি হায়বসি ত্রিপুরাগী অনৌবা মতমগী ইতিহাসনা সাক্ষী ওইদুনা লৈরি। অদুবু মহাক্কী পুন্সিগী অঁরোয়বা মিকুপ্তা মহাক্না করি খনখিবগে হায়বদুদি - কায়নবগী মিকুপ্তুদা মহাক্কী মিৎলুদ্গী শিন্থখিবা পীরাং মরীকশিংদু নুংশি হৈত্রবা লৈমায়দুনা চুপশিনবীরমদ্রবদি অমসুং ৱাবনা শদৌ থোংলবা মতমদা হোন্দোক্লকখিবা মালেম কায়নবগী নুংশা শোর অদু তমথীরবা নোংলৈ নুংশিত্তুনা হুমদোকপীরমদ্রবদি অৱা' তেংথাখোলদু তাবা ফংলমগদবনি।

মরম অসিনা লৈকংলাগী লৈমায়দা ঐখোয়না ঈফুৎ' - ঈথোক' - কোম তৌরুদ্রবসু মহাক্কীদমক্তা রাধামাধবগী মন্দিরদা থাউমৈ অমতং কৎলুরগা, মদু মহাক্কী মোংফমদা থানবীসি, অদুগা শোল্লমসি, - "মৈতৈ চনু মক্তবী, নহাক নুংঙাইনা পোত্থারো: রাধামাধবনা চানবীরে॥"

মরী মখোঙ তাকপা

১) চৈথা: কুম:, ২০০৫ - লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল -২০০৫)

২) রা: কু: স:, ১৯৬৪ - রাজকুমার স্নাহল সিংহ, বি: কম: চীঙথংখোম্বা মহারাজ গঙ্গা চৎপা (ইম্ফাল - ১৯৬৪)

৩) এল: বি: স:, ২০০৫ - এল: বীরমঙ্গল সিংহ (সেনিয়র এদিটর: ত্রিপুরা চে) ত্রিপুরাগী মণিপুরী মহারাণীশিং [শাথৌলুপ: শক্লোন (ইম্ফাল-২০০৬)]। লা: ১৩৬

৪) দ: য: দ:, ২০০৬ - দা: যামিনী দেবী : শীজ লাইওইবী, অমসুং মহারাস (ইম্ফাল-২০০৬)

F.H. Ac. A. = Francis Hamilton: Account of Assam [নং ২ না কোট তৌবা]

মহারাণী মাইস্না কুমুদিনী

ব্রাহৌদোক

(১) ... নয়োন্ মৈতৈরৈমা য়োঈরুম্লোন পোংলেন্খোম্বী, লোইবী ঙামৈলাম্থবী, হুয়েন্ ঙামৈরেং ফাবী... কাফন্ মরুম্ লাম্থান্না, অহোঙ্ মীয়াননা কংলৈ পুঙফানবা-চনু, মপন্ মরানয়ায়দা কোল্লোই মিংথোংবদি শ্রীকুমদনী অহোঙবী-ও তৌনা কৌএ। লাল্লোই ময়ায় খায়না মরান নুহোঙ-খোঙদোংলক্লবদা লাইস্না খাইরককোন অখুবা নোংদা লাইরেন পাখংবা ফমতোংখোং অচৌববু

কারবদা লাইরেন মশাবী তুবী চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বনা কোল্লোই মিংহুনবদি য়োঈবু মৈতৈরৈমা কংলৈ পোংলেনখোম্বী, লোইবী ঙামৈলাম্বিবী, হুয়েন ঙামৈরেং ফাবী-ও তৌনা কৌএ [নিং: লম:, খুৎ: লাই: অমসুং হা: বি: দে:, ১৯৯৪,১৯৭-২০১]।

(২) ... পুখ্রম্বম তাংখোম্বগী কুম শক ১৭৫২.. ঈঙেন থা... ১৫ নি (তাং ৩।৮।১৮৩০ ইং) লৈপাকপোকপদা লংমাইথেম চনু শ্রী মহারাণী নোংগাই।... লাংবন থা... ৮ নি (তাং ২৪।৯।১৮৩০ ইং) ঈরাইদা শ্রীমাইস্নাম চনু অপানবীবু মহারাণী হাপ্পগী অভিষেক তৌএ [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২৩৭-৩৮]।

মথক্তা থমজরিবা লাইরিক্তগী লৌথোক্লকপা ৱারেং মতেক অনিসিদা পল্লিবা নত্রগা পীরিবা "শ্রীকুমদনী অহোঙবী" নত্রগা "কংলৈ পোংলেনখোম্বী" অমসুং "মাইস্নামচনু অপানবী" হায়রিবশিংসি মীশক-মীওই অমখক্তনি। মৈতৈ চনু অসি লাইরেন মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বা [খৃ: ১৭৮৮- (১৮২৫-৩৪) - ১৮৩৪] নত্রগা রাজা গম্ভীর সিংহ (শামু ফাবা, কবো তাৱা, খোংজাইঙম্বগী মনাউ) গী থৱাই তাজরবী তাল্লোই, অহানবদা খৃ: ১৮২৫ দগী য়োঈবু লৈমা অপানবী [মৈতৈলৈমা নত্রগা লৈমরেন (মহারাণী) গী ঙমথং ওইবী লৈমা] ফম ওইরম্বী অমসুং খৃ: ১৮৩০ দগী মৈতৈলৈমা/লৈমরেন ওইরম্বী লংমাইথেম (নোংমাইথেম) চনু তুলসীপৃয়ানা নোঙ্গাখ্রবদা চহি-কুমসিগী সেপ্তেম্বর ২৪ দা মৈতৈলৈমা/মহারাণী অভিষেক (ফম হাপ্পগা) মহারাণী ওইরকখিবী, মচাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ [নিংথেম পীশক, সনাহল, ঈশ্বর সিংহ মহারাজ, মৈদিংঙু নাউজীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বা {খৃ: ১৮৩২- (১৮৩৪-৪৪ অমসুং ১৯৫০-৮৬) - ১৮৮৬}] গী সনা হাক্তক্তা "নিংথেম/নিংথৌ পোকপী [মথক্কীসিদা, ৩০৫ নচিংবা] হায়না শকখঙনরকখিবী মৈতৈলৈমদুনি। মহাকসি পোইরৈং মৈত্রবাক মণিপুরগী অনৌবা মতম তাংকক্কী পাৱারী-পুৱারীদা, মরু ওইনা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ মহারাজগী সনা হাক্তক্তা থোইদোক্না মমিং লৈখিবী মহারাণী অমনি।

শক্তাক-শকখঙহনবা

মাইস্না/মৈস্না নত্রগা মাইস্নাম/মৈস্নাম চনু/নিংঙোন কুমদনী নত্রগা কুমুদিনী (A water-lily with white lotus flowers, A collection of lotuses or A place abounding in lotuses) নত্রগা কুমুদিনী মহারাণী, মাইস্নামচা

লুৱাংনিংথৌ গৌরশ্যাম অমসুং মাইস্নাম ওঙবী থোকচোমচনু লেম্বী দেবী অনিগী তাওনা শাৎচবী মমোম লাংলেন্নি। অপোকপী মমা লেম্বী দেবী শলাংথেন (কবুই শলাং মাইবগী খুন, চুরাচান্দপুর পানা /ডিষ্ট্রিক্ট) গী শোংপু/ শেংবু (কপুই/ কবুই) চনু নিংঙোন্নি। মহাক্কী মশাগী মী-কাংলুপ-ফুরুপকী নত্রগা শাগৈ-শল্লাইলুপকী মমিং অমা লৈরমগনি, অদুবু মদুদি হৌজিক্কী মতমদা কনানসু খঙবা ঙম্নদ্রে। মহাক্কী লেম্বী দেবী হায়বা মমিং মিংলেনসিদি মাইস্নাম গৌরশ্যাম্না মহাকপু লৌরবা মতুংদা মৈতৈনা নত্রগা গৌরশ্যাম্না থোনখিবনি, নীঙঙি। গৌরশ্যামসিনা মহাকপু লৌবা হাক্তক্তগী গৌরশ্যামসিবু মহাক্কী মাইস্নাম শাগৈ মচাশিংনা, "লম হেল্লি, ওক্তে, শাগৈ মাংথোকএ, জাৎ তারে, অসিনচিংবা" হায়দুনা মতম খর শাগৈদগী ইম্থোক্লম্মী।

মাইস্নাম গৌরশ্যাম মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীদা থায়নদগী মমিং লৈরক্লবা কাঙমোং (নোংচুপ ইম্ফাল পানা, কোন্থৌজম কেন্দ্র, হৌজিক মী ৩,০০০ লোম হেন্না লৈবা খুঞ্জাওনি) খুনগী খুঞ্জা অমনি। মহাক্না শোংবু নিংঙোন/চনু লেম্বী দেবীবু তাল্লোই ওইনা লৌরগা কাঙমোংগী মাইস্নাম লৈকায়দা মহাক্কী ময়ুমদা পুশিন্দুনা লৈরম্মী। মাইস্নামচনু কুমুদিনীসি মফমসি (কাঙমোং মাইস্নাম লৈকায়) দা পোকখিরম্মী। মাইস্নামচনু কুমুদিনীনা পোকখিবা মাইস্নাম গৌরশ্যামনা লৈরম্বা য়ুম-ঈংখোল অদু মতুংদা চুঙৌ থাবদগী মফমদু চুঙৌথাবী নত্রগা চুঙৌ লৌকোন হায়না খঙনরকখি। হৌজিকমক কাঙমোং মাইস্নাম লৈকায়দা লৈরি অমসুং মাইস্না কুমুদিনী মহারাণী পোকফমনি, হায়না হৌজিকসু হায়নরি।

মাইস্নাম গৌরশ্যাম অওনবা মতমগী থোক্লকপা থৌদোক-ৱাথোক্তা মীওইবনা হিংবা-পানবা খুদোংচাগদবা, য়াইফা-নুংঙাইগদমবা অমসুং শাফগদবা মফমদা খুন্দা-লৈতানবা থবক লৌখৎপসি পান্নম্মী। মতমদুদা কাঙমোং মাইস্নাম লৈকায়দা পাল্লিবা মাইস্নাম শাগৈগী পীবারেন্না ইম্ফাল কংলৈগী খ্বাই লৈকোক লৈকায়গী থাঙমৈবন লমতুপ্তা খুনহোং-য়ুমহোংনবা থৌরাং তৌরম্মী। মদুদা পীবারেনগা লোইননা মাইস্নামগী ঈমুং কয়া, ফুঙ্গা কয়া অমসুং য়ুম খর থাঙমৈবন্দা য়ুমহোং-কৈহোংলম্মী, মদুদা মাইস্নাম গৌরশ্যামগী ঈমুংসু য়াওদুনা থাঙমৈবন্দা মাইস্নাম শাগৈনা ঈহান হান্না মখোয়গী শাগৈগী খুন্দাবা হৌদোকপসিদা শরুক য়াখিরম্মী। অসুম্না থাঙমৈবন্দা চহি খর লৈরগা মদুদগী অমুক নহারুপ পানাগী

লৈকোক (Headquarters) লৈকায় য়াইস্কুলগী চীঙঙা মখাগী লৈচেৎ লৈকায়দা খুনহোং-লৈহোংদুনা খৃ: ১৮১৩ দগী ১৮১৪ গী কুমদদি চীঙঙা মখাদা লৈরে। অদুবু খৃ: ১৮১৯-২০ দা মৈত্রবাক্লা চহি তরেৎ খুনতাকপা থোক্কুনা মাইস্নামগী ঈমুংশিংসি থৱাই হিংনবা কছাড়দা লাঞ্জেন্দুনা লৈরুরম্মী। চহি তরেৎ খুনতাকপা (খৃ: ১৮১৯/২০-১৮২৫) লোয়খিদুনা লান হঞ্জিন্নরকপা, খৃ: ১৮২৫-২৬ অমুক হন্না খুন লেপ্পা হৌনরবা মতমদা মৈস্নাম গৌরশ্যামগী ঈমুংসি চীঙ্ঙা মখাদা অমুক হঞ্জিন্দুনা খুন্দারখি।

খৃষ্ট কুমশীঙ ১৮০০ গী মৈদিংঙু (লোইরেন খোম্ববু লৌতুনদুনা হাৎপগী নিংথৌ ফম্বাল মুন্নবগী ৱাথোক্তগী ঈবুংশীজ কবো তাব (কবো খুনবোংময়ুম তীন-তোৎনবা শামু ফাবা নত্রগা গম্ভীর সিংহ) বু খৃ: ১৮০০ গী ডিসেম্বর ২৪, য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ময়াং লৈপাক্তা লোই থাদুনা [মথক্কীসিদা, ১৭৯] লৈরুরগা মৈদিংঙু নোংচুপ/ভালোক ৱাইরং পামহৈবা নত্রগা চৌরজিৎ (নিংথেমতোন) মহারাজ (খৃ: ১৮০৪-১৪) না পাল্লবা মতমদা লোইদগী কারক্তুনা মৈত্রবাক্তা লৈরম্মী। মতমসিদদি খুম্বোংময়ুমশিংসু মখোয়দা পীরম্বা ৱারক-চৈরাকশিংদু ঙাকপীদুনা লৌথোকখ্রে। অদুগা মখোয়না কাঙমোং মনাক্তা খুনশেমদুনা "খুম্বোংময়ুম খুন", শমজিল্লগা "খুম্বোংখুন" হায়দুনা হেন্না মওং তানা শেমগত্তুনা পাল্লক্লম্মী। খুম্বোংময়ুমগী মীথোই-মীহেনবা, অকন-অথৌ ওইবা, ঈনাক-কৈরাক খুনবা অমসুং অচৌ-অশাং ওইবশিং পূম্নমক খুম্বোংখুনসিদা পাল্লম-লৈরম্মী।

কাঙমোংগা থংনবা খুনগুম নক্লনা লৈরিবা খুম্বোং খুন্দদি খুনবোংময়ুম্না পানবা, মখোয়না খুৎকন-পাঙ্গনবা অমসুং শাগৈ চাওবা খুন্নি। ঈবুংশীজ শামুফাবা গম্ভীরসিংহদি খুনবোংময়ুম নিংঙোন ভাগ্যবতীগী মচা ঈবুংঙোনি, ময়াম্বুং খোংজাইঙম্বা নত্রগা বিশ্বনাথ লৈখিদ্রবদা মহাক্কীদমক্তা খুম্বোংময়ুম শাগৈনা চুঙ ওইনা লেপখিবনি অমসুং খুম্বোংময়ুমগী মরু ওইবা মীওই কয়াগী পুন্সি খৃ: ১৮০০ দা কখোকখিবনি [মথক্কীসিদা, ১৭৮-৭৯]। অদুনা ঈবুংশীজ শামু ফাবনা মমাঙ্গৈবেম্মগী মবুং-মপ্পা, মপা-মতোন, মমা-মন্দোন, মচেম-মনাউনচিংবনা লৈরিবা খুম্বোং খুনসিদা তোয়না লাকখি, মঙানি-তরানিসু লেক-চাদুনা লৈথোকখি। মদুগুম্বা মতমশিংদুদা মহাক্লা কাঙমোং খুন্দা কোইথোক চৎথোক্লম্মী। অসুম্না চখোক-কোয়থোক্লকপদা কাঙমোং খুনগী খুনয়ায়দা চেল্লিবা লৈমখোং

তুরেন (নম্বোন তুরেনগা মশা অমতনি) মপান্দা মহাক্না শগোন তোংদুনা লাকপদা মশাগী চহি ১৩ (তরাহুমদোই) চঙলক্লীবী মাইস্না কুমুদিনীনা ঈরোই কাংপোৎ/কাংকোৎ তোংদুনা লাকপা উখিবনি অমসুং থেংনখিবনি। মতমসিদা লৈশাবী মপুঙ ফাদ্রিবী, ঈনখৎলকপী মঙান্নদি অউবশিংগী পুক্নীঙ শুমহৎনবগী মতীক-ময়াই অমসুং মচাক-মথুমশিং নোংম-নোংমগী হাপকৎলক্লিবী মহাক্কী চেংলৌ শক্তম উরুবদা মশাগী চহি ১৭ (তরাতরেৎ) মপুঙ ফারবা, য়ুম্বানবগী পুন্সিদা নৌনা লংমাইথেমচনু তুলসীপৃয়াগা চঙবদা ঙাইরিবা ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহ পুমঙাও ঙাওখি, লৈশাবী মচা অদুগী মমিং-মথা, মপা-মমা, ময়ুম-লৈফম্নচিংবা খঙনীঙখি, খঙননবা হোৎনখি অমসুং খঙখিরম্মী।

ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহনা খুম্বোংদা লৈবা খুম্বোং ময়ুম মচাশিংনা শৌগত্তুনা মাইস্না কুমুদিনীগী মমিং-মথানচিংবা মরমশিং পুল্লমক খঙখিবনি। অদুবু ঈকুই কুইদনা চহি ২/৩ গী মতুংদা কাঙমোংগী মাইস্নামগী ঈমুংদু থাঙমৈবন্দা য়ুমহোং-খুনহোংখ্রে। অদুবু মদুনা ঈবুংশীজ শামুফাব [মহাক পোকপা কুম শক ১৭১০ (খৃ: ১৭৮৮) অসিদা মপাবুং ঈবুংঙো মৈদিংঙু চীঙথংখোম্ব (খৃ: ১৭৬৩-৯৮) না শামু লমশা ১৮ (তরানিপান) ফাখিরম্মী, মদুগীদমক থৌদোক্তু কাউদনবা "শামুফাবা" হায়বসি মিংথোনখিবনি (মথক্কীসিদা, ১৫০)] গী হোৎনবা অদুবুদি লেপহনবা ঙমখিদে, ইম্ফাল কংলৈদা লৈরবনিনা হেন্নদুম পুক্নীঙ থৌগৎখি। অদুবু হায়রিবা ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহগী ৱাফমশিং মাইস্না কুমুদিনীগীদমক্তা শাগৎলিবা ৱাখনগী ফুরা অদুদি মাইস্না কুমুদিনী অমসুং মহাক্কী অহল-লম্মনশিংদি খঙবা নত্রি। লম্লক্তা উচেক মহুম শাববু খুঞ্জা কনানা খঙনবগে?

মাইস্না কুমুদিনীগী পুন্সি-ৱারী

মাইস্না কুমুদিনী ঈং শক ১৭৯২ দা কাঙমোং মাইস্নাম লৈকায়গী মাইস্নাম গৌরশ্যামগী য়ুমদা মালেম তাইবংপান ফাওরকখিবীনি। মহাক পোক্লকপদগী হৌনা তীঙদা-য়াঙদা ফজবী, শারেপ-শাবান নীঙথিবী, মায়থোঙদা মীনা নুংশিনবগী মতৌ অমা চেনবী ওইনা তৌরকখি। মহাকসি অঙাং ওইরিঙৈদগী মীগী পুক্নীঙ খঙগন-উগনবী ওইনা হৌরকখিরম্মী। লৌশিঙ শিঙবী, মিৎলম- মায়রম খঙবী, অচাওরম পান্বী, মরুপ্-মপাং ওইরগা হায়নীঙঙাই লৈতনা ফবী, য়েক্ল-য়েংথীনবা ওইরগনা হুমুক খাবী ওইরকখি। অদুগা মমিত্তনা য়েংবদদা মীগী মপুক্নীঙ খঙবী

অমসুং থৌরম উবী ওইনা চাওরক-শাংলকখি। অদুগা অহল-লম্মনশিংনা হায়নবা লৈ, মদুদি, “মাইস্না কুমুদিনী কাঙমোং মাইস্নাম লৈকায়গী চুঙৌথাবী (চুঙৌপোকপীসু হায়) লৌকোন্দা পোকখি, মহাক্না অঙাং পীশক ওইরিঙৈদা মমানা লৌবুক্তা লৌ শূবা চৎপদা লৌবুক্তুগী মচী অমদা ঙবোং/ফাকং ফিনা য়োমদুনা নাউশুমদা শুম্বগুম শুল্লিঙৈদা খারৌনা মহাক্কী মকোক মথক্তা মতোক ফন্দোক্তুনা খল্লি, অদুগা মফম অদুবু থুমজৌবী (থুমজাওবী) লৌকোন কৌই” হায়, অসিনি। মহাক্কী তৌরি-ওইরিবা মতৌ-মওংশিংসিদা মমা ঈবেন্মা লেঁম্বীনা তাঙনা শাৎচবী মমোম লাংলেনসিবু করম থোক্লগবা, করি ওইরগবা, হায়না মপুক্লীঙদা তত্তনা ৱাজে। মথৌনা-মরীংজেন লৈবা-লৈবীশিং, মরীন খাবা-খাবীশিং মরীংজেন পানবা-পানবীশিংদদি অসিগুম্বা লমচৎ-শাজৎ নত্রগা লোনচৎ-লীচৎসি মশাদা লোইনগল্লি, হায়বসি পলেম মমাদুনা খঙজদে। অদুবু অপোকপা পন্থৌ মপানদি মমোমগী মচৎ-মতৌসিদা মহাকপু চাওবা লেপ্তুম ফারক্লগা শগোল তোংবা তম্বীগে, শাফা-লানফা হৈহনগে, থাঙ-তা-তেন্নচিংবা শা-লানগী খুৎশূ-খুৎলাইশিং শীজিন্নবা হৈহন-খুৎলোইহনগে, নুপীমচামক ওইরবসু নুপামচাশিংনা হেঞ্জিন-লাকচবা য়াদনবা শরীৎ-শারাক্কী হুয়েন-লানওং, মীনা খুৎ থারক-থোক্লকপদা লৈথোক-লৈশিন, ঙাকথোক-ঙাকশিন্নচিংবা তম্বীগে খনখি অমসুং তম্বসু তম্বীখিবনা মশাদা মহৈ-মশিঙদুগী খরমখৈদি হৈখি।

নুপীমচা ওইবগী মহৈ-মশিঙদা

মাইস্নামচনু কুমুদিনী পীশক-পীক্লিঙৈদগী হৌনা মীনা তৌবা থবকশিং য়াম্না মুন্না অমসুং কুপ্না য়েংগনবী অমা ওইরকখি। মহাক মমিত্তনা য়েংবদনা মহাক্কী মহৈ-মশিঙ তম্বগী অথোইবা লম্বী, পাম্বৈ অমসুং পথাপ ওইরকখি। মরম অসিনা মহাকসি থবক্তা তুকা থিগনবী অমা ওইনা মমান্নবীশিং অমসুং মথক থোংবা-থোংবীশিংনা উরকখি। মহাক্না পুঙকক চাওরক্লবা মশাগী চহি ১০-১১ (তরা-তরামাঁথোই) শুরকপদগী মমাহন-মমাতোনশিং অমসুং অপোকপীঁ মমানা নুপী ওইবীশিংগী শীল্লম- শীনফমশিং অমদি শীম্থোঙ-শীম্থাশিং - ফিশা-লোনশা, ফি-রোন-ফিরীবা, মোইথাপ নাই-লংনাইবা, তৌওৎ-তম্মং শীজিন্নবা; ঈমুং-মনুংগী থবক-ঈনখাংগী চাকথোং-ফৌশু, ফিশূ-ফিজাম, কোল্লী-ৱাইরম তৌবা, লমতৈ-ৱাইতৈবা অমসুং য়ুমগী, কোল্লুপকী নত্রগা লৈকায়গী লাইথৌ-

তীনথৌগী থৌদোক-থৌরমগী লৈথি-লৈহেকপা, লৈশেম-লৈরেংবা, য়েনশাং শেন্বা, ঈশিং হোনবনচিংবগী হিরম-ৱারমশিংদা তন্বী-তাকপীরকখি। অদুগা মপাবুং ঈবুংঙোনা মহাক্না পামজবগী মতুং ইন্না মমোম্বু লাঙ্গোই শগোল মথক্তা থাঙ্গত্তুনা শগোল তোংবা, শগোল তোংনা তোংনা মথক্তা থাঙ হাইবা, আরাম্বাই হুনবা, তা খৌশাবা, অসিনচিংবা শা-লানগী মহৈ-মশিঙশিং তন্বীরকখি। মহাকসি লৈশাবী মপুঙ ফাদ্রিবা মখৈদি ঈঙ-তপ্পী নুপীমচা অমা হায়বদুদি ওইরকখিদে, মীকি-লাইকিদবী ওইরকখি। হায়রিবা মতমসিদা কবুই শলাং মাইবগী অনীশুবা লাংওন্নি হায়নবা শলাং বাজী কৌবা তীনপু-লাইপুবগুম তৌবা মীওই অমা শলাং শাবন (হৌজিক্কী নোংচুপ ইম্ফাল পানাগী শলাম কৈখু খুনগী খুঞ্জীন) গী লৈপুঙ মখোঙদা লৈরে হায়দুনা ময়াম খুরুম্বা চৎনবদুদা মাইস্না কুমুদিনীসু মমাগা লোইননা খুরুম্লুই। মদুদা শলাং বাজীনা কুমুদিনীবু উরগা মুন্না য়েংদুনা মাঙতাক-লাই পাউতাক ওইনা "মহাকসি মশক নাইবী লৈমা (নিংথৌগী তাল্লোই) অমা ওইরক্নি" হায়না হায়বীরকখি, হায়বা অহল লম্মনশিংগী হায়নবীসু লৈ।

কাঙমোং খুন্দা লৈরিবৈদা মাইস্না কুমুদিনীনা মশাগী চহি ১৩/১৪ (তরাহুমদোই/তরামরি) শুরক্লদুনা খৃ: ১৮০৫/.১৮০৬ কী মতমদা লৈশাবীশিংগী শীন্নাইফম কাবা হৌরকখি। মতমসিদা ঈবুংশীজ গম্ভীরসিংহ খুম্বোংদা লেক-চাদুনা লৈ। নোংমদি মহাক্না মমান্নবা খুম্বোংশিং অমসুং খুম্বোংময়ুম মচাশিংগা হৌনদুনা কাঙমোং মচা খরগা লোইননা কাঙমোং মাইস্নাম লৈকায়গী নোংচুপ্তা লৈরিবা কবোৱাকচীঙ (শানশিংগী মরোন্নি, ৱা হৌবা চীঙ হায়বনি) গী চীঙ্খোঙগী উমংদা শা তাল্লম্মী। মদুদা ঈবুংশীজ গম্ভীরসিংহ লমওক নাইতোম তোমচৎ অমা ফানবা হোৎনরুবদা লাইবক থীবদগী তা মখুত্তগী নাম্থোকখিদুনা ওক অদুগা ইননবদা শা অদুগী ময়ানা হাইদুনা য়াম্না থীনা শোকখিরম্মী। ওক অদুদি ময়াম চঙদুনা ফাবদি ফাহৌরে অদুবু ঈবুংশীজ গম্ভীরসিংহদি ঈহিং-নাইহিং শানা হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনা তাদুনা লৈরে। ময়ামনা শাগাই শারগা মহাকপু পুরক্তুনা কাঙমোং মাইস্নাম লৈকায়দা মাইস্নাম গৌরশ্যামগী য়ুমদা পুশিন্দুনা লাইকন্নরম্মী। মতমসিদা লৈশাবী ফারবী, পুক্নীঙদা নুংশি মিতম লাৎনবা থৌরাং তৌরক্লবী অমদি অপাম-নুংশি মশক খঙলক্লবী মাইস্না কুমুদিনীসু ঈবুংশীজ গম্ভীরসিংহগী লাইকন্নবগী লাংলিবা-চেল্লিবা মীয়াম মরক্তুদা য়াওরি। মমাঙ শঙ্গোয়দা থল্লিবা মৈদিংঙুচা গম্ভীর

সিংহগী মনাক্তা চঙদুনা অশোকপা হকচাংগী মফমশিংদা হীদাক তৈবা, থোম্বনচিংবদু য়াওরি। ঈবুংশীজ গম্ভীরসিংহ, শোক্লবসু শোক্লা নারবসু নানা মাইস্না কুমুদিনীগী অনাবা থৌগন্দুনা পেঞ্জখি। মাইস্না কুমুদিনীনসু নুমিত্তুদগী ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহগী চেংলৌ মশক খঙজখি। অদুগা থম্মোইদ্য মহাকপু থুনা ফহন্নীঙবগী ৱাখল ফাওখিরম্মী।

কাঙমোংগী মাইস্লাম গৌরশ্যামগী ময়ুম-ঈংখোন্দা নোংমদুমা লাইকন্নরগা অশোকপা ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহদু খুম্বোংদা মাগী মাম (মমাগী মবুং নত্রগা মপ্পা) শিংগী য়ুমদা শগাইদা পুখ্রে। কুমুদিনীগী থম্মোইদা লাংতক্লহৌই, নিংথৌমচাদু অমুক হন্না লাকখিগদ্রা হায়না ৱাখন্না হংহৌই। মথংগী থাদা ঈবুংশীজ গম্ভীরসিংহ মশাগী অশোক-অপনগী অনাবশিংদু ফরদুনা কাঙমোং মাইস্লাম লৈকায়দা মাইস্লাম গৌরশ্যামগী য়ুমদা তৌবীমল খঙবা উৎপা লাক্লম্মী। মহাক্লা শোক্তুনা লৈরিঙৈদা ফন্বা থবক তৌবীখিবা অমসুং থৌগল লাংগনবীখিবা মীশিংবু থাগৎচদুনা ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহনা ঈকাইখুম্নবা উৎচরম্মী। খোঙফম অসিদা ঈবুংশীজসিনা মহাক্কী পুক্লীঙগী ৱাফম মাইস্না কুমুদিনীদা ফোঙদোক্লম্মী। অদুবু নুংশিরবসু নুংশি হায়বা ঙমজদ্রবী লৈশাবীদুনা য়েংবদমক য়েং, চীম্বান্দদি মোমোন নোক্লগা ৱা অমতা ঙাংদনা লৈহৌখি।

কাঙমোংদগী মাইস্লাম গৌরশ্যাম, মাইস্লাম শাগৈগী পীবারেন অমসুং অতৈ মাইস্লামগী ঈমুং খরনা খ্বাই খুনফম থাঙমৈবন্দা য়ুমহোং-খুনহোংবসি মাইস্না কুমুদিনীনা মশাগী চহি ১৪ (তরামরি) মপুঙ ফাদুনা ১৫ (তরামঙা) চঙলকপা খৃ: ১৮০৬-০৭ কী মতমদনি। মাইস্না কুমুদিনীগী শীন্নাইফম কাবগী পুন্সিগী কাঙমোংদা লৈরিঙৈদগী হৌখিবনি। থাঙমৈবন্দা লৈরবসিদদি শীন্নাইফম কাবগী পুন্সিদুগী মপুঙ ওইবা থবকশিংদু পাংথোক্লকখি, মমান্নবীশিংগী মীরক তীনদুনা নুপীচা শীনফম/শীল্লমগী থবক শূবদা মীথক থোংলকখি। শীন্নাইফম কাবসিদা লীকতাকপী মমা-মন্দোন্না তাকৃপী-লীবীবদগী, মৈতৈ কাংলুপকী চৎন-লোনচৎ, চৎলম-লুপতীন, লমচৎ-শাজৎনচিংবগী মরমশিং, য়ুস্বান-কৈবানগী ৱারম-থৌরমশিং, খুন্নাইলোনগী চৎন-ইন্নরিবা চৎনবীশিং অসিনচিংবগী পাউতাকশিং অমসুং মৈতৈ অকন-অথৌশিং অমসুং শাথেং-লাম্হেংনখিবী থৌনা ফবী চনুরাশিংগী ৱারী-শীঙবুন্নচিংবা কয়া তারক-খঙলকখি। অসুম্না মহৈ-মশিঙশিং তম্না তম্না মাইস্না কুমুদিনীনা ঈমুং মনুংগী চাকথোং-ফৌশু, ফিশূ-ফিজাম্নচিংবা

থবক-ইনখাংশিংসু মতেং পাংলকখি। অদুগা ময়ুম শঙ্গাইদা ঈয়োং থাদুনা, শীনশূ-কা লীংদুনা খ্বাঙ ঈয়োং-ফি অমসুং পাংদিং ঈয়োং-ফি কয়া শাদুনা ময়ুমগী ঈমুং-মনুংগী মীওইশিংনা শীজিন্নবা ফিশিংসু পীরকখি।

য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাবা

মৈতৈ মী কাংলুপ অসিগী থায়নদগী চৎনরকপা ৱায়েন-কাংলোনগী মতুং ইন্না মাইস্না কুমুদিনীনা লৈশাবী ফারক-ওইরকপা, মশাগী চহি ১৪ (তরামরি) শুরকপগী মতাং-মতমসিগী পোইরে মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীগী মতম' তাংকক অসিদদি অমসুং মসিগী মমাঙগী মতমদদি খুন্নাইলোনগী নুপা-নুপী লৌন-লৈনবগী চহি মতাং অসি - নুপানা মশাগী চহি ১৫ (তরামঙা) অমসুং নুপীনা মশাগী চহি ১৩/১৪ (তরাহুমদোই/তরামরি) শুরবা মতমদা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদানরম্মী। মাইস্না কুমুদিনীনা মশাগী চহি ১৪/১৫ (তরামরি/তরামঙা) শুরকপদগী লৈপাম্বা খোইমুগী হকথেংনবা শাহুম/শউম ফংলবনি। পাইরক্লিবা খোইমুদু মাইস্না কুমুদিনী মশানা মশাগী চহি ১৩ (তরাহুমদোই) শুরকপা মতমদা মশাগী খুনয়ায় (কাঙমোং মাইস্নাম লৈকায়গী ময়ায়) দা চেনবা লৈমখোং (নত্রগা নম্বোন) তুরেন মপান্দা ঈরোই কাংপোৎ তোংদুনা লাকপা শগোন তোংদুনা চৎখিবা, মঙোন্দা মুন্না মুন্না য়েংলম্বা শকখঙনদনা থেংনখিবা, মশা খঙদনা লৈখোঙ শঙদুনা লৈরকপদগী শাদানবদা শানা শোকপদগী ময়ুমদা লাইকন-লাইকন্ননা পুশিল্লকপদগী লাইকন্নবীখিবা অমসুং শোকপা ফরবা মতুংদা ময়ুমদা লাক্কুনা মাগী থম্মোইগী ৱাফম ফোংদোক্লদুনা নুজাগী ৱাখন লৈতাহনখিদবা খোইমুদুনি। খোইমুগী শাগল- তুফাংগী শাহুম ফংবদুদা লৈরাং ওইবী মাইস্নানা পল্লেম-পম্ন্থৌগী লাইজা ঈকোম- চাওগোয়নুংদা শাৎচবী থম্বান্নি, পল্লেম- পম্ন্থৌগী য়াৱা ইনগনি ফোঙদোক্লকখিরম্মী। নুজা মাগী পুক্লীঙগী ৱাফমসি হোংহনবীগনুসু হায়জরকখিরম্মী।

মাইস্না কুমুদিনীগী পুক্লীঙগী ৱাফমসি, ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহবু য়ানীঙদবা-পামদবগী ৱা নত্তে, মপাবুংদা হায়না-শীঙনদুনা য়াহনবীয়ু, হায়জবনি। মরম অসিনা ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহনা মাইস্না কুমুদিনীগী পম্ন্থৌ-মপা মাইস্নামচা গৌরশ্যামবু পেনহন্নবা অমসুং য়াহন্নবা ঙাংন-শরুবা ঙমগদবা, খুম্বোংদা লৈবা মী অমা থিদুনা মাইস্নাম নিংঙোনসিবু ঈবুংশীজ শামুফাব (গম্ভীর সিংহ) গীদমক্তা

হায়না-শীঙনরে। হায়না-শীঙনরিবা মাইস্নাম গৌরশ্যামবু থেন্নিবা নুপাদু কাঙমোংগা খুন নক্কনা য়ুমলোন- য়ুমথংনবগুম্বা খুম্বোংদা লৈরকপা, লুনা-চান্না তীন্নরকপা খুম্বোংময়ুম নুপানি; ঈবুংশীজ শামুফাবগী মপুম (মামা, মমাগা পোকমিন্নবা মমাগী মবুং নত্রগা মপ্পা) শিংনি। মহাক্কী হৈ-শিঙবনা মাইস্নাম গৌরশ্যামগী মপুক্লীঙ পেলহল্লে, অদুনা মাইস্না কুমুদিনীবু ঈবুংশীজ শামুফাবগীদমক্তা পীরে।

ঈবুংশীজ শামুফাবা নত্রগা রাজা গম্ভীর সিংহ, খৃ: ১৮০৪ দা কছাড় ময়াং লৈপাক্তা লৈরুবদগী হল্লক্লগা পল্লেম মমা খুম্বোংময়ুমচনু ভাগ্যবতীগা লোইননা মপাবুং ঈবুংঙোগী অরোয়বা কোনুং খ্বাই খুনফম কোন্থৌজম য়ুম্ফম (হৌজিক্কী গোভর্নরগী লৈফম) দা মতমদুদা লৈরি, মহাক্কী তাল্লোই অহন লংমাইথেম (নোংমাইথেম) চনু তুলসীপৃয়াসু লৈমিন্নরি। অদু মৈদিংঙুচা শামুফাবগী অপাম-নুংশিগী মৈনা মাইস্নাম নিংঙোন কুমুদিনীবু হায়না-শীঙনদুনা খৃ: ১৮০৮ দা লুহোংলগা লৈখিরম্মী। মখোয় অনিনা লুহোং-খোঙদোংদুদা কোন্থৌজম য়ুমফমদা চহি অহুম ফারবদা খৃ: ১৮১১ দা মাইস্নামচা গৌরশ্যামনা খ্বাই খুনফম থাঙমৈবন্দগী য়াইস্কুল খুনফম চীঙঙামখাদা ঈংখোন অমা ফংলদুনা, মশাগী খুদোংচাগদবা, শাফগদবা অমসুং মশা কোমনা-নুংঙাইনা য়ুম পানবা য়াগদবা মওং-মতৌ, ফিবম্লচিংবা য়েংদুনা চীঙঙা চীঙদুমদগী ঈরাপ লাপ্তুনা লৈবা ঈংখোনদুদা য়ুমহোং-খুনহোংদুনা লৈখিরম্মী। অদুগা চীঙঙামখাগী ঈংখোন্দুদা মাইস্না কুমুদিনীসু, কোন্থৌজম য়ুম্ফম ময়াম্না থাদোক্লবা মতমদুদা মপাবুং ঈবুংঙো গৌরশ্যাম অমসুং অতৈ মাইস্নামচা মবুং-মপ্পা (মাইস্নাম শামুসিংহ কর্নেলনচিংবা) শিংগী মনাক্তা খৃ: ১৮১১ সিমক্তদগী ময়ুম-শঙ্গাই অমা তোঙান্না শাদুনা লৈখিরম্মী। ঈবুংশীজ শামুফাবসু তাল্লোই মাইস্না কুমুদিনীগী মতুং ইন্দুনা চীঙঙামখাদা মতম খর অমুক লৈ, পল্লেম মমা অমসুং তাল্লোই অহনগী মনাক ; কোন্থৌজম য়ুম্ফমদা মতম খর অমুক লৈ, চৎনা-থোক্লনা লৈরক্লম্মী।

মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোনগী খোঙজেন -

মৈদিংঙুচাশিং চৌরজিৎ অমসুং মারজিৎ লৌতুনা মৈদিংঙু তমলেনখোম্বা (মধুচন্দ্র নত্রগা নিংথেময়ায়মা মহারাজ) বু ময়াম্লুং লোইরেনখোম্বা (লাবন্যচন্দ্র নত্রগা নিংথেমহন মহারাজ) হাৎপগী লঙজবা মরান্দা পোইরে মৈত্রবাক্কী নিংথৌ

ফম্বালদগী খৃ: ১৮০৪ দা চিংথরগা তাম্হোকখিবনি। মচীন-মনাউ চহি ৫ / ৫ নিংথৌ অমসুং ৱাঙ্গোন-নিংথৌ [যুবরাজ (crown prince)] অমুক অমুক ওইনসি হায়না য়ানরগা ঈবুংশীজ চৌরজিৎনা খৃ: ১৮০৪ সিদা নিংথৌ ফম্বাল কাখিবনি। অদুবু মারজিৎ ৱাঙ্গোন নিংথৌনা চহি মঙাগী মতম ঙাইঙমদদুনা নিংথৌ ফম্বালগীদমক্তা ময়াম্বুং চৌরজিৎ মহারাজগী মথক্তা খৃ: ১৮০৬ তা লানহৌরগা ঙল্লক্তুনা অৱা লৈপাক (Mramma or Burma/Myanmar) তা চেনখিবা [মথক্কীসিদা, ১৯৬-৯৭] অমসুং অৱা নিংথৌগী মতেং লৌদুনা খৃ: ১৮০৭ তা মৈতৈ লৈপাক্তা অমুক লান্দারক্লগা মৈতৈ কোনুং কংলাদা লান তাশিন-তকশিল্লক্তুনা পোইরে মৈত্রবাক্কী মীয়াম্না লানগী মৈশা লাংখিরম্মী, অদুবু মিহৌ চাওরবদু মায়থীদুনা অৱা লৈপাক্তা অমুক হন্না চেনখিদুনা লৈখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১৯৮-৯৯]।

ঈবুংশীজ শামুফাবা অমসুং মাইস্না কুমুদিনী অনিনা যুবরাজ মারজিৎকী লানহৌগী লানগী লাল্লক্তুগী মৈচাক নংনা-নংনা খাঙলগা মহাক্কী লানহৌ লানসি লোয়রগা লুহোং-খোঙদোংদুনা লৌন-লৈনখি। মারজিৎ যুবরাজগী লানহৌসিদা অৱা-নিংথৌ বাদুন-মেঙ নত্রগা বোদোআ প্রা [Badun Meng or, Bodao-hpra (1781-1819 A.D.)] না ঈবুংশীজ মারজিৎতা, নচীন ননাউ খৎনগনু" হায়না থেমজিন্দুনা মারজিৎ যুবরাজনা খৃ: ১৮০৮ গী এপ্রিল ১৭ তা মৈত্রবাক্তা হল্লক্তুনা ময়াম্বুংদা লাল্লে হায়জরগা অমুক যুবরাজগী ফম হঞ্জিন্দুনা লৈখিরম্মী। অদুবু নিংথৌ ফম্বাল পাম্বগী ময়াইনা লাইচুরবা নিংথৌ মচা অসিনা চহিসিমক্তদা নবেম্বর- ডিসেম্বরদা অমুক হন্না হান্নগীগুম লান হৌদুনা মৈত্রবাক্তা লানগী ঈরাং থোকহনখি। মদুদসু মায়থীদুনা ময়াং লৈপাক কছাড়দা চেনখিরম্মী। অদুগা ময়াং লৈপাক্তগী মখা মায়কৈদা লুশাই চীঙলোমদা হাইথরক্লগা নোংপোক্লোমদা চৎখিদুনা আরাকান য়োমা (Arakan Yoma) চীঙশাং তারগা চীঙশাংদুদগী অৱা লৈপাক্কী লমদম ফংলগা অৱা কোনুংদা চঙজখিরম্মী। মতমসিদা ঈবুংশীজ শামু ফাবা অমসুং মাইস্না কুমুদিনী মতৈ-মনাউ অনিসি খ্বাই খুনফম কোম্হৌজম য়ুম্ফমগী কোনুং অমনবদা লৈরি। মদুদগী খৃ: ১৮১১ দা মাইস্না কুমুদিনীসি চীঙঙামখাদা মপাগী অনৌবা ময়ুম-ঈংখোন্দা হোংদুনা লৈখিরম্মী। মৈদিংঙুচা শামু ফাবসু মাইস্না কুমুদিনীগী মনাক্তা চীঙঙামখাগী মাইস্নাম ঈংখোনসিদা মরক মরক্তা লৈররম্মী।

খৃ: ১৮১৩ দা অৱা লৈপাক্তা যুবরাজ মারজিৎনা অৱা নিংথৌদা মহাকপু মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল ফংনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু, ঐসি নখোয়গী নিংথৌ শাগৈ (Konbaung Royal Dynasty) গী নচানুপী অমা লৌরিবনি, মৈতৈ নিংথৌ ওইগে, লান্মী পীয়ু মৈত্রবাক্তা লান্দাগে, মদুগী মমল ওইনা যুবরাজ মারজিৎ মহাক অৱা নিংথৌগী মখা থাবা নত্রগা মখা পোনবা নিংথৌ ওইগে অমসুং মৈতৈ কটেকী লম, মৈতৈ কবো-তম্পাক (Kase Shan Valley) অৱাদা পীথোক্লগে হায়না চঙজখিরম্মী। অৱাগী কোনবউঙ নিংথৌ শাগৈগী নিংঙোন নিংথৌমচানুপী (মমিংদি ফংবা ঙমজদ্রে) লৌরিবা মারজিৎ যুবরাজদা মীনুংশি পোক্তুনা অমসুং অৱা নিংথৌমচানুপী অদুগী য়াইফনবগী মায়কৈদা মিৎয়েং থমদুনা অৱা নিংথৌনা লান্মীগী, শেন-থুমগী নচিংবা মতেং পীরম্মী [N.N.A., 1983, 174]। মদুদগী মৈদিংঙুচা মারজিৎনা অৱা লান্মী মপৈ অমা পুদুনা লাক্লগা খৃ: ১৮১৪ গী মার্চ থাদা লান্দারক্তুনা মার্চকী চৈচৎ ২৭ নোংমাইজীঙ নুমিত্তগী এপ্রিলগী চৈচৎ ৬ য়ুমশকৈশ নুমিৎ ফাওবদা লান শোক্লরগা নুমিৎসিমক্তদা মৈতৈ কোনুং কংলাদা চঙদুনা মারজিৎনা নিংথৌ ওইখি অদুগা চৌরজিৎ মহারাজনা ময়াং লৈপাক কছাড়দা চেনখিরম্মী।

মৈদিংঙুচা শামুফাবগা কুমুদিনীগা কায়নবা

মৈদিংঙুচা শামুফাবা অমসুং মাইস্নামচনু কুমুদিনী, মতৈ-মনাউ অনিসি য়াম্না চান্নজে-নুংশিনজে। অদুবু মৈদিংঙুচা মারজিৎনা অৱা লান্মী পুরক্তুনা খৃ: ১৮১৪ গী মার্চ-এপ্রিল থাদা লান্দারকপা অমসুং অৱা লান তৌনরিঙৈ মনুংসিদদি ঈবুংশীজ শামুফাবসি মমা খুম্বোংময়ুমচনু ভাগ্যবতীগী মনাক্তা খ্বাই খুনফম কোন্থৌজম য়ুম্ফমদা লৈরম্মী। লান লোয়খ্রবা মতুংদা মৈদিংঙু মারজিৎনা লান ঙমদুনা মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাদা নিংথৌ ওইদুনা পানখ্রে। মদুগী মতুংদা চহি-কুমসিমক্কী শজিবু চৈরাউবা, শক ১৭৩৬ কী শজিবু ২২ নি পানবা (খৃ: ১৮১৪ গী এপ্রিল ১২) লৈপাকপোকপা নুমিৎকী মতুং হুমনি কোনবা ঈরাই (চৈচৎ ১৫।৪।১৮১৪ ইং) নুমিত্তগী মৈদিংঙুচা শামুফাবা, গম্ভীর সিংহনা মহাক্কী খোয়দাজরবী তাল্লোই মাইস্না কুমুদিনীগী মনাক্তা, চীঙঙা মখাগী মাইস্নাম কোল্লুপ্তা লৈরম্মী। মতমসিদা মাইস্না কুমুদিনীসি মশাগী চহি ২২ (কুননিথোই) শুরে, মৈদিংঙুচাসিনা মঙোন্দগী চহি ৪ (মরি) হল্লি। মৈদিংঙুচা গম্ভীর সিংহবু চীঙঙামখাগী মাইস্নাম কোল্লুপকী নুপাশিং

পুম্নমক্লা মরু ওইনা মাইস্না কুমুদিনীগী মপুং মাইস্নাম শামু সিংহ (কোন্না তুলি য়ায়ম মেঞ্জোর, লুৱাং নিংথৌ অমসুং কর্নেল) না চেৎনা-নুংশিনা, লুনা-চান্না অমসুং ঈকাই খুম্মনা লোইনজৈ।

মৈদিংঙু মারজিৎনা নিংথৌ হেক ওইবদগী মহাক্কী নিংথৌ ফম্বালসিদা মাগী মফমদা অয়েৎপা-অথিংবা পীরক্কদবা নিংথৌ ফম্বালগীদমক্তা নিংথৌ শেম্লক্কদবা নত্রগা লান হৌরক্কদবা অমসুং নিংথৌ ফম্বালসি মুল্লবা য়াবা মৈতৈ নিংথৌ ফম্বালদা হক লৈবা অমসুং ফম্বালসি ফংফম থোকপা ওইবা য়াবা মৈতৈ নিংথৌ মচাশিং অমসুং নিংথেম মচাশিং পুম্নমকপু মাঙহন্নবা খুজীন- থৌরাংশিং অমদি শরৌ-লাংথাকশিং লৌখৎলক্লম্মী। মহাক্কী অরোনবা- অচেৎপা মনাইশিংগী খুৎপু অমা নুমিদাং অমসুং অহিংগী মতমশিংদা ফিমু শেত্তুনা, ফিমুগী কোকয়েৎ য়েত্তুনা অমদি খদাংচেৎ লাক্তুনা কোয়না চৎলগা নিংথৌমচাশিং অমসুং নিংথেমমচাশিংগী ময়ুম-ময়ুমদা লোন্না, মী খঙহন্দনা চঙলগা নিংথৌমচা নত্রগা নিংথেমমচাদুবু লোয়শিল্লুনবা-হাত্তোক্লুনবা খুজীন- থৌরাংলম্মী। হায়রিবা শরৌ- থৌরাংসিগী মখাদা অকক্লবা অমসুং অখন্ননা পান্দম থল্লিবসি মমাঙদগী হৌনা মমিং মিংফম ফাওরক্লবা অমদি শফম লৈরক্লবা মৈদিংঙুচা শামুফাবা গম্ভীর সিংহসিনি। মহাক কদায় লৈরি, করি করি তৌরি, কনা কনা লোইনরি, অসিনচিংবগী মরমশিংদা মৈদিংঙু মারজিৎকী অরোনবা অমসুং অরোৎপা মনাইশিং, লাল্লোই-লাল্লোইলেন শকলোৎপশিংনা লোন্না য়েংলি, থিজিল্লি, পাউ লৌরি অমসুং মহাক্কী খোঙথাংশিং, খোঙফমশিং অমদি ফিবম-ফিরেপশিং খুদিংমকপু য়েংশিল্লি।

মৈদিংঙুচা শামুফাবসি চীঙঙা মখাদা মহাক্কী তাল্লোই অপাম-খোয়দাজরবী মাইস্না কুমুদিনীগী মনাক্তা য়াওং ইন্দুনা শীঙজমৈ চীঙঙামখাগী মাইস্নাম কোল্লুপ্তা লৈরি হায়বসি মৈদিংঙু মারজিৎকী অরোনবা-অরোৎপা শামী/লান্মীশিংদুনা খঙখিরম্মী। অহিংদা ফিমু শেৎপা, অয়ুক-নোংথিন্দা লৈঙাক-ফি থোনবা নিংথৌগী মনাইশিং অদুনা অহিং অমদা ঈবুংশীজ শামুফাববু লোয়শিন্না লেপ্পরে। মখোয়না মহাক্লা লৈরিবা চীঙঙামখাগী মাইস্নাম কোল্লুপকী ঈংখোন্দু অহিংদুদা পুমকোয় কোয়শিল্লগা মায়কৈ পুম্নমক্তুগী লান্দাশিল্লম্মী। মদুগী মরমদা থম্বীরল্লিবা ৱারোল্দি:-

... লংমাইথেম মনিগী কুম শক ১৭৩৬... কালেন থা... ৩ নি থাঙজ (খৃষ্ট: কুমশীঙ ১৮১৪ গী এপ্রিলগী চৈচৎ ২৩) দা চীঙঙামখাদা মী ২৪ হাৎএ [মথক্কীসিদা, ২১১]।

অসিনি। নুমিৎসিগী অহিংসিগী মী খঙহন-উহন্দনা লোন্না লান্দাশিল্লকপসিদা মৈদিংঙুচা শামুফাবনা অহিংদা মপান থোক্লকপদা নীন্নবা, লাউন-খোংনরকপগী মখোন খর তারকপদগী মশাগী মখুৎ চাবা খুৎলাই পায়দুনা লান্দারক্লিবা য়েক্লবশিং অদুগা লাম্বা পানদুনা লান শোক্লখি। অসুন্না অমম্বদা লাম্থেংনবগী হাৎন-শুনবা মরক্তুদা নুপী অঙাংশিং কন্ননবা, ঙাক-শেন্ননবা লাউন-খোংনবা কয়াসু য়াওরম্মী। অসুন্না অহিংদুদা লাংনা-লাউনবা, কপ্পা-নীন্নবা, কৌন-খোংনবা, অসিনচিংবনা মফমদুগী লৈকায়দুগী নত্রগা কোল্লুপ্তুগী অনকপদা লৈবা কোল্লুপ অমসুং য়ুম-ঈংখোনগী মীশিং তুম্লুবদগী মীকপ থোক্লরক্তুনা মাগী-মাগী মখুৎ-চাবা, মশানা হৈনজবা অমসুং মশাদা খুৎলোইবা খুৎশূ-খুৎলাইশিং পায়দুনা চেন্থোক-হোত্তোক্লরক্লম্মী অমম্বা মরক্তুদা নোংথাঙ কুপ্পগুম থাঙ হাইনরকপগী অমসুং তা থিন্নরকপগী খুৎলাইগী ময়াশিং থেঙ্গায়-থেংজিন্নবদা থোক্লকপা মৈরীক্কী মঙানশিংনা ঙাইহাক ঙাইহাক ঙাল্লম্লগা মুৎখ্রি। অমম্বা মরক্তুদা অমুকসু নম্না-কাওনবগী, থিন্ন-থানবগী অমসুং লৈথোক-লৈশিন তৌনবগী মতৌশিং অদু মমি-শামি ওইনা উরম্মী। মতমসিদা কাংঙবা ক্ষেত্রিশিং (কাংঙবা/কাংঙবম থাঙ্গাল নত্রগা চিদানন্দ সিংহ, জেনরেলগী অপোকপা মপাবুংনি) না অমম্বা মচী অমদা মী অমখক্তদা মী ময়াম্না কোয়শিল্লগা লান্দাশিল্লিবা, মতোমতনা মীয়ামগা লাম্বা তৌদুনা লাম্থেংনরিবা শক্তম নত্রগা লান শোক্লবগী মশক অমা উরক্লম্মী। কাংঙবা ক্ষেত্রি সিংহ থীন্থদনা পাইশিল্লক্তুনা মতোমতা ঙাইরবা মহাক্কী লান পাংলরে।

নাইতোম মতোমতবু মীয়াম্না কোয়শিন্দুনা মতোমতা নাইতোম মশা কঞ্জনবা লানশোক-লাম্থেংনরল্লিবা মীশক্তু মৈদিংঙুচা শামুফাবা গম্ভীর সিংহনি। কাংঙবা ক্ষেত্রি সিংনা মহাকপু লানবাংবীরকপদগী মহাক শাফরে। মখোয় অনি চঙদুনা য়েক্লবশিংদু তানখায়দুনা চেন্নখ্রে। কাংঙবা ক্ষেত্রিসিংনা ঈবুংশীজ শামুফাববু পুথোক্লক্তুনা য়েক্লবশিংদু লৈতবা অচীকপা মফম অমদা লৈহল্লগা অহিংদুদা, "মহাকপু কনানো" হায়না হংবদগী মহাক, মৈদিংঙুচা শামুফাবা গম্ভীরসিংহনি, হায়বা খঙলে। অদুগা ঈবুংশীজ শামুফাবনসু মহাকপু কল্লরিবা মীশক্তু কাংঙবা

ক্ষেত্রিসিংনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। কাংঙবা ক্ষেত্রিসিংনা ৱাখল মুন্না তৌরুরগা মৈদিংঙুচা অদুগী পুন্সিদু খুদোংথীবনা লাঙ্গোয় চন্দুনা লৈরে, মহাক্না মৈত্রবাক্তা অসুম লৈরবদি ফররোয়, মথৱাই হিংননবা মীরৈবাক ময়াংলৈবাক কছাড়গী লমদমদা লৈরুবনা ফারগনি, থোক্লিবা থৌদোকসিদা তাক্লিবদি মহাক্কী পুন্সিবু তেমশীঙনবনি, অদুনা ময়াং লৈবাক্তা চৎখ্রো, চেনখ্রো, হায়বা ৱাফমসি থল্লকখিরম্মী। মৈদিংঙুচা শামুফাবনসু অহিংদুগী তৌরি-ওইরিবা ফিবমশিং অদু চুমলে, মহাকপু হাৎননবা মী খরগী থৌরাং লৈরে, হায়বসি মহাক য়ারে অমসুং মফমদু থাদোক্তুনা ময়াং লৈপাক্তা চৎখিবগী ৱাফমদুসু য়ারে। অদুনা নুংশিরবী পল্লেম মমা অমসুং পামু-খোয়জঙজরবী তাল্লোই অনি তাক্লম-উনরমদনা অহিংসিমক্তদা চীঙঙামখাগী মাইস্নাম কোল্লুপকী ঈংখোল মনাক্তগী ময়াং লৈপাক কছাড় তম্না ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহ চেনখিরম্মী [S.J.J., 1990, 74-75]। অসুম্না মাইস্না কুমুদিনীনা মপুরোইবা ঈবুংশীজ শামুফাবা, গম্ভীর সিংহগা মতম খর কায়নখিরম্মী।

চহি তরেৎ খুন্তাকপা

মৈদিংঙুচা শামুফাবনা খৃ: কুম: ১৮১৪ গী এপ্রিলগী চৈচৎ ২৩ অমসুং ২৪ গী লোন্নবা অহিংদুদগী মৈত্রবাক মণিপুর থাদোক্তুনা ময়াংলৈবাক কছাড়গী খাসপুর কংলৈদা চেনখ্রবদা কাংঙবা ক্ষেত্রিসিংনা মখা অমুক শাংথদনা অহিংদুদা হাৎন-শুনবগী ঈরাং তৌরিবা চীঙঙামখাগী মাইস্নাম ঈংখোলদু থাদোক্তুনা তুমিন্না ময়ুমদা চঙখ্রে। মহাকসু চীঙঙামখাসিদা মাইস্নাম কোল্লুপকী ঈংখোলদগী মখারোমদা চথুরগা লৈবা লৈচেৎ-লৈকায়দা লৈবনি। মহাক নোংঙাল্লগসু কনা অমতদসু হৌখিবা অহিংদুদা থোকখ্রিবা ঈরাংদুগী মরমদা ৱারী শাদনা লৈপাক মীয়ামগী ঈরাং য়েংদুনা কনানা, করিগীদমক্তা, করম্না ঈরাংদু শাগৎলিবনো হায়বসিগী অশেংবা-অচুম্বদু খঙননবা মতোমতা লোন্না ঈ-পাউ লৌবা হৌখ্রে। অদুবু ৱাফমসি চীন থোক্লবা য়াদনা লৈপাক-নিংথৌগী ওইবা ৱা, নিংথৌ ফম্বাল চেৎনা লৈহন্নবগী ৱাফম অমসুং ৱা মচেৎ অমতং কাংথোক্লুবদা থৱাই মাঙনীঙঙাই ওইবা ৱারম ওইবনিনা মনা-মনীন নাইদনা তুমিন্না অদুম লৈশিন্নখ্রে। অদুগা ৱাফমদু পাল্লিবা মৈতৈ নিংথৌ মারজিৎ মহারাজনা লৌখৎলকপা মৈত্রবাক্কী চাওখৎ-থৌরাং অমসুং য়াইফ- থৌশীলগী নুংঙাইনবা খোঙথাং অমসুং লৈবাক মরা তপ্পবগী থৌরাংশিংগী শরুক ওইনা য়েংদু-তাদুনা লৈখ্রে।

মৈদিংঙু নোংপোক ৱাইরং পাম-হাইবা/পামহৈবা, ২ শুবা [ময়াম্বা/ময়াংঙম্বা, অহুমশুবা, মৈদিংঙু মারজিৎ, নিংথেমতোন মহারাজ-২শুবা অমসুং বীরচন্দ্র সিং (খৃ: কুম: ১৮১৪-২০)] সি মীনা মহাক্কী মথক থোংখিবসি ঈয়া য়ানীঙদবা নিংথৌনি। মহাক্না অৱা লৈপাক্তা অৱা কোনুংদা শাইদাংদুনা লৈরিঙৈদা খৃ: কুম: ১৮১০-১৪ ফাওবদা অৱা নিংথৌ মচানুপী অমা লুহোংদুনা লৌরগা, মৈতৈ কবো তম্পাক পীথোক-কখোক্তুনা অৱা নিংথৌগী মখা-পোনবা নিংথৌ অমা ওইজগে, হায়দুনা অৱা নিংথৌমচা অৱাগী ৱাঙ্গোন নিংথৌ (মতুংদা অৱাগী নিংথৌরেন খৃ: কুম: ১৮১৯ দগী ওইরক্কদবা) মেঙ-তারাগ্যি নত্রগা সাগাইং মেঙনা যুবরাজ ওইরিঙৈদা মাগী মতেংনা অৱা নিংথৌ বোদাআ-প্রা (খৃ: ১৭৮১-১৮১৯) গী মফমদা ৱানোমদুনা অৱা-নিংথৌসিগী মতেং ফংদুনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইবা ফংলগা মৈতৈ নিংথৌ ওইরবা মতমদদি অৱা নিংথৌবু থৌশারক্ত্রে। অৱা নিংথৌসিগী মপোক নুমিৎকী নীঙশিঙ থৌরম (Birth-day celebration) য়াওরনবা পাউজেন থারক্তুনা কৌরকপদা মশা চত্রে, মনাই লাইফমলাকপা হুইদ্রোম্বা সুবলবু খুদোলপোৎ পুহন্দুনা থারে [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ১১২]। মসিদগী অৱাশিংনা মহাকপু শাওবা হৌখ্রে। মরু ওইনা ৱারৌরিবা-শাওরিবসি অৱাগী ৱাঙ্গোন নিংথৌ সাগাইং-মেঙ্ অসিনি। অদুগা মৈদিংঙু মারজিৎনা করিসু থৌশারুদে, হায়রুরগা য়েক্লবনা লুমদুনা লৈ, নিংথৌ ফম্বাল থাদোক্তুনা চৎপা য়াদে, কোনুংদগী চথোকপা য়াদে, অদুনা অৱা কোনুংদা লাক্তবনি হায়দুনা খুমদোকই।

মারজিৎ মহারাজনা অৱাশিংদা মহাকপু শাওনীঙবগী মতৌ লৈরে তাবদা থোইদোক্লা চিংনরুবা তৌদে, মপাঙ্গল হেনবা নিংথৌনি, মাগী মপান্না ঙসি মহাক্না নিংথৌ ওইবা ফংলিবনি, হায়বসি সুপখন খনদ্রে। হেন্নদুম ফোংনা শীঙনদুনা মনাইশিং থাজিন্দুনা পীথোকখ্রবা মৈতৈ কবো তম্পাক্তগী চীঙশু উশিং য়ালহল্লে, অমদি অৱানা য়াদবা থবকশিং মখল-মখা পায়খৎলে অমসুং পাংথোক্লে। অৱা নিংথৌগী কোনুংগা মান্নবা মখা থাবা নিংথৌশিংনা মখোয়গী কোনুংশিংবু শেমগৎ-শাগৎপা য়াদবা, শঙ্গাই মওং-মতৌ মান্নবা শাবা য়াদবনচিংবা তৌরে, পাংথোক্লে অমদি অথিংবা কয়া পায়খৎলে। মদুশিংদুনা অৱা নিংথৌ, মাগী অঙম-অথৌশিং অমসুং লান্মীশিং মখোঙ্গী থীৎনা শাওহল্লে। অদুনা ৱাঙ্গোন নিংথৌ

ওইরম্বা সগাইং-মেঙসিনা খৃ: ১৮১৯ দা ফাগ্যি-দোআ [বাগ্যী-দোআ (খৃ: কুম: ১৮১৯-৩৭] হায়বা মিংসিদা অৱাগী নিংথৌ ফম্বাল কাদুনা অৱা নিংথৌ ওইরক্লে। মহাক্লা তৌবীমল খওদ্রবা মৈতৈ নিংথৌ মারজিৎকী মফমদা লমন খুম্নবা থবক পায়খৎলক্লে অমসুং অৱাগী অচৌবা লান্মী তেঙ্গোন অমা পাখানৱোন [পাগানৱোন (Commissioner of Pagan region)] অমসুং কানেউন [কলে ৱোন (Commissioner of Kale region)] কৌবা লাঞ্জিংলেন-পুরেন (General) অনিগী মখাদা থারক্লুনা চহিসিগী (খৃ: কুম: ১৮১৯ গী) ডিসেম্বর ১৯ দা মৈত্রবাক্তা লান্দারকখিরম্মী। অৱাগী লান অদু থাসিগী ২১ দগী শোক্লবা হৌরগা মায়থীরদুনা চৈচৎ ২৮ দা মৈত্রবাক কায়খি [মথক্কীসিদা, ২১৬]। অদুগা মারজিৎ মহারাজদি মৈত্রবাক্কী লাই শ্রীগোবিন্দগী পুদুনা কছাড় সোনাইদা লাঞ্জেনখিরম্মী। অসুম্না পোইরৈ মৈত্রবাক মণিপুরদা খৃ: কুম: ১৮১৯ গী ডিসেম্বরগী ২৮ লৈপাকপোকপা নুমিত্তগী মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীদা অমুবা ময়েক্লা ইরবা চহি তরেৎ খুন্তাকপা হৌখিরম্মী।

মাইস্নাম চনু শীজ কুমুদিনী মৈত্রবাক কায়বা অমসুং চহি তরেৎ খুন্তাকপা হৌবগী নুমিৎসিদা মহাক্কী মপাম ওইরবা চীঙঙামখাগী মাইস্নামচা গৌরশ্যামগী ময়ুম ঈংখোল অমসুং কোল্লুপতা লৈরি। লৈপাক কায়বগী পাউসি ফংবগা মখোয় মাইস্নামচাশিংসিসু নুমিৎসিমক্তদা ময়াং লৈপাক কছাড়দা লাঞ্জেন্নবা খুৎলৈ থুনা হোৎনরি। মখোয়না শীজ কুমুদিনী পুদুনা তোংজৈ মরীনগী লম্বীদা লাক্লগা শিলচর কংলৈদা থুংলরম্মী। মফমদুদগী মখোয়না মৈদিংঙুচা শামুফাবনা মহাক্কী নোমজ-শূজমন ওইনা ময়াম্নুং চৌরজিৎ মহারাজ নিংথেমতোন অহন্না, খৃ: কুম: ১৮১৭-১৮ দা মৈদিংঙু মারজিৎ নিংথেমতোন অতোনবনা ময়াংলৈপাক কছাড়দা লান্দারকপদা ঙাক্তথোকপা-থিংবা ঙমখিবগী কছাড়ী নিংথৌ হিরম্বরাজ গোবিন্দচন্দ্র নরায়ন (খৃ: কুম: ১৮১৩-৩০) দগী ফংবা কছাড় লৈপাক তংখায় অমা [ব: ক: শ:, ২০১১, ৪৫-৫২] গী অমুক তংখায় অমা খৃ: কুম: ১৮১৮ দা ফংজদুনা পাল্লিবা অপূনবা কছাড় লৈপাক্কী মশুঙ [মরি থোকপগী শরুক অমা (Quarter)] গী লমদমগী লৈপাক্কুগী কোনুং গুমরাহ কংলৈ তম্না লাক্লম্মী। হায়রিবা গুমরাহ কংলৈসিদা কোনুং শেমদুনা শঙ্গাই শাদুনা মৈদিংঙুচা শামুফাবা গম্ভীর সিংহনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লিবনি [মথক্কীসিদা, ৪৫-৫২]। মফমদুদা

পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তগী লাঞ্জেল্লকপা মাইস্নাম শীজ কুমুদিনীগা লোইননা লাকমিন্নবা মাইস্নাম গৌরশ্যাম্নচিংবা মাইস্নামচাশিংদু থুংলরে। মখোয়বু মৈদিংঙুচা গম্ভীরসিংহনা তরাম-তরাম্না ওকপীরে। অসুম্না মাইস্নাম চনু কুমুনিদীনা চহি ৬/৭ কায়নরুরবা মতুংদা মপুরোইবা মৈদিংঙুচা গম্ভীর সিংহগা অমুক হন্না উনরে, মতৈ-মনাউ থুংনজরে।

রাজা গম্ভীর সিংহ লেভী

মৈদিংঙুচা শামুফাবা গম্ভীর সিংহনা খৃ: কুম: ১৮২০ হৌগৎলকপদগীদি মমা লৈপাক মৈত্রবাক মণিপুরবু অৱা ত্রাম্মা/ম্যান্মশিংগী মখুত্তগী হন্দোক্লবা মতমদুগী অৱাং-নোংপোক ভারতকী লৈঙাকলোনগী থৌশীন-থৌরাংগী পোরম-পোমিৎ য়াৎপদা পুক্নীঙ হকচাং থমখ্রে। মতমদুগী কছাড়দা লৈরিবা মৈতৈ নিংথৌ মচাশিংসি মরন্নাই-মরোমদোমগী ওইনা মশা কঞ্জ-ঙাকচনবা খোঙলোই-লাল্লোই লান্মী খুৎলাই/নোংমৈ পায়বা মীওই ১০০ (চামা) দগী তাদনা থম্মৈ নত্রগা লৈনৈ। ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহসি হৌজিক্তি কছাড় লৈপাক্কী লমতুপ লৈয়াৎ অমগী লৈঙাকপা নত্রগা নিংথৌ ওইরিবনিনা মহাক্কী খোঙলোই-লাল্লোই লান্মীসি মীশীঙ ৫০০-৬০০ (চামঙা-চাতরুক) তি লৈরম্মী। অদুগা মতমদুদা মায়কৈ অসোমদা (অৱাং নোংপোক ভারত্তা) খুৎকন-পাঙ্গল্লিবসিনা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীনি। অদুনা মৈদিংঙুচা গম্ভীর সিংহনা মখোয় (বৃটিশশিং) গা খুৎশম্ননা চৎমিন্ননবা অমসুং মখোয়গী মতেং লৌনবা হোৎনরম্মী। খৃ: কুম: ১৮২৪ গী জানুৱারী থাগী মতমদা অৱাশিংনা, কছাড়গী নিংথৌ হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নরায়না হায়জরুবদগী কছাড়দা লৈরি-পাল্লিবা মহারাজ চৌরজিৎ, মহারাজ মারজিৎ অমসুং মৈদিংঙুচা ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহ, মৈতৈ নিংথৌমচা অহুমসিবু হিংনা ফাননবা কছাড় লৈপাক্কী মায়কৈ অহুমদগী (মণিপুররোমদগী অমসুং পাৎকোই চীঙশাং ফাওরক্লগা অহোম লৈপাকলোমদগী অমদি জয়ন্তিয়া চীঙলৈপাক্তগী) লান্দাশিল্লক্লম্মী। মসিদা বৃটিশশিংনা মখোয়গী অৱাং-নোংপোক ভারতকী লৈকোক-লৈয়োন [হেডক্বার্টর্স (Headquarters)] সীলেটকী ঙমখৈ ঙাক্ল-কন্নবা অমসুং মফমদুগী ঙমখৈ-লমখৈ ৱাংমদা লান তৌননবগীদমক্তা মখোয় বৃটিশকী হান্না থল্লম-লৈরম্বা লৈঙাক্লোনগী থৌশীন-থৌরাং- "ইন্দিয়াগী নিংথৌ পানবা লৈপাকশিংগী মখোয় মশেন খৎনবা, লান তৌনবা অমসুং অতৈ হিরম- ৱারমশিংগী য়েৎন-লৌ

তৌনবনচিংবদা খুৎ থিংজিল্লোয় অমদি মদুগুম্বা ৱাফমশিংদা মখোয় কনা অমতগী মতেং পাংলোয় অমসুং মীচঙ চঙলোয়" - হায়বসি লৌথোকখ্রে। অদুগা কছাড় লৈপাক অসি মখোয় বৃটিশশিংনা ঙাক-শেল্লবা অমসুং য়োক-কল্লবা লৈপাক [প্রোটেক্তেট স্টেট/কিংদম (Protected State/Kingdom)] নি হায়না অৱা/বর্মীজশিংগী লৈঙাক-লুপ (গোভর্নমেন্ট) তা খঙহনখ্রে। অদুগা কছাড় লৈপাক্তা লৈরম্বা মৈতৈ নিংথৌ মচাশিং, মরু ওইনা মৈদিংঙু চৌরজিৎ, মৈদিংঙু মারজিৎ অমসুং ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহবু কছাড় লৈপাক্তগী তাম্থোক্তুনা নত্রগা লৌথোক্তুনা সীলেটতা লৈহনখ্রে নত্রগা থমখ্রে। মসিদা মৈদিংঙুচা গম্ভীর সিংহনা পাশা/সীলেটতা মহাক্কী লৈফম অমা কোনুং ওইনা শেম-শাদুনা লীংখৎখি। হায়রিবা সীলেটকী কোনুং মফম অসিদা মাইস্নাম শীজ কুমুদিনীসু কছাড়গী গুমরাহ কংলৈ কোনুংদগী মপুরোইবগা লোইননা খৃ: কুম: ১৮২৪ দগী হোংলক্তুনা লৈখিরম্মী।

বৃটিশশিংনা ভারতবর্ষগী নিংথৌ পানবা লৈপাকশিংগী ৱারোঙ-ৱাথোকশিং, খৎন-চৈনবগী শাথোক-লাম্থোকশিংনচিংবদা খুৎ থিংজিল্লোয়, কনাগীসু মীচঙ চঙলোয়, হায়না লৈরম্বা লৈঙাক্লোনগী থৌশীন-থৌরাংদু খৃ: কুম: ১৮২৪ গী জানুৱারী থাদগী লৌথোকখ্রে। মসিদা খৃ: কুম: ১৮১৫ দা মশামক বৃটিশ ভারতকী লৈকোক কলিকটা (হৌজিক্কী ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী কোনুং কোলকতা) তা চত্তুনা লৈঙাক ৱায়েন-ৱাখুন্না য়ারবা মৈতৈ-মলেসকী মরী (Anglo-Manipuri Relation) লীংখৎলুবা মহারাজ চৌরজিৎ অমসুং মনাউ-ঈবুংঙো মৈদিংঙুচা গম্ভীরসিংহ অনিনা তোংঙান তোংঙান্না মৈত্রবাক মণিপুরবু অৱাগী মখুত্তগী হন্দোক্লবা হোৎনবদা বৃটিশকী মতেং লৌননবা, তেংবাং ফংননবা তোপ-তোপ্না হোৎনরম্মী। মখোয় অনিগী হিদান্নবা লমজেনসিদা ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহনা ডেভিদ স্কোট (David Scott) কৌবা বৃটিশ সীলেট হেডকার্টর্সতা থবক তাবা গোবর্নর-জেনরেলগী এজেন্ট অমসুং সীলেটকী মেজিষ্ট্রেট অদুগী মপান্না মায় পাকখিরম্মী।

"বৃটিশনা খৃ: কুম: ১৮২৪ গী মার্চ চৈচৎ ৫ দা বর্মা (Burma or present Myanmar) গী মথক্তা লান তৌরে" হায়না অহানবা ব্রাম্মা-মালেম লাঞ্জাও, খৃ: ১৮২৪-২৬ লাউথোকখ্রে [ডা: ল: চ:, ১৯৭০]। মদুগী মতুংদুদা মৈদিংঙুচা গম্ভীর সিংহবু মৈত্রবাক মণিপুরগী ওইনা খন-হাপ্লগা "রাজা [নিংথৌ (King)]"

হায়বা মিংথোল পীদুনা মহাক্কী মমিংদা খোঙমী ৫০০ (চামঙা) অমসুং শগোল লান্মী ৫০ (য়াঙখৈ) না শাবা লান্মী-লুপ লাল্লুপ (Levy) অমা খৃ: কুম: ১৮২৪ সিগী এপ্রিল থাদগী লীংখৎনবা য়াথং পীরম্মী। অসুম্না রাজা গম্ভীর সিংহ লেভী [Raja Gambheer Singh Levy] কৌবা খোঙমী ৫০০, মখোয়গী ফম্নাইবশিং (Non-Commissioned Officers) ৫০, শগোল-লান্মী ৪০ অমসুং শগোন-মকোক (Sirdar/Sarddar) ৪ গা লোইনবসি কছাড়গী বডরপুরদা ফমলেন-ফম্বীরেন (Headquarters) ওইদুনা লীংখৎখিরম্মী। রাজা গম্ভীর সিংহ লেভীসি বৃটিশ ইন্দিয়ান আর্মী (বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীনা লীংবা) গী কন্মিসন্দ ওফিসার অমনা তাকপী-তম্বীগদবনি। লেভীসি খৃ: কুম: ১৮২৫ গী ডিসেম্বর ২৩ দগী "মণিপুর লেভী" হায়বা মমিংসিদা ওল্লকখি।

সীলেটতা মাইস্না কুমুদিনী – শীজ মাইস্না কুমুদিনীনা পাশা-শিলোৎ (সীলেট) তা লৈরকখিবসি খৃ: কুম: ১৮২৪ গী জানুৱারী থাদগীনি। রাজা গম্ভীর সিংহনা সীলেটতা লৈরম্বদগী চহিসিগী এপ্রিল থাদা রাজা গম্ভীর সিংহ লেভী লীংখৎলবা মতুংদদি লেভীগী হেডক্বার্টর্স বদরপুরগা সীলেটকী মৈতৈ কোনুংগা অনিসি চৎন-থোক্লা অমদা ৫ নি লৈ, অমদা ১০ নি লৈ তৌরম্মী। অদুবু ঈবুং শীজ রাজা গম্ভীর সিংহগী তাল্লোইশিং-লংমাইথেমচনু তুলসীপৃয়া অমসুং মাইস্নাম চনু কুমুদিনীদি সীলেট কোনুংদা অদুম লৈরম্মী। রাজা গম্ভীর সিংহনা বদরপুরদা লৈরুরগা সীলেটনা ময়ুম ওইনা মরক মরক্তা হল্লকপনিনা মতৈ মনাউগী ৱারী-ৱাতাই শানবদি অদুম মফংঙি।

মাইস্না কুমুদিনীসি য়ুমগী নুপী অমা ওইনা ঈমুং-মনুংগী থবক-ঈনখাং চাকথোং-ফৌশু, ফিশূ-ফিজাম, কোল্লিক-ৱাইরম, লমশেং-তুশেংনচিংবা খর শূর-তৌরগা পঙলৈ লৈগনবী নত্রগা মতম লেনবা ঙাইগনবী নুপীগী কাংলুপ অদুগী মনুং চনবী নুপী নত্তে। মচু থোকপা, খ্বাইনা মশক খঙবা অমসুং মীয়াম্না ঙাংন-শোন্নগদবা থবক পাংথোক্লগা মশাগী পুক্নীঙ-ৱাখন নুংঙাইজবী অমসুং থম্মোই-থৱাই পেঞ্জবী নুপী পীদা অদুগী মরক্তা লৈবীনি। মরম অদুনা মশাগী শাজেন লেপ্তুবী, কাউখ্রববু নীঙশিঙনবা ঔরাইবী অমসুং অফবা-ফজবা পরাবু খুৎলোইননবা হোৎনবীনি; মরক মরক্তা অঙাং ওইরিঙৈ, লৈশারিঙৈদা তম্লকখিবা শা-লানগী শাজেন ফাওবদা তৌবী নুপীনি। মীওইবগী পুন্সিদি তম্বা ঙম্বা নত্তে;

অদুগী মথক্তা য়েক্লবনা লাঙ্গোয় চন্দুনা লৈরবা মৈতৈ নিংথৌ মচা ওঙবী ওইবনা কৈদৌঙৈ, করম্বা মিৎকুপ্তা শাথেং-লাম্থেংনগনি হায়বগী অরেপ্পা অমদি অকক্লবা খঙদবনা মিৎকুপ অমদা হেক্তা য়েক্লবা নত্রগা য়েংথীনবা মীনা লান্দাশিল্লকপা অম্নসুং লান তকশিল্লকপা য়াবা পুন্সিনি, হায়বসি মাইস্না কুমুদিনীনা পুক্লীঙ-ব্রাখন্দা মতম চুপ্পদা/পুম্নমক্তা থমদুনা মশাগী হকশেন-শাজেন তৌদুনা লৈজবীনি। মপুরোইবনা সীলেটতা লৈতবা, বদরপুরদা নত্রগা অতৈ লমশিং নত্রগা মফমশিং অমদা লৈখিবা-মতমদনা হেন্না মশা চেকশিন্না লৈবী মৈতৈ চনুনি।

মাইস্না কুমুদিনীনা মণিপুরদা থোক্লকপা

মাইস্না কুমুদিনী চেংলৌ হেন্না শক্তা-মায়দা চুম্বী, লফু লায়োনগী লময়ৌবা মচুনা কুচুনবী, তোংগাননা থীকলেন চাইজী হেনবী, চীঙগী লফু লেম্রাগী মখোক-মখোঙনা নিংঙোন শমু নীঙদানবীনি। মহাক্লা মৈত্রবাক্কী চহি তরেৎ খুন্তাকপা, মশাগী চহি ২৮ দগী মৈত্রবাক মণিপুর থাদোক্তুনা কছাড় অমসুং সীলেট লৈরুরগা খুন্তাকপা লোয়খ্রগা মৈত্রবাক্তা হল্লক-থোক্লকখিবনি।

রাজা গম্ভীর সিংহ লেভীগী লাঞ্জিংলেন-পুরেন রাজা গম্ভীর সিংহ, লাঞ্জিংলেন-পুরেনসিগী ঙমথং লানজিং-পুরেন ঈবুংশীজ নরসিংহ লেভীগী কম্মান্দিং ওফিসার, সুবেদার ৫ (মঙা), জমান্দার/জমাদার ১০ (তরা), হবিল্ডার (সার্জেন্ট) ১০ (তরা), নাইক ২৫ (কুনমঙা) অমসুং শগোল-লান্মীগী শগোল মকোক ৪ (মরি), মখোয়সিগী মখাদা খোঙমী-লান্মী (সিফাই) ৫০০ (চামঙা) অমসুং শগোল-লান্মী (ক্রপ্পর) ৪০ (নিফু), পুন্না লাল্লোই ৫৯৬ (চামঙামৌদ্রা তরুক) অসিনা কছাড় লৈপাক্কী বাসকান্দিদগী খৃ: কুম: ১৮২৫ গী মেগী চৈচৎ ২৫ দগী মৈত্রবাক মণিপুর হন্দোক্লবা বৃটিশকী লেফটেনেন্ট রোবার্ট বোইলিয়ু পেম্বর্টোনগা লোইননা লাক্লম্মী। মখোয়না মৈত্রবাক্কী নোংচুপকী চীঙলোনশিং লান্দুনা চহিসিগী জুনগী চৈচৎ ১০, ঈরাই নুমিত্তা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী ময়ায়গী তম্পাক্কী নোংচুপ ঈথং থংবা ফিবান্দা লৈবা মৈতৈ খুন মাকলং খুঙ্গংদা থুংলরম্মী। নুমিৎসিদা অৱাগী লানশঙ অনি থুগায়দুনা অৱা তাম্থোক্লবা লানগী লম্মৈ থাবা হৌরকখি [ব: ক: শ:, ২০০৯, ১৩১-৩২]। ময়াং কৈনৌ (হৌজিক্কী নম্বোল মখাগী ওয়নাম কৈনৌ খুন) অমসুং নুঙঙা চীঙমী খুন্দা শারম্বা অৱাগী লানশঙ অনিসি থুগায়রবা মতুংদা জুন ১০ অমসুং ১১ গী নুমিৎ নিনীদু পোখারে। অদুগা

জুন ১২ নোংমাইজীঙ নুমিত্তুদা মাকলংদগী অয়ুক অঙনবদা রাজা গম্ভীর সিংহ লেভীনা ইম্ফাল (মাকলংদগী ইম্ফালগী কংলা ফাওবসি মাইল ১০ নত্রগা কিলোমিটর ১৬ লাপ্পবনি) দা লাকপদা কংলা কোনুংলেনগী কাঙজৈবুঙ (মনুং কাঙজৈবুঙ) দা শারন্বা অৱা তেঙ্গোনগী লানশঙ-লানবন কায়দুনা অৱাশিং চেনখিবনা লান থেংনদনা কোনুংলেনসিদা চঙদুনা লৌশিল্লগা রাজা গম্ভীর সিংহদা মৈতৈ নিংথৌ ওইনা ফম্বাল কাখিরম্মী [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২২৪]। অদুগা মনাউ ঈবুংঙো নরসিংহ, রাজা গম্ভীর সিংহ লেভীগী কম্মান্দিং ওফিসারবু লাঞ্জিংলেন পুরেন (সেনাপতি) হাপখিরম্মী।

মতুং তারকপদা মৈত্রবাক - মণিপুরগী ইম্ফাল কংলৈলম নত্তবা অতৈ লমদমশিং - পানাশিং, লমতুপশিং, লৈকায়শিং অমসুং লৈয়াৎশিংদা শারন্বা অমসুং লৈবা অৱাগী তেঙ্গোন লানবনশিং অমদি লানশঙশিংসু মতোম-মতোমতমক লোয়না কায়জখ্রবা অমসুং লৈত্রবনা খৃ: কুম: ১৮২৫ গী জুন থাসিগী মনুংদা মৈত্রবাক মণিপুরবু অৱাশিংগী মখুত্তগী হন্দোক্লে। অদুবু মৈত্রবাক মণিপুরগী ময়ায় থংবা তম্পাক্কী লমদম অসি চহি ৭ (তরেৎ) চুপ্পা লৌউ-শীঙউরক্ত্রবনিনা চানা-থক্লবা চীঞ্জাক লৈত-ফংদদুনা অৱাবা তারম্মী। রাজা গম্ভীর সিংহ লেভীগী সিফাইশিংগী চীঞ্জাক লৈরক্তবনা রাজা গম্ভীর সিংহনা লেভীগী খোঙমী ২০০, শগোল লাম্মী ২০, মখোয়গী ফম্লাইবশিং অমসুং বৃটিশকী লাঞ্জা-লময়েংবা লাকপা লেফটেনেন্ট রোবার্ট বোইলিয়ু পেম্বর্টন (আর: বি: পেম্বর্টন) গা লোইননা সীলেটতগী চীঞ্জাক লৌবা চহিসিগী জুন থাসিগী ২৮, লৈপাকপোকপা নুমিত্তা সীলেটকীদমক্তা মৈত্রবাক মণিপুর থাদোকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২২৪]।

রাজা গম্ভীর সিংহনা খৃ: কুম: ১৮২৫ গী জুন-জুলাইদগী মৈত্রবাক-মণিপুরদা লৈত্রিঙৈদা ঈবুংশীজ নরসিংহ, সেনাপতিনা মৈত্রবাক ঙাকহৌখি। মসিদা অৱাশিংনা শরৌ- লাংথাক কয়া শীজিন্নবা হৌরকখি, অদুবু মনাউ ঈবুংঙো নরসিংহনা লৈঙাক্লোনগী লৌশিঙ-লৈঙাক্লা, "নিংথৌ লৈত্রি, নিংথৌ লাক্লগা খন্নসি", হায়দুনা অৱাশিংগী শরৌদু লায়না নাম্থোকখিরম্মী। অদুগা মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহনা সীলেটতা থা ৫ (মঙা) লৈরগা বৃটিশকী সীলেট হেডকার্টর্স পুবা ওফিসারশিংগী খুথাংদা বৃটিশকী সুপ্রিম এডমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিলগা লেভী শেমগৎ-শাগৎপা, চাওখৎ-হেনগৎহন্নবনচিংবগী ৱাফমশিং, পাউ চৎনদুনা

য়ানরে। অদুগা সীলেটতগী বৃটিশ ওফিসার অনি, মমিং পল্লবদা, কেপ্তেন এফ: জে: গ্রান্ট অমসুং লেফটেনেন্ট আর: বি: পেম্বর্টনগা লোইননা রাজা গম্ভীর সিংহ অমসুং মাগী মীওইশিংনা সীলেটতগী চীঞ্জাক, নোংমৈ হীদাক (Gun powder), কার্ট্রিজ (Cartrige), লান্মী ফিজেৎ-ফিজোল (Uniform), অহেনবা নোংমৈনচিংবা পুদুনা লাক্লম্মী। মখোয়সি মাকলং মৈতৈ খুন্দা চহিসিগী ডিসেম্বর ১৮ নোংমাইজীঙ নুমিত্তা থুংলরম্মী। অদুগা ডিসেম্বরসিগী ২৩ ঈরাই নুমিত্তা মাকলংদগী কংলা কোনুংদা চঙদুনা লেভীগী সিফাইশিংদু ভিক্টরিয়া পল্টন (Victoria Platoon) ৪ হায়না চাক পীজরগা লেভীগী মমিং "মণিপুর লেভী" হায়না ওল্লে, লান্মীগী খোঙমী মশীঙ ১,০০০ (লীশীঙ অমা) দা হেনগৎনা, শগোল লান্মীনা ১০০ (চামা) ওইনবা বৃটিশ ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টনা অয়াবা পীরে, হায়বনচিংবা নুংঙাইরবা পাউশিং পেরেড তৌরগা লাউথোকখিরম্মী।

শীজ মাইস্না কুমুদিনীনা মপুরোইবা রাজা গম্ভীর সিংহনা মৈত্রবাক্তা লান্দাবা চৎলুরগা মায় পাক্তুনা সীলেটতা লেঙলক্লম্বা অসিদা মবুংঙোগী থৌগল ফংজহৌরম্মী। মপু-মনাই ৱারী শানবদা মৈত্রবাক মণিপুর অৱাগী মখুত্তগী মপুঙ ফানা হন্দোক্লে, মৈত্রবাক্তা অৱা লান্মী লৈত্রে, লোয়নমক মণিপুর থাদোক্তুনা মরৈবাক্তা চেনখ্রে, অদুনা মণিপুরদা খুদোং থীনীঙঙাই নত্রগা অৱাবা তানীঙঙাই করিসু লৈত্রে। মৈত্রবাক মণিপুর মহাক্কী মমিংদা নত্রগা মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ নিংথৌগীদমক্তা মনাউ ঈবুংঙো নরসিংহ সেনাপতিনা লৈপাক ঙাক্লি। মৈত্রবাক্তা চিংননীঙঙাই করিসু লৈত্রে, হায়বনচিংবা ঈ-পাউ পুম্নমক তারে, ফংলে অমসুং খঙলে। মরম অদুনা মাইস্না কুমুদিনী শীজনা মপুরোইবা রাজা গম্ভীর সিংহনা ডিসেম্বর হৌগৎলকপদা মণিপুরগীদমক সীলেট থাদোকখ্রবা মতুংদা ঈকুই কুইদনা মাইস্নামগী মপাবুং অমসুং মবুং-মপ্পাশিংদা মৈত্রবাক মণিপুরদা থোক্লনবগী ৱাফম হৌদোকখি অমসুং পুখৎলকখি। লৈপাক্কী লানগী ঈরাং, মপুরোইবনা হায়রম-পীরম্বা পাউ, মণিপুর লেভী চাওথোকহন্নবগী থৌশীল-থৌরাংগী ৱাফম লৌখৎনবগী বৃটিশশিংগী ফিরেপ্পচিংবগী মরমদা শন্দোক্লা ঙাংন-শানরে। মাইস্নামগী মীওইশিং অদুনসু ৱাফমসি য়ানরদুনা শীজ মাইস্না কুমুদিনী, মপাবুং গৌরশ্যাম, মাইস্না শামুনচিংবা মবুং-মপ্পাশিং অমসুং ঈমুং মনুংগী নুপী-অঙাংশিং পুম্নমক মৈত্রবাক তম্না লাক্লে। মাইস্না কুমুদিনী মৈত্রবাক্তা থোক্লকপসি মহাক্লা লম্মাংদোং (বিষ্ণুপুর/বিসেনপুর) দা থুংলবগী মতাংদা পীবীরম্লিবদি :-

... ওয়নাম বলরামগী কুম শক ১৭৪৭... পোইনু থা ... ১০ নি য়ুমশকৈশ (খৃ: কুম: ১৮২৬ কী জানুৱারী ১৮) দা শ্রীঈবেম্মা মাইস্না অপানবী বিষ্ণুপুরদা থুংলৈএ [মথক্কীসিদা, ২২৫]।

অসিনি। হায়রিবা মতমদুদদি মৈতৈগী কোনুংসি লম্মাংদোংদা ওই, অদুবু মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ লম্মাংদোং কোনুংদা লৈতে। তুমুদা শাবা অৱা তেঙ্গোনগী লানবন থুগায়নবা অমসুং মৈদিংঙু মারজিৎ মহারাজনা মণিপুরগী নিংথৌ ফম্বাল ফংনবা অৱা নিংথৌদা কথোক্লম্লবা মৈতৈ কবো তম্পাক অমসুং অতৈ মৈতৈগী লোইলমশিং অমুক হন্না লান্দাদুদা লোই চল্লগা লৌশিন্নবা চৎখি্র [মথক্কীসিদা, ২২৬]।

খৃ: কুম: ১৮২৬ কী ফেব্রুৱারী ২১ য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মহারাজ গম্ভীর সিংহনা মৈতৈ কবো তম্পাক (Kase Shan Valley) নৌনা অমুক লান্দাদুনা লোই চল্লুরগা হল্লকপদা থৌবালদা নুমিৎ ৯ (মাপন) নী পল্লু-লেল্লুরগা লাক্কুনা লম্মাংদোং বিষ্ণুপুরদা থুংলগা লম্মাংদোং শাবা মৈতৈ কোনুংদা চঙখিরম্মী। হায়রিবা নুমিৎ (চৈচৎ ২২।২।১৮২৬ ইং) সিদা মাইস্না কুমুদিনীনা মপুরোইববু উজবা অমসুং ৱারী-ৱাতাই শাবা ফংজখি। হায়রিবা মতমসিদা শীজ মাইস্না কুমুদিনীসি অপানবী (মৈতৈ লৈমা/লৈমরেন নত্রগা মহারাণীগী মথংদা লৈবী মৈতৈ নিংথৌগী তাল্লোই/লৈমা) গী ফম ফংলে-ওইরে। অদুদগী ঈবেম্মা অপানবীসি মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বা নত্রগা মহারাজ গম্ভীর সিংহনা মৈত্রবাক-মণিপুরবু নৌনা অমুক লৈশেম-লৈশারকপা, মনীঙ-মখা তম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমুক অনৌবা ওইনা লীংখৎ-শেমগৎলকপগী থৌরাং পুম্নমক্তা শরুক য়ারম্মী। অদুগা খৃ: কুম: ১৮২৬ সিদা লন্নাইগী হরাউ- তয়াম্বগী থৌরম ওইনা মৈদিংঙু অমসুং ঈবেম্মা অপানবী অনিসি থাঙ্গদা হৈ চানবগী পাউজেন- পাউকৎ থাঙ্গগী মীশিংনা কৎচরক্কুনা চহি-কুমসিগী জুলাই ২৩, লংমাইজীঙ (নোংমাইজীঙ) নুমিত্তা মৈদিংঙুনা অপানবী য়াওনা হৈ চানবা লেঙখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২২৬]।

য়ুম্বানবগী মরন্নাই পুন্সি

শীজ মাইস্না কুমুদিনী, মশাগী চহি ১৬ (তরাতরুক), খৃ: কুম: ১৮০৮ দা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাখিবনি। অদুবু মশাগী চহি ৩৫ (কুন্থ্রামঙা) শুদ্রিবা ফাওবা মমিত্তা মচা উবা ফংখিরমদে। অদুগা মহারাজ গম্ভীর সিংহগী তাল্লোই লৈমা ১১

[তরামাথোই (লংমাইথেম চনু তুলসীপৃয়া, মাইবমচনু থাবা, নারেংবমচনু ধনবতী, ফিজমচনু রূপশ্বরী, লাইশোমচনু মেঘমালা, পোৎশঙবম্চনু দেবযানী, মাইস্নামচনু কুমুদিনী/পোংলেনখোম্বী, মাইবমচনু তুতেশ্বরী, য়ুমলেম্বমচনু রসবতী, লংমাইথেমচনু গোবিন্দমালা অমসুং অঙোমচনু তুলালী)] অসিগী মনুংদা মাইবমচনু থাবানা সনাহল মনোরঞ্জন পোক্লগা নৌনা নোঙ্গাখিবা অমসুং মাইস্নাম চনু কুমুদিনীনা তম্ফা ৱাংঙমলোন চীঙঙাখম ওঙবী অমসুং মচাঙ্গীবুংঙো সনাহল/চন্দ্রকীর্ত্তি পোক্কুনা লাইবক ফবী ওইখি, অদুগা অতৈ লৈমশিংদি চাদা-নাউদাদবী ওইনা পীবীরম্মী [ম: স: ক: এ:, ১৯৯৪, ২৭৫-৭৬]। অদুনা মাইস্না কুমুদিনীগী য়ুম্বানবগী মরন্নাইগী ওইবা পুন্সিসি মচীনঙৈদা মায় পাক্ত্রবসু মমৈ ওইরকপদা তশেংনা মায় পাকখিবা পুন্সিনি। মহাকসি মশাগী চহি ৩৩-৩৪ গী মতমদদি লৈহাউ ফবা লৌফম ওইরকখি। মহাক্কী খোয়জী খাগী লৌবুক্তা হুনখিবা মরু অদু পুক্লীঙ থুংনবা হৌরক্কনবী ওইরকখিবনি। অদুনা মহাক্কী চাবোক-ৱাঙ্গোনশঙ হৌবগী লমদাংদা পীবীরল্লিবদি :-

.... সোইবম খুল্লীংগী কুম শক ১৭৪৮ ... ৱাকচীঙ থা... ৭ নি শগোনশেন (খৃ: কুম: ১৮২৭ কী ফেব্রুৱারীগী চৈচৎ ১) দা শ্রী ইবেম্মা মাইস্নাম অপানবীগী ৱাংকোনশঙ হৌএ [মথক্কীসিদা, ২২৭]। ... ফাইরেন থা... ৫ নি শগোনশেন (খৃ: কুম: ১৮২৭ কী মার্চ থাগী চৈচৎ ১) দা ঈবেম্মা অপানবীগী ৱাঙ্গোনশঙ হৌএ [মথক্কীসিদা, ২২৮]..।

অসিনি। অদুগা মাইস্না কুমুদিনীনা নাকলু ফিয়াল্লিবা, চকমোম তেমখোঙ লোল্লিবা নাউৱা অসি নুপীনি। অঙাং অসি উন্নখিবগী থম্বীরল্লিবা ঈ-পাউদি:-

... মুতুম খোম্বগী কুম শক ১৭৪৯... কালেন থা... ২৬ নি নিংথৌকাব (খৃ: কুম: ১৮২৭ কী জুন থাগী চৈচৎ ১৮) দা শ্রীঈবেম্মা মাইস্নাম চনু অপানবীনা মচা শীজ পোকএ। ব্রাহ্মনতা তাংকা, শেন দান তৌএ [মথক্কীসিদা, ২২৯]।

অসিনি। মচাঙ্গীবেম্মসিগী অশেংবা মমিং মথা ফংবা ঙমদে, চীঙঙাখম য়ুম্নাক্তা ওঙঙি হায়দুনা "মচেম ঈবেম্মা চীঙঙাখম ওঙবী" হায়না ইবীরম্মী। মহাকসি মশাগী চহি ১৩ (তরাহুমদোই) দা চীঙঙাখমদা থিন্থখি। মপ্বা ঈবুংঙো নিংথেম পীশক [সার চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (খৃ: কুম: ১৮৩৪-৪৪ অমসুং

১৮৫০-৮৬)] না পানবা অনিরকশুবা মতমদা যুবরাজগী ফম থিন্দোকখি, ওইখি অমসুং মণিপুরগী যুবরাজশিংদনা লাৎনবা শ্রীবৃন্দাবনচন্দ্র কৌবা শ্রীকৃষ্ণগী শক্তমগী লাই অদু মাগী নুপাময়ুম চীঙঙাখমদা পুদুনা লাৎখিরম্মী। মহাক্না পুন্সি তেল্লকপনা মপ্পা ঈবুংঙোসিগী সনা হাক্তকসিদা নৌনা নোঙ্গাখিরম্মী।

মাইস্না কুমুদিনীগী মচা শীজ চীঙঙাখম ওঙবীসি পোক্নুনা য়োক্লিঙৈগী মতম, মাইস্নাম চনু অপানবীসিনা মৈতৈ লৈমা (লৈমরেন/মহারাণী) ওইরবা মতম মশাগী চহি ৩৯ (কুন্থামাপন) শুরবদা তাউজীঙ হৈরু পন্দুনা মশাগী চহি ৪০ (নিফু) শুবদা মচাঈবুংঙো সনাহল (সার চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ, কে: সি: এস: আই:) পোকখিরম্মী। হায়রিবসিগী ঈ-পাউদি :-

... থাঙজম উরাবগী কুম শক ১৭৫৪... থৱান থা ৭ নি ঈরাই (খৃ: কুম: ১৮৩২ আগষ্টকী চৈচৎ ৩১) দা মহারাণী [খৃ: কুম: ১৮৩০ দা মাইস্না কুমুদিনীবু মৈতৈ লৈমা/মহারাণী হাপখি (মথক্কীসিদা, ২৩৮-৩৯)] গী চাবোক-ৱাঙ্গোন হৌএ... হিয়াঙ্গৈ থা... ১৩ নি লৈপাকপোকপা (খৃ: কু: ১৮৩২ গী ডিসেম্বরগী চৈচৎ ৪) দা মচা ঈবুংঙো সনাহল পোকএ [মথক্কীসিদা, ২৪১]।

অসিনি। মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বা নত্রগা রাজা গম্ভীর সিংহগী সনা ঈনা পোকপা মচা ঈবুংঙোশিংগী মনুংদা মহাক্না মচানুপা অহন ওইরে, অদুনা "সনাহল" হায়না মিংথোনবনি। মহাকসি মতমদুগী তুংলমচৎকী মৈদিংঙু নাউজীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বা নত্রগা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ হায়বদুনি। অসুম্না মাইস্নাম চনু কুমুদিনীগী য়ুম্বানবগী পুন্সিসিগী মরন্নাইগী ওইবা পুন্সিসি মহৈ য়ানবা পুন্সিনি, হায়জনীঙঙি। তাইবং মপুনা পীবা পুন্সিগী লীক্লমদা চেন্থবা পরীং ওইবনা পুন্সিসি তশেংনমক মমল য়াম্বা পুন্সিনি, মৈত্রবাক্কী পুৱারীনা মমল লেপ্লিবনি।

হরাউ-নুংঙাইবগী পুন্সিদা

মাইস্নাম চনু কুমুদিনী মহারাণীগী হরাউ-নুংঙাইবগী পুন্সিদি মহাক্কী লৈশারিঙৈগী মতমগী ওইবা ৱারোন্দি নীঙথিনা ফংবা ঙমদে। মহাক্না পীক্লিঙৈদগী পুঙকক চাওরক্লবা ফাওবদা মশুঙ-মমান্নবীশিংগা চেন-চোংদুনা অমসুং ফম-লেপ্পুনা উরাউবী তান্নবা, অমাং-কৈরোই শান্নবা, ঔরী (হরি)-বান্দোং য়ান্দুনা শান্নবা, মরূম কোনবী শান্নবা, খুলোকপী শান্নবা, লাইধী-শান্নবা, চাকথোংবী শান্নবা,

অসিনচিংবা মশান্নশিংদা নোক-খেদুনা হরাউ তয়ান্না শান্নমিন্নদুনা অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সি লেপ্লকখি। অদুগা মশাগী চহি ১১, (তরামাথোই) দগীনা ১৩ (তরাহুমদোই) শুরকপা মতমদা শনগাড়ী, ঈরোই কাংপোৎ/কাংকোৎনচিংবা তোংবাগী হরাউ-নুংঙাইজবা অমসুং মসিদগী মশাগী চহি খর হেনগৎলক্লগা কাঙ শান্নবা, লীক্কোন শান্নবা, শীন্নাইফম কাবগী ৱারী-ৱাতাই শানবদা হরাউ-নুংঙাইবা ওইদুনা লৈশাবীগী পুন্সিগী মতম লোয়খিবনি। মসিশিংসি মতমদুগী মণিপুরী খুন্নাইদুদা চত্থরিবা খুঙ্গং অমসুং কংলৈগী পুন্সি অনিমক্তা লৈরিবা চৎলম পরীং-পথাপনি।

মাইস্না কুমুদিনী য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদারক্লবা মতমদা মপুরোইবগী মিৎয়েং মখাদা লৈজদুনা মপুরোইবগী থৌগন তৌজবনা মহাক্কী হরাউ-নুংঙাইবা ওইদুনা লেপ্লকখিবনি। অদুবু মহাক্কী মপুরোইবনা মীথোই-মীহেনবা, মীথক থোংবা মীওই অমসুং পোইরৈ মৈত্রবাক্কী মবুংঙো ওইবনা লৈপাক খ্বাইনা মপুরোইববু হরাউ-নুংঙাইহন্নবা হরাউ-থৌরম কয়া পাংথোক্লিবা অমসুং নুংঙাই' থৌরাংশিং কয়া লৌখৎ-পায়খৎলকপনা মহাক্কী থৌচৎ-থৌরমশিংদা শরুক য়াদবা য়ারমদে। মথক্তা মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহনা মাইস্না কুমুদিনী অপানবীগা থাঙ্গদা হৈ চাবা চৎপগী থৌরম অমা পঞ্জখ্রে। অদুগীসু মথক্তা মাইস্না কুমুদিনীসি মৈদিংঙুনা খ্বাইদগী হেন্না খোয়দানা-পামজনা লৌজবী লৈমা ওইবনা মৈদিংঙু-ঈবুংঙোনা হরাউ-তয়াম্বগী মতমদা মায়য়োক য়ানীঙবগী অপাম্বগী পুক্নীঙগী ৱাফমসু লৈবনা শীজ কুমুদিনীসি মৈদিংঙুগী, লৈমকোন-নিংথৌকোনগী অমসুং লৈপাক্কী হরাউ- তয়াম্বা অমসুং হরাউ-কুম্মৈশিংগী মতম-মতমদা শরুক য়াদবা য়ারমদে, হরাউ-নুংঙাইবগী পুন্সিদা চঙদবা য়ারমদে। মরম অদুনা মাইস্নাম চনু কুমুদিনী শীজনা শরুক য়াখিবা হরাউ-তয়াম নত্রগা হরাউ-নুংঙাইবগী অফংবা থৌদোক খর খুদম-চাংদম ওইনা থমজরি :-

(১) খৃ: কুম: ১৮২৭ কী এপ্রিল ৩০ নিংথৌকাবা নুমিত্তা নিংথেম ময়ুম শাগৈ (Royal dynastic family) গা অঙোম ময়ুম শাগৈ (Angom royal dynastic family) গা অনিসিনা শগোল কাঙজৈ শান্নবদা ঈঘেম্মা অপানবী (মাইস্না কুমুদিনী) নচিংবা কোনুংগী লৈমা-নিংথৌকোনগী লৈমশিং পুম্নমক কুম্মৈ য়েংখি অমসুং কাঙজৈদু নিংথেম ময়ুম্না থোইরবদা ক্নোনুংগী লৈমশিংদুনা হরাউ-নুংঙাইবা ফোঙদোক্লুনা জগোয় শাখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২২৯], মসিদা

মাইস্না কুমুদিনীসু জগোয় শাবদুদা শরুক য়াখ্রিবনি। কাঙজৈসি চহিসিগী মেগী চৈচৎ ৮দা অমুক হন্নদুনা শান্নখি, মদুদসু নিংথেম ময়ুম্না অদুম থোইখিরম্মী, লৈমশিংসু হান্নগীগুম হরাউ-নুংঙাইবা ফোংদোকখি অমসুং অঙোম ময়ুম্না ৱাশা শাখি [পোৎ-চৈ/অচাপোৎনচিংবা কোংবা নত্রগা ফাইন (Fine) তৌবা] রম্মী [মথক্কীসিদা, ২২৯]।

(২) খৃ: কুম: ১৮২৭ সিগী জুলাই ২৮ থাঙজা নুমিত্তা মাইস্না কুমুদিনী অপানবী থাঙ্গদা ঙা চাবা চৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২৩০]।

(৩) খৃ: কুম: ১৮২৭ সিগী সেপ্তেম্বর চৈচৎ ১৪, ঈরাইদা লাংথবান (কাঞ্চিপুর) গী লৈশাং হিদেনগী লৈশাংখোং মশাংদা হিয়াঙ তান্নবগী হিয়াঙ কুম্মেদা লম্মাংদোং (বিষ্ণুপুর) কোনুংগী মীওই পুম্নমক কুম্মে য়েংবা [মথক্কীসিদা, ২৩০] লাকপদা মাইস্না অপানবীসু কুম্মে য়েংবা য়াওখি।

(৪) চহিসিগী ওক্তোবর ২৮, নোংমাইজীঙ নুমিত্তা লম্মাংদোং (বিষ্ণুপুর) দগী লংথবান (কাঞ্চিপুর) দা কোনুং হোংবসিদা মাইস্নাম চনু অপানবী কুমুদিনীদি নুমিৎসিদা হোংগৎপা য়াওখিদে। মহাক্তি নবেম্বর থাগী চৈচৎ ১ শগোনশেন নুমিত্তা লম্মাংদোংদগী লাংথবান্দা হোংগৎলকখি [মথক্কীসিদা, ২৩০]।

(৫) চহিসিগী ডিসেম্বর থাদা কছাড়গী জারীবনদগী শ্রীগোবিন্দজী লেঙলকপদা মৈতৈ লৈপাক্কী মীয়াম্না লমতুপ-লমতুপ খুদিংদা থোক্তুনা ওকপা, খুরুম-খাজঙজদুনা অমসুং ঈরাৎ- থৌনীদুনা থৌগঞ্জবা অমদি ডিসেম্বর থাসিগী ২৬ লৈপাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা লাংথবান কোনুংগী লাইফম (পানা) শঙলেন মমাঙদা থুংলগা লাইশঙদা লেঙশিনবগী [মথক্কীসিদা, ২৩১] মতমদা মাইস্নাম নিংঙোন কুমুদিনী অপানবী লাইনীঙগী হরাউ- তয়াম্বগী থৌরমসিদা শোয়দনা য়াওখি।

(৬) খৃ: কুম: ১৮২৮ গী ফেব্রুৱারী চৈচৎ ৯ থাঙজা নুমিত্তা শ্রীমতী মহারাণী লংমাইথেমচনু (নোংমাইথেম নিংঙোন তুলসীপৃয়া)না ককয়ায় (নোংচুপ ইম্ফাল পানাগী অনিশুবা লমতুপ/লৈয়াক্তা লৈবা) দা হৈ চাবা চৎপা অমসুং মথংগী নুমিৎ নোংমাইজীঙ হল্লকপদা ককয়ায়গী লৌবুক্তগী কেংঙোই হেকপ [মথক্কীসিদা, ২৩১] দু মাইস্না কুমুদিনী অপানবী য়াওখিরম্মী।

(৭) খৃ: কুম: ১৮২৮ সিগী ফেব্রুৱারী থাসিগী চৈচৎ ১৮ নিংথৌকাবা নুমিত্তা মৈতৈ কোনুংগী লৈমশিং, নিংথেম নুবীশিং পুন্নমক, মহারাণী (তুলসীপৃয়া) না চিংদুনা কোনুং অমনবা (কংলা কোনুংলেন) দা উতোংচাক চানবা চৎপ [মথক্কীসিদা, ২৩১] সি মাইস্না কুমুদিনী শোয়দনা য়াওখিরম্মী।

(৮) খৃ: কুম: ১৮৩২ কী জুলাই ২৮ থাঙজা নুমিৎকী মৈত্রবাক মণিপুরদা কাং চিংবা, রথ যাত্রা হৌদোকপা নুমিৎকী লাইথৌ হরাউ-কুম্মৈসি [মথক্কীসিদা, ২৪১] মাইস্না কুমুদিনী মহারাণীসি শরুক য়াখিরম্মী।

(৯) খৃ: কুম: ১৮৩৩ গী ডিসেম্বর থাগী চৈচৎ ২৭ ঈরাই নুমিত্তগী মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাদা লাইয়িংথৌ পাখংবা হরাউবগী লাইথৌ- থৌরম, লৈপাক্কী থৌ ওইনা কোনুংনা পাংথোকপদা মাইস্না কুমুদিনী মৈতৈলৈমা লৈমরেন/মহারাণী ওইনা শরুক য়াখিরম্মী। লাইথৌ থৌরমদুদা মহারাণী মাইস্না কুমুদিনীসু শ্রীযুৎ মহারাজগা লোইননা লৈপাক্কী অঙম অথৌ পুন্নমক্না মাগী মাগী তাল্লোই-তাল্লোইগা লোইননা জগোয় শাবদুদা জগোয় খুৎথেক কৎখি [মথক্কীসিদা, ৪৪]। অসিনচিংবনি। অদুনা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোনগী, খুন্নাইলোনগী, লাইনীঙলোনগী অমসুং শেন্দান-শেনচৎলোনগী হরাউ-নুংঙাইগী থৌরমশিংদা চিংখদনা শরুক য়ারকখি।

খৃ: কুম: ১৮৩৪ গী জনুৱারীগী চৈচৎ ৭, লৈপাকপোকপা নুমিত্তা মাইস্না কুমুদিনীগী মপুরোইবা রাজা গম্ভীর সিংহ সনা হকচাং ঈরক্লবদা মথৱাই ৱানা মপুরোইবগী থৌগন তৌজখি, অনা- লাইকন্নজখি। অদুবু বৃটিশশিংনা লৌনম-নমথাক তৌদুনা মৈতৈ কবো (Kase Shan) গী লমদম অৱাদা মপোৎ শাদুনা পীথোকখিবগী থৌদৌ অমসুং মদুগী পাউ পীদুনা মশাগী খুৎকী খুদম (Signature) লৌবা কেপ্তেন গ্রান্ট অমসুং লেফটেনেন্ট পেম্বর্টন লাকপদা থম্মোই-লাইয়ৈ চত্তুনা [Heart attack তৌদুনা] চহিসিগী থাসিগী ৯ (মাপন) শগোনশেন নুমিৎ (চৈচৎ ৯।১।১৮৩৪ ইং) তা মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বা (রাজা গম্ভীর সিংহ) নোঙ্গাখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২৪৪]। হায়রিবা নুমিৎসিদগী মাইস্না কুমুদিনী মহারাণী মশাগী চহি ৪২ (নিফুনিথোই) দা লুখ্রাবী শীঙদা চলহৌখিরম্মী।

ফমথোন মথং- মথং কারকপা

মাইস্না কুমুদিনী, মাইস্নাম শাগৈ য়ুম্নাক্কী অরাম নিংঙোন অমা ওইনা খৃ:কুম: ১৭৯২ দগী লৈরকপনা খৃ:কুম: ১৮০৮, মশাগী চহি ১৬ (তরাতরুক) তা মৈদিংঙুচা শামুফাবা গম্ভীর সিংহগা লুহোংদুনা লৌন- লৈনবদগী লৈমা শীজগী মফম ফমথোন ফংখিরম্মী। মসিদগী রাজা গম্ভীর সিংহগী তাল্লোই য়ায়মা (অনিশুবী) ওইনা থৌগল তৌজ- ফংজদুনা লাকখিবদগী খৃ: কুম: ১৮২৫ গী জুনগী ১২ লংমাইজীঙ (নোংমাইজিঙ) নুমিত্তা রাজা গম্ভীর সিংহনা মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল লাংখিবদগী [মথক্কীসিদা, ২২৪] দি মাইস্না কুমুদিনী মশাগী চহি ৩৩ (কুম্থ্রাহুমদোই) দা য়োঙ্গবুগী ফমথোন কাদুনা লৈমা অপানবী (মৈতৈ লৈমা লৈমরেন/মহারাণীগী ঙমথং) গী ফমথোন পায়খিরম্মী [মথক্কীসিদা,২২৫]। অসুম্না মপুরোইবগী থৌগন তৌজদুনা মাইস্না কুমুদিনী পুন্সি লেল্লকখিরম্মী।

খৃ: কুম: ১৮৩০ গী আগষ্টকী চৈচৎ ৩ (শকাব্দ ১৭৫২ গী ঈঙেন থাগী থানীন থাবুঙ) লৈপাকপোকপা নুমিত্তা মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহগী মৈতৈলৈমা নত্রগা মহারাণী লংমাইথেম নত্রগা নোংমাইথেম চনু তুলসীপৃয়া মালেম তাইবংপান থাদোক্তুনা নোঙ্গাখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২৩৭]। অদুনা মৈতৈ লৈমগী ফমথোনসি হাঙদুনা লৈখিরম্মী। মৈতৈলৈমা নোংমাইথেম চনুগী নোঙ্গা-লাইথৌ থৌরমশিং পুম্নমক লোয়খ্র-পাংথোকখ্রবা মতুংদা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী লৈঙাক থৌপুবা অঙম-অথৌ ফম্লাইবশিং পুম্নমক্না খন্ন-তানদুনা মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহনা খ্বাই পুম্নমক্তগী হেন্না পামজা-খোয়দানা লৌজবী অমসুং মহাক মশাসিবু মৈদিংঙু মশামক্না নুংশি-চান্না "পোংলেনখোম্বী" হায়না মিংথোঞ্জবী মাইস্নাম চনু কুমুদিনী [ডা: হ: ব:, ১৯৯৪, ২০১] বু মৈত্রবাক্কী মৈতৈলৈমা লৈমরেনগী ফম হাপ্পনবগী ৱাফম পুখৎনরকখি। ৱাফমসি পুম্নমক্না য়ানরদুনা মাইস্না কুমুদিনীবু মৈতৈ লৈমা হাপ্পগী লৈঙাক্লোনগী থৌরমশিং পাঙথোকখি, মদুশিংদুদি :-

(১) ... পুখ্রনবম তাংখোম্বগী কুম শক ১৭৫২... ঈঙেন থা... ১৫ নি লৈপাকপোকপা (চৈচৎ ৩।৮।১৮৩০ ইং) দা লংমাইথেম চনু শ্রীমহারাণী (তুলসীপৃয়া) নোংগাইএ। ... লাংবন থা... ৯ নি ঈরাই (খৃ: কুম: ১৮৩০ গী আগষ্টকী চৈচৎ ২৭) দা শ্রীমাইস্নামচনু অপান্বী (অপানবী) বু মহারাণী হাপ্পগী অভিষেক তৌএ [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২৩৮]।

(২) ... ৱাংনু হাওচৌগী কুম শক ১৭৫৩... ঈঙা থা... ২৪ নি নিংথৌকাব (খৃ: কুম: ১৮৩১ গী আগষ্ট চৈচৎ ১) দা শ্রীপঞ্চযুক্ত মণিপুরেশ্বর চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বা মহারাজগা শ্রীমৈতৈলৈমা মাইস্নামচনু শ্রীমতী মহারাণী লীক্লাইরোকপীগা ফম্বাল তোংএ [মথক্কীসিদা, ২৩৯]।

অসিনি। ৱারেং মতেক অসিদা "শ্রীমতী মহারাণী লীক্লাইরোকপী" হায়রিবসি মাইস্নামচনু কুমুদিনী নত্রগা পোংলেনখোম্বীগী "ফম্বাল-মিংহুন (ফম্বাল তোংবদা থোনবা মিংথোন-মিংফম)" হায়বদি লৈপাক মীয়ামনা নত্রগা মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা য়োঙ্গীরেনহনব (মাইচৌ/পণ্ডিতশিংগী মকোক নত্রগা পণ্ডিত অচৌব) না মীয়াম খঙনা থোনবা/হুনবা মিংলেন-মিংহুন্নি। অসুম্না মাইস্না কুমুদিনীনা মৈতৈলৈমা নত্রগা মৈতৈ লৈপাক্কী লৈমরেন মহারাণীগী ফমথোনসি ওইদুনা মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহনা হিংলিঙৈ (খৃ: কুম: ১৮৩৪ গী জনুৱারী ৯ দা মৈদিংঙুসি নোঙ্গাখি) গী মতম ফাওবদা পাল্লিবী মহারাণী ওইনা অমসুং মতুংদা অনৌবা মহারাণী অমা হাগত্রিবা ফাওবদা মহাক্না মহারাণীগী মিংসিদা লৈরম্মী। অদুনা মচা ঈবুংঙো সনাহল/চন্দ্রকীর্ত্তিনা মশাগী চহি ২ (অনি) দা খৃ: ১৮৩৪গী জানুৱারী ৯দা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরবা মতম, খৃ: কুম: ১৮৪৪ গী জনুৱারীগী চৈচৎ ২৯ অমসুং মৈদিংঙু নরসিংহনা নিংথৌ ফম্বাল কাবগী চহিসিগী ফেব্রুৱারী চৈচৎ ৮ গী মমাঙগী নুমিৎ ফাওবদি মাইস্না কুমুদিনীনা মহারাণী ওইনা লৈরম্মী।

খৃ: কুমশীঙ ১৯৪৪ গী জনুৱারী লোয়বদগী কছাড় ময়াং লৈপাক্তা লৈরুরবী ফম তারবী মৈতৈলৈমা/মহারাণী মাইস্নাম চনু কুমুদিনীসিনা মচাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা খৃ: কুম: ১৮৫০ গী জুলাইগী চৈচৎ ১২ ঈরাইদগী অমুক হন্না নিংথৌ ওইরবদা [মথক্কীসিদা, ৩০২], নুমিৎসিদগীদি মমাশীজ, নিংথেমপোকপী নত্রগা নিংথৌপোকপী হায়বা মিংথোন নত্রগা ফমথোন অসিদা খঙনরে নত্রগা খঙনবা য়ারে অদুবু চৈথারোল কুম্বাবনদি খৃ: কুম: ১৮৫০ গী ডিসেম্বর থাদগী ওইনা পীবীরম্মী, মদুদি :-

.... পুয়াম যুপাসিংগী কুম শক ১৭৭২... পোইনু থা... ২ নি শগোনশেন (খৃ: কুম: ১৮৫০ গী ডিসেম্বর ৫) দা লাইশ্রমচা মেঞ্জোরনচিংনা মমাশীজ নিংথেম/নিংথৌ পোকপী ওকপা চৎএ [মথক্কীসিদা, ৩০৫] অসিনি। অসুম্না মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী সনা হাক্তকসিদা লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন, ৱায়েন-

চৈরাক্লচিংবগী থৌরম-ৱারমশিংদা পাউতাক পীদুনা, তৌনীঙবদা তৌদুনা মনীঙ-মখা তম্না পাল্লম্লগা মশূঈবুংঙো সুরচন্দ্র সিংহ মহারাজ (খৃ: কুম: ১৮৮৬-৯০) গী সনা হাক্তক্তা "মবেনশীজ" হায়বা মিংথোনসিগা লোইননা শক ১৮০৮ গী ঈঙেন থাগী ২৪ নি লংমাইজীঙ (চৈচৎ ২৫।৭।১৮৮৬ ইং) দা মালেম তাইবংপান থাদোকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৪৬৮]।

লৈঙাক্লোনগী লমদাংদা

মাইস্নাম নিংঙোন কুমুদিনী মৈত্রবাক মণিপুরগী পাৱারী-পুৱারীদা মমিং লৈবী অমসুং নীঙথিরবা মফম অমা কল্লিবীনি। মহাকসি অঙাং ওইরিঙৈদগীনা লৈশারিঙৈ ফাওবদা মপাবুং ঈবুংঙো মাইস্নামচা গৌরশ্যাম [মথক্কীসিদা, ১৪১] না মহাকপু শগোন তোংবা অমসুং শা- লানগী মহে- মশীঙ তম্বীরকপগী ৱাফম মথক্তা থমজখ্রে। অদুগা মহাকপু মৈতৈলৈমা অমা ওইনা শা-লানগী লমদাংদা মপুরোইবা মৈদিংঙুগী মতেং পাংলকপা অমসুং মশানা লানফম মায়য়োক য়ারকপগী ওইনা মমাঙগী মৈতৈ কোনুংগী য়োঙ্গৈরেন-পণ্ডিতশিংনা য়ানরগা ইদুনা থম্বীরম্বা ৱারোল্দি :-

.... নয়োন মৈতৈরৈমা কংলৈ পোংলেনখোম্বী (না) লাইরেন মশাবীগী চোয়নৌ সনা খোমহান্থবদি হাওরে নোংচুপলা পাংবরম খায়ি মপুঙয়ায় খোয়মা পুঙফাইরৌ, মংকল মচীঙশাংদা সনা খোমহানবনে।। হুয়েন লাননিকীদি থংকোল মনিংথৌ তিললসিং চীঙশাং লানহৌববু কায়নহনবী-ও তৌনা কৌএ।। লাইরেন মশাবীগী সনা খোমহানবদি অদুসুং মতোমদে। হাওরৈ নোংপোক খানা পাংবরম, লোইবী অনাল মরৈপুঙ, চকুম খুৎলাই মপুঙয়ায়দা সনা খোমহানথবদি হুয়েন লাননিকীদি লোইবী য়াম্বীয়েং অথৌববু কায়নহুললে। য়োঙ্গৈবু মৈতৈরৈমনা সনা খোমহানবদি অসিসুং মতোমদে। হাওরৈ নোংচুপ খানা পাংবরম্ সেনতিং তুইথুপ খুনুংশৈ, তশোন মচীঙশাং, হেম্বা কাইরমথেনদা সনা খোমহানথবদি হুয়েন লাননিকীদি পালৈ লানথৌয়াঙ্বু কায়নহুনবী-ও তৌনা কৌ।। লাইরেন মশাবী তুবী চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বগী চোয়নৌ সনা খোমহানথবদি অদুসুং মতোমদে। নোংনেম লাইনা পাংবরম, কৌবা চীঙনুংসি তপুঙ পুরৈচীঙতোমপোক, কাইরৈ য়েনপুম তম্বৰু লূগা লেঙগা কক্, ফৈগা শাগা তুপ্ মনুং মনাক মথীক লেন্না মচী শললাই ময়েনপুঙ, চীঙঙু খমচীঙকোন তুপী চীঙয়া ফৈথিংবনা তুপী মৈরেন্মপু চীক্না কোনখাবা, লাইনা কোললে কোনখাপুঙ, ঙামনা চেপনা লৈঙম-এ

হায়বগীবু ঙামৈ-ও কৌএ। য়োঙ্গবু মৈতৈরৈমনা নোংপোক কোললাংচান, শেনবী কোংকোন মচং খমতৌ পনমরূদা নাউয়িকোননা লাইরেন মশাবী তুবী চীঙ্‌লেন নোংত্রেনখোম্বগী লোইবী ঙামৈ মপুঙওয়ায়দা চোয়নৌ সনা খোমহানবী ... [ডা: হ: ক:, ১৯৯৪, ২০১-২০৪]।

অসিনি। অরিবা লোন্দা-পুদাদা পীবীরম্লিবা ৱারোলসিগী য়াম্না শম্না অমসুং তেন্না ৱাহন্দোক পীবা তারবদি- মৈতৈলৈমা মাইস্না কুমুদিনীনা মপুরোইবা মৈদিংঙুনা মৈতৈ লৈপাক মনুংগী অমসুং মপানগী লমশিং লোই চন্নবা লান্দানবা লান চৎপদা লানগী মতেং পাংনবা, লাম্থেং-লানশোক্লবদা মপুরোইবনা চোকথরক্লবা-ৱারক্লবা মতমদা য়ু-খোম হাল্লবা খোম-তুম্বা লানশিন-পীশিন্দুনা থকহল্লগা মশা তেকখৎ-কনখৎহন্নবা, মপুক্লীঙ থৌগৎ-চাওখৎহন্নবা খোম-তুম্বাদা থক্লবা মহী হাপ্ল-হৈনবা, হান্‌না-য়াওহন্নবগী থবকশিং তৌখিবা নত্রগা পাঙথোকখিবা লানফমশিংদি - খৃ: কুম: ১৮২৯ দা লান্দাখিবা খাসী (খায়ি/খাহি) চীঙশাংগী চীঙমী খাসীশিংগী লানফম; খৃ: কুম: ১৮২৭ তা অনাল (অনাল নানফৌ, অনাল খুল্লেননচিংবা, চান্দেল পানা) চীঙমী খুন লান্দাবগী লানফম, তশোন চীঙমী খুন লোই চনবগী লানফম অমসুং খৃ: কুম: ১৮৩৩ গী তবুঙ পুপৈনচিংবা চীঙগী খুনশিংগী ঙামৈ চীঙমীশিংগী লানফমশিংনি। মসিশিংসিদা মৈতৈলৈমা মাইস্না কুমুদিনীসি লানঙম্বগী মিংথোল ৩ (অহুম) ফংখিরম্মী।

কাঞ্চিপুর কোনুংগী লানহৌ নমথবা - খৃ: কুম: ১৮৩১ গী মার্চ থাগী অহানবা থাখায়দা মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বনা খা-গী হাও (কুকি-চিনগী মী কাংলুপশিং খোংজাই/থাদৌ, মার, পাইটে, সিমটৈনচিংবা) কাংলুপশিংগী খুন্দা লান্দারুনবগীদমক্তা লাংথবান/কাঞ্চিপুরগী কোনুংদগী চহিসিগী থাসিগী চৈচৎ ২৬, নিংথৌকাবা নুমিত্তা খোঙশানখিরম্মী। অদুগা লম্মাংদোং বিষ্ণুপুরদা মপুঙ ওইবা মৈতৈ লাম্মী, তেঙ্গোন শাদুনা লৈখিরম্মী। মতমসিদা হান্নদগী শরৌ শীন্নদুনা লৌতুনরগা খুজীন- থৌরাং তৌদুনা লৈরবা নিংথৌ শেম্বগী লানহৌ অমা কুমসি (খৃ: কুম: ১৮৩১) গী থাসিগী চৈচৎ ২৯ (শগোনশেনগী অহিং অথেংবা মতমদা থোক্লকখিরম্মী। মসিগী মরমদা চৈথারোল কুম্বাবনা হায়রি :-

... পুখ্রম্বম তাংখোম্বগী কুম শক ১৭৫২... ফাইরেন থা... ২৫ নি নিংথৌকাব (চৈচৎ ২৬।৩।১৮৩১ ইং) দা শ্রীযুৎ মহারাজ খা-কি লান নাবা চৎএ।। ২৮ নি

শগোনশেন (চৈচৎ ২৯।৩।১৮৩১ ইং) দা লম্বোইব্রা মীরৈবাকচা চংকোন কৌবা ১না নিংথৌমচা খুরাইরাকপনে হায়দুনা মৈতৈমচাকা মান্নদুনা নোংঙাল্লমদায়দা কোনুং চঙএ।।.... ।। ২৯ নি ঈরাইদা ঈবুংশীজ সেনাপতি, অচোম লুৱাংবা, হাওবম পিনোতা ও মনা চংকোন খোঙতেকপবু ফারে। শ্রীয়ুৎ মহারাজসু থুংলৈএ।। চংকোনপুদি লৈশাং হিথেনতা শাগাই শানা হাৎএ।। ৱাংখৈরাকপম চীঙখুদি ময়াংলম চেনখিএ।। চীঙকাংপম মহারাপীতি ৱাকোঙএ [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২৩৮]।...

শাথোক- লাম্হোক্কী ৱাথোক অসি পোইরৈ মৈত্রবাক্কী মতমদুগী মীপুম তিংনা খঙনরবা থৌদোক্লি। অদুবু নিংথৌ শেম্বগী লানহৌসিগী লুচিংবা নিংথৌ ওইগদৌরিবা মী অদুদি মশক-মমিং লোৎশিন্দুনা থল্লি। অদুগা ৱাথোকসিগী মতাংদা "ঔৱা ঙম্বা" পুয়ানা পীবীরল্লিবদি :-

"লাইরেন মৈতিংঙু তুপী চীঙলে- নোংত্রেন খোম্বতি যাত্রা খোঙশানখিদনা বিষ্ণুপুর, খুরোই হাওরা লমলাংতোংদা ৱাইথুংখিরে, হায়তপরা।। মতাইরেম সিফাই পুম্নমসু লোল্লেন মরানয়ায়দা ১০ চেঙ্চেন লৌখ্রিঙৈদা পোইরৈ সনাপুঙ থোঙলেং তাইবী লাংথবান, কাঞ্চিপুর য়োঙ্গকোননুংবু চংকোললি ডাকু মীমাথীনা পোইরৈ নিংথৌ ওইগে হায়না চন্দগীরী তোপ সুবেদারগা জঙ্গলি ডাকু মনুং খোয়বা লীরৌননা অহিং ঈনুং সোইয়ায়মদা বম তোপ ৫ রক কাপ্, থাঙলেন খুত্তা সূ, চোয়নৌ সনা লাকখোঙ খুরাইলাকপবু লৈনা শানা সনা য়োঙ্গকোন্নুং চঙলক্লবগা মেগজিং হীদাকশঙদা তোপ ফুইনা কাপসিল্লবদা কোনুং চাওকোয়রেনগী শন ব্রাহ্মন, নহানুপী, য়োঙ্গবু- য়োঙ্গহৈ পুম্নমবু মিরেন থাবু খং, পায়মা নিংসা সৎহোন্ননা তুনুং লংলা পুনগুম পুক্লীঙ অখং চঙলবদা মতাইরেম বাজী বৃন্দাবন দাসনা রুল্লাই যুমথকতা কানা জঙ্গলি তেংকোনপু কায়রে হায়না খোললাউনখিএ।। য়োঙ্গবু মসানৌ মৈতৈরেমা য়োঙ্গবু মহারাণী দ্রৌপতি মশান্ওন্বা পাদাশ্বরীনা পাউমেল্লক্এ, ঈমান ঙাঙবম নঙনা চিংনা য়োঙ্গবু পুম্নমগা ঈশাবী থোঙলেন খুরাইরাকপরা, হায়না মিৎয়েং শানখৈরু-ও। হায়না থৌসীখোনগী মিৎয়েং শান্খৈরুববু লাইরেন মশাবী থোঙলেন খুরাইরাকপবু নত্তে, জঙ্গলি ডাকু, ফৈ মরী তাল ৱাৎপনে, হায়না পাউতাক্লবদা নোংপান লুৱাং নিংথৌ মমোমলোন দ্রৌপতি মশানওন য়োঙ্গবু মহারাণী য়োঙ্গপু খ্বাঙ্চেৎ মচি লাং, কিরিস থাঙলেন খুত্তা পায়, য়োঙ্গপু পীসুম পাকোয় লৈ, অশাও মৈবু থোক, নাতোন নাকচী ২

মতা হুমাং লৈরীক কানা সনা কোনকুপ চায়গুমবী, য়োঙ্গবু চেংলৌ সনা শককোয় থোংবু শরৎ মেরা থাগী পূর্ণিমাগুম চীকনা নৌবী শকহেনবীনা শ্রীজী রাধারাণী ২মগী খোইয়ম সনা মাঙদা লেপনা তিক্যোলতি হায়জদনা স্রজুল সেনাপতি ওই য়োঙ্গবু য়োঙ্গহে পুন্না সৈন্য সেনা খোঙমী লান্মী ওইনা জঙ্গলি তাকু ফৈমরী তালৱাৎপবু থাঙলেন চেপনা চনগে হায়না হেল লানচঙখিরে, হায়ববু পোইরৈ সেনাপতি লীক্লাই মশানৌনচিংবা পুন্নমনা নাতারবগী, লীক্লাই মশানৌ সেনাপতি লানচিংবনা খা থোঙচাওরেন্দা কামার নোংমৈ মরুবু শৌপিংতনা হোনচিংনখিএ। ঔৱাং থোঙ চাওরেন্দসু কেকেরক্কী ঈৱাং নিংথৌ অচোমচা লুৱাংবনা থাঙলেন খুত্তা পায়না ফুচিনখিরে। মতাইরেম হাওবম মন্ত্রী, পোইরৈ ৱাপী হায়বগা ঈরোইবা ৭ শেল্লুংবগা ২মনা থাঙলেন য়েৎতা পায়না ফুচিনখিদনা পাদাশ্বরী কংলৈ মৈতৈলৈমনা পীবুকনুংনা সমুদ্র ঈরেনপুঙগুম্বী, য়োঙ্গবু লক্ষ্মী লাইরেম্মগী ৱাইরা শারৈমা শাকুবী, হেল লানলৈমা লানকুবী দূর্গা লাইরেম্মনা অবতার তৌনা শাফোংনবী, য়োঙ্গবু মহারাণীগী শৱা তেংবাংলুদনা জঙ্গলি তাকু ফৈ মরী তালৱাৎপবু ফারে, হায়দবরা? হে লীক্লাই-ও! জঙ্গলি তাঙজা লূরেনতোনবু লাললূ পোল্লেম শানা খুরোই হাওরা লমলাংতোংবু তাননা লাইরেন মৈদিংঙুদা তাঙজা লূকৎলুবদা... লাইরেন ঐনা করি মনা পীহৌনবা লৈতরে, কির্ত্তি কোল্লোই মমিংথোংবু শ্রীমতি ভুবনেশ্বরী কৌনা উপাধী মিংহুনবীখিরে হায়দবরা [ই: অ: স:, ১৯৭৯, ৩২-৩৫]।

অসিনি। মসিগী অশম্বা মরোন্দি - মতমদু (খৃ: কুম: ১৮৩১) দা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী লৈঙাক ৱায়েন-থৌদা লুপকী অচৌবা ফমথোন খুরাইরাকপগী ফম ওইবা মৈতৈ নিংথৌমচা (মমিং-মথাদি পীবীরমদ্রে) অদুনা মৈদিংঙু নিংথৌনা কোনুংদা লৈত্রিঙৈদা নিংথৌ ফম্বাল কল্লক-মিহৌবদগী হান্না মমাঙগী মতমদগী খুজীন-থৌরাং তৌরবা লৌতুনবগী নিংথৌ শেম্বগী লানহৌনবগী শরৌ অমা শীন্দুনা লৈরম্মী। খৃ: কুম: ১৮৩১ সিদা নিংথৌ শেম্বশিংদুগী খুদোংচাবা ফংলদুনা লানহৌদু পাংথোক্কুনা লাংথবান (কাঞ্চিপুর) কোনুংদা লান্দারকখিবনি। অহিং নোংঙাল্লমদায়দা মৈদিংঙু লৈতবদগী খুদোংচাবা অমদি পোইরৈ লানজিংলেন-পুরেন (সেনাপতি) নরসিংহ অমসুং লৈঙাক ৱায়েন-থৌদাগী মকোক (মন্ত্রী) হাওবম বিনোদগী লৈফম, লেকফম-চাফমগা লৈমা-

নিংথৌকোনগা লাপ্না-থাপ্নবগী খুদোংচাবসু লৌদুনা কোনুং মনুংগী থোঙগাক-থোঙশঙবা, লৈম-নিংথৌকোনগী য়ারেক-মৈরীংবশিংবু লৌতুনবগী শরৌ- লাংথাক্লা খুদুম চল্লগা নুপী ঙাক্তা লৈবা কোনুংগী কা তমদুনা লানহৌবশিংদুনা ফুজিল্লকপদা মৈতৈ লৈমা মহারাণী মাইস্না কুমুদিনীনা মশা ঙাকথোক্লবগী শা-লানগী মহৈ-মশিঙ হৈবনা চঙলক্লিবা লানহৌবশিংগী লান্দা-লানজঙদু থিংদুনা থমখিরম্মী।

লানহৌবগী লাউন-খোংনবা, লানশোক-লাম্থেংনবগী লাংনবা-লাউনবা, নোংমৈগী মখোল, তোপকী হৌরবা মখোল, অমসুং মীয়াম চেন্না-চোংনবগী শউম-শামিনশিংদগী পোইরৈ সেনাপতি নরসিংহ, মন্ত্রী হাওবম বিনোদ, মোইরাং নিংথৌ অচোম লুৱাংবনচিংবনা তানা-খঙনরক্তুনা লাংথবান কোনুংগী খা-থোঙ, অৱাং-থোঙ, নোংপোক থোঙ অমসুং নোংচুপথোঙদা থত্তুনা মায়কৈ মরিমক্তা কোয়শিন্দুনা তকশিল্লক্লগা ময়াম্লুং নিংথেমচা নত্রগা নিংথৌমচা, ঈবুংশীজ খুরাইরাকপদু ফাখিবনি। থৌদোক-ৱাথোক নত্রগা লানহৌ নমথবগী লানশোক-লাম্থোকসিদা মৈতৈলৈমা মাইস্না কুমুদিনীনা লেপখিবা ফিরেপ, ওইখিবা শক্তম অমসুং লৌখিবা থৌদাংশিংসি য়াম্না শীঙথানীঙঙাই ওইরম্মী। মতমদুদা লাংথবান কোনুং মনুংগী লমকন্দুনা খৃ: কুম: ১৮২৮ গী জানুৱারী চৈচৎ ৫ থাঙজ নুমিত্তগী মখোয়গী লৈফম-ময়ুমগা লোইনবা লোইশঙ (ওফিস-কম-ক্বার্টর্স) লীংদুনা লৈরক্লবা [চৈথা: কুম: ২০০৫, ২৩১] বৃটিশ ওফিসার ৩ (অহুম), মমিং পল্লবদা, এফ: জে: গ্রান্ট মেজর, আর: বি: পেম্বর্টন কেপ্তেন অমসুং জর্জ গোর্ডন লেফটেনেন্টনা মণিপুর লেভীগী কম্মিস্নার, এসিস্তেন্ট কম্মিস্নার অমসুং এডজুটেন্ট মথং শীৎনা ওইনা থবক তৌব্গী রিপোর্ট থাবদা মহারাণীসিগী থৌনা ফবগী অমসুং মহাক্কী থৌদোকসিগী থবকশিং অমসুং ৱাফমশিংগী ৱারোল-ৱারম ইদুনা মখোয়গী মথক থোংবা ওফিসারশিং থারম্মী। মদুদা কলকটা হেডক্বার্টর্সদা লৈরিবা বৃটিশ ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টকী সুপ্রীম এডমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিলগী মেম্বরশিং/গোভর্নরশিং, মরু ওইনা গোভর্নর-জেনরেলনা অঙকপা পোকখিরম্মী। মরম অসিনা মখোয় বৃটিশশিংনা মৈতৈগী হৌরকফম, মপা-মপুশিং অমসুং হৌরকপগী ৱারী-ৱাখোঙশিংগী মরমদা খঙনীঙখি অমসুং থিগৎলকখি। মদুগী ৱাফমসিনা চহিসিগী মতমদা পোইরৈ মৈত্রবাক্কী নিংথৌ অমসুং মহাক্কী

লৈঙাক- ফম লুপকী অঙম-অথৌশিং অমসুং ফম্নাইবশিংবু মথৌ য়াম্না চিনহনখিরম্মী [ই: অ: স:, ১৯৭৯, ৩৬-৬৬]। অসুম্না মাইস্না কুমুদিনীগী মথৌনা মরীংজেন, শা-লানগী মহৈ-মশিঙনচিংবনা মহাক্কী হৌরকফম, মাগী মকাংলুপ-মফুরুপ [মজাতী (Ethnic Group or Nation)] অমসুং মকাংলুপকীহৌরক- ওইরকফম (Ethnic origin) খঙনীঙবা অমদি শকখঙনীঙবগী ৱাখল মতমদুগী মালেমগী চাওখৎলবা মী কাংলুপ অমদা ফাওহন্দুনা কন্না থিগৎহল্লকখিবীনি।

মচাঈবুংঙোনা নিংথৌ ওইরকপা

মৈতৈলৈমা মাইস্না কুমুদিনী মহারাণী, অচাওরম পাম্বী অৱাংবা থাক ওইনীঙবী অমসুং মীথক থোংবা তান্নবী ওইরবসু মিপাই চাওবী অমদি থক্কৎ-থুককৎকনবীনি। মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা মহারাজনা চহি ২ (অনি) খক্তা ঙাইরিবা মচাঈবুংঙো সনাহল নীংথেম পীশক্কীদমক্তা য়াম্না পুক্লীঙদা ৱাজৈ। মেজর গ্রান্ট অমসুং কেপ্তেন পেম্বর্টনদা ফাওবা মচাঈবুংঙোগী নিংথৌ ফম্বালগীদমক্তা ৱানোমদুনা কলকটাগী বৃটিশ ওথোরিটীশিং য়ৌহল্লম্মী [ডা: ল: চ:, ১৯৭০, ৫১]। মহাক্লা মচা ঈবুংঙোবু মহাক্কী মতুংদা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইহনবা পাল্লম্মী। মহাক্লা খঙলম্মী মদুদি ময়াম্বুং চৌরজিৎ অমসুং মারজিৎকী মতীক চারবা, খুৎকন-পাঙ্গল্লবা অমদি মথৌনা- মরিংজেন লৈরবা মচাঈবুংঙোশিং অমসুং অতৈ নিংথৌমচা-নিংথেমমচা কয়া মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল লুমদুনা লৈরি। অসিশিংগী মরকসিদা চহি অনিদা ঙাইরিবা মচানা করি তৌরুবা ঙমগদবগে; অদুবু পুম্নমক অসিনা হেনজিনবা, লাকচবা অমসুং মায়থীবা পীবা ঙম্লোয়দবসি মনাউ ঈবুংঙো সেনাপতি নরসিংহনি, হায়বসি মহাক্লা খঙলম্মী। অদুনা মহাক্লা খৃ: কুম: ১৮৩৩-৩৪ দা সনা হকচাং ঈরক্লবা মতমদা মচাঈবুংঙোসিবু কনাদা শিন্নরমসিগে হায়না কুপ্না খল্লুরগা মনাউঈবুংঙো নরসিংহ সেনাপতিদা শিন্নরমগে, হায়না ৱারেপ লৌখিরম্মী। শিগনি খঙলবদসু মচাঈবুংঙো শিন্নরম্বগী লমদাংসিদা পীবীরম্বা ৱারোন্দি :-

... গম্ভীর সিংহ মহারাজনা হকচাং কন্না ঈশিল্লক্লবা মতমদা মনাউ ঈবুংঙো নরসিংহ সেনাপতি কৌশিল্লগা মজাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি পীরগা হংখি, "ঈনাউ ঈবুংঙো! অঙাং অসি কনানো?" - "অজ্ঞা ! ননাইগী মবুংঙোগী মজাঈবুংঙোনি।" - "ঈনাউ ঈবুংঙো! মসিবু কনানোনে?" - "অজ্ঞা! মণিপুরগী নিংথৌ সিংহাসন ফম্লগদৌরিবা মজাঈবুংঙোনি।" - "ঈনাউ ঈবুংঙো! নত্তে, অঙাং অসিবু

কনানোনে?" - "অজ্ঞা! ননাই ঐগী ঈচানি।" - অরোয়বা পাউখুম অসি হেক ফংবদা মহারাজ গম্ভীর সিংহ্ হরাউনা মিৎ উইশিনখি [ৱা: গ: স:, ১৯৭০, ৩০]।

অসিনি। পাউখুমশিংসিগী মরমদা নৈনবদা মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ্না মচাগা মপাগা অনিগী নক্লবা মরী অসিদগী হেন্না নক্লবা মরীগী নক্লফম লৈত্রে হায়না খনখিবা করি অমতা লান্দে।" - হায়না পীবীরি [মথক্কীসিদা, ৩০]। অসুম্না মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ্না মচাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তিসিংহবু মহাক্কী অনা-ফমশেন্নরিবা পুন্নমক্কী মমাঙদা, মরু ওইনা মৈতৈ লৈমা মাইস্না কুমুদিনীগী মিৎমাঙদা মনাকোঙনা ৱাহৈশিংসি তানা-তানা শিন্নরমখিবনি। অদুবু নিংথৌমচাশিংগী নিংথৌ ফম্বাল কল্লক মিহৌনবগী হাৎন-শুনবা, কক্ল-শোইনবা অমসুং য়ান্ন-তুপ্লবগী তমথীরবা লমচৎ-শাজৎকী ৱারী-শীঙবুনশিং, লৌতুনবগী শরৌ-লাংথাক্কী অমসুং ওইদবা নমথাক্কী ৱাফমশিংনা য়াম্না হোঙনা লৈবনা অমদি মমা ওইবীশিংনা মচাবু নুংশি-পামুজবগী ৱাখন্না থুমহৎখিদুনা মাইস্না কুমুদিনীনা মনাউ ঈবুংঙো নরসিংহ সেনাপতিগী ৱাফমশিংসি থাজবা-ঙমখিদে।

মৈদিংঙু চীঙলেন-ন্বোংদ্রেনখোম্বনা মৈতৈ কবো তম্পাক (Kase Shan Valley) পু বৃটিশশিংনা মৈতৈ নিংথৌ খঙহন-তাহন্দনা অমসুং তানা-খন্নরমদনা অৱা/ব্রাম্মা (বর্মীজ/ম্যান্মা) শিংদা শানদোকপনি-ৱাইহনবনি হায়জিল্লগা পীথোকখিবগী ৱাফম তারবদা হান্ননা হকচাং ঈদুনা (নাদুনা) লৈরম্লবা মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহদা থম্মোই লাইয়ৈ [হার্ট এত্তেক (Heart attack)] চৎলক-তৌরকপগী লাইয়েং-লাইকন্নরিঙৈ অমসুং মহারাজ ফরক্কনি হায়বগী ৱাখল তাম্লক্লবা, থাজবা লৈরক্ত্রবা মতমদুদা মৈতৈ লৈমা মাইস্না কুমুদিনীনা মহাক্কী অচেৎপা, অরোনবা অমসুং থাজনীঙঙাই উইরবা মনাই কাংঙবমচা চিদানন্দ নত্রগা থাঙ্গাল লাল্লোইলেনদা মচাঈবুংঙো চন্দ্রকীত্তি সিংহবু লোন্না শিন্নদুনা অরোনবা লম্বীদা শীন্নদুনা মহারাণীগী মপাম চীঙঙামখাগী মাইস্নাম কোল্লুপ্তা কনাসু খঙহন্দনা থৈখ্রে। কাংঙবা থাঙ্গাল নত্তনা অতৈ অতোপ্পা কনাসু খঙদ্রি অমসুং মহাকসু হল্লক্তুনা কোনুংদা ময়াম লাংন-চেন্নবদু য়াওদুনা লৈখ্রে।

মহারাজ গম্ভীর সিংহ্, অনা ফমশেন্নরম্বদগী জানুৱারী চৈচৎ ৯, শগোল্নশেন নুমিৎসিদা থম্মোই লাইয়ৈ চত্তুনা [হার্ট ফেল (Heart fail) ওইদুনা] নোঙ্গাখ্রে। কাঞ্চিপুর কোনুংগী লৈমা- নিংথৌকোনগী য়োঙ্গবু-য়োঙ্গহৈ, নিংথেমনুবীনচিংবী

নুপী-নহা পুন্নমক কপ্পরে, অঙম-অথৌ, অচৌ-অশাংনচিংবা লৈপাক মীয়াম পুন্নমকসু অৱাবগী ঈপাক্তা ঈরাক্লরে। অসুম্না ৱানরিঙৈ-কপ্পরিঙৈ তাঞ্জাসিদা পোইরৈ লৈপাক পুবা, লৈঙাক থৌদা-থৌগায়শিংগী থৌদাং লৈরিবা ফম্নাইবা অঙস্বশিংনা লৈখিদ্রবা মৈদিংঙুগী সনা হকচাং অশিবগী মথৌ-মঙম তৌনবা, অশি- পোৎলোয়নবা অমসুং মহুৎ শিনবা মৈদিংঙু নিংথৌ হাপ্পবা ৱাফম পুখৎলক্লম্মী অমদি ৱাফমদু মখা তানা মুন্না খন্নরক্লে। মচা ঈবুংঙো সনাহল চন্দ্রকীর্ত্তিবু অঙাং ওইরবসু ওইনা নিংথৌ হাপ্পবা অমসুং মনাউ ঈবুংঙো সেনাপতি নরসিংহনা মচাঈবুংঙোগী মিংদা (মমিংদা) লৈঙাক- থৌগায় পুনবা ৱারেপ্লদুনা মচা ঈবুংঙো সনাহল চন্দ্রকীর্ত্তিবু হংনরকপা-থিনরকপা, য়েংনরকপা-কৌনরকপা মতমদা মচাঈবুংঙোদি লাংথবান কোনুং মনুংদা লৈরমদ্রে অমসুং অতৈ-অতৈ মফমশিংদা থি-হুম্বদসু ফংদ্রে [ম: চ: স:, ১৯৬৭, ১০০-১০৮]।

ময়াম্লুং মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ মহারজগী মফমদা মশাগী অরেপ্পা অমসুং অচেৎপা ৱাফম থমজখিবা সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা মচাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তিবু ফংদ্রি-লৈত্রিবসি কনাগুম্বা অমনা নত্রগা খরনা নিংথৌ ফম্বাল পাম্বা-কল্লকপদগী ফাজিন্দুনা থমখ্রে, লোৎশিনখ্রে নত্রগা শরৌ তৌদুনা হাৎননবা থৌরাং তৌখ্রে। অদুনা লৈপাক মীয়াম্না মহাক্কী ঈ-পাউ অমতা ফংদ্রিবনি হায়না পুন্নমক্লা খনখ্রে। অদুগা ঈবুংশীজ সেনাপতি নরসিংহনা মচাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তিবু ফাজিল্লম্বা নত্রগা লোৎশিল্লম্বা মীশক অদু অমা ওইরো, অমা ওইরো, মাগী শাগৈগা লোইননা শাগৈ তুম্না হাৎকনি, হায়দুনা লৈপাক মীয়াম মমাঙদা মবুধৌ পাখংবা পন্দুনা ৱাশকখ্রে। সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহগী শরী-নামুং ৱাশক, মহাক্কী ৱাশক চেৎপগী মশক, তৌবা-ঙম্বগী মতীক-মঙম্নচিংবা পোইরৈ লৈপাক মীয়াম্না খঙনরবনি অমসুং মহাক্না মচাঈবুংঙোগী মপাউ লৌনবা মনাইশিং মথং-মথং থাদোকপা হৌখ্রবনি। নুমিৎসিগী থৌদৌসিদা মচাঈবুংঙোবু মথৱাই হাৎপীখিগনি হায়বগী চিংনবা অমসুং মিপাইবদগী লোৎশিল্লুরবা মৈতৈলৈমা মাইস্না কুমুদিনী মহারাণী তৌফম-লাকফম খঙখিদ্রে, অরোনবা খুদম তৌদুনা কাংঙবমচা থাঙ্গালদা মচাঈবুংঙোবু খুদক্তুমক্তদা মপামদগী লৌরুনবা খঙহনখ্রে।

কাংঙবা থাঙ্গাল/চিদানন্দনা পন্থবা তৌদনা লাংথবান কোনুংদগী থুনা-য়াঙ্‌না চীঙ্‌ঙামখাদা শগোল তোংদুনা চৎখ্রগা চহি অনিদা ঙাইরিবা মচাঈবুংঙো সনাহনবু লৌরুরগা অরোনবা লম্বীদা কোনুং চঙলক্লগা মমা-ঈবেম্মা মহারাণীদা শিন্নরে। লৌশিঙ চাওবী মৈতৈলৈমা মাইস্না কুমুদিনীনা খুদক্কী নীঙথিরবা থৌশীন-থৌরাং

তৌদুনা মরাল লৈতবী শাদুনা অচানবা মনাই ঈৰাং পুরীক্লাই ঙাংঙোই লৈরীখোম্বা [অহৈবমচা চৈত্ৰানন্দ (চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৩০৯], মোইরাং ঈৰাং নিংথৌবু পমহন্দুনা কোনুংগী শঙ্গাই মনুংদগী মপান মাঙ্গোল্লাংদা মীয়াম মমাঙদা পুথোকহল্লে। তৌরিবা থৌশীন অমসুং ঈরাংদু কনানা তৌরি-শীল্লিবনো হায়বদু মীপুম খুদিংমক্লা খঙঙি, অদুবু মচা-ঈবুংঙোবু উবদা শাওরম্বা পুম্নমক নেমথখি-কোকখিদুনা সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা অহৈবমচা চৈত্ৰানন্দ, মোইরাং নিংথৌদগী মচাঈবুংঙোবু ওক্লগা পমদুনা পুরক্কুনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বালদা থাঙ্গৎলে। লৈপাক মীয়াম, অঙম- অথৌ ফম্নাইবশিং, লৈপাক-লৈঙাক থৌগায়-থৌপুবা ফমলুপ-ফম্বৈগী থৌদাং পুরিবা অঙম্বশিং, য়োঙ্গবু-য়োঙ্গহৈশিং পুম্নমক তীল্লগা পন্থৌ মপাতোন সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা পমদুনা নিংথৌ ফম্বালদা ফল্লগা য়োঙ্গরেনহনবনচিংবা য়োঙ্গরেন-পণ্ডিতশিং, অমাইবহনবনচিংবা অমাইবশিং অমসুং অশৈবহনবনচিংবা অশৈবশিংনা লাইশোন-তীনশোন, অশৈ খোনফাং লেঙনা খৃ: কুম: ১৮৩৪ গী জানুৱারীগী চৈচৎ ৯ শগোলশেন নুমিৎসিদা মৈতৈ নিংথৌ হাপখিরম্মী [ম: চ: স:, ১৯৬৭, ১০৯-১৬]।

মচাঈবুংঙোনা অঙাং ওইনা নিংথৌ ফম্বাল কাবগী থৌদোকসিগী থৌদৌ-থৌওংসিদা মৈতৈলৈমা মাইস্না কুমুদিনী মহারাণীসি পুকচেল পীকপা, ৱাখল ফত্তবী অমসুং পুক্নীঙগী থাক নেম্বী অমা ওইনা ঈকাইবা অমসুং মিংচৎ থীবা ফংখিরম্মী। অদুগা মিংদা থীবসিদা নত্তনা মহাক মশা মতোমতনসু ঈকাই নুংশি য়ান্নখি। অদুবু মহাক মশানদি, মহাক্না তৌরু-লৌখৎলুরিবা থৌশীল-থৌরাং নত্রগা শরৌ-খুজীন্দু মৈতৈ নিংথৌমচা পোকপী মমা অমা ওইনদি চেকশিন থৌরাং অমসুং মশা কঞ্জনবগী অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না খঞ্জখি। তশেংনমকসু মতৈ ঈবুংঙো নিংথৌ ৪ (মরি) [মৈদিংঙু লাবন্যচন্দ্র (খৃ: কুম: ১৭৯৮-১৮০০), মৈদিংঙু মধুচন্দ্র (খৃ: কুম: ১৮০০-০৪), মৈদিংঙু চৌরজিৎ (খৃ:কুম: ১৮০৪-১৪) অমসুং মৈদিংঙু মারজিৎ (খৃ: কুম: ১৮১৪-১৯/২০)] গী সনা হাক্তকশিংদা থোকখিবা, লৌখৎনখি-তৌনখিবা অফোঙবা অমসুং অরোনবা শরৌ-লাংলৌ, লৌতুনবগী খুজীন-থৌরাং, নিংথৌ শেম্বগী লানহৌশিং অমসুং নিংথৌ ফম্বালগীদমক্তা মপ্পাবুং অমতনা পোকপা পোকমিন্নবা মচীন-মনাউশিংনা হাৎন-শুনখিবা, অমনা অমবু মাঙহন্নখিবা, অসিনচিংবদু নীঙশিঙলুরবদি মহাক্কী ৱাখল অমসুং থৌদৌসি অচুম্বনি। অদুনা মহাক্না নংখিবা ঈকাইবা, ঈকাই-নুংশি য়ান্নবসিনা মহাক্কী থম্মোইবু ঙাংনা মুবা মচুগী মচু অমদি শঙখিরম্মী।

মাইস্না কুমুদিনী ময়াং লৈপাক্তা

মচাঈবুংঙো সনাহল নিংথেম পীশক্লা খৃ: কুম: ১৮৩৪, মশাগী চহি ২ (অনি) দা পোইরৈ মৈত্রবাক মণিপুরগী নিংথৌ ওইরবসিদা নিংথৌ/নিংথেম পোকপী মমা শীজ ওইনা কাঞ্চিপুর কোনুংগী লৈমা-নিংথৌকোনগী লৈমকোন্দা মৈতৈ লৈমা মাইস্নামচনু কুমুদিনীনা হাইনা হুমনা পানবা হৌরে। মৈত্রবাক্কা মরুপ-মপাং ওইনা মতেং তেংবাংনবা ভারতকী বৃটিশ লৈঙাক লুপ (Government) না মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা খৃ: কুম: ১৮৩৪ গী জানুৱারী চৈচৎ ৯ দগী নিংথৌ ওইখিবসিগী পাউ ফংলবা অমসুং মখোয়না য়াবীরে খল্লবা [পো: কন্সল্টেসন মশীঙ ৮৬-৯৩, ১৮৩৩ অমসুং ডা: ল: চ:, ১৯৭০, ৫৪-৫৫] মতুংদা মখোয়না অঙাং ওইরিবা নিংথৌসিগী লৈঙাক-থৌপুবা (Regent) লুপ অমা থম্নবগী ৱাফম বৃটিশশিংনা খন্নবীরম্মী। মেজর এফ: জে: গ্রান্টকী ৱারম-ৱারোলগী মতুং ইন্না মহারাণী মাইস্না কুমুদিনীবু লৈঙাক-থৌপুবা লুপ (রিজেন্সী) অসিগী মকোক ওইহন্নবগী ৱাফ্লম, রোবার্টসননা বৃটিশকী সুপ্রিম এডমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিলদা থল্লম্মী [মথক্কীসিদা, ৬৫]। অদুবু মৈত্রবাক মণিপুরদা নুপীনা মকোক ওইবা লৈঙাক থম্বা/লৈবা' লৈপাক মীয়াম্না পামদবনা রোবার্টসনগী ৱাফমদু য়ানরমদ্রে [মথক্কীসিদা, ৫৫ অমসুং পো: কন: মশীঙ ১২৭-২৮, ১৮৩৪]। মসিদগী মাইসনা কুমুদিনী, মচাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী রিজেন্ট ওইবা ফংখিদে। অদুগা মৈতৈ নিংথৌসিগী রিজেন্ট অমসুং গার্জিয়ান (Regent and Guardian) সি খৃ: কুম: ১৮২৫ দগী সেনাপতি ওইনা লৈরম্বদগী খৃ: কুম: ১৮৩৫ গী ফেব্রুৱারীদগী যুবরাজ (ৱাঙ্গোন নিংথৌ) ওইখিবা ঈবুংশীজ নরসিংহদা পীখিরম্মী। মসিনা মহারাণীসিগী ৱারুম-থরুম অমসুং মলোম পুরিবশিং - (১) মপুরোইবা মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ নোঙ্গারবদা সনা হকচাংদু মৈতৈ কোনুংলেন কংলাগী মংলেন্দা পোৎলোয়গদববু ঈবুংশীজ সেনাপতি নরসিংহনা মপাবুং ভদ্রসিং নিংথৌ খাবা [মৈদিংঙু নোংচুপ লমগাইঙম্বা (খৃ: কুম: ১৮২৫] বু অৱানা হাপ্লা নিংথৌনি হায়দুনা রাজা গম্ভীর সিংহনা কংলাগী মংলেন্দা পোৎহনখিদে [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২৩৬] হায়দুনা পোৎলোয়হনখিদবা, (২) মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ নোঙ্গাবদা গীরা থাংখিবা ঈবুংশীজ রামসিংহবু সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহ অমসুং মহাক্কী মনাউ-ঈবুংঙোশিংনা পীফম থোকপা ফম অমতা পীবীদবা, (৩) মৈত্রবাক্কী যুবরাজ ওইফম থোকপা ঈবুংশীজ/সনা খোঙশাংবা [ঈবুংশীজ জয়বীর সিংহ, মৈদিংঙু

গম্ভীর সিংহগী পোকমিন্নবা ময়াম্লুং সনা/ঈবুংশীজ বিশ্বনাথ নত্রগা খোংজাইঙম্বা যুবরাজগী মচা ঈবুংঙো (মথক্কীসিদা, ২৪২)] যুবরাজবু মফম-মরাং খঙদনা মাঙহনখিবা অমসুং (৪) খৃ: কুম: ১৮৩৫ দা সেনাপতি ওইরম্বা ঈবুংশীজ নরসিংহনা যুবরাজ নমদুনা ওইশিনখিবা [মথক্কীসিদা, ২৪৫] অসিশিংসিগী মথক্তা অনৌবা থরুম অমা হাপচিল্লকখি অমসুং মহারাণীসিগী মখোয়দৌ শাওগৎপা হেনগৎহনখি।

নরসিংহ হাৎনবা শরৌ -

অঙাং ওইরিবা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (খৃ: কুম: ১৮৩৪-৪৪), নিংথেমপীশক্লা পানবা মতমসিদা মমাঈবেম্মা নিংথেম/নিংথৌ পোকপী মৈতৈলৈমা মাইস্না কুমুদিনীনা খ্বাইদগী হেন্না পামজদবা মীশক সেনাপতি ঈবুংশীজ নরসিংহনা লৈপাক্কী সেনাপতিগী ফম, মনাউ ঈবুংঙো দেবেন্দ্র সিংহদা পীদুনা হাপখ্রে, মহাক মশানা যুবরাজগী ফমথোন কাখ্রে অমসুং মহাক্কী মচীন-মনাউশিং, শাগৈ-নাতৈশিং, মরী-মতাশিং অমদি ঙাই-শেনশিং পুম্নমক লৈপাক্কী ফম পায়খ্রে, ফম্নাইবশিং ওইনখ্রে অমসুং পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী মরু ওইবা থবক-ঈনখাংশিং অমসুং ৱারম-থৌরমশিং পুম্নমক পুখ্রে। অদুগা অমুকসু মৈত্রবাক্লা অমদি বৃটিশ ভারত গোভর্নমেন্টনা যুবরাজ ঈবুংশীজ নরসিংহবু মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী অঙাং ওইরিঙৈ মতমগী লৈঙাক্লবা রিজেন্ট হাপ্তুনা থবক- থৌরমশিং পুম্নমক মহারাজগী মহুৎ শিন্দুনা তৌখ্রে। মৈতৈলৈমা মাইস্না কুমুদিনীনা নিংথেম পোকপী অমসুং মৈতৈলৈমা লৈমরেন ওইদুনসু কাঞ্চিপুর কোনুং মনুংদা মচা ঈবুংঙোবু য়োক-থাকপদগী হেন্দুনা করিসু তৌবা ফংলমদে, খাবৈ-চেগপ পায়বগুম্বা থবকশিং নত্তনা লানথাঙ পায়বা, তা খৌশারোন, থেঙ্গৌরোন্নচিংবদি ফংদ্রে।

নৌনা যুবরাজ ওইরক্লিবা ঈবুংশীজ নরসিংহনা মাগী-তম্পাকময়ুম [লাংথবান-কাঞ্চিপুরদা লৈবা যুবরাজ নত্রগা ৱাঙ্গোন নিংথৌ লৈফম শঙ্গাই-ঈংখোন, যুবরাজকোন, অৱাং থোঙলোমদগী চঙলক্লগা লাংথবানগী অৱাং-নোংপোক পাংনা ইস্থোক্লক্লিবা চীঙদুম য়ৌগদবা মিটর ১০০-১৫০ রোম ৱাৎলিঙৈদা লৈরিবা এম: য়ু: গী এডমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোককী অৱাংদা মনীঙ/নোংচুপ্লোম চঙলিবা লম্বী অদুদা মিটর ১৫০-২০০ রোম চঙশিল্লগা লৈরম্মী] দা মৈত্রবাক্কী যুবরাজদনা লাৎন-থৌগঞ্জবা লাইশ্রীবৃন্দাবনচন্দ্র [শেঞ্জেংগী

শ্রীকৃষ্ণগী শক্তম ওইবা, সেন্টিমিটর ২০ (কুন) লোম ৱাংবা হিন্দু লাইনি] পুশিন্দুনা লাৎখ্রে। মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোনগী হিরম-লমদাংশিংগী থৌরম-থৌপুশিং, শা-লান ফাবা, লানহৌরকপা নমথবা, লান্দারকপা ঙাক-থিংবা, মণিপুর লেভী নৌনা শেমগৎপনচিংবগী থবকশিং; চৈরাক পীবা-পীদবনচিংবা তৌদুনা ৱারক-ৱাতেম্বগী থৌশিং; লৈপাক্কী খুন্নাইলোনগী লাইনীঙ-লাইনীঙলোনগী, চৎলম-লুপতীনগী, লাইথৌ-তীনথৌগীনচিংবা থৌরমশিং অমসুং পোইরৈ মীয়ামগী শেন্দান-শেনচৎকী, খুৎহৈ-শীনহৈবগী শীনশূ-শীন্থাগী, লৌউ-শীঙউগী, ঙাফা-শীঙজনগী; উমং-ৱামং, লৈমায়-লৈনুং, চীঙ-পাৎ-তুরেন্নচিংবা মহৌশা লাইরেম্মগী কৈ-পুক্কৈগী পোৎ-চৈশিং খোমজিন-লৌশিনবগী থৌদাং, থৌগায়, থৌপুবগী থৌশীন-থৌরাংশিং পুন্নমক যুবরাজ ঈবুংশীজ নরসিংহ, মহাক্কী মচীন-মনাউশিং, শাগৈ মচাশিং অমসুং মনাই-মশনশিংনা তৌখ্রে, পায়খ্রে, পুখ্রে অমদি পাংথোকখ্রে। মায় চানদবা মীশিংনা নোংমা-নোংমগী ফগৎলক্লি, মনাউ ঈবুংঙো নরসিংহগী তাল্লোইশিংনা লৈমা-নিংথৌকোন্দা লৈত্রবসু নোংমা নোংমগী উশীৎ-থৌওইদবা, চীন্দদি "ঈবেন্মা মৈতৈলৈমা/মহারাণী, মতুংদদি লুখ্রাবী মানা তৌজ-শাজরিবসে" হায়না করেম্নবা হেনগৎলক্লি। মচা ঈবুংঙোনা মমিংদদা নিংথৌ ওইবনা মহাক্না মীরক-মীচনথী ওইদুনা মীমাঙ থোকপা থবক অমতা পায়বা-তৌবা ঙমদনা করিসু লৈত্রবা মীচম অমগুম্না চাক খর চা, ঈশিং খর থক্লগা অহিং-নোংথিল লোল্লি।

মাইস্না কুমুদিনী মহারাণী অচাওরমদা থৱাই লুপ্লবীনি, হায়বসি মথক্তা হঙ্গৎচখ্রে। মহাক, মপুরোইবা নোঙ্গাখিবা খৃ: কুম: ১৮৩৪ দগী ওইরক্লিবা মৈত্রবাক মণিপুরগী লৈঙাকলোন, খুন্নাইলোন, শেনবা-থুন্বারোন, ৱায়েন-চৈরাকলোন্নচিংবদা চত্থরক্লিবা থবক-থৌরমশিংগী ফিবম-ফিরেপশিং অমসুং মদুশিংদুদা মহাক মশা, মচা ঈবুংঙো মৈদিংঙু অমদি মখোয়গী মীশিংনা হন্থ-তোন্থনা, নোন্থ-হঙ্গত্তনা লৈরিবা ফিবমশিংদুদা মথৱাই নুংঙাইতবা, খোয়দৌ শাওগৎপা অমসুং থম্মোই চাকপা হেনগৎলম্মী। মরম অসিনা ঈবুংশীজ যুবরাজ নরসিংহবু মাঙহন্নবা, মরূ ফংনা মুখৎনবা অমসুং হাৎননবগী শরৌ- লাংথাক অমসুং শৌ-শৌকাপ থাক-থম্নবগী লৌতুনবা লুপ অমা লৈবগী মথৌ তারে হায়না খল্লম্মী। হায়রিবা লৌতুনবা লুপ অসি শেম্নবগী মৈতৈলৈমসিনা অরোনবা খুজীন-থৌরাং

লৌখৎলক্নম্মী। মহাক্না মহাক্কী ওইবা অচেৎপা, অরেপ্পা অমদি অরোনবা মীওইশিং অমসুং লৈপাক্কী ফম্নাইবশিং, মহাক্কী মপামগী শাগৈ-নাতৈ, মরী-মতা, মবুং-মপ্পাশিং অমসুং মহাকপু অমদি মচাঙ্গৈবুংঙোবু নুংশিবীবা, নীঙজ-খঞ্জবা মদাইরেমশিং, মীশক-মীওইশিং পুন্নমকপু খৃ: কুম: ১৮৩৮-৩৯ দগী খোমজিন-তাশিনবা হৌখ্রে।

মৈতৈলৈমা মাইস্না কুমুদিনীগী লৌতুনবগী লুপ অসিনা লাংথবান কোনুংগী মনুং অমসুং মপানগী মীওইশিংবু মীশক- মীশা খায়দোক্তুনা মীচঙ খোম্বা হৌখ্রে। লুপ অসিগী মরু ওইরিবা, মকোক থোংলিবা মীওইশিং - হাওবম বিনোদ মন্ত্রী, কৈশা (ম) নোংথোনবা (Finance And Revenue Minister), খুম্বোং মেঞ্জোর/মেজর (Major), কোঞ্জেংবা কৈরুংবা (Godown/Barn officer), মাইস্না হজারী (Equivalent to Major in Regular Army) খেন্দম্বা, কাংঙবা থাঙ্গাল/চিদানন্দ, হজারী, হুইরোংবা দোহার, য়ুম্নাম্বা কিশোর [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২৬৫], অসিনচিংবনা কোনুংগী অরোনবা, অচীকপা কা অমদা মাইস্না কুমুদিনী মৈতৈলৈমগা লোন্না ফম্মিন্নদুনা ৱা খন্ন-তানরে। মখোয়সি মরক্তা হাওবম বিনোদ মন্ত্রীনা নিংথেমময়ুম য়ুম্নাক-শাগৈ, মন্ত্রীময়ুমচা ঈবুংশীজ নবিননা মহাক্না কুইনা ঈবুংশীজ নরসিংহবু খন্দুনা, মতুং ইন্দুনা অমসুং মতৌ তমদুনা লাক্লগা মহাকপু মরাল অমা লঙজরুবগী কৈশুমশঙদা শুম্বা-থম্বদা মরালদুনা অহকপা লঙজবা ওইরবগী হং চনবা নত্রগা ফল্লাং থাংবদা নিংথেমচাশিংগী চৎনবী- শেন (Bell metal) না নত্রগা শেঞ্জেং (Bronze) না নত্রগা পীথ্রাই (Brass) না শাবা হং নত্রগা ফল্লাং (Chain/Fetter) না পুনগদবদু য়োৎনা শাবা য়োৎহিং-ফাল্লাংনা থাংবা-পুনবগী শাওদুনা যুবরাজ নরসিংহবু হাৎকনি হায়না শরী নামুংদুনা ৱাশকপগী ৱাফম মমাশীজ কুমুদিনীদা তন্লে। মমাশীজ মাইস্না কুমুদিনীনা অচানবা মনাই কাংঙবা থাঙ্গাল থাদুনা ঈবুংশীজ নবীন মন্ত্রীময়ুমচাবু উনহল্লে। অচেৎপা অরোনবা অমসুং অহকপা লৌতুনবনী ৱারম, শরৌ লাংথাকপগী ৱাফম অমদি অরোনবা খুরৌ-লাংলৌগী ৱারোলগী ৱারী পুন্নমক শানহল্লে, অদুগা ঈবুংশীজ নবীনবুসু মখোয়গী মীচঙদা পুশিন্নবা লৌতুনবগী শরৌ-শৌথাক্তুবী লুচিংবী মমাশীজ মাইস্না কুমুদিনীগসু উনদুনা খুজীন-থৌরাংদুগী পাউ পুন্নমক হোদোক্লরে অমদি তৌগদবা থবকশিং অমসুং পান্দমশিং পুন্বা লোয়না

তান-তীক্লরে। হায়রিবা লৌতুনবা লুপ অসিগী খন্নরিবা থবকশিং অসিগী থৌরম পরেং য়াৎপনচিংবা পুম্বা খৃ: কুম: ১৮৪৩ গী ডিসেম্বরগী অরোয়বা ফাওবদা পাংথোক্লিবনি।

খৃ: কুম: ১৮৪৪ গী জানুৱারী থা হৌগৎলকপদা মাইস্না কুমুদিনীনা লুচিংবা লৌতুনবা লুপ অদুগী অরোনবা ৱাতাননবগী মীফম অমা ফমদুনা মখোয়না পায়খৎকদবা থবক্তু পায়খৎপদা চঙগদবা মীশীঙ, থবক পাংথোক্কদবা থা, থাবান অমসুং নুমিৎ লেপ্নরে, মথংদা থবক্তুদা হকথেংননা থবক পাংথোক্কদবা মীশক-মীওইশিং, থবক্তুগী থৌবু ওইনা থবক য়েংশিনগদবা মীশক অমসুং অরোনবা ঈ-পাউ লৌগদবা অমসুং পীগদবা মীওইশিং পুম্নমক খন্দুনা মাগী মাগী মথৌ তৌননবা ৱারেপ্নখ্রে। অদুগা মখোয় কায়নদুনা হায়না-থানখিবা নুমিত্তু ঙাইদুনা লৈনখ্রে। লৌতুনবা লুপ অদুনা পাংথোক্কে হায়দুনা লেপ্নরিবা থবক্তু পায়খৎপা অমসুং মদুদা থোকখি-ওইখিবা শাথোক-লান্থোকশিং অদুগী মরমদা চৈথারোল কুম্বাবদা পীবীরম্লিবদি :-

... অহোঙশাংবম প্রেমসিংগী কুম শক ১৭৬৫ ... ফাইরেন থা... ৮ নি থাঙজ (খৃ: কুম: ১৮৪৪ গী জানুৱারীগী চৈচৎ ২৭) দা শ্রীযুৎ সনা খুয়া যুবরাজবু ঈবুংশীজ নবিন (না) সন্ধ্যা মতুং পুঙ ৫ (মতমদুগী পুঙ ১ না হৌজিক্কী মি: ২২ সে: ৩৮ গা মান্নে) গী মনুংদা শ্রীবৃন্দাবনচন্দ্রগী হরি মন্দিরদা শ্রীভাগবত তাবগী লাই খুরুম্মিঙৈদা স্না পাম্বোম য়েত্তা থাঙনা য়ান-এ। ঈবুংশীজ নবিনগা লোইনরক্লুনা মাঙুপ চঙলকপা মী ৫৩ শুইএ।। ঈবুংশীজ নবিনদি অৱাং থোঙ্দা থমএ, অদুগা থুপখরে। শ্রীযুৎ মহারাজদি মমাশীজ মহারাণীগা লোইননা ময়াং চঙখিএ। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা চহি ১০ নিংথৌ ওইরমই [মথক্কী, ২৬৪-৬৫]।

অসিনি। মখোয়গী লৌতুনবগী শরৌ-থৌরাংদু মায় পাকখিদ্রে, ঈবুংশীজ যুবরাজ নরসিংহবু হাৎপা ঙমখিদ্রে। মহাকপু হাৎকনি হায়না মমাঙদগী ৱাশক্লুনা লৈরল্লবা অমসুং হাৎননবগী থবক্তা হকথেংননা মখুৎমক্লা পায়খৎখিবা মন্ত্রীময়ুমচা ঈবুংশীজ নবিন, মহাক্লা মকন্থী পুথোক্লুনা হোৎনজরুবদা কোনুং-মনুংগী চেকশিন-থৌরাংগী ঙাক-শেন লাল্লোইশিং অমসুং ঈবুংশীজ যুবরাজ নরসিংহগী তয়ুম-মদাইরেমশিং, মনাই-মশনশিংনা কাঞ্চিপুর কোনুংগী অৱাংথোঙ লোমদা ঈবুংশীজ নবীননা থৱাই হিংনবা চেল্লকপদা ফাখিরম্মী। অৱাংথোঙদা থমদুনা

ৱাহং-পাউহংনবদা মরাল লৈরে, যুবরাজ হাৎকে তৌবগী লঙজবা লৈরবা মীশক্লি হায়দুনা মফমদু (অৱাংথোঙ) দা খুদক্তুদা থাঙনা য়ান্দুনা লোয়শিনখিবনি। মহাক্কী খোঙ্গুল মতম চুপ্পগী ওইনা মুখৎখি।

মৈতৈলৈমা মাইস্না কুমুদিনীনা কাঞ্চিপুর কোনুংগী সনা শঙ্গাইরেনগী লৈমা-নিংথৌকোন মনুংগী লৈমকোন্দা মহাক্কী শরৌ-থৌরাং মায় পাক্লে, মহাক মশা অমসুং মখোয়গী মীশিং পুম্নমক্কী খুদোং থীনীঙঙাই ওইরে অমদি সেনাপতি ঈবুংশীজ দেবেন্দ্র সিংহ [মতমদুগী তুংলমচৎকী মৈদিংঙু মনিক নুঙলেনখোম্বা (খৃ: কুম: ১৮৫০) নত্রগা ধাকতাবা মহারাজ] না লান্মীগী থৌরাং লোয়খ্রে, ময়াম্বুং যুবরাজগী য়াথং ঙাইরি, হায়বা পাউ কাংঙবা থাঙ্গাল হজারীনা পুরক্তুনা তারে। হেক তাবগা ময়াম লাংনরিঙৈদা মচাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তিবু পুরগা শগোনশঙদা চঙদুনা শগোল লৌথোক্লগা মচাঈবুংঙো পুরদুনা কাংঙবা থাঙ্গাল হজারী অমসুং মহাক্কা লোইনরকপা মীশিং পুম্নমক্কা লোইননা লম্মাংদোং তারগা ময়াং লৈবাক কছাড় য়ৌগদবা লন্বীদা লেপ্তুনা শগোল থৌদুনা মচাঈবুংঙোবু মাগী শগোন্দা হাপ্তুনা পুরগা চেনখ্রে। অসুম্না মরাল লৈজদবা, মৈত্রবাক-মণিপুরগী নিংথৌ ওইরিবা মচাঈবুংঙো নিংথেমপীশকপু মশা মতোমতা নমদুনা কছাড়দা লৌই থাজদুনা লোইমী ওইনা অৱা-অনা নংহনখি অমসুং খুদোংথীবদা তাহনখি।

কছাড়গী সুপরিন্টেণ্ডেন্টতা চঙজবা - লৈখিদ্রবা রাজা গম্ভীর সিংহগী মহারাণী মাইস্নামচনু কুমুদিনীনা মচাঈবুংঙো সনাহল চন্দ্রকীর্ত্তিবু পুদুনা লাংথবান (কাঞ্চিপুর) কোনুংদগী মাইল ১৩২ [চামাকুন্থ্রানিথোই (কি: মি ২১১.১)] রোম শাংবা, অমসুং মসিগী মনুংদা মাইল ১০০ (কি: মি: ১৬০) শাংবা চীঙগী কাখৎ-কুমথ তৌবা অতোঙ-অকুৎকী লমশাং অমসুং তম্পাক্কী মাইল ৩২ (কি: মি: ৫১.২) লৈতেম মান্নবা লমশাং য়াওবা শিলচর য়ৌবা ফাওবগী লন্বী [ব: ক: শ:, ২০১২, ১৮২] পরীং অসিদা লেপ-পোত্থাদনা শগোল থৌদুনা কাংঙবা থাঙ্গালনচিংবা মনাইশিং ১০ (তরা) রোমগা লোইননা লাক্তুনা চহিসিগী ফেব্রুৱারী চৈচৎ ৩ (খৃ: কুম: ১৮৪৪ গী জানুৱারীগী ২৭ তগী খোঙশাল্লকপনি) থাঙজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা কছাড়গী শিলচর কংলৈদা থুংলম্মী। মসিনা তাকপদি লন্বীগী লম/মফম খরদা মখোয় পল্লম্মী, য়ারেক-নোংলেল্লম্মী [ডা: ল: চ:, ১৯৭০, ৭১], হায়বসিনি।

মাইন্না কুমুদিনী অমসুং মহাক্কা লোইনরিবশিংনা শিলচরদা হেক থুংবগা কছাড়গী সুপরিন্টেণ্ডেন্ট কেপ্তেন লিয়ন্স [Captain E.R. Lyons] তা চঙদুনা মখোয়গী মশক তাক্লগা চঙজফম পীবীনবা হায়জরম্মী। মদুদা কেপ্তেন অসিনা মখোয়গী লৈফম-চাফম্নচিংবা ফেব্রুৱারী ৪ দা শীনন্নী-লাংবীরম্মী। মসিগী মতাংদা মহাক্না মাগী মথক-থোংবা বৃটিশ ওফিসারদা থাগৎপা রিপোর্টতি :-

No. 15

To
The Secretary to the Govt.,
Foreign Department, Fort William

Sir
I have the honour to report you that the young Raja of Munnipore with his mother the Maharanee and 30 or 40 followers arrived here last evening.

2. There is no empty house here in which they can reside so as a temporary arrangement I ordered the Commissariat to make room for them in one of the public buildings until I could get two or three mat houses erected for their accomodation on the banks of the river which the Maharanee is very desirous for: I have also sent a Havildars party for the protection of the Raja and his mother.

3. The young Raja appears a fine intelligent had about 12 years of age but he seems to be completely in the hands of a few of his adherents from whom I could elicit nothing further than that the Raja fled from Munnipore in the fear of his life (the political... being absent on the road) on hearing that the Regent had been massacred and that for the present it would not be safe to return to his country. His departure from Munnipore was no precipitate that he appears to have left all his property behind him, so much so that I could believe they had scarcely a second change of clothes or even cooking

utensils. I have therefore ordered them to be supplied with every article that is absolutely necessary.

I have etc...

4th Feb. 1844 E.R. Lyons

[D.Datta, 1969, 123] Superintendent

অসিনি। অসুম্না কছাড়গী সুপরিন্টেণ্ডেন্ট অসিনা লৈফম-চাফমদা নত্তনা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ অমসুং মমা মহারাণীগী ঙাক- শেন্নবা হবিল্ডার অমনা লুচিংবা বৃটিশকী সিফাইশিংদু থারক্তুনা থৌরাংখিরম্মী। বৃটিশ ভারতকী সুপ্রিম এডমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিলনা মি: লিয়ন্সকী রিপোর্টকী মতুং ইন্না মতমদুগী মণিপুরগী গোভর্নমেন্ট অমসুং মণিপুরদা লৈরিবা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট কেপ্তেন জর্জ গোর্ডনদা মণিপুরগী রিজেন্ট ঈবুংশীজ নরসিংহ হাৎনবা লৌতুনবদুদা মহারাণী মাইস্না কুমুদিনীনা করম্না শরুক য়াখিবগে হায়বদু থিজিল্লকউ হায়না পাউ থারক্লম্মী।

মাইস্না কুমুদিনী মহারাণীনা মতমসিদা কলকটাদা লৈরিবা বৃটিশ-ভারতকী হেডক্বার্টর্সতা চে থাদুনা হায়রম্মী, মদুদি, - নোংমা মহাক্লা য়াম্না কন্না লাউ-খোংবা অমা তাখি, অদুগা লোইননা রিজেন্টপু থাঙনা য়ান্দুনা হাৎখ্রে, হায়বা পাউ ফংবদগী, অদুগা পোলিটিকেল এজেন্ট কেপ্তেন জর্জ গোর্ডননা মণিপুরদগী কছাড় লৈপাক য়ৌবা/তাবা লম্বী অদু য়েংবা চৎখিবনা মহাক (মহারাণী মাইস্না কুমুদিনী) মশামক অমসুং মচাঈবুংঙোবু ঙাকপী-কনবীনবা মী লৈতবদগী কছাড় তাননা চেল্লক্তুনা লৈপাক/লম অসিগী সুপরিন্টেণ্ডেন্টগী মনাক্তা চঙজফম লৌদুনা লৈরি [মথক্কীসিদা, ৭১ অমসুং পোঁ: কন্সল্টেসন মশীঙ ১০০-১০৩, ১৮৪৪], হায়না ৱাকৎচে অমা লানখৎলম্মী। মরম অদুনা মহারাণী কুমুদিনীসিনা "ভারতকী বৃটিশ গোভর্নমেন্টকী মতেংনা মচাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু মণিপুরগী নিংথৌ ওইহনবীয়ু" - হায়না ৱাকৎ-ৱাথাঙ্গৎ-চে অদুদা হায়রম্মী। অদুবু মৈত্রবাক-মণিপুরদা লৈরিবা বৃটিশকী পোলিটিকেল এজেন্ট কেপ্তেন জর্জ গোর্ডননা মহারাণী মাইস্না কুমুদিনীসিনা চাওনা মীনম্লিবা অমসুং লৌনম তৌদুনা বৃটিশ গোভর্নমেন্টকী মতেং লৌন-ফংনবা হোৎনরিবশিংদু খুদম্-চাংদম খঙহৌ-উহৌবা মীশকশিং অমসুং তাহৌ-য়েংহৌবা (ৱারী-ৱাতাই শানহৌবা) মীওইশিংগী

ৰাপাং-ৰা, ৰারোলশিংগা য়াওনা থিজিল-হুমজিল্লগা অরানবা তৌরিবা মহারাণীসিগী মরমদা, মহাক্না (কুমুদিনীনা) রিজেন্ট ঈবুংশীজ নরসিংহবু হাৎননবা লৌতুনবা শরৌদুদা য়াওখিবগী মরমদা সুপ্রিম এডমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিলদা রিপোর্ট তৌবদা হায়খিরম্মী, মদুদি "... রিজেন্টপু হাৎননবা (হোৎনবদা) রাণীসু য়াওই হায়বসি শোয়দ্রে, মহারাজগী মমিংদা, অদুগা মহারাণীসিগী থৌশীল মখাদা সরকার অমা শেল্লগা হৌজিক লৈপাক ঙাকপগী চুপলী পায়রিবা মীওইশিং অসিগী মহুত্তা মহারাণীগী মীওইশিংনা শিন্ননবা হোৎনবদগী রিজেন্ট ঈবুংশীজ নরসিংহবু হাৎননবা লৌতুনরিবনি, হায়বা অসিদা ঐদি করি অমতা চিংনদে [পো: কন: মশীঙ ১০১-১০২, ১৮৪৪ অমসুং ডা: ল: চ:, ১৯৭০, ৭৩], ...।" মরম অসিনা কেপ্তেন জর্জ গোর্ডননা সুপ্রিম এডমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিলদা মৈত্রবাক-মণিপুরগী মীয়ামগী অনীঙ-অপান্বগী মায়য়োক্তা মহারাণী মাইস্না কুমুদিনী অমসুং মাগী মচাঈবুংঙোগীদমক্তা ভারতকী বৃটিশ গোভর্নমেন্টনা মতেং পাংবীদনবা হায়জরম্মী। মহারাণী কুমুদিনী অমসুং মচা ঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি অনিসি থৌদোক অসিদগীদি মৈত্রবাক্কী মীয়াম্না নুংশিনদ্রে [মথক্কীসিদা, ৭৪]... হায়না রিপোর্ট তৌরক্লম্মী। অসুম্না পোলিটিকেল এজেন্ট কেপ্তেন গোর্ডনগী রিপোর্ট অসিদগী বৃটিশ ভারতকী গোভর্নমেন্টনা মহারাণী মাইস্না কুমুদিনীসি মরাল লৈরবা মীশক্নি হায়না লৌখ্রে অমসুং মহারাজ নরসিংহনা মৈত্রবাক-মণিপুরগী নিংথৌনি, হায়দুনা খৃ: কুম: ১৮৪৪ গী সেপ্তেম্বর থাদা লাউথোকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৭৫]।

মৈত্রবাক্তা লান্দানবগী লুচিংবী ওইনা

মাইস্না কুমুদিনী মহারাণীনা ময়াং লৈবাক কছাড়দা থুংলবা মতম অমসুং মৈত্রবাক মণিপুরদা ঈবুংশীজ নরসিংহ মহারাজনা নিংথৌ ফম্বাল কারক্লবা মতম অসিদা কছাড়দা লৈরিবা মৈতৈ লৈপাক্কী মৈতৈ নিংথৌ মচাশিং - ঈবুংশীজ গুনধবজ (ময়াম্নদি "চুবা" হায়না খঙনৈ, হায়), ঈবুংশীজ মেল্লৈখোম্বা, ঈবুংশীজ পূর্ণ সিংহ অমসুং ঈবুংশীজ শাজৌবনা মৈত্রবাক মণিপুরদা পুন্না লান্দানবগী থৌরাং তৌরম্মী। মরম অসিনা মণিপুরদা লৈবা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট মি: জর্জ গোর্ডননা মখোয়সিবু কছাড় লৈবাক্তগী নোংচুপকী মপান লৈপাকশিংদা পুথোকপীখিদুনা মৈত্রবাক মণিপুর ঈংনা তপ্না পানবা য়ানবা শীনবীনবা বৃটিশ ভারত গোভর্নমেন্টতা হায়জরম্মী [মথক্কীসিদা, ৭৬]। ৰাফমসিদা বৃটিশ

গোভর্নমেন্টসিনা মৈতৈ নিংথৌ মচা অমসুং নিংথেমচাশিংসিবু কছাড় লৈপাক্তগী বঙ্গ/গৌর লৈপাক (বেঙ্গোল) তা পুথোকখিনবগী ৱাফম ৱাখন্দদি লৈরে। অদুগা মদু খুদক্তা থবক ওইনদি লৌখৎপা ঙম্লমদ্রি ! মৈতৈ নিংথৌমচা-নিংথেমচাশিংসিদা মখোয়বু কছাড়দগী বেঙ্গোলদা পুথোক্লবগী ৱাফম লৈরে হায়বা পাউসি পীরবা অমসুং মখোয় মশা মশানা ফংলবসু মখোয়না থোইনা থৌশারমদে।

মৈতৈলৈমা মাইস্না কুমুদিনীগী মহারাণীনা কছাড়দা হেক থুংলবদগীদি মখোয়গী মপুক্লীঙ থৌগৎলে, মথৌনা-মরীংজেন হাপকৎলে অমসুং মতীক-মপাঙ্গল হেনগৎহল্লে। অদুগা মহারাণীসিনা কছাড়দা হেক য়ৌরকপগা নিংথৌ মচা-নিংথেমচাশিংসিগা উনদুনা, ৱারী-ৱাতাই শানদুনা অমসুং অফ-ফত্ত খন্ন-নৈনদুনা মৈত্রবাক মণিপুরদা লান্দানবা ইনশিন-থৌজিল্লম্মী। অদুগা মদুগীদমক্তা কলকটাগী মতীক চাবা মপাঙ্গল লৈবা লানগী খুৎশূ-খুৎলাই, অফবা নোংমৈ মখলশিং লৈরু-লৌরুনবা মী ফাওবা থারম্মী। মৈত্রবাক-মণিপুরদা লান তৌরুনবগী লানহৌ অমসুং লান্দাশিং অসিগী লুচিংবী মকোক মাইস্না কুমুদিনী মহারাণীনা ওইবসিগী লমদাংদা থন্বীরল্লিবা ৱারোন্দি :-

....। মরম অদুনা মহারাণী (মাইস্না কুমুদিনী) গী মতেং য়াওদনদি রাজকুমারশিং (মৈতৈ নিংথৌমচা-নিংথেমচাশিং) অসিনা অসুপ চাওবা থবক অসি পায়খৎপা ঙমফম থোক্তে হায়না থাজনরম্মী [পো: কন:, মশীঙ ১২০-২২, ১৮৪৪]। মণিপুরদসু মহাক্কী মীচঙ লৈরম্মী মহারাণীনা লানহৌ অসিগী লুচিংবা ওইরম্মী। .... রাজা গোপীরাম হাওবমচা হায়বা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী মনাইশিং অমনা হায়বদদি মহারাণী অমদি মচাঈবুংঙো অনিনা অতৎপা লৈতনা মণিপুরদা লান্দানবা হোৎনরম্মী, অসিনি [মথক্কীসিদা অমসুং ডা: ল: চ:, ১৯৭০, ৭৬-৭৭]। মথক্কী মীওই অসিনা অসুম্না অমুক্কা হায়রি, মদুদি, মহারাণীনা রাজকুমারশিং অসিদা লুপা ৫০০ নোংমৈনচিংবা লৈননবা পীখি, অদুগা চহী খুদিংগী রাজকুমারশিং অসিনা মণিপুরদা লান্দানবা থৌরাং তৌরম্মী [মথক্কীসিদা, ৭৭]।

অসিশিংসিনি। অদুনা বৃটিশ ভারত গোভর্নমেন্টকী ওথোরিটীনা মহারাণী কুমুদিনী অমসুং মচাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ অনিবু য়াম্না চেকশিন্না শেন্নদুনা অমসুং য়েংশিন্দুনা কছাড়দা অসুম থমখিগদ্রা নত্রগা সীলেটতা পুথোক্তুনা থম্লুগদ্রা, হায়বগী ৱাফম, কছাড়গী সুপরিন্টেণ্ডেন্টনা মণিপুরদা লৈরিবা বৃটিশ পোলিটিকেল

এজেন্টকা তানরগা মখোয় অনিনা লেপচনবা পাউতাক পীরম্মী। অদুনা বৃটিশ ওফিসার অনিসিনা খন্ন-তানরগা মহারাণী মাইস্না কুমুদিনীবু ফরিদপুর নত্রগা মায়নমসিংদা পুখিনবা লেপ্পরম্মী। ৱাফমদু বৃটিশ ভারত গোভর্নমেন্টনসু অয়াবা পীরম্মী। মহারাণী কুমুদিনীসি কছাড়দা নত্রগা সীলেটতা মতীক চানা ঙাক-শেন্দুনা থম্লবদি মহাক্না মণিপুরদা লৈবাক ঈরাং হৌহন্নবা হোৎনবা, মৈতৈ নিংথৌমচাশিংবু মণিপুরদা লান্দানবা থৌজিন-ইনশিনবা অমসুং শীনবা নত্রগা মহাক্কী মচানুপানা লান্দাহন্নবা থৌরাং লৌখৎপসি থিংবা ঙমগনি, হায়না বৃটিশ ওফিসারশিংনা য়াম্না কন্না অমসুং চেকশিন্না ঙাক- শেন্নবগী থৌরাংশিং লৌখৎলম্মী। অদুগা মহাক মশাদা মসিদগী হেঞ্জিল্লক্লবদি মহাকপু মণিপুরদগী য়াম্না থাপ্ল-থাপ্লবা ভারতকী লৈপাক অমদা পুদুনা থমগনি হায়বা ৱাফমসিসু খঙহল্লম্মী [মথক্কীসিদা, ৭৭-৭৮]।

ময়াং লৈবাক কছাড়দা লৈরিঙৈগী মতমসিদা মহারাণী মাইস্না কুমুদিনীসি মচাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তিগা লোইননা শিলচর কংলৈদা লৈরিবা কছাড়গী সুপরিন্টেণ্ডেন্টকী লোইশঙগা লৈফমগা পুনবা (Office-cum-Residence) ঈংখোনগী কম্পাউন্দ মনুংদা শাবা শঙলেন/য়ুম অমদা লৈরম্মী। খৃ: কুম: ১৮৫০ গী চহিসিদদি মমা মচা অহেনবা চেকশিন থৌরাং, তত্তনা য়েংশিনবা অমসুং থোঙঙাক মৈরীংদুনা শঙ-শেন্নবগা লোইননা থম্বগী মতমতা ওইরম্বা ফিবমদি :-

.... ঈবুংশীজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু কছাড়দগী পুথোক্লবা হোৎনরিঙৈদা নরসিংহ মহারাজগী মচাঈবুংঙো ভুবন সিংহ অমদি শেতু সিংহ অনিনা কছাড় তাননা লাক্তুনা চন্দ্রকীর্ত্তিগা তীন্নখি। মতাং অসিদগীদি মখোয়গী অপুনবা শক্তি (মপাঙ্গন) না মণিপুরদা লান্দানবা কন্না হোৎনবা হৌখি। পাউ অসি ফংবদগী মহারাজ অসিবু ঙাক্লিবা গার্ডকী মশীঙ হেনগৎনবা হায়রম্মী। মরম অদুনা গোভর্নর-জেনরেলনা হাননা মী নিপান্দনা ঙাক্লম্বা অদু মী কুন (২০) শুনবা হেনগৎলম্মী। অদুগা মহাক্কী বারাক (Barrack) তা লৈরিবা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু য়াম্না নীঙথিনা শঙনবা য়াথংসু পীরম্মী। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ অসি সুপরিন্টেণ্ডেন্টকী লৈফমদগী গজ ১৫০ (মিটর ১৩৬.৪) মুক লাপ্না, ৱানা শম্বল খাদুনা লৈবা বারাক অমদা লৈরম্মী। মতৌ অসুম্না য়ুম অসিদি অতৈ য়ুমশিংদগী তোংঙান্না থম্লম্মী। য়ুম অসি গজ ৪৫ শাংবা, অদুগা গজ ৩০ খক্তং পাকপনিনা সিফাই অমনা থোঙদা অদুগা সিফাই মরিনা

তোংঙান তোংঙানবা মফম শন্ত্রী-থন্নবদি টাকা (ধাকা) তান্না চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু পুশিনখিনবা হি থুংলদ্রিঙৈদা মহারাজ অসি চেন্থোকখিবা ঙন্নোয় হায়না (কছাড়গী সুপন্টেণ্ডেন্ট) মি: ভর্নরনা থাজন্মী [মথক্কীসিদা, ৮২-৮৩]।

অসিনি। হায়রিবা শঙলেন-শঙবী অসিদা চন্দ্রকীর্ত্তি-মহারাজ মতোমতা লৈবা নত্তে, মমাঈবেম্মা মাইস্নাম চনু কুমুদিনী মহারাণীসু য়াওনা লৈমিন্নরিবনি। বৃটিশকী কল্লবা চেকশিন থৌরাং অমসুং মিকুপ-পুঙজা কাংদনা শঙলি-শেন্নরিবা অসিদগী নান্থোক্তুনা অমদি লীথোক্তুনা চেন্থোকখিগনি, হায়বগী থাজবা বৃটিশ ওফিসারশিংদা লৈরমদে। অসিগুম্বা থাজদবশিং অসিদগী নান্থোকখিবশিংদুনি অশেংবা লানহৌবা হায়রিবসি।

মাইস্না কুমুদিনী মণিপুরদা হল্লকপা

কছাড়গী সুপরিন্টেণ্ডেন্টকী লোইশঙ অমসুং লৈফমগী অপুনবা বৃটিশ রেসিডেন্সীগী লমকন-লমদম মনুংদা থোঙশঙ-মৈরীংবা সিফাই ২০ (কুন) না চেকশিন্না মিৎকুপ-নাহুম শেন্নদুনা শঙলি-ঙাক্লিবা শঙবী-শঙলেন-য়ুম অদুদগী মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ মহারাজনা মরোই লোইনবা মীওই ৮ (নিপান) গা খোঙলোই শারোইননা খৃ: কুম: ১৮৫০ গী জুন থাগী চৈচৎ ১০, নিংথৌকাবা নুমিত্তা ঙাক-শেল্লিবা খোঙমী- শন্ত্রীশিং খঙহন-উহন্দনা চেনথোকখিরম্মী। মতমসিদা মমাঈবেম্মা মাইস্না কুমুদিনীদি কছাড়ী সুপরিন্টেণ্ডেন্টকী বৃটিশ রেসিডেন্সী কম্পাউন্দগী য়ুমদুদা লৈহৌরি। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা নোঙ্গাখ্রবা মৈদিংঙু নরসিংহ মহারাজগী মচা ঈবুংঙো অনি ঈবুংশীজ ভোগিন্দ্র সিংহ নত্রগা ভুবন সিংহ অমসুং ঈবুংশীজ শেতুসিংহ নত্রগা অঙৌ সিংহগা পুন্দুনা অতৈ মৈতৈ নিংথৌমচাশিং অমসুং নিংথেম মচাশিং অমদি খোঙমী লাল্লোই-লাল্লোইলেনশিং, সিফাইশিংগা লোইননা কছাড়গী শিলচরদগী লাক্তুনা চহিসিগী জুলাই ৯ দা মণিপুরদা লান্দারক্তুনা লাংথবান-কাঞ্চিপুর কোনুং চঙদুনা মদুনা তেঙ্গোনগী লানশঙ-লানবন ওইদুনা জুলাই চৈচৎ ১১ ফাওবা অহিং নোংথিল নাইদনা অহিং অহুম লান্থেং-লানশোক্লরগা য়েক্লবশিংবু তান্থোকখিদুনা জুলাইগী চৈচৎ ১২ ঈরাই নুমিত্তা কোনুংলেন কংলা চঙদুনা নিংথৌ ফম্বাল কাখিরম্মী। হায়রিবা মচাঈবুংঙোনা মৈত্রবাক মণিপুরগী নিংথৌ ওইবগী নুংঙাইরবা অমদি য়াইফরবা পাউ অসি মমাশীজ মাইস্না কুমুদিনীনা কছাড়দা জুলাই চৈচৎ ১৭ তা ফংলম্মী। অদুনা মহাক্না মচানুপা

চন্দ্রকীর্ত্তিগী মনাক্তা মৈতৈ লৈপাক মণিপুরদা থীন্থদনা থোক্লনবা থোক্লীঙবা-চৎনীঙবনা লাংতক্লরম্মী। অদুবু মহাক থোকপা য়াদে, মণিপুরদা শাথী-তমথীরবা খুদোংথীবা লানহৌবা অমা থোক্লক্লম্মী, মচাঈবুংঙোগী মথক্তা নিংথৌ শেন্নবগী লানহৌ অমা থোক্লম্মী।

মৈদিংঙু নরসিংহ মহারাজগী মচাঈবুংঙো অনি ঈবুংশীজ ভুবন সিংহ অমসুং ঈবুংশীজ শেতুসিংহনা মপাবুং ঈবুংঙোনা তাইবংপান থাদোক্ত্রিঙৈদা মতোনশী দেবেন্দ্র সিংহ সেনাপতিনা নিংথৌ ফম্বাল লৌন-ফংনবগীদমক্তা তৌরিবা থৌরাং অমদি শীল্লিবা খুজীনগী শরৌ-শৌথাক খণ্ডলকপদগী মপাবুং সনখ্যানা নোঙ্গাবা নংদা-য়াওদনা মৈতৈ কোনুং থাদোক্তুনা কছাড়দা চেল্লখিবনি। মখোয়গী ৱাখন্দা মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বালদু মখোয়না ফংবা-লৌনবগী ৱাফমদা মৈত্রবাক মণিপুরদা লান্দাবা, মতোনশী দেবেন্দ্র সিংহবু হাৎপা নত্রগা তাম্থোকপগী ৱাখন্দা লান য়াওখিবনি। অদুবু ৱাখন্দু ওন্ন-তৈননা থোক্লরে, মনাউ ঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা নিংথৌ ফম্বালদু ল্লোকখ্রে, মখোয় অনিদা ৱাঙ্গোন নিংথৌ (যুবরাজ) অমসুং লাঞ্জিংলেন-পুরেন (সেনাপতি) গী ফমথোনশিং পীরে। ফমশিংসি মখোয় অনিনা পামদে অমদি য়ানীঙদে। অদুনা মখোয় অনিনা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা নিংথৌ ফম্বাল কাবা নুমিৎ (খৃ: কুম: ১৮৫০ গী জুলাই ১২, ঈরাই) সিদগী কোক্ চুঙশিন্নখ্রে। মদুগী মহৈ ওইনা জুলাই থাসিগী চৈচৎ ২৪ গী অহিংদা নিংথৌ শেন্নবগী লানহৌগী থৌদোক ওইনা থোক্লকখিরম্মী [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৩০২]। অহিং অদুমা কংলা কোনুং মনুংদা লান শোক্লদুনা নোংমৈ কাপ্নরগা ঈবুংশীজ ভুবন সিংহ যুবরাজনচিংবা পুম্নমক ময়াং লৈপাক কছাড়দা চেনখিরম্মী।

মৈত্রবাক মণিপুরদা লানহৌবগী পাউ অসিনা মহারাণী মাইস্না কুমুদিনীবু মণিপুরদা থোক্লকহন্নবগী মতম থীন্থহল্লম্মী। অসি নত্তবা মরমশিংনসু মহাকপু মৈত্রবাক্তা লাক্লনবগী মতমসি য়েথহল্লিবনি। মহাক্লা মৈত্রবাক্তা থোক্লক্লবা হোৎনখিবা অমসুং মহাক থোক্লক্লে হায়দুনা মচা ঈবুংঙোনা মহাকপু লমখাংদা ওক্লনবা মনাই-মশনশিং থারকখিবসি অহুম্লক্লি, মদুশিংদুদি :-

(১) ... পুয়াম যুপাসিংগী কুম শক ১৭৭২... থৱান থা ... ১০ নি থাঙজ (চৈচৎ ১৭।৮।১৮৫০ ইং) দা চোংথামচা হজারীনা মমাংদা মমাশীজ ওকপা চৎএ [মথক্কীসিদা, ৩০২]।

(২) ... পুয়াম যুপাসিংগী কুম শক ১৭৭২... লাংবন থা.... ১৫ নি থাঙজ (চৈচৎ ১১।৯।১৮৫০ ইং) দা ৱাহেংবমচা সুবিদারনচিংবা আগারী ২০ গনা মমাশীজ ওকপা চৎএ [মথক্কীসিদা, ৩০৩]।

(৩) ... পুয়াম যুপাসিংগী কুম শক ১৭৭২... পোইনু থা.... ২ নি শগোলশেন (চৈচৎ ৫।১২।১৮৫০ ইং) দা লাইশ্রমচা মেঙ্গোরনচিংনা মমাশীজ নিংথেমপোকপী ওকপা চৎএ। মমাশীজগী শঙসু হৌএ [মথক্কীসিদা, ৩০৫]।

অসিশিংসিনি। অদুগা মমাশীজ মাইস্না কুমুদিনীসিনা ময়াং লৈবাক কছাড়দগী মৈত্রবাক মণিপুরদা লাক্তুনা লম্মাংদোং (বিষ্ণুপুর) দা থুংলববা, মফমদুদগী অমুক লাক্তুনা লাংথবান (কাঞ্চিপুর) কোনুং তারক্লগা মৈত্রবাক্কী কোনুংলেন কংলাদা হাইগৎলক্তুনা থুংলবা অমসুং মহাকপু ওকপগী মরমদা পীবীরল্লিবদি :-

...পুয়াম যুপাসিংগী কুম শক ১৭৭২... পোইনু থা... ১১ নি লংমাইজীঙ/নোংমাইজীঙ (চৈচৎ ১৫।১১।১৮৫০ ইং) দা ঈবুংশীজ সেনাপতিনা চিংবা শঙলাক- কৈরক্লংবনচিংবা ফম পুম্নমক মমা শীজ ওকপা চৎলে।। ১৪ নি য়ুমশকৈশদা মমাশীজ নিংথেমপোকপী লমলাংতোং তাইয়ে। মচাঈবুংঙো মহারাজনা নোংমৈ ৪ রক কাপএ।। ১৬ নি ঈরাইদা ফোইজীঙদা থুংলৈএ, শেনসুং চায়এ।। ... ১৭ নি থাঙজদা ... শীজ নিংথৌপোকপীসুং লাংথবান কোনুং চঙঙৈয়ে, শেনসুং চায়এ।। ... ২০ নি নিংথৌকাব (চৈচৎ ২৩।১২।১৮৫০ ইং) দা মমাশীজ নিংথৌ পোকপীনা কৈথেল অওম্বদা কোনুং চঙএ, সনা কৈথেন্দা শেন লখা ২০০ চায়য়ে। মহারাজনা নোংমৈ তোপ ৫৫ রক কাপএ [মথক্কীসিদা, ৩০৫]।

অসিশিংসিনি। মমাশীজসিবু কয়াদা লুনা খন্দুনা থৌরাং চাওনা তৌদুনা ওক্লিবনো? তোপ ৫৫ (য়াঙখৈমঙা) রক কাপ্তুনা ঈকাই খুম্নবা উৎলিবসি য়াম্না অৱাংবা থাক্কীনি, হায়ৰনি। অসুম্না মাইস্নাম চনু মৈতৈ- লৈমা কুমুদিনীবু নিংথেমপোকপী অমসুং/নত্রগা নিংথৌপোকপী হায়বা মিংথোনসিগা লোইননা মৈত্রবাক্কী কোনুংলেন কংলাদা খৃ: কুম: ১৮৫০ গী ডিসেম্বর ২৩, নিংথৌকাবা নুমিত্তা থুংখিরম্মী অমসুং নুমিত্তুদগী কোনুংসিদা লৈখিরম্মী।

মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিনা পাল্লিখৈঁদা

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ মহারাজনা অনিরক শুবা ওইনা মৈতৈ নিংথৌ ওইদুনা পানবা হৌখিবসি খৃ: কুম: ১৮৫০ গী জুলাই থাগী চৈচৎ ১২, ঈরাই নুমিত্তগীনি। মাইস্না কুমুদিনী মমাশীজ নিংথেম পোকপীনা কছাড়দগী থোক্লক্তুনা কংলা কোনুংলেন্দা থুংখ্রবা মতুংদা মহাক্কীদমক্তা অকক-অখন্ননা শাবা শঙ্গাইদা লৈখিরম্মী। অদুগা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা মশাগী চহি ১৬ (তরাতরুক) শুবা খৃ: কুম: ১৮৪৮ দা কছাড়দা লুহোংখিবা তাল্লোই অনি নোংবাল্লোন অঙোম চনু লুকেশ্বরী অমসুং খুয়োঙ্গরোম ওয়নাম চনু ভীমেশ্বরীনা অপোকপী মমাশীজগী যৌগল তৌনা-তৌনা মশাগী চহি ২০ (কুন) শুরকপা খৃ: কুম: ১৮৫১ গী মার্চ থাগী ৫, য়ুমশকৈশ নুমিৎসিদা নোংমতদা তাল্লোই অহুম, মমিং শীঙথারবদা - (১) ঈৰাংলোন চোংথামচনু কৌশেশ্বরী, (২) ঈৰাংলোন চোংথাম চনু লুকেশ্বরী (অহানবগীসিগী পোকমিন্নবী মনাউ নুপীনি) অমসুং (৩) নোংবাল্লোন লোংজম চনু হরিমঞ্জুরী লুহোংখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৩০৬]। অসুম্না মমাশীজ মাইস্নাম চনু কুমুদিনী মহারাণীসি খৃ: কুম: ১৮৫১ দা মমৌ ঈবেম্মা ৫ (মঙা) না যৌগল তৌখিরম্মী। অমসুং মনেম ওইবগী মমৌবু তাকপী-তম্বীবা অমদি য়াথং থাবগী পুন্সিদুদা চঙখিরম্মী।

খৃ: কুম: ১৮৫১ গী নুংঙাইরবা য়াওশঙ কুম্মৈগী মতমসিদা মাইস্না কুমুদিনীনা অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সিগী চেনা ফাকৎলকপদা কুইনা কাউখ্রবা মরুপ নত্রগা মবুং ওইবা মীশক অমা নীঙশিঙলকখি। মহাক্তুগী মমিং মাইস্নাম মেঘ নত্রগা মেঘো কৌই, কাঙমোংদা লৈমিন্নরম্বনি। মাইস্না মহারাণীসিগা অঙাং ওইরিঙৈদা শান্নমিন্নরকখিবা মীশক্লি। মাইস্না কুমুদিনীনা নীঙশিঙলকপা নুমিৎসিদগী নুমিৎ মঙানি, মহাক হিংল্লিব্রা নত্রগা শিখ্রব্রা, কদায় লৈরি, হায়বনচিংবদা থিগৎলম্মী অমসুং মতমদুদা মহাক হিংলি, কাঙমোংদা অদুম লৈরি, হায়বা পাউফংলম্মী। মদুদগীদি থীন্দে, অচানবা মদাইরেম কাংঙবা থাঙ্গালবু কাঙমোংদা থাদুনা মাইস্নাম মেঘোবু থিহল্লম্মী। কাংঙবা থাঙ্গালনা কাঙমোংদা মাইস্নাম মেঘোবু থেংনরদুনা মহারাণী মাইস্না মমাশীজ নিংথেমপোকপীগী য়াথং মতুং ইন্না কংলা কোনুংদা পুরক্লম্মী। মেঘোসু ঈঙক ঙক্লা কাংঙবা থাঙ্গালগা লোইননা লাক্তুনা মমাশীজ মহারাণীগা উনরম্মী। অঙাং পীশক পীক্লিখৈঁদা শান্নমিন্নরকপা মরুপ্তু উবদা মাইস্না কুমুদিনী মমাশীজনা হরাউজখ্রদুনা পীজ-পীথক তৌরম্মী। অদুগা মহাক কোনুংগী

লমখৈ-লমকন মনুংদা লৈননবা অমসুং কাঙমোংদা লৈহৌরিবা মাগী ঈমুংগী মীওইশিং লৌরুনবা হায়রম্মী। মহাক্লসু মহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈগী মরুপ নত্রগা মচন্না হায়বদু য়ারম্মী অমসুং মাগী ঈমুংগী মীশিং কাঙমোংদগী লৌরুরম্মী। অৱাংবা থাক্তা লৈরবী মমাশীজ মাইস্না কুমুদিনীনা মাইস্না মেঘোবু মশাগী মখোঙদা লেপচবা ঙম্লনবা সিফাইদা জামান্দার/জমান্দারগী ফম পীবীরম্মী। অসুম্না মাইস্নামচা মেঘোবু অঙাং ওইরিঙৈগী মরুপ ওইনা কাঙমোংদগী কোনুংদা পুখত্তুনা লৈহনখি অমসুং য়োকখি।

মীওইবগী তাইবং হকচাংনা উৎ ওন্দুনা তুমদ্রি-মাঙ্দ্রিবা মখৈ মুৎপা লৈররোয়দবা পা-পী অনিগী মরীদা মমাশীজ মাইস্না কুমুদিনী মহারাণীসি মশাগী চহি ৫৯ (য়াঙ্খৈ মাপন) - ৬০ (হুম্ফু) গী মতম, খৃ: কুম: ১৮৫১ সিদা মিংদা থীবী, ৱাথোক চাওবী অমা ওইখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৩০৯]। অদুবু মদুনা মীওইববু মী ওইহন্দবদুদি তৌখিদে। অদুগা মৈতৈলৈমা মাইস্না কুমুদিনীসি খৃ: কুম: ১৮৫১ চহি কুমসিদা থোকখিবা মৈত্রবাক্কী লাইথৌ-থৌরমশিং অমসুং কুম্মৈ-ফিয়োংশিং চিথদনা য়াওয়ি, মেরা থাদা ক্বাক তানবদা লাইরেম্মা দূর্গাগী শক্তম শাদুনা ঈরাৎ-থৌনীবা [মথক্কীসিদা, ৩১০], মেরা হাওচোংব [মথক্কীসিদা, ৩১১], অসিনচিংবদা মমাশীজ নিংথৌপোকপী ওইনা শরুক য়াখি। অসুম্না চহি কুমজা খুদিংমক্তা থোক্লক-ওইরকপা মৈত্রবাক মণিপুরগী লৈঙাকলোনগী, খুন্নাইলোনগী, শেনবা-থুন্বারোনগী, ৱায়েন-চৈরাকলোনগীনচিংবা থৌদোক-থৌরমশিং অমসুং ৱাথোক-লানথোকশিংদা শরুক য়াদুনা মমাশীজ মহারাণী মাইস্না কুমুদিনীনা পুন্সি লেল্লম্মী। মদুশিংদুদা মহাক্কী পুন্সিগা অকক্লবা মরী লৈননা পীবীরল্লিবশিংদি :-

(১) ... থিঙ্গুজম চীঙশোম্বগী কুম শক ১৭৭৫ (ওল্লকপা) শজিবু থা... ৫ নি লংমাইজীঙ (চৈচৎ ২।৪।১৮৫৪ ইং) দা মমাশীজনা শেকমাইজীন্দা লাই খুরুম্বা চৎলে [মথক্কীসিদা, ৩২২]।...

(২) ... খোইরীখুন চাওবগী কুম শক ১৭৭৬... ঈংঙা থা... ৬ নি ঈরাই (চৈচৎ ২।৬।১৮৫৪ ইং) দা শ্রীযুৎ স্না মাঙদা মমাশীজ য়াওনা পীবা মুন্নবগী ৱায়েন তৌএ। লাইশূবম লোইবা (শঙ্গোইবা) হিদংগা শগোল তোংবগা পীবদি অৱাদা লৈয়ে, মথং মুন্নেএ। শঙ্গোইবা হিদংনা চুমএ। চান্দমসুং পীবা মুন্নে, মাইবা খনবা ফুঙ্গানা ঈবেন শীজ মচানি হায়দুনা ঙমজে। লাইশ্রমসুং শীজ মচাগা পানা

হজারীগা মুন্নে, ফুঙ্গা ইমা কায়নৈএ, য়ুমলেন্দি শীজমচা ওই। ময়েংবমসুং....। নারেংবমসুং....। অঙোম নিংথৌ ফুঙ্গানা পাচহনবগী ফুঙ্গাবু....। পাউনমসুং... পীবানা লাল্লে হায়দনা ৱাকোঙএ... [মথক্কীসিদা, ৩২৩]।

অসিশিংসিনি। অসুন্না মমাশীজ নিংথেম পোকপীসিনা ৱায়েন-চৈরাকলোনগী লমদাংগী ৱায়েন-ৱাতেমশিংদা শরুক য়াদুনা অমসুং মচাঈবুংঙো মৈদিংঙুদা পাউতাক পীদুনা মৈদিংঙুসিগী সনাহাক্তক লোম্বা ফাওবা পানখিরম্মী।

(৩)... সেকমাই দেবান্দগী কুম শক ১৭৭৭... ফাইরেন থা... ১০ নি ঈরাই (চৈচৎ ১৫।২।১৮৬৬ ইং) দা মমাশীজ চন্দ্রখোং তৌবা চৎলে [মথক্কীসিদা, ৩৩০]।

(৪) ... লমদা থা... ৩ নি লংমাইজীঙ (চৈচৎ ৯।৩।১৮৫৬ ইং) দা মমাশীজ নিংথৌপোকপীনচিংনা লৈপাক পুম্নমক খোং (চন্দ্রখোং) তৌবা শানলে [মথক্কীসিদা, ৩৩০]।

(৫) .... (ওল্লকপা) শজিবু থা... ৬ নি শগোলশেন (চৈচৎ ১০।৪।১৮৫৬ ইং) মমাশীজ নিংথৌপোকপীনচিংনা শঙলাক- কৈরু, পুখ্রন- নোংথোন পুম্নমক খোং তৌবা ইল্লকএ [মথক্কীসিদা, ৩৩০]।

(৬) ... ককচীঙ চন্দ্রশ্যামগী কুম শক ১৭৭৮... মেরা থা... ৩ নি শগোলশেন (চৈচৎ ২।১০।১৮৫৬ ইং) মহারাজনচিংনা মমাশীজ, য়োঈবু-য়োঈবু কুমদুনা লিল্লোংদা কৈ ২ ফায় [মথক্কীসিদা, ৩৩১]।

(৭) .... লাইশ্রম বলদেবগী কুম শক ১৭৭৯... থৱান থা... ৯ নি শগোলশেন (চৈচৎ ৩০।৭।১৮৫৭ ইং) দা নিংথেম, মমাশীজ, য়োঈবু য়োঈহৈ য়াওনা কোইরেঙ্গেদা হৈ চানৈএ [মথক্কীসিদা, ৩৩৪]।

(৮) .... য়ুমনাম চাওবগী কুম শক ১৭৮০... শজিবু থা ২৭ নি নিংথৌকাবা (চৈচৎ ১২।৪।১৮৫৮ ইং) দা মহারাজ কাঙজে শান্নেএ। মমাশীজনচিংবা ঈবেম্মশিং য়োঈবু- য়োঈহৈ পুম্নমক কুম্মে য়েংহল্লে [মথক্কীসিদা, ৩৩৬]।

(৯) .... থোকচাও চান্দগী কুম শক ১৭৮২... ফাইরেন থা... ৭ নি লংমাইজীঙ (চৈচৎ ১৭।২।১৮৬১ ইং) দা মমাশীজ নিংথৌপোকপীনচিংবা ঈবেম্মশিং য়োঈবু- য়োঈহৈ পুম্নমক লেংলেং (নিংঙেন) দা থুমখোং য়েংবা কুমএ [মথক্কীসিদা, ৩৪৪]।

(১০) .... লৈশাং দেবান্দগী কুম শক ১৭৮৩... হিয়াঙ্গৈ থা... ২৭ নি ঈরাই (চৈচৎ ২৯।১১।১৮৬১ ইং) দা মমাশীজ নিংথৌপোকপীনা লাংথবান লৈশাং হিদেন্দা ঙা চাবা কুমএ [মথক্কীসিদা, ৩৪৭]।

(১১).... (ওল্লকপা) শজিবু থা.... ৯নি লৈপাকপোকপ (চৈচৎ ৮।৪।১৮৬২ ইং) দা নিংঙেনগী খোং লোয়দুনা মমাশীজ নিংথৌপোকপী হল্লকএ [মথক্কীসিদা, ৩৪৮]।

(১২) ... ৱাইখ্বা হেমসিংগী কুম শক ১৭৮৬ ... ৱাকচীঙ থা... ২৭ নি ঈরাই (চৈচৎ ১৩।১।১৮৬৫ ইং) দা ...। নিংথেম স্না য়াথং খারম পল্লেন মুৎলে হায়দুনা মমাশীজ নিংথৌপোকপীনা মবুং ঈবুংঙো লুৱাং নিংথৌ (কর্নেল শামু) বু খুন শেমহল্লে। মনময়াঙসু মুৎলে হায়দুনা মমাশীজ নিংথৌপোকপীনা মবুং ঈবুংঙো লুৱাং নিংথৌবু খুন শেমহল্লে [মথক্কীসিদা, ৩৫৮]।

(১৩) ... চনম্বা দুলহোপকী কুম শক ১৭৮৭... শজিবু থা... ১৮ নি ঈরাই (চৈচৎ ১৪।৪।১৮৬৫ ইং) দা শিখোংগী থুমখোং হুকএ। থৈথোকএ, ফৎতরে হায়দুনা মমাশীজ নিংথৌপোকপী কুমদুনা ২৫ নি ঈরাই (চৈচৎ ২১।৪।১৮৬৫ ইং) দা অমুক হুকএ [মথক্কীসিদা, ৩৫৯]।

(১৪) ... ঈংঙা থা... ২২ নি ঈরাই (চৈচৎ ১৬।৬।১৮৬৫ ইং) দা মমাশীজ নিংথৌপোকপীনা বংশীবোদোন কৌবা লাই ১ লীংখত্তুনা মোইরাংবু লাৎলো হায়না পীখিএ [মথক্কীসিদা, ৩৫৯-৬০]।...

(১৫) ... তাওরিয়া কৃর্ত্তিবাসিগী কুম শক ১৭৯০ থৱান থা... ২৭ নি থাঙজ (চৈচৎ ১৫।৮।১৮৬৮ ইং) দা মমাশীজ নিংথৌপোকপীনচিংনা য়োঈবু- য়োঈহৈ পুন্নমক অঙম-অথৌ য়াওনা লাংথবান কোনুংদা থৈবোঙ চাবা কুমএ [মথক্কীসিদা, ৩৭২]।

(১৬) ... মোইরাং চৈতন্যসিংহগী কুম শক ১৭৯১... কালেন থা... ১৭ নি য়ুমশকৈশ (চৈচৎ ২৮।৪।১৮৬৯ ইং) দা অৱাং লমলা থুমখোংবু শ্রীমতী মমাশীজ নিংথৌপোকপীনা হোঙএ [মথক্কীসিদা, ৩৭৬]।

(১৭) ... ঈঙেন থা ... ২২ নি ঈরাই (চৈচৎ ৩০।৭।১৮৬৯ ইং) দা শ্রীপঞ্চযুক্ত লাইরেন মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা... শ্রীমতী মমাশীজদসু সনা তাঙ্গ ১ কত্তুনা বোর নীএ। শ্রীমতী মমাশীজনা- নীঙবা থুংনা য়াইফনা পাল্লো হায়দুনা বোর পীনৈ [মথক্কীসিদা, ৩৭৯]।

থৌরম- থৌদোকসি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ মহারাজনা নিংথৌ ফম্বাল তোংবগী থৌরম্নি। অচৌবা থৌদৌ-থৌওংগী থৌরম্নি, লাই থাজবা মৈতৈনা মৈতৈ হিন্দু লাইশিং, উমং- লাইশিং অমসুং মপা-মপু (অপোকপা) লাইশিং পুম্নমক খুরুম-খাজঙজরগা পাংথোকপা অমসুং অহল-লম্মন মপা-মমানচিংবসু খুরুম-পুরুমজরগা থৌনীবগী থৌরম্নি। মতমসিদা মমাশীজ নিংথৌপোকপী মাইস্না কুমুদিনীসি মশাগী চহি ৭৭ (হুস্ফুতরাতরেৎ/হুমদ্রাতরেৎ) শুরে।

(১৮) ... মাইস্না দেবসিংগী কুম শক ১৭৯২... ঈংঙা থা... ১১ নি ঈরাই (চৈচৎ ১০।৬।১৮৭০ ইং) দা শ্রীযুৎ মহারাজগা শ্রীমতী মমাশীজ নিংথৌপোকপীগা ২মকপু থৌরাণী চোংথা অহন (মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী অহুমশুবী তাল্লোই চোংথামচনু কৌশেশ্বরী, সেনাপতি/যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহবু পোকপী মমা), মপাম থারবীনা খোইরুনা মিতল্লমএ। অদুদা য়াওবা মীদি সোরোকখাইবম তোনু, পাউনা উচেক ... [মথক্কীসিদা, ৩৮৫]।

(১৯) ... নাউরেম চাওবগী কুম শক ১৭৯৫ ... ঈঙেন থা... ১৬ নি ঈরাই (চৈচৎ ১১।৭।১৮৭৩ ইং) দা শ্রীমতী মমাশীজ নিংথৌপোকপীনা শ্রীরাধা গোবিন্দগী লৈ লেঙবদা কাকফৈ লৈরম্মে হায়দুনা কাকফৈবু য়োৎহিং চন্দুনা শুগ্নদা লোই থাই [মথক্কীসিদা, ৪১০]।

(২০) ... হিয়াঙ্গৈ থা ... ২০ নি লংমাইজীঙ (চৈচৎ ৯।১১।১৮৭৩ ইং) দা ফৈদাপুঙদবু শ্রীমতী মমাশীজ নিংথৌপোকপীনা মী কৌখৎহনববু লাইথোকপগী লাইকং থাদরিবৰু পুখৎলকএ, হায়দুনা চিরাই (থোঙ) দা কৈশুমএ [মথক্কীসিদা, ৪১২]।

(২১) ... থাঙজম চাওবগী কুম শক ১৭৯৬ থৱান থা... ১৫ নি য়ুমশকৈশ (চৈচৎ ২৯।৭।১৮৭৪ ইং) দা লাট সাহেব (Governor-General of British India) না বার্ত্তোন লাইরিক খুদোন ইদুনা মণিপুরগী শ্রীযুৎ মহারাজ-ও! ঐসুং

জিলা নুংঙাইবদা লাক্কে, শ্রীযুৎ মহারাজসু জিলাদা লেঙলক-ও...। চৈরাপ গারোৎকী অঙন্বা পুন্নমক তীন্দুনা শ্রীমতী মমাশীজ নিংথৌপোকপীদা দরবার তৌদুনা খন্নবদা, "ফৈ, চৎপা থোকই", হায়না শ্রীযুৎ সনা য়াথং... [মথক্কীসিদা, ৪২০]।

(২২) ... হৈস্নাম ধর্ম্মগী কুম শক ১৮০৬... কালেন থা... ১৭ নি নিংথৌকাব (চৈচৎ ১২।৫।১৮৮৪ ইং) দা শ্রীযুৎনচিংবা সাহেবকা লোইননা লৈবাক পুন্নমক দরবার তৌএ, ৰারমদি কাংঙবা মেঙ্গোর (থাঙ্গাল) পুখ্রনবগী মচা-মশূ, মাগী ধার মখৈ থৌগন অৰা-অঁনা, খুৎ কোকপনচিংবা অসি মৈনা ঈশিংনা মুত্রি মখৈ কোকপীরে॥ ... শ্রীযুৎতা সনা মোহর ১, লুপা ১; শ্রীগোবিন্দজীদা সনা মোহর ১, লুপা ১; শ্রীমতী মমাশীজ ঈবেম্মদা সনা মোহর ১, লুপা ১; বিষ্ণুদা সনা মোহর ১, লুপা ১; ... না ৰাখৈএ [মথক্কীসিদা, ৪৬২]।

অসিশিংসিনি। খৃ: কুম: ১৮৩৪ দা লূখ্রা ওইহৌরগা খৃ: কুম: ১৮৪৪ দা ময়াং লৈবাক কছাড়দা চেন্দুনা মচা ঈবুংঙো নিংথেমপীশক্কী নিংথৌ হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা ঙমজবী মখৈ থাদুনা থৰাই-হকচাং পাম্মুদনা হোৎনজখিবনি। নিংথৌ ফম্বাল হঞ্জিন্নবগী ৰাফমসিদা বৃটিশ ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টনা মতেং পীয়ু য়াদবদা নত্তনা মহাক অমসুং মচাঈবুংঙোগী নিংথৌ ফম্বাল ফংনবগী পান্দমদুগী য়েক্লবগুম্না য়েংবীরক্লবদা করিসু তৌদবা শারগা মচাঈবুংঙো অমসুং মহাকপু শৌগৎ-য়োকখৎলিবা মীওইশিং, মৈতৈ নিংথৌমচা-নিংথেম মচাশিংনচিংবা মৈত্রবাক-মণিপুরগী নিংথৌ ফম্বালবু লানহৌ-লান্দাদুনা মুল্লগা নমদুনা লৌননবগী হোৎনরি-তৌরিবশিংবু তত্তনা মপুক্লীঙ থৌগৎপীখি অমসুং মথৌনা হাপ্লীখি। অদুগা মচাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা মৈত্রবাক-মণিপুরদা হল্লক্তুনা খৃ: কুম: ১৮৫০ দা অমুক হন্না নিংথৌ ওইরবদা লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন্নচিংবগী থবকশিংদা পাউতাক পীদুনা মচাঈবুংঙোগী য়াইফনবদা তৌখিবী অমসুং খনখির্বী নিংথৌপোকপী মমাশীজনি।

অহন ওইবগী পুন্সি অমসুং নোঙ্গাবা

মৈতৈলৈমা মাইস্নাম নিংঙোন কুমুদিনীগী মহারাণীসি মচাঈবুংঙো মৈদিংঙু নাউজীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বা নত্রগা সার চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ মহারাজ কে: সি: এস: আই: [K.C.S.I. (Knight Commander of Star of India)] না নোঙ্গাবা মতম, খৃ: কুম: ১৮৮৬ গী মে থাগী চৈচৎ ২০ অসিদা মশাগী চহি ৯৪ (মরিফুতরা মরি/মৌদ্রামরি) শুরে। অদুগা মথক্তা থমজ-উৎখিবা চৈথারোল কুম্বাব [কংলৈ

নিংথৌশিংগী পুৱারী (Royal Chronicle)] দগী লৌথোক্লকপা অইবা ৱারোল মতেকশিং অসিনা তাক্লিবদি মাইস্না কুমুদিনী মহারাণীসি লৈঙাক্লোনগী হিরম-ৱারমশিংদা নত্তনা খুন্নাইলোনগী, শেনবা- থুম্বারোন অমসুং ৱায়েন-চৈরাক্লোনগী লমদাং-ৱাফমশিংদসু নীঙথীনা লৌশিঙ লৈ, মৈত্রবাক্কী ওইনা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌখি, পাংফম থোকপা থৌগায় পাংখি, তৌফম থোকপা মথৌ তৌখি, মঙম পাংখি অমসুং য়াফম থোকপা থবক্কী শরুক য়াখি। মহাক্না অহল ওইশিল্লক্তনা মশাগী চহি ৭৭ (হুমদ্রাতরেৎ) শুরবা, খৃ: কুম: ১৮৬৯ ফাওবদা অথাপ-অরাপ্পা লম ফাওবা চত্তুনা মৈত্রবাক-মণিপুরগী লৈপাক্কী অমসুং মীয়ামগী থবকশিং তৌখি, পুখি অমসুং পাংথোকখি। মহাক তশেংনমক থবক্কী মীনি, নুপী ওইজরবসু তুমিন্না লৈবা হৈনদবীনি।

মাইস্না কুমুদিনী মহারাণী খৃ: কুম: ১৮৬৯ গী মতুংদদি অরাপ্পা লমদমশিং নত্রগা অথাপ্পা মফমশিংদা চৎখি-কোয়খিদ্রে, মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাগী লমকন মনুংদা লৈরিবা শ্রীগোবিন্দজীগী লাইশঙ [লাইফম অসি মাইস্না কুমুদিনীগী শঙ্গাই, মমাশীজংগী শঙলেন লৈরিবদুদগী মখারোমদা লৈরিবা নিংথৈমকোন লানবন/সিটডেল (Citadel) গী চেকপলদা ফাৎলিবা থোঙ (Gate) লাম্থোক্লগা মিটর ১০ (তরা) রোম পাকপা লম্বী লৈরগা, মদুগী মখারোমদা মিটর ৩০ (কুন্থ্রা) রোমগী অরাপ্পদা লাইশঙ-মন্দির, লাইথৌশঙ/মাণ্ডপনচিংবা লৈরম্মী], রাস মণ্ডলনচিংবদা চৎপা নত্তনা চত্রে। অদুগা মশাগী চহি ৮২ (মর্ফুনিথোই) শুরবা খৃ: কুম: ১৮৭৪ গী মতমদদি মাইস্না কুমুদিনী মহারাণীসি মশা তোপ তুনা নাদুনা ফমুংদা তাদুনা নত্রগা হীপুনা লৈবা নত্রবসু চথোক-খোত্তোকপা নুংঙাইতবগী ৱাফম লৈবগুম উই। মসি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ মহারাজনা চহিসিগী আগষ্ট থাদা বৃটিশ ভারতকী সুপ্রিম এডমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিলগী গোভর্নর-জেনরেল নত্রগা ভারতকী ভাইসরোয় লোর্ড নোর্থব্রুক [Lord North Brook (1872-78 A.D.)] পু কছাড় জিলাদা উনবা চৎননবগী অঙম-অথৌ ময়ামগী ৱা-তান-মীফম ফম্বদা মাইস্না কুমুদিনী মহারাণীগী শঙ্গাইদা পাংথোকখিবগী ৱারোন্দুদা মিৎয়েং থল্লগা হায়জবনি।

নোঙ্গাবা

মাইস্না কুমুদিনী মহারাণীনা মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাদগী মপানগী অতোপ্পা লমদমশিং ইম্ফাল কংলৈগী লৈকোক-লৈকায়শিং অমসুং খুঙ্গং-লৌৱাই লমদমগী

পানাশিংগী লম অমদা চথোক-কোয়থেকপা, ঙা চাবা, হৈ চাবা, চাক্কৌবনচিংবা চৎপগী ব্রারোনশিংসি খৃ: কুম: ১৮৭৩-৭৪ গী মতুংদদি চৈথারোল কুম্বাবদা অমুক হন্না ফংদ্রে [মথক্কীসিদা, ৪১২, ৪৩৬-৩৭]। অদুগা মহাক্কা মরী লৈনবদা ফংলিবা ব্রারোলশিং অদুদি কংলা কোনুংগী লমকন মনুংদা অমসুং মহাক মশাগী শঙ্গাইদা পাংথোক নত্রগা তৌবা থবকশিং অমদি থৌরমশিং ঙাক্তনি। অদুবু হকচাংগী পাঙ্গল হল্লবসু অমসুং শোল্লবসু ব্রাখলগী মতীক-মঙম, মহী-ময়াই অমদি মশীন-শীল্লমদি হন্থদবনা লৈপাক্কী থবক্তা মচাঙ্গীবুংঙোগী অমসুং মচা-মনাইশিংগী থবক-থৌরমশিংদা য়াওরি-পাংলিবনি। মাইস্না কুমুদিনী মহাক্না নুংশিজরবা, মাগীদা খঞ্জদুনা অমদি মহাক্না চাওখৎপা, নুংঙাইবা, হেনগৎপা অমসুং য়াইফবা লাইনীঙ ওইদুনা লাক্লবা মচাঙ্গীবুংঙো সনাহল চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা শকাব্দ ১৮০৮ গী কালেন থাগী ১৭ নি শগোনশেন (চৈচৎ ২০।৫।১৮৮৬ ইং) দা মশাগী চহি ৫৫ (য়াঙখৈমঙা) দা খঙহৌদনা অমসুং থাজদনা লৈখিদবসিদা মহারাণীসিগী থম্মোই কায়খি। অদুগা মশানা শিনীঙলগা শিবদি য়াদবনিনা মহারাণীসি মশাগী শঙ্গাইদা ফমুং মথক্তা কপ্না কপ্না তাদুনা লৈখি। চাবা থকপা চঙখিদে, তুম্বা পোত্থাবা য়াখিদে, হৌখিবা থৌদোকশিং নীঙশিঙদুনা পিরাংনা মিৎলু থুমহৎখিদুনা মপানগী তাইবংপান উরকখিদে। মপাবুং ঈবুংঙোবু কৌজদুনা মচাঙ্গীবুংঙোবু শিন্নরগা মতোমতা অঙাওবীগুম তেংথাজখি।

মাইস্না কুমদিনী মহারাণীনা মচাঙ্গীবুংঙো লৈখিদবগী মৈচাক্না কপ্না কপ্না ফমুংদা তাদুনা লৈবসি থা ২ (অনি) গা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুখ্রে। মমাশীজগী থৌগন চঙলিবী মমৌ-ঈবেন্মশিং, মশূ ঈবেন্মশিং অমসুং অতৈ য়োঙ্গীবু-য়োঙ্গীহৈশীঙদা চল্লন্থী নিংথেমনুবীশিং ঙসিদি মবেন শীজগী হকচাংঈবা হেঞ্জিল্লি, হায়দুনা কোয়না ফমশেন্নরি। অহন মতম ওইবগী খুইজিল্লবা উনশানা কুপশিল্লবা মিৎ অনিদুগী মিৎপাশিং অদুদা পিরাংনা ঈরীক চোৎপা অমসুং উবগী মপাঙ্গন ব্রাৎলক মীশক-মীশা লেপ্পা ঙমদ্রবা মিৎ অনিদুগী মিৎনহা অনিদুনা মিৎথকলোমদা তপ্না তপ্না য়েংদুনা পাংবদা চোকথরবা মিৎ অনিদু উইশিনখ্রে। অদুগা ফমশেন্নরিবা মাইবনা, জয় রাধে-গোবিন্দ” হায়না য়াইবী থৱাইনা তাইবং হকচাং থাদোকখিবগী লাইশোন শোল্লকখি। অসুম্না মহারাণী মাইস্না কুমুদিনী খৃ: কুম: ১৮৮৬ কী জুলাই থাগী চৈচৎ ২৫ নোংমাইজীঙ নুমিৎকী নোংথিল পোবোপ্তা কোরৌ মশেক-মঙান

ওইনা শজীক মতুং ইন, থাবা মমৈ ব্রাইনা মালেম তাইবংপান থাদোকখিরম্মী। মসিগী মরম অমসুং মতাংদা পীবীরম্লিবদি :-

... নাউরিয়া পুনসিগী কুম শক ১৮০৮ ঈঙেন থা ... ২৪ নি লংমাইজীঙ (চৈচৎ ২৫।৭।১৮৮৬ ইং) দা মবেনশীজ পোংলেনখোম্বী শিঁএ [মথক্কীসিদা, ৪৬৮]।

অসিনি। মহারাণী মাইস্না কুমুদিনীনা নোঙ্গাখ্রিবসি মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাগী নিংথেমকোন লানবন মনুংগী লৈমা-নিংথৌকোনগী মনুংদা লৈবা লৈমকোনগী য়ুমজাও (Common Harem) গী মনাক্তা শাবা মমাশীজগী শঙ্গাইদনি। মরম অসিনা মহারাণীসিগী অশিবগী মথৌ-মঙমশিং-পোৎলোয়-হিথাবা, হাওশী মংজনবনচিংবগী থৌরমশিং কংলা কোনুংলেন মনুংদা, মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী চৎনবী ব্রায়েন্দা পাংথোকখি। মরম অসিনা মাইস্না কুমুদিনী মৈতৈলৈমসি মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী মৌ অমা ওইনা লৈরিবা অশি'- পোৎলোয়ফম, মংলেনদি মৈতৈ নিংথৌ খক্তগী ওইবনিনা মদুদদি য়াদ্রে, অদুনা মংনাউতা (মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী নিংথৌমচানুপাশিং অমসুং কোন্‌না শেমদোক্লগা মৈতৈলৈমা অমসুং অপানবীশিংগী পোৎলোয়ফম) নত্রগা মংখোঙতোন (নিংথৌগী ঈমুং মনুংগী নুপীশিংগী পোৎলোয়ফম) দা খাম্বী মৈগী পোৎশী-পোৎলোয়দা পাংথোক্লমগনি। অদুগা মংনাউতাদা পোৎলোয়বগী ব্রাফমদি চৈথারোল কুম্বাবদা পল্লমদ্রবসু শোয়দনা পাংথোক্লমগনি। ব্রাফমসি থমজরিবসি, "মৈদিংঙু নরসিংহ (খৃ: কুম: ১৮৪৪-৫০) গী তাল্লোই অপানবী অহন ব্রাহেংবম চনু ব্রাহেংঙা নত্রগা রসনি (রসমনি) সু মংনাউতাদা পোৎলোয়খি [মথক্কীসিদা, ২৯৯-৩০০] ; অদুনা ব্রাফমসি থমজবনি। অদুগা মাইস্না কুমুদিনী মহারাণীগী শিবা-কুম (চহি) দুগী তৌফম থোকপা অরোয়বা-লাইথৌ থৌরম নত্রগা শোরাৎ (শ্রাদ্ধ কর্ম্ম) সু কংলা কোনুং মনুংদা শ্রীগোবিন্দজী মাগুবতা মশূ ঈবুংঙো মৈদিংঙু সুরচন্দ্র সিংহ অমসুং মনাউ ঈবুংঙোশিংনা মৈত্রবাক্তা চৎন-ইন্নরিবা হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী ব্রহ্ম নত্রগা মাধবী (মাধব চার্য্য) সম্প্রদায়গী (কাংলুপকী) ব্রায়েন-পথাপ মতুং ইন্না শোনখিরম্মী।

ব্রাখোম-ব্রারোয়

মাইস্নামচনু কুমুদিনী মহারাণী মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বা নত্রগা রাজা গম্ভীর সিংহগী খোয়দাজরবী অমসুং থাজনীঙঙাই ওইরবী তাল্লোই লৈমা অপানবী

অমদি মমৈদা মৈতৈলৈমা লৈমরেন (মহারাণী) ওইখিবীনি। মথক্তা থমজরিবা মহাক্কী পুন্সি-ৱারীগী অফংবা ৱারমশিং খরসিনা হৌজিক্কী মিৎয়েংদা পুরক্লিবদি - মহাকসি মৈত্রবাক-মণিপুরগী ১৯ শুবা খৃষ্টগী কুমশীঙ চামগী মনুংদা খ্বাই পুম্নমক্তগী হেন্না থৌনা ফরবী অমসুং লৈঙাক্লোনগী অরোৎ-অফোং, অরোন-অখঙ অমসুং খায়দোক-তীনশিন্নবগী খুজীন-থৌরাং হৈবী মৈতৈ চনুরাশিংগী মরক্তা অথোইবীনি। অদুগা মহাকসি মহাক-মশাগী অনীঙ-অপাম্বা থুংননবা, পীক্লিবা মচাঙ্গবুংঙোগী য়াইফ-নুংঙাইনবা অমদি তুংলমচৎকী পুন্সি শেম্নবা শিবা-চঙবগী ৱাখল থাদোক্তুনা ঙমজবা মখৈ হোৎনখিবী অমসুং হোৎনবদুদা মায় পাক্তুনা মশাগী মরাইবক মশানা শেমজখিবী নুপী অমনি। মহাক-মহাক্কী থবক্লা, থৌরাং অমসুং লৈপাক মীয়ামদা, খুন্নাইদা অমসুং লৈঙাক নত্রগা লৈঙাক্লোন্দা অকায়বা, ফত্তবা অমদি মাঙনবা ওইরকপা নত্রগা কায়দবা, অফবা অমদি য়াইফবা ওইকপা হায়বদুদি মী-মী অদুগী পুক্নীঙগী অপাম্বা অমসুং ৱাখন অদুগী মতুং ইনবনি, কনাগুম্বা অমদা ফত্তবা ওইবদু অতোপ্পা কনাগুম্বা অমদা অফবা ওইরিবনি, তৌবদবু মদু মী-মী অদুনা মহাক-মহাক্লা থল্লিবা মিৎয়েং অমসুং তল্লিবা পান্দম অদু ফংন-ওইনবা হোৎনবদা, থোক্লকখিবা ঙাক্তনি। হিন্দুশিংদা ফত্রবা, মীওৎপা অমদি হিংচাবা ওইরবা ঔরঙ্গজেবদু মুসলমান/মুস্লিমশিংদদি মখোয়বু য়োকপী-থাকপীবা, চৈঙাক ওইবীবা অমসুং উকন পীবীরিবা লাইগী মচা লাইপোক মেসিআহ (Messiah) নি। অদুগুমদুনা মৈতৈলৈমা মাইস্না কুমুদিনীসু অফ-ফত্ত থিদনা, মীতোপ্পা কায়বা-কায়দবা খন্দনা মচাঙ্গবুংঙোগী য়াইফনবা, নিংথৌ ফম্বাল ফংননবা, মরা চেৎননবা অমসুং কায়দনবা, শিবা-নাবা কিদনা, থৱাই খুবাক্তা হাপ্তুনা হোৎনখিবনি, অৱাবা কয়া খাঙখিবনি, খুদোংথীবা কয়া নংখিবনি অমসুং চোপ্পা-ঈকাইবা কয়া ফংখিবনি। অদুবু মহাক হনবা অমসুং নীঙহন্নবা লৈখিদবীনি।

মীওইবগী মীরমচৎকী শাজৎ-লীচত্তা নত্রগা মচৎ মনাত্তা অকায়বা অমসুং ফত্তবা কয়া নংবা নত্রগা থেংনবা হায়বসি লানবা অমদি লঙজবা হায়বসিনা মীরমচৎকী ওইনা তাইবংপানবগী মপুনা থম্বীরম্বনা অৱা-অনা কয়া খাঙদুনা মহাক্কী অনীঙবা-অপাম্বদু ফংননবা হোৎনখিবা নত্রগা লাইবক-নোংদম্বা মপুগী থৌজান্দগী ওইরবসু অমসুং/নত্রগা হোৎনবা লেপ্তবদগী মায় পাক্লকপা ওইরবসু মাইস্না কুমুদিনী মহাক্লা মচাঙ্গবুংঙোবু নিংথৌ ফম্বাল ফংহন্দুনা মায় পাকখিবা অদুগী

ফিদম লৌদুনা মহাক্কী ফত্তবা, অমকপা অমসুং তাইওন্নবা মায়কৈশিংদু থাদোক্লগা ঙসিগী মীরোন্না অফবশিংদু লৌখৎলগা মদুশিংদুগী মতৌ তমদুনা হোৎনবগী মথৌ তাই। মদুনা হিংনবগী লন্বীদা অমসুং হিংবগী পরম-পরীংদা মায় পাকপা পুরক্কনি।

মৈতৈলৈমা মাইস্নামচনু কুমুদিনী, মপুরোইবনা "পোংলেনখোম্বী" মিংথোঞ্জবী, ফম্বাল মিংনা "লীক্লাইরোকপী" মিংহুনবীসি তশেংনমক মপুন্সি নোংশাংবী নুপীনি। মহাক খৃ: কুম: ১৭৯২ গী অদুৱাইদা তাইবংপান্দা খোঙদারকখি অমসুং খৃ: কুম: ১৮৮৬ কী জুলাই থাগী চৈচৎ ২৫ নোংমাইজীঙ নুমিত্তা নোঙ্গাখি। অদুনা মহাক চহি ৯৪ (মৌদ্রামরি) পুন্সিখি। অসুম্না মপুন্সি শাংবী মৈতৈলৈমা (মৈতৈগী মবেন্মা/মহারাণী), মৈতৈ নিংথৌরোন [মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা (খৃ: কুম: ১৭৬৩-৯৮) হাক্তক্তা পোকখিবনি, লাবন্যচন্দ্র (খৃ: কুম: ১৭৯৮-১৮০০), মধুচন্দ্র (খৃ: কুম: ১৮০০-০৪), চৌরজিৎ (খৃ: কুম: ১৮০৪-১৪), মারজিৎ (খৃ: কুম: ৮৪-২০), চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বা (খৃ: কুম: ১৮২৫-৩৪), নিংথেমপীশক/চন্দ্রকীর্ত্তি (খৃ: কুম: ১৮৪৪-৫০), মনিক নুঙলেন খোম্বা (খৃ: কুম: ১৮৫০), নাউজীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা (খৃ: কুম: ১৯৫০-৮৬) অমসুং কৌবা চীঙলেন লাম্থাবা (খৃ: কুম: ১৮৮৬-৯০)] ১১/১০ (তরামাথোই/তরা) পুন্সিবা অসি য়াম্না তাঙনা থোকই অমসুং মালেমসিগী অনৌবা পাৱারী-পুৱারীগী তাংকক্কী মতমসিদসু তাঙনা ফংই। তেংবানবা মপুগী খুয়াখাদা মৈতৈপোকপী ঈমাগী মমোম মৈতৈলৈমা মাইস্না কুমুদিনী মহারাণী ঈংনা তপ্না পোত্থারসনু।

শীজ ৱাহেংঙা (ৱাহেংবমচনু রসনি)

অপান্‌বী অহন

ৱাহৌদোক

(১) ... শ্রীপঞ্চযুক্ত নরসিংহ, লৈরেন নোংলেন শেন্ত্রেং মনিকখোম্বা মহারাজনা শ্রীমতি মহারাণী খয়োইরোন হাওবমচনু লীক্লাইরোক্‌পীনে, ৱাহেংবমচনু রসনি অপানবী অহননে, হৈক্রুজমচনু মালিকানে, ... হাওবমচনু তেজময়ি লৈমখুবীনে ১৫ অসি পান্নদুনা .... ৱাহেংবমচনু অপানবী-অহন্না সনা প্রতাপশিংগা সনা ভগিন্দ্রসিংগা ২মা পোকএ... [ম: স: ক: এ:, ১৯৯৪, ২৬২]।

(২) ... লৈমপোকপা তানচৌগী কুম শক ১৭৭১ ... (ওল্লকপা) শজিবু থা... ২২ নি শগোনশেন (তাং ৪।৪।১৮৫০ ইং) দা মহারাজ (নরসিংহ মহারাজ) স্লা হকচাং ঈএ॥ ২৮ নি য়ুমশকৈশ (তাং ১০।৪।১৮৫০ ইং) দা নোংঙানগদবা পুং ৩ লৈরিঙৈদা মৈদিংঙু লৈরেন নোংলেন শেন্ত্রেং মনিকখোম্বা নোঙ্গাইএ॥ ... থৌরাণী অহন ৱাহেংবমচনু অপানবীসু শিএ... [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২৯৯-৩০০]।

শক্তাক-শকখঙহনবা

মথক্কী লাইরিক্তগী লৌথোক্লকপা ৱারেং-ৱারোল মতেক অনিসিদা পল্লিবা "ৱাহেংবমচনু রসনি অপানবী অহন", শমজিল্লগা "থৌরানী (রাণী/লৈমা) ৱাহেংবম চনু অপানবী" হায়বীসি পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী মীয়াম্না "ঐখোয়গী ঈনিথৌ নুংশিখিবা" হায়না মিংথোঞ্জদুনা নুংশিনা খঙনখিবা লাইরেন মৈদিংঙু লৈরেন নোংলেন শেন্ত্রেং মনিকখোম্বা নত্রগা মহারাজ নরসিংহ (খৃ: ১৮৪৪-৫০) গী তাল্লোই, অপানবী অহন (লৈমরেন নত্রগা মহারাণীগী হেক ঙমথংদা লৈবী লৈমা/রাণী), মৈদিংঙুসিনা মাগী লৈমা খ্বাই পুন্নমক্তগী হেন্না খোয়দাজবী অমসুং খ্বাইদগী হেন্না হৈথোই-শিঙথোইবী, মপুরোইবা নীঙবী অমদি অৱা-অনা খাঙমিন্নরকপী তাল্লোই লৈমনি। মহাক্কী ময়াম মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না খঙনবা মিংলেন্দি "ৱাহেংঙা" হায়বা অসিনি। মিংলেনসিগী ৱাহন্দোক্লা "ৱাহেংবমগী অঙাং" হায়বনি, হায়বদি, মসিংগী শমজিনবা ৱাহৈনি। মিং অসি মহাক্লা পীশক পীক্লিঙৈদগী কৌরকপা নত্রগা কৌবীরকপা মিংলেন মাল্লি।

পুন্সি ৱারী

ৱাহেংবম চনু/নিংঙোন ৱাহেংঙা নত্রগা রসনি/রসমনিসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা [রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র, কর্ত্তা মহারাজ, রাজা জয়সিংহ, নুঙনাংখোম্বা নত্রগা চীঙশাংখোম্বা (খৃ: ১৭৫৯-৬২, ১৭৬৩-৯৮)] গী স্না হাক্তক্তা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক-লৈকন, ৱায়েন-থৌদা, লৈঙাক থৌদাং কয়াদা থৌদাং চাওনা লৌখিবা অমসুং শকখঙনরবা লাইরিক ইবা অমসু ওইনা শীঙথানখিবা অমদি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদা নুঙনাংখোম্বা মিংথোন ফংহন্নবা অৱাগী খারী লৌবুক্তা খেল্লৈ নুঙ্নাংতেলহৈবা (ৱায়েনবমচা খেলেম্বা) [খেল্লেম্বা - চৈথা: কুম:, ২০০৫, ১২২] কায়নহনবা "ৱাহেংবা মাধবরামগী মচানুপা ৱাহেংবা গোকুলসিং [ন: খ: স:, ১৯৬৯, ১৪৬-৫৭] গী মচা নিংঙোন নত্রগা মশূনুপী নত্রগা শূথাংনুপী ওইরম্বা য়াই। অদুবু তশেংনা পীবীরম্বা শীজ ৱাহেংঙাগী অপোকপা পম্বৌ অমসুং অপোকপী পলেমগী মিংখৈ-মিংলেন্দি ফংজবা ঙমজদ্রি। পম্বৌ-পলেম লৈতনদি তাইবংপান ফাওরকপা য়াদবা অমসুং অনিদুগী মিংলেনশিংনা মী মহাক্কী শকতাক মিংফম ওইনবনিনা ৱাহেংঙা অপানবী অহনগী শকতাকপগী মপুঙ ফাবা ৱারোল থমজবা ঙমদ্রে।

পোকপা অমসুং চাওরকপা

ৱাহেংবম নিংঙোন রসনি (ৱাহেংঙা) গী অপোকপা অমসুং অপোকপী অনিসি ৱাহেংবা মাধবরামনা পানবী- লৈবীরম্বা শগোলপন (শগোনবন) পনজীন, খ্বাই অহল্লুপ পানাগী লৈকোক (হেডক্বার্টর্স) - লৈকায়গী লমদমদা ময়ুম ঈংখোন লীংদুনা থন্বীরম্বা মফম অদুগী ঈংখোল কোল্লুপ্তা লৈবীরম্বা য়াই। মফম অসি ঈবুংশীজ ভদ্রসিং, নিংথৌ খাবা নত্রগা মৈদিংঙু নোংচুপ লমগাই ঙম্বা (খৃ: ১৮২৫ দা থা অহুম নিংথৌ ওইরম্বা) না নিংথৌ ওইদ্রিঙৈ, য়াইস্কুল লাকপা [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ১৫৯: খৃ: ১৭৯১] গী ফমনচিংবা ফমশিং ওইরিঙৈদা মফম/খুন, মমৈদা 'ভদ্রসিং লৈকায়' হায়না কোন্নথংদা থোন্নরম্বা মফম, হৌজিক্কী মতমদা "মহারাজ নরসিংহ" পোক্লফম/পোকফম ঈংখোল লৈরিবা শগোনবন মোইরাং'থৌ লৈরক্কী নোংপোকথংবা লম্বী মপান শোক্লা তারিবা ৱাহেংবম কোল্লুপকী ঈংখোলদা ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙাবু পোক্তুনা মপা-মমানা মফমদুদা নাউয়োক-নাউকোন্দুনা য়োক্লক্লমগদবা অমসুং চাওরক্লমগদবা মাল্লি।

ৰাহেংবম নিংঙোন রসনি চাওরাক্লা খৃ: ১৭৯৫ মালেম তাইবংপান্দা ফাওরকখি। ৰাহেংবমগী অঙাং নুংশিবীনি হায়দুনা "ৰাহেংবম-অঙাং", "ৰাহেংবমঁ অঙাং" কৌনবদগী "ৰাহেংঙা" হায়বা মিংসিনা খঙনরকখি। ৰাহেংঙাসি মশাগী চহি ১১-১২ (তরামাথোই-তরানিথোই) শুরকপদগী মৈতৈ নুপীশিং মতমদুগী শীনফম-শীল্লমগী মহৈ-মশিঙশিং - ফিশা-লোনশা, ফিরোন-ফিরীবা, তরেং মোইথাপ নাইবা (লং নাইবা), অসিনচিংবা কয়া তল্লকখি অমসুং হৈরকখি। অদুগা মৈতৈগী লৈমকোন-নিংথৌকোন শন্ন-তীন্নরকপা, লৈমা-নিংথৌ খনবা ঈমুংদা পোকপা অমসুং চাওরকপনিনা মতমদুদা চৎনরিবা জগোয়-ঈশৈ (কীর্ত্তন-সঙ্কীর্ত্তন) গী মহৈ-মশিঙসিসু খর খর অদুম তল্লকখি। ৰাহেংবম চনু রসনিসি, লৈশাবী মপুঙ ফারক্লবদা শক হেননা ফজবী, চুঙ-ফিরান চাবী অমসুং মীগী মপুক্লীঙ শুমহৎপা ঙন্বী অমা ওইনা লৈরকখি। অদুগা লৈকায় মমান্নবীশিংগী শীন্নাইফম কাবা, চাকচা-হৈজানবা, লৈকায়গী নাহুৎ-নারেং, লুহোং-খোঙদোং, অশি-অনাগী, লাইগী-তীনগী থৌদোক-থৌরমশিংদা লুচিংবী মমান্নবী ময়ামগী মীথক থোংবী ওইরকখি। অদুগা মহাকসি পাইরক্কী লৌশিঙ লৈবী অমসুং অখাঙ কনবী ওই, হায়বসি মহাক্কী পুন্সিগী থৌদোক-ৰাথোকশিংনা ফোঙদোক্লি।

ৰাহেংঙানা ঈবুংশীজ নরসিংহদা ওঙবা

ঈবুংশীজ (নিংথেমচা/রাজকুমার) নরসিংহ মৈদিংঙু নোংচুপ লমগাইঙন্বা (ভদ্রসিং নিংথৌ খাবা) না য়াইস্কুল লাকপা ওইরিঙৈদা, মহাক্কী তাল্লোই লোকতোনবমচনু প্রেমলতানা মখোয়গী ময়ুম অহল্লুপ পানাগী লৈকোক খ্বাই লৈকায়গী লৈকোক শগোনবন লমতুমকী শগোনবন পঞ্জীনগী ঈংখোন্দা খৃ: ১৭৯২ গী মেগী তাং ৬ নোংমাইজীঙ নুমিৎ (কালেনগী থানীন) তা মালেম তাইবংপান্দা খোঙদারকখি। মহাক্লা নিংথেমমচা অমা ওইবগী শা-লানগী অমসুং লৈঙাকলোন, ৰায়েন-চৈরাকলোন্নচিংবগী মহৈ-মশিঙ তম্না তম্না অহল-লমনশিংনা হায়না-শীঙনদুনা মশাগী চহি ১৮ শুবা, খৃ: ১৮৯০ দা হাওবমচনু লীক্লাইরোকপী, উরীপোক খোমশায়ান, লাইয়িংথৌ খল্লাংবা মকাইফমগী মমাঙ, খ্বা য়োংয়ানফমগী মনীঙগী লমতুমদা খুন্দাবা হাওবম বিনোদ [মথক্কীসিদা, ২৩৮] গী মনাউ নুপাগী মচা নিংঙোনগা লুহোং-খোঙদোংদুনা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাখিরম্মী। অদুবু

ঈবুংশীজ নরসিংহনা ৱাহেংবমচনু ৱাহেংঙাসিবু খোয়দারুবদগী খৃ: ১৮১৩ দা চেন্দুনা লৌন-লৈনবগী মওংদা অচেনবা লুহোংবগী কন্যা / লৈমা কৎপগী থৌরমদা ৱাহেংবম চনুসি ঈবুংশীজ নরসিংহদা ওঙখিরম্মী। অসুম্না শীজ ৱাহেংঙানা নিংথেমচা নরসিংহদা ওঙবা মতমসিদা ঈবুংশীজসি মশাগী চহি ২১ (কুনমাথোই) অমসুং ৱাহেংবমচনু রসনিসিনা মশাগী চহি ১৮ (তরানিপান) শুরে। মখোয় অনিসি লৈফম (ময়ুম ঈংখোল) নক্নুনা মনীঙ-মমাঙ লৈমিন্নরকপনা পাখং লৈশাবী ওইরিঙৈদগী শকখঙ-মায়খঙনরকখি। অদুবু পুক্নীঙগী ৱাফম লৈশাবী-পাখং ওইরিঙৈদদি ফোঙদোক্লদবনা খঙন-উনদবা মীশকশিংগুম লৈনরকখিবনি। অদুবু মমৈদা থম্মোই থম্মোই তীন্নরকখিবনি।

ঈবুংশীজ নরসিংহনা ৱাহেংবম নিংঙোন ৱাহেংঙাগা লৌন-লৈনবসি তুমন লৌবনি। নোংদম থীবা নোংদম্বনা শীজ ৱাহেংঙাগী পুন্সিদা অথীবা মিংচৎ অমা শাগোন্নৌ হায়না তন্নম্বনা থৌদোক অদু থোকখিবনি, হায়জনীঙঙি। হায়রিবা মিংদা থীবসিনা শীজ ৱাহেংঙাগী পুন্সিদা কোক্লরোয়দবা থাঙফম অমা পামেন উরায় হকপগুম লৈখিবনি। মহাক মশানসু মিংচৎ-মিংদা থীবগী থাঙফম অসি খঙজনা মতম পুন্নমক্তা চৎচৈ। মপুরোইবগী মিংদা থীগদবা থবক খক তৌখিদে। মৈদিংঙু নরসিংহগী লৈমরেন (মহারাণী) ওইগে খল্লম্লবদি ওইবা য়াবী মহাক্না মৈতৈগী চৎনবী অমসুং লৌন-লৈনবগী ৱায়েন-ৱাখুনগী পল লৈ - হায়বসি খঙনা মপুরোইবগী মিংচত্তা অমুবা মচু তৈশিনগনি খন্দুনা নোংমতসু লৈমরেন মহারাণী ওইগে, হায়খিদে, খনবা ফাওবা খনখিদে। কথোকপা, মশাগী ওইজবা থাদোকপগী লমদাংদা মপুরোইবগী মতীক চাবী তাল্লোইনি।

ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙাবু তাল্লোই ওইনা লৌরুবসিনা ঈবুংশীজ নরসিংহসু মিংদা থীবগী মিংচৎ ফংখি। ঈবুংশীজ নরসিংহবু ৱাহেংবম চনু মশুংলাংগী অমসুং মহাকথক্কী নিংথেমময়ুম শাগে, নিংথেমচাময়ুমগী মীওইশিংনা ইম্থোকপীরে, অপোকপা পম্থৌ ভদ্রসিং, অপোকপী মমা প্রেমলতানচিংবী মমাশিংনা তাম্থোকপীরে অমসুং মচীন-মনাউশিং অমদি শাগে মচাশিংনা চঙনবীদ্রে, তোৎনা তীন্নবীদ্রে, ময়ুম-ঈংখোলদসু চঙহনবীদ্রে। অদুবু সনাদি সনানি, ফত্ত-হাওদী অমাংবা মরক্তা তারবসু অদুম সনা ওইদুনা লৈ। অদুগা মখোয় অনিগী মফমদদি মদুনা লাইবক্কী নোংদমনা পুন্সিগী মশক্তা চাংয়েং তৌবগুম থোক্লরি।

লৌনা-লৈনরবা মতুংসিদদি ঈবুংশীজ নরসিংহ অমসুং ৱাহেংবম চনু রসনি, মতৈ-মনাউ অনিসি য়াম্না নুংশি-চান্নজৈ অমসুং অমনা অমবু উদ্রবদি লৈঙম্নদবগুম তৌনজৈ। মতম খরদি মৈত্রবাক্তা মখোয় অনি মীগী শাইজীন-শাইয়া থুপ্তুনা হিংনবগী খোঙফমদা লেপ্লম্মী। অদুবু লৈত-লায়রগী মৈরীনা অসুম অসুম কনশিল্লক্তুনা মৈতৈ নিংথেমচা অমসুং নিংথেমচা ওঙবী ওইবগী ঈকাই খুম্নবদু ঙাক্লবা হোৎনবদা, চাদ-থক্তবা য়াদবগী মৈশা খাঙবদা খোঙফম চুম্না লেপ্পা ঙল্লক্ত্রে, মৈত্রবাক্তা পানবা য়ারক্ত্রে।

ঈবুংশীজ নরসিংহ অমসুং ৱাহেংবম নিংঙোন ৱাহেংঙা য়ুমদীন্ননা লৈরকপা থা ৬/৭ (তরুক/তরেৎ) কী মতুংদদি মৈত্রবাক থাদোক্লগা মবুধৌ ঈবুংঙো ঙৌব্রাম শাইগী মহাকথক্তগী তীন্নরক্লবা অমসুং মপাবুং ঈবুংঙোনসু মতম অয়াম্বদা চঙজফম লৌরিবা হিরম্বদেশ (ডিমাপুর) কী মফম অমদা শাইদাংদুনা ময়াং (ডিমা-সা নত্রগা প্র-আরী কছাড়ী) লৈপাক্তা লৈরুরসি-পাল্লুরসি হায়না মতৈ-মনাউ খন্ন-লেপ্পরে। মায়কৈ অমরোমদা হিরম্বা লৈপাক্কী ময়ায় লমদম ওইবা হিরম্বা নিংথৌশিংগী কোনুং লৈরম-ওইরম্বা লৈয়াৎ ডিমাপুরদদি মপাবুং ঈবুংঙো ঈবুংশীজ ভদ্রসিং নিংথৌ খাবগী ময়ুম-ঈংখোল লীংলবগুম্বা লমনি, ঙাইহাক লৈতনা খোঙদাফমনি। ঈবুংশীজ ভদ্রসিংহসি মনেম শীজ হরিপ্রীয়া [মৈদিংঙু ময়াম্বা গরিবনৱাজগী তাল্লোই মাইবম চনু লোইবী চরোইঙম্বী নত্রগা হীদাকশুংবীনা পোকপী, ঙৌব্রাম শাইগী মচন হরিপ্রীয়ানা খৃ: ১৭৬৫ দগী ১৭৮০ ফাওবদা রাণী ওইনা লৈরম্বগী মমাঙ খৃ: ১৭৪৪ দা কছাড়ী নিংথৌমচাদা লুহোখিবী] লৈরিঙৈ মতমদগী খোঙদাদুনা লৈরকপনিনা মফম অদোমদদি লৈরুবা-চঙলুবা য়ারোয়। মরম অসিনা মখা থংবা কছাড়গী শরুক্কী মফম, ঈশিং মরাং কায়না ফংগদবা লম অমদা পাল্লুরসি হায়না ঈবুংশীজ নরসিংহনা ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙাগা লোইননা খৃ: ১৮১৪ গী জানুৱারী থাদা মৈত্রবাক্তগী খোঙশাল্লক্লে। মখোয় অনিনা কছাড়গী শিলচর কংলৈগী খারোমদা মাইল ১২ (কি: মি: ৩৫) রোম চৎলগা লৈবা খোইরেনপাৎ (মমৈথং, খৃ: ১৮২৩ দা মসি "লেঙওন্দবী পাৎ" হায়বা মমিংদা খঙনরকখি) কী অৱাং থংবা পাৎপান্দা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈখিরম্মী।

খোইরেন পাৎপান্দা ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙা

কছাড় লৈপাক্কী খোইরেন পাৎপান্দা মৈতৈনা খুন্দা-লৈতাবা খুন অদুগী মমিং

খোইরেন খুন হায়না কৌই। খুন অসি করম্বা মতমদগী লৈরকখিবগে হায়বা তশেংনা হায়বা ঙমদে, অদুবু থাজজবদি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী সনা হাক্তক্কী খৃ: ১৭৬৯-৭০ কী অৱা লানগায়বা মতম [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ১২৭] অসিদগী মৈত্রবাক্তগী চেনখিবা মৈতৈশিংনা লীংখৎলমগদবা মাল্লি। খুনসিদা নৌনা খৃ: ১৮১৪ দগী খুন্দারবা ঈবুংশীজ নরসিংহ অমসুং মহাক্কী তাল্লোই ৱাহেংঙা অনিসি অখাঙ কনবা, শূবা-নোম্বা লেপ্তুবা অমসুং হোৎনবা কনবা অমদি কনবী ওইবনা মশাগী চহি নৌজরিবা (মশা-মশাগী চহি ২২ অমসুং ১৯ নি), অঙাং ওইজরবসু খ্বাইগী মীরক তীনবা ঙল্লকখি। ঈবুংশীজ নরসিংহনা নিংথেমচা ওইরুবগী ঈকাই খুম্লবা অমদি মশাগী ময়াই ঙাক্তবা য়াদবনা থবক্তা চীনহাউ খর থিরবসু ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙাদি মশাগী ঈকাই খুম্লবা ঙাকপদা মীগী মপোৎ হুরাল্লুদ্রগা লোয়রে, শূবা-নোম্বদা ঈকাইনীঙঙাই করিসু লৈতে, হায়না খন্দুনা ঈমুংগী চাকখুম মৈ মুক্তনবা হোৎনরি। ৱাহেংবম নিংঙোন ৱাহেংঙাদি পাৎপান্দা লৈবগী ইনজিং-ঙাফাবা তৌবগী মথক্তা কোক্তা থুম্মোক কোকথোং পুদুনা ফৌশু-লল্লোনবা, চেঙতায়-ফৌতায়বা, চেঙৱান-ফৌৱানবনচিংবসু তৌদুনা চহি মরি-মঙাগী মতম হৌখ্রে।

ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙাদা পাইরক্কী লৌশিঙ লৈবগী লমদাংদা মখোয়না খোইরেন পাৎপান্দা লৈরিঙৈগী মতমসিদা থোকখিবা থৌদোক অমগী ৱারী লৈখিদ্রবা পাবুঙ সুরচান্দ শর্ম্মা, খ্বাই নাগ মপান, ইম্ফালদা লৈরম্বনা লীবীরম্মী, মদুদি,- নোংমা অয়ুক অমদা লৈত-লায়রবগী মৈশানা ঈবুংশীজ নরসিংহনা মহাক্কী শঙ্গায়-য়ুমগী মনীঙদা, মাগী ঈংখোল মনুংদা লৈবা ঈকোম/পুখি মচা অমদা ঙা ফানবা ঈশীত্তুনা লৈরম্মী। মতম অদুদা নিংথেমচা অসিনা ঈকাই খুম্লবগা লোইননা তীন্ন-তোৎনরিবা, কছাড় লৈপাক্কী লুচিংবা অমা ওইরিবা অমসুং লৈপাক্কী অঙম-অথৌসু ওইরম্বা কছাড়ী রামসিংগী মৈতৈ নিংঙোন্না পোকপা তুলারাম, কছাড়গী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র নারায়ন (খৃ: ১৮১৩-৩০) গী তমথীরবা য়েক্লবনা মহাক্কী অরুবা ৱাফম অমা ঈবুংশীজ নরসিংহগা তাননবা মনাই মশন অনিগা লোয়ননা লাক্লম্মী। শুম্মাঙদা লেপ্তুনা "ঈমুংদু কনা লৈবগে, রাজকুমার নরসিংহ লৈবরা, ঐ কছাড়ী তুলারামনি, অমুক্তা উনজগে লাকপনি" হায়না কৌরক্লম্মী। মদুদা ৱাহেংঙানা থোক্লক্তুনা লাক্লিবশিংদুবু ওক্লম্মী। শেৎলিবা ফিজেৎ চাকচা, তৌরিবা চেকশিন

থৌরাংনচিংবদু উবদা ৱাহেংঙানা তরায়-তরায়বা মীশক্তি নত্তে, হায়বসি খঙলম্মী। মহাক্না মপুরোইবা "অসিৱাইফাওবদং চখোখ্রি, কৌজরুগে, পোত্থাবীরম্মু" হায়দুনা ফিদা লৌথোক্লুদুনু মাঙ্গোন্দা থারগা ফমহল্লম্মী। মহাক্না ঈমুংদা চঙখ্রগা মবুংঙো নরসিংহনা চখোকপদা শেৎ-চাবা ফিরোন, ফুরিৎ ফৈজোম, ইনফি, খোঙউপনচিংবা পুম্নমক মহাক্না শেৎলি-ইল্লিবা মফি-মরোনগী মনুংদা য়েপশিন্দুনা পুরগা ঈমুংদগী কোন্থোংলোমদা ঈবুংশীজ নরসিংহ কৌরুনবা শাদুনা থোকখ্রে। অদুগা কোয়না মনীঙলোমদগী চঙলক্তুনা মপুরোইবনা ঈশীৎলিবা কোম অদুগী মনাক্তা লাক্লে। তুলারাম কছাড়ী লাকপগী ৱাফম হঙ্গৎলে, পুরকপা ফিরোন কৎচরে। ঈবুংশীজ নরসিংহনা খোঙ-খুৎ হামদোক, ঈরু-মায়থজরগা ফিরোই-ফিজোনদু শেৎ-থোন্দুনা ঈংখোলগী মনীঙ লোমদা থোরক্লগা কোয়না লাক্তুনা কোন্থোঙলোমদা শীজ ৱাহেংঙাগা চঙমিন্নরক্তুনা কছাড়ী তুলারামগা উনখিরম্মী। অসুম্না লৈমা শীজ ৱাহেংঙাগী পাইরক্কী লৌশিঙনা লৈত-লায়রগী মৈশা লাংবা খঙহন্দনা মৈতৈ নিংথেমচা অমা ওইবগী ঈকাই খুম্নবসু কনখি।

রাজা গম্ভীর সিংহ লেভী লীংখৎপা

ঈবুংশীজ নরসিংহ লৈত-লায়রগী মৈশা লাংজরবসু কছাড়গী খোইরেন খুন্দা লৈরকঙৈদগী য়ুমলৈমা ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙানা য়ুমগী লৈত-লায়রা, চাবা-থকপগী, লৈকায় পোৎয়েং-শিঙয়েংগীনচিংবা ফৈগাক পুখিবনা অৱা খঙদনা মমা লৈপাক মৈত্রবাক মণিপুরগী ঈ-পাউ খুদিংমক লৌরি। চহি নৌরিবী ওইদুনসু য়ুমগী মৌ অসিনা নোংমতসু মপুরোইবগী কোক শাহন্দে অমসুং নাকোঙ ৱাই চিনহন্দে। মৈদিংঙু নোংপোক ৱাইরং পামহৈবা অনিশুবা নত্রগা মারজিৎ মহারাজনা অৱাগী মতেংনা খৃ: ১৮১৪ গী এপ্রিল থাদা ময়াম্বুং চৌরজিৎ (খৃ: ১৮০৪-১৪) তান্থোক্তুনা নিংথৌ ওইখিবা, চহিসি মে থাদা মহাক্কী নিংথৌ ফম্বালদা য়েৎলক্কদবা মৈতৈগী নিংথৌমচাশিং অমসুং নিংথেম মচাশিং মাঙহনবা হৌরকপদগী মখোয় ময়ামদু মণিপুর থাদোক্তুনা চেন্নরকপা, মরু ওইনা চীঙঙামখাদা মী ২৪ হাৎপা [মথক্কীসিদা, ২১১] অমসুং ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহনা কছাড়দা চেল্লকপা [S.J.J., 19...], মারজিৎ মহারাজনা কছাড় লৈপাক্তা লান্দানবা থৌরাং অমসুং লান্দাবা, কছাড়ী লৈপাক্লা খৃ: ১৮১৭ তা জয়ন্তিয়া লৈবা চৌরজিৎ মহারাজবু মারজিৎ মহারাজনা কছাড়দা লান্দারকপা ঙাক্লুবা নেকপা অমসুং মদুগী মহে ওইনা চৌরজিৎ

মহারাজনা খৃ: ১৮১৮ দা কছাড় লৈপাক তংখায় অমা ফংবা অমদি মনাও ঈবুংঙো গম্ভীর সিংহগা অমুক কছাড়গী লমদু তংখায় তংখায় য়েন্নদুনা চৌরজিৎ মহারাজনা কছাড় সোনাইমুখগী ডুঙ্গুরীপারদা অমসুং ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহনা কছাড়গী গুমরাহদা কোনুং লীংখত্তুনা কছাড়দা মৈতৈ নিংথৌ অনি অমসুং কছাড়ী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র নারায়না খাসপুরদা কোনুং ওইদুনা নিংথৌ অহুম পানবা অমসুং মারজিৎ মহারাজনা অৱা নিংথৌবু শীঙনরুবদগী খৃ: ১৮২০ হৌগৎলকপদা অৱানা লান্দারক্তুনা মণিপুরনা চহি তরেৎ খুন্তাকপা হৌরকপগী পাউ পুন্নমক লৌরি।

ঈবুংশীজ নরসিংহনা মণিপুরনা খুন্তাকপা নংবগী পাউসিদা থম্মোই শোক্লা নুংঙাইরমদে। মাগী তাল্লোই ৱাহেংঙাদা তমদুনা তানরগা মৈত্রবাক মণিপুরবু হন্দোকপদা মতেং ওইনা কছাড়গী নিংথৌ হিরম্বরাজ গোবিন্দচন্দ্র নরায়নগী মথক্তা লানহৌনবা অরোনবা লানশঙ লীংখৎলিবা কছাড়ী রামসিংগী তাল্লোই মৈতৈ নিংঙোন্না পোকপা তুলারামগী মতেং খর লৌননবা মহাক্কী অরোনবা লান্দমফম অমসুং লান ঔরায়ফম লানশঙদা খৃ: ১৮২০-২১ দগী তোয়না চৎপা হৌরম্মী। খৃ: ১৮২৩ দা লাই ৱায়েন য়েংদুনা, “খোইরেন-পাৎকী শরুক অমা স্তোপ পায়দুনা লেঙওন্দনা ঈশীৎপা ঙম্লবদি অৱাশিংগী মখুত্তগী মণিপুর হন্দোকপা ঙমগনি, ঙমদ্রবদি মণিপুর হন্দোকপা ঙমলোয়” - হায়বা ৱাফম শ্রীগোবিন্দজীদা ৱায়েন থম্লগা ঈশীৎপগী লাই-ৱায়েনসি লৌখৎখি। শ্রীগোবিন্দজীনা থৌজানবীদুনা ঈশীৎপদু লেঙওন্দনা ঙমহনবীখি। হরাউবনা ৱাখলগী ময়োল চোংহল্লবা ঈবুংশীজ নরসিংহনা ঈশীৎপগী পাউসি মাগী তাল্লোই লৈমা ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙাদা হরাউ-নুংঙাইনা তমজখি অমসুং খোইরেনপাৎপু “লেঙওন্দবী পাৎ” হায়না নৌনা মমিং অমুক থোঞ্জখি। লাই ৱায়েন চাংয়েং অসি মায় পাক্লবা মতুংদগীদি ঈবুংশীজ নরসিংহ অনৌবা মায় পাক্কনি হায়বা ৱাখল অমসুং অনীঙবগা লোইননা মণিপুরবু হন্দোক্লবগী লম্বীদা অকন খোঙজঙ চঙশিন্দুনা ঈ-পাউশিং হিরমসিদা লৈরিবা পুন্নমক খোমজিনবা হৌরকখি অমসুং মসিদগী লৌবা য়াবা মতেং নত্রগা তেংবাং থিবগী মায়কৈদা অহকপা মিৎয়েং থম্লম্মী।

কছাড়ী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র নারায়ননা খৃ: ১৮১৮ দগী কছাড় লৈপাক্তা মৈতৈ নিংথৌ অনিগা মহাক্কা মখোয় অহুম পানবা অমসুং খৃ: ১৮২০ হৌগৎলকপদগী মৈদিংঙু মারজিৎপু মণিপুরগী নিংথৌ ফম্বালদগী অৱাশিংনা তাম্থোক্লবদা ময়াম্লুং চৌরজিৎতা মণিপুরগী লৈপাক-নিংথৌগী-লাই শ্রীশ্রীগোবিন্দজী লাঞ্জেল্লকপদা

পুরক্কুনা পীশিল্লগা, লাঞ্জরে, লঙজরে, হায়দুনা তেথশন্নরগা অমুক কছাড়দা পান্নবা লম নীদুনা মহারাজ চৌরজিত্তগী কছাড়গী হাইলাকান্দি মহকুমা (Sub division) নচিংবা লমশিং ফংলগা মহকুমাসিগী ঝাপ্রিবন/জারীবন্দা কোনুং শেমদুনা পাল্লকপনা খৃ: ১৮২০ দা কছাড়দা নিংথৌ মরি পানখিরম্মী। মপা অমতনা পোকপা মৈতৈ নিংথৌ মচা অহুমসিনা নোংমা নোংমগী লম খর খর মায়কৈ খুদিংমক্তা তকশিল্লক্কুনা চৎলিবা চহিদুদা কছাড় লৈপাকসি মৈতৈশিংনা য়োৎশনখিগদ্রা কিবদগী হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নারায়ননা বৃটিশ ভারতকী বেঙ্গালগী বৃটিশ গোভর্নমেন্টতা মতেং পাংবীদুনা মৈতৈ নিংথৌমচাশিসি কছাড়দগী তান্থোকপীখিনবা অমসুং কছাড় লৈপাকসি বৃটিশশিংনা পুমলৌ লৌশিনবীনবা অইবা ৱারোলগী চে থাখিরম্মী। মতমদুনা "বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীনা নত্রগা বৃটিশ গভর্নমেন্ট ভারতকী নিংথৌ পানবা লৈপাকশিংগী খৎন-চৈনবদা য়াওরোয়, মখোয়গী মরক্তা খুৎ থিংজিল্লোয়" হায়বা খুজীন-থৌরাং নত্রগা থৌশীন পান্দম লৈবনা মরোন অমতা গোবিন্দচন্দ্র নারায়নদা খঙহন্দনা তুমিন্না লৈশিনখি। মসি মণিপুরগী মতাংদসু মহারাজ চৌরজিৎনা খৃ: ১৮১৫ দা মশামক বৃটিশকী লৈকোক (Headquarters) কলকতা চত্তুনা ফোর্মেল এঙ্গলো-মণিপুরী রিলেসন (Formal Anglo-Manipuri Relation) লীংখৎলগা মতেং নীরুবদা পীরকখিদ্রবনি।

হিরম্বরাজ গোবিন্দচন্দ্র নারায়ন্না বৃটিশনা মতেং পীদ্রবসিদা খৃ: ১৮২১-২২ দা অৱাগী নিংথৌরেন শগাইং-মেঙ নত্রগা ফাগ্যি-দোআ [Sagaing-Meng or Phagyi-doa (1819-37 A.D.] দা অমুক মতেং পাংবীনবা মাগী লাইবার (Envoy) থাদুনা হায়জবদা য়ানবা পুরক্কুনা অৱা [Burmese/Mramma or Myamna] শিংনা অচৌবা লান্মী মপৈ অহুম কছাড়গী মায়কৈ অহুমদা (১) মণিপুররোমদগী অমা, পাৎকোই চীঙ ফাওরক্লগা (২) অহোম লৈপাক (শিবসাগর, ড্রিবুগরনচিংবা) লোমদগী অমা অমসুং (৩) খাসিয়া-জয়ন্তিয়া/ জয়ান্তিয়া রোমদগী অমা ওইনা কছাড়দা লান্দারক্লম্মী। অৱাগী লান্দা অসিগী পান্দমদি - মৈতৈ নিংথৌমচা ৩ (অহুম) চৌরজিৎ, মারজিৎ অমসুং গম্ভীর সিংহবু হিংনা ফাদুনা অৱা নিংথৌদা কৎপনি। অৱাগী কছাড় লান্দা অসিনা বৃটিশকী অৱাং-নোংপোক ভারতকী ঙমখৈদা ঈংনা তপ্না পানবা থুগায়রে অমসুং বৃটিশকী লল্লোন-ঈতীক্কী লম্বীশিং অমসুং থৌরাংশিংদা অকায়বা ওইহল্লে। অদুনা কছাড়

লৈপাক অৱানা লৌশিনখিগদবদগী কনহৌদবা য়াদে হায়বা ব্রীশি ভারত নেঙাকলুপকী থৌশীন- থৌরাং লৌখৎলক্লম্মী। মদুনা ভারতকী নিংথৌ পানবা লৈপাকশিংগী মরক্তা কনাগীসু মীচঙদা লেপলোয় অমসুং খুৎ থিংজিল্লোয় - হায়না লৈরন্বা থৌশীল- থৌরাংদু লৌথোকখ্রে [ডা: ল: চ:, ১৯৭০, ২০]। অদুগা অৱা/বর্মীজ গোভর্নমেন্টতা কছাড় নিংথৌ হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নারায়নসি বৃটিশনা ঙাক শেল্লবা নিংথৌনি হায়না খঙহল্লম্মী [মথক্কীসিদা, ২০], অদুগা মৈতৈ নিংথৌ মচা অহুম (চৌরজিৎ, মারজিৎ অমসুং গম্ভীর সিংহ) বু কছাড় লৈপাক্তগী লৌথোক্তুনা বৃটিশকী অৱাং-নোংপোক ভারতকী হেডক্বার্টর্স সীলেটতা পুথোক্তুনা লৈহনখি। খৃ: ১৮২৪ গী অঙনবা শরুক্তা অৱানা কছাড়দা লান্দারকপসিগী মতমদা বৃটিশশিংনা মখোয়গী ফিরেপ অমসুং ব্রাফমসি অৱাদা খঙহল্লবসু অৱানা থৌশাদনা কছাড়দা লান্দাশিল্লকপসিদগী বৃটিশশিংনা অৱাগী মথক্তা লান তৌরে হায়না চহিসি (খৃ: ১৮২৪) গী মার্চ তাং ৫ দা লাউথোকখি অমসুং অহানবা এঙ্গলো-বর্মীজ ৱার (মার্চ ৫, খৃ: ১৮২৪ - ফেব: ২৪, খৃ: ১৮২৬) হৌখিরম্মী। মতমসিদা বৃটিশশিংনা অৱাশিংবু মায়থীবা পীনবা পাম্বে অমসুং মতেং কয়ামরুম থিরম্মী।

বৃটিশ ভারত গোভর্নমেন্টনা কনাগীসু মীচঙ চঙলোয় অমসুং নিংথৌ পানবা লৈপাক কনাদসু খুৎ থিংজিল্লোয়দবা থৌশীল-থৌরাংসি লৌথোকখ্রবসিদগী মণিপুরগীসু বৃটিশকী মতেং লৌনবা মমাঙগী মৈতৈ নিংথৌ চৌরজিৎ অমসুং ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহ অনিনা নাকপাক-নাকপাক তানদুনা হিদান্নবগুম কন্না হোৎনরম্মী অমসুং কছাড়দা শোক্লরিবা মলেস-অৱাগী লান্দা মানা মানা ঙন্বা মতেং পীনদুনা মখোয় অনিসি কন্না লমজেল তান্নরম্মী। অদুবু খৃ: ১৮২৪ গী এপ্রিল থাদদি ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহনা দেভিদ স্কোট হায়বা সীলেটতা পোস্তিং তাবা, বৃটিশ-ইন্দিয়াগী গোভর্নর-জেনরেলগী এজেন্ট অমসুং মেজিষ্ট্রেট ওইবা অদুনচিংবা ওফিসারশিংগী মতেংদগী মায় পাকখ্রে। মঙোন্দা বৃটিশশিংনা নিংথৌ হাপ্পুনা "রাজা" হায়বা মিংথোন পীবগা লোইননা খোঙমী সিফাই ৫০০ অমসুং শগোল লাম্মী ৫০ না শাবা লাম্মী তেঙ্গোন অমা মমিংদা "রাজা গম্ভীর সিংহ লেভী" হায়না লীংখৎনবা বৃটিশশিংনা মতেং পীখ্রে। অদুগা মৈদিংঙু চৌরজিৎপুনা মমাঙদা নিংথৌ ওইরম্বগী পেন্সিন [অহানবদা লুপা ৩০০ (চহুম) থা থাদা পীবা হায়রম্বনি, মমৈথংদা থাদা লুপা ১০০ (চামা) দমক পীখি] পীরগা নরদ্বিপতা য়ুমদগী হেন্দোকহন্দনা কৈশুমদা শুমদুনা (হাউস এরেস্ত) থমখি।

রাজা গম্ভীর সিংহগা উনবা

ঈবুংশীজ নরসিংহনা কছাড়গী বদরপুরদা য়ুম্ফম ফম্বী (Headquarters) ওইদুনা রাজা গম্ভীর সিংহ লেভী লীংখৎখিবগী পাউ তারে। মণিপুরবু অৱাগী মখুত্তগী হন্দোক্লবনি খনবদা হরাউবা পোকই। অদুবু মহাক্তি য়াওবা ফংদ্রেকো হায়দুনা থম্মোইনা কপ্লি। মহাক্কী তাল্লোই শীজ ৱাহেংঙাদা পাউ তমদুনা ৱারী শাই অমসুং মহাক্লা করি থবক চথুবা তাবগে হায়বদু খন্নখি। মহাক্লা হায়খি - ময়াম্লুং গম্ভীর সিংহনা মঙোন্দগী চহি ৪ (মরি) রোম হল্লি। অঙাং ওইরিঙৈদা মচীন-মনাউ লুনা-চান্না তীন্নরকই, নিংথৌ মচাশিংগী নিংথৌ ফম্বালগী লান্দা তৌনরিবশিং অদু মখোয়গী হাক্তক্তদি তৌনদনবা হোৎনসি হায়বনচিংবা মমল য়াম্লবা ৱারী-ৱাতাই শানরকই। অদুবু করিসু লৈত্রবা শগোল কাঙজৈ অমা মুন্নবগী হাক্তক্তগী মচীন-মনাউ খৎনখি, মদুদগী কৌনখিদে অমসুং খনমুক খনমুক তৌনদুনা থাপ্তোক্লরকখি। মতুংদসু কৌনদনা থৈদোক্লদুনা চৎনরকখি। অদুনা মহাক্লা মকোক ওইদুনা মহাক্কী মমিংদা লীংখৎপা লেভী অদুদা ঐ মিং চন্দুনা য়াওরুবা ঙমলোয়। অদুনা তুলারাম কছাড়ীদগী অয়াবা মতেং লৌদুনা ঐসু ঐনা ঙমজবা লম্বী অমদা হোৎনগনি। মপুরোইবগী মিরেন ওইজবী ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙানা মপুরোইবগী ৱাফমদু তারগা হঙ্গৎচৈ, - "সনখ্যানা পাম্বীবা লম্বীদা লেঙ্‌বীয়ু, ননাইনুবীদি অদুম সনখ্যাগী তুং ইঞ্জগনি, থৱাইনা চৎপা লম্বেন্দুদা হকচাংসু অদুম্মক চৎপা তাবনি।" ৱাফমদুদা মতৈ-মনাউ অনিদু পুক্নীঙ পেন্না নোকমিন্নজে।

রাজা গম্ভীর সিংহনা মহাক্কী মমিংদা লীংখৎলিবা লাম্মী লুপ / তেঙ্গোন (লেভী) অসি বৃটিশকী কম্মিসন ওফিসার অমনা ড্রিল তম্বীবা, খুৎশূ-খুৎলাইগী মরম, লান্দা-লানচনগী হিরম, লানথুপ-লান্থেংগী লমদাং, লাল্লুম্বা-লানয়েংবগী ৱারমনচিংবা তম্বী-তাকপীরি। মদুনা মীরৈপাক্কী লাল্লম-লানচৎ, লানগী শাজেন্নচিংবগী ৱাফমদনি, মৈতৈগী ওইবা শা-লানগী মরম, লান্দা-লানচন, শাফা-লানফানচিংবগী লমদাংদদি করিসু য়াওদ্রি। মৈতৈগী ওইবা লুচিংবা অমতংগা লৈরবদি পুক্নীঙসি থুংলগদবনি। ঈবুংশীজ য়ুমজাও তাবা, মৈদিংঙুচা হেরাচন্দ্রগুম্বা অমা লৈরবদি ফগদবনি, মখোয়সিদি হৌজিক ফংদ্রে। অদুবু মতীক চাবা মৈতৈ অথৌবা কনা লৈরি, কনা কনা চিংথরি হায়না নীঙশিঙদুনা রাজা গম্ভীর সিংহনা খৃ: ১৮২৪ গী আগষ্ট থা হৌগৎলকপদা ৱাখল তৌরি। মতমদুদা কুইনা কাউথোক্লরবা

মতীক-মঙম মুন্না খঙলবা, মী খ্বাইদগী মথক্তা থোংলকখিবা মনাউ ঈবুংঙো নরসিংহবু নীঙশিঙলক্লে। রাজা গম্ভীর সিংহনা মহাকপু নীঙশিঙলকপদা মিৎলুগী পিরাং শিন্থরক্কে তৌই। হৌখিবগী লামায়দা করিসু নত্তবা থৌদোক্তু নীঙশিঙলুরগা নীঙঙমদবা মৈশা লাংলকখি। মদুদগীদি নুমিৎ খরনি ঈবুংশীজ নরসিংহবু থিরকই, কোয়হং হংলকখি - "কদায়দা লৈরি, করি তৌরি।" নুমিৎ খরনিদুগী মনুংদা ঈবুংশীজ নরসিংহগী মরম পুন্নমক ফংলে, খঙলে।

ঈবুংশীজ নরসিংহ, মপাবুংগী মনাক্তা ডিমাপুর হিরম্বদেশতা লৈতে, শিলচরগী মনাক খোইরেন পাৎ মপানগী মৈতৈ খুঙ্গং খোইরেন খুন্দা মাগী তাল্লোই ৱাহেংবম চনুগা লোইননা লৈরি, লৈত-লায়র' গী মৈশা লাংলি। অদুবু নোম্বা কনবী ৱাহেংঙাগী শুবা-নোম্বা কনবা, হোৎনবা লেপ্তুনা ফৌশু-লল্লোনবা, ইনজিং-ঙাফাবনচিংবা তৌবনা মবুংঙোগী করিসু ৱাৎহন্দনা পাল্লি। ঈবুংশীজ নরসিংহনা কছাড়ী তুলারামগা পুল্লি, নুমিদাংৱাইরমদা নুমিৎ খুদিংগী তুলারামগী লানশঙদা চৎলগা নুমিৎ তারা মতুংদা নুমিদাং পুং ৭-৮ দা হেক হেক ময়ুমদা হল্লকই - হায়বনচিংবা মনাউ ঈবুংঙো নরসিংহগী ঈ-পাউশিং লৌরগা খৃ: ১৮২৪ গী আগষ্টকী ময়ায়ৱাইনা নোংমা নুমিদাংগী পুং ৭-৮ গী মতমসিদা রাজা গম্ভীর সিংহনা মনাই- মশন কনাসু লোইনদনা ঈবুংশীজ নরসিংহনা তুলারাম কছাড়ীগী লানশঙদগী ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা মনাউ ঈবুংঙোবু ঙাইদুনা লৈরম্মী। ঈবুংশীজ নরসিংহসু কনা অমতা লোইনদনা ময়ুমলোমদা হল্লকপদা রাজা গম্ভীর সিংহনা ঙাইরিবা মপা অদু য়ৌরকপদা রাজা গম্ভীর সিংহনা তপ্লপ্লা - "ঈনাউ ঈবুংঙো নত্রা" - হায়না হংলকখি, "কনা ওইবীরবনো"? হায়রগা ঈবুংশীজ নরসিংহনা মহাকপু হংলকলিবা খোনজেন্দুদা চিংনরদুনা থাঙখুমদগী থাঙ শৎকে হায়না মখুৎ হাইজিল্লকদা, "ঐনি, নয়াম্বুং গম্ভীর সিংহনি, ঈনাউ ঈবুংঙো, থাঙ অদু থাঙখুমদা অদুম লৈখিসনু। ঈচীন-ঈনাউ য়ান্নবগী মতম নত্তে, মৈতৈলৈমা ঈমা মৈত্রবাক মণিপুর অৱাগী খোঙখাদা লৈরি, মসি অমুক্তং হাননা হন্দোকখিসি" - রাজা গম্ভীর সিংহনা হায়রকপদা ঈবুংশীজ নরসিংহনা নোম্থদুনা লৈপাক শোক্লা খুরুম্লগা "য়াম্বুং! ননাউবু ঙাকপীয়ু, অপঙবা ননাউনি খনবীদুনা হৌখ্রবা লঙজবা পুন্নমক ঙাকপীয়ু" হায়জরকপদা রাজা গম্ভীর সিংহনা - "য়ারে য়ারে, ঈনাউ ঈবুংঙো! হৌখ্রবা মাঙলমচত্তা নয়াম্বনা লানখিবা কয়া ঙাকউ, ঙসি ঈমা লৈপাক্লা ঐখোয়বু কৌরক্লে, ঈচীন- ঈনাউ খুৎশম্লনা চৎমিন্নরসি, মৈতৈলৈমা ঈমাবু কনমিন্নরসি"।

"য়াম্বুং!" ননাউ থৌগল ফংজগে", হায়রগা মচীন-মনাউ অনিদু চেজেৎ কোন্নখি। "ঈমা লৈপাক হন্দোক্লবগী ৱাফমসি ননাউসু হান্নবা ৱাখন্দা চেৎনা লৈজরবনি, শ্রীশ্রীগোবিন্দজীদা খুদম- চাংদম পীবীনবা ৱাফম থমজরগা খোইরেনগী পাৎকী লমতুপ-লমচেৎ অমা স্তোপ লেঙওন্দনা ঈশীৎপা ঙম্লগা মৈত্রবাক ঈমা হন্দোকপা, ঙমদ্রগনা হন্দোকপা ঙমদবা হায়বা লাই-ৱায়েনগী চাংয়েংদা ননাই ঐ মায় পাকচখি, শোয়দনা হন্দোকপা ঙমগনিদা য়াম্বুং"।

"অদুদি নহাক ঈয়াম্বগী মিংদা লীংখৎলিবা মৈতৈগী লান্মী লুপ অসি শেন্ন-পানদুনা বদরপুরদা লৈররো, কনাসু মসিবু য়েংশিনবীনবা লৈতে, হক থোক্লা থবক তৌনবা মীওই অমত্তসু লৈতে, ঈনাউনা কুপশেন-শেন্নররো।"

"অজ্ঞা, ননাই থৌগল ফংজগে।"

"অদুদি হয়েংমক সীলেটতা চত্তুনা ফিরিঙ্গী সাহেবশিং উনরুরসি, ঈয়াম্বনা ঈনাউবু রাজা গম্ভীর সিংহ লেভীগী কম্মান্দিং ওফিসার [Commanding Officer (C.O.)] নি হায়না শক্তাকনি; করি খল্লিবগে, ঈনাউ ঈবুংঙো।"

- "ফগনি, য়াম্বুং!"

- "অদুদি ঈনাউগী শঙ্গায়দা চৎলসি, ঈনাউ ঈবেম্মদা পাউ পীরুরসি, হয়েংমক সীলেটতা খোঙশানগদবনি পাউদম্বীরুসি, নুপী পাঙ্গল য়াওদনা নুপাদনা ওইথোকপা য়াবা নত্তে।"

- "ফগনি অজ্ঞা ! লেঙবীসি, ননাউ থৌগল তৌজগে।"

অসুম্না নিংথেম মচা অনিদু ৱারী শানা শানা লাক্তুনা খোইরেন খুন্দা লৈরিবা ঈবুংশীজ নরসিংহ শঙ্গায়দা নুমিদাংগী পুং ৮ (নিপান) গী অদুৱাইদা থুংলরে। ঈবুংশীজ নরসিংহনা মাগী তাল্লোই ৱাহেংঙা কৌথোক্লে, ময়াম্বুং রাজাবু খুরুমহল্লে। পুকচেন চেৎলবী ৱাহেংঙানা কোকখুম- মায়খুম চেৎনা ফিরোই-ফিঙাম তাশিন-খোমজিন্না মতৈ শীজ রাজা গম্ভীর সিংহবু খুরুমজরে। হন্দক্কী খুরুম্বসিনা ৱাহেংবম চনু রসনিনা নিংথেমচা শাগৈ ময়ুমশিংনা মপুরোইবা অমসুং মহাকপু মতম শাংনা ইন্থোকপীবদুদগী লৌখৎপীরে, হায়না খঞ্জখি। তশেংনমকসু মতৈ-মনাউবু মৈতৈ নিংথেমচা শাগৈ ময়ুমদা নত্তনা মৈত্রবাক্কী য়ুম্নাক-শাগৈ

পুন্নমক্কী মীপুম খুদিংমক্তা লৌখৎলবনি। ঈবুংশীজ নরসিংহনা ময়াম্বুংনা হাননবা লুক হৌ, হায়না তাকপীবদগী ৱাহেংঙা শীজনা মতৈ ঈবুংঙোগী লুক হৌজখি। মতমদুদা নিংথেমচা মচীন-মনাউনা লেভীগী অকুপ্পা মরোনশিং, লাঞ্জঙ-লান্দাগী চঙগদবা মরু ওইবা পোৎচঙ-চৈজঙশিং, বৃটিশ গোভর্নমেন্টকী তেংবাং অমসুং মতেংশিং, মৈতৈনা পাংথোক্কদবা পাউখুম ওইবা থবকশিং অমদি মৈতৈগী মরন্নাইগী ওইবা মণিপুর অৱাগী মখুত্তগী হন্দোক্লবগী ৱাফমশিংগী মরমদা কুপ্পা ৱারী-ৱাতাই শানদুনা চাক ঙাইখি। ৱাহেংঙা শীজনা লুক হৌবা লোদুনা মতৈ ঈবুংঙো অমসুং মপুরোইবগী লুকফম শেমজরগা হঙ্গৎচদুনা নুমিদাংদুগী পুং ১০ (তরা) রোম তারকপা অদুৱাইদা রাজা গম্ভীর সিংহ অমসুং ঈবুং শীজ নরসিংহ চাকলুক অমতদা, পুখম অমতদা লুক খুনমিন্নখি, চাক চামিন্নখি।

রাজা গম্ভীর সিংহনা চাক চখোম অমা লৌখৎলগা ঈবুংশীজ নরসিংহদা ইল্লদুনা - "ঈয়াম্বগী ঈবুংঙো নর ! ঙসি ঈয়াম্বনা ইল্লিবা চখোমসিনা ঈনাউগী পাঙ্গল হাপ্পসনু, ঈমা লৈপাক মণিপুর হন্দোক্লবা অৱাবু হাৎপদা চোকথবা নাইদ্রবা পাঙ্গল মণিপুর হন্দোক্লবা অৱাবু হাৎপদা চোকথবা নাইদ্রবা পাঙ্গল শ্রীগোবিন্দজীনা পীনবীরসনু" হায়রম্মী। অনিমক কপ্পা কপ্পা চাক ঈন্নদুনা চামিন্নরি। মচীন-মনাউ অনিদুগী মতৌদু উরগা মপুরোইবা নীঙবী ৱাহেংঙাসু মিৎলুদা পিরাং শিন্থজরি। হে মরৈপাক নুংশিবা ! নঙগী নীঙজ' নুংশিবগী মরীসি কল্লিদা। নিংথেমচা মচীন-মনাউগী লুক খুনবগী থৌগলদু লোয়রগা ৱাহেংঙানা মখোয়নিগী পোত্থানবা ফম থাদুনা ফমুং শেমদুনা থৌরাং তৌরে। ৱাহেংবম চনু রসনিগী থৌগল-লাংগন অমসুং থৌরাং-থৌদৌ অসিদা রাজা গম্ভীর সিংহনা অশুপকী মতীক পেনখ্রে, মনাউ ঈবেম্মসিবু পল্লেম মমা শকপী ওইনা লৌখ্রে। মসিগী খুদম- চাংদম তুংলমচৎকী থৌদোক অমদা লাকখিগনি।

সীলেটতা ৱাহেংবমচনু ৱাহেংঙা

খৃ: ১৮২৪ গী অঙন্বা মতমদগী কছাড়দা লৈরম্বা মৈতৈ নিংথৌমচা অহুম, মখোয়গী ঈমুং-মনুংগী মীওইশিং অমসুং অতৈ নিংথেমমচাশিং অমদি মখোয় ঈমুংগী মীশিং বৃটিশশিংনা সীলেটতা পুথোকখ্রবনি। অদুনা রাজা গম্ভীর সিংহনা সীলেটতা মৈতৈ কোনুং অমা শেমখ্রবনি। রাজা গম্ভীর সিংহনা সীলেটকী বৃটিশ হেডকার্টর্সতা ঈবুংশীজ নরসিংহ পুদুনা রাজা গম্ভীর সিংহ লেভীগী কম্মান্দিং

ওফিসার হাপ্পা অমসুং শক্তাকপা চৎপা খৃ: ১৮২৪ গী আগষ্ট লোয়রমদায়গী মতমসিদা ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙা (রসনি) সু মপুরোইবগী তুংইল্লি, থৌগল চৎলি। অদুগা সীলেটকী মৈতৈ কোনুংসিদা থুংফম অমসুং লৈফম ওই। ঈবুংশীজ নরসিংহবু লেভী কম্মান্দিং ওফিসার হাপ্পসিদা ডেভিদ স্কোটনচিংবা বৃটিশ ওফিসারশিংগী পাউতাক মতুং ইন্না শোর্ত টার্ম মিলিটরী ট্রেনীং অমা ধাকা খৃ: ১৮২৪ গী সেপ্তেম্বর থাদা থাবা অমসুং চৎপসিদা [ব: ক: স:, ২০০৯, ১২১] মহাক্কী তাল্লোই শীজ ৱাহেংঙাসি সীলেটকী মৈতৈ কোনুংসিদা লৈহৌখি। ঈবুংশীজসিনা মিলিটরী মোডর্ন টেক্নোলোজী কন্দেন্স ট্রেনিং (Military Modern Technological Condensed Training) লোয়রগা ওক্তোবর থাদা সীলেটতা থুংলরগা বৃটিশ ওফিসারশিং অমসুং রাজা গম্ভীর সিংহ্ উনরল্লগা রাজা গম্ভীর সিংহগা লোইননা মতাল্লোই ৱাহেংবম নিংঙোন ৱাহেংঙা পুরগা রাজা গম্ভীর সিংহ লেভীগী হেডক্বার্টর্স বদরপুরদা চত্তুনা লেভীসি য়েংশিনবগী থবক অমসুং থৌরাং পায়খৎখি। অসুম্না শীজ ৱাহেংঙা থা অমা খর হেন্না সীলেটতা লৈরল্লগা খৃ: ১৮২৪ গী ওক্তোবর থাগী অহানবা চয়োন্দগী মপুরোইবগী মতুং ইন্দুনা বদরপুরগী রাজা গম্ভীরসিংহ লেভীগী লানশঙগী য়ুমদা লৈখিরম্মী। মফমসিদা নরসিংহগী তাল্লোই অহন হাওবম চনু লীক্লাইরোকপীসু লাক্তুনা মপুরোইববু থৌগল তৌরখি অমসুং ৱাহেংবমচনু ৱাহেংঙাগা পুন্না লৈমিন্নখি।

মৈত্রবাক মণিপুর হন্দোকপা

ঈবুংশীজ নরসিংহনা কম্মান্দিং ওফিসার ওইনা য়েংশিনবা, শেমগৎলকপা, শেন্নরকপা অমসুং তন্বী-তাকপীরকপদগীদি রাজা গম্ভীর সিংহ লেভীসি খৃ: ১৮২৫ গী জানুৱারী-ফেব্রুৱারী থাদগীদি বৃটিশ ওফিসারশিংনা শীঙথানরমদবা অমসুং খৃ: ১৮২৪ গী আগষ্ট-সেপ্তেম্বরদা কছাড়দা অৱা (বর্মীজ) শিংগা লান শোক্লবদা লান হৈতে, ডিসিপ্লিন লৈতে অমসুং লাম্হোঙ-লাল্লম খঙদে হায়না লান শোক্লবা য়াওহনলমদবদু মতীক চারে হায়না শকখঙবীরে। বৃটিশশিংনা খৃ: ১৮২৫ দা বর্মীজশিংগী সীলেটকী নোংপোক্কী লমখৈদা লান তৌননবগীদমক্তা অচৌবা লান্মী মপৈ অমা ব্রিগেদিয়ার-জেনরেল (হৌজিক্কী মেজর-জেনরেল) মিষ্টর শুলধামগী মখাদা শেমগৎলম্মী [ডা: ল: চ:, ১৯৭০, ২২]। মহাক্কী লান্দা অসি কছাড় ফাওদুনা মণিপুর তারগা অৱাশিং তাম্হোক্তুনা মণিপুর লৌশিল্লগা বর্মা লৈপাক

তাখিদুনা লৈপাক্কুদা লান্দারুবা অমসুং লান তৌরুবনি। মহাক্না কেপ্তেন দদজিওনবু সীলেট লোকেল কোর অমসুং রাজা গম্ভীর সিংহ লেভীবু ব্লায়রগী শগোন লান্মী কাংবু অমা লোইনদুনা মাঙজীন থাবা লান্মী লুপ ওইনা কছাড়গী লান্দা থাজিনখ্রগা সিফাইশিংবু তেংবাংনবা থাখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২২]। অদুগা খৃ: ১৮২৫ গী ফেব্রুৱারী থাদা বৃগে: - জেন: শুলধাম মশানা জিরি তুরেন নোংচুপ থংবা তোবর্বান্দা লৈবা বাসঁকান্দীদা থুংদুনা মফমদুদা লানশঙ খনগৎ-লীংখত্তুনা লৈরম্মী। নোং লেপ্তুনা চুবা অমসুং লম্বী-লমবেনগী খুদোংথীবা কয়ানা কছাড়গী দুটপাতলীদগী মণিপুর তম্পাক তানবা লম্বী শেম্বদু লোয়শিনবা ঙম্লমদে। মরম অদুনা মহাক মাঙলোমদা চঙশিনবা শুপঙম ঙম্লমদে। খুদোংথীবা ময়াম অদু মমিৎনা উরগা মহাক্না চহিসিগী মার্চ তাং ১১ দা বৃটিশ ভারত গোভর্নমেন্টতা "লম্বীগী মওং অসি অসুপকী মতীক ফত্রে, মদুদি হাননা চৎখ্রবা কাংবুগীদমক্তা উটতা, শন গারীদা, শামুদা নত্রগা মীদা চীঞ্জাক থাননবা হোৎনবা অসি ওইথোক্তে" [মথক্কীসিদা, ২৩]- হায়না রিপোর্ট তৌখিরম্মী। অদুনা বৃটিশশিংনা অৱাগী মখুত্তগী মণিপুর হন্দোক্তুনা লৌশিনবগী থৌরাংসি থাদোকখি।

বৃটিশশিংনা মণিপুর হন্দোক্কনি হায়বা ৱাফমসিদা থাজবা থমদুনা নুংঙাইজরম্বা রাজা গম্ভীর সিংহ, বৃগে:- জেন: মি: শুলধামনা মণিপুরদা বৃটিশনা চঙবসি ওইথোক্লরোয়দবা থৌরাংনি, হায়না রিপোর্ট পীবদগী বৃটিশনা মণিপুরদা চঙশিনবগী থৌরাংসি থাদোকখ্রবদা রাজা গম্ভীর সিংহ নীঙবা কায়রে। অদুবু মণিপুরবু অৱাগী মখুত্তগী হন্দোকপা হায়বসি মৈতৈগী থাদোকফদ্রবা, তৌদবা য়াদ্রবা মথৌনি, অদুনা মনাউ ঈবুংঙো নরসিংহগা তানদুনা লেভীগী-সিফাইশিংগা খন্নরক্লে। মৈতৈশিংদুনা ঐখোয়গীদি ঈথৌনি, ঈথৌদাংনি অদুনা শিরবসু মৈত্রবাক মণিপুরদদি য়ৌরম্লগা শিরুগনি, ঐখোয়না ঈরন্নাই ওইনা মণিপুর হন্দোক্লবা লান চঙগনি, হায়দুনা পাম্বোম তিংদুনা লাউরক্লে। রাজা গম্ভীর সিংহ অমসুং লেভী কম্মান্দিং ওফিসার নরসিংহ মৈতৈশিংনা মরন্নাই ওইনা মণিপুর হন্দোক্লবা লান চঙনবগী ৱাফমসি সীলেটকী বৃটিশ ওফিসারশিংদা খঙহল্লে, মখোয়না পাউ থাখিদুনা ভারতকী গোভর্নর-জেনরেলদা খঙহনখ্রে। মহাক্লসু মৈতৈগী মরন্নাইগী ওইরবদি মখোয়না থোকপা তৌজরসনু হায়রক্লে। অদুনা রাজা গম্ভীর সিংহ অমসুং মহাক্কী লেভী, মখোয়গী কম্মান্দিং ওফিসারগা লোইননা মণিপুরদা লাঞ্জঙনবা শেম-শারক্লে।

মদুদা সীলেটকী বৃটিশ আর্মী ওফিসার লেফটেনেন্ট আর: বি: পেম্বর্টন (Robert Boiliu Pemberton) না মহাকসু লময়েং-লানয়েংবা অমা ওইনা চৎনবা অয়াবা অমসুং মথৌ লেপ্পা (Leave) পীনবীয়ু হায়না চে লানখত্তুনা চৎপা য়াওখিরম্মী।

রাজা গম্ভীর সিংহ অমসুং আর: বি: পেম্বর্টনগা মখোয়গী থৌগল-লাংগন খরগা খৃ: ১৮২৫ গী মে ১৭ তগী সীলেটতগী বাসঁকান্দি তম্না লাক্লম্মী অদুবু নোং য়াম্না তামনখিবনা অশন্বী লন্বী চৎপা য়াদদুনা মে ২৩ দা বাসঁকান্দিদা থুংলম্মী। মরক্তুদা রাজা গম্ভীর সিংহ লেভীগী হেডক্বার্টর্স বদরপুরদা লেভীগী কম্মান্দিং ওফিসারদা বাসঁকান্দিদা লেভীগা লোইননা লাক্লবা পাউ পীখিদুনা মনাউ ঈবুংঙোসিনা (কম্মান্দিং ওফিসারসিনা) মহাক্কী য়াথং মখাদা লৈরিবা লেভীগী সুবেদার ৫ (মঙা), জমাদার ১০ (তরা), হবিল্ডার ১০ (তরা), নাইক ২৫ (কুনমঙা) অমসুং শগোল লান্মীগী শগোন-মকোক (সির্দার) ৪ (মরি) না লাঞ্জিংলিবা খোঙমী ৫০০ (চামঙা) অমসুং শগোন লান্মী ৪০ (নিফু), পুন্না লান্মীগী মীওই ৫৯৪ (চামঙা মরিফুদ্রামরি) পুরদুনা বাসঁকান্দিদা থুংলরম্মী। অপুনবা লান্মী লুপ অদুনা মে তাং ২৫ দগী মণিপুরগীদমক খোঙহৌ-খোঙশাল্লম্মী। অদুবু নোং য়াম্না তাবা অমসুং লন্বীগী খুদোংথীবনা মখোয় মণিপুর তম্পাক্কী নোংচুপকী ঙমখৈ ওইবা মৈতৈ খুন মাকলংদা জুনগী তাং ১০ ঈরাই নুমিত্তা থুংলম্মী। মখোয় মৈতৈ মচা ৫৯৬ (রাজা গম্ভীর সিংহ অমসুং ঈবুংশীজ নরসিংহ থারগা) অমসুং লানয়েংবা ফিরিঙ্গী মচা (British/English man) অমগনা মৈত্রবাক্তা লানশঙ কয়া তোংঙান তোংঙানবা মফম অমসুং লমশিংদা শাদুনা লৈরম্বা অৱা লান্মীশিংদু মণিপুরগী লৈমায়দগী তাম্থোকখিদুনা মৈত্রবাক মণিপুরবু অৱাশিংগী মখুত্তগী হন্দোকখি। অসুম্না মণিপুরদা মনীঙ তম্বা, মতোমতা লৈঙাক- ৱায়েন থৌদা তৌজবা অমসুং মনীঙ তম্বা নিংথৌনা হাইনা হুমনা পানবা নিংথৌ পানবা লৈপাক খৃ: ১৮২৫ গী জুন ১২ দগী অমুক হন্না লীংখৎখিরম্মী।

ৱাহেংঙানা মণিপুরদা থোক্লকপা

ঈবুংশীজ নরসিংহনা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভী পুদুনা মণিপুর হন্দোক্লবা বদরপুরদগী বাসঁকান্দিদা খৃ: ১৮২৫ গী মে তাং ২০ ঈরাই নুমিত্তা খোঙশানখিবদগী ৱাহেংবম নিংঙোন ৱাহেংঙাদি বদরপুরদা লৈহৌখি। মহাক্লা মপুরোইবগী য়াইফনবা, মায়পাক-মায়জৌনবা অমসুং মৈত্রবাক মণিপুরবু য়েক্লবা অৱাশিংগী মখুত্তগী

হন্দোকপা পীনবীনবা শ্রীগোবিন্দজী অমসুং লাইয়িংথৌ পাখংবদা লেপ্তুনা খুরুম-খাজঙজখি। অদুগা মৈত্রবাক্কী লানগী পাউ অসি খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরম্মী। নোংদম্বনা মৈতৈগী মায়কৈদা লেপ্লীদুনা সনা লৈপাক মণিপুর অৱাশিংগী মখুত্তগী হন্দোক্লে, মনীঙ তম্বা লৈপাক ওইরে, হায়বা পাউ তারে। পাউদুনা মহাকপু য়াম্না নুংঙাইহনখি, মরমদি মহাক্কী মথৱাইগী মবুংঙো ওইরিবা মপুরোইবনা চহি তরেৎ চুপ্পা নীঙজরকপা থুংলে, লেঙওন্দবী পাৎকী লাই-ৱায়েন চাংয়েং চুপ্লে। অদুগা মপুরোইবনা মৈত্রবাক্তা লৈঙাক্লি। অদুবু মতমদুদা নুপী-অঙাং মণিপুরদা থোক্লুবা য়াবা নত্রি, মৈত্রবাক য়াম্না নংলি, চহি তরেৎ তম্পাক্কী লমদম অমতদা লৌফম অমতা উরক্তবনা চান-থক্লুবা ফংবা য়াম্না ৱারি, অদুনা হুরান-চীনথী কপ্লি। অদুনা ৱাহেংবম চনু মতম খরদি কছাড়দা খাঙখিবা তারি, মতম ঙাইখিবা তারি। অদুবু মৈত্রবাক্কী ঈ-পাউ লৌবদি লেপ্তে।

খৃ: ১৮২৬ কী জানুৱারীদা মৈতৈ কবো তম্পাক (Kase Shan Valley) হন্দোকপা, শমজোক অমুক হন্না লোই চন্দুনা শমজোক লোম থংবা নিংথি তুরেনগী খোংবান-তোবর্বান্দা মৈতৈগী নীঙতম ফিরান য়ুংদুনা মৈত্রবাক্কী ঙমখৈ-লমখৈবু কেপ্তেন এফ: জে: গ্রান্ট অমসুং লেফটেনেন্ট আর: বি: পেম্বর্বটন অনিগী মিৎমাঙদা য়ুংখ্রবা [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২২৫; ব: ক: শ:, ২০০৯, ১৫১-৫৩] মতুংদদি মৈত্রবাক্কী ফিবম অসি খর ফরে। মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা [রাজা গম্ভীর সিংহ, শামুফাবা (খৃ: ১৮২৫-৩৪] না লম্মাংদোং (বিষ্ণুপুর) দা কোনুং শেমদুনা পাল্লে। অদুগা খৃ: ১৮২৬ সিগী ফেব্রুৱারী তাং ২৪ দা মৈত্রবাক মণিপুরবু মনীঙ তম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাক, এসিয়াটিক কন্ত্রী (Asiatic Country) অমনা ইন্টর্নেস্নেল লেভেলদা য়ান্দাবৃ ত্রিটী, ১৮২৬ কী ফেব্রু: ২৪ গী মতুং ইন্না খঙনখ্রে [M.L.B., 1979, 24,62]। মতমসিদদি লাঞ্জেন্নরুবা পুন্নমক (খরদি য়াওদে) হল্লক্লখ্রে। অদুনা ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙানা ঈ-পাউ পুন্নমক লৌরবা মতুংদা খৃ: ১৮২৬ কী চৈরাউবা (মে তাং ১২ ঈরাই) মতুং ২ নি কোনবদা থোক্লক্তুনা লম্মাংদোংদা মে তাং ২০ দা থুংলখি। মপুরোইবা উনদুনা ৱারী-ৱাতাই শান্নরগা লম্মাংদোংগী মতমদুগী সেনাপতিগী লৈফমদা চঙদুনা মপুরোইবগা পুন্না লৈমিন্নখি।

ৱাহেংঙাবু লৈপাক-নিংথৌনা ঈকাইখুম্নবা

ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙা ঙকচাও থেকপী, পোঙথোক-চাওথোকনবী অমসুং নাপন কাগনবীদি নত্তে, অদুবু মীনা হৌরুবদি লাম্বা পাদনবা তোক্তে। মহাক্না

মদুদা সীলেটকী বৃটিশ আর্মী ওফিসার লেফটেনেন্ট আর: বি: পেম্বর্টন (Robert Boiliu Pemberton) না মহাকসু লময়েং-লানয়েংবা অমা ওইনা চৎনবা অয়াবা অমসুং মথৌ লেপ্পা (Leave) পীনবীয়ু হায়না চে লানখত্তুনা চৎপা য়াওখিরম্মী।

রাজা গম্ভীর সিংহ অমসুং আর: বি: পেম্বর্টনগা মখোয়গী থৌগল-লাংগন খরগা খৃ: ১৮২৫ গী মে ১৭ তগী সীলেটতগী বাসঁকান্দি তম্না লাক্লম্মী অদুবু নোং য়াম্না তামনখিবনা অশন্বী লম্বী চৎপা য়াদদুনা মে ২৩ দা বাসঁকান্দিদা থুংলম্মী। মরক্তুদা রাজা গম্ভীর সিংহ লেভীগী হেডক্বার্টর্স বদরপুরদা লেভীগী কম্মান্দিং ওফিসারদা বাসঁকান্দিদা লেভীগা লোইননা লাক্লবা পাউ পীখিদুনা মনাউ ঈবুংঙোসিনা (কম্মান্দিং ওফিসারসিনা) মহাক্কী য়াথং মখাদা লৈরিবা লেভীগী সুবেদার ৫ (মঙা), জমাদার ১০ (তরা), হবিল্ডার ১০ (তরা), নাইক ২৫ (কুনমঙা) অমসুং শগোল লান্মীগী শগোন-মকোক (সির্দার) ৪ (মরি) না লাঞ্জিংলিবা খোঙমী ৫০০ (চামঙা) অমসুং শগোন লান্মী ৪০ (নিফু), পুন্না লান্মীগী মীওই ৫৯৪ (চামঙা মরিফুদ্রামরি) পুরদুনা বাসঁকান্দিদ্দা থুংলরম্মী। অপুনবা লান্মী লুপ অদুনা মে তাং ২৫ দগী মণিপুরগীদমক খোঙহৌ-খোঙশাল্লম্মী। অদুবু নোং য়াম্না তাবা অমসুং লম্বীগী খুদোংথীবনা মখোয় মণিপুর তম্পাক্কী নোংচুপকী ঙমখৈ ওইবা মৈতৈ খুন মাকলংদা জুনগী তাং ১০ ঈরাই নুমিত্তা থুংলম্মী। মখোয় মৈতৈ মচা ৫৯৬ (রাজা গম্ভীর সিংহ অমসুং ঈবুংশীজ নরসিংহ থারগা) অমসুং লানয়েংবা ফিরিঙ্গী মচা (British/English man) অমগনা মৈত্রবাক্তা লানশঙ কয়া তোংঙান তোংঙানবা মফম অমসুং লমশিংদা শাদুনা লৈরম্বা অৱা লান্মীশিংদু মণিপুরগী লৈমায়দগী তাম্থোকখিদুনা মৈত্রবাক মণিপুরবু অৱাশিংগী মখুত্তগী হন্দোকখি। অসুম্না মণিপুরদা মনীঙ তম্বা, মতোমতা লৈঙাক- ৱায়েন থৌদা তৌজবা অমসুং মনীঙ তম্বা নিংথৌনা হাইনা হুমনা পানবা নিংথৌ পানবা লৈপাক খৃ: ১৮২৫ গী জুন ১২ দগী অমুক হন্না লীংখৎখিরম্মী।

ৱাহেংঙানা মণিপুরদা থোক্লকপা

ঈবুংশীজ নরসিংহনা রাজা গম্ভীরসিংহ লেভী পুদুনা মণিপুর হন্দোক্লবা বদরপুরদগী বাসঁকান্দিদা খৃ: ১৮২৫ গী মে তাং ২০ ঈরাই নুমিত্তা খোঙশানখিবদগী ৱাহেংবম নিংঙোন ৱাহেংঙাদি বদরপুরদা লৈহৌখি। মহাক্না মপুরোইবগী য়াইফনবা, মায়পাক-মায়জৌনবা অমসুং মৈত্রবাক মণিপুরবু য়েক্লবা অৱাশিংগী মখুত্তগী

হন্দোকপা পীনবীনবা শ্রীগোবিন্দজী অমসুং লাইয়িংথৌ পাখংবদা লেপ্তুনা খুরুম-খাজঙজখি। অদুগা মৈত্রবাক্কী লানগী পাউ অসি খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরম্মী। নোংদম্বনা মৈতৈগী মায়কৈদা লেপ্পীদুনা সনা লৈপাক মণিপুর অৱাশিংগী মখুত্তগী হন্দোক্লে, মনীঙ তম্বা লৈপাক ওইরে, হায়বা পাউ তারে। পাউদুনা মহাকপু য়াম্না নুংঙাইহনখি, মরমদি মহাক্কী মথৱাইগী মবুংঙো ওইরিবা মপুরোইবনা চহি তরেৎ চুপ্পা নীঙজরকপা থুংলে, লেঙওন্দবী পাৎকী লাই-ৱায়েন চাংয়েং চুপ্লে। অদুগা মপুরোইবনা মৈত্রবাক্তা লৈঙাক্লি। অদুবু মতমদুদা নুপী-অঙাং মণিপুরদা থোক্লুবা য়াবা নত্রি, মৈত্রবাক য়াম্না নংলি, চহি তরেৎ তম্পাক্কী লমদম অমতদা লৌফম অমতা উরক্তবনা চান-থক্লুবা ফংবা য়াম্না ৱারি, অদুনা হুরান-চীনথী কল্লি। অদুনা ৱাহেংবম চনু মতম খরদি কছাড়দা খাঙখিবা তারি, মতম ঙাইখিবা তারি। অদুবু মৈত্রবাক্কী ঈ-পাউ লৌবদি লেপ্তে।

খৃ: ১৮২৬ কী জানুৱারীদা মৈতৈ কবো তম্পাক (Kase Shan Valley) হন্দোকপা, শমজোক অমুক হন্না লোই চন্দুনা শমজোক লোম থংবা নিংথি তুরেনগী খোংবান-তোবর্বান্দা মৈতৈগী নীঙতম ফিরান য়ুংদুনা মৈত্রবাক্কী ঙমখৈ-লমখৈবু কেপ্তেন এফ: জে: গ্রান্ট অমসুং লেফটেনেন্ট আর: বি: পেম্বর্বর্টন অনিগী মিৎমাঙদা য়ুংখ্রবা [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২২৫; ব: ক: শ:, ২০০৯, ১৫১-৫৩] মতুংদদি মৈত্রবাক্কী ফিবম অসি খর ফরে। মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা [রাজা গম্ভীর সিংহ, শামুফাবা (খৃ: ১৮২৫-৩৪] না লম্মাংদোং (বিষ্ণুপুর) দা কোনুং শেমদুনা পাল্লে। অদুগা খৃ: ১৮২৬ সিগী ফেব্রুৱারী তাং ২৪ দা মৈত্রবাক মণিপুরবু মনীঙ তম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাক, এসিয়াটিক কন্ত্রী (Asiatic Country) অমনা ইন্টর্নেশ্নেল লেভেলদা য়ান্দাবু ত্রিটী, ১৮২৬ কী ফেব্রু: ২৪ গী মতুং ইন্না খঙনখ্রে [M.L.B., 1979, 24,62]। মতমসিদদি লাঞ্জেন্নরুবা পুন্নমক (খরদি য়াওদে) হল্লক্লখ্রে। অদুনা ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙানা ঈ-পাউ পুন্নমক লৌরবা মতুংদা খৃ: ১৮২৬ কী চৈরাউবা (মে তাং ১২ ঈরাই) মতুং ২ নি কোনবদা থোক্লক্তুনা লম্মাংদোংদা মে তাং ২০ দা থুংলখি। মপুরোইবা উনদুনা ৱারী-ৱাতাই শান্নরগা লম্মাংদোংগী মতমদুগী সেনাপতিগী লৈফমদা চঙদুনা মপুরোইবগা পুন্না লৈমিন্নখি।

ৱাহেংঙাবু লৈপাক-নিংথৌনা ঈকাইখুম্নবা

ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙা ঙকচাও থেকপী, পোঙথোক-চাওথোকনবী অমসুং নাপন কাগনবীদি নত্তে, অদুবু মীনা হৌরুবদি লাম্বা পাদনবা তোক্তে। মহাক্না

লম্মাংদোংদা সেনপাতিগী কোল্লুপ্তা লৈবসিদা মতমদুগী লৈমরেন লংমাইথেম (নোংমাইথেম) চনু তুলসিপৃয়া [লৈমরেনসি খৃ: ১৮৩০ গী আগষ্ট তাং ৩ লৈপাকপোকপদা নোঙ্গাখি (চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২৩৭)] না হাইফেৎ করেম্মদুনা নোক্লখি। হায়রিবসিদা মশাগী মশক খঙনা চৎচবী ৱাহেংঙানা হায়নীঙঙাই লৈতনা ৱারৌখি অমসুং শাওনীঙখি অমদি তাঞ্জা চাবা মতমদা খঙহনগে, লমন খুমগে হায়না খনখি। মহাক্লা হৌবা লুক মতৈ ঈবুংঙো মহারাজমক্লা হাবীদুনা মখুৎ লৌখৎপীরগা ইন্থোকপদগী চিংখৎপীখিবনি। অশাওবা অসিনা মাঙওইনখিদুনা মহাক্লা তৌগে খল্লিবদু অরোন-অথুপ থমজদ্রবা মপুরোইবগী মফমদা ফাওবা হঙ্গৎখিদে, হায়দোকখিদে। মতৈ ঈবুংঙো মৈদিংঙুনা চানবীরগা চানবীরে, চানবীদ্রগা চৈরাক ফংলগা ফংলে, মখোয়গী মফমদা খঙহন্দবদি ময়াদ্রে, হায়দুনা তাঞ্জা লুমদুনা লৈখি।

খৃ: ১৮২৬ লানখ্রে, ১৮২৭ তা মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বনা লম্মাংদোং/বিষ্ণুপুরদগী লংথবান/কাঞ্চিপুরদা কোনুং হোংনীঙলে। অদুনা চহিসিগী আগষ্ট তাং ৪ থাঙজা নুমিত্তা লংথবান্দা কোনুং ওইনবা লম য়েংখিরম্মী [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২৩০]। অদুগা লংথবানসিদা লৈপাক মীয়াম তীন্দুনা অমুক্তং কুম্মৈ তৌনীঙলি। অদুনা মতমদুগী খ্বাইদগী চাওবা মৈত্রবাক্কী কুম্মৈ অমা ওইরিবা হিয়াঙ তান্নবগী থৌরাং লৌখৎলে। হিয়াঙ কুম্মৈসি শকাব্দ ১৭৪৯ গী থৱানগী ২৫ নি (খৃ: ১৮২৭ কী সেপ্তেম্বর তাং ১৪) ঈরাই নুমিত্তা মৈত্রবাক্কী পানা ৪ (অহল্লুপ, নহারুপ, লাইফম অমসুং খাবম) গী হিয়াঙ তান্নবগী কুম্মৈসি পাংথোকখি [মথক্কীসিদা, ২৩০]। অসিগুম্বা কুম্মৈসিনি ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙানা ঙাইরক্লিবসি। খুদোংচাবসি মাঙহন্দনা ৱাহেংঙানা পাংথোক্কে খল্লিবদুগী থৌরাং পুম্নমক মনাইশিংদা শিন্নদুনা লৈখ্রে। হিয়াঙ কুম্মৈসিগী বিষ্ণুপুরদা লৈরিবা য়োঈবু-য়োঈহৈ পুম্নমক, লৈমা-শীজ পুম্বা, লৈপাক পুবা অঙম-অথৌশিং অমসুং মখোয়গী তাল্লোইশিং, ঈমুং- মনুংশিং পুম্নমক কাঞ্চিপুরদা কুম্মৈ য়েংনবা চৎলম্মী।

হিয়াঙ তান্নগদৌবা মফম অমসুং ঈশিংগী খোংলমসি লৈশাংখোংগী লৈশাং হিদেনগী মরীননা লিল্লোংগী তুরেন তুখুল্লোমদা লৈরিবা অদুদনি। খোংলমসিগী নোংপোক অমসুং নোংচুপ ওইনা লৈরিবা খোংবাল নাকন অনিদা নোংপোক থংবদা নুপাগী ফম্ফম পরেং, মৈদিংঙু মহারাজ, সেনাপতি, খুরাইলাকপা,

ৱাংখৈরাকপা, খ্বাইরাকপা, য়াইস্কুল্লাকপা, পানা লাকপশিং, অতৈ ফম্নাইবশিং, সুবেদর, জমাদারনচিংবা ফিদা পরেং থারগা, মাগী মাগী পোৎলোই- শেনপোৎশিং থাদুনা ফম্নবা অমসুং নোংচুপ থংবদা নুপীগী পরেংগী ফম্ফম- লৈমরেন/মহারাণী, অপানবী, লৈমখুবীনচিংবী য়োঙ্গবুশিং, মথংদা য়োঙ্গহৈশিং, মথংদা সেনাপতিগী তাল্লোই লৈমহন, লৈমা য়ায়মা ৱাহেংবম চনু রসনি নত্রগা ৱাহেংঙাগী ফম্ফম, অদুগী মথংদা অঙম- অথৌশিংগী তাল্লোই লৈমশিং, অরামনুবীনচিংবগী ফম্ফমশিং লৈনখ্রে। য়োঙ্গবু-য়োঙ্গহৈশিং অমসুং মতীক-মঙম লৈবী লৈমশিং, অতৈ নুপীশিংনা মাগী মাগী মফম ফমথোনগী অমসুং মতীক-মঙমগী ওইবা পোৎলোই-শেনপোৎশিং, মাগী মাগী ফম্ফমগী মপাদা থাদুনা-থেন্দুনা থম্নরি। মাগী মাগী মফম মফমগী পীবা ফিদা, পোৎলোই-শেনপোৎ (খুৎদৈশেন, কাওশেন/ক্বাশেন, মিংশেন্নচিংবা থাদুনা মাগী মাগী ফিদাদা ফম্নদুনা হিয়াঙ কুম্মে য়েংননবা ঙাইদুনা লৈনরি, কনানা ৱারী শানরি। হায়রিবা মতম-মতাং অসিদা ৱাহেংবম চনু রসনিসি মাগী ফিদা, পোৎথা-চৈথা, পোৎলোই-শেনপোৎনচিংবদু লৈমরেন (মহারাণী) গী পোৎলোই-শেনপোৎ, পোৎথা-চৈথাগা চপ মান্ননা থাদুনা লৈরম্মী।

ৱাহেংবম নিংঙোনসিগী তৌরিবা মতৌ অসি মৈতৈ লৈপাক্কী ফম্নাইবা-ফম্নাইবীশিংগী ফিদা থানবা শীল্লিবা, পান্নরিবা, য়েংশিল্লিবা অমসুং মাগী মাগী মতীক্কী পোৎলোই-শেনপোৎনচিংবদা মিৎয়েং থল্লিবা ফম্নাইবা ফমথকচা (ফম্ফম থাবা অঙম্বা) হায়বদুনা থেংনরুরে অমসুং উরে। মহাক্না লৈপাক্কী থৌ পুবা অঙম্বশিংদসু খঙহন্দুনা উহল্লে। অদুগা ফম্নাইবা অঙম্বা ফমথকচাসিনা শীজ ৱাহেংঙাগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা নোল্লুক্না হঙ্গৎচখি।

মনাউ ঈবেম্মা! ননাইবু ৱারৌবীগনু, ঈবেম্মনা থারিবা ফিদা অমসুং ফিদাসিগী খুত্তা-লাকথা, অদুগা থেনবীরিবা পোৎলোই-শেনপোৎ, পোৎথা-চৈথা অমদি পোৎলম-চৈরম পুম্নমকসি মৈতৈ লৈপাক্কী মৈতৈলৈমা লৈমরেন মহারাণীগা চপ মান্ননা থাবীরে। মসি হৌনদে, তৌহৈদে; লৈপাক অমতদা নিংথৌ অনি পানবা হায়বদু থোকই, মসি তৌবীগনু, লৈমা-নিংথৌ কাদা লঙজবা হায়বদু ওই।

ৱাফম অসিদা ৱাহেংবম নিংঙোন ৱাহেংঙানা করিগুম্বা পাউখুম অমতা পীদনা হান্নগী মওং ঈকায় কায়দনা তুমিন্না অদুম্মক ফমদুনা লৈরম্মী। পাউখুম ফংদ্রবদুদা ফম্ফম পান্নবা অমসুং শীনবা, পোৎলোই-শেনপোৎ, পোৎথা-চৈথানচিংবা শেন্নবা ফম্নাইবা ফমথকচাদুনা -.

মনাউ ঈবেম্মা ! লৈমা-নিংথৌকাদা লঙজবদি, লৈমা-নিংথৌগী ফিজী-ফিনা নেৎপগুম্বনি, ঈশাদা লাইথুং-তীনথুং পান্নরিবনি, তৌবীগনু ! পোৎলোই-শেনপোৎসি লৌথোকপীয়ু।

ৱাফম অসিদসু শীজ ৱাহেংঙানা পাউখুম অমতা পীরমদে। হায়রিবদু থৌ-ৱঈ শা-শাদনা তুমিন্না লৈথোক্লম্মী। মদুদা মখোয়দৌ শাওগৎলবা ফম্থক্চাদুনা-

মনাউ ঈবেম্মা ! ননাই ফমথকচা ঐ হঙ্গৎচরম্মীকো, ননাই ঐবু ঈথৌদা থৌশাদবা, ঈঙম পাংবা ঙমদবা তাদনা পাম্বে য়েংবা তারক্লে, পোৎথা-চৈথাসি হন্দোকপীয়ু, পোৎলোহ- শেনপোৎসি লৌথোকপীয়ু কৈদৌবগে।

ফম্নাইবা ফমথকচাগী কল্লপ্পা ৱাহৈশিংসি তারগা শীজ ৱাহেংঙানা লোন্নদি ঙাংদবা, খোঞ্জেনসু য়াওদবা পাউখুম অমা ওইনা মহাক্না মকোক কুপ্তুনা মকোক খুন্লিবা ইন্নফিগী শরুক্কী ফিনাদু হাইদোক্লগা, মচীন্দা "হুম-তৎ" হায়না শোল্লগা ফমথকচা অমসুং মহাক্কী লোইনরক্লিবশিংদুদা মকোক্তু উৎলগা থুনমক খুমজিনখিরম্মী। মহাক্কী থৌদৌদুনা ফম্নাইবশিংদুবু খোয়শাওনহন্দুনা ৱারৌবগা লোইননা মফমদু থাদোক্তুনা লৈপাক্কী মপু মৈতৈ নিংথৌগী মফমদা হঙ্গৎলুনবা চৎখিরম্মী। ফিদা শীনবা ফম্নাইবা ফমথকচা অমসুং মাগা লোইনবশিংনা মথৱাই নুংঙাইতবা মত্রৌদা চঙলকপদুদা মৈতৈ নিংথৌনা চীখোন-নাউখোনবা ৱাঙাংনা - "ঈপুখোয়, অঙম্বখোয় ! করি ৱাফম লৈরবগে" - হায়না তরাম তরাম্না ৱাহংবীরক্লম্মী। মদুদা ফমথকচানা -

" মৈদিংঙু ঈবুংঙো ! ননাউ ঈবেম্মা শীজ ৱাহেংবমচনু ৱাহেংঙা রসনিনা উৎপরক্লিবা শাজৎ-লীচৎ অসি লৈপাক্কী ওইনা অকায়বা ওইরে। লৈপাক্কী মৈতৈ লৈমা লৈমরেন (মহারাণী) গা চপ মান্নবা ফিদাদা ফম্লে, করি অমতা খেন্নদনা পোৎলোহ- শেনপোৎশিং, খুদৈশেন, ক্বাশেন্নচিংবা পুম্নমক থারে, পোইরৈ মৈতৈ লৈপাকসি নিংথৌ অনি পানবগুম তৌরে, লৈমা-নিংথৌ কাদা লঙজবা-অয়োনবা

ওইরে। ননাই ঐখোয়না তৌবীগনু হায়না অহুমলক হঙ্গৎচরবা ফাওবদা তাবীদ্রে। ঈকোন কোনবা হঙ্গৎলুবদুদা কোক্কী কোকখুম-ফি হাইগৎ-হাইদোক্তুনা "হুম" হায়দুনা কোক্কী লৱাই উৎপীরকই। ফিবম অসি থিংবীবা ফগনি, সনা নোংদম অমতংদি তন্বীয়ু।"

হায়না হঙ্গৎচরম্মী। ৱাফমশিংসি মুন্না তারগা মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বনা অঙম্বা- অথৌশিং অদুদা হংলকখি -

"ঈপুখোয় ! ঐগী ঈনাউ নুপীদুনা মহাক্কী কোক্কী লৱাই উৎলকপদুগী মরমদি খঙবীরব্রা?"

"ননাই ঐখোয়দি খঙজদে" অঙম্বশিংদুনা ঙক্লপ্পা খুমখি। মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহনা ঙাইঙমদনা হংবীরকখি, - "লৱাই অদুদি কমদৌই, তাঙব্রা?" অদুগা থীন্দনা মখা তারকখি -

"ঐ হায়জগে তাবীয়ু, মহাক্লা মাগী লৱাই অতাঙবদু উৎলক্লিবগী ৱাহন্দোক্তি, ঐগী লৱাই অসিদা চেঙ-ফৌনচিংবগী থুম্মোক লুথোং পুদুনা গম্ভীরসিংহগী মনাউ অমসুং য়েৎ থংবা পাম্বোম নরসিংহবু থাক্লকপনি, ফৌশু-লল্লোনগী লুথোং পুবদা ঈকোক অসি তাঙলিবনি, হায়বনি। মহাক্কী মপান্না ঈচীন-ঈনাউনা য়েক্লবা অৱাবু তাম্থোক্তুনা মণিপুরবু হন্দোকপা ঙমখ্রিবনি অমসুং লৈপাকসিদা পাল্লবা ফংলিবনি। মহাক্তি ঈনাউ নুপী নত্তে, পলেম ঈমা শক্লবীনি, মানা থোকপা তৌজসনু, মাগী মরাল ঐ খক থিনীঙদে।"

মৈতৈ নিংথৌ গম্ভীর সিংহগী ৱাফমসি তারবদা মৈতৈগী অঙম্বশিংদু ৱাখল লৈতারক্লদুনা সনা নাক্তগী থোক্লখি [ৱা: গ: স:, ১৯৭০, ১৬-১৮]। অসিনি ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙানা মৈতৈ খুন্নাইদা অমসুং লৈপাক্তা ফংলিবা ঈকাই খুম্নবগী থাক অসি। মসিনা মহাকপু করেম্নরুবী মহারাণীদু মতোমতা ঈকাইজরকখি।

য়োঙ্গৈবু অপানবী অহন ৱাহেংঙা

ৱাহেংবম নিংঙোনসি মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহনা পানবা মতমদা লংথবানগী যুবরাজকোন নত্রগা তম্পাকময়ুমগুম্না শেম-শারবা সেনাপতিগী লৈফমদা মপুরোইবগী থৌগল খুয়া তুশীৎনা তৌদুনা পাল্লম্মী। মচাঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ,

নিংথেম পীশক [সনাহল (খৃ: ১৮৩৪-৪৪] না পানবা মতম খৃ: ১৮৩৫ দগীদি মপুরোইবনা ৱাঙ্গোন নিংথৌ (যুবারাজ) ওইরবনিনা সেনাপতিগী লৈফমদু তম্পাকময়ুম ওইরে। মফমসিদা লৈদুনা মপুরোইবগী থৌগল মতীক চানবা তৌদুনা লৈঙাকলোন্দা মমিং তাহন্দনা পাল্লক্লম্মী। মহাক্কী পুন্সিগী পান্দমদি মপুরোইবগী পেন্নবা তৌবনি, অদুনা ঈবুংশীজ নরসিংহগী অৱা-নুংঙাইবগী পুন্সিগী থৌদোক খুদিংমক্তা মশাগী অৱা-অনা থিদনা অমসুং খন্দনা খৃ: ১৮১৩ দগী মপুরোইবগী থৌগল তৌরক্লবীনি। ৱাহেংবম চনুসিনা খ্বাইদগী হেন্না থৱাই ৱাজখিবা মপুরোইবগী লাইবক থীবগী থৌদোক্তি খৃ: ১৮৪৪ গী জানুৱারী ২৭ থাঙজা নুমিত্তা লংথবান/কাঞ্চিপুরগী তম্পাকয়ুম (যুবরাজকোন) গী শ্রীবৃন্দাবনচন্দ্রগী লাইশঙগী মান্দবতা ঈবুংশীজ নরসিংহ যুবরাজনা শ্রীভাগবত তাবগী লাই খুরুমলিঙৈদা মন্ত্রীময়ুমচা ঈবুংশী-নবীননা থাঙনা য়ানবদগী য়েৎ থংবা পাম্বোমদা শোকখিব [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২৬৪] গী থৌদোক্কুনি। অদুবু শ্রীবৃন্দাবনচন্দ্র অমসুং শ্রীগোবিন্দজীগী থৌজান্দগী য়াম্না কা হেন্না লাইবক থীবদি ওইখিদ্রে। থৌদোক্কুনা মপুরোইববু অৱাংবা থাক্তা চিংখৎখিবনা ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙাগী অফবা লাইবক ওইখি।

ঈবুংশীজ নরসিংহ, খৃ: ১৮৩৫ দগী যুবরাজ [ৱাংগোননিংথৌ (Crown prince)] ওইরকপদু খৃ: ১৮৪৪ গী ফেব্রুৱারী তাং ৮ শগোনশেন নুমিত্তগী মৈত্রবাক মপিরগী নিংথৌ ওইরে [মথক্কীসিদা, ২৬৫-৬৬]। মতমসিদা হাওবমচনু লীক্লাইরোকপীবু মহারাণী লৈমরেন, ৱাহেংবম চনু রসনি/ৱাহেংঙাবু অপানবী অহন, হৈক্রুজম নিংঙোন মালিকাবু অপান্বী য়াঈমা, অচোয়বমচনু খেমাশ্বরীবু অপানবী য়াঈমা, লংমাইথেম (নোংমাইথেম) চনু চন্দ্রাবলীবু অপানবী নহা, মাইবমচনু ধনবতীবু অপানবী নহা, ৱাহেংবম চনু নিরেশ্বরী, লাইশোমচনু ধীপাশ্বরী অনিবু লৈমাখুবী অহন, থোকচোমচনু তুতেশ্বরী, খোয়বমচনু কুঞ্জমালা অমসুং চীঙঙাখমচনু ললিতপ্রিয়া অহুমবু লৈমাখুবী য়াঈমা অমদি ওয়নামচনু দয়াশ্বরী, লাইশ্রমচনু প্রেমলতা, লংমাইথেমচনু হরিপ্রিয়া অমসুং হাওবমচনু জেংসমালী মরিমকপু লৈমখুবী নহা হাপখিরম্মী। অসুম্না ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙানা লৈমরেনগী ঙমথং ওইবী মৈতৈ লৈমগী ফমথোন অপানবী অহন হায়বসি খৃ: ১৮৪৪ দগী ওইখি। মতৌ অসুম্না মপুরোইবা নরসিংহ মহারাজ পানবা মতমসিদা লৈঙাকলোনগী ফমথোনসি পায়দুনা মপুরোইবগী থৌগল তৌজখি।

ৱাহেংঙাগী য়ুম্বানবগী পুন্সি

মপুরোইবা মৈদিংঙু লৈরেন নোংলেন সেন্ত্রেং মনিক খোম্ব (নরসিংহগী ফম্বলমিংনি) গী হকচাং তংখায় ওইবী ৱাহেংবমচনু ৱাহেংঙাসি মপুরোইবনা মপাল ফরক্লবা নিংথৌ ওইরক্লবা মতমসিদা নোংমতা মপুরোইবদা লৈমরেন মহারাণী ওইগে হায়জখিদে। মহাকসি ঈবুংশীজ নরসিংহগী পুন্সি খোঙথাং খুদিংমক্তা ঙাকলৌ অমসুং চৈঙাক ওইদুনা লাকখিবীনিনা মহাক্না ওইগে হায়না তকশিনবদা ওইরোয়দবগী ৱা লৈতে। অদুবু মশাগী অশোয়বা খঙজবনা মাগী অপাম্বনা মপুরোইবগী কোক শাহনবা মহাক্না পামজদে। ৱাহেংবম চনুসিগী য়ুম্বানবগী পুন্সিসি কছাড়গী খোইরেন পাৎকী মপানগী মৈতৈ খুন্দা খৃ: ১৮১৩ দগী ১৮২৪ ফাওবা লৈরকপা চহি ১১/১২ গী মতমসিদা য়াম্না খোয়রোইনা নে-না তাবা পুন্সিনি। মতমসিদা ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙানা মৈদিংঙু নরসিংহ মচাঈবুংঙো অনি, মিং ওইনা পল্লবদা, সনা প্রতাপ সিংহ অমসুং সনা ভগিন্দ্রসিংগী মমা ওইবা ফংখিরম্মী। মচা ঈবুংঙো সনা ভগিন্দ্রসিং অসি ভুবনসিং য়ুবরাজ হায়নসু কৌই। মঙোন্দগী মৈতৈ লৈপাক্কী মতমদুগী তুংলমচৎকী নিংথৌ মহারাজ চুরাচান্দ সিংহ থোক্লক-পোক্লক্কদৌরিবনি। মদুগী চাদা-নাউদাগী পরীং-পরেংদি :-



অসিনি। অসুম্না ৱাহেংবমচনু ৱাহেংঙা নত্রগা রসনি মৈতৈ নিংথৌগী লৈমা অপানবী অহন ওইদুনা মৈতৈলৈমা অমগী ফংফম থোকপা হক অমসুং মনা-মথুম পুম্নমক ফংদুনা অমসুং মপুরোইবগী শেগা থুপচদুনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী অথোইবী য়োঙ্গবু (ফমথোন কাবী/ফংবী নিংথৌগী লৈমা) ওইনা লৈরক-পাল্লকখি।

ৱাহেংঙাগী পুন্সি খমখিবা

ৱাহেংবমচনু অপানবী অহন ৱাহেংঙা, মপুরোইবা মৈদিংঙু লৈরেন নোংলেন সেন্ত্রেং মনিক খোম্বা নরসিংহ মহারাজনা খৃ: ১৮৪৪ গী এপ্রিল-মে থাদা মৈতৈ কোনুংলেন কংলাবু নৌহৌননা শেমগৎ-শাগৎলগা লংথবান কাঞ্চিপুরদগী কংলাদা চহিসিগী মে থাগী তাং ৬, নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোনুং হোংগৎলকপসিদা য়াওরক্তুনা কংলাদা মচাঙ্গবুংঙো অনি পুরক্তুনা লৈররে। মতমসিদগী মৈদিংঙুসিনা কংলা লানবন (Kangla Fort) সি মওং তানা শেমগৎপা হৌরকখিবনি, খৃ: ১৮১৮ দা মারজিৎ মহারাজনা অৱা নিংথৌগী কোনুংগী মওং- মতৌ তম্নবা কংলাদা শঙ্গায় য়ুমজাও শানবা য়ুম্ফম লম অহুম (ফুট ৬ X ৩ = ১৮ নত্রগা গজ ৬] ৱাংনা থোন্দুনা শঙ্গায় কা ৭ কী শারম্বা [চৈথা: কুম: ২০০৫, ২১৫] অদুগী য়ুম্ফমদু খৃ: ১৮৪৪ সি তেমথরগা [মথক্কীসিদা, ২৬৬] মৈতৈগী নিংথেমকোন লানবন (Citadel) শেমগৎ-শাগৎপা হৌরকখি। ৱাহেংঙা অপানবী অহননা কংলা কোনুং মনুংদা লৈমা-নিংথৌকোনগী লৈমকোন মনুংদা মচাঙ্গবুংঙো অনিবু নাউকোন্দুনা মপুরোইবনা শেমগৎলিবা থৌরাংশিং অমসুং পুথোরক্লিবা-তৌথোরক্লিবা থৌশীনশিংদা শরুক য়াদুনা পাল্লকখি। তাঞ্জাসিদা মচাঙ্গবুংঙো ভুবনসিংহদি ৱাংখৈরাকপা ফম ওইরি [মথক্কীসিদা, ২৬৬]। অদুগা মনাউ ঈবুংঙো দেবেন্দ্র সিংহনা খৃ: ১৮৩৫ দগী সেনাপতি ওইরম্বদুদগী খৃ: ১৮৪৪ সিদগী য়ুবরাজ ওইরি। ৱাংখৈরাকপগী ফম অসি য়ুবরাজ অমসুং সেনাপতিগী ঙমথংদা লৈবা অৱাংবা থাক্কী ফমথোন্নি। অসুম্না ৱাহেংঙা অপানবী অহন অমসুং মচা ঈবুংঙো ভুবন সিং (ভোগিন্দ্রসিং) না নুংঙাই-য়াইফনা খৃ: ১৮৪৪ দগীদি কংলা কোনুং মনুংদা পাল্লকখিরম্মী।

অৱাবা অমসুং নুংঙাইৱা অনিনা শাবা মীওইৱগী পুন্সিসিদা অনি অসি ওন্না ওন্না চৎকনি। অদুগা মহারাজ নরসিংহনা পাল্লকপা চহি ৬ (তরুক) শুরবসিদা পোইরে মৈত্রবাক্তা লাইবক থীবা নোংদম লাক্তুনা শক ১৭৭১ অমসুং ১৭৭২গী লোন্নবা খৃ: ১৮৫০ গী মার্চ-এপ্রিলদা পুকচৎপ (Cholera) গী লাইচৎ (Epidemic) লাক্লম্মী অমসুং শন্দোক্লম্মী। লাইচৎ লাইনাসি খৃ: ১৮৫০ গী মার্চ তাং ১৯ লৈপাকপোকপা নুমিত্তগী থোক্লকখিবনি অমসুং লাইনাসিনা মী কয়াবু পুন্সি মাঙহনখি [মথক্কীসিদা, ২৯৯]। অদুগা এপ্রিল থাগী তাং ১ দা বাজী কুঞ্জদাস অমসুং তাং ২ দা নরসিংহ মহারাজগী মতমগী মমিং লৈরবা অখঙ-অহৈ (পণ্ডিত = স্কোলার) পাউনমচা পণ্ডিত, লাইনাসিনা অশি’ - লৈপাক্তা পুদুনা চৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২৯৯]। লাইনাসি হৌজিক খঙহৌদনা কংলা কোনুং মনুংদা লানল্লিক্লে অমসুং মৈত্রবাক্কী খ্বাই পুন্নমক্কী মকোক ওইরিবা মৈদিংঙু নরসিংহদা পাল্লরে, অদুনা মহারাজ খৃ: ১৮৫০ সিগী এপ্রিল তাং ৪ লৈপাকপোকপা নুমিত্তগী হকচাং ঈবা (নাবা) হৌরে [মথক্কীসিদা, ২৯৯]। কোনুংগী মীওই পুন্নমক, মাইবা-মাইবী পুম্বা চেন্নরে, লাইয়েং-লাইকন থবক লৌখত্তুনা কন্না হোৎনরম্মী। মৈদিংঙু নরসিংহনা সনা হকচাং ঈবসিদা হকথেংননা সনা থৌগন চঙলিবা অমসুং ফমশেন্ননা থৌগল্লিবদি ৱাহেংবমচনু ৱাহেংঙা অপানবী অহনসিনি। মহাক্না মপুরোইবগী থৌগন্দা চাবা-থকপা চঙদা, তুম্বা-হীপ্পা থিদনা থৱাই ৱানা হোৎনজদুনা ফমশেন্নরম্মী।

মৈদিংঙু নরসিংহনা এপ্রিল তাং ৪ দগী সনা হকচাং ঈরকপসিগী অনাবগী থৌগন চঙলকপসিদগী হায়রিবা এপ্রিল থাসিগী তাং ৬ থাঙজা নুমিত্তগীদি লাইচৎ লাইনাসিগী লান্দাখোন ৱাহেংঙাগী হকচাংদসু তাখি। অদুবু মপুরোইবা নীঙবী লৈমসিনা মপুরোইবগী থৌগন্দা পুক্লীঙ লুপখিবনা মশাগী মহকচাংগী অনাবদুগী করিসু খল্লুদনা, করিসু চেকশিল্লুদনা মপুরোইবগী অনা-লাইকন্নবগী থৌগন তৌদুনা লৈরি। অমরোমদা মৈদিংঙু নরসিংহনা হকচাং ঈরকপসিদা ফরকখিগনি, হায়বগী ৱাখলগী থাজবা লৈত্রদুনা নিংথৌ ফম্বাল মুন্নবগী মৈফম লীংখৎনরকপদগী মৈদিংঙুগী মচাঈবুংঙো ভুবনসিং ৱাংখৈরাকপা, অনাবা মপা ঈবুংঙোবু হুন্দোক্লমদুনা থাসিগী তাং ৭ নোংমাইজীঙ নুমিত্তা কংলা কোনুং থাদোক্তুনা ময়াং লৈপাক (কছাড়, প্রআরি কছাড়ী নত্রগা ডিমাসশিংগী লৈপাক) তা চেনখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২৯৯]।

খোঙহাম্বগী লাইনা, পুকচৎপী চৈথেং ফংলবী ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙা, মশাদা লাইনাগী চৈনা ফংলবা ফাওবদা মপুরোইবগী ৱাখন্না লুমখিবনা করিসু তৌদবগুম নোংমা নিনীদি মপুরোইবগী ফমশেন্নবা য়াওরম্মী। অদুবু নুমিৎ নিনীগী মতুং এপ্রিল তাং ৮ দগীদি মহাকসু তোপতুনা নারে, ফমুংদা হীপ্লে, মনাই নিংথেম নুবীশিংনা থৌগল চঙদুনা ফমশেন্নরে।

মৈদিংঙু নরসিংহগী সনা হকচাং ঈবা অমসুং ৱাহেংবমচনু ৱাহেংঙাগী অনাবা অসি হন্দোক্লকপগী মহুত্তা হেন্না হেন্না কনশিল্লকপনা অনিমক ফমুংদা তাদুনা লৈরে, লাইয়েংলি, লাইয়েংবা হোৎনরি, হায়বা খক্তা মঙাইরে। মীওইবগী থৱাইবু পুগে লাক্লবা, হকচাংবু মনহন্দুনা অশিবগী ঈপাক্তা লংথ-হুন্থগে লাক্ল-চঙলক্লবা মতমদুগী লাইচৎকী লাইনানিনা করম্বা অহেবা মাইবা (Physician) নত্রগা অমাইবা (Cultic priest) না লাইনা-লাইচত্তুগী মায়য়োক্তা মায়রোঙ য়াবা ঙম্লগনি। মরম অসিনা মৈদিংঙু লৈরেন নোংলেন সেন্দ্রেং মনিকখোম্বা খৃ: ১৮৫০ সিগী এপ্রিল থাসিগী তাং ১০ (তরা) য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নোংঙাল্লমদায়, নোং ঙানগদবা পুঙ ৩ (অহুম) [মৈতৈগী মতমদুগী পুঙ ১ (অম) গা হৌজিক্কী মি: ২২ সে: ৩৮ মুক্তা মান্নে] দা মশাগী চহি ৫৮ (য়াংখৈনিপান) দা নোঙ্গাখি [মথক্কীসিদা, ২৯৯ অমসুং E.W.D., 1981. 44]। মৈদিংঙু লৈতবগী, নিংথৌ শিন্দোক শিঞ্জিনগী অমসুং মৈদিংঙুগী অশি’- পোলোয় হিথাবগী ময়াম পুন্নমক পঙলাং লাংনরি, কোনুং মনুংগী মী পুন্নমক কোয়চেন চেন্নরি। অদুগা মতম পুন্নমক্তা মপুরোইবগী নুংঙাইনবগী ৱাখন্দা তৌদুনা লৈজবী অমসুং মফম পুন্নমক্তা সনখ্যাসিগী মতুং ইঞ্জরক্লবী ৱাহেংবমচনু ৱাহেংঙানা মপুরোইবা নোঙ্গাখিবগী পাউসি তারগা মিৎলুগী পিরাং শিন্থ-শিন্থনা অনাবগী মৈচাক খাঙলি। অদুবু কায়না মৈচাক অমসুং অনাবগী মৈশা অনিমকসি পুন্না খাঙলকপদুদা মল্লবা চোকথরবা হকচাং অদুনা ৱাহেংঙাগী থৱাইবু পুদুনা লৈবা ঙম্লক্ত্রে। চরাংনরিঙৈ মরক্তুদা মপুরোইবা মৈদিংঙুনা নোঙ্গাখিবা মতুং পুঙ অমা (হৌজিক্কী মি: ২২ সে: ৩৮) গী মতমদা ৱাহেংঙাগী থৱাইনা তাইবংপাল থাদোক্লমদুনা মপুরোইবগী নোঙ্গারিবা থৱাইগী তুং ইঞ্জখি [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২৯৯]।

ৱাখোম ৱারোয়

মথক্তা থমজখ্রিবা ৱাহেংবম চনু ৱাহেংঙা, অপানবী অহনগী পুন্সি ৱারী অসিনা হৌজিক্কী মিৎয়েংদা তারক্লিবদি - ৱাহেংবম চনু/নিংঙোন ৱাহেংঙা নত্রগা

রসনিগুম্বী মৈতৈ চনুসি মৈত্রবাক্কী ফম্বাকসিদা থোক্লকই। থৌনা ফরবী থাঙহাইবী, তা খৌশাবী, শগোল তোংদুনা য়েক্লবগা লম্বা তৌখিবী অমসুং মরৈপাক্কীদমক্তা থৱাই কখোকপা ঙম্বী মৈতৈ চনুশিংদি মৈত্রবাক লৈমায়দা মশীঙ য়াম্না পোক্লম্বা অমসুং লৈরমখিবা য়াই। তমজনীঙঙাই ওইরবা ৱাহেংবম নিংঙোনসিগী ময়মচৎ, মথৌনা, মরৌশিঙ, মপুরোইবা নীঙবা অমসুং মশাগী ওইজবা কখোক-থাদোকপগী নুপী শক্তম অমগুম ১৯ শুবা খৃষ্টগী কুমশীঙ চামগী অহানবা তংখায়দা মৈত্রবাক্কী লৈমায়দা লূ-তোঙগী হকচাং পুদুনা লেপ্লম্বীসিগুম্বী খরনা ঙসিগী মৈত্রবাক্কী মাঙথরক্লবা ৱাখলগী মচৎ অমসুং নীঙখায়রবা মৈতৈ মনাৎকী পন অসিবু কনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরখিগনি। পুম্নমকপু য়াইফবা পীনবীরসনু।

তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা

ৱাহৌ-শৈহৌ

(i) ... থাঙ্গা খুঞ্জাওগী কুমদি শক ১৭২৩... লমতা থা ২২ নি ঈরাই (খৃ: ১৮০২ গী মার্চ ২৬) দা ময়াং বড় মন্ত্রী, বড়সায়েৎ, হীদাকফু ফানবা হিদং ৩ মনচিংনা মী ২৭৫ লোইননা শীজ ময়াং লৈমগী ঙা পুবা থুংলৈএ॥ ... ॥ ২৫ নি নিংথৌকাব (তাং ২৯।৩।১৮০২ ইং) দা শীজগী ঙা পুএ॥... শজিবু থা... লাইশ্রম অচৌসিংহগী কুমদি শক ১৭২৪ ... ১৭ নি লৈপাকপোকপ (তাং ২০।৪।১৮০২ ইং) দা শীজ ময়াং লৈমা চঙখিএ... [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ১৮১]।।

(ii) ... য়ুমনাপা ক্ষেমা সিংহগী কুম শক ১৭৭০... ফাইরেন থা... ২২ নি য়ুমশকৈশ (খৃ: ১৮৪৯ গী ফেব্রুৱারী ১৪) দা মৈদিংঙু তমলেন খোমপ (মধুচন্দ্র মহারাজ) গী মচা শীজ ময়াং লৈমা মমা মচা থোকলকএ॥ ... লমতা থা... ১১ নি নিংথৌকাব (তাং ৫।৩।১৮৪৯ ইং) দা ময়াং নিংথৌ মচা নগুণ থাংএ॥ ১৩

নি যুমশকৈশদা মহারাজদাময়াং নিংথৌমচা লাইমিং লৌএ।। নিংথেমনা স্নাবুংঙাংকোই, সনা খুজী, খামেন চপ্পা, লমথাং খুৎহৎ ফিরোই মশীঙ শুনা পীনৈএ।। ... শজিবু থা... ১১ নি লৈপাকপোকপ (তাং ৩।৪।১৮৪৯ ইং) দা শীজ ময়াং লৈমা মমা মচা চঙখি ... [মথক্কীসিদা, ২৯০-৯১]।।

মথক্তা থমজরিবা চৈথারোল কুম্বানা পুয়া লাইরিক্তগী লৌথোক-শত্তোকচরকপা ৱারেং-মতেক অনিসিদা পল্লিবা "শীজ ময়াং লৈমা (মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী নিংঙোন ওইবী ময়াং/কছাড়ীশিংগী লৈমা/লৈমাবী ওইবী" হায়রিবী অসি তম্ফা ৱাংঙমলোন, মৈদিংঙু মধুচন্দ্রচনু ইন্দুপ্রভাবুনি। হায়রিবী ৱাংঙমলোনসি ময়াং কছাড়ী নিংথৌদা ওঙখিবীনি অমসুং মপাবুংঈবুংঙো তমলেনখোম্বা মধুচন্দ্র নিংথৌরেন্না লৈঙাক্লোনগী চারৌ-মৌরৌনদুনা খুনকন-পাঙ্গনবা হেনগৎহন্নবগী মিৎয়েং অমসুং পান্দমদা য়ুমলোন-কৈরোন্নবা/য়ুমথং-কৈথংনবা লৈপাক ডিমাসা/কছাড়ী (ময়াং) লৈপাক্তা অওঙ- অউন তমদুনা থাজ-য়োঞ্জখিবনি।

শক্তাক-ৱারোল

তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা মৈদিংঙু তমলেনখোম্বা নত্রগা নিংথেম য়ায়মা' নিংথৌরেন নত্রগা পোইরৈ মৈতৈ/ৱাংঙম নিংথৌ মধুচন্দ্র (খৃ: ১৮০০-০৩) গী অহুমশুবী তাল্লোই লৈমরেন/মৈতৈলৈমা কোনশমচনুনা পোকপী মৈদিংঙু চনু য়োঈরেনবীনি। তম্ফা ৱাংঙমলোনসিগী ঈরেমখাক্লা পলেম মমা শীজসিনা মৈদিংঙু তমলেনখোম্বগী মচাঈবুংঙো অনি, মিং হায়জ পঞ্জরবদা, ঈবুংশীজ মদনশাই অমসুং ঈবুংশীজ/মৈদিংঙু য়ুমজাও তাবা (খৃঁ ১৮২০) নত্রগা পীতম্বরসিং, ৱাংঙমলোনসিগী পোকমিন্নবা মপ্পা ঈবুংঙোশিং ওইনা পোকপীখিরম্মী। তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাসি চেংলৌ শকহেনবী, শুমহৎ-য়াই পুবী/চেনবী ওইবগুম পায়মা লিননা ঙানবী, হিরম-ৱারম পুন্নমক্তা হৈথোই- শিঙথোইবী ওইরকখি। তশেংনমক মহাক্কী চেংলৌ শক অমসুং পায়মা লৌশিঙনা মী কয়ামরুম ফাবা অমসুং মাগী মতুং ইনহনবা ঙমখিবীনি।

ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাগী পুন্সি- ৱারী

তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা মৈত্রবাক মেক্লেদা শাৎলকখিরী মৈতৈ চনুরা অমা ওইজরবসু ডিমাসা কছাড়ী নিংথৌদা ওঙখিবনা কছাড় লৈপাক্কী পাৱারী-পুৱারীদা

মমিং চৎনা মহাক্কী মফম অমা কল্লিবীনি। মহাকসি কছাড় লৈপাকসিবু বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনী (BRITISH EAST INDIA COMPANY) না মখোয়গী লৈপাক/লম মনুংদা তীনশিন-লৌশিনবগী খৃ: ১৮৩৪ দা য়ান-চে সাইন তৌনবদা মহাক্কা কছাড় লৈপাক্কী লৈঙাকপী অমসুং কছাড়ী ডিমাসাশিংগী মবেম্মা লুচিংবী ওইনা বৃটিশ ওফিসারগা সাইন (Sign) তৌনরিবীনি। কছাড়গী লৈঙাক্লোনগী খৃষ্টগী ১৯ শুবা কুমশীঙ চামগী অহানবা তংখায়দা তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাসি য়াম্না মরু ওইবা শক্তম অমসুং মীশক অমা ওইখ্রিবনি।

পোক্লক-শাৎলকপা ১সুং চাওরকপা

তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা মপাবুং ঈবুংঙো মধুচন্দ্রনা চহি খর অৱাদা লৈরুরগা খৃ: ১৭৮৭ তা মৈত্রবাক্তা হল্লক্লগা [মথক্কীসিদা, ১৫০] খৃ: ১৭৮৮ দা লংথবান/কাঞ্চিপুর কোনুংগী লমখৈ-ঙমখৈ মনুংদা লৈবা মপাবুং ঈবুংঙোগী শঙ্গায়দা পোকখিবীনি। মহাক্কী কুচু কুমেনসি লফু লায়োনগুম ঙৌনা-তঙাং-তঙাংবা কুচুনি। পীশক পীক্লিঙৈদগী মিৎনা নোকপী মায়থোং লোইনরকই অমসুং চীনবান লুন্বী ওইরক্তে। মতম পুন্বদা কপকন্দবী অঙাং ওইরক্লবসু পীসুম শুক্লপ তৌগনবী ওইরমগদবা মাল্লি। অদুম ওইনমক ঈশৈ শকপা অমসুং জগোয় শাবা য়াম্না পামজবী ওইনা তৌরকখি। অদুগা মতোমতসু ঈশৈ শক্কুনা, জগোয় শাদুনা শান্নরমগদবা মাল্লি। মহাক অঙাং ওইনা মপা-মমাদা নাউথী শাজবা, মমা মন্দোনশিংদা নপচ-পকচবা হৈনজবী নুপী মচা অমা ওইরক্লমগনি হায়না থাজজে।

পুঙকক চাওরক্লবা মশাগী চহি ১০/১১ রোম শুরক্লবদা মপী [য়োকচবী (Nursing mother)] না নাউকোল্লকপী ওইবনা কেথোকপা কয়া হৈজদনা মশানা থবক শৎ-শৎ তৌরম্মী। মতমসি য়ৌরক্লবদা অপোকপী মমা কোনশম চনুনা ফিশা-লোনশা, ফিরোন-ফিরীবনচিংবা তন্বীবা হোৎনরম্মী অদুবু থৱাই কয়া য়াওবা উদে। হৌজিক খ্বাই খুনফম কোম্মৌজম য়ুম্ফমদা লৈরবদা কোনুংগী লৈমকোনগী নুপীশিং, মরু ওইনা ময়োন মবেনশিংনা জগোয় রাসশিংগী জগোয়-ঈশৈদা থৱাই য়াওনদুনা লৈবনিনা অঙাংশিংসু হিরম অদোমদা পুক্নীঙ থম্নরম্মী। মনে/মনেম ঈবেম্মশিংগী মনাক্তা চঙলুরবসু জগোয়-ঈশৈগী মায়কৈসিদা লৈনরম্বনিনা অঙাং ওইরিবী মখোয়সু শীল্লম-শীন্থা অতৈদা থোইনা হন্না য়েংনরমদে। অদুবু ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাসিদি মিত্তনা য়েংবদা

হৈগন-খঙগনবগী মতীক-ময়াই লোইনরকপনা শীল্লম-শীন্থা অয়াম্বা হৈরবসু য়েংশিন্দনা পুম্নমক থাদোকখিদবগুম তৌরম্মী। অসুম্না তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা মৈতৈ কোনুংগী মখল-মখাগী মচৎ- মনাৎ, লমচৎ-শাজৎনচিংবা য়ান্ন-তীন্নরবা মাল্লংগী নোংশীৎ মরকসিদা চাওরকখি, লৈশাবী মপুঙ ফারকপা মশাগী চহি ১৪ (তরামরি) শুজিল্লকপী চহি মতাংদুদা চঙশিল্লকখি।

নুহোঙ-খোঙদোংবা ১সুং য়ুম্বান-পুন্সি

মৈদিংঙু মধুচন্দ্রনা মশাগী চহি ৩৬ তা শক ১৭২২ গী পোইনুগী ২৭ নি পানবা থাঙজা নুমিৎ (খৃ: ১৮০০ গী ডিসেম্বর ১৩) দা মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল কারবদা লৈপাক্কী অথু-অকায়গী ওইবা থবকশিং তৌবা য়াবা পুম্নমক পাংথোক্লম্লবা মতুংদা মতম খরগী মমাঙদগী মৈত্রবাক মেক্লে (Meckley) অমসুং ডিমাসা/কছাড়ী লৈপাক অনিসিগী লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন্নচিংবগী মরী ফত্তনা মপাবুং ঈবুংঙোগী হাক্তক্তগীলৈরিবদু তাইশিন্ননবগী পান্দম অমসুং থৌরাংদা লৈপাক অনিমক্লা হোৎনরিবা থৌশীন্দুদা মায় পাকহন্নবা অমসুং মশা-মশাগী তুংলমচৎকী ফিবমশিংদা তেংবাংননবগী, খোঙদা-চাকতাননবগীনচিংবগী খোঙফমশিং শেম্লনবা মৈতৈ নিংথৌগী মচাঈবেম্মা তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাবু ডিমাসা প্রআরী কছাড়ীগী পল্লিবা হিরম্বেশ্বর কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ন (খৃ: ১৭৮০-১৮১৩) গী মফমদা থাজগে হায়না মৈদিংঙু অমসুং মেক্লেগী লৈঙাক-থৌদা পুরিবা অঙম্বশিংনা ৱারেপ লৌখিরম্মী। ৱারেপ-ৱাফমসি খৃ: ১৮০১ গী ওক্তোবর থাগী অনিশুবা চয়োন্দগী ময়াং লাইৱার (Envoy of Dimasa/Kachhari King) মৈত্রবাক্তা লাক্তুনা মচাঈবেম্মা পীয়ু হায়না তক্লদুনা লৈররবা [মথক্কীসিদা, ১৮০-৮১] অসিদগীনি। অসুম্না তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাসি হায়ন-শীঙনবা অসিদা পীনরদুনা ময়াং কছাড়ী নিংথৌ হিরম্বরাজ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নগা লুহোংনবা মৈতৈগী চৎনবীগী নুহোঙ-খোঙদোংবগী ৱায়েন ৱাখুন্দা মিতম-ঙা নুপাময়ুমদগী পুরক্তুনা মিতম ঙাদু থাবনচিংবগী লাইথৌ থৌরম্লচিংবা মৈত্রবাক্তা পাংথোক্লগা ময়াং ডিমাসা/কছাড়ীশিংগী চৎনবী ৱায়েন-ৱাখুন্দা কছাড় লৈপাক্তা লুহোংনবা মৈত্রবাক থাদোক্তুনা পুখি অমসুং চৎখি [মথক্কীসিদা, ১৮১]। মসিগী ঈ-পাউদি মথক্তা উৎচখিবা লাইরিক্তগী লৌথোক-শত্তোক্লকপগী ৱারেং মতেক অহানবদা উৎচশ্রে। অদুগা ময়াং কছাড়ীশিংগী নুহোঙ-খোঙদোংবা/লুহোংবগী লাইথৌ-থৌরমসিদি

হৈরাং-য়ুরাংবা নত্রগা য়ুকৌ-য়ুরাংবা [যজ্ঞ (Sacrifice)] পাংথোক্লগা হোম (Oblation) পীদুনা/তৌদুনা চকমোম খাম্বী মৈ (অগ্নিদেব) গী মরৈ "বিবাহ" দা খুদম-চাংদম [সাক্ষী (Witness/Evidence)] থমদুনা লুহোংবনি, মসিগী ঈ-পাউদি :-

... থাঙ্গা তখেনগী কুম শক ১৬৬৬.... ঈঙেন থা থাঙজনা ২ নিনী পানএ ।। থা অহনেনোংদা ময়াং নিংথৌ মতু হুম তৌএ [মথক্কীসিদা, ১১০] ।।... অসিনি। মসি মৈদিংঙু ময়াম্বা/গরিবনিৱাজ (খৃ: ১৭০৯-৪৮) মচাঈবেম্মা ৱাংঙমলোন হরিপ্রিয়া, মাইবম চনু তরিন্মালা, লোইবী চরোই ঙম্বী নত্রগা হীদাকশুংবীনা পোকপীগা ডিমাসা নিংথৌ হিরম্বেশ্বর হরিশচন্দ্র নরায়ন, অনিশুবা নত্রগা সন্ধীকারীগা খৃ: ১৭৪৪ জুলাই থাদা লুহোংখিবগীনি।

তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাসি হিরম্বেশ্বর কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নগী তাল্লোই ওইনা মাগী মথক্তা লোন্নবী মচে ১২ (তরানিথোই) লৈ। হিরম্বেশ্বরসিগী (কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নগী) তাল্লোইশিংসি ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা থারগা মশীঙ ১৩ (তরাহুমদোই) শুই [উ: চ: গু:, ২০০৬, ৭৮]। ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাসি হিরম্বেরাজ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নসিগী মচাঈবুংঙো নত্রগা মচাঈবেম্মগী মমা ওইবা ফংখিদে। মহাক মপুরোইবসিগা চহি ১১ (তরামাথোই) পানখি। অদুবু মপুরোইবসিনা অহনগী মতম ওইবনা মহাক্না চৎচরিবা হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙসিদা লুপচদুনা ভারতবর্ষদা লৈরিবা হিন্দুগী লাইফমশিংদা লাই খুরুম্বা, লাইফম কোয়বা অমসুং লাইশিং চেংলৌ শকপাম্থোং য়েংজবা, খৃ: ১৮১২ অদুৱাইদগী কোনুং থাদোক্তুনা লৈঙাকলোনগী পোৎলুম মনাউ ঈবুংঙো গোবিন্দচন্দ্র নরায়ন, নিংথৌ মথংখনবা ৱাঙ্গোন নিংথৌ (Crown prince) দা শিন্নরম্লগা চৎখিরম্মী। অসুম্না চৎখিবসিদগী কছাড়ী কোনুংদা অমুক হল্লকখিদ্রে। অৱাং ভারতকী উত্তর প্রদেশকী লাইফম প্রয়াগ/কাশি নত্রগা বেনারসতা খৃ: ১৮১৩ দা নোঙ্গাখিদুনা তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা লুখ্রা ওইহৌখি।

অনিরকশুবা য়ুম্বানবা

তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভানা মপুরোইবা হিরম্বেশ্বর কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ননা খৃ: ১৮১৩ দা প্রয়াগ/কাশি নত্রগা বেনারসকী লাইফমদা নোঙ্গাখিদুনা লুখ্রা শীঙদা চনহৌবা মতমসিদা মশাগী চহি ২৫ (কুনমঙা) খক্তা ঙাইরি। হায়রিবা চহি মতাংসিদি

নুপী ওইবীশিংগীদি খ্বাইদগী হেন্না ফজরকপা, হকচাং কায়াৎ ময়াই কল্লক-হেনগৎলকপা অমসুং নুপাশিংনা য়াম্না খোয়দা-খোয়জঙনরকপা মতম অমসুং চহি মতাংনি। ফজবগী লোইয়িন্দি মী পুম্নমক্কী অমদি মফম-মতম পুন্নগীনি, অদুনা মী খুদিংমক্না তাঞ্জা ঙাইদুনা ফজবগীদমক্তা লৈনৈ। অদুগা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাসিবু লুম্বা অমসুং চহি অহুমলোমগী মমাঙদগী মরী লৈনরক্পগুম অসুং লৈনরক্তবগুমসু তৌবা মীশক অমা লৈরম্মী। হৌজিক্তি লুখ্রা ওইহৌরবনিনা মনীঙ তম্বা য়ারে অমসুং মীশক্তুদা লৈবা নত্রগা মঙোন্দা ওঙবা য়ারে হায়না তম্ফা ৱাংঙমলোন মশানা ৱারেপ লৌজরে। হায়রিবা মীশকসি অতৈ কনাসু নত্তে, কছাড়ী লৈপাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কাগদৌরিবা হিরম্বেশ্বর কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নগী মনাউ ঈবুংঙো গোবিন্দচন্দ্র নরায়ননি।

গোবিন্দচন্দ্র নরায়ননা ময়াম্বুং নিংথৌ হেক লৈখিদবগী পাউ কছাড়ী কংলৈ খাসপুরগী কোনুংদা হেক য়ৌরকপা অমসুং তাবদগী তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাদা কছাড়ী নিংথৌ অমসুং লৈমগী ফম্বান্দা পুন্না কামিন্নসি হায়দুনা তকপা অমদি তক্লবা হৌরকখ্রবনি। মপুরোইবগী থৌরম লোয়দ্রবদি ৱাফমদু ফজদে, হায়দুনা পাউখুম পীরমদবনি। মতমগী খোঙচৎনা লেপ্তবনিনা লৈপাক পুবা অঙম্বশিং নিংথৌগী অশি' থৌরম লাইথৌ, ঈরাৎ-থেল্লাৎ পুম্নমক লোয়খ্রে, লৈঙাকলোনগী ফম্বাল কানবগী ৱা থা অদুমক্তদা পাংথোক্লবা খন্নরে। নিংথৌ ওইগদৌরিবা ৱাঙ্গোন নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রনা মী পুম্নমক য়াননবা শীনখ্রে। তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভানা কছাড়ী লৈমগী ফম্বাল কাবা, ডিমাসা লৈমা ওইবা মীপুম খুদিংমক য়ানরে। অসুম্না ইন্দুপ্রভাগী অনিরকশুবা য়ুম্বানবগী থৌরম পাংথোকখি অমসুং অমুক হন্না কছাড়ী নিংথৌ হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নরায়নগী লৈমা/তাল্লোই ওইখি।

লৈঙাক্লোনগী লৌফমদা খোঙ্দারকপা

তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা কছাড় লৈপাক্কী লৈঙাক্লোনগী অথেংবা মতমগী লৌফম (Field of late Political period) দা মশক নাইবী মৈতৈ চনুনি, হায়বসি মথক্তা খরমখৈ থমজখ্রে। মহাক্কী মতমসিদা কছাড় লৈপাক্কী কোনুংসি খাসপুর কংলৈদা ওইরি। ডিমাসা [ডি = ঈশিং, মা = মহা = অচৌবা, সা = মচা/মী, হায়বদি অচৌবা ঈপাক/ঈচেল (ব্রহ্মপুত্র তুরেন) গী মনাক্তা/মপান্দা খুন্দা-লৈতাবা মীশিং নত্রগা মী কাংলুপ] শিং অসি য়েলহৌঙৈদগী হৌনা

প্র-আরি কোরোসারি [(PRA-ARIs, KOROSARI), The term 'Pra aris' means the people who dwell on the sea coast or river valley, while the term 'Korosari' suggest elder ones or the original inhabitant of the river valley which obviously refers to the Brahmaputra valley. The term 'Korosari' must have eventually corrupted into 'Kosari' or 'Kachari' [A.C.H., 1997; 12&উ: চ: গু:, ২০০৬, VII] কৌজদুনা ব্রহ্মপুত্র তুরেন খোংবান্দা পাল্লিখৈদা খৃ: ১২২৮ গী মতমদগী অহোম (AHOM) শিংনা লান্দাদুনা তানখায়রকপদগী ডিমাপুরদা কোনুং ওইদুনা হিরম্বা লৈপাক লীংখত্তুনা পাল্লম্মী। মদুদসু অহোমশিংনা লান্দাশিল্লক্তুনা অমুক্কসু তকখায়রবদগী মাইবোঙ (মাই/মহা - অচৌবা/অহোঙবা নত্রগা মরাং কায়বা; বোঙ-ফৌ, হায়বদি ফৌ য়াম্না হোঙবা নত্রগা য়াম্না মরাং কায়বা) চীঙ-কংলৈদা কোনুং হোংদুনা পাল্লকখিরম্মী। অদুবু মাইবোঙদসু অহোমশিংগী লান্দা-লানচনগী ওৎ-নৈবা খাঙবা ঙমদদুনা হিরম্বেশ্বর কীর্ত্তিচন্দ্র নরায়নগী সনা মহাকথক্তা খৃ: ১৭৫০ দা খাসপুর কংলৈদা অমুক হন্না কোনুং লীংখত্তুনা পাল্লকখিবনি। মমাঙথৈগী মতমগী পাক চাওরবা অসামগী লমদম শীনবা থুংনা মঙান নাইনা পাল্লম্বা প্র-আরি ডিমাসা কছাড়ীশিংগী মনীঙ মখা তম্বা লৈপাক্কী নুমিৎ তারমদায়গী মতমগী লৈঙাক্লোন্দা মৈতৈচনু ৰাংঙমলোন ইন্দুপ্রভানা কছাড়ী নিংথৌ হিরম্বরাজ অনিগী সনা হাক্তক অনি তুনা লৈঙাকলোনগী খুর্জী পায়খিবীনি। হায়রিবা মতমদু লোয়খ্রগা কছাড় লৈপাক্কী লৈঙাকপী (খৃ: ১৮৩০-৩৪) ওইনা চহি ৪ মনীঙ-তম্না হাইনা হুম্না পানখিবীনি। তশেংনমক মৈতৈ চনু অমা ওইবদা ঈকাইখুম্ননীঙঙাই ওইরবা মতীক- মঙম কয়ানা লৈতেংলবীনি।

মপাবুংগীদমক মলোম পুহৌবা - তম্ফা ৰাংঙমলোন ইন্দুপ্রভানা কছাড়ী হিরম্বা নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নদা লুহোংলকপা চহি অমগা থা তরা খর হেল্লকপদা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইরিবা ৰাংঙমলোনসিগী মপাবুং ঈবুংঙো মধুচন্দ্রবু নিংথৌ ফম্বালদগী মতোন ঈবুংঙোশিং - ঈবুংশীজ চৌরজিৎ ৰাঙ্গোন নিংথৌ অমসুং ঈবুংশীজ মারজিৎ লাঞ্জিংলেন পুরেন - অনিনা লৌতুনদুনা চিংথরে, হায়দুনা মপাবুং ঈবুংঙোদু খৃ: ১৮০৩ গী ডিসেম্বর থাদা কছাড়গী কোনুং খাসপুর কংলৈদা মমাক ঈবুংঙো হিরম্বেশ্বর কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ন অমসুং মমোম তম্ফা ৰাংঙমলোনগী মনাক্তা থুংলখিরম্মী [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ১৮৩]। মপাবুং ঈবুংঙোনা মৈত্রবাক্কী মাঙখ্রবা

নিংথৌ খুবম হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা মতেং পীযু হায়দুনা কছাড়ীগী লৈঙাক ফম্বে-ফম্লুপ তীনবদা হায়জরবদা মশাগী চহি ১৫-১৬ তা ঙাইরিবী অমসুং নিংথৌগী লৈমা তরানিথোইগী মখাদা লৈবী অতোনবী লৈমা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাগী য়েংদুনা কছাড় লৈপাক্লা মৈদিংঙু মধুচন্দ্রগী তেংবাং পীবা য়ানরবদা কছাড়দা লান্মী শেমগৎপা হৌগৎখি। অমরোমদা হায়রিবা মৈত্রবাক মেখলী / মেক্লে লৈপাক্কী মগলাই / মগের মী-কাংলুপ্লা বঙ্গ / গৌর লৈপাক্তা য়ুম্ফম-ফম্বী ওইবা মলেস (তেলঙ্গা / ফিরিংজী নত্রগা বৃটিশ / ঈংলিশ) শিংগা ভারতকী নিংথৌ পানবা লৈপাক অতৈগা নকশিন্নবা তেংবাংননবগী মরী থম্লদ্রিঙৈ অমসুং মতেং ফংনদ্রিঙৈগী মতমদা কছাড় লৈপাক্তা ফংলবনিনা হিরম্বরাজ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ন্না কলকটাগী বৃটিশকী হেডকার্টর্সতা হায়জদুনা মৈতৈ নিংথৌগী তেংবাংদা মৈত্রবাক মেক্লেদা লান্দাগদবসিগী থৌরাংসিদা বৃটিশশিংনা লান্মীগী লানবাংনবগী তেংবাংগীদমক্তা মাঙজৌনবা ৱাফমসু ফংলম্মী। অসুম্না থৌশীল-থৌরাং পুন্নমক শেম-শাবা লোয়রগা খৃ: ১৮০৪ দা কছাদগী মৈত্রবাক্তা লান্দাখিরম্মী, মসিগী ঈ-পাউদি :-

১) ,... ঈরোম কোইবগী কুম শক ১৭২৬ ... কালেন থা ৫ নি নিংথৌকাব (খৃ: ১৮০৪ গী মেগী ১৪) দা মৈদিংঙু তমলেনখোম্বনা ময়াংদগী আজ্ঞা খোংনাংনচিংনা তেলংকা (বৃটিশ) গা লোইননা লান হৌরকএ, হায়বা পাউ তায় [মথক্কীসিদা, ১৮৪]।...

২) ... মণিপুররাজ মধুচন্দ্র, সর্জিৎ (চৌরজিৎ) সিংহ ও মার্জিৎ সিংহ এই দুই ভ্রাতার চক্রান্তে নিজ রাজ্য হইতে বিতাড়িত হইয়া কছাড়ে আগমন পুবর্বক কৃষ্ণচন্দ্রের সাহায্য প্রার্থনা করেন। কৃষ্ণচন্দ্র মণিপুর রাজপরিবারের এই বিরোধে হস্তক্ষেপ এবং তৎপর মধুচন্দ্রের কন্যা ইন্দুপ্রভাকে বিবাহ করায় মহা অনর্থের সুত্রপাত হইল্য [উ: চ: গু:, ২০০৬,১২]।।

অসিশিংসিনি। অসুম্না ডিমাসা কছাড়ীশিংনা লানবাংদুনা মধুচন্দ্র নিংথৌরেন্না লান্দারকপগী লানফম শামুপন (হৌজিক্কী বিসেনপুর পানা / ডিষ্ট্রিক্তগী নম্বোন / ওয়নাম কৈনৌ খুঙ্গংগী মনীঙ / নোংচুপ্তা লৈবা খুন / লম) দা ওইদুনা লান শোক্লখি অমসুং লানফমদুগী লান্দুদা মৈদিংঙু মধুচন্দ্র নোঙ্গাখি। মসিগী খুদম-চাংদম ওইবা ৱারোন্দি :-

... ঈরোম কোইবগী কুম শক ১৭২৬... কালেন থা... ৫ নি নিংথৌকাবদা মৈদিংঙু তমলেন খোম্বনা ... লান হৌরকএ॥ ১২ নি নিংথৌকাব (খৃ: ১৮০৪ গী মে থাগী ২১) দা শ্রীপঞ্চযুক্ত চৌরজিৎ সিংহ... মার্জিৎ যুবরাজগা শ্রীগোবিন্দজীগী মাঙোপ্তা যাত্রা তৌএ॥... মনাউ ঈবুংঙো যুবরাজদি পানা ৪ মগী লান্মী গা লোইননা ময়াং কৈনৌদা তেঙ্গোন শাঙমএ॥ ১৪ নি য়ুমশকৈশ (তাং ২৩।৪।১৮০৪ ইং) দা মৈদিংঙু তমলেনখোম্ববু শামুপন য়ৌরকলে হায়বা পাউ তাদুনা মহারাজসু ময়াং কৈনৌ তাননা তন্না শানথৈএ॥ ময়াং কৈনৌদগী মনাউ ঈবুংঙো যুবরাজগা লোইননা শামুপন খুল্লক্তা চৎখিদুনা শোক্লরুইএ। য়ুথক অমা শোক্লেএ। মৈদিংঙু তমলেনখোম্বদি লানফমদা শিএ॥ ঈবুংঙো মদনশাইসুং শিএ। ময়াংগী লাঞ্জিংবা আজ্ঞা খোংনাং, তেলংকাগী বলরাম সিংহ ২মনচিংনা লান অশিবা ১০০, অচঙবা ৬০০ শুপ্না ৭০০ ফাএ॥ শেনগী কামন ১, য়োৎকী কামন ১, রামজঙ্গী ৫০, খুদোং ১৪৮ কবাকথাঙ ১০০, চুঙ্গোয় ১০০, অসি লোকলৌএ [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ১৮৪-৮৫]॥

অসিনি। শামুপনগী লানফমসিদা মপাবুং ঈবুংঙো অমসুং মপ্পা ঈবুংঙো মদনশাই হাৎখিবা অসিনা তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাগী থম্মোইদা শাথীনা শোকহনখি। মসিনা মহাক্কী পুক্নীঙ-ৱাখন্দা থরুম-ৱারুম নত্রগা মলোম অমা পুদুনা মতম পুন্নমক্তা মৈফম লীংদুনা লৈখিরম্মী। অদুগা মপ্পা ঈবুংঙো ঈবুংশীজ য়ুমজাও তাবদি খৃ: ১৮০৪ গী লানসিগী মতুংদগীদি মচেম শীজগী মনাক্তা কছাড়গী কোনুং খাসপুর কংলৈদা লাক্কুনা লৈরবা য়াননবগী থোঙ লাওনা হাঙদুনা লৈখিরম্মী।

কছাড়গী লৈঙাক্লোনগী খোঙচত্তা

কছাড় লৈপাক্কী নিংথৌ হিরম্বেশ্বর কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ননা মৈত্রবাক্কী মায়য়োক্তা লেপ্তুনা মৈদিংঙু মধুচন্দ্র, মকু ঈবুংঙোগী মতেং পাংদুনা মৈত্রবাক্তা লান্দারকখ্রবসু মৈত্রবাক্কী নিংথৌ মৈদিংঙু চৌরজিৎ [নোংচুপ/ভালোক (ফালোক) ৱাইরং পামহৈবা নত্রগা নিংথেমতোন মহারাজ (খৃ: ১৮০৩-১৩)] না লৈপাক মনুংগী শেমগৎ-শাগৎপা, চাওখৎ' থৌরাং পায়খৎপা, অসিনচিংবা হোৎনরিঙৈদা কছাড় লৈপাক্কী মায়য়োক্তা করিগুম্বা থবক অমতা লৌখৎপা ঙমখিরমদে। মরমদি খৃ: ১৭৯৯-১৮০০ গী মমাঙদা বঙ্গদেশতগী মুসলমান (মুস্লিম/মহম্মদন) শিংনা

কছাড়দা তোয়না তোয়না লান্দারক্তুনা অমসুং তকশিল্লক্তুনা ওৎপা-নৈবা, হিন্দু লাইনীঙ চৎপা-ইনবশিংবু হাৎপা-তুপ্পনচিংবা হৌরকপদগী কছাড়ী মীচম-মীয়াম্বু কন্ননবা অমসুং ঙাক-শেন্ননবা কছাড় লৈপাক্কী নিংথৌ হিরম্বরাজ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ননা বৃটিশকী অৱাং-নোংপোক ভারতকী শ্রীহস্ত/সীলেটতা লৈবা কলেক্টর (Collector) গী মতেং লৌদুনা কছাড়গী হাইলাকন্দিগী মনুংদা লৈবা বদরপুরদা কছাড়ী লানবন (Kachharis' Fort/Fortress) শাদুনা থমখিবা অমসুং বৃটিশশিংনা কছাড়ীশিংবু হেক্তমক মতেং পাংলকপা য়াবগী মরী, থাজবা অমসুং ফিবম লৈনবা নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নসিনা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীদা চঙজখিবা [উ: চ: গু:, ২০০৬, ৭৬] গী মরমশিংসি মৈদিংঙু চৌরজিৎনা খঙলম্মী।

মৈদিংঙু চৌরজিৎ অমসুং ৱাঙ্গোন-নিংথৌ মারজিৎ মচীন-মনাউ অনিসিনা পুকচেল-খোয়জেন তীন্নমা অমসুং নুংশিননা পানমিন্নবগী মতম লোয়খিদুনা খৃ: ১৮০৬ তা মৈতৈ নিংথৌ ফম্বালগীদমক্তা ৱাঙ্গোন-নিংথৌ মারজিৎনা ময়াম্লুং চৌরজিৎ নিংথৌ মথক্তা লান হৌরকখি [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ১৯৬-৯৭]। মদুদা মায় পাক্তদুনা ৱাঙ্গোন নিংথৌ মারজিৎ অৱা/বর্মীজ (Myanma/ Myanmar) লৈপাক্তা চেন্দুনা চঙজফম লৌদুনা লৈখিরম্মী। মদুগী মতুংদা চহি অনিরোম হৌখ্রগা ঈবুংশীজ মারজিৎ অমুক হন্না লান হৌররোয়দবা অমসুং অকায়বা তৌররোয়দবা শাজিন্নদুনা খৃ: ১৮০৮ দা অৱাদগী মৈত্রবাক্তা অমুক হল্লক্তুনা ৱাঙ্গোন নিংথৌ অমুকসু হান্নগুম ওইদুনা পানমিন্নরখি। অদুবু খৃ: ১৮০৮ সিগী ডিসেম্বর ১১ ঈরাই নুমিত্তা উতোংচাক চাবা লনশোনবী চৎকে হায়জিন্নদুনা থোক্লক্লগা অৱাং হাওদগী মী খোমদুনা খুদৈবন্দা তেঙ্গোন লীংদুনা লান হৌরগা থা অমা লান শোক্লখি [মথক্কীসিদা, ২০৬]।

কছাড়দা মারজিৎনা লাঞ্জেল্লকপা

খৃষ্ট ১৮০৮ গী ডিসেম্বরগী ঈবুংশীজ মারজিৎকী অরোৎ-অফোঙগী লানহৌসিদা মায়থীরদুনা খৃ: ১৮০৯ গী জানুৱারী-ফেব্রুৱারী থাদা মারজিৎ কছাড়গী কোনুং খাসপুর কংলৈদা লাক্লগা ডিমাসা কোনুং মনুংদা চঙলক্তুনা মমাক হিরম্বা নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নদা মৈত্রবাক্তা লান্দানবগী লাম্মী, খুৎশূ-খুৎলাই, লাঞ্চাক, অসিনচিংবগী মতেং পীয়ু হায়না নীজ-হায়জরম্মী। মতমসিদা অপোকপা মপাবুং হাৎখিবগী লমন খুন্নীঙবনা মলোম পুরিবী, থরুম-ৱারুম শাগোন্নরিবী ৱাংঙমলোন

ইন্দুপ্রভানা মহীক্কী মলোম অসুং থরুমগী মচীঞ্জাক হুনবা অমদি পীজবগী মতম চারে নীঙখি, অদুনা মহাক্না মপুরোইবা কছাড়গী মবুংঙো কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নগী মফমদা খৃ: ১৮০৪ গী ৱাফমশিং নীঙশিংদুনা - মহাক্কী মপাবুং ঈবুংঙো তমলেন খোম্ববু মৈত্রবাক্কী শামুপন্দা হাৎখিবা মতমদা লুচিং-লাঞ্জিংবা ওইখিবা মীশক অনিগী মনুংদগী অমনি, মহাক্কী মখুরা-মতোন নত্তে, মপাবুং হাৎপা মীশক্নি, মখল অমতগী মতেং পীবীবা য়ারোয়, চাক চারা অমা ফাওবা পীজবীবা য়াদে, তুংদা ওইজবা করিসু ফংলোয়, থীন্দনমক কছাড় কোনুংদগী তাম্হোকপীখো - হায়না অথিংবা অমদি লমন খুম্বগী ৱাফমশিং থল্লকখিরম্মী। ৱাফমশিংসি অচুম্বা ঙাক্তনি হায়বসি মশামক্না খঙলবা কছাড়ী নিংথৌদুনা খোন্দা ফজনা থীনা হায়বদগী ঈবুংশীজ মারজিৎ ঈকাই নংবা নত্তনা করিসু ফংলমদে। মহাকসু মপুক্নীঙ মলোম অমা থমদুনা নিংথৌ ৱারুম, শামু ৱারুম পুদুনা কছাড়ী কোনুংদগী থোক্লকখি। মদুদগী মহাক কছাড় লৈপাক্তা লৈনীঙঙক্তদুনা অৱা লৈপাক্তা চৎনীঙলক্লে। মৈত্রবাক ফাওদুনা চৎপা পামদবনিনা খাসপুরদগী মখারোমদা হাইথরক্তুনা কছাড়গী ঙমখৈ লাম্হোক্তুনা লুশাইচীঙ তারগা মদুদগী পেগু য়োমা (চীঙ) দা চঙশিন্দুনা অরাকানগী চীঙলক-মাল্লক্কী লমদমশিং ফাওদুনা চীঙলক্কী খোঙলম্বীশিংদা চত্তুনা অৱাং লোমদা অমুক হাইগৎলক্তুনা তুরেন খোংবানগী লম্বীশিংদা অমসুং তুরেন মপানগী তম্পাক্কী লম্বীশিংদা কারক্তুনা অৱাশিংগী কোনুংগী কংলৈ অৱা য়ৌরকখি। হায়রিবা কংলৈদুদা অৱা/ম্রাম্মা/ম্যান্মা নিংথৌ, কোনবাউঙ নিংথৌ শাগৈ (Konbaung Dynasty) গী নিংথৌরেনগী মতেং ফংনবা তাঞ্জা লুমদুনা লৈরম্মী। মহাক্না ম্রাম্মা/বর্মাগী কোনুং কংলৈ অৱাদা লৈরিঙৈদা কোনবাউঙ নিংথৌ শাগৈসিগী নিংথৌমচানুপী (Princess) অমা লুহোংদুনা লৌরম্মী [N.N.A., 1983, 174]। অদুবু হায়রিবা ঈবুংশীজ মারজিৎকী ৱাফমশিং অসিনা কছাড় লৈপাক্কী লৈঙাক্লোন্দা করিসু শোকহনবা ঙম্লমদে।

হিরম্বা নিংথৌসিগী লাইনীঙ

কছাড়ী নিংথৌ হিরম্বেশ্বর কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ন হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোন্দা পুক্নীঙ-ৱাখল চেৎনা থাজজবা মীশক্নি। মহাক্কী সনা মহাকথক্তা ইশ্লাম লাইনীঙ চৎপা মুসলমানশিংগী মীওৎ-মীনৈ পাম্বা ফেরুঢুপি (Ferudhupi) কৌবা মুসলমান ফাকির (লমবোইবা) শাশিন্নবা অমগা অতোপ্পা মুসলমান কাফির-ফাকীর (লাইনীঙদবা লমবোইবা) অমগা অনিসিগা কছাড় লৈপাক্তা

অনিরক হন্না মতম কয়া মরুমদা কছাড়ী হিন্দুশিংবু ওৎ-নৈরম্মী। অমসুং ওৎ-নৈবসিগা লোইননা হিন্দু কছাড়ীশিং ময়াম অমা ইশ্লাম লাইনীঙ লৌহন্দুনা মুস্লিম ওনহল্লম্মী [উ: চ: গু:, ২০০৬, ৭৬]। অদুগা অতোপ্পা ফাকীর অসিগী মরমদা পীবীরল্লিবদি :-

.... দ্বিতীয়বাবু আরও একজন পীর "ভুবন পাহাড়" হইতে অবতরন করিয়া 'আলি! আলি!' এইরন শব্দে সমস্ত দেশকে চমকিত করিয়া তোলেন। অনেক মুসলমান তাঁহার সঙ্গে যোগদান করিয়া বিধি উপায়ে অত্যচার করে। হিন্দুগন পূবর্ববৎ এইবারেও জঙ্গল ও শ্রীহট্টে পলায়ন করিয়া স্বধর্ম্ম রক্ষা করে। ফাকীর হাইলাকান্দি হইয়া ত্রিপুরা চলিয়া যাওয়ায় পুনঃ দেশে শান্তি ফরিয়া আইসে [মথক্কীসিদা, ৭৭]।

অসিনি। হিরম্বগী মবুংঙো কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নসি অহানবদদি হিন্দু শক্তি/শাক্ত লাইনীঙ চৎলম্বা-ইল্লম্বনি, অদুবু মহাক্লা তম্ফা ৰাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা লুহোংদুনা খৃ: ১৮০২ দা লৌরবা মতুংদদি হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙগী মাধবী/ব্রহ্ম (মাধবচার্য্য) সম্প্রদায় (কাংলুপ) দা লাইমিং নৌনা লৌদুনা বৈষ্ণব লাইনীঙ চৎখিরম্মী।

হিরম্বরাজ কৃষ্ণচন্দ্রনা লাইফম চৎপা

হিরম্বা লৈপাক্কী নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নসি হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙদা পুক্নীঙ থিংজিন্না চৎপা মীওইনি হায়বসি মথক্তা পঞ্জখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা মহাক্লা বৃটিশকী মতেংদগী লাইনীঙদা লমচৎ নাইদবা, লাইনীঙ-তীন্নীঙগী লাইরিক্লা অমা হায়বা মখোয়না থোকপা, অনীঙ-অপাম্বা অমা তৌবা মুস্লিম/মুসলমানশিংগী ওৎপা-নৈবদগী মহাক্কী মরৈপাক-মরমদম কছাড়গী হিন্দু মীচম-মীয়াম্বু মহাক্লা ঙমজবা মওং-মতৌদা কন্দুনা অমসুং ঙাক-শেন্দুনা ডিমাসাশিংদা শাফরক্লবা অমদি লৈপাক মরা খর চেৎলক্লবা, লৈপাক লাংবা অমসুং ঈরাং লৈবা খর ফরক্লবা মতমদা হিন্দুশিংগী লৈপাক হিন্দুস্থান্দা (ভারত/ইন্দিয়াদা) লৈরিবা হিন্দু বৈষ্ণব লাইফমশিংদা কোয়না চৎকে হায়দুনা লুপা ৮০,০০০ (লুপা লীশীঙ মর্ফু/মরিফু) খক খোমজিল্লম্মী [মথক্কীসিদা, ৭৭]। মহাক্লা হায়রিবা শেনফমসি পুদুনা মনাই-মশল কয়াগা লোইনদুনা নবদ্বীপ, কাশী, প্রয়াগনচিংবা লাইফম কয়া কোয়না চত্তুনা লাইগী শক্তমশিং মমিৎমক্লা য়েংজরম্মী। মহাক্লা অসুম্না লাইফমশিং

কোয়রক-চৎলকপগী মতমসিদা উত্তর প্রদেশকী প্রয়াগতা মতীক চাওরবা, হৈ-শিঙলবা "রঘুনাথ ভাণ্ডারী" হায়না কৌবা ব্রাহ্মন পণ্ডিত অমা থেংনরম্মী। মহাক্কী মফমদা চঙজবদগী কছাড়ী নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ননা মহাক্কী পুক্নীঙনা নীঙজ-পামজবা লাইনীঙ লন্বীগী ৱাহন্দোক (Meaning) পুন্নমক খঙবা ঙমজখি। অসুম্না ব্রাহ্মন রঘুনাথ ভাণ্ডারীগা লোইনদুনা লৈমিন্নরিঙৈগী মতমসিদা মতমদুগী নোংপোক ভারতকী লমদমগী নিংথৌ পানবা লৈপাকশিংগী নিংথৌশিং পুন্নমক পুন্না উনবগী থৌরম অমা পাংথোকখিরম্মী। হায়রিবা থৌরমসিদা হিরন্বা লৈপাক্কী নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নসু হৈ-শিঙলবা ব্রাহ্মন রঘুনাথ ভাণ্ডারীগা লোইননা শরুক য়াদুনা য়াওরম্মী। অদুগা হায়রিবা অহৈ-অশিঙ রঘুনাথসিগী মপান্দগী কছাড়ী ডিমাসা নিংথৌসিসু মক্ত্রবা মিংচৎ ফংজখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৭৮-৭৯]। হায়রিবা রঘুনাথসিগী মনাক্তা লৈবদগী হিরম্বরাজ কৃষ্ণচন্দ্র নররায়নসি প্রয়াগসিদা নোঙ্গাখিরম্মী।

ৱাংঙম্লোন ইন্দুপ্রভাগী খোঙফম - কছাড়গী নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ননা কছাড় লৈপাক অমসুং নিংথৌ ফম্বাল থাদোক্তুনা খৃ: ১৮১২ গী অদুৱাইদা ভারতবর্ষদা হিন্দু বৈষ্ণবকী লাইফমশিং শীন-থুংনা কোয়দুনা লৈখিবসিনা মশাগী চহি ২৩/২৪ (কুনহুমদোই/কুনমরি) গী ফিবমদা লৈরিবী তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাগী পুন্সিগী ফিরেপ্তা অহোংবা-অওনবা লাকখিরম্মী। নহা ওইরিবী হকচাংগী অপান্বগী-খোঙফম অমা শেম্বগী তঙাইফদবা লৈবা অমসুং মশাগী মপুন্সিগী ফিবম ফিরেপকী য়েংদুনা মতম চানা খোঙথাং অমা থাংহৌবনা তুংদা শাফরক্কদৌবা নত্রগা শাফহৌগদবদু য়েংননবগী তাঞ্জাদু লাকখিরম্মী। অদুগা মতমসিগী কছাড় লৈপাক্কী লৈঙাক্লোনগী চুপ্নীসি কছাড়গী কোনুং লৈরিবা কংলে খাসপুরসিনা কোনবা লমদমশিংগী ওইনদি লৈপাক্তুগী-ৱাঙ্গোন নিংথৌ (Crown prince) ওইরিবা তম্ফা ৱাংঙম্লোন ইন্দুপ্রভাসিগী মনাউনুপা নিংথৌমচা গোবিন্দচন্দ্র নরায়নগী মখুত্তা লৈরম্মী। ময়াম্বুং নিংথৌনা কোনুং থাদোক্তুনা লাইফম কোয়বা চৎখিবনিনা কোনুং মনুং অমসুং ঈমুং মনুংবু য়েংশিনবগী, ঙাক- শেনবগী অমসুং চেকশিন- থৌরাং লৌখৎপগী থবকশিংসিসু মহাক্কী থৌদাং ওইবনিনা মহাক্না হকথেংননা পায়খৎলক্লম্মী। ময়াম্বুং কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নগী তাল্লোই লৈমা ১৩ (তরাহুমদোই) নি, মখোয়গী মনুংদা অমদি ময়াম্বুং নোঙ্গাখিবগী মতমদুদা নাকলু

ফিয়ানদুনা (নাউপুদুনা) লৈরম্মী। অদুবু নিংথৌরেন কৃষ্ণচন্দ্র নোঙ্গাবগী পাউ তাবগা নিংথৌমচা গোবিন্দচন্দ্রনা নিংথৌ ফম্বালগীদমক্তা অঙাংদু/মীরোনবদু মাঙহনবীখিগনি হায়বগী অকিবনা হায়রিবী তাল্লোই লৈমসি অৱাং থংবা কছাড়গী শরুক গোবিন্দচন্দ্রগী শাথীরবা য়েক্লবা তুলারাম, লাঞ্জিংলেন - পুরেন/সেনাপতিনা কোনবা লমদমদা চেনখিদুনা লোৎখিরম্মী। হায়রিবা লৈমসিনা মফমদুদা মচা ঈবুংঙো অমা কছাড়ী/ডিমাসা নিংথৌমচা ওইনা পোকখিরম্মী। হায়রিবা কছাড়ী নিংথৌমচাসি হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নরায়ননা হিংলিবা মতমগী মখৈদি মীরোৎ (Abscounder) ওইনা মপুঙ্গি লেল্লক্লগা খৃ: ১৮৩০ দা হিরম্বরাজ গোবিন্দচন্দ্র নরায়ন মীনা হাত্তুনা লৈখিদ্রবদা ফোঙনা থোক্লক্তুনা কছাড়গী নিংথৌ ফম্বাল ফংননবগীদমক্তা তৌফম থোকপা ক্লেম (Claim) দু তৌরকখি [মথক্কীসিদা, ৭৮]।

তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভানা মপুরোইবা হিরম্বরাজ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ন হিন্দুস্থান্দা লাইফম খুরুম্বা অমসুং কোয়বা চৎখিবদগী কোনুংগী অমসুং ঈমুং- মনুংগী অৱাৎ- অপা য়েংশিন্নবগী মিংদা কোনুং মনুংদা ঙাইহাক লৈতনা চঙলক্লি-লাক্লিবা মনাউ ঈবুংঙো ৱাঙ্গোন নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র নরায়নগা তত্তনা ৱারী-ৱাতাই শানরম্মী। করিগুম্বদা কা মনুংদা চীক্লা করিগুম্বদা ময়াম মমাঙদা ফোঙনা ৱারী শাবা চহি অমরোমগী মতমনি। ৱাঙ্গোন নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রসি তম্ফা ৱাংঙমলোনসিগী মপুরোইবগী মনাউনুপা ওইদুনা মহাক্কীসু মনাউনুপা থোক্লবসু/ওইরবসু মশা-মশাগী চহিদদি ইন্দুপ্রভাদগী গোবিন্দচন্দ্রনা চহি ৫/১০ (মঙা/তরা) গী মথক্তা হনবা মীওইনি। তত্তনা তোয়না উরকপনা অথীবা শক/শকফমসু ফজহল্লকই, তোয়না তত্তনা ৱারী-ৱাতাই শানরকপনা নুংশিনরমদবা, তাথীনরম্বা মীশিংসু নুংশিনরকই। তোয়না চামিন-থকমিন্নবা অমসুং তত্তনা লৈমিন-লেনমিন্নবনা কোয়নদবা অমসুং নকশিন্নবা হেল্লকই। অদুগা ঙাইহাক লৈতনা উনবনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী থম্মোইদা নুংশিবগী মরু হুল্লকই, মউ লীংলকই অমসুং পাম্নবগী মপান শাৎলকই, নীঙনবা শরেপ ফারকই, চিংশিনবা হেল্লকই। অমরোদা মপা: হাঙনা পা:হাঙ নুংচেং ওইরবী, মপাং কায়নবগী মৈশা লাংলবী তম্ফা ৱাংঙমলোন্দু মনাউনুপাসিদা খনহৈদা ৱাখল খল্লক্লে, ফজবা লৈরাং উরগা ঙাওজবা ৱাঙ্গোন নিংথৌদুসু মৈতৈলৈমা শকহেনবীদা য়েংহৈদবা মিৎয়েংনা

য়েংলক্লে। ঈরুজনীঙবগা থোংগ্রা তেকপগা মান্নবনি, ঙানুগা খোংবানগা হায়নরিবদুনি, লৈরাংগা খোইমুগনি, করিবু খন্ননীঙঙাই লৈরিবগে? অফংবা তাঞ্জাদা শানৌ লৈরাংনা লাম্থোকচৈ, শাবী মাঙ্গনা মরন তিংথোকচৈ, হৈরাং লোঞ্জা চামিন্নে, লৈরাং লোঞ্জীন চীনমিন্নে। মরমসিগী মতাংদা থম্বীরম্বদি :-

কৃষ্ণচন্দের তীর্থ পর্য্যটনকালে যুবরাজ গোবিন্দচন্দ্র নরায়নের সহিত ইন্দুপ্রভার অবৈবপ্রণয় জন্মে। কৃষ্ণচন্দ্র তীর্থ হইতে অসিয়ারাণীকে সম্পূর্ণরূপে গ্রহন করেন নাই [মথক্কীসিদা, ৯২]।

অসিনি। অসুম্না অহল ওইরবা হিরম্বরাজ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়না লাইফম মফমশিংগী ঈখৌ লাংবগুম নহা ওইবী পুন্সিগী অপাম' ঈখৌ লাংলবী তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভানা তুংলমচৎকী তোবর্বান্দা লেপ্তুনা থম্মোই থম্বালগী লৈকা শেগায়রগা মতমগী ঈপাক্তা হুন্থখিবনি।

কছাড়গী লৈমরেন ইন্দুপ্রভা

খৃ: ১৮১৩ দা কছাড়গী নিংথৌ হিরম্বেশ্বর কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ননা লাইফম মফমশিংদা লেঙখিবদগী প্রয়াগতা নোংমদোন কৈরাক থাখিরম্মী। হায়রিবা হিরম্বরাজ নোঙ্গাখিবগী পাউ অসি কছাড় কোনুং য়ৌরক্লবদা নিংথৌ ফম্বাল হাঙফদবদগী মনাউ ঈবুংঙো ৱাঙ্গোন নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র নরায়নবু নিংথৌ ফম্বাল কাহন্নবা থৌরম পাংথোক্লবগী ৱাফম কছাড়গী লৈপাক পুবা অঙম-অথৌশিংগী মরক্তা খন্নরকখি। মতমসিদা কছাড়গী নিংথৌ ওইগদৌরিবা মহাক্কী ওয়দা ফমদুনা থৌগল তৌদুনা নিংথৌ-ফম্বাল অমসুং লৈমরেন-ফম্বাল কামিন্নগদৌরিবী লৈমরেন ওইগদৌরিবী মহাক অদু কনা ওইগদবগে হায়বগী ৱাফমসি লাক্লম্মী। ৱাঙ্গোন নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র নরায়নগী তাল্লোই অহন্দি চন্দ্রকালা কৌবী ডিমাসা নত্রগা কছাড়ী নিংঙোন্নি অমসুং মহাক্কী মথংদা মথং মথং ওইনা লৈরিবী ডিমাসা কছাড়ী নিংঙোনশিংদি.- টুবাং- ডি, লক্ষ্মী-ডি, তইন-ডি, অসিনচিংবী [মথক্কীসিদা, ৮৭] লৈরম্মী। অদুবু শুমহৎয়াই পুরবী, শক্কী মহাউ চেল্লবী অমসুং নুংশি লৈনম য়েনবা হৈরবী তম্ফা ৱাংঙম্লোন ইন্দুপ্রভা হকচাংগী অপেনবা পীহৈবী ওইবীগী মতীক-ময়াইনা হিরম্বেশ্বর ডিমাসাগী মবুংঙো ওইগদৌরিবা কছাড়ী নিংথৌমচা গোবিন্দচন্দ্র নরায়ননা ৱাংঙম্লোন ইন্দুপ্রভুবু লৈমরেন হাপ্পা-ওইহন্নবগী ৱাফম

পুখত্তুনা খোঙফম লেঙদনা লৈখিবনা তম্ফা ৱাংঙমলোনসিবু কছাড় লৈপাক্কী লৈমরেন [মহারাণী (Chief Queen)] হাপ্তুনা খৃ: ১৮১৩ সিদা গোবিন্দচন্দ্র নরায়নগা কছাড়ী নিংথৌ অমসুং লৈমগী ফম্বালশিং কামিন্নখিরম্মী। হায়জরিবা ৱাফমসিবু শৌগৎলিবা ঈ-পাউশিংদি :-

(১) ... এরূপ প্রবাদ আছে যে, কৃষ্ণচন্দ্রের জীবদ্দশাতেই রাণী ইন্দুপ্রভার সহিত গোবিন্দচন্দ্রের অবৈধ প্রনয় ছিল। রাজ্য লাভ করিয়াই তিনি জেন্ঠ ভ্রাতার বিধবা পত্নী ইন্দুপ্রভাকে পত্নীরূপে গ্রহন করিলেণ। চন্দ্ররুলা, টুবাংডি, লক্ষ্মী ডি, তইন ডি প্রভৃতি কছাড়ী জাতীয় রাণীগন বর্ত্তমান থাকিতেও ইন্দুপ্রভাই প্রধানা মাহিষীরূপে গৃহীতা হইয়াছিলেন [মথক্কীসিদা, ৮৭]।

(২) ... মণিপুররাজ মধুচন্দ্র, সর্জিৎ সিংহ-ও মার্জিৎ সিংহ এই দুই ভ্রাতার চক্রান্তে... অনর্থের সূত্রপাত হইল। পরে গোবিন্দ নারায়ন সিংহাসনে আরোহন করিয়া রাণী ইন্দুপ্রভাকে স্বয়ং পত্নীরূপে গ্রহন করেন (কৃষ্ণচন্দ্রের তীর্থ পর্য্যটন কালে যুবরাজ গোবিন্দ নারায়নের সহিত ইন্দুপ্রতার অবেধপ্রণয় জন্মে। কৃষ্ণচন্দ্র তীর্থ হইতে আসিয়া রাণীকে সমপূর্ণরূপে গ্রহন করেন নাই [মথক্কীসিদা, ৯২]।...

অসিশিংসিনি। অসুম্না খৃ: ১৮১৩ অসিদগী মৈতৈচনু মৈদিংঙু মধুচন্দ্র (তমলেনখোম্বা) গী মচাঈবেম্মা তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভানা কছাড় লৈপাক্কী লৈমরেন ওইখিরম্মী।

মৈত্রবাক্কী থৌদোকশিং ১সুং ইন্দুপ্রভা

মৈত্রবাক মেক্লেদা নিংথৌ ফম্বালগীনিবু হায়রবদি হুই অঙাওবগা মান্নবা নিংথৌমচা অমা লৈরম্মী। মহাক্না অৱা/ভ্রাম্মাদা মৈতৈ কবো তম্পাক (Kase/ Kate Shan Valley) কখোক্তুনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল ফংননবা ৱানোম্লুবদগী অৱা নিংথৌনা চানবীরক্লদুনা অচৌবা অৱা লাম্মী তেঙ্গোন অমা পীবীদুনা খৃ: ১৮১৩ গী লোয়রমদায়দা মৈত্রবাক্তা লান্দারক্লম্মী অমসুং হায়রিবা লান অদু ককচীঙগী পঞ্জাও পল্লুমচীঙদা লানফম ওইদুনা নুমিৎ ১১ (তরামাথোই) নি শোক্লখিরম্মী [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২১০-২১১]। লান্দুদা মৈতৈ লাম্নীবু অৱা লাম্নীনা ঙমখিদুনা মৈদিংঙু চৌরজিৎ কছাড় লৈপাক্তা চেনখিরম্মী অমসুং নিংথৌ ওইনীঙবনা অঙাওবা লাইচুরবা মৈদিংঙু মার্জিৎপু অৱানা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ হাপ্পীখি

[মথক্কীসিদা, ২১১]। মসিনা মরম ওইদুনা মৈদিংঙু নোংচুপ ৰাইবং পামহৈবা চৌরজিৎ মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বালদগী অৱাশিংনা তাম্থোক্লক্তুনা চেল্লক্লগা কছাড় লৈপাক্তা থুংলরম্মী।

লমন খুন্বদা ইন্দুপ্রভা - মৈদিংঙু চৌরজিৎনা মমাক ঈবুংঙো থোকপা কছাড় লৈপাক্কী মতমদুগী মবুংঙো-হিরম্বরাজ গোবিন্দচন্দ্র নরায়নগী কোনুং কংলৈ খাসপুরদা লাক্তুনা কোনুংদা চঙলক্লগা কছাড়ী নিংথৌসিদা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ খুবম হঞ্জিন্নবা মৈত্রবাক্তা লান্দানবগী থৌরাংদা মতেং পাংবীনবা হায়জখিরম্মী। মতমসিদা কছাড়গী লৈমরেন ওইরিবী তম্ফা ৰাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা হায়রিবী মচা ঈবেন্মসি অপোকপা মপাবুং হাৎখিবগী মহাক্কী মফমদা মহু পুরবী লিন অমোম ওইরিবীনি হায়বসি মৈদিংঙু চৌরজিৎনা খনখি-নীঙশিঙখিরমদে, লিন অমোমদুদি লাক্দৌবগী মকোক থাঙ্গত্তুনা ঙাইদুনা লৈরবনি। মৈদিংঙু চৌরজিৎনা মহাক্কী তেংবাংবীনবগী ৰাফমসি হেক থল্লকপগা ইন্দুপ্রভানা মপুরোইববু কা মনুংদা কৌশিনখিদুনা খৃ: ১৮০৪ দা মপাবুং ঈবুংঙো মধুচন্দ্রবু শামুপনগী লানফমদা হাৎখিবদু নীঙশিঙলম্মী। মহাক (চৌরজিৎ) অসি মহাক (ইন্দুপ্রভা) কী মতোনশী নত্তে, মপা হাৎখিবা য়েক্লবনি, মহাক্কী মথক্তা মপাবুং হাৎখিবগী লমন খুমগদবনি মতেং পীগদবা নত্তে, মরম অসিনা মহাকপু কছাড়গী কোনুংদগী থুনমক তাম্থোকপীখো - হায়না মতম কুইনা পুরক্লবা মহাক্কী মলোম, থরুম অমসুং নিংথৌ ৰারুমগী মচীঞ্জাক থাক্লবা হোৎনরম্মী। ৰাফম অসিদগী কছাড়ী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র নরায়না মৈদিংঙু চৌরজিৎপু ঈকাইবা পীদে হায়বখক্তা খাক্তুনা কছাড়গী কোনুংদগী থাদোক্লকখি। চৌরজিৎ নিংথৌ তশেংনমক নীঙবা কায়রম্মী অমসুং শাওনীঙবসু পোক্লম্মী। অদুনা কছাড়ী নিংথৌসিগী য়েক্ল-য়েংথীনবা মীশিং তুলারাম কছাড়ী অমসুং মহাক্কী মপা রামসিংহ কছাড়ীগী মনাক্তা চঙগে, মখোয়গী মতেং লৌগে লেপখিরম্মী। মরম অসিনা চৌরজিৎ নিংথৌনা কছাড়গী কোনুং কংলৈ খাসপুরদগী জয়ন্তিয়া চীঙদা তুলারাম কছাড়ী (মহাকসি মৈতৈ নিংঙোন্না পোকপনি) গী মপা-মচাগী অরোনবা লানশঙ, লান্দমশঙ নত্রগা লান-ওৱাইফম অমসুং লানগী শাজেন তৌফম শঙ লৈরিবা মফমদা চত্তুনা চঙজফম লৌরগা খৃ: ১৮১৩ গী লোয়রমদায়দগী লৈখিরম্মী [ডা: ল: চ:, ১৯৭০, ১০-১১]।

মৈদিংঙু মার্জিৎ (খৃ: ১৮১৪-২০) না মৈত্রবাক্কী নিংথৌ হেক ওইবগী মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বালদা হক লৈবা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ মচা-মশৃশিং, নিংথৌ শাগৈ (নিংথেমচা শাগৈ) গী মীওইশিংবু মহাক্কী নিংথৌ ফম্বালদা য়েৎলক্তনবা

মখোয়বু হাৎননবগী থৌরাং খৃ: ১৮১৪ গী এপ্রিল থাদগী লৌখৎলক্লম্মী। হায়রিবা থৌরাংসিদা মতমদুগী তুংলমচত্তা মৈদিংঙু নিংথৌ ওইরক্কদৌরিবা মৈদিংঙুচা, ঈবুংশীজ শামুফাবা (কবোতাবা, রাজা গম্ভীর সিংহ) বু হাৎননবগী খুজীন-থৌশীন্দা চহিসিগী এপ্রিল ২৩ থাঙজা নুমিত্তা চীঙঙা মখাগী লমদমদা লোন্না লান্দাশিন্দুনা মী ২৪ (কুনমরি) হাৎখিরম্মী [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২১১]। অদুবু ঈবুংশীজ শামুফাবা/গম্ভীর সিংহদি কাংঙবা ক্ষেত্রি সিংহ (কাংঙবা থাঙ্গাল/চিদানন্দ জেনরেলগী অপোকপা মপা) না কন্দুনা নুমিৎসিগী অহিংদুমক্তদা কছাড় লৈপাক্লোমদা চেলহল্লকখিরম্মী [S.J.J., 1990, 74]। অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদা মৈদিংঙু মধুচন্দ্রগী মচাঈবুংঙো অনি অসুং মচাঈবুংঙো ঈবুংশীজ অনিসিগী মমাঈবেম্মা লৈমা কোনশমচনুসু কছাড়দা চেল্লক্কুনা তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা, কছাড় লৈপাক্কী লৈমরেন/মহারাণীগী মনাক্তা মচেমশীজ অমসুং মচাঈবেম্মা ওইবনিনা চঙফম লৌনবা থুংলখি অমসুং কছাড়ী লৈমরেনসিনা মপ্পাশিং অমসুং অপোকপী মমাশীজ ঈবেম্মবু তরাম ওক্কুনা চঙজফম নীঙথিনা পীরগা থমখিরম্মী [উ: চ: গু:, ২০০৬, ৯২]। মসিনা কছাড় লৈপাক্তা মৈতৈনা মীথক থোংবা, থাক ৱাংখৎপা, হেনগৎনবগী লম্বী য়াৎলকখি, মসিগী খুদম-চাংদমদি:-

... ইন্দুপ্রভার মাতা ও দুই ভ্রাতা এবং অনা আরও অনেক মণিপুরী কছাড় রাজ পরিবারের অন্তর্ভুক্ত হইয়া কছাড় অবস্তান করিতে লাগিলেন। এই ভারে ক্রমে ক্রমে রাজ্যমধ্যে মণিপুরী দিগের প্রধানা বৃদ্ধি পাইতে থাকে [মথক্কীসিদা, ৯২]।

মচীন-মনাউ চায়নহন্নবা থৌশীন

পোকমিন্নবা (মপা তীন্নবা) মচীন-মনাউ অনি চায়নহন্নবগী থৌশীনসি মৈতৈগী তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা, কছাড়ী লৈমরেন্না খৃ: ১৮১৭-১৮ দা লৌখৎখিবনি। মসি কছাড় লৈপাক্কী লৈঙাকলোনগী পাৱারী-পুৱারীদা য়াম্না মরু ওইবা কছাড়ী কাংলুপ-ফুরুপশিংগী ঈকাই খুম্নবা অমসুং মরৈপাক কনবা, ঙাক-শেনবা অমদি লৈপাক কন্ননবগী পরীংদা লৈরিবা য়াম্না মরু ওইবা খুজীন- থৌরাং অমনি। অসিগী মরমদগী কছাড়গী লৈমরেন ইন্দুপ্রভাসিনা মতমদুগী কছাড়ীশিং অমসুং তুংলমচত্তা কছাড় লৈপাক্কী পাৱারী-পুৱারীদা অথোইবা মফম অমা ফংবা অমদি কনবা ঙমখিবনি। হায়জরিবসিগী ৱারী-ৱাখোঙদি:-

খৃ: ১৮১৪ দা মৈদিংঙু মার্জিৎনা অৱা/স্রাম্মা নিংথৌরেন বাদুন-মেঙ, মেঙ-টরা-গ্যি নত্রগা বোদোআপ্রা [Bodoa hpra (1781-1819 A.D.] গী মতেংনা মশাগী চহি ৩৪ দা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কাবা ফংজখি। মহাক্না থৌনিংওইরকপগী তৌগদবা থবক পাংথোক্লবা মতুংদা খৃ: ১৮১৬ তা মহাক্না নিংথৌ ওইদ্রিবঁগে খৃ: ১৮০৮ দা ময়াম্বুং চৌরজিৎ মথক্তা লানহৌবদা মায়থীদুনা কছাড়দা চেনবদা কছাড়ী নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নদা মতেং নীরুবঁদা পীরকখিবা ঈকাইবা অদুগী খৃ: ১৮০৯ গী অঙনবা শরুক্তা ফুমখিবা মলোম [Grudge] / থরুম অদু খোয়জী খাদগী কাংলক্তুনা মদুগী থবক পাংথোক্লবা থৌরাং পায়খৎলক্লম্মী। হিরম অসিদা মহাক্না ফংখ্রিবা ঈকাইবদু কছাড় নিংথৌ অদুগী তাল্লোই তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভানা ইনশিনবদগীনি। অদুগা কছাড়ী নিংথৌ অদু লৈখিদ্রবসু ইন্দুপ্রভাদি ঙসি কছাড় লৈপাক্কী লৈমরেন ওইনা লৈরি অমসুং মহাক্কী মথক্তা লান্দাদুনা লমন খুমগে হায়বসি মতমদুদগী হৌজিক ফাওবদা চেৎনা নীঙলবা অনীঙবনি। হিরম অসি মৈদিংঙু মার্জিৎনা মহাক্কী অচেৎপা অঙম-অথৌশিংদা হৌদোক্তুনা করি করম তৌসিগে হায়না ৱা তানরম্মী অমসুং অঙম-অথৌশিং অদুনসু কছাড়দা লান্দাবগী ৱাফম অসি শৌগৎলম্মী, অঙম-অথৌশিংদুনা লান্মী শেমগৎনবা, মৈত্রবাক্কী লাল্লোই-লান্মীশিং অমসুং লাল্লুপ-তেঙ্গোলশিংগী মপাঙ্গন কনখৎহনবা খুৎকন-পাঙ্গনহন্নবা পাউতাক পীরম্মী অমসুং পুক্নীঙ থৌগৎপগী ৱাফম কয়া মরুম থম্লক্লম্মী। অদুগা মদুনা অৱাশিংগা নুংশিনরক্লবা মতমদা মখোয়গা শীঙনবসু ঙমগনি অমসুং মখোয়না হংলক্লগা ময়াং লৈপাক লান্দানবনি, হায়না খুম্লগা লোয়রে, হায়বনচিংবা তেঞ্জে অমতনা উচেক অনি পানবা-ফাবগী থৌরাং- থৌশীন পাউখুম অমসুং পাউতাকসু পীরম্মী - মরম অসিনা মার্জিৎ মৈদিংঙুনা ময়াং লৈপাক কছাড় লান্দানবগী পান্দম অমসুং মিংদা মৈতৈ লান্মী তেঙ্গোলশিং অমসুং লাল্লোই লাল্লুপশিং খৃ: ১৮১৬ কী অথেংবা মতমদগী শেমগৎপা হৌরম্মী।

মৈদিংঙু মার্জিৎনা মৈতৈ লান্মী ময়াং লৈপাক কছাড়দা লান্দানবগী পান্দম অমসুং মিংদা লাংখৎলিবা থৌরাংসি মীয়াম-খ্বায়গী ওইবা অরোনবা, ফোঙনা লোৎপা অরোৎপা ওইরক্লদুনা খৃ: ১৮১৭ কী অঙনবা/হৌগৎলকপা মতম জানুৱারী-ফেব্রুৱারীদদি কছাড়গী নিংথৌগী কংলা ফম্লুপকী ফমবৈদা য়ৌরক্লম্মী। মসি কছাড়গী লৈপাক্কী থৌগায় পুবা অমসুং থৌদাং লৌবা অঙম-অথৌশিং অমদি

অকন-অরিংশিং পুন্নমক তীন্নদুনা তানৈ, মখোয়না করি তৌশিগে অমসুং তৌগদবগে খন্নরগা কছাড়ী নিংথৌ অমসুং লৈমগী পুক্লীঙ ৱাখল ঙাইদুনা লৈরম্মী। মতমসিদা কছাড়ী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রসিনা মমাঙগী মতম অমদা ডিমাসা লৈপাক অপুম্বগী লান্মীগী লাঞ্জিংলেন-পুরেন (Chief of Army) ওইরম্বা মৈতৈ নিংঙোন্না পোকপা কছাড়ী নিংথৌ শাগৈ অমগী মচা তুলারাম কছাড়ীগা য়াম্না শাথীনা য়েক্ল-য়েংথীনবা মতম ওইরম্মী। হায়রিবা তুলারাম কছাড়ীসিনা হায়রিবা হিরম্বেশ্বর অসিগা য়েংথীনবসিদগী মহাক্না লানহৌনবগী লানহৌবগী লানশঙশিং, লান্দমশঙশিং, লান ঔরায়শঙ অমসুং লানগী শাজেন তৌফমশঙ অৱাং থংবা কছাড় অমসুং জয়ন্তিয়া চীঙজাওগী চীঙনুং-মান্নুংগী মফম কয়াদা লীংলি, অদুগা লানহৌশঙশিং পানা-শেন্নদুনা লৈরি। তুলারাম কছাড়ীসিগী মপা খাসদেও/রামসিং কছাড়ী অমসুং মতোন/মখুড়ানা পোকপা মনাউশিং, ময়াম অসি পুনশিন্নখিদুনা ডিমাসা নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রগী মথক্তা লান হৌনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরি। অদুগা মতম্সিদা কছাড়ী লান্মীগী লাঞ্জিংলেন-পুরেন ওইরিবা ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহ (মতমসিগী তুংলমচৎকী মৈদিংঙু/রাজা চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বা) সু হায়রিবা কছাড়ী তুলারামসিগা হিরম্বা-নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রসিগী মায়য়োক্তা লৌতুনবগী অরোনবা পাউসু লৈরম্মী।

মথক্কী মরমশিং ময়াম অসিনা মতমদুগী কছাড়ী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র নরায়ননা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ মৈদিংঙু মার্জিৎনা লান্দারকপগী লানসি মায়য়োক্লবা ঙম্বগী ৱাখল অমসুং থাজবা লৈরমদে। অমরোমদা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী মতেং নীনবা খন্নরবা অমসুং হোৎনরুবসু মতমদুদা বৃটিশশিংনা, ভারতকী মশাগী ওইজবা নিংথৌপানবা লৈপাকশিংগী খৎন-চৈনবা, মুক্ল-য়েংথীনবনচিংবদা খুৎ থিংজিল্লোয় হায়বগী লৈঙাক- থৌশীন লৈবনা কছাড়গী ৱাফমসিদা চেক-মোক লাউদনা লৈখিরম্মী। মরম অসিনা মৈদিংঙু মার্জিৎনা লাংলিবা লান্দানবগী থৌরাং অসি থিংননবা নত্রগা লান মায়য়োক য়াবা ঙম্নবগী পাম্বৈ নত্রগা চৈঙাক অমা পুথোক্লবা অমসুং থিননবা কছাড়ী নিংথৌগী কংলা ফম্লুপ- ফমবৈদা ৱাফমসি কুপ্না খন্নরম্মী। হায়রিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরমসিদা কছাড় লৈপাক্কী লৈমরেন তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাসু লুচিংবী ওইনা শরুক য়ারম্মী। কছাড়ী অঙম-অথৌশিং, অকন-অরিংশিং, মায়চৌ-মায়নৌশিং অমসুং লাল্লোই-লাল্লোইলেনশিংনা মানা

মানা খঙজ-উজবা পাম্বৈশিংগী ৱা পুখৎনরক্তুনা অমসুং হৌদোক্লদুনা খন্ন-নৈনরবদা অপাম্বা ফিবমদা পুরকপা য়াবা অমসুং শাফনা লেপ্পা য়াগদবা ৱাফম অমতা য়াওরক্তবদা কছাড়ী লৈমরেন ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাগী পুক্লীঙদা "তীঙখং অমনা য়ুরবদি তীঙখং অমনা হল্:লু, য়েক্লবা অনি লৈরবদি ইনশিন্দুনা চায়নহল্লগা কুম্মৈ য়েংঙু!" হায়বা ৱাখনসিনা য়ৈরকখিরম্মী। মরম অসিনা ৱাফমসি মহাক্লা শুগায়না শন্দোক্লা তাক্তুনা কংলা ফমলুপ- ফমবৈদুদা ৱারমসি থাঙ্গৎলকখি, মদুদি :-

ঐখোয়গী কছাড় লৈপাক্তা লান্দারক্কদৌরিবা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ মৈদিংঙু মার্জিৎসি খৃ: ১৮০৩ দা ঐহাক্কী ঈপাবুংবু মৈতৈ নিংথৌ ফম্বালদগী চিংথবগী লৌতুনবদা য়াওবা, খৃ: ১৮০৪ দা ঈপাবুং মধুচন্দ্র তমলেনখোম্ববু হাৎপদা মখুৎমক্লা খুৎ থাখিবা য়েক্লবনি, মহাক্লা খৃ: ১৮০৮-০৯ দা ময়াম্বুং মৈদিংঙু চৌরজিৎকী মথক্তা নিংথৌ ফম্বালগীদমক্তা লান হৌরুবদা মায়থীরদুনা ঐখোয়গী কছাড়সিদা চেল্লক্লগা মতমদুগী লৈখিদ্রবা হিরম্বেশ্বরদা মহাক্কী নিংথৌ ফম্বাল ফংনবা মৈত্রবাক্তা লান্দাবদা লানগী মতেং পাংবীয়ু হায়না নীরবদা মতেং পীখিদবদুগী লমন খুম্লবা মহাক্লা নিংথৌ ওইরবা মতমসিদা কছাড় লৈপাক্তা লান্দানবগী থৌরাংসি লৌখৎলক্লিবনি। অদুগা ঐগী ঈপাবুংবু নিংথৌ ফম্বালদগী চিংথনবা থৌশীল-থৌরাংখিবা, মৈদিংঙু মার্জিৎসিগা খুৎশম্নদুনা চৎমিন্নখিবা, হৌজিক্তদি য়েক্লবা ওইনরবা মার্জিৎকী ময়াম্বুং মৈদিংঙু ফমতারবা চৌরজিৎ, খৃ: ১৮০৪ দা ঐগী ঈপাবুং মৈদিংঙুবু মৈত্রবাক্কী ময়াং কৈনৌগী মনীঙদা লৈবা শামুপন্দা হাৎখিবদুগী অথোইবা থৌবুনি অমসুং মহাকসিনা মৈদিংঙু মার্জিৎতগী হেন্না চাওবা য়েক্লবনি। মহাক্লা হৌজিক ঐখোয়গী য়েক্লবা তুলারামখোয়গী খুৎকা লোইনদুনা ঐখোয়গী ঈথক্তা লানহৌনবা শেম-শারি, মহাকপু ফাজিনবসি তুলারামগী মপাঙ্গল হীকথনবা পাম্বৈ অমনি। অদুগা মহাকসু মনাউ ঈবুংঙো মৈদিংঙু মার্জিৎনা অৱা নিংথৌগী মতেং লৌরগা খৃ: ১৮১৪ দা মহাকপু মৈতৈ নিংথৌ ফম্বালগী চিংথদুনা মৈত্রবাক্তগী তাম্হোক্লখি। মদুদা মহাকসু হৌজিক্কী পাল্লিবা হিরম্বরাজদা মৈত্রবাক লৌনবা, নিংথৌ ফম্বাল হঞ্জিন্নবা মৈত্রবাক্তা লান্দাবদা লানগী তেংবাং পীয়ু হায়জরবা মতমদা লানবাংবা ঙল্লোয় হায়না থাদোকখিবদগী ঐখোয়গী য়েক্লবা খাসদেও কছাড়ীগী জয়ন্তিয়া চীঙজাওগী চীঙ্গোন-চীঙলক্তা লীংলিবা লানহৌ-লানশঙদা চঙজফম

লৌদুনা লৈখিবনি। হৌজিক মমাঙগী মৈতে নিংথৌ চৌরজিৎসিবু ঐখোয়গী মী থাদুনা পাম্বে অমা তৌদুনা, "মার্জিৎনা কছাড়দা লান্দারক্কদৌরে, ঐখোয়গী অকনবা মী লৈজদে, ঐখোয়গী মীচঙদা য়াওবীদুনা, কছাড়ী লান্মীশিংগী লাঞ্জিংলেন-পুরেন ওইবীদুনা মৈদিংঙু মার্জিৎপু লান শোক্কবীরো, হায়না মহাকপু থেমদুনা লৌথোক্লবা হোৎনবগী মথৌ তাই। মহাকপু ঐখোয়গী মীচঙদা পুরকপা ঙম্লবদি মঙক হাইগৎলিবা রামসিং অমসুং মহাক্কী মচানুপা তুলারাম কছাড়ীগী মশা-শাগনসু তেক্লগনি। অদুগা হৌজিক কছাড়ী লান্মীগী লাঞ্জিংলেন-পুরেন ওইরিবা ঈতোনশী গম্ভীর সিংহদি ঐনা থোকপা ঙাংনজরগে, মহাক্তি ময়াম্বুং মৈদিংঙু চৌরজিৎকী মখাদা লৈবীয়ু হায়জবা য়াবীরক্কনি।"

অসিনি। ৱাফমসিদা কছাড়ী অঙম-অথৌশিং অদুনা মৈদিংঙু চৌরজিত্তা পাউ থানবা অমসুং মহাকপু করম্না কছাড়ী লান্মীগী লাঞ্জিংলেন-পুরেন ওইবীয়ু হায়বা য়াহনগদবগে হায়বসিগী মরমদা খন্নবা হৌরে, মরমদি, মখোয় পুন্নমক্না খঙঙি, মদুদি মৈদিংঙু চৌরজিৎসিদা মতীক চাবা লাল্লোই লান্মী খর পীরবদি মৈদিংঙু মার্জিৎপু লায়না মায়থীবা পীবা ঙমগনি। মতমদুদা কছাড়ী ডিমাসাগী অঙম্বা অমনা মচীন্না থোক্লা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইরম্বা নুপা অসিবু করি হায়রগা নত্রগা করি পীরগা কছাড়ী লান্মী লাঞ্জিংলেন-পুরেন ওইবীয়ু হায়বা য়াহনগদবগে, হায়না হংলক্লম্মী। মদুদা হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নরায়ননা খুম্লকখিরম্মী :-

- " ঐখোয়না হায়জগদবদি - মৈত্রবাক্কী নিংথৌ মৈদিংঙু মার্জিৎনা ঐখোয়গী লৈপাক্তা লান্দারকপদা কছাড়ী লান্মী পুবীদুনা মৈতে লান্মীগা লান শোক্কবীরগা কছাড় লৈপাকপু মৈতে নত্রগা মুগলাই/মগেরশিংনা লোই চনখিগদবদগী কনবা ঙম্লবদি কছাড় লৈপাকসিগী তংখায় অমা পীজগনি - হায়বসিনি। অদুগা হায়রিবা ৱাফমসি কছাড়গী লৈপাক-নিংথৌ, অঙম-অথৌশিং, কংলা ফমলুপ- ফমবৈ অমসুং মীয়াম খ্বাইনা য়ানরবা ৱাফমনি - হায়বসিসু হায়দুনা খঙহল্লগা য়াহনগদবনি।"

হায়রিবা কছাড় লৈপাক তংখায় অমা পীবগী ৱাফমসি কছাড়ী কংলাদা ফমলুপ ফমবৈ পুন্নমক তীন্নদুনা ৱারেপ্পরগা, হায়রিবা কছাড়ী কংলাদুনা মৈদিংঙু চৌরজিৎকী মফমদা অরোনবা মী থাদুনা ৱাফমশিং হোদোক্লনবা, পাউ থানা-লৌনবা অমসুং অয়া-য়াদবগী ৱারোল-ৱাফম ফাওন-লৌননবগী থৌরাং লৌখৎলম্মী। মৈদিংঙু

চৌরজিৎনা পাউ অসি ফংলবদা কছাড় লৈপাক ফংবগী নত্রগা ফংবা য়াবগী খুদোংচাবসি মাঙহনবা পাল্লমদে। অদুবু পঙচোপ চোপ্পা থবক তৌবদি য়াদবনা মতম খরদি চঙহনখি। অসুম্না তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভানা মপাবুং অমতনা পোকপা মচাঈবুংঙো অহুম, মিং পল্লবদা, মৈদিংঙু চৌরজিৎ, মৈদিংঙু মার্জিৎ অমসুং ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহবু লানফমদা চায়নহন্দুনা মচীন-মনাও মশেন মীতোপ-মীরানগীদমক্তা হাত্তোক্পনবা শীল্লগা মপাবুং ঈবুংঙো হাৎখিবগী লমন খুম্নবগী খুজীন-থৌরাং লৌখত্তুনা কছাড় লৈপাক কন্ননবগী মমিংদা লৌশিঙগী পোরম-পোমিৎ কাংলকখি।

মার্জিৎকী কছাড় লানদা - লমন খুম্নীঙবগী মৈরীনা য়োমদুনা মাঙলমচৎকী মলোমগী থরুমদা তোংদুনা কছাড় লৈপাক্তা লান্দানবগী থৌরাংগী শেম-শাবা পুম্নমক লোয়দুনা মৈদিংঙু মার্জিৎ, নোংপোক ৱাইরং পামহৈবা [বীরচন্দ্র অমসুং ময়াং ঙম্বা (খৃ: ১৮১৪-২০)] না শক ১৭৩৯ গী হিয়াঙ্গৈ থাগী ২৬ নি পানবা শগোনশেন (খৃ: ১৮১৭ কী নবেম্বর ৬) দা কছাড় লৈপাক্তা লান্দানবা খোঙহৌ-খোঙশানখিরম্মী [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২১৪]। নাকল অমরোমদা মৈদিংঙু চৌরজিৎনা ময়াং লৈপাক কছাড়গী হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নরায়ন, কছাড় লৈপাক্কী অঙম-অথৌশিংনচিংবগা য়ানখিবগী মতুং ইন্না খৃ: ১৮১৭ সিগী সেপ্তেম্বর থাদা জয়ন্তিয়াদগী কছাড়দা লাক্তুনা খাসপুর কংলৈগী অকোয়বদা মনাউ ঈবুংঙো ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহগা লোইননা কছাড়ী লাম্মীশিংবু নীঙথিনা শেমগৎ-শাগত্তুনা অমসুং তাকপী-তম্বীদুনা লানগী থৌরাং শেম-শাদুনা থা ৩ (অহুম) চুপ্পা মৈদিংঙু মার্জিৎনা লান্দারকপা ঙাইদুনা লৈরম্মী। মৈদিংঙু মার্জিৎ ঈকাইবা নংবগী শাওনীঙখিবদুগী লমন খুম্বখক্তনি পাল্লিবসি। মরম অসিনা মহাক্না কছাড় লৈপাক্তা লান্দাগদবসিগী করিসু থোইনা লুবা অপাম্বা অতৈ খঞ্জিল্লুদবগুম তৌই। মহাক্না কছাড়গী লাম্মী তেঙ্গোনসিদা মরু ওইবা মীওই কনা কনা য়াওরিবগে হায়বনচিংবসি নীঙথিনা পাউ লৌদবগুম তৌরম্মী অমসুং মহাক্কী কছাড় লৈপাক্তা লান্দাবসিগী ৱারোলশিং, চৈথারোল কুম্বাবদা ইখৎলি-চনখৎলিবা অসি তৌখ্রি-থোকখ্রিবা থৌদোক- ৱাথোক্কী ৱাফমশিংগা য়াম্না খেন্ননা নত্রগা ওন্ন-তৈননা লৈ। চৈথারোল কুম্বাবদা চনখৎলিবা ৱারোলদি :-

.... লাইশ্রম তাম্রসিংগী কুম শক ১৭৩৯... হিয়াঙ্গৈ থা... ২৬ নি শগোনশেন (তাং ৬।১১।১৮১৭ ইং) দা শ্রীযুৎ মহারাজ নোংপোক ৱাইরং পামহৈবনচিংনা মৈতৈ লৈপাক পুম্নমা ময়াং নাবা চৎএ॥ ময়াং ঙম-এ॥ লানতি নোকখিঁরখোনসিং, রামসিং ২মনচিংনা লান য়াম্না ফায়-এ॥ থাংজমচা রূপচন্দ্র, লংমাইথেম্বা লৈরিখোম্বা ২মা শিরৌ-এ॥ তুবাতুলি কোনুংদা খাল্লে তৌরম-এ॥ ময়াং অচঙবা ১০০০ খোমলকএ [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২১৪]।

অসিশিংসিনি। অদুগা থোক্লি-ওইখিবা থৌদোক-ৱাথোকশিংগী পরীংদা তাদুনা লৈরিবা ৱাফমশিংদগী লৌখত্তুনা লীনরিবা ৱারী পরীংদি :-

মৈদিংঙু মার্জিৎনা খৃ: ১৮১৭ কী নবেম্বর থাদা ময়াং কছাড়ী/ডিমাসা লৈপাক্তা লান্দারুনবা লাকপদা মৈত্রবাক্কী ঙমখৈ-লমখৈ লাম্হোক্তুনা লাক্লবা ময়াং লৈপাক্কী ঙমখৈ মনুংদা চঙশিল্লক্লবদা ময়াং লান্মীশিংগী লুচিং-লাঞ্জিংবা লাঞ্জিংলেন-পুরেনসি ময়াম্বুং মৈদিংঙু চৌরজিৎ নিংথৌরেন্নি, মথং খল্লিবা লাঞ্জিংলেননা মনাউঈবুংঙো ঈবুংশীজ শামুফাবা গম্ভীর সিংহনি হায়বা পাউ অসি তারে। মতমসিদা মহাক্না খনখি, মদুদি, মহাক্না পুরক্লিবা মৈতৈ লান্মীশিং অদুনা ময়াম্বুং মৈদিংঙু চৌরজিৎকী মশক উবা মতমদা মখোয় পুম্নমক মহাক মশাগী মায়য়োক্তা খুৎলাই থাঙ্গত্তুনা হোৎচিল্লক্কনি, পুম্নমক ময়াম্বুং চৌরজিৎকী মীচঙ ওইখিগনি অমসুং মহাক, মায়থীবা নত্তনা করিসু ফংলো - হায়বসিনি। মরম অসিনা মহাক্না অঙমবা পাম্বৈ অমা শীজিন্নদুনা কছাড়ী লান্মীগা লান মায়য়োক্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা হনহৌবনা মহাক্কী শাফবনি, হায়না খন্দুনা লমখাঙদগী লান্মীশিঙবু পুদুনা মৈদিংঙু মার্জিৎনা ময়াং লান্দাবগী লাঞ্জঙদগী নাথৈদুনা হল্লকখি। অদুবু চৈথারোল কুম্বাবনা মীনল্লিবা অসিদা নত্তনা মতমদুদা ৱাঙ্গোয় লৈশাংখোংগী লমদমদা কৈথেল ওইরম্বা মফমদুদা য়ুংলিবা মৈদিংঙু মার্জিৎকী ময়াং লান্দাবসিগী ৱারোল ইবা লাইরিক ইবা নুঙ অদুনসু লৌনম তৌদুনা মৈদিংঙু মার্জিৎনা ময়াং লৈপাক্তা লান্দারুবদা মায় পাক্লকপগী ৱাফম পীদুনা লৈরি। মসিশিংসি পাৱারী-পুৱারীবু নমথাক তৌবা নত্তনা অতৈ করিসু নত্তে।

কছাড় লৈপাক্তা মৈতৈগী কোনুংশিং

মীনা নীঙবনা অমা, লাইনা তম্বনা অমা, হায়বদুনি, ময়াং কছাড়ী লৈপাক্তি মৈদিংঙু মার্জিৎ নোংপোক ৱাইরং পামহৈবা ময়াংঙম্বনা লোই চনখিগদবদগী

মৈদিংঙু চৌরজিৎকী মতীক- ময়াইনা কলহৌরে, অদুবু কছাড়গী লৈমরেন তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভানা মপাবুং ঈবুংঙো মধুচন্দ্র হাৎখিবগী লমন খুম্নবা য়েক্লবা অনি চায়নহন্দুনা অনিগী মরক্তগী অমগী ঈ তাহনগে, হায়বগী ৱাখল, ঈগী লমন ঈনা খুমগে হায়বগী চেৎনা নীঙবা অনীঙবা অদুদি অরেম্বদা তাখ্রে। মদুদসু নত্তনা লাইবক্কী নোংদমদা অরেপ্পা খঙদনা লৈপাক্কী পোন্থা থারুবনা কছাড় লৈপাক্তা খর মাঙজবগী মথক্তা হেন্না মাঙজনবগী মরু হুল্লে। কছাড় লৈপাক্তা মৈদিংঙু মার্জিৎনা লান্দারকপগী মতমদা থাখিবা পোন্থাদা মৈদিংঙু চৌরজিৎকা য়ানখিবগী মতুং ইন্না কছাড় লৈপাক্কী তংখায় অমা মৈদিংঙুসিনা মহাক্কী মথং খনবা ঙমথং লাঞ্জিংলেন ওইনা থবক তৌখি-পুখিবা মনাউ ঈবুংঙো ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহদা মহাক্লা ফংলিবা কছাড় লৈপাক্কী তংখায় অমগী শরুক্তুগী অমুক তংখায় অমা পীদুনা মচীন-মনাউ কছাড় লৈপাক্তা মাগী মাগী লম নাইনদুনা পান্নখ্রে। অসুম্না খৃ: ১৮১৭-১৮ দা কছাড় লৈপাক তংখায় তাখিবসিদগী খৃ: ১৮১৯ দা অৱা নিংথৌনা মৈদিংঙু মার্জিৎপু হান্নদগী থাজনীঙঙাই ওইদ্রবা মরমশিং অদুগী মথক্তা হেন্না থাজনীঙঙাই ওইদ্রবা মীশক্তি হায়দুনা মৈত্রবাক্তা লান্দাদুনা তাঙ্খোক্লবগী অৱাগী অফাওবা লাঞ্জিংলেন পুরেন মহাবন্দুলাগী মখাদা অচৌবা অৱা তেঙ্গোন অমা পীদুনা মৈদিংঙু মার্জিৎপু হিংনা ফাদুনা পুরক্লবা থারক্লম্মী।

মৈদিংঙু মার্জিৎনা লাঞ্জিংলেন-পুরেন মহাবন্দুলাগী লান্মীশিং শক ১৭৪১ গী ৱাকচীঙগী ৫ নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমিৎ (খৃ: ১৮১৯ গী ডিসেম্বর ২১) তগী লান শোক্লবা হৌদুনা লানথেংনবদা অৱানা ঙমখিদুনা চহিসিগী থাসিগী ১২ নি পানবা লৈপাকপোকপা (তাং ২৮।১২।১৮১৯ ইং) দা লৈপাক কায়খি, চহি তরেৎ খুন্তাকপা হৌখি [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ২৭১৬]। মৈত্রবাক্লা খুনতাকপদা হুঞ্জিল্লম্লগা মৈদিংঙু মার্জিৎনা মৈত্রবাক্কী লৈপাক নিংথৌগী লাই শ্রীশ্রীগোবিন্দজী পুদুনা কছাড়দা চেল্লকখি। অদুগা শ্রীগোবিন্দবু ময়াম্বুং মৈদিংঙু চৌরজিত্তা শীন্নদুনা চঙজফম নীরখি। ঈকাইবা খঙদবগী হীদাক লৈতে, চঙজফম ফংবদগী অমুক ময়াম্বুংগী মখোঙদা তুজদুনা "মহাক্কী লৈপাক পানবা য়ানবা লম পীবীয়ু" হায়দুনা নীশিল্লকখিরম্মী। মদুদা মৈদিংঙু চৌরজিৎনা মহাক্কী শরুক ওইনা লৈহৌবা কছাড় লৈপাক্কী লমদুদগী অমুক তংখায় অমা মনাউ ঈবুংঙো মৈদিংঙু মার্জিত্তা খাইখিরম্মী। অসুম্না কছাড় লৈপাক্কী ওইরক্লিবা ফিবমসিগী মরমদা পীবীরল্লিবদি:-

গোবিন্দ নরায়নের সৈন্যবল ছিল না। তাঁহার চরিত্রবলও অতি অল্পই ছিল। যুদ্ধাবসানে মণিপুরী ভ্রাতৃদ্বয় সহজেই প্রভুত ক্ষমতা লাভে সমর্থ হইলেন।... গুলু মিঞা, বৰ্জ্জুরাম প্রভৃতি কছাড়ের নেতৃবর্গ গম্ভীর সিংহ সহিত গোপনে পরামর্শ করিতে লাগিলেন। গম্ভীর সিংহ হঠাৎ রাজপাট (রাজপুরী) আক্রমণ করিলেন।... ইহার অল্পপরে ১৮১৯ খৃ: ব্রহ্মরাজের আনুগত অস্বীকার করায় মার্জিৎ সিংহ ব্রহ্মরাজ কর্ত্তৃক বিতাড়িত হইয়া মর্জিৎ ও গম্ভীর সিংহের সহিত কছাড়ে মিলিত হইলেন।

কছাড় রাজ্য ইতি পূবের্বই দুই অংশেবিভক্ত হইয়াছিল, এক্ষলে তিন অংশে বিভক্ত হইল। এই সময় হইতে ১৮২৩ খৃ: পর্য্যন্ত কছাড়ের সমতলভাগ ভ্রাতৃত্রয়ের মধ্যে বিভক্ত ছিল। তাঁহারা পৃথক পৃথক রাজধানী স্থাপন পুর্ব্বক রাজ্য শাসন পরিতে লাগিলেন। গম্ভীর সিংহ তিলাই পাহাড়ের পশ্চিমদিক প্রাপ্ত হইয়া গুমরাতে, মার্জিৎ সিংহ হাইলাকান্দি প্রাপ্ত হইয়া ঝাপিরবন্দ নামক স্থানে এবং সর্জিৎ সিংহ তিলাইন পাহাড়ের পুর্ব্বাংশ প্রাপ্ত হইয়া সোনাইমূখের নিকটবর্ত্তী ডুঙ্গুরীরপার নামক স্থানে রাজত্ব করিতে লাগিলেন [উ: চ: গু:, ২০০৬, ৯৩]।...

অসিশিংসিনি। অসিগুম্বা ফিবমসিদা কছাড় লৈপাকসি মৈতৈ নিংথৌ অহুমসিগী মখুত্তা তাদুনা লৈরম্মী। কছাড়ী মীয়াম খ্বাই ফাওবনা মখোয়গী মনিংথৌগী মায়কৈদা অমসুং মীচঙদা লেপ্পীদ্রবা মতম্নি।

লৈমরেন ইন্দুপ্রভাগী মখা তাবা পাউতাক

খৃ: ১৮২৩ গী মতমসিদা কছাড় লৈপাক্তা নিংথৌ ৪ (মরি) পাল্লম্মী। মখোয়দুদি (১) কছাড়গী খাসপুর কংলৈদা কোনুং লীংদুনা কছাড় লৈপাক্কী অশেংবা ম্বপু হিরম্বরাজ গোবিন্দচন্দ্র নরায়ন, (২) কছাড়গী তিলাইন চীঙশাংগী নোংচুপ্তা গুমরা কংলৈদা কোনুং ওইদুনা ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহ, (৩) কছাড়গী হাইলাকান্দি মহাকুমা (Division) গী ঝাপিরবন্দ (হৌজিক্কী জারিবন) কংলৈদা কোনুং লীংদুনা মৈদিংঙু ফম তারবা ঈবুংশীজ মার্জিৎ সিংহ অমসুং (৪) কছাড়গী সোনাইমূখগী ডুঙ্গুরীরপার কংলৈদা কোনুং ওইদুনা তিলাইন চীঙশাংগী নোংপোক থংবা নাকন্দা মৈদিংঙু ফমতারবা ঈবুংশীজ চৌরজিৎনা পাল্লম্মী – অসিশিংসিনি। মখোয় মরিসিগী মনুংদা খ্বাইদগী ঈহেন হেন্না মপাঙ্গন শোনবসি হিরম্বরাজ গোবিন্দচন্দ্র নরায়ন অসিনি।

মতমসিদা মহাক, বৃটিশশিংদা খৃ: ১৮২০ দা মতেং পীবীনবা অমসুং কছাড় লৈপাক অপুনবসি বৃটিশকী লৈপাক মনুংদা চনশিন-তীনশিনবীনবা চে থাদুনসু বৃটিশকী মতেং/তেংবাং মখল অমতগী ওইবদসু ফংলমদে। অদুবু মৈতৈ নিংথৌ মচা অহুম (চৌরজিৎ, মার্জিৎ অমসুং গম্ভীর সিংহ) নদি মখোয়গী লম খোপচিল্লকপসি লেপ্তুনা চথরকপনা, কছাড়ী নিংথৌগী য়াইফনবা করি তৌসিগে, করি করম্বা থৌশীল-থৌরাং তৌগদবগে হায়বসিগী মতাংদা নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রনা মহাক্কী লৈমরেন ৱাংঙম্লোন ইন্দুপ্রভাদগী ৱা খন্ন-তাননবগী পাউতাক লৌরম্মী।

কছাড়গী লৈমরেন ইন্দুপ্রভা, মহাক মশাগী ওইনা লৈজরিবা ৱাফমশিংদি - কছাড় লৈপাক হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নরায়নগীনি, হায়রিবা গোবিন্দচন্দ্রসি মহাক্কী মপুরোইবনি, মহাক মশানি, অদুগা মহাক মশানা কছাড় লৈপাক অমসুং কছাড়ী মীয়ামগী লৈঙাকপী-লৈমাবী লৈমরেন্নি, মখোয়, কছাড়, কছাড়ীশিং অমদি মপুরোইববু অৱাবদগী কনবা হায়বসি মহাক্কী থাদোকপা য়াদ্রবা মথৌনি, থৌগায়নি অমসুং থৌদাংনি, অদুনা মহাক্না কনফম থোকই। অদুগা অমুক অমরোমদা কছাড়গী লম নোংমা-নোংমগী লেপ্তুনা খোপচিল্লক্লিবা, কছাড়ী মীচম-মীয়ামশিংবু মপাঙ্গল, মরৌশিঙ অমসুং মরল-মথুম্মা ফাদুনা শীজিন্নরিবা, ওৎলি-নৈরিবা অমসুং নমথরক্লিবা মৈতৈ নিংথৌমচা অহুমদু মহাক্কী মপাবুংগা পোকমিন্নবা মতোনশীজ ঙাক্তনি; মরম অসিনা মহাক্কী ৱাফম অসি মীমাঙ থোকপা য়াদবা ফোঙনা ফোঙদোক্লবা য়াদবা ৱাফম্নি, অদুবু মহাক্কী পোরেপফম ওইবা পাউতাক্তি - হিদান্নরিবা লাম্বাবু মায়থীবা পীদুনা হিয়াঙ থোইননবা, য়েক্লববু নমথনবা নত্রগা মুক্না কোন্নরিবা মুক্নারোইবু মুক্না থাননবা হোৎনবদা শীজিন্নরিবা য়েৎকী লৌ: দুনা য়াদ্রবা নত্রগা ঙমদ্রবদি ওয়গী লৌ: না ওক্তুনা লংবা-হুনবা তাই, হায়বসিনি। মরম অসিনা হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নরায়ননা বৃটিশকী মতেং ফংদ্রবসু অৱা/ত্রাস্মা নিংথৌ বোদাআপ্রাগী মতেং ফংনবা হোৎনবা তাই অমসুং মদুগী থবক লৌখৎপা হৌখিরম্মী। হায়রিবা থবক লৌখৎপসিদা মায় পাক্তুনা অৱা নিংথৌসিদা খৃ: ১৮২৩ সিগী কছাড় নিংথৌগী মতেং পাংনবা মৈতৈ নিংথৌমচা অহুমসিবু চঙনা ফারক্লবা থবক পায়খৎলক্লম্মী। হায়রিবসিগী ঈ-পাউদি :-

মণিপুরী রাজত্বে পলাতক গোবিন্দ নরায়ন ইংরেজ গভর্নমেন্টের সহয়তা লাভ করিবার জন্য বহুচেষ্টা করিয়াছিলেন, কিন্তু গভর্নমেন্ট অপর রাজ্যের আভ্যন্তরিক

বিষয়ে হস্তক্ষেপ করিতে অসম্মত হওয়ার মীণিপুরীদিপকে তাড়াইবার জন্য তাঁহাকে অগত্যা ব্রহ্মরাজের শরণন্নম্ন হইতে হইয়াহিল। ১৮২৩ খৃ: বৃহ্মরাজ গোবিন্দ নরায়নকে সহায্য করিতে স্বীকৃত হইয়া অসাম উপত্যকার ব্রহ্মদেশীয় শাসনকর্ত্তাকে কছাড় আক্রমনের আয়োজন করিতে আদেশ প্রদান করিলেন [মথক্কীসিদা, ৯৩]।...

অসিনি। মতমসিদা বৃটিশশিংনা মখোয়গী ওইনা থম্লম্বা ফিরেপ নেটিভ ষ্টেটশিংগী থৌদোক- ৱাথোক্তা, শাথোক-লানথোক, ৱাখৎ-ৱায়েৎনবনচিংবদা খুৎ থিংজিল্লোয় [ডা: ল: চ:, ১৯৭০, ২০] হায়বসি হোংদোক্লগা খৃ: ১৮২৪ দদি কছাড় লৈপাক অসি বৃটিশশিংনা ঙাক-শেল্লম্বা লৈপাক (British Protected State) নি হায়না কছাড়গী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র নরায়ন অমসুং মহাক্কী কংলা ফমলুপ-ফমবৈগী মীওই খুদিংমক্তা খঙহল্লকখিরম্মী। হায়রিবা ৱাফমসি তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা কছাড় লৈপাক্কী লৈমরেন্না তেঞ্জৈ অমা কাপ্লকপদা উচেক অনি পানবগী থৌদৌনি। মরম অসিনা কছাড়ী লৈঙাকলোনগী লৈপাক পুবা অঙম-অথৌশিংনা মখোয়গী লৈমরেনসিগী হৈ-শিঙববু থাগৎনখি।

লৈমরেন ইন্দুপ্রভাগী থৌশীল-থৌরাং

কছাড় লৈপাক্লা খৃ: ১৮২৪ দগী বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কোম্পনীগী ঙাকপী-শেনবীবগী মখাদা লৈবা লৈপাক ওইখিবদগী কছাড় লৈপাক্কী ঙমখৈ মনুংদা লৈরম্বা মৈতৈ নিংথৌমচাশিং অমসুং মখোয়গী কোনুংশিং পুম্নমক বাঙ্গলা লৈপাক্কী শ্রীহট্ট/সীলেটতা হোংদোকহনখিরম্মী। অসুম্না পায়মা লৌশিঙ চাওবী তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা, কছাড়গী লৈমরেনগী খুজীন থৌরাংনা কছাড় লম পুম্নমক ডিমাসা নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র নরায়নগী মমিংদা অমুক হন্না খৃ: ১৮২৪ দা হঞ্জিল্লম্মী। অদুবু খৃ: ১৮২৪ সিগী ব্রাম্মা/বর্মীজ লান্মীশিংনা কছাড় লৈপাক্কী মায়কৈ অহুম (১) মৈত্রবাক - মেক্লেরোমদগী, (২) অসামগী পাৎকোই - চীঙশাংলোমদগী অমসুং (৩) জয়ন্তিয়ারোমগী কছাড়গী কোনুং খাসপুর কংলৈ তম্না লান্দাদুনা লান তকশিল্লক্লম্মী। হায়রিবা কছাড়দা লান্দাশিল্লকপসিগী অমসুং অৱা/ব্রাম্মা লৈপাক্কী আরাকান য়োমাগী লমদমশিং, রেঙ্গুন/য়াঙ্গোনগী কংলৈ লম, অসিনচিংবা ব্রাম্মা/ম্যান্মা মনুংগী লমদমশিংদা তৌনরি-থোক্লরিবা খৎন-চৈনবগী ঈরাংগী ফিবমশিংনা মরম ওইদুনা ভারতকী লৈঙাক্কী গোভর্নর- জেনরেল লোর্ড আমহষ্ট

(খৃ: ১৮২৩-২৮) না খৃ: ১৮২৪ গী মার্চ ৫ দা ব্রাম্মাগী লান তৌরে হায়না অহানবা এঙ্গলো-বর্মীজ ৱার [First Anglo-Burmese War (1824-26 A.D.)] লাউথোকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, অমসুং ডা: ল: চ:, ১৯৭০, ২০]। লানগী ফিবমসিদা কছাড়ী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রনা বৃটিশকী য়াননবা চত্তুনা মখোয়দগী থুপচফম লৌবা নত্তনা মৈতৈ নিংথৌ মচাশিংগুম, মরু ওইনা ঈবুংশীজ রাজা গম্ভীর সিংহগুম লান্দুদা লান শোক্লদুনা লানফম শরুক য়াবদি ঙল্লমদে। অদুবু মহাক্লা বৃটিশকী মখা থাবা লৈঙাকপা ওইনা চহি অমমমদা লুপা ১০,০০০/১০,০০০ (লীশিং তরা/তরা) পীন-থীননবগী য়ান-চে অমা ইনদুনা সাইন তৌনখি, মদুদি:-

... Whom were the British to recognize the king of Kachar? There were four claimants. After careful consideration decision was taken in favour of Govinda Chandra, and accordingly on the 6th March, 1824, the British signed a treaty with him at Badarpur following which Govinda Chandra, as tributory ruler agreed to pay Rs 10,000/- to the British annually. [D.D., 1969, 21]

অসিনি। হায়রিবা পূম্নমকসি এঙ্গলো-বর্মীজ ৱার, ১৮২৪ গী মনুংদা পাংথোকখিবনি। অসুম্না বৃটিশকী মতেং নৎলমদ্রবদি হিরম্বেশ্বর মশামক অমসুং কছাড়ী মীয়াম খ্বাইগী শাফররোয় হায়দুনা য়াম্লবা শেনফমসি লৈপাকসি (কছাড়) বু মপান লৈপাক অমসুং লৈপাক মচাশিং, মরু ওইনা মেক্লে নত্রগা মৈতৈ/মগলাই/মগের লৈপাক অমসুং মৈতৈনা পীরকপা চৈথা অমসুং শাফুশিংবু ঙাকথোক-কনথোক্লবা, ঙাক-শেনবগী মমল ওইনা পীখিবসিদা লৈমরেন ইন্দুপ্রভানসু অয়াবা পীখিবনি, নত্রবদি কছাড়ীশিং অসি বাঙ্গালীশিংগুম্না শাইদাং-য়ুমদাং-মী (Refugee) ওইহৌরগনি, হায়বসি লৈমরেনসিগী ৱাখল্লি।

বৃটিশ অমসুং ব্রম্মা/বর্মীজ অনিনা য়ান্দবৃগী য়ান-ৱারোল/ৱাফম সাইন তৌনখ্রবা মতুং, খৃ: ১৮২৬ কী ফেব্রুৱারী থা লোয়শিল্লকপা মতমদা হিরম্বরাজ গোবিন্দচন্দ্র অমসুং তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা মতৈ-মনাউ অনিসি শ্রীহট্টদা চৎলুবদগী খাসপুরদা হল্লক্লম্মী। নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রসি বৃটিশকী ঙাক-শেন মখাদা লৈজরবসু থিংগায়-য়ৈখায়বা কয়া লৈবনা মহাক্লা কছাড় লৈপাকপু মরা চেৎনা

লৈঙাকপা, মীয়াম খ্বাইবু ঈংনা- চীক্লা পালহনবা ঙল্লমদে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মহাক্কী শৌ/তীঙখং ওইনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ গম্ভীর সিংহ (খৃ: ১৮২৫-৩৪) অমসুং মমাঙগী মতমদা কছাড় লৈপাক্কী লান্মী লাঞ্জিংলেন-পুরেন (Chief of Army) ওইরম্বা তুলারাম কছাড়ীনা লৈরম্মী। মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহসি বৃটিশকী লৈঙাক-লুপ অমসুং লৈঙাকলোইশিংনা য়াম্না থাজবা, লুনা চান্না নীঙবা অমসুং ঈকাই খুম্নমা থম্বা নিংথৌনি। মহাক্না মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইরবা মতমদুদদি কছাড় লৈপাক্কী লমশিং লৌননবগী শরৌ অমসুং খুজীল-থৌরাং কয়া তৌরক্লম্মী। মদুশিংদুগী মরমদা পীবীরম্বা ৱাফম/ৱারোন্দি :-

Gambhir Singh had ruled over Cachar for six years (1818-24) .... As the ruler of Manipur he now began to formulate the plan of acquring Cachar. It was with this aim in view, since 1827 he pursued a policy of slow but study penitration into the area west of the river Barak which formed the boundary between Cachar and Manipur. He first occupied a tract inhabited by the Nagas. Then he forcibly occupied the tract known as Chandrapur. When Govinda Chandra appealed to the British against the aggression of Gambhir, Tucker, the Commissioner of Sylhet asked Gambhir Singh to withdraw from Chandrapur, Gambhir Singh in reply asserted his claims to the territory as an heir to his paternal possession which his father had received as he stated as a gift from Raja Krishna Chandra of Cachar. Govinda Chandra questioned the validity of this claim and Gambhir Singh could not furnish convincing evidence in support of his claim. At this Mr. Scott, the Agent to the Governor-General under the advice from the Supreme Government dismired the claims of Gambhir Singh on Chandrapur but in order to ally his wounded feeling assigned to him much against the wishes of Govinda Chandra fifty Kulbah (1 Kulbah = 0.5 acres) of land into the same tract for the establishment of a magazine and to quarter therein some labourers for conveying the stores to Manipur [ibid, 12].

অসিনি। মথক্তা হায়জরিবসিদি ঈনিংথৌ গম্ভীর সিংহগী অপাম্বা-অনীঙবগী চাং/থাক অদু নৎলমদে/ওইরমদে, অদুমকপু মহাক্কী খোঙদাফম য়ুন্ফম অমদি থোনবা হৌখ্রবনিনা ৱায়েন-ৱাখুনগী অচুম-অরান থিদনা বৃটিশ গোভর্নমেন্টনা বরাক তুরেনগী নোংচুপ থংবা তোবর্বানগী লমদমদগী মহাক্কী লৈপাক্কী/লমগী ঙমখৈ হোংহনগনি হায়বনচিংবা কিহনবদু থৌশা-ৱাশাদনা ঙারাকপীনা ঙা লুম্বগুম লুমদুনা খুদোংচাবা তাঞ্জা ঙাইদুনা কছাড়গী লম লৌশিন্নবা মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহনা ঙাইদুনা লৈরম্মী।

কছাড়গী লৈমরেন ইন্দুপ্রভা মপুরোইবগী থৌরম-থৌদোক, ৱাথোক-লানথোক্লচিংবা হিরম-ৱারম খুদিংমক্তা লোইনদুনা, থানদনা চৎমিন-লৈমিন্নদুনা পোরম-পোথাং অমসুং পোশীন-পোথম পুন্নমক তাক-খন্নদুনা অমসুং তাক্ল-তীক্লদুনা লৈমিন্নরম্মী। বৃটিশশিংগী মখাদা কছাড়সি প্রোটেক্তেদ ষ্টেট অমা ওইজরবসু লৈপাক মনুংগী য়েক্ল-য়েংথীনবশিংনা শান্নরিবা কুম্মৈশিং পুন্নমক ইন্দুপ্রভানা মপুরোইবগীদমক পাউ লৌরি, য়েংলি অমসুং থিংনবা পাম্বী থিরি। কছাড় লৈপাক মনুংগী অমসুং কছাড়ী মী-কাংলুপ মনুংগী খ্বাইদগী শাথীরবা য়েক্লবসি তুলারাম কছাড়ীসিনা হাইনা হুম্না, মনীঙ তৌদুনা পাল্লকপসি কুইরবনি (খৃ: ১৮১০/১৮১৩-২৮)। মহাক্না হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নরায়ননা নিংথৌ ফম্বাল খৃ: ১৮১৩ দা কাখিবগী চহিসিদগী নত্রগা মথংগী চহিদুদগী ফোঙনা লানহৌদুনা অৱাং কছাড়গী লমদমশিংসি মহী লাংহল্লগা মহাক্কী মশাগী ফিবম শেমখিরম্মী। অদুনা অৱা/ব্রাম্মাশিংনা কছাড়দা খৃ: ১৮২৪ দা লান্দারকপদসু অৱাশিংগী মতেং পাংদুনা অমসুং মীচঙদা লেপ্তুনা অৱাং কছাড়দা পাল্লকখিবনি, হায়সি লৈমরেন ইন্দুপ্রভানা লোয়নমক খঙলম্মী। অসুম্না তুলারাম কছাড়ীনা তৌরখিবা থবক থৌরমশিংগী মরমদা থন্বীরম্বা ৱারোলশিং খরদি :-

Govinda Chandra on his restoration began to treat Tularam as usurper and ridiculed him as the son of a slave girl. In retaliation Tularam repeatedly descended on the plain of Cachar and this causes so much panic that many of the riots: then fled away beyond the hills on the north. Having no power to repel these incursions Govinda Chandra appealed to the British Government for aid. Mr. Scott, the Agent to the

Governor-General, then personally came to Sylhet (June 1829) and succeeded in effecting a compromise. .... By the Agreement of July 28, 1829 Govinda Chandra undertook not to send any force to the area occupied by Tularam in default of which the former would forfeit claims of protection from the British Government against the aggression by the latter. At the same time Tularam was confirmed in his possessions on condition that he would refrain from further encroachment on Govinda Chandra's territory on violation of which he was threatened [ibid, 13].

অসিশিংসিনি। অসুম্না রাজা গম্ভীর সিংহ্ অমসুং কছাড়গী মমাঙগী মতমগী লান্মী লাঞ্জিংলেন-পুরেন তুলারাম কছাড়ী অনিসিনা মতম চুপ্পগী য়েক্লবা (Permanent enemy) ওইদুনা হিরম্বরাজ গোবিন্দচন্দ্র নরায়নবু ওৎলক-নৈরকপসিদা কছাড়গী লৈমরেন তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা নত্তনা কনা অমতা হিরম্বরাজসিগী ৱাতানফম-ৱাখন্নফম লৈরমদে।

ইন্দুপ্রভা লুখ্রা ওইহৌবা

কছাড়গী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র নরায়ননা কছাড় লৈপাকপু প্রোটেক্তেদ ষ্টেট ওইহনবগী বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কোম্পনীদা চহিগী লোইপোৎ ওইনা লুপা ১০,০০০/১০,০০০ (লীশীঙ তরা/তরা) থীবা/পীবসিগী শেনফমসি পুবা ঙম্লক্ত্রে। মসিগী শেন্দোন খর বৃটিশ গোভর্নমেন্টনা মচীনঙৈদা কোকপীখ্রবসু অসুম কোকপীদুনা লৈগদবা নত্তে। মরম অসিনা কছাড়গী নিংথৌসিনা মহাক্কী লৈপাক মীয়াম-খ্বাইদগী লন্থানমল (Land revenue/tax), লম্বী চৎমন, ঈশিং শোকমন, অসিনচিংবাগী মথক্তা অতৈ টেক্স (Tax) মখল কয়া মরুম হৌদোক্তুনা মহাক্কী চাগা (Income) হেনগৎহন্নবা হোৎনরম্মী। মসিনা মরম ওইদুনা মহাকসি লৈপাক/মীয়াম- খ্বাইনা পাম্নরক্তবা লৈঙাকপা/নিংথৌ হায়বদু ওইরক্লম্মী। অমরোমদা তুলারাম কছাড়ীনা মহাকপু (গোবিন্দচন্দ্রবু), মহাক্তি মীওৎ-মীনৈ খক্তা হৈবা নিংথৌনি, মহাক্কী মফম শিন্দোকপগী মতম ওইরে। কছাড়ী মীকাংলুপ-ফুরুপশিংগী মতীক চাবা নিংথৌ খন্নবগী অৱাংবা থাক্কী লুপ নত্রগা নিংথৌ-পোংবা (Cabinet Minister) ৪০ (নিফু) গী সেমফুঙশিং

(SEMPHUNGS) দা খন্নবগী মতম ওইরে হায়না তুলারাম কছাড়ীনা মকম্থী থোক্লা লাউরি। অসুম্না তৌরকপনা হায়রিবা সমফুঙ ৪০ (নিফু) সিনা বৃটিশকী লৈঙাক-লুপ্তা খৃ: ১৮২৯ গী মে থাদা নীজ-হায়জ ৱারোলগী চে(Request application or petition)-থারক্লম্মী। হায়রিবা নীজ-হায়জ' - ৱারোলসিনা নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রবু মরাল কয়াম শীদুনা নত্রগা পুথোক্তুনা নিংথৌ ওইবদা মতীক চাদ্রবনি হায়বদু উৎলম্মী [D.D., 1969, 14]। হায়রিবা হায়জ-নীজ ৱারোলগী চে অসিদা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কোম্পনী নত্রগা মসিগী লৈঙাক-লুপ্পা অহকপা মিৎয়েং থমদ্রবসু বৃটিশ ওফিসারশিং নত্রগা গোভর্নর-জেনরেলগী এজেন্ট ডেভিদ স্কোটনচিংবনদি কছাড় লৈপাকসি মতমদুগী বৃটিশ ভারতকী লৈপাকশিংদা তীনশিন-লৌশিনবদা লৈপাক মরা তপ্পা পুরক্লবা লম্বী ওইগনি হায়না থবক পায়খৎপা হৌরম্মী। হায়রিবা খুজীন-থৌরাংসিগী ওইখিবা থবক্কী পরীংগী মরমদা পীবীরম্বদি :-

..., Rather, Scott by this time was convinced that anneration was the only solution of the problem of Cachar. He met the Raja, and studying his mind he reported on July 1830: "I am led to believe that there would not be much difficulty in obtaining from him (Raja) the cession of Cachar in consideration of an adequate money payment and the assignment to him of a Jaigar where he might reside with security (on account of) the fear that haunted him of being murdered by his enemies and competitors for the Raj" [ibid, 15].

অসিনি। অসুম্না বৃটিশশিংনা কছাড় লৈপাকসিগী ভারতবর্ষদা লৈরিবা লৈপাকশিং নত্রগা লমশিং অদুদা তীনশিন-লৌশিন্নবা হোৎনরক্লম্মী।

গোবিন্দচন্দ্র হাৎখিবা

খৃ: ১৮৩০ দা বৃটিশ ওফিসারশিং লৌখৎলক্লিবা কছাড় লৈপাকপু মখোয়গী বৃটিশকী ভারত্তা লৈরিবা লমশিংদা তীনশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপসিদা মপা-মপুশিংগী হাক্তকশিংদগী মনীঙ তম্না নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা ওইজরকপদু

মহাক্কী মহাকথক অসিদা লোয়রেকো খল্লুবদা ওন্থোক্লা নুংঙাইতবা ফাওখি। অদুবু করম্মদি তৌগনি; পাঙ্গল, থৌনা, লন-থুম অমসুং মহাক্কী মীচঙ অমতা লৈত্রে, অদুনা অদুম তীনশিনখিবা তাবনি। অসুম্মা বৃটিশনা কছাড় লৌশিন্নবা হোৎনরিঙৈসিদা খৃ: ১৮৩০ সিগী এপ্রিল থাগী ২৪ থাঙজা নুমিত্তা কছাড়ী নিংথৌ হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নরায়ননা মহাক্কী ঈমুং-মনুংগী মীওইশিং কয়া মরুমগা লোইননা মহাক মশানা নৌনা শেমজবা অনৌবা কংলৈ হরিতিকার কৌবা লম/মফমদা মহাক্কী কোনুংদা শকখঙদবা মীওই খর চঙলক্তুনা নিংথৌ মশাগী কা মক্তদা লৈমরেন ইন্দুপ্রভা লৈনা লৈনা থাঙনা য়ান্দুনা হাৎখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১৫]। মহাক (গোবিন্দচন্দ্র নরায়ন) পু হাৎখিবসি পোইরৈ মৈত্রবাক্কী নিংথৌ মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বা নত্রগা নিংথৌ গম্ভীর সিংহনা শীন্দুনা নিংথৌখোংজা প্রেমানন্দ পোইলা (Captain) না লুচিংবা মৈতৈ সিফাই ৫০ (য়াংখৈ) গী লুপনা কছাড়ী মীওই কয়া মরুম (কছাড়ী/ডিমাসা অঙম- অথৌশিং খর, নিংথৌ কোনুং ঙাক্লি-শঙলিবশিং কয়া, অসিনচিংবা) গা লৌতুনদুনা শরৌ শীন্নরগা মহাক (গম্ভীর সিংহ) কী মীশিং মৈত্রবাক্তগী থারক্তুনা হাৎহনখিবনি। কছাড়ী নিংথৌ হাৎখিবগী মীহাৎ অসিগী মরমদা বৃটিশশিংনা থিগৎপা অমসুং থিজিন-হুমজিনবদা মৈতৈ নিংথৌ গম্ভীর সিংহগী অরোনবা খুজীন-থৌরাংনি হায়না চিংনবদগী হেন্দুনা খুদম-চাংদম ফাওবা ফংখিরম্মী। অদুবু মতমদুগী লৈনরিবা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ অমসুং সীলেট বৃটিশ হেডকার্টসগী বৃটিশ ওফিসারশিং (মরু ওইনা, ডেভিদ স্কোটনচিংবা) গী মরক্তা লৈনরিবা লৈঙাক্লোনগী অচেৎপা মরীনা ফোঙদোকপা য়াদদুনা নমশিন্দুনা থমখিবনি। হিরম্বা নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র নরায়না মশাগী ফম্মুংদা ফল্লিঙৈদা হকথেংননা থাঙনা য়াল্লিবা মীশকসি মৈতৈ সিফাই নিংথৌখোংজম পূর্ণ সিং কৌবা, থবক শিন্নরিবা সিফাই ৫০ (য়াংখৈ) সিগী লুচিং-লাঞ্জিংদুনা য়াথং থাবা (Command) পোইলা নিংথৌখোংজা প্রেমানন্দগী ময়াম্বনি - হায়বসি মখোয় বৃটিশশিংনা খঙখিদ্রবসু মৈতৈ নিংথৌদি খঙলম্মী। অদুবু তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা কছাড় লৈপাক্কী লৈমরেন্নদি মৈতৈনি হায়বদি খঙলগা তাঙদাংবা মশক-মমিংদি খঙবা ঙম্লমদে, মরমদি মহাক্লা মৈত্রবাক থাদোক্লকপসি চহি ২৭-২৮ (কুনতরেৎ/কুননিপান) শুরে, মহাক মশাগী চহিনা ৪১/৪২ (নিফুমাথোই/নিফুনিথোই) শুরে। অসুম্মা তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা, কছাড় লৈপাক্কী লৈমরেন (Chief queen) সি মশাগী চহি ৪২ দা লুখ্রা শীঙদা

চনহৌখি। মহাক্কী মবুকথোক্কী মপারী-মমোম অমতা মপুরোইবগী মফমদগী ফংজহৌদে, অদুনা মহাক্না মপুরোইবদা হায়জদুনা য়াথং লৌরগা মচাঈবুংঙো অমা য়োকচহৌখিরম্মী।

কছাড়গী নিংথৌ ফম্বালগী হক তানবদা লৈমরেন ইন্দুপ্রভা

খৃ: ১৮৩০ গী এপ্রিল থাগী ২৪ নি থাঙজা নুমিত্তা ডিমাসা লৈপাক কছাড়গী নিংথৌ হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নরায়ননা তাইবং মপুগী খুৎয়া তানখ্রবদা কছাড়গী লৈপাক ঙাকপগী থবক অমসুং থৌদাংদি বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কোম্পনী গোভর্নর-জেনরেল লোর্ড ৱিল্লিয়ম বেন্টিঙ্ক [Lord William Bentinck (1828-35 A.D.)] না য়াথং পীদুনা চহিসিগী জুন ৩০ দগী লেফটেনেন্ট ফিশর (Lieutenent Fisher) দা শিন্নদুনা থল্লি। অদুগা হাঙলিবা কছাড় নিংথৌ ফম্বালগী ফম অসি মেনশিন্নবা, হাপ্পবা-খননবগী মরমদা খন্ন-নৈনবগী থবকশিং বৃটিশশিংনা লৌখৎলম্মী। নিংথৌ ফম্বালসিগী হক তাল্লিবা-তাল্লিবী, মখল-মখা য়াম্লবা মীওইশিং অসিগী মরক্তগী/মনুংদগী খন্দোক-লৌথোকপা য়াবা মখৈ খন্দোকখ্রবা মতুংদা লৈহৌরিবা-লেমহৌরিবা, হক ফংবা য়াবা মীশকশিংসি মখোয় ৩ (অহুম) খল্লি, মখোয়দুদি :- (১) কছাড় লৈপাক্কী লৈমরেন ওইরম্বী তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা, (২) কছাড় লৈপাক্কী মমাঙগী মতম অমদা লান্মীগী লাঞ্জিংলেন পুরেন (Chief of Army) ওইরম্বা তুলারাম কছাড়ী অমসুং (৩) মমাঙগী কছাড় লৈপাক্কী লাঞ্জিংলেন-পুরেন তুলারাম কছাড়ীগী মতুংদা ফম অসিমক ওইরম্বা অমসুং কছাড় লৈপাক্কী শরুক অম (তিলাইন চীঙশাংগী নোংচুপ থংবদা লৈবা লমদমশিং) গী চহি তরুক (খৃ: ১৮১৮-২৪) চুপ্পা নিংথৌ ওইরম্লবা মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ - অসিশিংসিনি। মখোয় অমমমগী ৱাকৎশিং অমসুং মখোয়গী মরমশিংদা বৃটিশ লৈঙাক-লুপকী লৈঙাকলোইশিং অমসুং লোইশঙলোইশিংনা মমুৎ তানা খন্ন-নৈনরগা লৌরকপা ৱারেপশিংগী লমদাংদা পীবীরম্বা ৱাফমশিংগী ৱারোল্দি :-

Induprabha prayed to the East India company to confirm her in her hereditary possessions; Tularam came down from the hills and formally claimed the throne as a descendent, and Gambhir Singh instead of raising any legal claim,

proposed that Cachar be formed out to him for a period of twenty years in return for an annual revenue of rupees fifteen thousand.

The claim of the queen was half-heartedly supported by Scott. He recommended the authorities to grant her the territory on a zamindari basis. He made the recommendation in anticipation that the queen who was already advanced in age would not survive long and that after her death the estate would escheat to the British Government. But Cracroft, the officiating Agent to the Governor-General opposed the proposal on the ground that the queen would not be acceptable to the people, particularly the immigrant Hindu, as they were very unhappy with her remarriage with Govinda Chandra.

In the like manner Cracroft dismissed the claim of Tularam. According to him Tularam would not acceptable to the people of the plain because of his low origin. The demand of the Semphungs to leave the matter with them was not considered...

Gambhir Singh's proposal to farm out Cachar to him in return for an annual revenue of Rs. 15,000/ was very strongly supported by Major Grant, the Commissioner at Manipur on the ground that this arrangement would "provide him (Gambhir Singh) with sufficient means to build up a stable and efficient Government so indispensably necessary for the security of the north-east frontier". and also that it would offer chances assimilation of the two people of Cachar and Manipur who had been warring all along with each other". This proposal was stoutly resisted by the authorities of Cachar.

The officiating Agent Cracroft also opposed the proposal of Grant. So violent was the reaction of the proposal on him that he remarked - "It would be better to make him (Gambhir Singh) a present of Rs. 15,000/- than to admit him (into Cachar). Cracroft wanted immediate annexation of Cachar [ibid, 15-16].

অসিশিংসিনি। অসুম্না নিংথৌ ফম্বালগী তাল্লিবশিংসিদা য়াওরিবা তুলারাম কছাড়ীসি মথক্তা পঞ্জখিবা হিরম্বেশ্বর কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ননা খৃ: ১৮১৩ দা নোঙ্গাখিবা মতমদা নিংথৌসিগী লৈমা ১৩ (তরাহুমদোই) গী মনুংদগী অমনা পুক্তা পুদুনা অৰাং থংবা কছাড়গী লমদমদা লোৎখিবা অঙাং নিংথৌমচা অদুনি হায়না মপাগী মরন-মথুমগী ফংফম থোকপা হক তাল্লক্লিবনি। অদুবু অসিগুম্বা হক তাল্লিবশিং অসিদগী অতৈ পুম্নমক অসিবু ককথৎলগা কছাড় লৈপাকসিবু বৃটিশ ওফিসারশিং অসিনা খৃ: ১৮৩২ গী আগষ্টকী ১৪ দা বৃটিশ ইন্দিয়াগী লমশিংদা নমফু-হাফু তৌদুনা নমদুনা তীনশিনখিরম্মী। অদুগা মপুরোইবনা কছাড় লৈপাক্কী মপু ওইনা লৈরম্বগী ফংফম থোকপা মপুরোইবগী তাল্লোইশিং অমসুং মরী মতাশিং ওইরম্বগী ওইনা লৈমরেন ইন্দুপ্রভানচিংবা লুখ্রাশিং অমসুং অনকপা মরী-মতাশিংদা লন-থুমগী হক্কী ওইবা ৰাফমদি :-

Cash allowances and rent free grants of the total value of Rs 3875.00 (Rupees three thousand eight hundred seventy five) were granted to the widows and near relations of the late Raja [ibid, 16].

অসিনি। অদুগা কছাড় লৈপাকসি লৈঙাকপগী থবকশিং অসিশিংনা লেফটেনেন্ট ফিশরদা খৃ: ১৮৩৩ দা মহাক্কী লৈঙাকপগী ফম্বী-লৈকোক/ হেডক্বার্টর্সসি ডুদপুৎলি (Dudputli)দা লীংখত্তুনা চখৎরকপদগী সিলচর কংলৈ (Silchar town) দা হেডক্বার্টর্সদু থুনমক হোংলক্তুনা লৈহনখি [ibid, 16]।

কছাড় বৃটিশনা লৌশিনখ্রবদা লৈমরেন ৰাংঙম্লোন ইন্দুপ্রভা

তম্ফা ৰাংঙম্লোন ইন্দুপ্রভা, কছাড় লৈপাক্কী লৈমরেন ওইনা মপুরোইবা লৈখিদ্রবা খৃ: ১৮৩০গী এপ্রিল ২৪গী মতুংদা মপুরোইবনা বৃটিশকা তৌনরম্বা য়ান-ৰাফমশিংদু চৎনদ্রবদা মহাক্না করি তৌরগা মহাক মশা, মচাঈবুংঙো অমসুং মহাক্কী ঈমুং- মনুংগী য়াইফগদগে অমসুং শাফগদগে হায়বসি মুন্না খল্লম্মী। মপুরোইবগা বৃটিশশিংগা য়ানখিবা ৰাফমশিং অদুগী সাইন তৌনখিবা চে অদুগী চেরোলশিংদি :-

Anglo-Cachaar Treaty, Budderpore, 1825

Treaty concluded between David Scott, Esquire, Agent to the Governor-General on the part of the Honourable East India Company and Rajah Gobin Chunder Naryan, of Cachar or Herumba, 1825.

Article 1. Rajah Gobin Chunder, for himself and his successors acknowledges allegiance to the Honourable Company and places his territory of Cachar or Herumba, under their protection.

Article 2. The internal government of the country shall be conducted by the Rajah, and the jurisdiction of the British courts of justice shall not extend there; but the Rajah agree to attend at all times to the advice offered for the welfare of his subjects by the Governor-General, and agreeably thereto to rectify any abuses that may arise in the administration of affairs.

Article 3. The Honourable Company engages to protect the territories of Cachar from external enemies and arbitrate any differences that may arise between the Rajah and other States. The Rajah agrees to abide by such arbitration and to hold no correspondence or communication with foreign powers except through the channel of the British Government.

Article 4. In consideration of the aid promised by the above article and other circumstances the Rajah agrees to pay to the Honourable Company, from the beginning of the year 1232 B.S. an annual tribute of ten thousand sicca rupees and the Honourable engage to provide for the maintenance of the Manipoorean chiefs lately occupying Cachar.

Article 5. If the Rajah should fail in the performance of the above article, the Honourable Company will be at liberty to occupy and attach, in perpeliuty to their other possessions,

a sufficient tract of the Cachar country to provide for the future realisation of the tribute.

Article 6. The Rajah agrees in concert with the British local Authorities to adopt all measures that may be necessary for the maintenance, in the district Sylhet of the arrangements. Executed at Budderpore, this 6th day of March 1824, corresponding with the 24th of Fagoon 1230 B.S.

Sd/- D. Scott
Agent to the Governor-General
(No. XLI)
[Vol. II Treaties, Engagements and Sanads]
[N.N.A., 1983, 160-61]

অসিশিংসিনি। অসিনা মখোয়গী লোইপোৎ চহিগী লুপা ১০,০০০/১০,০০০ পীবা ঙমদবদগী কছাড় লৈপাকসি লৌখ্রিবনি। মহাক্না মপুরোইবগী ফম্বাল মহুৎ শিনবা খনবগী ৱাফমদা য়াওদুনা হোৎনরুবসু বৃটিশশিংনা কছাড় লৌশিনবগী য়াথং লাউথোকপগা লোইননা শেন-থুমগী ৱাফম খৃ: ১৮৩২ গী আগষ্ট ১৪ দা লাউথোক্লগা শেনফমদু পীথোক্লগা লোয়শিনখ্রে। অদুগা তুলারাম কছাড়ীনা পানবা কছাড় তম্পাক্নী লম সেন্ট্রেল কছাড় (Central Cachar) সু খৃ: ১৮৩৪ দা বৃটিশনা লৌশিনখি, মদুদি :-

In the hilly tract of North Cachar and Mikir Hills Tularam Senapati had carved out a principality for himself. Govinda Chandra was induced to agree to Tularam's rule there... . In 1834 the plains portion of his principality known as Central Cachar was annexed to the Company's dominion and over the rest of the hilly tracts... [M.B., 1979, 22]

অসিনি। অসুম্না কছাড় পুম্নমক লৌশিনখ্রবদা অমসুং লৌশিনবদুদা কছাড়গী মায়কৈদা ইন্দুপ্রভাবু লৌশিন-তীনশিনখিবা য়াবগী সাইনসি লুচিংবী/লৈমরেন ওইনা তৌহনখি। মসি মতুংদগীদি মপুরোইবা হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্রনা শেমগৎলম্বা

কংলৈ হরিতিকারদা শাবীরম্না কোনুংগী শঙ্গায়দা পুন্সি লেল্লম্মী। মচাঙ্গীবুংঙো অমসুং মমৌনুপী তাকপী-তম্বীদুনা অমদি কোনুংগী মনাইশিং থৌদাদুনা লৈরম্মী।

মৈত্রবাক্তা ইন্দুপ্রভানা কোয়রকপা

খৃ: ১৮৪৪ গী চহিসিদা মৈত্রবাক্তা মৈদিংঙু নরসিংহ অঙম-অথৌশিং অমসুং লৈঙাক- থৌগায় পুবা লৈঙাকলোইশিংনা হায়জবদগী মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বাল, ফেব্রুৱারী ৮ শগোনশেন নুমিত্তা কাখিরম্মী। ঐখোয়গী ইনিংথৌ নুংশিখিবসিনা নিংথৌ ওইবগী পাউসি তাবদা তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা খৃ: ১৮৪৪ সিদা মশাগী চহি ৫৬ (য়াংখৈ তরুক) শুরবীসিনা মপাম লমদম মৈত্রবাক্তা চৎনীঙলকখিরম্মী। কনা অমতদদি হায়দোক্ত্রি, শোয়দনা চৎকে হায়নদি লেপ্লে। অদুবু মতম্নদি অসুম অসুম হৌজিনখিদুনা চহি ৪ (মরি) রোমগী মতম হৌখ্রে। মতমদুদা মহাক্কী মচাঙ্গীবুংঙোদা হায়দুনা থৌরাং পুন্নমক তৌরে। কছাড়গী লৈমরেনসি মশাগী চহি ৬০ (হুম্ফু) য়ৌরবনিনা কছাড়গী হরিতিকার কোনুংদগী মৈত্রবাক্কী কোনুং কংলা য়ৌবগী লমশাংসি দোলাই তোংদুনা চৎকদৌরিবনি। অদুনা চান-থক্লবা, থৌগল-লাংগন তৌনবা, পোৎ-চৈ পুনবা, অসিনচিংবগী মীশিং থৌরাং তৌদুনা মী ১০০ (চামা) রোম পুন্না কছাড়গী কোনুং থাদোক্তুনা খৃ: ১৮৪৯ গী জানুৱারী অরোয়বা থাখায়দা মৈত্রবাক তম্না লাক্লম্মী। মখোয়না মৈত্রবাক্তা, কংলাদা ফেব্রুৱারী ১৪ দা থুংলরম্মী। মখোয়না থোক্লকপগী ৱাফমসি ৱাহৌ-শৈহৌগী অনিশুবা ৱারোল মতেক্তা য়াওখ্রে, মদুদা য়েংবীয়ু। মহাক্না মৈত্রপাক্তা থোক্লক্লিবসি মশাগী চহি ৬১ (হুম্ফুমাথোই) শুরবসিদা লৈপাকসি থাদোক্তুনা ময়ুম পানখিবা চহি ৪৭ (নিফুতরেৎ) শুরবসিগী মনুংদা নোংমতসু লাকখি-য়ৌরকখিদবদুগী উননীঙ-উনীঙবশিং, চামিন-থকমিন্ননীঙবশিং, উন-তীন্নবগী থবকশিংগা লোইননা মচানুপাবু মতোনশী মৈতৈ নিংথৌ লৈরেন নোংলেন শেন্ত্রেং মনিক খোম্ব [নরসিংহ (খৃ: ১৮৪৪-৫০] গী মফমদগী লাইমিং লৌবীগে হায়বগী পান্দমসু থম্লম্মী। অদুনা মহাক্না মতোনশীজ নিংথৌরেন্দা হঙ্গৎচদুনা ময়াং নিংথৌমচা (মহাক্কী মচানুপা) দুগী লাইমিং পীহনখি অমসুং মসিগী মমাঙদা ময়াং নিংথৌমচাসিগী অশেংবা লংহুম-লংজা (নগুন = Sacred thread) থাংবগী থৌরমসু পাংথোকখি [হায়রিবশিংসি ৱাহৌ-শৈহৌগী লাইরিক্তগী লৌথোক্লবা ২ শুবা ৱারেং মতেক্তা য়াওখ্রে, মদুদা য়েংবীয়ু]।

কছাড়ী লৈমরেন মৈতৈ চনু ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাসিনা ময়াং লৈবাক কছাড়গী কোনুংদা খুবম য়াদুনা লাংপা মৈতৈ উমংলাই লাইয়িংথৌ সনামহী অমসুং লাইয়িংথৌ পাখংবগী খুবমদগী লাই অনিসিগী থৱাই-মিরেনশিং পুরক্নুনা কংলাদা লৈবা মখোয়গী খুবমশিংদা তীনহনখি [চৈথা: কুম:, ২০০৫-২৯০]। মহাক মৈত্রবাক্তা থা অমগা নুমিৎ কুননি (ফেব্রু: ১৪ দগী এপ্রিল ৩ ফাওবা) লৈরম্লগা কছাড়দা অমুক হনখি [মথক্কীসিদা, ২৯১]। মহাক্না হনখিগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈ নিংথৌকাবা নুমিত্তা মহাক্না কৈথেন্দা থোক্নুনা শেল চায়রম্মী। অদুগা মহাক্না মপাম লৈপাক মৈত্রবাক থাদোক্নুনা চৎলমদায়দা মৈদিংঙু নিংথৌনা শগোল, শামু, ঈরোই, শলনচিংবা অওঙ-অউনগী পোৎলম-চৈরমশিং মশীঙ শুনা পীবীখি। মহাক মৈত্রবাক থাদোক্নুনা খৃ: ১৮৪৯ সিগী এপ্রিল ৩, লৈপাকপোকপা নুমিত্তা মরৈপাক কছাড়দা মহাক্না লোইরকপা পুম্নমক্কা অমুক লোইনখিদুনা হনখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২৯১]।

ৱাংঙল্লোন ইন্দুপ্রভা নোঙ্গাবা

তম্ফা ৱাংঙল্লোন ইন্দুপ্রভা কছাড় লৈপাক্কী লৈমরেনসিনা মৈত্রবাক্তা লাক্লম্লগা কছাড়দা অমুক হন্না হনখিবসি মশাগী চহি ৬১ (হুম্ফুমাথোই) শুখ্রবনি। মহাক্না মহাক্কী মরৈবাক কছাড় য়ৌরগা মপুরোইবনা লীংখৎলম্বা কংলৈ হরিতিকর অমসুং মসি কোনুংদা থুংলগা করম্না পুন্সি লেল্লম্বগে হায়বসিগী পাউ অমতা ফংজবা ঙমজদে। মশাগী চহি ৬০-৬১ দা লমশাং চৎপা (দোলাইদা তোংদুনা চৎলবসু) ঙল্লিবা, চীঙলক্কী লম্বী মাইল চামা, কিলোমিটর ১৬০ রোমগী অকা-অকুম, থেক্কোয়-থেক্কোয়বনচিংবা লম্বী মতেক-মতেকশিং য়াওবদুদা চৎপা ঙল্লিবদুনদি মশাগী হকচাং মনুং শেংলি, লাইনা-তীন্না চেন্দে হায়বনি। অদুনদি হান্নগী চহিসিগী মথক্তা চহি ১০ (তরা) রোম হেন্না পুন্সিবা য়ারি। অদুনদি তম্ফা ৱাংঙল্লোন ইন্দুপ্রভাসি মশাগী চহি ৭০ (হুম্ফুদা) খৃ: ১৮৫৮ লোম ফাওবদি হিংলম্বা য়ারি। অদুবু মহাক্না নোঙ্গাখিবগী অশেংবা কুমশীঙ অমসুং মশাগী চহিদি খঙবা ঙমজদে, ঈ-পাউ অমতা লৈতে।

ৱাখোম-ৱারোয়

তম্ফা ৱাংঙল্লোন ইন্দুপ্রভা, কছাড়ী নিংথৌগী লৈমা (খৃ: ১৮০৩-১৩) অমসুং লৈমরেন (খৃ: ১৮১৩-৩০/৩২) সি ডিমাসা/কছাড়ী লৈপাক, কছাড়/হিরম্বা

লৈপাক্কী লৈঙাক্লোনগী, খুন্নাইলোনগী অমসুং শেনবা-থুম্বারোন/শেন্দান-শেনচৎলোনগী লমদাংশিংদা প্র-আর কোরোসারীশিংগী মনীঙ-মখা তম্বগী নুমিৎ তারকপা মতমগী মল্লি-মল্লি তৌরকপা তাঞ্জাদা মৈরা ওইনা ঙাল্লম্বী শক্তম অমনি। মহাক্কী লৈঙাক্লোন্দা ওইখিবা শকফম/শক্তমসি নুমিৎ তাথরক্কুনা য়াচঙলক্লবদা কছাড় লৈপাক অমসুং কছাড়ী খুন্নাইগী লেমজনীঙঙাই ওইরবা শকফম/শক্তম্নি। মহাকসি শারেপ-শাবান ফজবী, চুঙ-ফিরান চাবী, মায়থোং থাজগুম ঙানবী, চেংলৌ-শকহেনবীনি। মহাক্কী অৱাৎপা হায়ববু মহাক্না মপুরোইবা অনিমক্কী মপারী মমোম অমতগী মমা ওইবা ফংখিদবা অসিখক্তনি। অদুবু মহাক্কী থম্মোইনা খোয়দাজরবা মপুরোইবনা য়াবীরম্বগী [D.D., 1969, 14] মতুং ইন্না পুন্সিগী থেংথরক্লবা মতমদা য়োকচবা মচা (Adopted son) ওইনা মচানুপা/মপারী অমা ফংজখিরম্মী। মহাক্না য়োকচবা মচানুপাসি কনাগুম্বা কছাড়ী নিংথৌ শাগৈগী মীওই নত্রগা নক্লবা মরী-মতা অমা নত্রগা অঙম-অথৌ নত্রগা অচৌ-অশাং অমদগী ফংজরমগনি।

কছাড়ী লৈমরেন, মৈতৈ নিংথেমচা শাগৈশিংগী মনুংদগী কর্ত্তা ফুরুপ/শাগৈগী নিংঙোনসিনা নিংথেমচা শাগৈসিগী নরসিংহ শাগৈ নত্রগা সেনাপতি ময়ুমগী মিংলৌ-মিংথোনফম ওইরিবা মৈদিংঙু নরসিংগী সনা হাক্তক্তা মৈত্রবাক্তা থোক্লক্তুনা মচা ময়াং নিংথৌমচাগী লংজা লংহুম (Sacred thread) থাংলবা অমসুং লাইমিং লৌরবা (Initiation) সি মৈত্রবাক্কী চাওথোকচনীঙঙাই ওইবদা নত্তনা কছাড়ী/ডিমাসা মী-কাংলুপ অমসুং মৈতৈ মী-কাংলুপ, কাংলুপ অনিসিগী মরক্তা লোন্দীন্নবা লৈমিন্নরম্বগী খুদম-চাংদম অমনি।

তম্ফা ৱাংঙমলোনসিনা মপ্পা ঈবুংঙো ঈবুংশী য়ুমজাও তাবা (পীতম্বর সিংহ) বু কছাড়গী কোনুং খাসপুর লৈহল্লম্বদগী অৱা/প্রাম্মাগী মখুত্তা খাঙবা ঙমদদুনা লৈপাক কায়রগা চহি তরেৎ খুন্তাকপ [Seven Years' Devastation (1819-25 AD)] গী মতমদা মপ্পা ঈবুংঙোবু মতোনগী মৈদিংঙু চৌরজিৎকী মফমদা থাদুনা মৈত্রবাক কন্নবগী মতাংদসু তম্ফা ৱাংঙমলোনসিনা ঙমজবা শরুক য়ারকখিবীনি। অদুবু মপ্পা ঈবুংঙোসিনা খৃ: ১৮২০ গী মতমদা মৈদিংঙু চৌরজিৎনা বৃটিশকী থৌরাং-থৌশীন্দা মৈত্রবাকপু কন্নবগী খুজীন্দা মনাউ ঈবুংঙো ঈবুংশীজ/রাজা গম্ভীর সিংহগী মফমদা মায়থীরদুনা অনীঙবা-অপাম্বা ফংদ্র-ওইদ্রবা মতমদা ঈবুং

শীজ য়ুমজাও তাববু অমুক ঈবুংশীজ গম্ভীর সিংহগী মায়কৈদা পুরকখিবসু মহাক্ন নি। অদুবু ঈবুংশীজ য়ুমজাও তাবসিনা নিংথৌমচা ওইবগী নিংথৌ ফম্বাল অমুক্তং ফংহৌরবদি হায়বা ৱাখলসিদা মিৎয়েং থম্লুবনা মপুন্সি চুপ্পা অৱা লৈপাক্তা লেনখ্রিবনি। অসুম্না মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোনগী চিরবা অমসুং লুরবা মতম অমসুং তাঞ্জাদা কছাড়গীদা নত্তনা মিকুপ খরদংদা ওইরবসু ঙাল্লম্বীনি। মহাক কছাড়গী হরিতিকার কোনুংদা মতমগী খয়াত্তা তাদুনা খৃ: ১৮৫০ গী মতুংদা পাৱারী-পুৱারীগী লারোন মনুংদা চঙদুনা তেংবানবগী পুন্সিদগী পোথাখিরম্মী।

খয়োঙ্গীরোন প্রেমময়ী মহারাণী

ৱাহৌদোক

.... ককচীঙ লৈরেনগী কুম শক ১৮৪৮... ৱাকচীঙ থা... ৫ নি থাঙজা (চৈচৎ ৮।১।১৯২৬ ইং) নুমিৎকী অহিং নোংঙাল্লাইতম য়ুথক মতুং পুঙ ১ তাবা মতমদা শ্রীসুরচন্দ্র নিংথেম অহন, শ্রীকৌবা চীঙলেন লান্থাবগী মহারাণী ওইরম্বী, মৈত্রৈমা ঙাংবমচনু প্রেমময়ী, লৈরি লৈশংখোম্বী, শ্রীবৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখিএ। মৈত্রৈমা মহারাণীগী হৌনবী কাইরেন-কাইজাও, কু শন্দুকতা সনা লাঙ্ড্রা তোপ্পা স্নাপে অঙৌবা, অনুৱার, অসি খিবীক থাএ। বেঙ্গুল বঝাই য়ৈএ, নোংমৈদি সংস্কার তৌরিঙৈদা সরকারনা তোপ ১১ রক কাপ্লেএ। মফমদি জন্মস্থানগী চীথেক, কৌব্রু পাংবা মোংবাহনবা উমংগী ৱাংমদা... [চৈথা: কুম:, ২০১৫, ৩২৮]।

মথক্কী চৈথারোল কুম্বাবা কৌবা পুয়া লাইরিক্তগী লৌথোক-শক্তোকচরক্তুনা থমজরিবা ৱারেং মতেক অসিদা নোঙ্গাখি হায়দুনা পল্লিবী "মৈত্রৈমা ঙাংবমচনু প্রেমময়ী, লৈরী লৈশংখোম্বী" হায়রিবসি মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু সুরচন্দ্র (খৃষ্টগী কুমশীঙ ১৮৮৬-৯০), ফম্বাল মিংলেন্না কৌবা চীঙলেন লান্থাবা কৌবগী তাল্লোই অহন মৈতৈলৈমগী ফমথোন ওইবীনি হায়বসি মথক্কী ৱারোলসিদা অদুম্মক তাকচদুনা য়াওরি। মহাকসি মৈত্রবাক্কী অথেংবা মতমগী পাৱারী-পুৱারীদা

মমিং-মথা পন্দনা থন্লিবী পাৰারী-পুৰারীগী থৌদোক-ৱাথোকশিংদা শীঙথাবা য়াবী, মপুরোইবা নীঙবী মৈতৈচনু অমনি।

মপা-মমা অমসুং পোকফম-শাৎফম

খয়োঈরোন প্রেমময়ী, মৈদিংঙু সুরচন্দ্র, মৈতৈ নিংথৌরেনগী মৈতৈলৈমসিগী অহানবা থোনবা অমসুং ময়ুমদা কৌনবা মমিংদি "ঙাংবমচনু লৈহাও" হায়বা মিংসিনি। মহাক্কী অপোকপা পন্থৌ মপাসি মতমদুগী ঙাংবম কোল্লুপ ঙাংবম খোংনাং মখোঙ (ঙাংবম খোংনাংখোঙ) কৌবা কবো লৈকায়গী খা-নোংচুপকী পঞ্জীন/মচীন্দা লৈবা ঈংখোন (হৌজিক্কী মণিপুর ডান্স একাডমী, ইম্ফালগী ওফিস বিল্ডিং-কম-হোল লৈরিবা মফম অমসুং মসিগী অকোয়বগী লম) দুদা লৈবা ঙাংবম শাগৈগী নুপা অমনি। মহাক্কী মচানুপী লৈহাউ নত্রগা প্রেমময়ীসি মৈদিংঙু নাউজীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা [সনাহল, নিংথেমপীশক, চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ, ঈশ্বর সিংহ (খৃ: কুম:, ১৮৩৪-৪৪ অমসুং ১৮৫০-৮৬] গী মচাঈবুংঙো অহন ৱাঙ্গোন নিংথৌদা খৃষ্টগী কুম ১৮৬৭ তা থাজদুনা লুহোংলবা মতুংদা মহাক মৈত্রবাক্কী সিফাই লাম্মী মণিপুর লেভীগী মেজর (Major) ফম ফংখি। ফম অসি ফংবগা মৈদিংঙুনা মহাকপু মৈত্রবাক মণিপুরগী ৱাংমদা বৃটিশকী লমদা লৈবা পোলিটিকেল এজেন্ট (Political Agent) ওইনা কলিকটা (হৌজিক্কী কোলকতা) গী বৃটিশ হেডক্কার্টর্সতা লৈরুনবা খৃ: কুম: ১৮৬৮ গী ডিসেম্বর থাদা থাখি [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৩৬৭]। মহাক কলকটাদা মতম য়াম্না শাংনা লৈরম্মী।

ঙাংবম মেজরসিনা কলকটাদা বৃটিশ ভারত অমসুং মৈত্রবাক মণিপুর অনিগী লৈঙাকলোনগী লাংদাই ওইনবা থবক- থৌরমশিং তৌদুনা লৈরিঙৈদা কলকটাদা লম নত্রগা ঈংখোন অমা লৈরগা ময়ুম-মকৈ শারগা লৈরম্মী হায়বা য়ুম-ঈংখোলদুগী লৈফমদি কলকটাগী মনিকতলা রোড, কাঁকরগাছী কৌবা মফমদনি [রা: ক: স: বি:, ১৯৭৩, ১৫]। মফমসি কোন্নদি মৈতৈলৈমা প্রেমময়ীগী ময়ুম-ঈংখোল ওইনা হায়রকখি অমসুং মসিদা লৈরগা ফম তারবা মৈতৈ নিংথৌ সুরচন্দ্রনা খৃ: কুম: ১৮৯০ দা নিংথৌ খুবম হঞ্জিন্নবা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী ওথোরিটিদা চে থাদুনা ৱানোমখ্রিবা অমসুং খৃ: কুম: ১৮৯১ গী ডিসেম্বর ২ (শক ১৮১৩ গী পোইনু নোংমা পানবা) য়ুমশকৈশ নুমিত্তা তাইবংপান থাদোক্কুনা

নোঙ্গাখ্রিবসি [মথক্কীসিদা, ৫০৬]। ঙাংবম মেজর অসিগী মতুংদা মণিপুরগী কলকটাদা লৈবা পোলিটিকেল এজেন্টকী ফম অসি অসেম গোপাল সিংহ মেজরনা শিলহৌখি অমসুং অসেম গোপালনা খৃ: কুম: ১৮৯১ ফাওবা লৈরম্মী [রা: কু: স: বি:, ১৯৭৩, ১৯০]।

খয়োঙ্গৈরোন ঙাংবমচনু প্রেমময়ী নত্রগা লৈহাও ঙাংবম খোংনাংখোঙগী কবো লৈকায়গী শম্লোঙগী পঞ্জীন্দা লৈরিবা ঙাংবমগী ঈংখোলদা খৃষ্ট কুমশীঙ ১৮৫৩ দা মালেম তাইবংপান ফাওরকখি। মপা-মমানা ফংজবা মচার্শিংগী মরক্তা খ্বাইদগী অহনবী ওইবনা খ্বাইনা লুনা-চান্না অমসুং নুংশিনা তৌরম্মী। মহাক্কী অপোকপা পম্লৌসি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ মহারাজগী থাজনীঙঙাই ওইরবা মদাইরেম অমনি অমদি মহাক্লসু মহারাজ অসিবু থৱাই-হকচাং য়াওনা নীঙজবা মীশক অমনি। মহাক মতমদুগী মণিপুর লেভী, মৈতৈগী সিফাই লাম্মীদা সাজোর [লেফটেনেন্ট (Lieutenant)] গী ফম পায়দুনা থবক তৌরম্মী। অদুগা মতমসিদা মহাক্কী মীচম-মীয়ামগী ওইবা থবক [সিভিল সার্ভিস (Civil Service)] কী ফমদি করি ওইরম্বগে হায়বসি খঙবা ঙমজদে।

ঙাংবম চনু প্রেমময়ীগী পুন্সি-ৱারী

ঙাংবম চনু প্রেমময়ী পীশক পীক্লিঙৈদগী মহাক্কী মায়থোঙদা অউবনা নুংশিবা পোকপগী শক্তম অমা লোইনরকই, অদুগা মীগা মায়োক্লবদা ৱা ঙমদবা য়াদে হায়বগী থৌনা-লীংজেন অমসু পোকঙৈদগী য়াওরক্লবা মতীক-ময়াইগুম লোইনরকখি। ঙাংথোক-শক্তোক্লকপদা মীনা নুংশিবা, মীকৌ- মীওক ফজবী অমা ওইবা অমসুং পীজ-পীথক ফজবী ওইরকখি। মহাক্কী মমা-মপা তীন্নবা মনাউ অনি [অমনা মৈদিংঙু চা ৱাংখৈরাকপা কুলচন্দ্র ধবজ নত্রগা মৈদিংঙু কুলচন্দ্র (১৮৯০-৯১ ইং) দা অমসুং অতোনবীদুনা কন্বান/সেনাপতি নত্রগা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহ (১৮৫৫-৯১ ইং) দা ওঙখিরম্মী] লৈখিরম্মী। মবুঙ মপ্পা পোকমিন্নবদি লৈৱা লৈতৱা খঙবা ঙমজদ্রে, অদুগা পোকমিন্নদবা মবুঙ-মপ্পাদি অনি-অহুম লৈরম্মী।

চাওরকপা অমসুং মহৈ-মশিঙ

খয়োঙ্গৈরোন লৈহাউ নত্রগা ঙাংবমচনু প্রেমময়ীসি ঙাংবম খোংনাংখোঙগী ঈংখোন্দা পল্লেম-পম্লৌগী নুংশি-চান্না তৌবগী মিৎয়েং মখাদা নাউয়োক-

নাউকোল্লকখি। মহাক্না মশাগী চহি ৯/১০ (মাপন/তরা) শুরকপদগী মমা ঈবেম্মনা নুপীগী শীল্লম-শীনফম পুম্নমক তাকপী-তন্বীরকখি। ফিশা-লোনশা, ফিরীবা নীঙথিনা তন্নকখি। অদুগী মথক্তা মৈতৈগী কোনুং নক্লবা অমসুং নিংথৌ খনবা ঈবুংনিনা কুম খুদিংগী লেপ্তুনা কৎলিবা জগোয় রা াশিং - মেরাগী পুর্ণিমা, থানীন-থাবুঙদা কুঞ্জরাস, হিয়াঙ্গেগী থানীন-থাবুঙদা মহারাস অমদি শজিবুগী নত্রগা কালেনগী থানীন-থাবুঙদা বসন্তরাস অমসুং শ্রীগোবিন্দ অমদি রাসেশ্বরীদা কৎলিবা সঙ্কীর্ত্তনগী নুপী পালাশিং, অসিনচিংবদা শরুক য়াবা ঙম্নবা জগোয়-ঈশৈগী শীল্লমসিসু ওঝা নাইদুনা তমদবা য়ারমদে। মতমগী চৎনবীনা পুরকপা খুদোন্নিনা থাদোকপা য়ারমদে। হায়রিবা শীনফমসিদসু মহাক মীথক থোংবী ওইনা শীঙথানৈ।

ঙাংবম চনু প্রেমময়ী ঈমুং- মনুংগী থবক-ইনখাংশিং - চাকথোং-ফৌশু, ফিশূ-ফিজাম্নচিংবদা মনাউ নুপীশিংগা লোইননা মায়পুননা মশাগী চহি ১২ দগী হৌনা শূরক-তৌরকখি। মহাকসি থবক তৌবদা মচু তাবী, নীঙথিনা থবক পুম্ন মক তৌবা ঙম্বীনি। মীগী মিৎলৈ-নারৈ খঙবী, মীতীক-মীরৌ উবা ঙম্বী, পাইরক্কী লৌশিঙ লৈবী অমসুনি। অদুগা মহাক মী থেংনবা ঙম্বী, অচৌ-অশাং, অঙম-অথৌনচিংবা মায়য়োক্লবদা মায় পাকপা পুরকপা ঙম্বীনি। অহল-লমন মশক খঙবী, থকশী-খাশী নাইবী অমসুং হৌন-লোনচৎ খঙবীনি। তশেংনমক মীয়ামগী লুচিংবী ওইবগী মতীক-মঙম লৈবীনি অমসুং মৈত্রবাক্কী মৈতৈলৈমা ওইবদা মতীক চাবা মঙম্-ময়াই লৈবীনি। মখা থাবী মচা-মনাউশিংবু করম্না লোইনগদবগে অমসুং মখোয়বু করম্না মহাক্কী মখাদা থমগদবগে হায়বদুসু হৈবীনি।

য়ুম্বানবগী পুন্সিদা প্রেমময়ী

ঙাংবম চনু প্রেমময়ী লৈশাবী মপুঙ ফারকপদা তীঙদা-য়াঙদা ফজবী, চুঙ-ফিরান চাবী, শারেপ-শাবান নীঙথিবী অমা ওইরকখি। চোয়জাইনরবা শন্নাংবা কুপ্লবা মহাক্কী মায়থোঙ, ঈনখৎলকপগী মপুঙ ফানা চাওখৎলক্লিবা থবাক্কী ঈথক অমসুং নীঙদুগী ঈপোম্না শামান-লেঙমান্নবা পাখংশিংবু চিংশিনবদা মতমদুগী ৱাঙ্গোন নিংথৌ ওইরিবা মৈদিংঙুচা সুরচন্দ্রগী পুক্লীঙ ৱাখল অমসুং থম্মোইবুসু চিংশিনখি। মহাক্না মশাগী চহি ১৪ (তরামরি) শরুকপদা মহাক্কী মপাবুং অমসুং মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিনচিংবা অহল-লমনশিংনা যুবরাজ সুরচন্দ্র সিংহগীদমক নহাকপু হায়ন-শীঙনদুনা য়ানখি। অদুনা খৃ: ১৮৬৭ তা লুহোংখি। হায়রিবা ঙাংবমচনু লৈহাউ/প্রেমময়ী লুহোংবগী লমদাংদা পীবীরম্লিবদি :-

... শোইবম বলসিংগী কুম শক ১৭৮৯... ঈঙেন থা... ১৮ নি ঈরাই (খৃ: কুম: ১৮৬৭ কী জুলাইগী ১৯) দা মচা ঈবুংঙো যুবরাজনা ঙাংবম চনু অমা খোইরোম চনু অমা - ২ মা পুখত্তুনা লুহোংএ [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৩৬৬]।

অসিনি। অসুন্না ঙাংবম চনুসিগা খোইরোম চনু অমগা কোনুংদা পুখত্তুনা সুরচন্দ্র যুবরাজনা লুহোংখিবনি অমসুং মখোয় অনিসিদা ঙাংবম চনুসিনা নুপী অহন্নি। অদুননি মহাক্কী মমিংনা হান্না হায়রিবা-ইরম্মিবা অসি।

খৃষ্টগী কুমশীঙ ১৮৬৭ তগী যুবরাজগী তাল্লোই অহন ওইনা লৈরকপসিদা য়ুম খাইরক্তুনা চহিসিগী ডিসেম্বর থাদগী নিংথৌকোন-লৈমকোন থাদোক্তুনা যুবরাজকোন নত্রগা তম্পাকয়ুমদা তোংঙান্না খায়দোক্তুনা তম্পাকয়ুমদুদা শঙ্গাই শাবগা শঙ্গাদুনা পানবা হৌরকখি [মথক্কীসিদা, ৩৬৯]। যুবরাজকোনসিদা তোংঙান্না লৈরকপসিদগী য়ুম পুবী নুপী অমগী থৌদাংদু লৌরকখি। য়ুমগী ঈমুং-মনুংগী থবক-ঈনখাং য়েংশিল্লকখি। অৱাৎ-অপা পুন্নমক য়েংদুনা মপুরোইবা ৱাঙ্গোন-নিংথৌগী য়ুম পুনবা হোৎনরকখি। অদুগা মরন্নাই পুন্সিগী মপুরোইবগী তৌফম থোকপা থৌগন-লাংগন তৌজদুনা মমা অমা হায়বদুসু ওইরকখি। মচাঈবুংঙো অহন লুখোয় ফংজদুনা য়ুম্বানবা পুন্সিগী মশক লেপ্লকখি। মপুরোইবনা ৱাঙ্গোন নিংথৌ ওইনা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক- থৌদা পুরকপা, ৱায়েন-চৈরাক্কী শরুক য়ারকপা অমসুং শাচৎ - লানচৎলকপদা মায় পাক্না পোইরে মীয়ামগী মমাঙদা থবক পুরকপা ঙম্নবা হোৎনরকখি। করি করিগুম্বা নুমিত্তা লৈমকোন-নিংথৌকোন্দা চত্তুনা মবেন মাইস্না কুমুদিনী নিংথৌপোকপী শঙ্গাইদা মবেনথৌগী থৌগল তৌজরুই অমসুং মমল য়াল্লবা পাউতাকশিং লৌজরুই। অদুগা লৈমকোনগী য়ুমজাওদা চঙদুনা অমসুং নিংথেমগী শঙ্গাইরেন চঙদুনা মনেম মহারাণী অমদি অতৈ মনেমশিংগী থৌগনসু তৌজরুই।

ৱাঙ্গোন তম্পাকময়ুমগী মবেম্মা ওইদুনা মনাউ ঈবেম্মা খোইরোমচনুদা নত্তনা শাৎপমচনু দশুমতীনচিংবীসু অৱাৎ-অপানচিংবগী মরমদা হংবী-তানবী। শাৎপমচনু দশুমতী হায়রিবী মনাউ ঈবেম্মসি সুরচন্দ্র ৱাঙ্গোন নিংথৌ মচাঈবুংঙো, মচাঈবেম্মশিং পুন্নমক্কী খ্বাইদগী অহন ওইরবী ৱাংঙমলোন সনাতোম্বী (বড়সাহেব ওঙবী সনাতোম্বী) পোকপী মমানি। হায়রিবী ৱাংঙমলোন সনাতোম্বীসি ৱাঙ্গোন তম্পাকয়ুমদদা নত্তনা মৈতৈ কোনুংগী লৈমকোন-নিংথৌকোনগী য়ুমশিং অমসুং

মবেন শীজ নিংথৌপোকপী শঙ্গাইদসু খ্বাইগী মমিৎ থলহনবী ওইদুনা লৈরিবীনি। ঙাংবম চনু প্রেমময়ীসি মচা পীবা পোকচরবসু ঙন্না লৈখিদবনা, নিংঙোন পোকচরবসু পোমকংনখিবনা ৱাঙ্গোন নিংথৌ কোল্লুপকী মচা পুন্নমক্কী ৱাকৎফম, পোৎনী-চৈনীফম অমসুং নাউথি শাজফম্নি। মহাক্না মচা পুন্নমকপু খেন্নবা থমদনা লুনা-চান্না তৌবী অদুবু মচানুপী অহন সনাতোম্বীসিনা মতম অয়াম্বদা মহাক্কী মনাক্তা লৈবনা মহাকসিনা মবুকথোক্কী মচাদগীসু হেন্না লুম্না লৈরম্মী।

খয়োঙ্গরোন প্রেমময়ীগী থৌদাং হেনগৎলকপা

খয়োঙ্গরোন প্রেমময়ী খৃ: কুমশীঙ ১৮৭১ দা মশাগী চহি ১৮ (তরানিপান) শুরে। হায়রিবা চহিসিদা মনেম ঈবেম্মা মহারাণী মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন অঙোমচনু লুকেশ্বরী, ফম্বাল মিংলেন্না অঙোমচনু মনিক লোইরেনখোম্বী [খৃ: কুম: ১৮৬৮ গী জুলাই তাং ১০, ঈরাই নুমিতা ফম্বাল তোংখি (মথক্কীসিদা, ৩৭)]। অদুগা খৃ: ১৮৭১গী আগষ্ট ৩দা নোঙ্গাখি। মসিগী মরমদা পীবীরম্লিবদি:-

... লাইশ্রম পূর্ণসিংহগী কুম শক ১৭৯৩.. থৱান (মলমাস/থামাং) থা.... ১৮ নি শগোনশেন (খৃ: কুম: ১৮৭১ গী আগষ্ট ৩) দা মহারাণী অঙোমচনু মনিক লোইরেনখোম্বী নোঙ্গায় [মথক্কীসিদা, ৩৯৩]।

অসিনি। অসুম্না মনেম ঈবেম্মা নোঙ্গাখ্রবদা মনেম ঈবেম্মনা পোকপা মচাঈবুংঙোশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অহন ওইবা মচাঈবুংঙোগী তাল্লোই ওইরুবনা মনাউ ঈবুংঙোশিংগী থৌদাং লৌবগী পোৎলুমসিসু ঙাংবম চনু প্রেমময়ীগী কোকথক্তা খৃ: কুম: ১৮৭১ সিদগী থোনগৎলকখি। পুরোয় হায়বা য়াদ্রবা পোৎলুমনি। ঈনখৎলক্লিবা অঙাওবা পাখংশিংগী থৌদাং পোৎলুম্নি।

খয়োঙ্গরোন প্রেমময়ীগী থৌদাং হেনগৎলকপগী পোৎলুমসি মনেম শীজগী নোঙ্গাখিবগী লাইথৌ শোরাৎ লোয়দ্রিঙৈদগী ননবা হৌরকখ্রবনি। অতৈ মনাউশিং (সুরচন্দ্র ৱাঙ্গোন নিংথৌগী অতৈ তাল্লোইশিং) দি হায়না হায়না খর লৈথোকপা য়াই অদুবু মহাক্তি লৈথোকপা য়াদ্রবনি। মখোয় অমসুং মখোয়গী ঈমুং-মনুংশিংগা পুন্না লৈমিন্নদবা য়াও-ই হায়দুনসু মখোয়দুগীসু য়েংদ-থিদবা য়াদবনি, মরমদি ঙাংবমচনু প্রেমময়ী মহাক্না শাগৈ মৌ অহন্নি। মনাউনুপা পোকমিন্নবশিং অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী লাক্লবা ৱারিবা, মমান্নবগী মীথক থোংবা, মীথোই-মীহেনবসু

ওইরিবসি মৈদিংঙুচা পাকাসনা নত্রগা ভৈরবজিৎ অসিনি। মখোয়সিবু য়েংশিনবা অমসুং মখোয়গীদমক্তা অহন ওইনা চেকশিনবীবগী থৌদাং অসিসু থাদোকপা য়াদ্রবা মথৌ ওইরিবনি।

মচাঈবুংঙো সুরচন্দ্রগী দলান হোঙ্‌বা

ঙাংবম চনু প্রেমময়ীনা মকু ঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি নিংথৌরেন্না পোইরে মৈতৈ লৈপাক ঙাক্তুনা পাল্লকপা লৈঙাকলোন, খুন্নাইলোন, শেনবা-থুম্বারোন ৱায়েন-চৈরাকলোন্নচিংবগী থৌদোক-ৱাথোক কয়াদা লৈপাক্কী ৱাঙ্গোন-নিংথৌ ওইনা মপুরোইবা মৈদিংঙুচা সুরচন্দ্রনা অৱা-নুংঙাই কয়া শরুক য়াদুনা লাকপদা মহাকসু মপুরোইবগী হকচাং তংখায় ওইদুনা শরুক য়ারক্লবীনি। অদুবু নুপী ওইবনা মপুরোইবগী মরূম থুপ্তুনা লৈবনিনা মমিং পল্লমদবগী ৱাফমদনি। যুবরাজকোন, তম্পাকময়ুমদা খৃ: কুম: ১৮৬৮ দগীনা ১৮৮৬ হৌবা ফাওবদা পাংথোক্লিবা থবক-থৌরম খুদিংমক্তা মায়পুনরিবদি ঙাংবম চনু প্রেমময়ীনি। মহাক্না মপুরোইবগী থৌগনশিংদসু লুচিং-মাঙ থারিবনি। হায়রিবা চহি খৃ: ১৮৮৬ সিদা তম্পাকয়ুমসিদা মৈত্রবাক্কী ৱাঙ্গোন নিংথৌ যুবরাজশিংদনা লাৎকদবা মৈত্রবাক মণিপুরগী হিন্দু লাইশিংগী লমদাংদা যুবরাজ ওইবা শ্রীশ্রীবৃন্দাবনচন্দ্র কৌবা শ্রীকৃষ্ণগী শক্তম ওইবা লাইগী চেক্কী লাইশঙ শাখি অমসুং হোঙখি। হায়রিবা থৌরমসিগী মরমদা পীবীরল্লিবদি :-

... নাউরিয়া পুনসিগী কুম শক ১৮০৮ কালেন থা... ৩ নি ঈরাই (খৃ: কুম: ১৮৮৬ কী মে থাগী চৈচৎ ৭) দা মচাঈবুংঙো যুবরাজগী দোলান হোঙএ [মথক্কীসিদা, ৫৬৬]।

অসিনি। হায়রিবা লাইশঙসি হৌজিক হৌজিকমক মৈতৈগী অমসুং মণিপুরগী কোনুংলেন ওইরম্বা কংলাগী লমখৈ-লমকন মনুংদা লেপ্তুনা লৈরি। লাইশঙ হোঙবা (শঙ্গাবা) নুমিত্তুদা মৈতৈ লৈপাক্কী অঙম-অথৌ, অকন-অরিং, অচৌ-অশাংনচিংবা ফমদৌ-ফম্লাইবা পুন্নমক মৈদিংঙুগা লোইননা য়াওখ্রিবনি। অদুগা কোনুংগী য়োঙ্গবু-য়োঙ্গহৈনচিংবী নিংথেমনুবীশিং, নুপী-অঙাং পুন্নমক অমতা খাক্তুনা য়াওরিবনি। লাইগী হৌনবী পুন্নমক লোয়খ্রগা ময়ামদুগী লুক খুন্নবা চাক-ঈশিং থৌরাং পুন্নমক তৌরিবনি। মদু পুন্নমক্তু ঙাংবমচনু প্রেমময়ীনা শীল্লি-লাংলিবা ঙাক্তনি।

প্রেমময়ীনা মৈতৈলৈমা ফম্বাল কাবা

মকু ঈবুংঙো নাউজীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বা [মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ, নাইট কম্যাণ্ডর ওফ ষ্টার ওফ ইন্দিয়া (Knight Commander of Star of India) শমজিল্লগা কে: সি: এস: আই (K.C.S.I.)] খঙহৌদনা চহিসিগী থাসিগী চৈচৎ ২০ (চৈচৎ ২০।৫।১৮৮৬ ইং শক ১৮০৮ গী কালেনগী ১৭ নি পানবা), শগোনশেন নুমিত্তা মশাগী চহি ৫৫ খক্তদা ফম্বালদা চহি ৩৭ পাল্লম্লগা নোঙ্গাখিরম্মী। অৱাবগী থৌদোক অসি ঙাংবম চনু প্রেমময়ীগী মফমদদি লাইবক ফবা অমসুং নুংঙাইবগী থৌদোক অমনি, মরমদি মদুনা মহাক্কী মপুরোইবা ৱাঙ্গোন নিংথৌ (যুবরাজ) সুরচন্দ্র সিংহবু পোইরে মৈতৈ নিংথৌগী ফম্বালদা থাঙ্গৎকদৌরিবনি, মৈত্রবাক মণিপুরগী নিংথৌ ওইহনগদৌরিবনি অমসুং মহাক মশাবুসু পোইরে মৈত্রবাক অসিদা নুপী ওইবীশিংগী খ্বাই পুম্নমক্তগী ৱাংলবা থাক অমসুং ফম মৈতৈলৈমা (মৈতৈগী মরেম্মা নত্রগা মহারাণী) হায়বদু ওইহনগদৌরিবনি।

শক ১৮০৮ গী কালেন ১৭ নি শগেলশেন নুমিৎসিদা মৈদিংঙু নোঙ্গারে হায়দুনা মৈত্রবাক্কী লৈপাক পুবা অঙম-অথৌশিং কংলা কোনুংদা লোয়নমক চেনখৎনৈ। কংলাগী উত্রা মমাঙদা, দরবার শঙ মমাঙদা, তোপ গারোট মমাঙদা, কোনুং চঙফম থোঙ মনাক্তা ময়াম পুন্না পুন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোক্লবগা লোইননা মখা তারকপা পাউ ঙাইনরি। কোনুং মনুংগী মমা শীজ নিংথৌপোকপী, তাল্লোই লৈমশিং, মমৌ ঈবেম্মশিং, মজাঈবেম্মশিংনচিংবী য়োঈবু-য়োঈহে পুম্নমক কপ্পা-লাউনদুনা তেংথারি। মায়কৈ অমরোম সনখ্যা ঈবুংঙো সনা এথর সিংহ নত্রগা বরাচাওবা ৱাংখৈরাকপা নত্রগা য়াইস্কুল লাকপা ওইরম্বনা লান হৌদুনা নম্বোনলোমদা য়াওরৌ মাল্লোমদা লানশঙ শাদুনা তেঙ্গোল লীংদুনা লৈবগী পাউ থুংলরে। অদুগা মৈত্রবাক মণিপুরদি মহাক্কী লৈপাক মীয়াম্না নিংথৌ পানবা পাম্বা অমসুং নিংথৌ লৈত্রবদি লৈপাক পান্দ্রবগুম, খুন্তাক-লানশিরবগুম খনবা/লৌনবা লৈপাকনি। অদুনা মীয়ামসিনা মৈদিংঙু নিংথৌগী হকচাং পোৎলোয়বা তুমদ্রিবঙদা মহুৎ শিনবা নিংথৌ হাপ্তবা য়াদবনা লৈপাক পুবা অঙম্বশিংনা লৈপাক্কী চৎনবী ৱায়েনগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা নিংথৌগী মচা নুপা অহন্দা নিংথৌ হাপ্লবা লেপ্লরে। অদুনা ৱাঙ্গোন নিংথৌ ওইরিবা মৈদিংঙুচা সুরচন্দ্র সিংহবু নিংথৌ হাপ্লবা মৈতৈ

হৌনবী ৰায়েন কায়দনা থৌরাং তৌরি। মসিদা মরু ওইবা থৌ পুরিবসি সৌগাইজাম্বা বলরাম (বোলাই) সিংহ, জেনরেল; কাংঙবা থাঙ্গাল (চিদানন্দ) সিংহ, জেনরেল অমসুং লুৱাং নিংথৌ মাইস্নাম শামু সিংহ, কর্নেলনি। মখোয় অহুম অমসুং অতৈ অঙম-অথৌশিংনা শগোনশেন নুমিৎসিমক্তদা মৈদিংঙুচা সুরচন্দ্র সিংহবু মৈতৈ নিংথৌ হাপখিরম্মী। অদুগা লানহৌবগী ঈরাং লৈবনিনা লৈপাক পুম্নমক লানহৌবা নমথনবগী থৌরাংদা পুক্নীঙ চঙনদুনা লৈপাক লাংদুনা লৈরম্মী।

লানহৌবা নমথবা

সনখ্যা বরাচাওবা (এথর সিংহ) গী লানহৌসি খৃ: ১৮৮৬ কী মে চৈচৎ ২০ সিদা মাইস্নামচা তুলিয়াঈমা মেজর অমসুং ঈরুংবা পোইলাগনা লানচিংদুনা য়াওরৌ (মালোমগী মমাঙ, চঙালকৈ/চঙাঙ্গৈগী লমদম) দা মৈতৈগী সিফাই লান্মীগা কাপ্নখি। অদুবু সনখ্যা বরাচাওবগী চোংথা মিয়া, পাউনা ব্রজবাসি, অতৈ নিংথেম মচা মাপন-তরানা লাঞ্জিংবা লান্মী তেঙ্গোন্দু থুগায়বা ঙম্লমদে। অদুনা মথংগী নুমিৎ ঈরাই (চৈচৎ ২১।৫।১৮৮৬ ইং) দা ঈবুংশী কত্বান (টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহ), মচা ঈবুংঙো ৱাংখৈরাকপা (ঈবুংশীজ দিনচন্দ্র সিংহ), চোংথা অয়া পুরেন মেজর (চোংথা অঙাংতোন নত্রগা নীলমনি সিংহ) না লাঞ্জিং-লুচিংদুনা য়াওরৌদা লান তকশিন্দুনা থেংনবদা লানহৌবা লান্মীশিংনা পন্নীঙ হনখিদুনা খুরাইরাকপন (শামুপন, কৈনৌগী মনীঙদা লৈবগী মনাক) দা তেঙ্গোন শাদুনা লৈখি। মদুদা তাং ২২ অমসুং ২৩ দা লান্দাদুনা তকশিনবদা মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখিরম্মী। মদুদগী ফাবা লানফাশিং পুখ্রনবা তংকো, চোংথা মিয়া, ঈংগুদুম্বা শ্যামমনিক্লচিংবা মী ১০ ফাদুনা মখোয়দু পুরগা মনাউ ঈবুংঙো কত্বান, মনাউ ঈবুংঙো ফুঙ্গানাই শঙলাকপা (ঈবুংশী চাঙলেনস্না, মতুংদা খোংজোম লানফমদা খৃ: কুম: ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৫ দা থৱাই থাখি) অনিমক কোনুংদা হল্লকখিরম্মী। মখোয়না হল্লকপদগী লানহৌবগী ঈরাং নেমথখ্রে হায়না লৈপাক মীয়াম পুম্নমক্লা খন্না-লৌনরে। মতমসিদা তম্পাকয়ুম (যুবরাজকোন) দা লৈরম্বা ঙাংবমচনু লৈহাউ/প্রেমময়ীনচিংবী মৈদিংঙুগী তাল্লোইশিং কোনুংগী লৈমা-নিংথৌকোন্দা পুখৎলক্লম্মী। মদুগী ঈ-পাউদি :-

... নাউরিয়া পুনসিগী কুম শক ১৮০৮ ... কালেন থা.... ২৫ নি ঈরাই (খৃ: কুম: ১৮৮৬ কী মে ২৮) দা ... তম্পাক য়ুমদগী থৌরানীশিং পুখৎলক-এ [মথক্কীসিদা, ৪৬৮]।

অসিনি। অসুম্না ঙাংবমচনু প্রেমময়ীসি মপুরোইবগী মনাক্তা কোনুংগী লৈমা-নিংথৌকোন্দা নিংথৌগী লৈমা অহন ওইনা লৈজবা ফংজখি।

ঙাংবমচনু প্রেমময়ীনা ফম্বালদা

মৈদিংঙু সুরচন্দ্র সিংহনা নিংথৌ ওইবা অমসুং সনখ্যা বরাচাওবগী লানহৌগী ঈরাং নেমথত্ৰবা চহিসিগী জুলাই থাদগীদি মৈত্ৰবাক্কী লৈঙাক্লোনগী ফমশিং - ফুঙ্গানাই শঙলাকপা (সুরচন্দ্র মহারাজগা পোকমিন্নবা মনাউ অতোনবা গোপালম্না নত্ৰগা পদ্মলোচন-দা) অমসুং সেনাপতি পোকমিন্নবদা মমা তীন্নদবা মনাউ (কোইরেং নত্ৰগা টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহ-দা), হাপ্পনচিংবা কয়া পাংথোকখি। অদুগা খুন্নাইলোনগী - মচন ঈবেম্মা অমুম্না লুহোংবা, মবেন শীজ মাইম্না কুমুদিনী (পোংলেনখোম্বী/লীক্লাইরোকপী) নোঙ্গাবগী লাইথৌ থৌরমশিং পাংথোকপনচিংবা কয়া তৌখিরম্মী। অদুগা মনাউ ঈবুংঙো ফৈজাওম্না (বালকীৰ্ত্তি সিংহ) সেনাপতি ওইরম্বনা খৃ: কুম: ১৮৮৬ সিগী জুন থাদা লৈখিবগী শরূ অমসুং মবেন শীজগী শরূ বৃন্দাবন্দা পুনবগী থৌরমশিং থৌরাং তৌদুনা লৈরম্মী।

খৃ: ১৮৮৬ কী সেপ্তেম্বর থাদা লৈঙাক-খুনঙাক্কী মৈত্ৰবাক্কী মনুংগী হাওরান নমথবা হোৎনরিঙৈদা ওক্তোবরগী ৪ নিংথৌকাবা নুমিত্তা ময়াং লৈবাক কছাড়গী লান্মী খোমদুনা সনখ্যা বরাচাওবনা লান্দারক্লে হায়দুনা নোংমৈ তোপ ৫ (মঙা) রক কাপ্পুনা লৈপাক পুন্নমক্তা পাউ পীরম্মী। লান্দা অদু নুমিত্তুদা ঈরুংবা মেজর অমসুং শঙখুবা পোইলা অনিনা য়ৌয়াংতেক (ইম্ফাল-শিলচর লম্বীদা লম্মাংদোংগী মনীঙ/নোংচুপ্তা লৈবা লম) তা লাম্থেংনদুনা থিংদুনা থল্লম্মী। নোংঙাল্লগা (চৈচৎ ৫।১০।১৮৮৬ ইংদা) মনাউ ঈবুংঙো টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহ সেনাপতি হাপ্পুনা মাগা মনাউ ঈবুংঙো শামু হঞ্জবা থম্বৌসনা (কেশরজিৎ সিংহ), মচাঈবুংঙো ৱাংখৈরাকপা (দিনচন্দ্র সিংহ), চোংথা মেজর (অঙাংতোন) অমসুং চোংথা পানা হাজারীগা লোইননা লান্মী পুদুনা য়ৌয়াংতেক্তা থোমজিন্দুনা লান শোক্লবদা লানফা ৩০ ফারম্মী। অদুগা সনখ্যা বরাচাওবদি মহাক্কী লান্মী পুদুনা চীকমাঙনখিরম্মী। অদুনা মৈতৈ লান্মীশিংদু কোনুংদা হল্লক্লম্মী। মখোয়না লানগীদমক্তা ৱাবীবদুগী মখোয় ২২ (কুননীথোই) অমসুং অতৈ খরদা থাসিগী চৈচৎ ৭ তা মনা-মথুম পীদুনা ঈকাইখুম্নখি [মথক্কীসিদা, ৪৬৯]। অদুবু য়ৌয়াংতেক্তাগী চীকমাঙনখিবা

সনখ্যা বরাচাওবা (এথরসিংহ) গী লান্মীদু ঈরোইশেম্বগী চীঙথক্তা তেঙ্গোন শাদুনা লৈরদুনা মদুদা লান শোক্লদুনা মখোয়বু মায়থীবা পীখি। লানফমদুদা ফাবা লানফাশিংদি - সনখ্যা বরাচাওবা, নিংথেমমচা ৯, বামোন ৫ অমসুং মৈতৈ ১১৩ - ফাখি। অদুগা নোংমৈ ৩৩ লোকখিরম্মী। অসুম্না সনখ্যা বরাচাওবগী লানহৌসি নমথখি।

মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীদি শা-লানগী পাৱারী-পুৱারীনিনা শা-লানগী অমগী মথংদা অমা তৌদুনা পাৱারী-পুৱারীগী থৌদোক-ৱাথোকশিংগী পরীং শম্নদুনা চৎলিবনি। মদুগী মরক্তুদা শ্রীযুৎ সুরচন্দ্রগী মমিংদা মহাক্কী শেন শাবা [মথক্কীসিদা, ২৭০], মৈত্রবাক্কী হাও (Hill people of Manipur) শিংগী মেলা তৌবা, সাহেবনা টেলিগ্রাম য়োৎলী তিংবা [মথক্কীসিদা, ৪৭১], অসিনচিংবসু অদুম পাংথোক্লম্মী। অদুগা মরক্তুদা থোকখিবা খৃ: কুম: ১৮৮৭ কী ফেব্রুৱারী তাং ১৭ শগোলশেন নুমিৎকী লৌশ্রাও হাওখুন লান্দাবগী থৌদোকসিনা খ্বাইদগী চাওবা শাফম- লানফমগী থৌদোক্লি। মসিগী মতুংদদি লৈমা-নিংথৌ ফম্বাল তোংনবগী থৌরাং তৌবা অমসুং ফম্বাল তোংবসিনা খ্বাইদগী চাওবা থৌদোকশিংনি। মদুগী ঈ-পাউশিংদি :-

... খুন্দোংবা বোলসিংগী কুম শক ১৮০৯... শজিবু থা... ২৩ নি ঈরাই (চৈচৎ ১৫।৪।১৮৮৭ ইং) দা ফম্বাল দোলাই হৌএ, কংলাসু শঙ্গায়।... । ঈঙা থা ... ৯ নি লৈপাকপোকপ (চৈচৎ ৩১।৫।১৮৮৭ ইং) দা শ্রীযুৎ না তম্পাকয়ুম কুমদুনা চুপ শাই। ১২ নি ঈরাইদা শঙ্গাই হৌএ, য়াইবুঙ তিংএ।। নোংমাইথেমচা অঙৌপাম্বগা চিনফুরোন নোংনিংখোম্বীগা ফম্বাল কাই। ২১ নি থাঙজ (চৈচৎ ১১।৬।১৮৮৭ ইং) দা শ্রীযুৎ মহারাজগা মহারাণীগা য়ুম্লাম অনৌবদা য়ুম-নাবা কুমএ।। ২২ নি লংমাইজীঙদা লৈমা মপাম (ঙাংবমদা) কুমদুনা ঈপু লাৎলে। ২৩ নি নিংথৌকাবদা.... শরাংথেম লমমাবী, লৈশাংথেম লমমাবী ২দা য়াওঙ ইনবা কুমএ।। ২৫ নি শগোনশেন (চৈচৎ ১৬।৬।১৮৮৭ ইং) দা মৈদিংঙু কৌবা চীঙলেন লাম্বাবগা মৈতৈলৈমা খয়োঙ্গীরোন কৌবা লৈশংখোম্বী (ঙাংবমচনু প্রেমময়ী) গা নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুঙ ৭ (পুং অমগা হৌজিক্কী মি: ২২ সে: ৩৮ গা মান্নে) তাবদা ফম্বাল কাএ। তোপ ৫০ রক কাপএ। খুদোং (Rifle) ৪০০ রক কাপএ। অদু নুমিত্তা শরাংথেমচা পণ্ডিত অচৌবদা স্না খুজী, খামেন চৎপা ফৈজোম, লমথাং খুৎহৎ পীএ [মথক্কীসিদা, ৪৭১-৭২]।

অসিশিংসিনি। অসুন্না ঙাংবমচনু লৈহাও নত্রগা প্রেমময়ীনা মৈত্রবাক মণিপুরগী মৈতৈলৈমা ওইনা "কৌবা নৈশংখোম্বী" হায়বা ফম্বাল মিংথোন অসিগা লোইননা খৃষ্টগী কুমশীঙ ১৮৮৭ কী জুনগী চৈচৎ ১৬ (তরাতরুক) তা ফম্বাল তোংখি। ফম্বাল তোংবা হায়বসি ফমদু ওইবা য়াবগী মতীক চারে, মতীক-মঙম লৈরে অমসুং ময়াই চপ চানা চেল্লে, হায়বদুগী চাংয়েং তৌবা অমসুং খুদম উৎপগী থৌরম পাংথোকপনি, মৈতৈলৈমা (মহারাণী) ওইবদি খৃ: কুম: ১৮৮৬ কী মেগী চৈচৎ ২০, মৈদিংঙু সুরচন্দ্রনা নিংথৌ ওইবা মতমদুদগী ওইখ্রবনি।

মথক্তা হায়জরিবসি নত্তনা ফম্বাল শাদানবা, ফম্বাল লান ফাবা অমসুং ফম্বাল তোংনবগী ঈরু-মায়থজনবা ঈৱানবা চৎলু-পাংথোক্লুরবা মতুংদা অমুক হন্না ফম্বাল তোংবগী থৌরমসু পাংথোকখি। মদুগী ঈ-পাউদি :-

... খুন্দোংবা বোলসিংগী কুম শক ১৮০৯... ঈঙা থা... ১৮ নি লংমাইজীঙ (চৈচৎ ১৯।৬।১৮৮৭ ইং) দা মনাউ ঈবুংঙো সেনাপতি, সৌগাইজাম্বা মেজর (জেনরেল) ২মা শোমলা (শোমরা/শোত্রা) ফম্বাল লান্নাবা চৎলে। ... ঈঙেন থা ৩নি ঈরাই (চৈচৎ ২৪।৬।১৮৮৭ ইং) দা মনাউ ঈবুংঙো যুবরাজ (কুলচন্দ্র ধবজ) ফম্বাল শা তানবা চৎলে, শলংকাক ১,... ওক ১ ফারকএ। ৬ নি নিংথৌকাব (চৈচৎ ২৭।৬।১৮৮৭ ইং) দা জগোই শাই। ৯ নি য়ুমশকৈশদা ৱাংখৈগী নুপী পুন্নমক থোক্তুনা বৈথোপ্পা জগোই শাই। ১২ নি থাঙজদা খ্বাইগী নুপী পুন্নমক থোক্তুনা বৈথোপ্পা জগোই শাই। ১৯ নি থাঙজ (চৈচৎ ৯।৭।১৮৮৭ ইং) দা থাঙজম খাগোকপমচা মুহোদারনা শুগুদা ঈৱানবা চৎলে, পণ্ডিতনচিংবা য়াও-এ। ২১ নি নিংথৌকাবদা মনাউ ঈবুংঙো সেনাপতি, সৌগাইজাম্বা মেজর ফম্বাল লান্নাবা থুংলৈএ, ফারকপা লান্দি ঈরুংবনচিংবা লান ১০ ফারকএ। ঈরোই ১৭, শন্দং ৪, শামু ২ পুরকএ। অদু নুমিৎ কংলা ফমতোংএ [মথক্কীসিদা, ৪৭২]।

ফম্বালদা মচাঈবেম্মা ফংবা

ঙাংবমচনু প্রেমময়ী মৈতৈলৈমসি লৈপাক মীয়াম্না "ঙাংবী মহারাণী" হায়না য়াম্না পাম্না অমসুং মিংচৎ লৈনা খঙনখি। মহাক্না মহারাণী ওইরিঙৈসিদা মচাঈবেম্মা ৱাংঙমলোন অমা মশাগী চহি ৩৫(কুন্থ্রামঙা) শুরবা মতমদা ফংখি, মদুগী ঈ-পাউদি :-

... নাউরিয়া শাজৌগী কুম শক ১৮১০... শজিবু থা... ১৭ নি নিংথৌকাব (চৈচৎ ৭।৫।১৮৮৮ ইং) দা শ্রীমতি মহারাণীগী চাবোক ৱাঙ্গোন হৌএ।। ... ঈঙেন থা ... ২৬ নি ঈরাই (চৈচৎ ৩।৮।১৮৮৮ ইং) দা মহারাণীনা য়ুমজাওদা মচাঈবেন্মা পোক্এ [মথক্কীসিদা, ৪৭৫]।

অসিনি। অদুবু লাইবক থীবদি মচাঈবেন্মা তম্ফা ৱাংঙমলোন নত্রগা তম্ফাস্নাসি নৌনা খৃষ্ট কুমশীঙ ১৮৮৯ গী জানুৱারীগী চৈচৎ ১১ ঈরাই নুমিত্তা নোঙ্গাখি [মথক্কীসিদা, ৪৭৬]। লাইবক থীরবা থৌদোকসিনা মহারাণীবু য়াম্না শাথীনা নীঙবা কায়হনখি। অদুবু লৈপাক্কী লৈমরেন ওইবীনিনা মতম কুইনা অৱাবগী মতৌদা লৈবা য়াদবনিনা অৱাবসিদু কাউথোক্তুনা লৈঙাকলোনগী পোমিৎশিংদুদা মিৎয়েং থন্নকখি।

নুপী ওইবীশিংনা মমা ওইদুনা মচাশিংবু নাউয়োক-নাউকোঞ্জবা অসি মখোয়গী খ্বাইদগী হেন্না পামজরবা অপান্বা অমসুং অনীঙবনি। অদুনা ঙাংবী মহারাণী প্রেমময়ীসিসু মচাঈবুংঙো নত্রগা মচা ঈবেন্মা পমদুনা মপুরোইবগী থৌগল তৌজবা অমসুং লৈপাক মীয়াম মমাঙদা লেন্নবদু পামজৈ। অদুনা মচা অমতং লৈজনবা হিন্দুগী লাইশিং অমসুং মৈতৈগী পারোন-পুরোনগী চীঙস্তু লাইশিং খুদিংমক্তা নীজৈ। অদুগা মচা-মশূ নীবসি মৈতৈগী মাগী য়েক-শল্লাইগী য়ুম্লাক-শাগৈগী অপোকপা লাইশিংদা নীজবসি শোয়দনা ফংঙি, হায়না য়াম্না চেৎনা থাজনৈ। মরম অসিনা ঙাংবী মহারাণীসি মহাক্কী য়েক্কী অপোকপা খুরুম্বা চৎখিরম্মী, মদুদি :-

লুৱাংশঙবম গৌরগী কুম শক ১৮১১... ঈঙা থা... ২৭ নি লৈপাকপোকপ (চৈচৎ ২৫।৬।১৮৮৯ ইং) দা মহারাণী খুমন পোকপা খুরুম্বা চৎলে [মথক্কীসিদা, ৪৭৭]।

অসিনি। ঙাংবী মহারাণীনা খুমন পোকপা খুরুম্বা চৎলিবসি ময়াং ইম্ফাল কোকচায় কোনচাক অৱাং লৈকায়গী খুমন কোনুং ওইরম্বা মফম, খুমন নোংয়ায় নিংথৌ অদোন লাইফেংবা [মৈত্রবাক্তা মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবা (খৃ: কুম ৫৬৮-৬৫৮) না পানবা মতম]না থৌবাল (থৌবাল নোঙ্গাংখোংদা লৈরিবা থৌবাল নিংথৌগী লাইকোন) দগী কোনুং হোংলকখিবা অদুদনি। অদুবু নোংদম্বা মানা লাইবক্তা তম্বীরমদ্রবদি, মীওইবনা নীজৈ অমসুং নীঙজৈ হায়দুনসু নীজবদু ফংবা লৈতে।

ঙাংবী প্রেমময়ীনা মপুরোইবগা কায়নবা

ঙাংবমচনু প্রেমময়ী মহারাণী/মৈতৈলৈমা লৈমরেন লৌশিঙ লৈবী, নীঙথিনা ৱাখল খনবা ঙন্বী নুপীনি। মহাক্না মপুরোইবনা নিংথৌ ওইরকপা মতমদগী ওইরক্লিবা মৈত্রবাক মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী ফিবম, মনাউ ঈবুংঙো পাকাস্নাগী নীঙঙাই-চক্রী অমসুং চীরোন-খারোন, অমদি মতমদুগী ফত্ত- লৌশিঙদা চঙ ফংনা হৈর-খঙলবা মনাউ ঈবুংঙো কোইরেং অনিগী মরক্তা লৈনরিবা নুংশিনদবা, য়েংথীনবা অমসুং নুংঙাইনদবগী মরী, মদুনা করি পুরকপা য়াবগে হায়বসি আ-মমাঙদগী মাঙজৌননা উরক্লবনি। মকু ঈবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তিগী হাক্তক্তা খৃষ্ট কুমশীঙ ১৮৮১ গী মেগী চৈচৎ ৮ দা মনাউ ঈবুংঙো কোইরেং কন্থানবু থাঙ্গদা লোই থাব [মথক্কীসিদা, ৪৪৭] গী মতমসিদগী মুন্না শ ঙলক্লবনি। অদুনা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিগী মচাঈবুংঙোশিংগী মরক্তা মমা তীন্নবা মচাশিং অমসুং মমা তীন্নদবা মচাশিং তোংঙান-তোংঙান নাকপাক তানরকপা য়াই হায়না খনখ্রবনি। মদু মহাক্কী মবুংঙোনা নিংথৌ ওইবা অমদি মহাক্না মৈতৈলৈমা ওইবা মতমসিদা চপ চানা থোক্লরে। মহাক্তি নুপীনিনা মপুরোইবগী মীচঙদা লৈবা তাবনি, অদুবু মপুরোইবগী অশোনবা মতৌ, মনাউশিংবু ৱারকপা ঙমদবা অস্নিনা নোংমদি লানহৌবগী বম (বোম) পোরক্কনি হায়বসি খন্দুনা য়ারিবমখৈ মশা চেকশিন্না লৈনবা হোৎনরিবনি। মঙোন্দা খঞ্জবী, খুরাই হৈক্রু মখোঙদগী দেবযানী (মাইপাকপী) কৌবগী অমগী মরমনা মনাউ পাকাস্না অমসুং মনাউ কোইরেং অনিগী য়েক্ল-য়েংথীনবগী হিরমসিদা মহাকপুসু চেন্নহল্লিবনি, - হায়বসি মৈতৈলৈমা ঙাংবীনা খঙলিবনি।

শঞ্জেনথোংগী উনা শাবা থোংয়ায়দা মনাউ ঈবুংঙো পাকস্নানা অকা অকুম থিংদুনা চৌবর শান্নরুব (Dice Game) দা কোইরেং সেনাপতিনা খাম্লুবদা নীঙঙাই তৌনদুনা পাকাস্নানা কোইরেংগী মমায়দা চৌবর মরুনা থাজিল্লস্লগা চেম্লকপা কোইরেংনা তান্নরকপদগী চেল্লক্তুনা কোনুংগী লৈমকোন-নিংথৌকোন্দা চেনশিল্লক্তুনা নিংথেমগী শঙ্গাইরেন্দা পাকাস্নানা নিংথৌগী ফমুং ফমজাওগী কাংথোল মখাদা চঙদুনা মতৈমা শীজ মৈতৈলৈমগী প্রেমময়ীগী মমাঙমক্তদা লোৎলবদা মতৈমা শীজ ঙাংবীসিনা কোইরেং সেনাপতিনা উনা উনা তান্নরক্তুনা হংলবদা "লৈতে, চঙলক্তে" হায়না খুমদুনা ঙাংবী মহারাণীসিনা মনাউ ঈবুংঙো পাকাস্নাবু কনখিবনি। মসি মহাক্না মীনম্বা ঙাংবা ওইরবসু মপুরোইবগী য়েংদুনা তৌদবা য়াদবা মথৌনি। অমুক অমরোমদা খৃষ্ট কুমশীঙ ১৮৯০ গী

সেপ্তেম্বরগী চৈচৎ ২১ অমসুং ২২ (ঈরাই অমসুং থাঙজ) দা মনাউ ঈবুংঙো পাকাসানা ময়াম্বুং সুরচন্দ্র মহারাজদা নিংথৌগী শঙ্গাইরেনগী ফম্মাওদা দোল্লাইরোই হঞ্জবা অঙৌস্না (ভুবন সিংহ) অমসুং জিলাঙম্বা (লক্ষ্মী-নারায়ণ) অনিনা লানহৌগদৌরে হায়জিন্দুনা "সেপ্তেম্বরগী চৈচৎ ২৩ সিদা ফাও" - হায়বা য়াথং পীহনখিবসিসু ঙাংবমচনু প্রেমময়ীসি খঙলিবনি। অদুবু লান হৌবগী মরান শীজিনবীরবা মনাউনুপা অনিদু অঙাংনিনা করিসু তৌবা ঙমগনি খন্দবনা মহাক্না মপুরোইবদা করিসু হায়খিদবনি, মরমদি মদু নুপীগী ৱা নত্তে।

অঙৌস্না, জিলাঙম্বগী লানহৌ

ইং শোক ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বর চৈচৎ ২৩ দা অঙৌস্না অমসুং জিলাঙম্ববু লান্দাগদৌরে হায়বগী চিংনবগী মরান্দা ফাও, হায়না মৈদিংঙু সুরচন্দ্রনা লৈপাক পুবা অঙম্বা অঙোম নিংথৌ নোংমাইথেমচা অঙৌ পানবদা সেপ্তেম্বর ২২ দা পীখিবা য়াথংসিগী মনাউ ঈবুংঙো অনিসিনা সেপ্তেম্বর ২২ থাঙজা নুমিৎসিমক্তদা ফংলম্মী। অরোনবা অমসুং অথুপ্পা পাউসি হেক ফংবগা মখোয় অনি তানদুনা মশা কঞ্জনবা হোৎনবা য়াবা মখৈ হোৎনবদা নাম্থোক্লবা পাম্বৈ অমতা ফংবা ঙম্লমদে। অদুনা মখোয় অনিনা লানহৌবগী মীচঙ খোম্লসি হায়দুনা লেপ্লরম্মী। মখোয়-মখোয়গী লৈজবা সিফাইশিং অমসুং মীশিং খোমজিল-তাশিল্লিবা মতুংদা ময়াম্বুং যুবরাজ কুলচন্দ্রগী মফমদা হান্না মখোয়গী অনীঙবা-অপাম্বদু ফোঙদোক্তুনা সেপ্তেম্বর ২২ সিদা হঙ্গৎলে। অদুবু যুবরাজনা লানহৌবা ফত্তে, হায়দুনা মখোয়বু থেমজিনবা নত্তনা করিগুম্বা পাম্বৈ অমতগী ৱাফম হৌদোকপীদ্রে। মনাউ ঈবুংঙো অনিসিনা পাম্বৈ ফংলরোয় খন্দুনা মখোয়নিগী ৱাফমসি কনাদসু তাকথোক-হায়দোকপীগনু, হায়জরগা ময়াম্বুং যুবরাজগী তম্পাকয়ুম থাদোক্তুনা লাক্লে।

মচীন-মনাউ অনিসি পেন্দবদা খম থেংখ্রে। অদুবু ময়াম্বুং সেনাপতিগী মফমদা হঙ্গত্তুনা অয়াবা মতেং লৌনবা সেনাপতিগী ময়ুম য়াইস্কুল জন্মস্থান্দা লাক্লে। ময়াম্বুংবু অচীকপা-অরোনবা কাদা উন্নদুনা লানহৌবগী ৱাফমদু হঙ্গৎলে। সেনাপতি কোইরেংনা মখোয় মচীন-মনাউশিংগী য়েক্ল-য়েংথীনবা অদুদা থোইদোক্না হকচীন্না মিৎয়েং থমদে। মহাক্না কুপ্না য়েংলিবদি মলেস মচা বৃটিশশিংনা লল্লোনবগী মমিংদা নিংথৌপানবা লৈবাকশিং অমসুং খুল্লাকপশিংনা ঙাকপা খুঙ্গংশিংদা মখোয়না

অপান্বা ফংনবা শান্নরিবা কুম্মৈশিং অদুনি। অদুনা মহাক্লা মনাউ অনিদা মখোয় মচীন-মনাউশিংগী য়েংথীনবদুনা মলেসশিংনা খুদোংচাবা লৌখিনবগী লম্বী ওইহল্লোয়সি, মখোয়না খৎনবগা মলেসশিংনা খুৎ থিংজিনলক্লবগী মরম ওইহল্লোয়সি। মলেসশিংনা খুদোংচাবা লৌনবা তাঞ্জা লুমদুনা লৈরি, অদুনা ঐখোয়না লানহৌবগী মতম চাদ্রি, হয়েংসি মৈদিংঙু য়াম্বুংদা হঙ্গৎলগা মখোয়নিগী অৱাবা কোক্লবা হোৎনসি, হায়না থেমজিল্লম্মী। ময়াম্বুং সেনাপতিনা তাকপীরিবা ৱাফমদুদা হঙ্গৎনা খুল্লুবা য়াদবনিনা মনাউ ঈবুংঙো অনিদু মতেং লৌনবগী পাম্বে লৈত্রদুনা সেনাপতিগী ময়ুম থাদোক্তুনা চৎখ্রে।

মনীঙ মখা তম্বা লৈপাক অমগী মনীঙ তম্বা নিংথৌ মচাশিংবু নত্ত-ওইদবা মরান পীশিন্দুনা মরৈবাক্তগী ৱায়েন্দুনা মরৈবাকমক্তদা ফাগনি হায়বসিদা মথৱাই চাক্লবা নিংথৌমচাশিং অঙৌস্না অমসুং জিলাঙম্বনা মখোয়বু হিংনা ফাখিগদবগী শরুক মপাবুং ঈবুংঙো অমসুং মবুধৌ ঈবুংঙোশিংনা ফল্লম্বা নিংথৌ ফম্বালগী মমাঙদা থৱাই থাখিবনা ফৈ হায়না পুক্লীঙ চেৎনা লেপ্লরদুনা লানহৌবসি শোয়দনা পাংথোক্লবা থৌরাং পুম্নমক শেম-শাবা লোয়খ্রে। মখোয় অনিনা হায়রিবা সেপ্তেম্বর থাসি ২২ থাংজ অমসং ২৩ নোংমাইজীঙ নুমিৎকী লোন্নবা অহিং নোংয়ায়গী মতমদা মখোয়গী লৈজবা সিফাইশিং (দোল্লাইরোই হঞ্জবগী ৮০ অমসুং জিলাঙম্বগী ৬০) অমসুং মীচংশিংনা কংলা কোনুংগী খাথোঙ (চীঙচাগু থোঙ) লোমদগী চঙলক্তুনা নিংথেমকোন লানবন (Citadel) তম্লা নোংমৈ কাপশিল্লক্লম্মী। অদুগা মখোয় খরনা নুংজেং পুখ্রি অচৌবগী অৱাংদা লৈবা ফাদোক কৌবা কৈশুমশঙ (Prison or Jail) বু খুদুম চনশিন্দুনা থোঙ হাঙদোক্লগা কৈশুম্বা মীওইশিং (৪০০ রোম) থাদোক্লম্মী।

নিংথেমকোন লানবনদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী নোংমৈগী মখোল তাবদা মৈদিংঙু সুরচন্দ্র চেপ্লম্বদগী মীকপ থোক্লক্লম্মী। মহাক্লা মাগী পোকমিন্নদবা (মমা তীন্নদবা) মনাউশিংনা লান হৌরক্লে, হায়বসি খঙলম্মী। অদুনা থৱাই হিংনবা নুপী-অঙাং পুম্নমক হুন্দোক্লম্লগা কনা অমতসু হৌবা তৌদনা মতোমতা শঙ্গাইরেনগী মনীঙ থোঙদা থোক্লক্লগা থোঙদু লাম্থোক্তুনা মখারোমদা লাক্লগা খাথোঙ ফাওরগা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্টকী রেসিডেন্সিদা লেঙশিনখিরম্মী। নোংমৈ মখোল অসিনা অহিংদা শন্দোকখিদুনা সেনাপতি কোইরেংনা লানহৌরে, কোনুংদা লান্দারে হায়বা খঙদুনা মহাক্কী অঙাক-অকনগী সিফাইশিং (মশীঙ ২০৯) অমসুং

মনাই-মশনশিং পুদুনা লাক্লম্মী। অদুগা কংলাগী খাথোঙদগী চঙলক্তুনা নিংথেমকোন লানবন তম্না ফুজিল্লক্লম্মী। মহাক্না কংলা ফম্বাল তোংফমশঙ য়ৌরগা লানহৌবা নমথসি, লানহৌবা কনা কনানো থোক্লকউ, লাম্বা তৌনরসি লাঁ-ও, হায়না লাউবদা অঙৌস্না অমসুং জিলাঙম্বনা মখোয়নি লানহৌবশিং, হায়না চোংথোক্লক্তুনা ময়াম্লুংদা খুরুমজরে। অদুগা য়ামবুং মৈদিংঙুদি? হায়না হংবদা, কোনুং থাদোক্তুনা লেঙংখ্রে, খুম্লবদা; ফরে অদুদি লানহৌ মায় পাক্লবা তৌরসি হায়দুনা লানহৌবা অদুদা কোইরেং সেনাপতিসু য়াওশিনখ্রে।

মৈদিংঙু সুরচন্দ্রনা নিংথেমগী শঙ্গাইরেনগী মনীঙথোঙদগী তোবর্বান্দা লাকপদা ঙাঞ্জেনথোংগী মনাক য়ৌরকপদা মনাউ ঈবুংঙো শগোল হঞ্জবা পাকাস্না, মহাক্কী ঙাক-শেন সিফাই ৮০ গা মাগী ক্লার্ক মনিলাল দেগা লোইননা কোনুং কনগে লাকপদা থেংনরে। মনাউ ঈবুংঙো পাকাস্নানা কোনুংগী লমখৈ মনুংদা চঙদুনা লান থেংনবা থৌরাং তৌরকপদা মৈদিংঙুনা মম্লবা অহিং অদুদা য়েক্লবনা কনানো, মীচঙনা কনানো হায়বা খঙনবা ঙমদবনা অরেম্বদা লাম্মীগী মথৱাই মাঙনবনি, নোংঙাল্লগা খঙনগদবা লৈরে, হায়না খামজিন্দুনা মনাউ ঈবুংঙো পাকাস্না অমসুং মহাক্কী সিফাইশিংনা থৌগন তৌদুনা মৈদিংঙু সুরচন্দ্র সিংহ অহিং নোংয়াঈ মতুং পুঙ ২ (I.S.T.) রোম তারকপদা বৃটিশ পোলিটি এজেন্টকী রেসিডেন্সীদা লেঙশিনখি। ঙাইহাক লৈরগা কোনুং কংলাদা লানহৌবশিংনা মায়পাকপগী লাল্লাউ লাউরকপা তারম্মী। মি: গ্রিমউদ, বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্টসু নোংমৈ মখোন্দু তাবদা তুল্লম্বদগী মীকপ থোকহল্লবনি। মঙোন্দা মৈতৈগী বেণ্ডমাষ্টর দুম্ব্রসিংহনা পাউ পীবদগী মহাকসু হৌগত্তুনা লৈরবনি। মৈদিংঙু সুরচন্দ্র অমসুং মনাউ ঈবুংঙো পাকস্নানা মাগী রেসিডেন্সীদা চঙলকপা মহাক্লা ওক্লম্মী। অদুগা মাগী রেসিডেন্সী মনুংদা লৈরিবা মীটিং হোল অদু শেংদোক-শংদোকহন্দুনা মহারাজ লেঙশিন্নবা শেম-শারম্মী। ঙাইহাক অমুক লৈরগা মহারাজগী মনাউ ঈবুংঙো অনি-শামুহঞ্জবা থম্বৌস্না অমসুং ফুঙ্গানাই শঙলাকপা গোপালস্নাসু লাক্তুনা মৈদিংঙুগী থৌগল তৌররে।

মতমসিদা কংলা কোনুংগী নিংথেমকোন লাম্বন মনুংগী লৈমকোন্দা লৈরিবী নিংথেমগী লৈমশিংগী মনুংদা মৈতৈলৈমা ঙাংবম চনু প্রেমময়ীসু অহানবা নোংমৈ মখোন তাবদা মীকপ থোক্লবনি। মহাক্লা অমম্বা মরক্তুদা শ্রীযুৎপু থিরুবা মতমদদি শ্রীযুক্তি শঙ্গাইরেনগী ফমজাওদা লৈরমদ্রে। অদুনা য়ুমজাওদা চঙশিন্দুনা মনাউ

ঈবেম্মশিংগী মনাক্তা লৈররে। মহাক্না নীঙলম্বা অদুম্মক থৌদোক ওইনা থোক্লকপসিদা, ওম্থোকপনিদকো, হায়না শোন্দুনা মপুরোইববু শোক-পন্দনবা শ্রীগোবিন্দদা নীজদুনা লৈখ্রে। অমরোমদা কংলা কোনুং লানহৌবশিংনা লৌখ্রে, অদুবু শাফবা অমদি, সেনাপতি কোইরেংনা লৈমকোনগী ঈতৈমা ঈবেম্মশিং কনানসু শোকপা য়াদে হায়দুনা থিংদুনা থমখিবনা লৈমকোনগী লৈমশিং পুন্নমক তেক্ত-কায়দনা লৈরি।

নোংঙাল্লগা পাউ ফংলে, মদুদি মপুরোইবা মৈদিংঙু পোকমিন্নবা মনাউ ঈবুংঙো অহুমগা অশোয়-অঙাম য়াওদনা পোলিটিকেল এজেন্টকী ঙাক-শেন মখাদা বৃটিশ রেসিডেন্সী মনুংদা লৈরি। হৌজিক লৈঙাক্লোনগী ৱাথোকসিগী ৱায়েন অমদি শোয়দনা পায়খৎলখিনি। অদুবু কোনুংদি য়েক্লবগী মখুত্তা লৈরিবনা মখোয়গী অফবদি করিসু ওইরক্লীঙঙাই ওইদে হায়না ঙাংবম চনু প্রেমময়ীনা খল্লম্মী, মরমদি অঙম-অথৌ খর [কাংঙবা থাঙ্গাল/চিদানন্দ, জেনরেল, মাইস্না শামু, লুৱাং নিংথৌ, কর্নেল, লাইশ্রম জম্বুবান, মেজর, অসিনচিংবা] না মপুরোইবগী মীচঙদা লৈরবসু অয়াম্বদি সেনাপতিগী মীচঙদা লৈবগুম তৌরম্মী। অদুগা মৈতৈলৈমা প্রেমময়ীনসু অসিগুম্বা লৈঙাকলোনগী ৱায়েন অমসুং থবকশিংসিদা মৈত্রবাক্তা মতমদুদা নুপী থৌদাং অমসুং মথৌ ওইনা লৌনদবনা মপুরোইবগী থবক্তুদা শরুক য়ারুবা ঙল্লমদে। অদুগীসু মথক্তা মহাক্না লৈমকোন্দা লৈরিবদু মহাক লানফানি, কৈশুমশঙদা লৈতে হায়বখক্তনি, য়েক্লবগী মিৎয়েং মখাদা লৈরিবনি। অদুনা মহাক হৈনা-শিঙনা থবক তৌদবা য়াদে। নোংঙাল্লবা মতুং, অয়ুক্কী পুঙ ৭-৮ তারক্লবা মতমদা লৈমকোন্দা লৈরিবা মৈতৈলৈমা লৈমরেন্নচিংবী লৈমশিং অমসুং নিংথেমনুবীশিংদু তানদুনা মপাম-মপামদা হঞ্জখ্রগে হায়দুনা সেনাপতিদা হায়বদা সেনাপতিনা য়ারে। অদুনা মৈতৈলৈমা প্রেমময়ী, মপাম ঙাংবম খোংনাংখোঙগী ঙাংবম কোল্লুপ, কবো লৈকায়গী থাংঙি ঙাংঙোই পঞ্জিন্দা হল্লক্লে। অদুবু মপামদা লৈ, মপুরোইবগী মনাক্তা লৈতে হায়বদনি, মপুরোইবগী পাউ লৌবদি খক লেপ্পা নত্রগা পোত্থাবা তৌরমদে।

সুরচন্দ্র মহারাজ মণিপুর থাদোকখিবা

মৈদিংঙু সুরচন্দ্রনা তৌনরিবা লৈঙাকলোনগী ঈরাংসিদা মৈত্রবাক মণিপুরদা অসুম লৈবসি শাফগনি হায়বা থাজরক্রে। মরম অসিনা করম্না মৈত্রবাক্তগী

নাম্থোকসিগে, লিনসু শিবা চৈশুসু তেক্তবা য়াবা করম্বা থৌরাং লৌখৎসিগে হায়বসি খনবা মখৈ খল্লুরগা চহিসিগী সেপ্তেম্বর ২৫ লৈপাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা "মণিপুরগী নিংথৌ ফম্বাল থাদোক্লগে, লাইফম (তীর্থ) চৎলগে অমসুং বৃন্দাবন্দা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরুরগে" হায়না মচীন্না থোক্লা পোলিটিকেল এজেন্ট অমসুং মৈতৈগী অঙম-অথৌশিংদা হায়রম্মী অমসুং কংলা কোনুংদা লৈরিবা মনাউ ঈবুংঙোশিংদা মহাক্লা লাইফম চৎনবগী থৌরাং তৌনবা চিঠি ইদুনা থারম্মী। পাউসিদা সেনাপতি কোইরেং, মনাউ ঈবুংঙো অনি অমসুং মখোয়গী মীচঙগী অঙম-অথৌশিং পুন্নমক য়াম্না হরাউনরম্মী অমসুং থীন্দনা চৎনবগী থৌরাং পুন্নমক শীল-লাংলম্মী।

মৈদিংঙু সুরচন্দ্রনা লাইফম চৎকনি হায়বগী পাউ অসি ঙাংবী মহারাণী প্রেমময়ীনা তাবদা ওন্থোকপা ৱাখল অমনি হায়না ফাওরম্মী, মরমদি মতমসিদা মহাক্কী মপুরোইবগী মশাগী চহি ৩৮/৩৯ অমসুং মহাক মশাগী চহি ৩৭/৩৮ খক্তা মশুরি। মরম অদুনা মহাক মপুরোইবনা লাইফম চৎলমদায়সিদা খুরুমহৌদবা য়াদে, মরমদি মহাক্লা মপুরোইবগী মফমদা নীঙশিঙজহৌগদবা লৈরি। অদুনা মহাক নুমিত্তুমক্তদা বৃটিশ রেসিডেন্সী লাক্কুনা মপুরোইববু খুরুমজরম্মী। মৈত্রবাক্কী মী অয়াম্বা নুমিৎসিদা লাক্কুনা মহারাজ লাইফম লেঙগনি হায়বদুদা মহারাজবু খুরুমজরম্মী অমসুং মানা মানা ঙমজবা শেন কৎনখি। মচাঈবেম্মশিং অমদি মনাউ ঈবেম্মশিংসু মহারাজবু খুমজরম্মী। অদুগা ঙাংবমচনু প্রেমময়ীনা নীঙশিঙজনীঙবদু নীঙবা থুংনা নীঙশিঙজরম্মী। অসুম্না লাংনবসি লোয়রগা পোলিটিকেল এজেন্ট মি: গ্রিমউডতগী মণিপুর থাদোকপগী পাস লৌরগা সেপ্তেম্বর ২৫ লৈপাকপোকপা নুমিৎসিগী নুমিদাং পুঙ ৭ মখায় (I.S.T.) তাবা মতমদা মনাউ ঈবুংঙো অহুম্না লুচিংবা মী ৬০ (হুস্ফু) রোম পোলিটিকেল এজেন্টকী রেসিডেন্সী থাদোক্লম্মী। অদুগা পোলিটিকেল এজেন্টনা মহারাজগী অঙাক-অকন ওইনবা ৪৪ শুবা বেঙ্গল লাইট ইনফেন্ট্রীগী রাইফলমেন ৩৫ (কুন্থ্রামঙা) খক্লা মহারাজবু শিলচর ফাওবা থৌগন তৌহনখি।

ঙাংবম চনু প্রেমময়ীনা মলেসকী রেসিডেন্সীদগী মপাম ঙাংবম খোংনাংখোঙদা হনখ্রগা থৱাই নুংঙাইতনা লৈখিরম্মী। মহারাজ সুরচন্দ্রনা মহাক্কী মনাই-মশলশিংগা লোইননা শিলচরদা ওক্তোবরগী চৈচৎ ৩ দা থুংলম্মী। মহাক্লা শিলচরদা হেক

থুংবগা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টনা পীরকপা পাস অদু ফাক্তোক্তুনা য়েংবদা মহারাজ সুরচন্দ্রনা মণিপুরগী নিংথৌ ফম্বাল থাদোক্লে হায়বা ৱাফম থেংনরে। মসিদা মহারাজনা থম্মোইদা ফুমদুনা পুরকপা ৱাখনগা ওন্ন-তৈনবনা ৱাফমদু পোলিটিকেল এজেন্টনা মীনমদুনা হায়বনি হায়না, ওক্টোবর ৬ তগী শিল্লোংদা লৈবা আসামগী চিফ কম্মিস্নারদা টেলিগ্রাম তৌদুনা খঙহনখি। শিলচরদগী মহারাজ অমসুং মহাক্কা লোইনরিবশিংবু শিলচরদা পোষ্টিং তাবা আসাম পুলিসকী ইন্সপেক্তর অমনা কলকটা য়ৌনবা থিল্লম্বী। মহারাজনা কলকটা য়ৌরবদা মৈতৈলৈমা প্রেমময়ীনা নীঙশিঙলকপা মহাক্কী মপাবুং ঙাংবম মেজরনা লৈদুনা থম্বীরম্বা য়ুম ঈংখোলদু নীঙশিঙলক্লম্মী। মহাক্কা মহাক্কী মীশিংদু অহানবগী ওইনা মৈতৈলৈমা প্রেমময়ীগী য়ুম-ঈংখোল লৈরিবা কলকটাগী মনিকতলা রোড কাঁকরগাছীদা পুরম্মী অমসুং থুংলম্মী। অদুগা মহারাজ সুরচন্দ্রনা লৈফম-চাফমগী তঙ তারবা মতমসিদা মণিপুরগী নিংথৌ খুবম হঞ্জিনহনবীয়ু হায়না বৃটিশ ইন্দিয়াগী সুপ্রিম এডমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিলগী গোভর্নর- জেনরেলদা চে লানখিরম্মী।

নীঙ্তম্ লান মনুংদা

মৈতৈলৈমা ওইরম্বী ঙাংবম নিংঙোন প্রেমময়ীনা মপুরোইবা মৈদিংঙু সুরচন্দ্র কলিকটাদা লৈখ্রে হায়বা পাউ ফংলে। মদুদা থোইদোক্না নুংনাংবা তৌরমদে, কলিকটাগী বৃটিশ সাহেবশিংনা অচুম্বা ৱায়েন তৌবীরক্কনি, মপুরোইবনা অমুক হন্না মণিপুরগী নিংথৌ ওইরবা য়ারি হায়বা ৱাখলসি তৌজ-থমজরি। অসুম্না থা ৫ (মঙা) মপামদা ঙাইরক্লবা মতুংদা মলেসশিংনা কলিকটাদা মহারাজ সুরচন্দ্রগী ৱাকৎ নীঙথিনা খন্নরি। মণিপুরগী নিংথৌমচাশিং খৎনবগী ৱাথোকসি য়েংশিন্নবা আসামগী কমেসোন সাহেব (চিফ কম্মিস্নার) মণিপুরদা থোক্লক্কদৌরি, মহাক্কা লোইননা মৈদিংঙু সুরচন্দ্রসু থোক্লক্কনি, হায়না পাউ অমসু মীনা ঙাংনদুনা তারে। হন্দক থোক্লক্লবদি মচীন-মনাউশিংগী পুক্নীঙ-ৱাখল মান্নদবসি তাইশিন্নরগনি। অমসু অমসু লম পঙহেন হেন্নররোয়, য়েক্ল-য়েংথী পুম্নমক চমথোক্নরগনি, হায়না খল্লম্মী। মনাউ ঈবেম্মশিংগসু তানদুনা মপুরোইববু তরাম্না ওকচদুনা নীঙথিনা থৌগল তৌসি হায়দুনা লেপ্লরে। মনাউ ঈবেম্মশিংসু হরাউনরে, মচাঈবুংঙো লুখোয় অমসুং মচাঈবেম্মা সনাতোম্বীসু পাউসিদা নুংঙাইবা পোক্লরি।

নিংথৌ ওইরিবা মনাউ ঈবুংঙো কুলচন্দ্রধবজদি যুবরাজ ওইরিবা মনাউ ঈবুংঙো কোইরেং (টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ) না হায়জবা পুম্নমক তৌগদৌরিবনি, নিংথৌ ফম্বালসু মহাক্না পীরিবনি। মনাউ ঈবুংঙো কোইরেং যুবরাজসি মৈতৈলৈমা প্রেমময়ীগা পোকমিন্নবী, হেক থংনবা মনাউনুপী ঙাংবম চনু অঙাংমচাগী মপুরোইবনি। অদুনা মনাউ ঈবুংঙো কোইরেংগী মবুক ফাননবা মনাউ নুপী অঙাংমচাদা চেৎনা শিন্নবা তাই খন্দুনা মনাউ নুপীদুবু অতম্নমা উনদুনা ৱারী শানরম্মী। হৌজিক আসামগী চিফ কম্মিস্নার মি: জে: ডব্লিয়ু: কুইন্টল অচৌবা লান্মী লুপ অমা পুদুনা মণিপুরগী মাও য়ৌরক্লে। মৈদিংঙু সুরচন্দ্রদি য়াওরক্তে, হায়বা অশেংবা পাউ ফংলে। শাগৎচরুবা ৱাখলগী ফুরা মংলানগী ফুরা ওইখ্রে। মপুরোইবা উবা ফংগনি অমসুং উনরগনি নীঙলম্বদু পুমকায় কায়খ্রে। অদুগা আসামগী কমেসোন সাহেবসিনা লান্মী অসুপ য়াম্না (গুর্খা সিফাই ৪০০ অমসুং মখোয়গী কম্মিসন্দ অমসুং নন-কম্মিসন্দ ওফিসারশিং) পুরক্লিবসিনা করিগীনো, হায়না মতোমতা চমম্লনা খঞ্জখি। তশেংনমক খন্ননীঙঙাইনি।

খৃষ্ট কুমশীঙ ১৮৯১ গী মার্চ ২২ গী অয়ুক্কী পুঙ ১০ অদুৱাইদা আসামগী চিফ কম্মিস্নারদু ইম্ফালদা থুংলবনি। মীটিং তৌসি হায়নরগা মীটিং তৌবা ঙমদ্রে। মথংগী নুমিৎ চৈচৎ ২৩ গী নুমিদাংৱাইরম পুঙ ৪ গী অদুৱাইদা বৃটিশ ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টকী ৱারেপ লাউথোকখ্রে - মৈদিংঙু কুলচন্দ্রধবজনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইবা ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টনা য়াখ্রে অদুগা কোইরেং/ টেকেন্দ্রজি যুবরাজ (মখোয়না হান্নগী ফম সেনাপতিদু হায়) বুদি ইন্দিয়াগী লম অমদা পুথোক্তুনা থম্বা - হায়না হায়খ্রে। য়াথংসিদা সুরচন্দ্র মহারাজগী ৱাফমদি য়াওদ্রে, মসিনা তাক্লিবদি সুরচন্দ্র মহারাজদা নিংথৌ ফম্বাল পীদ্রে, মহাক্কী ৱাকত্তুগী মৱা লৌবীদ্রে - হায়বনি, হায়বসি ঙাংবী মহারাণী প্রেমময়ীনা খঙবা ঙম্লে। ৱাফমসিদা ঙাংবীসিগী করি মপাঙ্গল অমসুং পান্বে লৈরি। নীঙজবা পুম্বা কায়রে, লাইবক্তা খুতুম্না শুদুনা কপ্পা নত্তনা করিসু তৌনীঙঙাই লৈত্রে। তাং ২৩ অমসুং ২৪ গী লোন্নবা অহিংদু তুম্বা য়াদনা কপ্পুনা লেল্লে।

যুবরাজগী শঙ্গাইদা লান্দারকপা

মার্চ ২৩ নিংথৌকাবগী নুমিদাংৱাইরমসিদা আসামগী চিফ কম্মিস্নার কুইন্টন্না হায়দোক্তনা মীটিং তৌরগা মীটিং হোল মনুংদা ফম্লিঙৈদা যুবরাজ কোইরেংবু নমদুনা

ফাগে হায়না খুজীন থৌরাং তৌদুনা শরৌ শীনবদু মায় পাক্তবদা শরৌ- লাংথাক অমা অমুক শীন্দুনা মৈতৈ নিংথৌদা মহাক হয়েং (চৈচৎ ২৪) ইম্ফাল থাদোক্লগে, মদুগী পোৎথাং-মী (Porter) ৪০০ পীয়ু, অদুগা মৈতৈ-জগোয় রাস য়েংনীঙডি, মী থারক্তুনা বৃটিশ রেসিডেন্সীদা শান্নহল্লো, হায়না শরৌ শীল্লক্লম্মী। মৈদিংঙুনা মখোয়গী মনীঙ থুংনবা পুম্নমক শীনবীরম্মী। অদুবু নুমিদাংদুদা মৈতৈশিং খঙহন্দনা লাম্হোঙ শীন্নরগা যুবরাজ ফাননবা যুবরাজকোন্দা অমসুং যুবরাজগী শঙ্গাইদা লান্দানবা থৌরাং তৌরম্মী।

মার্চ ২৪ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নোংঙাল্লকপা অয়ুক্কী পুঙ ৪ মি: ১৫ দা যুবরাজগী শঙ্গাইদা বৃটিশ সিফাইশিংনা লান্দাশিল্লক্ল-মী। মসিগী নোংমৈ কাপ্পগী মখোনসি তাবদা প্রেমময়ী তশেংনমক খংলম্মী। যুবরাজকোনসি ঙাংবম খোংনাংখোঙগী ঙাংবম কোল্লুপসিনা খ্বাইদগী হেন্না নকপা মফম্নিনা নোংমৈ মখোনসি ঙাংবম কোল্লুপসিমক্তদা কাপ্পগা মান্ননা তারিবনি। বৃটিশ সিফাইশিংগী চেন্ন-চোংনবনা ঙাংবম কোল্লুপসিসু অদুম লানফম মফম ওইরিবনি। ঙাংবমগী মীশিংদু মনীঙলোমদা থোক্তুনা লাঞ্জেনবদুদা প্রেমময়ীসু লমফেন মপান য়ৌনা লাঞ্জেল্লম্মী। অসুম্না মার্চ ২৪ গী নুমিৎ চুপ্পদুগা মলেসকা মৈতৈগা লান্থেংনরম্মী। নুমিৎসিগী নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা লেপ্পা লৈতনা লান কাপ্পরে। মসিনা অনকপা লমদমদা লৈরিবা মীচম-মীয়ামগী য়ুমথোঙ কয়াদা শোকহল্লি অমসুং ঈমুং খরদি তুম্বা-চাবা খঙহন্দে। হায়রিবসিগী মনুংদা ঙাংবম কোল্লুপকী য়ুমশিং অমদি ঈমুংশিংদুসু য়াওরিবনি। অদুগা প্রেমময়ীদদি মসিগী থৌদাং লৈরিবনি, অদুবু মাগী হক থোকপা হায়বদু ওইদ্রবনিনা তুমিন্না লাঞ্জেন্দুনা খাঙবা তারিবনি।

নোংঙাল্লবা মার্চ ২৫ অসিদদি তশেংনা মৈত্রবাক্তা লান থোক্লে। অদুনা কোনুংদগীসু মৈত্রবাক্কী লৈঙাকলুপ্পা মলেসকী লৈঙাক-লুপ বৃটিশ ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টকী মথক্তা লান তৌরে হায়না লান লাউথোকখ্রে। মলেসকী রেসিডেন্সী মৈ থাখ্রে, সিফাইশিং পুম্নমক চেন্নখ্রে অমসুং মৈতৈ সিফাইশিংনা তান্ন-তান্নদুনা হাৎলে অমদি ফারে। মৈত্রবাক্তা লানগী মৈচ্রাং পাইরে। অদুগা মৈতৈনা বৃটিশকী ওফিসার মঙা-মিষ্টর জে: ডব্লীয়ু: কুইন্টল, আসামগী চিফ কম্মিস্নার, কর্নেল স্কেন, মি: কোসিন্স, মি: গ্রিমউড অমসুং লেফটেনেন্ট সিম্পসনবু কংলাগী নোংশা (কংলাশা) অনিগী মমাঙদা কক্তুনা হাৎখিবদুগী লমন খুল্লক্তুনা তোক্লোয়। খুনকন-পাঙ্গল্লবা মলেসনি, মালেমগী লৈমায়দা লৈরিবা মখোয়গী লৈপাক্তা নুমিৎ

তাবা লৈতে, হায়রিবনি। মখোয়না করি তৌরকপগে, হায়বদু য়েংখিবা তারি। ৱাগদৌরিবা লৈবাকসে ! শ্রীযুৎ ঈবুংঙোদুনা কলকটাদা করম্না লেল্লমগবা ! কনানা থৌগল তৌবীরমগনি।

খঙহৌদে মতম্না পুরকপা অৱা-খুদোংথীবগী থৌদোক, মৈরমদা মলেস লান্মীশিং লান কারক্লে, থৌবাল য়ৌরক্লে, অথোকপদা তেঙ্গোন শাদুনা লৈরে, হায়বা পাউ তারে। লান ঙাক্লবা মৈতৈ লান্মী থাখ্রে। থৌবালদা মৈতৈগী তেঙ্গোন শাদুনা লান ঙাক্লি। নুমিৎ ৬ (তরুক) নী অথোকপদা কোম তৌদুনা লানবন শারম্বা মলেস লান্মী মোরে-তুমুরোমদা হন্দোকখ্রে, সনখ্যা য়াইস্কুল লাকপা হাওজৌ, মচা (য়ারোঙ) মন্ত্রী অমসুং মচাঈবুংঙো সনাহল (শেঙ্গোয়ম্না/শঙ্গোয়ম্না) থৌবাল অথোকপমদগী মলেস তান্থোক্লন্নগা থৱাই থাখ্রে, হায়বা পাউশিং মনাই মোইরাং তোঞ্জাও সুবেদার লাক্তুনা তন্লবদগী তারে। বৃটিশশিংগী মওঙ অসি তোকখিগদবা মান্দেসু হায়রি, ঙাংবম খোংনাংখোঙগী লম, কবো লৈকায় পঞ্জীনসিদা অসুম লৈবসি খুদোং চাগদবা মান্দে, লৈপাক তঙ তাবা ফিবম অমা খঙদ্রিবা ফাওবদি লৌৱাই মচী অমদা লাঞ্জেন্দুনা লৈরুবনা ফগদ্রা খন্নে, ঙাংবমগী লৈরিবা মবুঙ-মপ্পাশিং অমসুং মোইরাং তোঞ্জাওনচিংবা মৈদিংঙু সুরচন্দ্র মহারাজগী থাজনীঙঙাই ওইরবা মদাইরেমশিং, মরমদি মায়কৈ অনিমকসি তাইশিন্নবা য়াবগী ফিবমদা লৈনবা উদে।

মোইরাং তোঞ্জাও সুবেদারদু খুরাইদা লৈবনিনা মহাক্না কোনুং কারকপদা হেক হেক মৈতৈ লৈমা প্রেমময়ীগী শঙ্গাইদা চঙলক্তুনা ঈ-পাউশিং পীরে। মহাকসি মৈদিংঙু সুরচন্দ্রবু নীঙবা অথোইবা মনাইশিংগী মনুংদা অমনি, হায়বসি ঙাংবী মহারাণীনা খঙঙি, অদুগা হাইফেৎ তৌবা ঙম্বা, কন-থৌবা অমসুং মরীন লৈবা মীওই অমনি, লৈপাক্কী ওইনা মশক নাইখৎলক্লিবা মীশক অমনি হায়বসিসু ঙাংবী মহারাণীনা খঙঙি। অদুবু মহাক্না মতমদুদা মহারাজ সুরচন্দ্রগী পাউ লৌবদি ঙল্লমদে, অদুমকপু পাউ লৌনবদি হোৎনদবদি নত্তে। অদুনা মহাক্না ময়াং লৈবাক কছাড় অমসুং বঙ্গদেশতা মরবাক লল্লোনবা চৎলিবা মহারাজ সুরচন্দ্রগী মমাক ঈবুংঙো অহন নোংমাইথেম মনিকচান্দ (তম্ফা ৱাংঙমলোন সনাতোম্বীগী মপুরোইবা) দা মহাক্না কলিকটাদা চৎপদা মহারাজগী স্নানাক্তা চঙলক্লবা হায়জরম্মী। অরোনবা পাউনি, নাকোঙ অনি শুখ্রবদি অঙাং ওন্নীঙঙাইনি। অদুবু মোইরাং তোঞ্জাওনা করিসু চিংদনা থবকশিংসি লৌখৎলি, মরমদি মহাকসি মতমদুদা কোইরেং যুবরাজগী মমিত্তদি থাজনীঙঙাই ওইরবা লৈপাক নীঙবা পাউখোল্লোই অমনি।

এপ্রিলগী চৈচৎ ১৮ য়ৌরকপদদি মোইরাং তোঞ্জাওগী মফমদগী মলেসশিংনা মৈত্রবাক্কী অৱাং, নোংপোক অমসুং নোংচুপকী মায়কৈ অহুমগী থিবোম্মৈ (কোহিমা), তুম্মু অমদি শিলচরদগী লান্মী মপৈ অহুম মৈত্রবাক্তা লান্দানবা থাজিল্লক্লে, হায়বা পাউসি তারে। স্না কোনুংদগী মায়কৈ অহুমগী লানশিং ঙাক্লুবা মৈতৈ লান্মী থানবা হোৎনরি, শোয়দ্রে, লাঞ্জেনবা শেম-শাবীরো - হায়বা ৱাফমসি তারে। প্রেমময়ী, মচাঈবুংঙো লুখোয় পুদুনা লাঞ্জেনবা নত্তনা পাম্বৈ লৈতে। তাং ২০ য়ৌরকপদদি মোইরাং তোঞ্জাওসু লাকখিদ্রে, মৈরমগী লানফমগী লানসু কনশিল্লক্লে হায়বদি মীয়াম্না ঙাংন-শক্লবদগী তারে। মৈতৈনা লাইবক থীরকপা লানগী পাউ তানা তানা চয়োল অমগী মতম হৌজিনখিবা খঙহৌদে। এপ্রিল ২৭ নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা মলেসশিংনা মৈতৈ কোনুং চঙখ্রে, মৈতৈগী নিংথৌ, যুবরাজ, সেনাপতি, জেনরেল-কর্নেল, মেজর-সাজোরনচিংবা পুম্নমক চেনখ্রে, মনিপুর লৌখ্রে। মৈত্রবাক্কী নিংথৌ মলেস সাহেবনা ওইখ্রে।

মৈতৈনিংথৌ হাপ্পবা থৌরাংদা

চহিসিগী মে থা লোয়রকপদদি বৃটিশশিংনা মৈত্রবাক মণিপুরগী অমসুং মৈতৈগী থুগায়-য়ৈখায়বা, কাপখায়-য়ানখায়বনা তৌদুনা মাঙহনবা য়াবা মখৈ মাঙহল-তাকহল্লবা মতুংদা লানফাশিং পুম্নমক কৈশুমদা শুমদুনা থম্লবা মতমদা মৈত্রবাক্তা মখোয় মলেসকী ৱায়েন চৎনহন্দুনা লৈবাক মরা তপ্না পান্নবা থৌশীল-থৌরাং লৌখৎলক্লে। মে থাদগী হৌনা লাঞ্জেনরুবা পুম্নমক মাগী মাগী হান্নগী ঈংখোন্দা হঞ্জিন্নরক্তুনা পান্নরে। ঙাংবমচনু প্রেমময়ী মচাঈবুংঙো পুরক্তুনা হান্নগী ঙাংবম খোংনাংখোঙগী ঈংখোন্দা হঞ্জিল্লক্তুনা লৈররে। মীখা পোল্লবা ওইরবসু লানগী ঈরাংদুদি লৈত্রে। লানফা ওইনা ফারবশিংগী ৱায়েন জুন ১ দগী তৌবা হৌদুনা মাগী মাগী শীরিবা মরানশিংগী খুদম-চাংদম উত্তুনা মরানশিংদু লৈহল্লগা মতীক চাবা চৈরাকশিং পীনখ্রে। মনাউ ঈবুংঙো কুলচন্দ্র নিংথৌ কলাপাণীগী কৈশুম (Andaman গী পোর্ট ব্লেয়ার জেল) দা অঙম-অথৌ ২১ (কুনমাথোই) গা লোইননা থাখ্রে অমসুং মনাউ ঈবুংঙো কোইরেং (টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ) যুবরাজগা কাংঙবা থাঙ্গাল (চিদানন্দ) সিংহ জেনরেলগা আগষ্ট ১৩ য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ফৈদাবুঙ, স্না কৈথেল ওইরম্বগী ময়ায়দা থৌরী য়ান্দুনা (হেঙ তৌদুনা) হাৎখ্রে।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা বৃটিশ গোভর্নমেন্টকী মথক্তা লৈরিবা য়ুনাইটেড কিংদমগী গোভর্নমেন্টকী মহারাণীনা য়াথং তাউথরকপগী মতুং ইন্না মৈত্রবাক মণিপুরবু মশাগী মী-কাংলুপকী নিংথৌ অমনা পানবা অমসুং লৈঙাকপা লৈপাক অমা ওইনা শেন্না তারম্মী। নিংথৌ অসি খনবগী থৌদাংদি মণিপুরদা লৈরিবা-বৃটিশকী চিফ পোলিটিকেল ওফিসার ঐচ: সেন্ট পি: মেক্সৱেল, মেজর (মেজর মেসিন সাহেব) না লৌগনি। হায়রিবা পাউ অসি মোইরাং তোঞ্জাওনা মৈতৈলৈমা ঙাংবমচনু প্রেমময়ীদা পীরম্মী অমসুং মচাঈবুংঙো লুখোয়স্নাবুসু নিংথৌ খনবদুগী ফম্নাইনীঙবা মীতা (Candidate) অমা ওইহন্নবা ৱাফম থল্লক্লম্মী। পাউসিদা মৈতৈলৈমা (মহারাণী) প্রেমময়ীনা ৱাফমসি খন্ননবা মচা-মনাইশিংবু মনাক্তা কৌরম্মী অমসুং মচাঈবেম্মা ৱাংঙমলোন সনাতোম্বী অমদি ময়াঈবুংঙো নোংমাইথেমচা মনিকচানবু থুনা লাক্লনবা হায়রক্লম্মী [এম: কে: বি:, ২০০৯, ৮৫-৮৬]। মনিকচান লাক্তুনা ৱা তানখি। অদুবু বৃটিশ সাহেবশিংনা - “শ্রীগম্ভীরসিংগী ধারা অসিদি সরকারদা য়াম্না লাল্লে। মণিপুরগী নিংথৌদি নরসিংহ মহারাজগী ধারানা ওইবা তারে [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৫০২] হায়বসিদগী মচাঈবুংঙো লুখোয়স্নাগী ৱাফমসি থাদোকখি। মতম ঈকুই কুইদনা মৈদিংঙু নরসিংহ (১৮৪৪-৫০ ইং) গী মশূ ঈবুংঙো চহি তরেৎ মপুঙ, নিপান চঙলকপা ঈবুংশীজ চুড়াচান্দ সিংহবু মৈত্রবাক মণিপুরগী নিংথৌ ওইনা খনখ্রে।

প্রেমময়ী জন্মস্থান্দা য়ুম হোংবা

মৈত্রবাক্তা লৈবা মলেস সাহেবশিংনা মখোয়গী লৈঙাক্লোনগী থৌশীন-থৌরাংগী মতুং ইন্না লান্মী থমদবা য়াদবনা লান্মীশিংদুগী লৈফম অমা শেমদবা য়াদে। অদুনা লৈঙাক্লোনগী-য়ুম্ফম ফম্বীরেন ওইরিবা কংলাগী মনাক্তা কংলাগী অৱাংদা লৈরিবা লমগী মশাং অদু বৃটিশ লান্মীগী কনশিল্লবা লম (Reserved area of British Army) ওইনা থম্লবা থৌরাং তৌরম্মী অমসুং লম মশাংদুদা লৈরিবা, খুন্দা-লৈতারিবা মীশিংদু তান্থোক্লম্মী, মদুগী ঈ-পাউদি:-

... অহোঙশাংবম দুহোবকী কুম শক ১৮১৩... মেরা থা .... ২২ নি থাঙজ (ইং ১৮৯১ গী ওক্তোবর চৈচৎ ২৪) দা..... , খুরাই লৈকায় মেনুথোংদগী হৌবা থাঙমৈবন পল্লীনা কোনবগী লম মখৈ তান্থোকএ। মেনুথোং কৈথেন্দগী হৌবা মশাং অদু পলতোন সিফাইগী লেন শাই, সিফাইসুং য়াম্না লৈএ। তোপসু ৩ থমএ [মথক্কীসিদা, ৫০৫]।...

অসিনি। অসুম্না তান্থোকপসিদগী মসিগী মমাঙদা ঙাংবী মহারাণীনা হান্ননা পাউ ফংদুনা লৈফম থিরকপদা মহারাণীসিগা মপা-মমা তীন্ননা হেক থংনবা পোকমিন্নবী মনাউ ঈবেম্মা অঙাংমচা, মনাউঈবুংঙো কোইরেং যুবরাজ ওঙবীনা লৈরিবা, মহাক্কী মপুরোইবগী ময়ুম ঈংখোল, নহারুপ পানাগী লৈকোক (Headquarters) লৈকায় য়াইস্কুলগী জন্মস্থানদা লৈরিবা ঈংখোলগী মনীঙ (নোংচুপ) থংবা শরুক্তা লৈরুনবা য়ুম হোংলক্লম্মী। অদুগা থীন্থদনা শঙ্গাই য়ুমজাও শাদুনা য়াইস্কুল জন্মস্থান অসিদা কোনুংগুম পানবা হৌরকখি [এম: কে: বি:, ২০০৯, ৯৯]।

মৈতৈলৈমা ঙাংবমচনু প্রেমময়ীনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্ব [রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র, কর্ত্তা মহারাজ, রাজা জয় সিংহ, নুঙনাংখোম্বা, চীঙশাংখোম্বা (ইং ১৭৫৯-৬২ অমসুং ১৭৬৩-৯৮] গী পোক্লফম জন্মস্থান, য়াইস্কুলদা লৈবদা মতমসিদা মফমসি অনিশুবা মৈতৈ কোনুং ওইখ্রে। মচীন-মনাউশিংনা তান্থোকপীরবা নিংথৌগী মৈতৈলৈমা, মপারী লুখোয়স্না, মমোম তন্ফাস্না অনিনা হুন্দোকপীরম্লবী মমা অমসুং ফম তারবী মহারাণী ওইদুনসু লৈপাক খ্বাইগী ৱাকৎফম ওইরকখি।

প্রেমময়ী লুখ্রা ওইহৌবা

ঙাংবমচনু প্রেমময়ীনা মপুরোইবগী পাউ তত্তনা লৌজবনি। ইং ১৮৯০ গী ওক্তোবর থাদগী বৃটিশতা চঙজদুনা মখোয়গী লমদা লৈখ্রবা অমসুং মখোয়গী মতেংনা মণিপুরগী নিংথৌ ফম্বাল ফংনবা হোৎনরিবা মহারাজগী ফম তারবা সুরচন্দ্রবু ইং ১৮৯১ গী ফেব্রুৱারীদগী থৌশাবীদদুনা মাগী ৱাফম খন্নবীদনা লৈখিবদগী নীঙবা কায়রবা সুরচন্দ্রসি ৱাখলগী লাইনানা নারবনি। তোপ তুনা ফমুংদা হীপ্তুনা লৈতবনা মহাকপু উনরুবা অমসুং ৱারী-ৱাতাই শারুবা মীশিংনসু মহাক ৱাখনগী মহীক্লা চীক্তুনা হকচাং য়াম্না শোকচিল্লে, হায়বসি খঙবা ঙম্লমদে। চহিসিগী এপ্রিলদা থোকখিবা মৈতৈ নীঙতম লাঞ্জাওগী মতুংদা মণিপুরবু মলেসশিংনা লৌশিনখ্রবা মতমদা মহাক্কী লাইনসি অমুক হেন্না হেনজিল্লকখি। মরোন তীনদ্রবা মীরৈবাক-মরমদমদুদা মচা-মশূশিং অমসুং তাল্লোইশিং অমতা উদনা লাইবক্লা লোই থাবীরবা মহাক্কী পুন্সিদুনা নোংমা-নোংমগী অসুম-অসুম মহাম তাশিল্লক্লম্মী। চহিসিগা নবেম্বর থাদদি মহারাজ সুরচন্দ্র তোপ তুনা নারে হায়বসি ঙাংবমচনু প্রেমময়ীসিনা পাউ ফংলম্মী। অদুবু লমদম্না তাম্নবনিনা শক

উনদবনিনা করম্বা ফিবমদা লৈরিবগে, হায়বদুদি খঙবা ঙম্নরমদে। মশাগী চহি ৪০ (নিফু) শুনদ্রিবা ঙাক্তনিনা ফত্তবা থোক্কনি হায়বগী ব্রাখনসু তৌনরমদে। চহি খরগী মতুংদা শোয়দনা উনরগনি হায়বগী ব্রাখন্দা চেৎনা থাজনদুনা ঙাইনরি।

লাইনা তম্লকপা নোংদম্না অমুক হন্না উনরগনু তম্লম্লবা মতৈ-মনাউনা খক উনখিদে। মনাউ ঈবুংঙো অহুম্না ফমশেন্নদুনা কলিকটাগী মনিকতলা রোড কাঁকরগাছিদা লৈরম্বা সুরচন্দ্র মহারাজ নরেম্বর থা লোয়শিল্লকপদদি অনাবগী ফিবম ফত্রে। তাইবং মপুনা পীরকপা পুন্সি মতম লোয়রবা মীওই অমবু শিবগী খোঙথাংদগী কনানসু কনবা ঙমদে। অদুনা মরাইবক থীরবা মণিপুরগী নিংথৌদু তাম্লবা মীরম অদুদা চহিসিগী ডিসেম্বর ২ দা মালেম তাইবংপান থাদোক্তুনা নোঙ্গাখ্রে। মসিগী ঈ-পাউদি :-

.... অহোঙশাংবম দুহোবসিংগী কুম শক ১৮১৩ পোইনু থা য়ুমশকৈশনা (চৈচৎ ২।১২।১৮৯১ ইং) হল্লে। অদু নুমিত্তা সরকারদা লৈখ্রবা সুরচন্দ্র, কৌবা চীঙলেন লান্থাবা মহারাজ কলিকটাদা নোঙ্গাই। নোংঙানবদা লৈতবনা নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুঙ ১গী মনুংদা (পাউ) থুংলৈএ [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৫০৬]।

অসিনি। পাউ অসি থুংলরবদা মপুরোইবা শোয়দনা হল্লকখিগনি হায়বগী থাজবদা লৈজরম্মী ঙাংবমচনু লৈহাও (প্রেমময়ী) তু চুঙখি। খঙহৌদনা মিৎলুদগী পীরাং শীন্থরকখি। পুমঙাও ঙাওরবা ব্রাখন্না চপ লেপ্তুনা লৈরম্বদগী হকচাংগী লৌশিঙ পুন্নমক মাঙখিদুনা লৈমায়দা তুথরকখি। মনাই নুপীশিংনা ঈমুংদা পুশিন্দুনা লাইকন্নখি। মতম ঙাইহাক্কী মনুংদা ব্রাখল-লৌশিঙ লাক্লবদা হৌগত্তুনা ফিঙৌ ফিজোল হোংদোকখি, খুদাংদা শিরম্বা খুজিশিং লৌথোকখি, অদুবু হীক্লা হীক্লা কপ্পদি খক তোকখিদে।

ঙাংবী মহারাণী মতম ঙাইহাক কপ্পরগা পুকনীঙ ফাজিন্নবা অমসুং ব্রাখল নেমথনবগী লৌশিঙ ফংলে। মহাক্লা মহারাজ সুরচন্দ্রগী ঈমুংগী অহন্নি অমদি মকোক্নি। মহাক্লা ব্রাখল ককঙাওনদুনা নত্রগা কপ্তুনা লৈরবদি মখা থাবা মনাউ ঈবেম্মশিং অমসুং মচাশিংদি করম তৌগনি, লৈখিদ্রবা মপুরোইবগী থব্রাইনা ঈংনা পোথানবা তৌবা হৌনবা লাইথৌ-তীনথৌশিংদি কনানা তৌবীগনি। অদুনা মথৌনা লৈবী অমসুং মপুরোইবা নীঙবীগী হৌনবা লাইথৌ-তীনথৌ তৌনবা মহাক্কী শঙ্গাইদা শীল্লে। মনাইশিং থাদুনা ব্রাহ্মন কৌহল্লুরে, অশিবগী লাইরিক তাবগী

থবক লৌখৎনবা থৌরাং-ঈরাং পুন্নমক তৌরে। অসুম্না নুমিৎ ১২ নি অশি লাইথৌ তৌরক্লগা নুমিৎসিদা য়ুমশেংদুনা পোইনু ১৩ নি (চৈচৎ ১৪।১২।১৮৯১ ইং) নোংমাইজীঙ নুমিৎসিদা শোরাৎ শোন্দুনা মপুরোইবগী য়াইবী থৰাইবু তাইবং মপুগী খুয়াখাদা তীনহনখি। মৈদিংঙুসিগী শোরাৎসি মনাউ ঈবুংঙোশিংনা শ্রীবৃন্দাবনদসু শোনখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৫০৬]। অসুম্না ঙাংবমচনু প্রেমময়ী মশাগী চহি ৩৮ দা লুখ্রা শীঙদা চনহৌখি। অদুবু মহাকসি মাইস্না কুমুদিনী খলহৌবী অমসুং মতিঙ লৈবী নুপী ওইবনা নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবসু মীঙমদবশিংদনা পীক থল্লবা মৈত্রবাক অদুদা খ্বাই ময়ামগী ৱাকৎফম ওইবনা নুপী থোক্লা থবক তৌদবা য়াদে, মীরক মীচনথী ওইবা য়াদে।

প্রেমময়ীগী নুপী থোকপা থবকশিং

লৈখিদ্রবা মৈদিংঙু সুরচন্দ্র (খৃ: কুম: ১৮৮৬-৯০) মহারাজগী মহারাণী ঙাংবীসি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীরবী, ফম তারবী অমসুং মবুকথোক্কী মচাশিং নৌনা নোঙ্গাখ্রবীনি, হায়বসি মথক্তা উৎচখ্রে। অদুবু লৈপাক্কী মৈতৈলৈমা মহারাণী ওইরম্বনা লৈপাক্কী মীশিংগী অৱাবদা অমসুং মৈতৈ অপুনবগী ওইবা থবকশিংদদি থৌদাং য়াদবা ঙম্লমদে। মীরমদমগী মীতোপ লল্লানবশিংনা মকাংলুপ-মফুরুপকী মীওইশিংবু উশীত্তবা, হস্থনা য়েংবা, মনাং অমসুং মচৎকী চৎলম অমদি চংনবীবু থৌশাদবনচিংবদা মায়য়োক য়াদুনা থেংদনা তোক্তে। মহাক্কী অসিগুম্বা ফিদম্লীঙঙাই ওইরবা থৌনা লীংজেনগী থবকশিং অসি মীখা পোল্লবা মতমগী মৈতৈ খুন্নাইদা ওইখিবনা কনানসু শীঙথাবীনবা লৈতনা লৈখিবনি, মখোয়দুগী খরদি :-

কংলাদা শন হাৎপা থিংবা - মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাগী লমকন মনুংদা মলেসকী সিফাইশিং - অমসুং সাহেবশিংনা লৈবসিদি মখোয়না মৈত্রবাকপু লোই চনবা নুমিৎ খৃ: কুম: ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৭ তগীনি। মসি মখোয়না কোন্থৌজম য়ুম্ফমগী শঙ্গাইদা মখোয়গী পোলিটিকেল এজেন্টকী রেসিডেন্সী অমুক হন্না হোংদোক্লিবা ফাওবনি। অদুগা সিফাই থম্বনা কুমজা ১৯৪৭ ফাওবনি।

মৈত্রবাক্তা শন হাৎপা থিংবসিনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (খৃ: কুম ১৭০৯-৪৮) গী সনা হাক্তক্তগীনি। অদুগা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি (খৃ: ১৮৫০-৮৬) গী সনা হাক্তক্কী ইং কুমজা ১৮৭০ গী এপ্রিল ৮, ঈরাই নুমিত্তা মণিপুরদা লৈবা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট ডা: রোবার্ট ব্রাউন [Dr. Robert (R) Brown (1867-75 A.D.] না লাংথবান্দা শন হাত্তুনা চাগে তৌবদা মহারাজনা কাংঙবা থাঙ্গাল মেজর / জেনরেল থাদুনা শন মমল হল্লম্লগা শন হাৎপা থিংখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৩৮৩]।

বৃটিশশিংনা মণিপুরবু লোই চল্লবদা কংলাদা থল্লিবা মখোয়গী সিফাইশিং অদুনা শন হাত্তুনা চারম্মী। মদু মৈতৈ বামোনশিংনা প্রেমময়ীনা য়াইস্কুল জন্মস্থান্দা খোঙগুন তানা লৈরক্লবা মতমদা হঙ্গৎলখি। মদুদা ঙাংবী মহারাণীনা ঐনা পাঙ্গল লৈত্রবী মহারাণী ওইবনা গোড়া সিফাইশিংনা তৌরিবা থবক্তু থিংবগী ঈতীক-ঈঙমদি নত্তে, পাল্লিবা অঙাং ওইরিবা নিংথৌ চুড়াচান্দসিনসু ঙমফম থোক্তে। অদুমকপু ঐ হোৎনজগে, খর তপথনা লৈবীয়ু হায়না খুমখিরম্মী। মতুংদা বৃটিশকীদা মচীন চৎপা, হায়বা য়াবা কনা কনা লৈরিবগে খঙদোক্লবা মতুংদা, হান্না মৈতৈ নিংথৌগী ক্লার্ক ওইরম্বা বঙ্গলাগী বামাচরন মুখর্জ্জীবু মহারাণী না মী থাদুনা কৌহল্লম্মী। বামাচরন লাক্লবা মতুংদা ঙাংবী মহারাণী থোক্কুনা ৱারী শানরম্মী। মতমসিদা মপু মনাই শানখিবী ৱারীদুগী মতাংদা পীবীরল্লিবদি :-

মহারাণীনা কৌই, "বামাচরণ বাবু?"

"অজ্ঞে, করি তাকপীগদবা?"

"বাবু, সাহেবশিংনা কংলা মনুংদা শল কাপতুনা য়াম্না চারে হায়না তারে, মসি তৌহনগনু ফত্তে। অফবদি খক ওইরোয়।"

"গোরা-সিফাই অঙাওবশিংনা তৌবা ওইগনি, ঐজ্ঞা। ননাই মেকসুয়েল সাহেবতি অদুগুম্বা মী নত্তে।"

"মানা তৌদ্রবসু মানা মকোক নিদনা। মানা খামগদবনি। মখাদা লৈবা মীবু লাক্লবা ঙমদ্রবদি মাবু করম্বা লুচিংবনো?"

"ননাই ঐ হৌজিকমক হায়জরুগে।"

"মপু ওইরে হায়দুনা মীগী থৱাই শোকপা থবকসু পংতৌ তৌবা ফত্তেদা বাবু। নঙনা হায়বা য়াদ্রা, নঙদি লোয়না খঙবনি। মৈতৈগী লীচৎ-শাজৎপু নঙ কাউরবরা?"

বামাচরণ মমায় লুকথৈ। চৎলমদাইদা হঙ্গৎলি, "মহারাণী মাতানা ননাই মেকসুয়েলদসু অমুক্তং তাকপীয়ু। মানা লাক্লগা মরাইনা খুরুমজরনি। অতৈ পেন্দবা কয়া লৈরবসু অদুম তাকপীয়ু। মণিপুর নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইরি। রাজানা অঙাং ওইবনা মানা য়েংশিনবগী ৱাতনি। মাবু কৌরগা উনবীয়ু।"

"মদুগী ৱা অদু কোন্না খন্নসি।"

অসুম্না করিগুম্বদা মহারাণীনা মেকসুয়েলগা উনখি। মহারাণীগী মবুং-মপ্পাশিং অমদি বামাচরণনা মহারাণীনা হায়নীঙবা ৱা পুন্বা সাহেবতা হন্দোক্তুনা খঙহনখি। ফোঙনা শন কাপ্তুনা হাৎপসু অদুম তোকখ্রে, অদুবু অয়াম্বনদি খঙনখিদে। ফম তারবী সুরচন্দ্রগী মহারাণীনা ঙসিসু ময়ামগী খনবা তোক্ত্রি, মণিপুরবু খনবা তোক্ত্রি [এম: কে: বি:, ২০০৯, ১০৭-১০৮]।

অসিনি। ঙাংবী মহারাণীসিনা তৌরম্বা থবকশিংসি অখঙবশিংদনা খঙবা ওইনা লৈখিরম্মী।

ঙাংবী মহারাণীগী মফম

ঙাংবী মহারাণী প্রেমময়ীনা পাংথোকখিবা থবকশিংগী মৈতৈগী খুন্নাইদা অমসুং মণিপুরগী লৈঙাক্লোন্দা বৃটিশশিংনা মণিপুরদা পানবা হৌগৎলকপা, মৈদিংঙু চুড়াচান্দনা অঙাং ওইরিঙৈ, বৃটিশ সাহেবশিংনা লৈপাক ঙাক্লিঙৈগী মতমদা নীঙথিরবা মফম অমা কনবা ঙমখি; অদুবু মদুশিংদু চৈথারোল কুম্বাবদা চনখৎপীদবনা অখঁঙবশিংদনা খঙবা থবকশিং অমসুং ৱাফমশিং ওইখি। মদু মথক্কী শন হাৎপা থিংবগী থৌদৌ অমদি থৌদোকসিন্‌সু খুদম-চাংদম ওইজরবনি। অদুগা অতৈ খরদি :-

(১) মেজর মেক্সৱেলগী ৱাখল

মেজর মেক্সৱেল, খৃ: কুম: ১৮৯১ গী লান্দা বৃটিশকী "মণিপুর ফিল্ড ওপরেসন ফোর্স" কী চিফ পোলিটিকেল ওফিসার ওইনা শিলচর কলমদা লাকখিবনি, অদুগা ইং ১৮৯২ দগী মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টকী ফম পায়খিবনি অমসুং মণিপুরবু লৈঙাকপগী থৌদাং লৌখিবনি। মহাক্না খৃ: কুম: ১৮৯১ দা মণিপুরগী নিংথৌ খনবগী মতাংদা মহাক্না মথক থোংবা ওফিসারশিংদা ইখৎখিবদি - "নিংথৌ হাপ্পা তারবদি, চৎনবীগী মতুং ইন্না সুরচন্দ্রগী মচানুপা লুখোয়সনাবু হাপ্পা চুম্মী, মাবু হাপ্পনা পুন্নমক খুদোং চাগনি [মথক্কীসিদা, ১০৮]।" ৱাফমসি নোংমা ঙাংবীগী নাকোঙ য়ৌরক্তুনা মহাক্না মচানুপী সনাতোম্বী অমসুং ময়ানুপা মনিকচান্দ কৌখিবদুনি। মেজর মেক্সৱেলনা থাঙ্গৎ-পুখৎলক্লিবা ৱাফমসি গোভর্নর-জেনরেল য়াদবদগী ৱাফমসি তুমিন্না লৈনখিবনি। মেক্সৱেলনা মণিপুর লৈঙাক্লকপদা মৈতৈগী চৎনবীগী ৱাফম লাকপদা মহারাণী প্রেমময়ীগী মৱা হান্না লৌজবনি, মরমদি মহাক্না খঙই, মদুদি ঙাংবী মহারাণী প্রেমময়ী অচন্বা নুপী নত্তে, মৈত্রবাক মণিপুরগী

মৈতৈলৈমা/মহারাণী ওইবদা মতীক চাবীনি, লৈমা-নিংথৌগী তাংবনথক্তা ফমজদ্রবসু মৈতৈগী থম্মোইদা, মরাইবক থীখ্রবা নিংথৌ সুরচন্দ্রগী মহারাণী অসিনা মতমদুদা চাওরবা মফম অমা কন্দুনা লৈরি, মসিবু মহাক্না লায়থোকপা চুমদে [মথক্কীসিদা, ১০৯]। অসিনি, অসুম্না মৈতৈলৈমা ঙাংবম চনু প্রেমময়ী বৃটিশকী সাহেবকী মফমদগী মতীক চানা ঈকাই খুম্নবগী মফম অসি ফংখি। অদুবু মহাক্না পেমময়ীনা মসিগীদমক্তা খক চাওথোকপা তৌখিদে।

(২) মৈতৈ মীচম-মীয়ামগী ৱাখল

ঙাংবী মহারাণীনা কংলাদা গোরা সিফাইশিংনা শন হাৎপা থিংখিবগী ৱাফমসিদগী মৈতৈ মীচম-মীয়াম্না মহাকসি বৃটিশকী মৈত্রবাকপু ৱায়েল্লিবা ওফিসার অমসুং অতৈ ওফিসারশিংদগী ইকাই খুম্নবা ফংঙি, হায়বসি খঙখি। অদুবু ঙাংবী মহারাণীসিদদি থোইদোক্লা অপান্বা অমসুং অচাওরম কানীঙবগী ৱাফমসু লৈতে। মহাক্না কনাগীদমক নোম্লু-শূরুখিনি ! চেক-চেকশিল্লক্লবা মতমদা মাগীনি হায়না লৈরিবসি মনাউ ঈবেম্মশিং, মাগী লোন্নবীশিংগী মচা নিংঙোন অহুম (সনাতোম্বী, ওম্বীস্না অমসুং খোমদোনসনা) সিদনি। মীনা লাকচখিবশিংবু থম্মোইনুংদা ফুমজিল্লগা মহাক শিবা ঙাইদুনা মতম লেল্লিবনি। অদুনা লৈপাক্কী ওইবা হরাউ-কুম্মৈগী থৌদোকশিংদা মহাক খক থোকখি-তীনখিদরে। অদুগা মহাক্না খঞ্জে, লৈপাক্কী মপু সনখ্যা ঈবুংঙোদো তাইবংপান থাদোকখ্রে, মনাইনুবী ঐবু ঈতোমতা হুন্দোকপীরম্লে, অদুনা ঐ তুমিন্না লৈজখ্রগে। অদুবু মতমদুদসু অৱা-অনা তারবা, লৈঙাকলোনগী সাহেবশিংনা তাম্থোকপীরক্লবা অমসুং খুন্নাইলোনগী চৈথেং ফংলবা মাগী মীচম-মীয়ামশিংনা শঙ্গু শঙ্গু লাক্কুনা তীল্লবদি লেপ্পা লৈত্রি। অসুম্না মীচম-মীয়াম্না মখোয়গী ৱাকৎফম, মনীঙ থুংদবগী নী ফম অমসুং পেন্দ-নুংঙাইতবশিংগী হায়জফম ওইনা ঙাংবমচনু লৈহাও/প্রেমময়ী মহারাণীবু মহারাণীমক ওইনা অদুম লৌনরি।

মহাক ফম তারবী, মপুরোইবনা হুন্দোকপীরম্লবী অমসুং মবুকথোক্কী মচাশিং (লুখোয়স্না অমসুং তম্ফাস্না) না থাদোক্কুনা চৎখ্রবীনি, হায়জরবসু মীশিং অদুনদি মহাক্কী অৱাবগী পোৎলুমসি খঙবীদে। অদুগা মহাক্কী থম্মোইনসু ৱাবীহৈবা থম্মোইনিনা মশাগী অৱাবগী পোৎলুম পুনা পুনা মীচম-মীয়ামগী থবক্তু ঙস্বা মখৈ

কন্না চেল্লি। মায় পাকপা নত্রগা মায়থীবা হায়বদুদি মাগী মাগী মরাইবক্কীনি, ঙাংবী মহারাণীগীদি মাগী থোঙজীন্দা লেপ্পরিবা মী অদুগীদমক্তা লৈতুম অমতা ওইরবসু লংবী-হুনবীরম্মী। মরম অসিননি বৃটিশকী মৈত্রবাক মণিপুরবু লৈঙাক্লিবা মেজর মেক্সৱেলনা মৈত্রবাক্কী মতীক চাবী মহারাণী অমা ওইনা ঈকাই খুম্নরিবদু।

(৩) লৈমা-শীজশিংগী লৌচা নীবগী ৱাফম

নোংমা খৃ: কুম: ১৮৯২ হৌগৎলকপা জানুৱারী থাগী নুমিৎ অমদা ঙাংবী মহারাণী প্রেমময়ীনা মহাক্কী জন্মস্থানগী শঙ্গাইদা মহাক্কী মচন-মনীঙ ওইবী অমসুং মচাঈবেম্মা ওইবী মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিগী মচা নিংঙোন ৱাংঙমলোনশিং অমসুং মশূ নিংঙোন লৈমা-শীজশিংবু চাক্কৌদুনা চামিন-থকমিন্নরম্মী। মসিদা সনাতোম্বীসু নোংমাইথেমদগী লাক্তুনা য়াওরম্মী। মহাক্না চাক্কৌরিবসিগী মরমদি নিংথৌ মচানুপীশিং অদুগা অৱা-নুংঙাইগী ৱারী-ৱাতাই শাবা, মতমদুদা পাল্লিবা মখোয়গী য়ুম্বান-কৈবানগী ফিবম খঙদোকপা অমসুং মখোয়গী শেন-থুমগী ফিবম, লৈত-লায়রগী ফিরেপ খঙননবগীদমক্তনি, মরমদি হৌখিবা লান (খৃ: কুম: ১৮৯১) অদুগী মতুংদা লান্দুনা মরম ওইদুনা কনাগুম্বী নিংথৌমচা নুপী খরদি লৈত-লায়রগী অৱা-অনং নংলে, হায়বা পাউ মহাক্না তারম্মী। মখোয়গী অদুগুম্বা ফিবমদুদা মহাক্না, অতৈ নিংথৌমচানুপীশিংনা অমসুং/নত্রগা মতমদুগী লৈঙাক ৱায়েন লুপ্না করি মতেং লৌখৎপা য়াবগে, হায়বশিংসি য়েংনবনি। অদুবু ৱাফমসি মহাক্না মচীন্না থোক্না হায়দোক্তে।

প্রেমময়ী মহারাণীগী চাক্কৌবা অসিদা মতমদুদা হিংলি-লৈরিবা নিংথৌমচা নুপীশিংদু মাগী মাগী মপুরোইবগী ময়ুমদগী প্রেমময়ীগী শঙ্গাইদা লোয়নমক লাকখিরম্মী। লাক্তবা কনাসু য়াওখিরমদে। মখোয়না চহি কয়ামরুমগী মতুংদা উনবা, ৱারী-ৱাতাই শামিন্নবা ফংবদুদা কয়াগী মতীক নুংঙাইজখি, হরাউজখি অমদি পেঞ্জখি। মখোয়না অদুগুম্বদু শীনবীরিবা মনমশী ঙাংবী মহারাণীবু হায়নীঙঙাই লৈতনা থাগৎচখি অমসুং পুন্সি নোংশাংনা তাইবং চীঞ্জাক চাদুনা হিংহনবীখিনবা শ্রীগোবিন্দ অমসুং শ্রীমতী রাসেশ্বরী অনিদা খুরুমজখিরম্মী। ঙাংবী মহারাণীসিনা মরাইবক থীরবী মচনঈবেম্মা নিংথৌমচানুপীশিং অদুগী অৱাবগী ৱাফমশিং তাবদা মপুক্নীঙ য়াম্না লাংখি, মখোয়দুগী ফিবম চাদবদুদা করি তৌগদবনো তৌফম খঙখিদে। মী অমা-অনিদংগী ৱাফম নত্তবনিনা মহাক্না মখোয়বু শৌগৎ-পমখৎপা ঙমগদবসু

নত্তবনা মপুক্লীঙদা ৱাজবা নত্তনা করিসু তৌনীঙঙাই লৈজখিদে। অদুগা মতুং তারকপা মতমদা ৱাখল-লৌশিঙ লৈবা মচা-মনাইশিং, অহল-লমন্নচিংবা কৌদুনা, চত্তুনা তানৈ, খন্নৈ - মখোয় নিংথৌ মচানুপী লাইবক থীরবী, ফিবম চাদ্রবীশিংদুগীদমক্তা করি তৌগদবা, করি তৌবীবা য়াবা, অসিনচিংবা। অসুন্না খন্ন-তানরিবা মীওইশিংদুগী মনুংদা লৈপাক ঙাকপগী থবক্তা সাহেবগী মতেং পাংদুনা, অশূমল ফংদুনা কোয়চেন চেল্লিবা বামাচরন মুখর্জীসু অমনি [মথক্কীসিদা, ১১১]।

ঙাংবী মহারাণীগী চাক্কৌবসিগী মরু ওইরিবা পান্দমদি নিংথৌমচা নুপীশিং অসিগী মরন্নাই মরন্নাইগী ওইনা লৌচা মতমদুগী মণিপুর গোভর্নমেন্ট অদুদা নীনবগী ৱাফম খন্নবগীনি। ৱাফমসি নিংঙোন ময়ামদুনা চাক চাবা লোয়রবা মতুংদা ঙাংবী মহারাণী মশানা হৌদোক্তুনা অখঙ-অহৈশিংদগী ফংলকপা পাউতাকশিংদু তাক্তুনা খন্নবা হৌরক্লে। অহানবদদি নিংঙোনশিংদু মপাবুং মৈদিংঙুবু নীঙশিঙলক্তুনা কপ্না-লাউনবনা ঙাইহাক অপনবা পীরম্মী। অদুবু ঙাংবীনা ময়াম অদু ৱাখল-লৌশীঙ ফংহল্লগা তাকপীখি:-

ঈবেম্মশিংনদি খঙলমদবা য়াই, হৌজিক্তি লৌ নীনবা, লৌ য়োনবা-লৈবা, পুম্নমক সরকারগী হুকুম য়াওদনদি য়াদ্রে, নিংথেম পীশক (চুড়াচান্দ) কী মপু ঈবুংঙো মোইরাং নিংথৌনা মমিংদা ওইনা লৈজবনি, মখোয়না করিসু তৌবা ঙমদে। খঙলেদনা মণিপুর মমিংদা ওইনা লৈরিবনিনে..., করিগুম্বা নিংথৌ মৱা চৎপা তারগসু মদুগী মতম ৱাৎলি। মা হৌজিক অঙাংপীশক্লি, অদুনা ঐনা খনবদি লৌচা থম্বা য়ানবা সাহেবতা হায়বা থোইনা কায়দে [মথক্কীসিদা, ১১২]।

লৈমা শীজশিংগী লৌচা নীবগী ৱাফমসি মচাঈবেম্মশিং অমসুং মশূঈবেম্মশিংদুনা অহানবদা য়ানীঙলমদে। অদুবু মদু নীবা নত্তে, ফংফম থোকপদু থিন্দুনা তাকপনি, হায়বা ৱাফম ঙাংবী প্রেমময়ীনা ময়ামদুদা লৌশিঙ তাহল্লবদা ময়ামদু য়ানরকখি। অদুনা চিফ পোলিটিকেল ওফিসারদা হায়রুনবা মী খন্দোক্লখি অমসুং মদুদা সুরচন্দ্র মহারাজগী মচাঈবেম্মা সনাতোম্বীদি শোয়দনা য়াওদবা য়াদবা মীশক ওইনা ঙাংবী মহারাণীনা মশীঙ থারম্মী। ৱাঙাং ৱাতা হৈরবী, মীগী মবুক ফাবা ঙল্লবী ঙাংবী মহারাণীনা শীন্দুনা মচাঈবেম্মা ফান্দেং সনা অমসুং অমুসনা অনিনা মশূঈবেম্মা সনাতোম্বীগা পে খনবা দোল্লাইদা মনাই-মশন্না থৌগল তৌহল্লগা ৱাঙাং-ৱাতা ফাওবা তাকপী-তম্বীরগা প্রেমময়ীগী শঙ্গাইদগী মেজর

মেক্সৱেল উনরুনবা মতুং নুমিৎ চাক্কৌবা মতুং নিনী কোনবদা থারম্মী। উনবদু মায় পাক্লকখি। মতম খর থীন্থরবসু লৈমা-শীজশিংদুসু লৌচা ফংখি [মথক্কীসিদা, ১৪১-৪৪]। অদুবু ৱাফমসি চৈথারোল কুম্বাবদদি চনখত্তে।

সনাতোম্বীগী ৱাথোক্তা ঙাংবী

মৈদিংঙু সুরচন্দ্রগী লৈমা শাৎপমচনু দশুমতীনা পোকপী মহারাজগী মচাঈবেম্মা অহন তম্ফা ৱাংঙমলোন সনাতোম্বী মশাগী চহি ১৪ শুবা ইং ১৮৮৫ (চাওরাক্লা) দা ৱাংখৈদা লৈবা নোংমাইথেম মনিকচান্দদা হায়না-শীঙনরগা লুহোংখি। অসুন্না মনিকচান্দগা পানদুনা চহি ৬ (তরুক) লৈরক্লবদা মচা অমতা পোক্লমদে। মহাক ইং: ১৮৯২ গী জানুৱারী থাদগী মতমদুগী মণিপুরগী লৈঙাকপা মেজর মেক্সৱেলগা শকখঙনখি। মদুদগী চহিসিগী মার্চ থাদা মপুরোইবগা খায়নদুনা মমা দশুমতীগী মনাক্তা মপামদা হল্লক্তুনা লৈরম্মী। মতমসিদা মেজর মেক্সৱেলগা নুংশিনবগী মরী চেৎশিনখি। মরম অসিনা মখোয় অনি শক ১৮১৪ গী মেরা থাদদি লৌন-লৈনবগী লম্বীদা চঙদুনা য়ুম্বানমিন্নবগী পুন্সিদা খোঙদামিন্নখি। মসিগী ঈ-পাউদি:-

... সেকমাই লীলাসিংগী কুম শক ১৮১৪... মেরা থা .... ১৪ নি (ইং ১৮৯২ গী ওক্তোবরগী চৈচৎ ৫) য়ুমশকৈশদা শ্রীসুরচন্দ্র মহারাজগী মচাঈবেম্মা শাৎপম নিংঙোন্না পোকপা স্নাতোম্বীবু বড় সাহেবনা লৌএ, কংলাদা লৈএ [চৈথা:, কুম:, ২০০৫, ৫১০]।...

অসিনি। নোংঙাল্লগা পাউসি খঙনরকপা মতমদদি সনাতোম্বীবু পোকচবী মমা শাৎপমচনু দশুমতীনা, "মাঙলে, মাঙলে, শ্রীযুৎ ঈবুংঙো ননাই ঐদি মাঙজরে, লমহেনবীদো জাত তারেদো" হায়না কপ্তুনা তেংথারি। নাকল অমরোমদা মেজর মেক্সৱেলনা মোইরাং তোঙ্গাওনচিংবা মাগী মী ওইবা মীওইশিং বামাচরণ মুখর্জীগা লোইননা কৌশিন্দুনা নুপী চেল্লুবদুগী করি তৌগদবগে, হৌনবী-চৎনবীনা করিনো, অসিনচিংবা ৱা তানরি। নুপী চেল্লবদি পাউ হায়দোকপা চৎপগী চৎনবীসি লৈ, অদুনা হায়দোকপা চত্তবা য়াদে হায়না মেক্সৱেলদা খঙহল্লে। অদুগা সনাতোম্বীগী অহল-লম্মনগী মকোক্তি ঙাংবী মহারাণীনি, মঙোন্দা হান্না হায়দোকপগী পাউসি য়ৌহল্লুবনা চুমগনি, হায়না লেপ্লদুনা বামাচরণগা মী খরগা চৎলগা পাউসি

মহারাণীদা হঙ্গৎলুনবা থাদুনা ঙাংবী প্রেমময়ীগী শঙ্গায়দা লাক্কুনা হঙ্গৎলরে। মতমদুদা মহারাণীনা তাকপীখি - "সনাতোম্বী মপুরোইবগা খায়নবগী ৱা লোয়নদ্রি, ঐ মাবু উন্নবা পাম্মী, অদুবু মদু মাবু লৌখৎপগী ৱাফম নত্তে, মদুগী ৱাফমদু কোন্না খন্নগদবা ৱাফম্নি, মপুরোইবগা মাগগী ৱাফমসি তুপ্পনবনি, মদু নত্রবদি মেক্সৱে লগী ৱাফমসি লৌখৎপা য়াদ্রি।" মদুদা লাক্লিবশিংদুনা চুম্মী হায়দুনা হনখিরম্মী।

নুমিৎসি (চৈচৎ ৬।১০।১৮৯২ ইং) গী নুমিৎ তাখ্রগা মেক্সৱেল মশা ঙাংবী মহারাণীগী শঙ্গাইদা মহারাণী উনবা লাক্লম্মী। মখোয় অনি উনবদুদা বামাচরণনা লোন হন্দোকপা মী ওইনা য়াওরম্মী। মদুদা ঙাংবী মহারাণীসিনা মেজর মেক্সৱে লদা পীফম থোকপা পাউতাক অমসুং হায়ফম থোকপা ৱাহৈ হায়রগা সনাতোম্বীগা মনিকচান্দগা খায়নবগী ৱা লোয়থোক্লখিগে, হায়না হায়রম্মী। ৱাফমদুদা মেক্সৱে ল ৱাখল তারে। অদুনা খুরুম্লগা হনখ্রে। ঙাংবী মহারাণীনা মচাঙ্গবেম্মা সনাতোম্বীগা মনিকচানগা খায়নবগী ৱা তুপথোক্লবগী থবক থীন্দনা পায়খৎলে। মনিকচান্দবু কৌদুনা, ৱাফমসিদা মাগী অনীঙবা-অপাম্বদু হায়রনবা পাউ পীরবদা মনিকচান্দনা পাউ থারক্কুনা খুন্লকখি, "মাগা ঐগা খায়না কুইখ্রে, ৱা লোয়নবা লোয়নদবগী মথৌ তাদ্রে, চঙদ্রে।" অসুম্না সনাতোম্বীগা মনিকচান্দগা খায়নবগী ৱাফমসিগী ৱা ঙাংবী প্রেমময়ীনা লোয়বীখি। মতুংদা লৌশিঙ শিঙলবী মহারাণীসিনা সনাতোম্বীগী ৱাথোকসিগী লৈপাক্কী ৱা, চৎনবীগী ৱাফম, শাগৈ, ৱানচিংবা লৌখত্তুনা মচা নুপীদু জাত তারবসু তানা মফম অমা খঙনা থম্বীনবগী ৱাফমশিং লৌখৎখি।

মীয়াম্না ৱা ঙাংলক্তনবা মচীন চৎপা মৈতৈগী অহৈ-অশিঙ, মায়চৌ-মায়নৌ, ওঝা-পণ্ডিতনচিংবা খন্ন-নৈনরগা নুপা-নুপীগী লৌন-লৈনবদা অকায়বা লৈতে, মৈতৈ নিংথৌ মচানুপী কয়া, খুদম ওইনা চকপা মখাওঙম্বী, ৱাংঙমলোন সত্যমালা, ৱাংঙমলোন হরিশেশ্বরী, ৱাংঙমলোন হরিপ্রীয়া, ৱাংঙমলোন ফোংদালোকপী (কুরঙ্গনয়নী), তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা, ধাকারাণী (ত্রিপুরা), অসিনচিংবী কয়া লৈরি। অদুনা লৈঙাক্লোনগী মরীদগী খুন্নাইলোন্দা পুরকপা মরীনিনা অকায়বা লৈতে, হায়বা ৱাফমশিং লৌদুনা সনাতোম্বীনা বড় সাহেব ওঙবগী ৱাথোকসি লোয়শিনবীখি। চৎনবী অমসুং থোকখ্রবা থৌদোক অনিগী লাম্বাসিদা নিংথেম

শাগৈশিংগী অহল- লম্মনশিং অমসুং মশাগী শাগৈগী অহনশিং কয়াদা চঙজ-নোঞ্জদুনা, হায়জ-চৎচদুনা মচাগী নিংঙোনগী য়াইফনবা পোরম য়াৎপীখি। মসিগী মতাংসিদা মশক নাইরবী অমনা থম্বীরম্বা ৱারোল্দি :-

... লৌশিঙ লৈবী, ৱাঙাং হৈবী ঙাংবীনা ময়ামগী মবুক ফাখি। ময়াম্নসু করিবু তৌই হায়বনো খনবীরে। ঐখোয়গী ওইরবা তুং অসিদদি মেকসুয়েল (মেক্সৱেল) নুংশিরকপসু য়াওনরক্লে।

মতাঙ অসি ফাওবা ঙাইদুনা লৈরিবনি ঙাংবীনা, হৌজিক্তি য়ারে। য়াম্নমক অফোংবা নত্রগসু চঙথোক-চঙশিন য়াননবা মনুঙগী ওইবা মী খর তীলহল্লগা লৌখৎপগী মওঙদা খুরুম্নবা শীনবীখি। থবক অসে কা হেন্না চাওথোকপা পামখিদে, অদুগা থৌদোক অসিবু য়াম্নমক তাথী শোইনাইনা তৌবা ওইনা থোকহনবসু পামখিদে। অদুবু য়াম্না পামজবা মানবদি সুপয়া য়াদে, হায়না লেপখি ঙাংবী মহারাণীনা। পাউ থাখি মেকসুয়েলদা ...

থবক অদু লোয়খিবদা মেকসুয়েল ৱাইশংবদা লোয়খ্রে.... [মথক্কীসিদা, ১৯৫-৯৬]।

অসিনি। লৌখৎপগী থৌরমসি সনাতোম্বীবু পোকচবী মমা শাৎপম চনু দশুমতীদি হকচাং ঙমদে হায়দুনা থৌরমদুদা লাকখিদে, য়াওখিদে।

পুন্সিগী অরোয়বা শরুক্তা

ঙাংবমচনু প্রেমময়ী মহারাণী মচানুপী লৌবা মমাক ঈবুংঙো কর্নেল মেক্সৱেলনা মৈত্রবাক মণিপুরগী লৈঙাক মপুগী মহুৎ শিন্দুনা লৈঙাক্লিঙৈদা হাইনা হুম্না ইং ১৯০৫ হৌগৎলকপা ফাওবদা পাল্লম্মী। মচাঈবেম্মা সনাতোম্বীনা ইং ১৯০৪ গী জুলাই ২৭ তা কোম্নৌজম য়ুম্ফমগী পোলিটিকেল এজেন্টকী রেসিডেন্সীদা নিত্যরাস হৌদোক্তুনা কৎখিবদু মহারাণী ঙাংবীনা শান্নবা য়াব-য়াদবগী ৱাফম কয়া থিগৎলগা শান্নবা য়াই হায়না কৎখিবনি। থৌদাং পুম্নমক্তুদি লৌরগা মহারাণী মশাদি জগোই নুমিত্তুদা রাস কৎফমদা লেঙলকখিদে। মরমদি মহারাণীসি অসুম্না লৈপাক মীয়াম তীনবা হরাউ-কুম্মৈগী থবক- থৌরমদা লেঙথোক্তবা কুইরে, ইং ১৮৯১ গী অদুৱাইদগীনি। জগোয়দুদি য়াম্না ফজখি, য়াম্না নুংঙাইখি, হায়বা পাউ তায়।

নুংঙাইবা থৌদোক্কী মতুং অৱাবা থৌদোক্লা ইনগল্লি। ইং ১৯০৪ গী পাৱারী-পুৱারীগী থৌদোক্কী পরেংদা মৈত্রবাক্কী মমিং লৈরবা নুপীলানগী অহানবা থৌদোক হৌরক্লে। এসিষ্টেন্ট পোলিটিকেল এজেন্টকী য়ুম চৈচৎ ১৪ / ৯ / ১৯০৪ ইং য়ুমশকৈশ নুমিত্তা শকখঙদবশিংনা মৈ থারল্লে। সাহেবসিগী য়ুম মৈ চাকপা নত্রগা থাবসি মসিনা অহানবা নত্তে, মমাঙদা চহিসিগী মার্চ ১৫, লৈপাকপোকপা নুমিত্তসু থোকখ্রবনি। অদুগা মসি মৈহৌ-লাংপোক থোক্তুনা চাকপা নত্তে, অতম্লনা থাগে হায়বা য়াওনা মীনা থাবনি হায়বা খঙলদুনা ইম্ফাল কংলৈদা লৈবা মীশিংদা কবোদগী উ য়াল্লুরগা শঙদু শারগা শিঙগদবনি হায়না লেফ: কর্নেল মেক্সৱেল পোলিটিকেল এজেন্ট অমসুং সুপরিন্টেণ্ডেন্ট, মণিপুর য়াথং থোক্লক্তুনা হায়রবদগী ইম্ফাল মচা নুপাশিংগা মুক্নরকপদগী নুপীশিং য়াওশিল্লক্তুনা লান অসি থোক্লকখিবনি। মসি তশেংনমক লেফ: কর্নেল মেক্সৱেলগীদি লাইবক থীবা থৌদোক্লি, মরমদি মসিনা মহাকপু মণিপুরদগী ট্রান্সফর (Transfer) তৌখিনবগী মরম ওইরিবনি। মদুনা সনাতোম্বীগী অৱাবা ওইহনবদা নত্তনা ঙাংবী মহারাণী প্রেমময়ীগী তৌবা ঙম্বগী মপাঙ্গলগী মপাম্বোম ককথৎলিবনি। অদুনা মহারাণীসি মশাগী চহিনগা ৫১ (য়াংখৈমাথোই) শুরকগা ঈমুং-মনুংগী মচা-মশূশিং য়েংশিনবা নত্তনা অতৈ লৈঙাকলোন, খুন্নাইলোন অমসুং শেন্দান-থুমদাল্লোনগী হিরমশিংদা মীমাঙ থোক্তনা লৈখ্রে।

ইং ১৯০৭ তদি মৈদিংঙু চুড়াচান্দ সিংহনা মহৈ- মশিঙ মপুঙ ফানা তম্লুরবা অমসুং মশাগী চহি ২৩/২৪ শুরবনা মৈত্রবাক্কী লৈঙাকলোনগী থৌদাং লৌরে। অদুগা ইং ১৯০৮ দদি কোনুংসু হান্না পুরানা রাজবারীদা লৈরম্বদগী ৱাংখৈ-পন্দোন কোনুংদা হোংলক্লে। অসুম্না মহারাজ চুড়াচান্দ সিংহনা মণিপুরবু লৈঙাক্লকপসিদা মৈতৈ লৈপাক্তা পোত্থাং পুবগী চৎনবী (Tradition of Porter System) লৈরম্বদু ইং কুমজা ১৯১৩ কী মার্চ ২৮ ঈরাই নুমিত্তগী লৌথোকখিদুনা লৈপাক পুম্নমক্কী অৱাবা কোক্লখি। অদুগা মৈদিংঙু চুড়াচান্দ মহারাজ [ইং ১৮৮৩-(১৮৯১-১৯৪১) - ১৯৪১] গী স্না হাক্তকসিদা ঙাংবমচনু, ঙাংবী মহারাণীসি অনি শুরকখি। অতোপ্পা ঙাংবী মহারাণীদুদি মৈদিংঙু চুড়াচান্দ সিংহগী তাল্লোই মহারাণী ঙাংবমচনু ঈবেমচা নত্রগা ধনমঞ্জুরী মহারাণীনি। মহাক্কী মপাম্না য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায়দনি। মহারাণী প্রেমময়ীনা লৈরিবা য়াইস্কুল জন্মস্থানগী শঙ্গাইসিগা য়াম্না নক্লবা মফম (লম) দা লৈরিবনি।

মেক্সৱেল উনরুনবা মতুং নুমিৎ চাক্লৌবা মতুং নিনী কোনবদা থারম্মী। উনবদু মায় পাক্লকখি। মতম খর থীন্থরবসু লৈমা-শীজশিংদুসু লৌচা ফংখি [মথক্কীসিদা, ১৪১-৪৪]। অদুবু ৱাফমসি চৈথারোল কুম্বাবদদি চনখত্তে।

সনাতোম্বীগী ৱাথোক্তা ঙাংবী

মৈদিংঙু সুরচন্দ্রগী লৈমা শাৎপমচনু দশুমতীনা পোকপী মহারাজগী মচাঈবেম্মা অহন তম্ফা ৱাংঙমলোন সনাতোম্বী মশাগী চহি ১৪ শুবা ইং ১৮৮৫ (চাওরাক্লা) দা ৱাংখৈদা লৈবা নোংমাইথেম মনিকচান্দদা হায়না-শীঙনরগা লুহোংখি। অসুম্না মনিকচান্দগা পানদুনা চহি ৬ (তরুক) লৈরক্লবদা মচা অমতা পোক্লমদে। মহাক ইং: ১৮৯২ গী জানুৱারী থাদগী মতমদুগী মণিপুরগী লৈঙাকপা মেজর মেক্সৱেলগা শকখঙনখি। মদুদগী চহিসিগী মার্চ থাদা মপুরোইবগা খায়নদুনা মমা দশুমতীগী মনাক্তা মপামদা হল্লক্তুনা লৈরম্মী। মতমসিদা মেজর মেক্সৱেলগা নুংশিনবগী মরী চেৎশিনখি। মরম অসিনা মখোয় অনি শক ১৮১৪ গী মেরা থাদদি লৌন-লৈনবগী লম্বীদা চঙদুনা য়ুম্বানমিন্নবগী পুন্সিদা খোঙদামিন্নখি। মসিগী ঈ-পাউদি:-

... সেকমাই লীলাসিংগী কুম শক ১৮১৪... মেরা থা .... ১৪ নি (ইং ১৮৯২ গী ওক্তোবরগী চৈচৎ ৫) য়ুমশকৈশদা শ্রীসুরচন্দ্র মহারাজগী মচাঈবেম্মা শাৎপম নিংঙোন্না পোকপা স্নাতোম্বীবু বড় সাহেবনা লৌএ, কংলাদা লৈএ [চৈথা:, কুম:, ২০০৫, ৫১০]।...

অসিনি। নোংঙাল্লগা পাউসি খঙনরকপা মতমদদি সনাতোম্বীবু পোকচবী মমা শাৎপমচনু দশুমতীনা, "মাঙলে, মাঙলে, শ্রীযুৎ ঈবুংঙো ননাই ঐদি মাঙজরে, লমহেনবীদো জাত তারেদো" হায়না কপ্তুনা তেংথারি। নাকল অমরোমদা মেজর মেক্সৱেলনা মোইরাং তোঞ্জাওনচিংবা মাগী মী ওইবা মীওইশিং বামাচরণ মুখর্জ্জীগা লোইননা কৌশিন্দুনা নুপী চেল্লুবদুগী করি তৌগদবগে, হৌনবী-চৎনবীনা করিনো, অসিনচিংবা ৱা তানরি। নুপী চেল্লবদি পাউ হায়দোকপা চৎপগী চৎনবীসি লৈ, অদুনা হায়দোকপা চত্তবা য়াদে হায়না মেক্সৱেলদা খঙহল্লে। অদুগা সনাতোম্বীগী অহল-লম্মনগী মকোক্তি ঙাংবী মহারাণীনি, মঙোন্দা হান্না হায়দোকপগী পাউসি য়ৌহল্লুবনা চুমগনি, হায়না লেপ্লদুনা বামাচরণগা মী খরগা চৎলগা পাউসি

মহারাণীদা হঙ্গৎলুনবা থাদুনা ঙাংবী প্রেমময়ীগী শঙ্গায়দা লাক্তুনা হঙ্গৎলরে। মতমদুদা মহারাণীনা তাকপীখি - "সনাতোম্বী মপুরোইবগা খায়নবগী ৱা লোয়নদ্রি, ঐ মাবু উন্নবা পাম্মী, অদুবু মদু মাবু লৌখৎপগী ৱাফম নত্তে, মদুগী ৱাফমদু কোন্না খন্নগদবা ৱাফম্নি, মপুরোইবগা মাগগী ৱাফমসি তুপ্পনবনি, মদু নত্রবদি মেক্সৱে লগী ৱাফমসি লৌখৎপা য়াদ্রি।" মদুদা লাক্লিবশিংদুনা চুম্মী হায়দুনা হনখিরম্মী।

নুমিৎসি (চৈচৎ ৬।১০।১৮৯২ ইং) গী নুমিৎ তাখ্রগা মেক্সৱেল মশা ঙাংবী মহারাণীগী শঙ্গাইদা মহারাণী উনবা লাক্লম্মী। মখোয় অনি উনবদুদা বামাচরণনা লোন হন্দোকপা মী ওইনা য়াওরম্মী। মদুদা ঙাংবী মহারাণীসিনা মেজর মেক্সৱে লদা পীফম থোকপা পাউতাক অমসুং হায়ফম থোকপা ৱাহৈ হায়রগা সনাতোম্বীগা মনিকচান্দগা খায়নবগী ৱা লোয়থোক্লখিগে, হায়না হায়রম্মী। ৱাফমদুদা মেক্সৱে ল ৱাখল তারে। অদুনা খুরুম্লগা হনখ্রে। ঙাংবী মহারাণীনা মচাঈবেম্মা সনাতোম্বীগা মনিকচানগা খায়নবগী ৱা তুপথোক্লবগী থবক থীন্দনা পায়খৎলে। মনিকচান্দবু কৌদুনা, ৱাফমসিদা মাগী অনীঙবা-অপাম্বদু হায়রনবা পাউ পীরবদা মনিকচান্দনা পাউ থারক্তুনা খুল্লকখি, "মাগা ঐগা খায়না কুইখ্রে, ৱা লোয়নবা লোয়নদবগী মথৌ তাদ্রে, চঙদ্রে।" অসুম্না সনাতোম্বীগা মনিকচান্দগা খায়নবগী ৱাফমসিগী ৱা ঙাংবী প্রেমময়ীনা লোয়বীখি। মতুংদা লৌশিঙ শিঙলবী মহারাণীসিনা সনাতোম্বীগী ৱাথোকসিগী লৈপাক্কী ৱা, চৎনবীগী ৱাফম, শাগৈ, ৱানচিংবা লৌখত্তুনা মচা নুপীদু জাত তারবসু তানা মফম অমা খঙনা থম্বীনবগী ৱাফমশিং লৌখৎখি।

মীয়াম্না ৱা ঙাংলক্তনবা মচীন চৎপা মৈতৈগী অহৈ-অশিঙ, মায়চৌ-মায়নৌ, ওঝা-পণ্ডিতনচিংবা খন্ন-নৈনরগা নুপা-নুপীগী লৌন-লৈনবদা অকায়বা লৈতে, মৈতৈ নিংথৌ মচানুপী কয়া, খুদম ওইনা চকপা মখাওঙম্বী, ৱাংঙমলোন সত্যমালা, ৱাংঙমলোন হরিশেশ্বরী, ৱাংঙমলোন হরিপ্রীয়া, ৱাংঙমলোন ফোংদালোকপী (কুরঙ্গনয়নী), তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা, ধাকারাণী (ত্রিপুরা), অসিনচিংবী কয়া লৈরি। অদুনা লৈঙাক্লোনগী মরীদগী খুন্নাইলোন্দা পুরকপা মরীনিনা অকায়বা লৈতে, হায়বা ৱাফমশিং লৌদুনা সনাতোম্বীনা বড় সাহেব ওঙবগী ৱাথোকসি লোয়শিনবীখি। চৎনবী অমসুং থোকখ্রবা থৌদোক অনিগী লাম্বাসিদা নিংথেম

অরোয়বা য়াহীপ তাখিবা

ঙাংবমচনু প্রেমময়ী (লৈহাও) মতম শাংনা হিংলম্মী। থোইদোক্লা হকচাংগী ফিবম ফবী, অনা-অয়েক লৈগন্দবী অমসুং তীঞ্জেল-লাইচেন্দবী নত্রগা লাইথুং-তীনথুংদবী ওইনা হৌরকখি, পাল্লম্মী অমসুং নোঙ্গাখি। মহাক মশাগী চহি ৭৩ (হুস্ফুদ্রা হুমদোই) দা মালেমদা তাইবংপান থাদোকখি। মহাক্লা নোঙ্গাখিবগী নুমিৎ, থাবানচিংবগী মরমদা চৈথারোল কুম্বাবদা চনখৎপীরল্লিবদি:-

... লাইশ্রম মেঘোগী কুম শক ১৮৪৭ ... ৱাকচীঙ্ থা ... ৫ নি থাঙজ (ইং ১৯২৫ গী ডিসেম্বর ১৯) দা শ্রীসুরচন্দ্র নিংথেমহল, কৌবা চীঙলেন লাম্থাবগী মহারাণী মৈতৈরৈমা ঙাংবমচনু প্রেমময়ী লৈরি লৈশংখোম্বী নোঙ্গাই [চৈথা: কুম:, ২০০৫, ৬০৫]।

অসিনি। মহারাণী ঙাংবী প্রেমময়ী লৈত্রে হায়বা পাউ অসি হেক শন্দোকখিবগা লৈকায় মরিদা লৈরিবা মচন-মনীঙ, মচা-মশূনচিংবা নিংথৌমচা নুপীশিং, মশূ নুপীশিং, নিংথেমচা নুপা-নুপীশিং পুম্নমক য়াইস্কুল জন্মস্থানগী ঙাংবম কোল্লুপ, লৈখিদ্রবীগী শঙ্গাইদা চেন্নরক্লম্মী। কপ্ন-লাউনবা, তেংথা-নাউওইবগী খোঞ্জেল্লা মফমদু পুমনীন নীল্লম্মী। সনা কোনুংদা পাউ য়ৌখিবগা কৈরেন-কৈজাও (কাইরেন-কাইজাও) নচিংবা মহারাণীগী হৌনবা থৌগন-লাংগন পোৎশিং অমসুং নোংমৈ কাপ্পা, বম কাপ্পা সিফাইশিং পুম্নমক থারক্তুনা স্না হকচাং পোৎশী-পোৎলোয়নবগী পুথোকপা অমসুং পোৎলোয়বগী থৌগন তৌনবা ঙাইদুনা লৈরম্মী। হৌনবী লাইশোন-তীনশোন, লাইথৌ-তীনথৌ পুম্নমক তৌরবা মতুংদা চৎলি-ইল্লিবা লাইনীঙগী-লাইশোনগা লোইননা মহারাণীগী হকচাংদু পুথোরক্তুনা মহাবলী উমংগী খা-নোংচুপকী ইম্ফাল তুরেনগী ৱাংমগী তোবর্বান্দা পোৎলোয়খি, নোংমৈ কয়া কাপখি, বম কয়া থাখি। অসুম্না মহারাণী প্রেমময়ীগী হকচাংদু উৎ ওইনা মহাক্লা নুংশিজরবা মৈত্রবাক মণিপুরগী লৈমায়দা তীঞ্জখি। পোথারো লাইবক থীবী, কায়ন মৈচাক পুদুনা অদুপ কুইনা খাঙলকপদা ৱাই কৌবদা হায়খিদ্রবী, পোথারো!

ৱাখোম-ৱারোয়

ঙাংবম নিংঙোন মৈতৈলৈমা লৈহাও নত্রগা মহারাণী প্রেমময়ী, ফম্বাল মিংলেন্না কৌবা লৈশংখোম্বী (লৈরি লৈশংখোম্বীসু হায়) মতীক চারবী মৈত্রবাক্কী মহারাণী

অমনি। নিংথৌমচাশিংগী কল্লক-য়েংথীনবগী শারক-লাল্লক্তা পোক্লুবা অমসুং মহারাণী ওইরুবনা চন্নফম খঙদবগুম মতম তেন্না লৈমরেনগী ফম্বান্দা ফল্লম্বনি। মহাক লৈঙাক্লোন্না পুন্সিগী মচু শঙখ্রবী মবেনশী মাইস্না কুমুদিনীগী থাজনীঙঙাই ওইরবী অমসুং মতীক চাবী মহেরোইনি। মাইস্না কুমুদিনীগুম লাংথাবান্দগী শিলচর ফাওবা শগোন থৌরুদ্রবসু লৈপাক মীয়ামগী ফনবা হোৎনবদদি মবেন শীজসিদগী হেল্লিবদি মরমদি অমনা মশাগী মরন্নাইগীনি, অদুগা মহাক্কীনা মশাগী মরন্নাইগী ৱাখল থাদোকপনি, খ্বাইগী ওইনা খনবগী ৱাফমনি। শিবনা পুন্সি পন্থুং ওইরবসু পাৱারী-পুৱারীনা শীঙথাবীদ্রবা মহারাণী অমা ওইনা পুন্সি লোয়খ্রবী ঙাংবী মহারাণী প্রেমময়ীনি। অদুবু মহাক্কী থৌশীল-থৌরাংনা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মচাঙ্গৈবেম্মা ৱাংঙমলোন খরগী লৈত-লায়রগী অৱাবা কোকখি, হায়বসিমদি শেংলবা ৱাফমি। অকাউবনা লৈরোন চনখিদুনা হৌখ্রবা থৌদোকশিংগী ৱাফমশিংদু খঙনরকখিদবনি। অদুনা হৌখ্রবা পাৱারী-পুৱারীবু য়েংখৎপগী ৱাফম চঙঙি।

মহারাণী প্রেমময়ীসি মপুন্সিদা নীঙবা কায়বগী মমি উহন্দ্রবসু কনা খঙদ্রবা-উদ্রবা অচীকপা অহিংগী মতমদদি মাগী থম্মোইদা ফুমদুনা থল্লিবা অৱাবা থৌদোক্কী মকোল অদুগী পরেংদা য়াওরিবা থৌদোকশিংদু মরী-মরী মাগী মিৎমাঙদা হন্দোক্লম্লগনি। অদুবু অৱাবা পুন্নমক্তু কুপশিল্লগা মশাগী কান্নবা থিদনা মহারাণী নত্রগা লুচিংবী ওইবগী লিংজেন্না ময়ামগী ফনবা থবক পায়খিবনি। মরম অদুনা মহাকসে মা মশাগী খক্তা লৈরগা পেন্দবা, ময়ামগীসু লৈরগা পেঞ্জবা মীশক অমনি। অদুবু মাগী মতমদুগী মৈতৈ খুন্নাইনা মাবু মশক খঙবীখিদবনি। অদুমকপু লৈনুংদা ফুমদুনা লৈবা সনাদু কোখোক্লগা শীজিন্নৈ, অদুনা নোংমদি মহাকপুসু। থিনবখিগনি। অদুবু অওনবা মতমগী অহোংবা থৌশীলনা করি পুরক্কদবা অদুদি কনানসু খঙবা ঙল্লোয়।

মৈতৈ-নুপীশিংদা মৈত্রবাক-মণিপুরগী লৈঙাক্লোন্না পীরম্বা খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা থাক্কী "নুপীগী হক"

ৱাহৌদোক

মৈত্রবাক-মণিপুর, খৃষ্ট-কুমশীঙ ৩৩/৩৪ দগী ১৮৯১ ফাওবদা খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা থাক্তা লৈবা মনীঙ-মখা তম্বা অমসুং মশা মতোমতা লৈঙাকচবা নিংথৌ-পানবা লৈপাক অমা ওইনা লৈরম্মী অমসুং লৈপাকসিগী মনীঙ-মখা তম্বা অমদি মীখা পোন্দবসিবু মালেমসিগী অন্টরজাতিগী থাক, ইন্টরনেস্নেল লেভেলদা য়ুনিভর্সেল ওইনা শকখঙ-মায়খঙখিবা অমদি শীঙথানখিসি হকথেংননা এসিয়াটিক লৈপাকশিংগী মনুংদা ম্যান্মার/বর্মা (ম্রান্মা) অমসুং য়ুরোপীয়ান কন্ত্রীশিংগী মরক্তা য়ুনাইটেড কিংদম (বৃটিশ এম্পয়ার) নি হায়বসি অহানবা এঙ্গলো-বর্মীজ ৱার (খৃ: ১৮২৪-২৬) লোয়রবা মতুংদা বর্মীজ/ম্যান্মা (ম্রান্মা) শিংনা মায়থীরদুনা মখোয়গী সহর-মচা য়ান্দাবুদা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনী অমসুং বর্মীজ এম্পয়ার অনিগী মরক্তা খৃ: ১৮২৬ কী ফেব্রুৱারী তারিক ২৪ দা তৌনখিবা সন্ধী/চুক্তি, য়ান্দাবু ত্রীটী [TREATY OF YANDABOO, February 24, 1826] গী অনিশুবা আর্টিকলগী অনিশুবা শরুক্তা সাক্ষী-প্রমান ওইদুনা লেপ্লি, মদুদি:-

Article 2. His Majesty, the king of Ava renounced all claims upon and will abstain from all future interferences with the principality of Assam and its dependences, and also with the contiguous petty States of Cachar and Jyntia, with regard to Mannipoor, it is stipulated that should Ghumbheer Sing desires to return to that country he shall be recognised by the king of Ava as Rajah thereof (N.N.A., 1983, 54).

অসিনি। অদুগা মণিপুরগী মনীঙ-মখা তম্বসিদা নাকোয়ননা শকখঙনখিবা অমসুং ঈ-পাউ ফংদুনা শীঙথানখিবা মথক্কী লৈপাক অমসুং জাতি অনিসিগা য়ুমলোন্নবা অমসুং মরী লৈনবা লৈপাকশিংদি-ইন্দিয়া, চাইনা, থাইলেণ্ড, মলেসিয়া, ইন্দো-চিনা (লাউজ ১সুং ভিয়েটনাম), টর্কিস্থান, ফ্রান্স, ডৎচ

(Dutch), জর্ম্মন, পোর্টুগাল, স্পেন, আমেরিকা, অসিনচিংবনি [C.A. 1987, 283-333]। অদুবু লমলৌ করাম্বা, নমথাক লাংথাকপা অমসুং হায়জিনবা হৈরবা বৃটিশ ইন্দিয়াগী গভর্নর-জেনরেল/ভাইসরোঙ্গ ওইরম্বা (লর্ড) লেন্সডাউন [Lord Lencedown (1888-94 A.D.] (M.B., 1963, 89-91) গুম্বা ব্রিতান্নিক অফিসারশিং, মপুক চাকথাক থিবা লাকপা বৃটিশ এম্পয়ারগী ব্রিটান্নিক অমদি অতৈ জাতি কাংলুপকী সিফাইশিং অমসুং মখোয়গী মতুং ইঞ্জবা অরিবা অমসুং অনৌবা রিসার্চ-স্কোলারশিংনা মনিপুরবু বৃটিশ ইন্দিয়া গোভর্নমেন্ট নত্রগা বৃটান্নিক ক্রাউনগী মখা থাবা লৈপাক ওইনা লৌই অমসুং হায়জিল্লি।

লৈঙাক্লোন্দা অহক্লনা শরুক য়াখিবীশিং :-

মৈত্রবাক মণিপুরনা তৌনীঙ্ৱদা তৌবা, মনীঙ-মখা তম্বা অমসুং মশাবু ঈকাই খুম্ননা মথন্তা লৈঙাক-ৱায়েন থৌদাজবা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা ওইরিঙৈদা লৈপাকসিগী অমসুং মৈতৈ/মণিপুরী সমাজগী লৈপাক পানবগী; কাংলুপ-ফুরুপ লিংবগী অমসুং য়ুম পানবগী ওইনা খুন্নাইলোনগী অমসুং শেন্দান-শেনচৎলোনগী ইতিহাস অমসুং মচৎ-মনাৎকী পরীংদদসু নত্তনা লৈঙাক্লোনগী অমসুং ৱায়েল-চৈরাকলোনগী ইতিহাস অমসুং মচৎ-মনাৎকী পরীংদসু মৈতৈ-নুপীশিংনা মৈতৈ-নুপাশিংগী খোঙ য়েৎকা ওয়গা থাংমিন্নবগী মপাং/পোৎপা ওইরকখি, থৌদাং য়ামিন্নরকখি অমসুং থৌগায় শরুক পুমিন্নরকখি। অসুম্না মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোনগী খোঙথাংশিং অমসুং খোঙফমশিংদা মায় ওন্দনা খুদোংথীবা মায়য়োক য়াখিবী, লিন-দা পান-না থৌদাং শরুক য়াখিবীশিংগী মনুংদা মমিং খর পঞ্জবা তারবদি :-

১) নোংদা নোংখল্লেম্বী নত্রগা লৈনুং য়াবিরোক [মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংব (চাওরাক্লা খৃ: ৩৩/৩৪-১৫৪) বু পোকপী মমা], ২) হৈরোঙ নিংথৌ চনু লাইস্না মৈতৈলৈমা [মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবগী তাল্লোই], ৩) য়োঙ্গরুমলোন য়াওরৈবা চনু [মৈদিংঙু নাউখম্ব (খৃ: ৪১১-২৮)গী তাল্লোই অমসুং মৈদিংঙু লাইরেন নাউফংব (খৃ: ৪২৮-৫১৯) গী অপোকপী মমা], ৪) য়োঙ্গরুমলোন ঈরেম তোইবী লৈমা [মৈদিংঙু লাইরেন নাউফংবগী মতমগী মী], ৫) খাবরোন নোংজেংশূ [মৈদিংঙু নাউথিংখোং (চাওরাক্লা খৃ: ৬৬৩-৭৬৩) গী

অপোকপী মমা], ৬) খয়োঙ্গরোন কৈরু হাঙবী [মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী তাল্লোই য়াইমবী)], ৭) নোংবাল্লোন লিম্বোইঙম্বী [মৈদিংঙু শেনবী কিয়াম্বা/ক্যাম্ব (খৃ: ১৪৬৭-১৫০৮) গী অপোকপী মমা] ৮) নাউশোম নিংঙোন তাংদা-খোম্বী [মৈদিংঙু পাইখোম্ব (খ: ১৬৬৬-৯৭) গী অপোকপী মমা], ৯) কৌবরোন ৱায়েনবম চনু পাইখু লাম্বাবী নত্রগা গোমতীরাণি [মৈদিংঙু ময়াম্বা/গরিবনৱাজ (খৃ: ১৭০৯-৪৮) গী অথোইবী তাল্লোই অমা], ১০) ৱাংঙমলোন মৈদিংঙু মরাম্বা চনু ফোংদালোকপী [মৈদিংঙু মরাম্বা/গৌরশ্যাম (খৃ: ১৭৫৩-৫৯, ১৭৬১-৬৩) গী মজাইবেম্মা অসামগী নিংথৌ স্বর্গদেব রাজেশ্বর সিংহ, নত্রগা চাও শুরেমফা (খৃ: ১৭৫৫-68 A.D.) গী তাল্লোই] ১১) মৈতৈলৈমা খয়োঙ্গরোন লাইশ্রমচনু থোংনাং লাম্বাবী [মৈদিংঙু চৌরজিৎ (খৃ: ১৮০৩-১৩) গী তাল্লোই অহনবী], ১২) ৱাংঙমলোন মৈদিংঙু তমলেনখোম্বা চনু ইন্দুপ্রভা [মৈদিংঙু তমলেনখোম্বা/মধুচন্দ্র (খৃ: ১৮০০-০৩) গী মমোম, ডিমাসা/কছারী নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র (খৃ: ১৭৯০-১৮১৩) অমসুং মনাউ নুপা গোবিন্দ চন্দ্র (খৃ: ১৮১৩-৩০) অনিমক্কী মহারাণী], ১৩) খোঙ্গরুমলোন মাইস্নাম চনু কুমুদিনী নত্রগা পোংলেনখোম্বী [মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ (খৃ: ১৮২৫-৩৪) গী তাল্লোই], ১৪) য়োঙ্গরুমলোন ৱাহেংবমচনু ৱাহেংঙা নত্রগা রসনি [মৈদিংঙু নরসিংহ (খৃ: ১৮৪৪-৫০) গী খোয়দারোই তাল্লোই], অসিনচিংবনি।

ৱায়েল-চৈরাক্লোন্দা নুপীগী কল্লিবা মফম

মৈত্রবাক-মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী, ৱায়েল-থৌদাগী অমসুং ৱায়েল-চৈরাক্কী ওইনা ৱায়েন-ৱাখুন শেম-শারবা অইবা ওইনা অমদি অশেংবা লৈঙাক্কী ৱাখুন অমসুং ৱায়েন-চৈরাক্কী ৱাখুনশিংগী ওইবা অইবা, চেবাংদা তারবশিং [written constitution dealing in Politics, Administration and Judiciary and written true administrative and penal codes of law] ওইনা লৈজরমদ্রবসু হায়রিবা হিরমশিংসিনা পীরিবা অমসুং মখোয়গী পনগোয়নুংদা চথরিবা অমদি চথগদবা থৌরম- ৱারমশিং, থৌশীলশিং, খুজীলশিং অমসুং থৌরাংশিংদুদি অদুম্মক পাংথোকখিবা ঙাক্তনি। অদুনা মৈতৈ নুপীশিংনা লৈপাকসিগী লৈঙাক্লোনগী ওইবা খুনগন-লৈকন/লান্দা-লানকন, খুনঙাক-লৈঙাক, শাচৎ-লানচৎনচিংবগী লমদাংশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌরকপা

অমসুং য়াফম থোকপা শরুক য়ারকপা অসিনা মৈতৈ লৈঙাক-ৱায়েন থৌদারোনগী ৱারক-ৱাতেম, ৱাতাই-ৱাখৈ অমসুং ৱায়েন-চৈরাক্কী ওইবা [Administration of justice or trial in true spirit] পরীংদসু মৈতৈ নিংথৌ, মহাক্কী নিংথৌপোংবা তরা [Council of ten Ministers], চৈরাপ ফমদৌ অমসুং ফমবৈশিং [Members of Executive and Legislative Assembly] অমসুং নুপাগী সমাজনসু মখোয়বু ঈকাই খুম্নবা উত্তুনা অমদি মখোয়গী তৌবীমল খঙনা মৈতৈ-লৈপাক অমসুং খুন্নাইদা অচৌবা অমদি অৱাংবা মফম কলহল্লি অমসুং ফংহল্লি। নুপানা য়ুম্নুরেন ওইবা মৈতৈ খুন্নাই/সমাজ ওইবনা, য়ুমঙাক-য়ুম্নুবী নুপীনা য়ুম্নুরেন ওইবগী হক মপুরোইবদা কখোকপগী মখোয়গী তৌবীমল অমসুং ৱাখঙমল উ ত্তুনা ধর্ম্মনিতি, সমাজনিতি অমসুং অর্থনিতিদা মীওইবগী ফংফম থোকপা হকশিং অমসুং মশা নাইতোম-নাইতোম ওইবগী ফংগদবা লৈরবা হকশিং ফংবা, হকশিংদুদা মনীঙ-মখা তম্না শীজিন্নহনবতা নত্তনা অপুনবা নুপীশিংগী ওইবা হকশিং অমদি হকশিংদুদসু মনীঙ তম্বা ফংহল্লি।

নুপীশিংগীতা ওইবা ৱায়েল-চৈরাকশঙ

মৈত্রবাক্কী ওইনা থেংলবসু মালেমসিগী ওইনদি ঙল্লবসু, হায়বদি অহানবা ওইরবসু নুপীগা চেন্নবা নুপী, য়াওবা অমসুং নুপীগী ওইবা থৌদোক-ৱাথোক, শাথোক-লাম্থোক অমদি ৱাকৎ-ৱারোঙনবশিং অমসুং নুপীনা ফংগদবা হক, মনীঙ-মখা তম্বা, লন-থুম, অসিনচিংবা নুপী পকপা অমসুং নুপীগা হেক মরী লৈনরিবা হিরম-ৱারমশিংদদা ৱায়েল চথবা, ৱাতেম-ৱাতাইবা, ৱারক- চৈরাকপনচিংবা পাংথোকপা "নুপী' চৈরাক-ৱায়েনশঙ" নত্রগা "নুপীগী ৱায়েল চৈরাকশঙ" [Female/Women' Count] তোংঙান্না লৈজরম্মী। হায়রিবা ৱায়েল্ চৈরাকশঙ অসি নত্রগা অসিগুম্বা মখলগী/মথেলগী চৈরাক-ৱায়েনশঙ নত্রগা ৱায়েল চৈরাকশঙ মালেম-পৃথিবীগী অতৈ মফম, খুন্নাই নত্রগা জাতি/ক্নাংলুপ-ফুরুপ অমতদা ৱাখলগী মমি তমদ্রিখৈদা লৈরম্বনি। পৃথিবীসিগী অরিবা মতমদা চাওখৎলে হায়দুনা শীঙথানরিবা মিসর/ঈজিপ্ত, মেসেপোটেমিয়া, চাইনা, ভারতবর্ষ, গ্রীক্স, ইটালী (রোম) অসিনচিংবদা অতৈ মখলশিংদগী অমসুং হিরম কয়ামুক্কী ওইনা লৈনরিবা ৱায়েন-চৈরাকশঙশিংদগী তোপ্লবা মখলসি লৈখিদে, ময়াঈ ওইবা অমসুং ঙসি-ঙরাংনচিংবা মতমশিংদা চাওখৎলে হায়বা

য়ুনাইটেড কিংদম, য়ুনাইটেড ষ্টেটস ওফ আমেরিকা, জর্ম্মন, ফ্রান্স, জাপান্নচিংবশিংদসু লৈখিদে। তোমথিন ওইনা মৈত্রবাক-মণিপুরসিদদা লৈখিবনি অমসুং মসি লৈরম্মী হায়বসি বৃটিশ ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা মণিপুরগী থৌ পুরম্বা ডাক্টর রোবার্টব্রাউন (খৃ: ১৮৬৭-৭৫) না মহাক্কী লাইরিক্তা পীরি, মদুদি :-

Courts : - The chief courts are two in number, the Cheirap and the Guard on Military Court... The Paja on women's court consists of six members appointed by the raja from no particular class. In this court all cases of family disputes in which women are concerned, wife-beating cases, adultery, so, are in the first instance, heard; serious cases may afterwards come before the Cheirap. The other courts are unimportant.

(Dr. R.B., 1975, 92)

অসিনি। পোলিটিকেল এজেন্টসিনা ৱায়েলশঙসিগী অকুপ্পা মরোলদি ইবীরমদ্রে অমসুং থিফম থোকপা মরম পুন্নমক্তুদি থিজিনবীরমদ্রে। অদুবু টি: সি: হোডসন্নদি খর হেন্না থিজিনবীরগা আর: ব্রাউনগী মরেঙ্বান্দা তোংদুনা ৱারোল থম্বীরম্লে, মদুদি :-

The Paja dealt with all cases in which women are concerned, such as divorce, disputed paternity, marriage rights, etc. and the president of this court was known as the Paja Hulba (Hanba). The methods employed by the Paja in the decision of cases of disputed paternity were simple and resemble those in vogue in Ancient Arabia. [T.C.H., 1981,92]

অসিনি। হোডসন্না মান্নে হায়না পীরম্লিবসি কেস প্রোসিডিয়র (Case Procedure) অমখক্তগী ৱাফমনি। অদুগা খৃ: ১৮৪৪-৬২ অমসুং ১৮৬৩-৬৭ ফাওবদা বৃটিশ ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল এজেন্টকী থৌ পুদুনা মণিপুরদা লৈরম্বা মেজর ৱিলিয়ম মেক্লোক (Major William/W. Meculloch) না মহাক্কী মতমগী ওইনা ৱায়েলশঙসিগী তারগা হায়বা (Hearsay) অমসুং মিৎনা উবা পাউদম ওইনা পীরম্লিবদি :-

... There is a separate court for the judgement of matters between man and wife. It is called the Paja, and consists of a President "Paja Hulba" and twelve members which various officers attached. The members were formerly hereditary, but in these days hereditary "Fumtans" do not suit the money-loving views of the authorities, and they are made arbitrarily for a consideration and as arbitrarily dismissed when another candidates offers a large sum. The presidency of the Court appears to be the right of the family called Paja Hulbum (Hanbam) which is descended from the Royal family; that family, however now only holds it when it suits the Raja's convenience. This Court is most corrupts, but that a Court seated by corruption should not be so, connot be expected. [M.W.M., 1980, 19].

অসিনি। তশেংনমক হায়রবদি মসিনা হেন্না মপুঙ ফানা নৈনবা অমসুং খন্নবা নুংঙাইনবা থন্বীরম্লে।

মথক্কী পোলিটিকেল এজেন্টশিংনা থন্বীরম্বা ৱারোলশিংগা অমসুং মৈতৈ-লাইরিক "ফমলোন (নিং: খে: স:, ১৯৮৭), লাইস্না ফমলোন (খ: চ: স:, ১৯৭৫, ১-১৭) নচিংবগা চুশিন্নদুনা য়েংবদগী ৱায়েলশঙ/চৈরাক-ৱায়েনশঙ/ৱায়েন-চৈরাকশঙ অসিগী মমিং "পাচা/পাজা ৱায়েনশঙ" হায়না কৌই হায়বসি খঙলে অমসুং শেংলে। মসিগী ৱায়েন-লাংজৈ-ফম্বা ৱাতেন্বা অমসুং ৱারোয়বা ৱায়েনবা [Presidents/Justice (Judge)], ৱায়েন-ৱাতাইবা "পাচা" কৌবশিং (Jurors) অমসুং মখোয়না শাবা ৱায়েন-খুৎ/লুপ (Jury) লৈ। ৱাকৎপ (Appellant) না ৱাকৎলকপ (Appeal) দা ৱাপা'/ৱাপাবা (Defendant) অমসুং ৱাপাংবা (Witness) গী ৱারোলশিং লৌর-তারগা ৱায়েৎনবা (Debate), ৱাথিনবা [Investigation/Enquiry] অমসুং খুদম-ৱাপাং [Evidence] লৌদুনা ৱায়েল চথরগা অচুম্বা পুথোক্লবা/ফংননবা হোৎনৈ। হায়রিবা ৱাথিনবসিদা মতিক চাবা খুদম-চাংদম ফংদ্রবদি অমসুং ৱাপাংবগী ৱাপাং লৈরক্তবদি লাই ৱায়েন নত্রগা লাই-ৱাপাং-ৱায়েন [Ordeal test/trial] চথবসি তোয়না পায়খৎনরম্মী। মথক্তা হায়খ্রিবা পাচাগী প্রসিডেন্ট, জুরী অমসুং

জুরোরশিংসিগী মথক্তা ৱায়েলশঙসিগী ওইবা লোইশঙ, লোইশঙ-থৌগায় পুবা শীন্মী, চৈরাক থৌদা পাংথোকপা লোইশঙ থৌমী অমসুং থৌদা-পাখোন চৎপা খোঙলোইশিংসু লৈরম্মী।

পাচা ৱায়েন শঙসি মৈতৈগী ফমলোন লাইরিক পুন্নমক্তা "পাচাহনব" গী ফমথোন হাপ্লগা হৌদোকখিবা নত্রগা লিংখৎখিবগী ৱাফম ওইনা পীবীরম্মী। অদুবু পাচাহনবগী ফমথোনসি লাইরিক পুন্নমকসিদা চীনখুম মান্নদনা মরৈ অনি লোঙ্না অমুক্তা মৈদিংঙু পাইখোম্ব (খৃ: ১৬৬৬-৯৭) গী স্নাহাক্তক্তা হাপ্পা (নিং: খে: স:, ১৯৮৭, ৫, অমসুং খ: চ: স:, ১৯৭৫, ৫) অমুক্তা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা (খৃ: ১৭৬৩-৯৮ গী) মতমদা হাপ্পা (মথক্কীসিদা, ১২ অমসুং নিং: খে: স:, ১৯৮৭, ১২) ওইনা পীবীরম্মী। অদুবু শাগৈ-শল্লাইরোনশিংগা চাদা-নাউদা পরীংদা পাচাহনবদগী থোক্লকপা য়ুম্লাক/শাগৈ পাচাহনবা ময়ুম 'পাচাহনবম' থোক্লকপগী চারোন-শূরোনগী ৱাপাং/শাক্কী লৌজদুনা অকোনবগী মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী স্না হাক্তক্কীসিদা থাজবা থম্বনা শাফগনি হায়না লেপচরে।

পাচা ৱায়েনশঙ মিতম্লকফম মরু

মৈতৈগী পাচা চৈরাক ৱায়েনশঙসি মৈতৈ নিংথৌ অমসুং মহাক্কী য়োঙ্গৈবু-য়োঙ্গৈহে (রাণীশিং/Queens) গী য়ুম্বাললোনগী লন্নাইগী ওইবা ৱারম-থৌরমশিংগী ৱারক-ৱাতেম্লবগী ওইনা মৈতৈ কোনুংগী নিংথেমকোন (Royal Palace Compound) গী লমখৈ মনুংগী লৈম-নিংথৌকোন (Royal Household Yard) মনুংদা পাল্লিবা নিংথৌগী ময়োন-মবেন ওইবী, লাইওইরবী, মমাঙগী য়োঙ্গৈবু-য়োঙ্গৈহে ওইরম্বীশিংনা ফমদুনা নিংথৌগী, লৈমশিংগী নোংম-নোংমগী থৌগলশিংগী অশোয়-অঙাম, লঙজ-লাঞ্জবনচিংবগী লমদাং নুমিৎ খুদিংগী ৱায়েন্দুনা ৱারক- ৱাতেম্বা, চৈরাক-চৈথেং পীবনচিংবগী থৌরম পাংথোকপা ৱায়েনশঙ "চৈরাকশঙ" (খ: চ: স:, ১৯৭৫, ৪২-৪৩) কৌবা মৈদিংঙুগী শঙ্গাইরেনগী নোংপোক্তা মদুগী শঙ শাদুনা থল্লম্বা, অদুদগী মখা শমথরক্তুনা হৌরকখিবা নত্রগা মদুনা হেন্না খুমাঙ চাওশিল্লক্তুনা লৈপাক্কী ওইনা পুথোক্লকখিবা মাল্লি। অদুগা হায়জরিবা 'চৈরাকশঙ' পাচা-ৱায়েনশঙ নত্তবা অসিদি অকক্লবা ৱায়েন-ৱাখুন পরেং অমনা পুনবা অমসুং লীচৎ-শাজৎ, লমচৎ-লোনচৎ অমদি চৎলম-পরমগী ৱাখুন খরদা য়ুম্ফম ওইবগী মওংদা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ

(খৃ: ১৭০৯-৪৮) গী মতমদা চৎনরম্বা ওইনা পীবীরম্বী (মথক্কীসিদা, ৪২-৪৩)। অদুবু মসিসু উৎলিবা ৱাখুন পরেং, চথুরিবা ৱায়েন-পথাপনচিংবদা মিৎয়েং থম্লকপদা মৈদিংঙু সিগী মতুং নিংথৌরোন ৪/৫ রোম চথুরগা ওইরকপা-চৎনরকপা মাল্লি।

হেঞ্জিন্না মফম ফংহল্লকপা

নুপীগী ৱায়েল-চৈরাকশঙ পাচাসি মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবগী মতমদগী লৈরে অমসুং মহাক্কী তাল্লোই মৈতৈলৈমা লাইস্না পাচাগী ৱায়েন-লাংজৈ ফম্বী (President) ওইখি, মদুদগী নিংথৌগী লৈমরেন্না পাচা ৱায়েনশঙগী ৱায়েন-লাংজৈ-ফম্বী ওইবসি চৎনরকখি [N.1.S., 1976, 25, 197-98]। অদুগা মতমদুদগী নিংথৌ পোংবা তরা [Council of ten Ministers] গী তাল্লোইশিংনা জুরোরশিং ওইনা ৱায়েন-লাংজৈ-ফম্বী (President) সি য়াওরগা ৱায়েনশঙসি মেম্বর ১১ না শাই (মথক্কীসিদা, ২৫) হায়না পীরি। থম্বীরল্লিবা ৱাফমসি য়াম্না ঙনখৎনা মৈতৈ নুপীগী মফম, লৈঙাক্লোন, ৱায়েন-থৌদা, ৱায়েন-ৱাতাইবা অমসুং চৈরাক-চৈথেং পীবগী লমদাংশিংদা হেঞ্জিন্না ফংহন্নীঙবগী ৱাফম্নি অমসুং পীবীরল্লিবা ৱাফমশিংসিগী জষ্টিফিকেসন [Justification] তৌননবা ওথেন্টিক/ওরিজিনেল (Authentic/Original) সোর্স নত্রগা ওথোরিটেটিভ ইভিডেন্স/ইনফোর্মেসন (Authoritative evidence/information) পীবীবদি লায়রদুনা অচম্বা রিফরেন্স (Simple reference) অমতং ফাওবদা পীবীরমদবনা ৱাফমশিংসি ৱারেম ওইনা থাদোকচরল্লে।

তশেংনা কল্লিবা মফমগী মশক

পাচা-চৈরাক ৱায়েনশঙসি নুপীশিংগা মরী লৈনবা ৱাথোক-লান্থোকশিংখক্তমক্কী ৱায়েন তৌই অমসুং চৈরাক পী, হায়বসি মথক্তা কয়ারক হন্না পঞ্জখ্রে। হায়রিবা ৱাথোক-লান্থোকশিংসিদা খ্বাইনা খঙনরিবশিং খরদি - নুপী ওইবীগী ঈজ্জৎকা মরী লৈনবা - রেপ (Rape), এডলত্রী (Adultery) নচিংবা; মতমদুগী মীশীঙ হেনগৎহন্নবা থৌশীল-থৌরাংগী মায়য়োক্তা মীহাৎ-মীপুলগা মান্নে হায়না লৌনরিবা এবোর্সন (Abortion); নুপীগী হকচাং

অমসুং ৱাখলদা শোকহনবা - খুৎনা/খুৎলাইনা মপুরোইবনা/মীতোপ্পা ফুবা, অঙাং চাকথাক পীদবা, খায়নবা, খায়নরবদগী অমুক হঞ্জিন্নবা, মরম লৈতনা মপুরোইবনা ওৎ-নৈবা, নুপী ফাবা (Kidnap), নুপী লোনবগী নুপী মশেন খৎনরকপা, অসিনচিংবনি। অসুম্না হায়রিবশিংসিদা মরাল লৈরবা, লঙজরবশিংবু চৈরাক পীদুনা নুপীশিংবু ৱারকপা অমসুং ৱারক-চৈরাক পীদুনা মরমচৎ-চুমথোকপা, মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা অমসুং অতৈ নুপীশিংনা মরাল লৈরবীদুনা লঙজরুরিবা মরালদুগা মান্ননা মতৌ তম্লক্তনবা চৈরাক-চৈথেংদু মীয়াম মমাঙ্দা উত্তুনা খঙহনবসিনা মৈতৈ-নুপীনা মণিপুরী সমাজদা কল্লিবা মফমসিগী পান্দমনি। অদুগা হকচাংগী পাঙ্গন্দা নুপা ওইবশিংদগী হন্থরবী/নোপ্লবী অমসুং লীশাং শীৎনা ৱাখল খন্থনবা অমসুং অরুবা লৌশীং পুথোক্লবদা খর মখৈ চাং হন্থরবী অমদি শূ-নোম্বতনা মপুম থীৎলবী নুপীশিংবু কন্ননবা অমসুং ঙাকপী শেনবীনবগীদমক্তা নুপীশিংগী মফম অমা মৈতৈ খুন্নাই নত্রগা মণিপুরী সমাজদা থেংলবদা খৃষ্টগী ১৮ শুবা কুমশীঙ চাগী অহুমশুবা/মরিশুবা মশুঙদগী খৃ: ১৮৯১ ফাওবা চহি ১০০ রোমগী মতম ফাওবা থল্লকপদা নত্তনা মখোয়গী অথোইবা, খ্বাই পুম্নমক্তগী থোইদোক- হেন্দোক্লবা হক, মালেম-পৃথিবীসিদা মতমদুদা কদায়দসু, কনাদসু, কৈদৌঙৈদসু অমসুং করম্বদসু নত্রগা হৌজিক ফাওবদসু লৈত্রিবা অমসুং মালেমসিদা নত্রগা ভারতবর্ষসিদা নুপীদা আইননা মপাঙ্গল হাপ্পা/পীবা (Woman Empowerment) দা মঙ মঙদ্রিবা অমা মণিপুরগী লৈপাক-নিংথৌনা অমসুং লৈঙাক্লোন্না পীদুনা মখোয়গী মফম ৱাংনা কলহল্লি।

মনীঙ তম্বা নিংথৌ পানবা মৈত্রবাক-মণিপুরগী লৈঙাক' ৱায়েন-ৱাখুন্না মৈতৈ নুপীশিংদা পীরম্বা মালেমসিগী অতৈ লৈপাক-খুন্নাইশিং, জাতিশিংদা কৈদৌঙৈদসু করিগুম্বদসু, কনাগুম্বদসু লৈখিদ্রিবা "নুপীগী হক"

মৈতৈ/মণিপুরী নুপীশিংদা মনীঙ তম্বা নিংথৌ পানবা মৈত্রবাক মণিপুরগী লৈপাক-নিংথৌনা য়াম্না লৈপাকসিগী লৈঙাক ৱায়েন-ৱাখুন্না পীরম্লিবা পৃথিবী নুপী সমাজগী হকশিংদগী খ্বাই পুম্নমক্তগী হেন্না ৱাংলবা অমসুং মপাঙ্গল কল্লবা

“নুপীগী হক” হায়জরিবসি মথক্তা পীজখিবা পৃথিবীগী লৈপাক শীন-থুংনা লৈঙাক্লোনগী, লৈঙাক-ৱায়েন থৌদালোনগী, চৈরাক-ৱায়েন ৱাখুল্লোনগী অমসুং ৱায়েন-চৈরাক কাংলোন অমদি কাংখুনগী ওইনা পীফম-ফংফম থোকপা - য়ুনিভর্সেল (Universal), হিয়ুমেন (Human), পোলিটিকেল (Political), সোসিয়েল (Social), ঈকোনোমিক (Economic) অমসুং মখোয়সিগী পকশিন-পুনশিন্নবা হিরমশিং (Allied subject) গী হকশিংদু নত্তে, মদুশিংদুগী ৱাংমদা লৈখ্রবা অমনি। মসিদি হায়রিবশিংদগী য়াম্না হেন্না মপাঙ্গল লৈরবা অমসুং থাক ৱাংলবা লৈঙাক্লোনগী অমসুং ৱায়েন-থৌদাগী, চৈরাক-ৱায়েল্লোনগী অমসুং ৱায়েন-চৈরাক্লোনগী খ্বাইদগী হেন্না চাওরবা অমসুং ৱাংলবা কোর্টকী অমসুং বিচারপতিগী ৱায়েন-ৱারেপ-ৱাখৈ/ৱারোয় (Decision/ Judgement/Ruling) অদুগী মথক্তা লৈবা হকনি।

খন্ন-নৈনবগী পনখৈনুংদা লৈরিক নুপীগী হকসি মৈত্রবাক-মণিপুরদা মৈতৈগী/মণিপুরগী করম্বা নিংথৌনা নত্রগা নিংথৌ কন্নানা, করম্বা মতমদা শেম্লবা/পীরম্বা নত্রগা হৌদোক্লম্বা অমসুং কৈদৌঙৈদগী নত্রগা করম্বা মতমদগী/চহিদগী চৎনবা/শীজিন্নবা নত্রগা থবক্তা/ৱাথোক্তা পায়খৎপা হৌখিবগে/হৌরকখিবগে হায়বদুদি উদ-খঙদবগী লৈরোন্নুংদা লৈরিবনা থিজিন-হুমজিনবগী পল্লোন্নুং লৈরি অমসুং ঙসিগী মতমসিদা ফংবা ঙমদ্রবদি হয়েংগী মতমগী থিজিন-হুমজিনবী থৌমীশিংগী মখুত্তা শীন্নজরি।

মৈতৈ নুপীগী হকসিগী ৱায়েন-ৱাখুন অমসুং মতীক- মপাঙ্গল

মৈত্রবাক-মণিপুরদা মনীঙ-মখা তম্বা মৈতৈ-নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমশিংদা লৈঙাক'-ৱায়েনগী মায়োক্তা অরানবা মরাল তৌবা নত্রগা লঙজ-লাঞ্জবগী ৱায়েল-বিচার তৌবা অমসুং চৈরাক-দণ্ডি পীবা নত্রগা পীখ্রবা/পীরিবা চৈরাক/দণ্ডিদুদগী হন্থবা চৈরাক পীবা/ওন্থোকপা অমসুং/নত্রগা ঙাকপী-কনবীবা নত্রগা কোকপীবা (চৈ: কু:, ২০০৫, ২৯৫) গী খ্বাইদগী হেন্না মকোক থোংবা ৱায়েনবা [Chief Justice] অমসুং পেন্দবা ৱাকৎ পুন্নমক্তা ৱায়েনবা অমসুং অমুক হন্না ৱায়েন লৌখৎনবা য়াথং পীবা ঙম্বসি মৈতৈগী মবুংঙো/নিংথৌ মৈদিংঙুনি। অদুবু মহাক্না কনবী-ঙাকপীবা অমসুং কোকপী-থাদোকপীবসিগীসু মরম অমা/খরদি লৈবা তাই অমসুং মদু বিচারপতিদা অমসুং মীমাঙদা

উৎপা/খঙহনবা তঙাই ফদবনি (মথক্কীসিদা, ২৯৫)। অসুম্না কনাগুম্বা ৱাকৎপা (Appellant)/ৱাপাবা (Defendant) অমবু করিগুম্বা কোর্ট অমা: - পানা শঙলেন, লৈকায় শঙলেন, পাচা, চৈরাক, অসিনচিংবনা মরাল লৈরে হায়বা প্রমান তৌদুনা লঙজবা/লঙজবীদু চৈরাক পীরবদা ৱায়েন্দুদা পেন্দ্রবদি/য়ানীঙদ্রবদি মৈতৈ নিংথৌগী লোইশঙ অমসুং ৱায়েনশঙ কুচু [মৈদিংঙু সার চন্দ্রকীর্ত্তি (খৃ: ১৮৫০-৮৬)গী মতমগী অনিশুবা তংখায়দা মসিদা যুবরাজনা মাগী লুপ অমগা লোইননা ফমখি] দা অমসুং নিংথৌগী থায়নদগী চৎনিরকপা ৱায়েনশঙ "চৎলম" নত্রগা "চৎলম-ফানশাং" (অহানবদা নিংথৌগী শঙ্গাই-মাঙ্গোন্দা ওইরম্মী) দা নত্রগা নিংথৌনা উত্রাদা লেঙথোক্তুনা লেঙসিল্লিঁঙৈদা (মসিদি কয়া থেংনজদে) ৱাকৎলগা [মচা-মশূ ঈবুংঙো-ঈবেম্মশিংগীদি শঙ্গাইরেন (King's own private palace) নত্রগা য়ুমজাও (Royal common household-palace including Harem or queens' quarter(s))দা হেক্তা ৱাকৎনৈ, ৱায়েল্লি অমসুং চৈরাক্কী য়াথং পী (মথক্কীসিদা, ৪৪১)], ৱায়েল্লগা কনবীবা ঙমই। অদুগা মৈতৈ নিংথৌনা ৱায়েল্লগা/ৱায়েন্দনা পীরক্লবা চৈরাক অদুদি কনানসু কনবা ঙমদ্রে। চৈরাক্তু ফংগদবা মীশক-মীওইদুনা মৈত্রবাক-মণিপুর অমসুং মণিপুরগা মরুপ ওইনবা লৈপাক (শিং) থাদোক্তুনা মরুপ ওইনদবা লৈপাক (বর্মা/ ম্যান্মারনচিংবা) (শিং) তা চেনখিবা নত্তনা চৈরাক্তুদগী নাম্থোক্লবা লম্বী/পাম্বৈ অমুক লৈত্রে, অদুবু খন্ন-নৈনবগী পরৈনুং লৈরিবা মণিপুরী/মৈতৈ-নুপীশিংদা ঈকাই খুম্নবগী থাক্তা পীরিবা নুপীগী হক অসিতনদি চৈরাক্তুদগী নাম্থোকহনবা, কনবা, ঙাকপীবা নত্রগা/অমসুং কোকহনবীবা ঙমই।

নুপীগী হকসিগী ৱায়েন-ৱাখুন

মৈতৈ নুপীদা পীরিবা হকসিগী ৱায়েন-ৱাখুনসি কনানা, করম্বা মতমদা, কমদৌনা অমসুং করিদগী শেমখিবনো হায়বসিগী পাউখুম, খঙঙমদগী লারৈ-লাথুপ্পুংদা লৈরি। অদুগা মসিগী অশেংবা ৱায়েন-ৱাখুন্দু ইথোক্তুনা পীবা মৈতৈ লাইরিক, ৱারী-শীঙবুন নত্রগা চীনবুঙ-চীনফাদা পুথনরকপগী মমি অমতা ঙসিদি তাদ্রে। মরম অসিনা পীবীরম্বা থৌদোক অমগী ৱাশক্তুনা হায়বা অরিবা ৱারোল অমখক্তগী ৱাখন্না লামখত্তুনা মরী-মখোঙ লৌরগা অপাবগী মিৎমাঙদা পুথোকপা/থম্বা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতে। হায়জরিবা হকসিগী পীবীরল্লিবা ৱারী-ৱাখোঙদু জষ্টিফিকেসন (Justification) তৌরগা ফংজরিবা মপুঙ ওইবা ৱায়েন-ৱাখুন্দি :-

"কনাগুম্বা অমা মীয়াম-মীচমগী (Civil) লঙ্জবদা থৱাই মাঙহনবগী চৈরাক পীবা য়াবা মরাল নত্রগা মীহাৎ-মীপুনগী ওইবা মরাল/লঙ্জবা (Criminal offence) অমা/খর তৌরুরবা/তৌখ্রবা, মদুগীদমক্তা মহাকপু মৈত্রবাক্কী লৈপাক-নিংথৌনা ফারগা/ফাদুনা লৈপাক্কী কস্তডী [Custody (Jail/Prison or anyone of other confinements] দা থম্লগা ৱাথি-ৱাহুম তৌদুনা লৈপাক্কী চৎনরিবা ৱায়েল-পথাপকী ৱাখুন-কাংখুন অমসুং কাংলোন-পরমগী পরীং-পরেংদা ৱায়েৎ-ৱাপানবা, ৱাশক-ৱাপাংনবনচিংবা চথদুনা ৱাপাং-খুদম (Evidence), খুদম-চাংদম, প্রমান (Proof) নচিংবা পুথোক্তুনা পাংথোকপা ৱায়েনগী খোংলম-তূখুন্দা ৱাতেম-ৱাতাইনদুনা ৱায়েন-ৱারেপ-ৱারোয় তাদুনা মরাল লৈরে হায়বা শেংলবা অমসুং চৈরাক-চৈথেংলোনগী লীক্লম-লীখুন্দগী চৈরাক-চৈথেংগী ৱাখৈনরদুনা অমসুং মহাক্কী মথক্তা শীরিবা মরাল/লঙ্জবদুসু মশানা য়ারবা/য়াদনা অমদি পীরিবা চৈরাক্তু মহাক মশাদুনা য়াজরবা নত্রগা ৱাকভুনা মশা কন্ননবা হোৎনবদসু শীরিবা মরাল অমসুং পীরিবা দণ্ডিদুদা অদুম্মক তারবা নত্রগা হন্না য়েংশিনগদবা, ঙাকপীবা অমসুং অরেপ্পা য়াথং পীবা ঙম্বা অথোরিটী (Authority) নসু দণ্ডিদুদা অদুম লেপ্পক্লবা ফাওবদসু নুপীগী হকসিনা পুম্নমক্তুদগী নাম্থোকহনবা ঙমই।

হায়জরিবা মথক্কী ৱাফমশিংসিদগী হেন্দোক্লক্তুনা মশাগী মরাল অমসুং পীরিবা থৱাই মাঙহনবগী দণ্ডিদু মশানা য়াজরবা নত্রগা মশানা য়াবা/য়াদবা থিদনা লৈঙাক-ৱায়েল্লোনগী ৱাখুন্না পাংথোকফম থোকপা লৈঙাক্কী ৱায়েলগী অমসুং আইনগী থৌদাং, মথৌ, মঙম্নচিংবনা পুন্দুনা ৱায়েন-ৱাখৈনবগী য়াথং, মথৱাই মাঙহনবা নত্রগা অশিবা ওইহন্নবা হাত্তোকপগী চৈরাক/দণ্ডি পাংথোক্লবা মীহাৎফম [মীহাৎপুঙ/মীতুফম/মীয়ানফম/মীককফম (Execution ground)] দা পুরক্লবা, অমসুং মৈতৈগী ৱায়েল-থৌদা পুম্নমক্কী মকোক কোক্লেন মৈতৈ নিংথৌগী য়াথংদগী মরাল লঙজরবদুগী মশা হাৎননবা থৌরাংলবা নত্রগা থৌরাং তৌরিঙৈ/শেম-শারিঙৈ অমসুং থৌরাং পুম্নমক লোয়শিন্দুনা মীককপা [Executioner] না তেন্দোং থাঙ [Execution-sword] হাইগৎলবা ফাওবগী মতমদুদা ফিঙৌ শেৎপী মৈতৈ নুপীশিংনা মখোয়গী অকক্লবা মশীঙ (চামদগী তাদনা) মীহাৎফমদুদা/মফমদুদা লাক্তুনা চৈরাক ফংগদৌরিবা মীশক্তুগীদমক্তা নত্রগা

মহাক্কী মীচঙদা/মায়কৈদা তোংদুনা/লেপ্তুনা মশক উৎলরবদি নত্রগা কন্নবগী ৱা হায়দুনা/হায়দনা নত্রগা ঙাংনা/ঙাংদনা লেপ্লরবা নত্রগা মশক উহল্লরবদি মরাল য়াজরবা মীশক্তু থৌদোক/ৱাথোক অমতদা অমসুং ফিবম-ফিরেপ অমতা থিদনা/য়েংদনা মরাল/লঙজবা অমতা লৈতবা মীগুম খুদক্তুদা থাদোক্কদবনি নত্রগা থাদোক্তুনা মৈত্রবাক-মণিপুরগী প্রজা/মী অমনা ফংফম থোকপা হক্কী মনীঙ-মখা তম্বদু ফংহনগদবনি অমসুং মিকুপ্তুদগী/খুদক্তুদগী মহাক্না লঙ্খিবা মরাল (পুম্নমক্তু) কোকপীগদবনি/ঙাকপীগদবনি নত্রগা মহাকপু লঙজরুবা মরালদুগী ফংফম থোকপা চৈরাক-চৈথেংদু ফংগদবদুদগী কনবীগদবনি।" - হায়বসিনি। মথক্কী হায়জরিবা ফিবমসিদা মৈতৈ নুপীশিংনা মতম চানা মফম চানা লাক্লবদি/তীল্লরবদি পীজরিবা ৱায়েন-ৱাখুনসিগী কাংলোন-কাংখুন অমসুং লীক্লম-লীখুনগী মতুং ইন্না মনীঙ-মখা তম্বা মৈতৈ-নিংথৌশিংনা পানবা, মশা মতোমতা লৈঙাকচবা মনীঙ-মখা তম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা ওইরিঙৈগী মতম, খৃ: ১৮৯১ গী মমাঙদদি মৈতৈ নিংথৌ (শিং) না মরাল লৈরবা/লঙজরবা মীশিংবু মখোয়গী ফংফম থোকপা চৈরাক্তুদগী শোয়দনা কনবীরম্মী।

ৱাথি-পোমিৎ

মথক্তা পীজখ্রিবা ৱাখুন অসিদা হৌজিক্কী ওইবা মিৎয়েং থমদুনা ৱাখুল-ৱাথি [Inspired investigation] থাদরকপদা ফংলিবদি - মৈতৈ নুপীশিংদা পীরম্বা "নুপীগী হক" অমসুং "ঈকাই খুম্নবা" অসিগী মতীক-মপাঙ্গল অসি, মৈত্রবাক্কী খ্বাইদগী হেন্না চাওরবা/ৱাংলবা ৱায়েনশঙ, ৱায়েন-ৱাখুনশিং অমসুং ৱায়েনজৈ পায়রিবা মহাক্কী ৱায়েন-ৱাখুন পরেং [Judicial Code] গী মতীক-মপাঙ্গলদগী হেন্না কল্লি, ৱাংই অমসুং চাওই, হায়বসিনি। অদুবু অসিগুম্বা থৌদোক, ৱায়েন নত্রগা নুপী (শিং) গী হক কনবগী/লৌবগী থৌওং-থৌদৌসি তোয়না থোকপা থৌদোক্তি নত্তে, চীন্থাং-য়ৈনা চথরকপা/পুথনরকপা ৱারী-শীঙবুন অমসুং মৈতৈ লাইরিকশিং নত্রগা ঙসিগী সহিত্যগী কাংখুনদসু তাবা নত্রগা পাবা ফংজদ্রি, অদুগা অসিগুম্বা থৌদোকসিগী/থৌদৌসিগী খুদম-চাংদম/সাক্ষী-প্রমান ওইবা য়াবা নত্রগা পান্দম-পাদম্নবা য়াবা ইতিহাসকী ওইবা ৱাথোক/থৌদোকশিং য়াম্না তাঙই।

মৈতৈ নুপীশিংনা মখোয়গী হকসি কন্নবা হৌদুনা লাকখিবা অমসুং হকসিবু শকখঙবীখিদ্রবা নত্রগা খঙশিন্নদনা ঈকাই খুম্নবীখিদ্রবা ঐতিহাসিক/ হিষ্টোরিকেল ওইবা থৌদোক অমা।

মথক্তা নৈনজখিবা মৈতৈ-নুপীশিংদা মৈতৈ লৈপাক মণিপুরগী লৈঙাক্লোন অমসুং ৱায়েল-চৈরাক্লোনগী ৱায়েন-ৱাখুন পরেং [Criminal Procedure of Penal Code] না পীরম্বা "নুপীগী হক" অসি, নিংথৌ পানবা মনীঙ-মখা তম্বা লৈপাক ওইরিঙৈ, মনীঙ তম্বা মৈতৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমদা চৎনরম্মী অমসুং মসিনা হৌরকপদগীনা খৃ: ১৮৯১ গী আগষ্টকী তারিক ১৩ গী মমাঙ ফাওবদা ঙাক্লরম্মী/লৈরম্মী, হায়বদুদি মৈত্রবাক-মচা মণিপুরীশিং খক্তা নত্তনা মণিপুর য়ৌরক্লন্বা মীরৈপাকচাশিং ফাওবনা খঙনরম্মী, হায়বসি, মখাদা উৎচরিবা মীরৈবাকচা অমনা ইবা নত্রগা খোমজিন্দুনা পুথোক্লকপা লাইরিক্তগী লৌথোক্লবা ৱারোল-মতেক অসিনা খুদম-চাংদম ওইরি অমসুং সাক্ষী-প্রমান উৎলি/পীরি:-

"Gallows were erected on the Pologround and the sentence was duly carried out. As far as the eye could see the plain was white with women. In the Raja's days a criminal sentenced to death was occasionally reprieved if a sufficient number of women had appeared to intercede for him and hoping that possibly the old custom might still prevail the women had assembled in their thousands. As the drop fell and the Senapati and Tangkhul General were launched into eternity, and deep groan went up from the assembled throng.

-Gazeetteer of India, Part I, 1891 (Manipur District Gazatteer) [রা: ক: স:বি:, ১৯৭৩, ২৩১]।

মৈতৈলোন/মণিপুরীগী ৱাহন্দোক

কাঙজৈবুঙদা ফাঁশি শগাইশিং শারম্মী অমসুং ৱায়েন-চৈরাক্কীদমক তৌরকপা য়াথংদু নীঙথিনা পাংথোক্লম্মী। অউবশিংগী মিৎয়েংগী পনখৈ য়ৌনা শন্দোকখ্রিবা লমদমশিং ফাওবদা ফিঙৌ শেৎপী নুপীশিংতনা ফিঙৌ ফৌবগুম তীল্লম্মী/উরম্মী।

মমাঙণৈ, নিংথৌ পাল্লিগৈগী মতমদা মীহাৎ-মীপুন তৌবগী মরাল লৈরবা অমবু মথৱাই মাঙহনবগী য়াথং পীরবদা মরাল লঙজরবা/লৈরবা মীদুবু কনবীনবগীদমক্তা নুপীশিংগী মশীঙদা মতীক ওক্লে/শুরে হায়বা মশীঙদুদা লাক্তুনা মীহাৎপুঙ/মীহাৎফমদা শক উত্তুনা মাগীদমক লেপ্লরবদি মহাকপু মরাল অমতা থিবীদনা থাদোকপীখিবা অসি অকক্লবা থৌদোকশিংগী মনুংদসু তাঙনা থোক্লম্মী, অমদি মাঙলমচৎকী চৎনবীসি অদুম্মক লৈরমখিগনি/চৎনরি হায়বগী, ৱাখল্লোন্দা/আশাদা নুপীশিংনা মখোয়গী লীশীঙ-লিশীঙগী মশীঙদুদা তীল্লরখি। ফাঁশি তৌননবগী শগাই-মখাগী থাদনবা পান্বেদু থাদখিদুনা লেপফম উপাক্তু শভোকখিবগা অমসুং সেনাপতি অমদি তাংকুল জেনরেলনা তাইবংপালগী ৱাংমদা খোঙ-থাংদোকখিবগা লোইন-লোইননা তীল্লম্লিবা মীয়ামদুগী মরক্তগী অহীকপা মীকপ খোঞ্জেন্না মফমদুগী অচীকপদু থুগায়রকখি।

মথক্কী ৱারোলসিদা পীবীরম্লিবা মীরৈবাকচাসিগী ৱারোল-মতেকসিদা মৈতৈ নুপীগী হেন্দোক-থোইদোক্লবা নুপীগী হকসিগী ৱায়েল-ৱাখুন, থৌদৌ-থৌওংনচিংবগী চাওরাকপা/শমপৎপা শক্তম অমসুং পরীং খরদি পীবীরম্লি। অদুবু মখোয়দুগী অশেংবা ফিবম অমসুং ফিরেপ্পুদি পীবীরম্লিবা মহাক্কী ৱাখল অমসুং থম্মোইগী লাইয়ুমনুংদা লৈখিবগুম তৌরি।

ৱারোলসিগী থৌদোক- ৱাথোক্কী খোঙ্গুল লীবা

মথক্কী ৱারোল-মতেকসি খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ-এপ্রিলদা বৃটিশ-মৈতৈ/এঙ্গলো-মণিপুরী লান/ৱার, ১৮৯১ হায়দুনা ঈঙ্গ্রেজ অমসুং মণিপুরী জাতী অনিসিগী মরক্তা লানশোক-লাম্হেংনবগী মৈরী পাইনখিবা [খৃ: ১৮৯১ সিগী মার্চ ২৫ দা মৈতৈনা অমসুং মার্চ ৩১ দা বৃটিশ/ঈঙ্গ্রেজনা লান লাউথোকখি অমসুং এপ্রিল ২৭ ফাওবদা লান চথনখি অমদি নুমিৎসিদা লোয়খি] অমসুং খুৎ থোক্লখিবা অদুদা খুজোক অমখক্তগী মীশীঙ ওইরবা মৈতৈনা মায়থীবা ফংলদুনা মমাঙগী চহি ১৮৫৭ মপুঙ ফানা চথরক্লবা জাতীগী নীঙতম্বা ঙাকপা ঙমদদুনা খৃ: ১৮৯১ সিগী এপ্রিল ২৭, নিংথৌকাবা নুমিত্তগী বৃটিশকী মখা পোনখিবা অদুগী মহৈ ওইনা থোক্লকপা ৱায়েল-চৈরাক ফংখিবগী অৱাবা থৌদোক অমগী মিৎনা উবা পাউদম্লি। পাউদমসিদা উৎলিবসি বৃটিশনা মণিপুর লৌশিন্দুনা নুমিৎ তাবা লৈত্রবা মখোয়গী সম্রাজগী এসিয়াগী শরুক্তা তীনশিনখ্রিবদা হায়রিবা

মৈতৈ/মণিপুরীগী নীঙতম লান্দুদা লুচিংখিবা অমসুং মাঙজীন থাখিবা মৈতৈগী অকন-অথৌ অমদি অঙম-অথৌশিংবু ফাগৎলগা লান মায় পাক্লবা বৃটিশ মচাশিংদুনা হক অমসুং মথৌদাং লৈতবা কোর্ট শেম্লগা নত্ত-ওইদবা মরাল কয়ামরুম পীশিন-শীজিল্লগা ৱায়েন নত্তনা ৱায়েন তৌবা মওংগী বিচার চথবা শাশিন্নরগা মখল-মখা অয়াম্বা অহকপা চৈরাক পীখি অমসুং মনীঙ-মখা তম্বা অমসুং বৃটিশকা মরুপ ওইনবা এসিয়াগী লমদমগী নিংথৌ পানবা লৈপাক মণিপুরগী যুবরাজ (মখোয়না সেনাপতি হায়জিল্লি) টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিংহ নত্রগা কোইরেং যুবরাজ অমসুং মৈতৈ লান্মী-তেঙ্গোনগী ব্রিগেডিয়ার-জেনরেল (হৌজিক্তা মেজর জেনরেল) দগী ফম কাদুনা জেনরেল ওইরম্বা কাংঙবা চিদানন্দ সিংহ নত্রগা (কাংঙবা) থাঙ্গাল জেনরেল অনিবু লৌনম্বগী মরাল শীবগী বিচার তৌরগা "হাওবা শুপয়া য়াদ্রে" কট ড তোল পোপ্পী হেডস" (Cut the tall poppy heads) হায়বা মীফম্ত'-ৱাখুন মখোয়গী গভর্নর-জেনরেল লর্ড লেন্স-ডাউন (Lord Lanse-down) কৌবাদুনা বৃটিশকী অন্দর সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট ফোর ইন্দিয়া [Under Secretary of State for India] গী পাউতাক ইঞ্জরদুনা হাৎনবগী শরৌ শীন্দুনা চৈরাক পীবগী থৌদোক্তুগী পাংথোকখিবা থবক্তুনি।

মাইট ইজ রাইট (Might is Right) কী শেমজিন-শাশিন্নবা অমসুং লৌনম-চিরোনগী হায়জিন্নবা ৱারোল-ৱাফম কয়ামরুম শেমগত্তুনা মখোয়গী মখা থাবা লৈপাক অমসুং মখোয়না মনীঙ-তমহনবীবা জাতীগুম হায়জিল্লগা মথক থোংবা লৈপাক্কী বৃটান্নিক ওফিসার ৫ হাৎপদা ইনশিনবা অমসুং লৈপাক্কী মপু ওইরিবী মহারাণী (Queen empress Victoria) গী মথক্তা লানহৌবগী মরাল শীরগা করিগীদমক লান তৌনরমদায়দা ৱার ডিক্লেয়ার (War Declare) তৌরিনো? মখা থাবা লৈপাকপু লাকশিনবদা ৱার ডিক্লেয়ার তৌবসি পৃথিবীগী নত্রগা ইন্টরনেস্নেলগী লানশোক-লান্থেংনবগী করি আইনা পীরিবা, করম্বা ৱায়েল-পরেংদা য়াওরিবা নত্রগা মালেমসিগী লৈঙাক্লোনগী অমসুং লৈঙাক ৱায়েনগী করম্বা আইনগী পরেংদা লৈবগে? অসুম্না মশা লান্মী ওইবনা সিভিল কেশকী আইন খঙফম থোক্তবা, লৌনম্বা বিচারপতি অহুম খল্লগা বৃটিশকী নত্রগা বৃটিশ-ইন্দিয়াগী নত্তবা মণিপুরী মচাদা পানফম/শীজিন্নফম থোক্তবা আইন শীজিন্নদুনা বিচার চথখিবদু মতমদুদা মণিপুরসিবু বৃটিশ-ইন্দিয়াগী মনুং চল্লব্রা?

অদুগা মনীঙ-তম্বা পীরম্বা মতমদনা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুরসি করিগী তোংঙান-তোংঙান্না ইন্দিপেন্দেন্স পীরম্লিবনো? অসুম্না বৃটিশনা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ অমসুং থাঙ্গাল জেনরেলবু নমথাক্কী বিচার তৌরগা লৌনমগী মরাল পীদুনা শীরিবা মরাল ৩দু লৈরে হায়দুনা চুমদবা নত্রগা পীফম থোক্তবা চৈরাক/দণ্ডি পীদুনা খৃ: ১৮৯১ গী আগষ্ট ১৩, শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংৱাই পুং ৫ মিটি ১০ (I.S.T./G.M.T.) মৈতৈগীনা নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ৭ (চৈ: কু:, ২০০৫, ৫০) তাবদা মপাল কাঙজৈবুঙগী স্না কৈথেল ওইরম্বগী ফৈদাবুঙ লৈরম্বা মফমদা ফাঁশি তৌদুনা হাৎখিবগী মতমদুদা উখিবা দৃশ্যদুনি, মীরৈপাকচা অসিনা কলমগী মতেংনা ৱাহৈ পরেংগী শক্তম য়েক্লম্লিবসি।

নুপীগী হকসিগা মরী লৈননা থৌদোকসিদা তীল্লখিবা মীশিং অমসুং লৌখৎখিবা চেকশিন-থৌরাং

মৈতৈ-অথৌবা নেস্নেল হেরো অনিসিবু ফাঁসি তৌখিবা নুমিৎসিদা নুমিত্তুগী অয়ুক্কী মতমদগী হৌদুনা ফাঁসি তৌনবগী থৌরাং শেম-শারিবা অমসুং ফাঁসি শাগাই শাগৎপগী মতমদুদগী হৌনা মৈতৈ মচাশিং শঙ্গু-শঙ্গু লাক্তুনা চখোক-চৎশিন তৌদুনা লাংলিবা থৌরাং অমসুং শীল্লিবা থৌশীন্দু য়েংলখি। মখোয়না মমিৎনা য়েংবা নত্তনা থোইদোক্না ৱা-লানদি ঙাংলমদে। অসুম্না আগষ্ট ১৩ গী নুমিৎসিগী নুমিৎসিমা মৈতৈ মচানা লাকপা-চৎনবা, অমুক হল্লকপা অমুক চৎখিবা তৌবসি নুমিৎ চুপ্পদুমা তৌরম্মী। অদুগা ফাঁশি তৌনবগী পুংফম য়ৌশিল্লক্কদৌবগী মমাঙ পুংখায় অমরোমগী মমাঙ অদুৱায়দদি মপাল কাঙজৈবুঙগী মফমসিদদি মীনা চীক্ল-চায়নবা ঙমখিদে অমসুং ফাঁশিগী পুংফম য়ৌরকপদি মীয়াম-মীচম ওইবা মণিপুর প্রজা নুপা-নুপী পুন্না ৮০০০ (লিশীঙ নিপাল) তীল্লম্মী (অ: বা: স: (১):, ১৯৭৯, ১০৭)। মখোয়, মখোয়গী নুংশিজরবা যুবরাজ অমসুং জেনরেল অনিগী অরোয়বা মিৎকুপকী মমিৎ উইশিনখিবগী মতৌ অমসুং ফিবমদু য়েংবা লাকপা নত্তে, হায়বদু মথক্তা পীজখিবা মীরৈবাকচাগী ঈঙ্গ্রেজী কোটেসন অদুনা ফোংদোকখ্রে। “অদুবু তুমদবা মী হৌদোকপা লুবনি,” হায়বসিমদি মখোয়না খন্থহৌদ্রে।

মণিপুরগী নেস্নেল হেরো অনিগী ফাঁশিগী পুংফমসি য়ৌগদবা পুং অমরোমগী মমাঙদগী বৃটিশনা মখোয়গী চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা হৌখি। বৃটিশকী মীনাই গুর্খা সিফাইশিংনা ফাঁশি তৌফম মফমদুগী অকোয়বদু চেকশিন্না ঙাক-শেন্দুনা

মীচমশিংদুদগী কনাবুসু ফাঁশি-শগাই অদুগী মনাক্তা নকশিলহল্লমদে, লাপ্পা থমখি (মথক্কীসিদা, ১০৭)। মতুংদা ফাঁশিগী পুংফম নকশিল্লক্লবদা ফাঁশিগী য়াথংবু থবক্তা ওম্থোক্কদৌরিবা বৃটিশ ওফিসারশিং, মরু ওইনা "মণিপুর ফিল্ড ফোর্স (Manipur Field Force) কী চিফ পেলিটিকেল ওফিসার মেজর ঐচ: পি: মেক্সৱেল (Major H.P. Maxwell, Chief Political Officer)", য়াথং পাংথোকপগী ৱাপাং/সাক্ষী পীগদবা এ: কোলমেন, সিনিয়ার সার্জ্জন, মণিপুর (A. Coleman, Senior Surgeon, Manipur), অমসুং থবক পাংথোক্কদবা থৌমী অমসুং খোঙ্লোই সিফাইশিং থোক্লকখি অমসুং মখোয়না ফাঁশিগী য়াথংদু পাংথোকখি।

ৱাখোম ৱারোয়

মৈত্রবাক-মণিপুরগী মমাঙদগী চৎনরকপা ওইনা খৃ: ১৮৯১ ফাওবদা লৈরম্বা লৈঙাকলোনগী লৈঙাক- ৱায়েন অমসুং লৈপাক-নিংথৌনা পীবা খ্বাইদগী হেন্না ৱাংলবা থাক্কী 'নুপীগী হক' অসি বৃটিশনা ঈকাই-খুম্নবীখিদে, খঙদবগুম খঙশিন্নদনা থৌশাবিখিদে অমসুং খৃ: ১৮৯১ সিমক্তা, খোঙগাওনখি। মখোয়না যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ অমসুং থাঙ্গাল জেনরেল অনিবু ফাঁশি তৌদুনা আগষ্ট ১৩ দা হাৎকনি হায়বসি মতমদুগী মনিণপুর ফিল্ড ফোর্সকী ওভর-অল-কাম্মাণ্ডর মেজর/ব্রিগেডিয়ার-জেনরেল ঐচ: কোল্লেট [Major/Brigediar- General H. Collet, Overall-Commander Manipur Field Force] না মমাঙ নুমিৎ অগষ্ট ১২ দা মণিপুর মীয়াম খঙহন্নবা গভর্নর-জেনরেলগী য়াথং লাউথোকখ্রবনি (রা: ক: স: বি:, ১৯৭৩ অমসুং অ: ক: স: (১):, ১৯৭৯, ১০৬-০৭)। মরম অসিনা মৈতৈনুপী লীশীঙ ৫/৬ লোমদুনা মখোয়গী মমাঙদগী চৎনরকপা নুপীগী হক অদুগী মতুং ইন্না ফিঙৌ শেত্তুনা ফাঁশি তৌগনি হায়না লাউথোকখিবা নুমিৎসিদা চৈরাক পীগদৌরিবা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ অমসুং থাঙ্গাল জেনরেল অনিবু কন্ননা মখোয়গী হক ফংননবা অমদি তান্ননবা লাকখিবনি, হায়বা মথক্কী মীরৈবাকচা অমগী ৱারোল মতেক অসিদা য়াওরিবসিনি। অদুবু মতমদুদা লৈরম্বা বৃটিশ ওফিসারশিংদুনদি হক অসিবু ঈকাই খুম্নখিদে, অদুনা অৱা'- মৈচাক্কী নুংশাশোর হোন্দোক্তুনা অহীকপা মীকপখোন অদু থোক্লকখ্রিবনি।

বৃটিশ-মচাশিংনা নুপীগী হকসি খঙখিদবরা?

ৱাহংসিগী পাউখুম পীবা অরুবা ৱাফম নত্তে, হায়বসি খৃ: ১৮৯১ গী এঙ্গলো-মণিপুরী ৱার অসিগী থৌদোক-ৱাথোকশিং অমসুং শাথোক-লাম্থোকশিংগী মরমদা য়ুনাইটেড কিংদমগী লণ্ডন্দা খন্ন-নৈনখিবা অমসুং মাগী মাগী ৱাখল, ৱাখল্লোন অমসুং অপান্বা ৱাফম ফোংদোক্লখিবশিংদু নৈনরগা অমসুং খজিক্তং খন্থরগা খঙগনি অমদি পাউখুমদুসু ফংগনি। মতমদুদা খন্ন-নৈনখিবা ৱাফমশিংদুগী মরক্তগী খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা শরুক অমখক্তং লৌখৎপা তারবদি মখাগীসিনি:-

এঙ্গলো মণিপুরী ৱারগী ৱাথোক-লাম্থোকসিগী মরমদা য়ুনাইটেড কিংদমগী হাউস ওফ কম্মন্স (House of Commons) অমসুং হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভস [House of Representatives] গী মেম্বরশিংনা নাকপাক নাকপাক তানদুনা মায়রোঙ য়ানদুনা মরৈ য়েৎনরকখিবগী ডিবেট (Debate) শিংদু তারগা য়ু: কে: গোভর্নমেন্টকী অণ্ডর সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট ফোর ইন্দিয়া ওইবা জোন গোর্ষ্ট (John Gorst, Under Secretary of State For India) না লৈঙাক্লোনগী ৱায়েল-থৌদা, লৈঙাক-ৱায়েন, লৈপাক ঙাকপগী কুনিতিদা মরুপ-মপাংবু ওইরবসু, মখা থাববু ওইরবসু, য়েক্লববু ওইরবসু, নমথনবা, লাকশিন্নবা অমসুং লোই চন্ননবগী ৱায়েন-ৱাখুন ওইনা পুথোক্লকখিবা পোরম-পোমিৎ, "কট্টিং ওফ দি তোল পোপ্পী হেডস (Cutting of the tall poppy heads)" হায়বসিদা লৈরবনি। হায়রিবা জোন গোর্ষ্ট ৱা ঙাংখিবগী ৱারোল (Speech) অদুদগী মহাক্কী অপান্বা ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন্দু উত্তুনা পীবীরম্বা অমদি :-

"... John Gorst, the Under Secretary of State for India, advanced the theory, that Government did not like to have able men in Native States, and that is the fact, was the real reason for getting rid of the Senapati, a policy of "cutting of the tall poppy heads". Gorst Speech was immediately repudiated by the Secretary of State for India. The general trend of the debate was in the direction of exonerating Quiton but condemning the Government of India". (M.B., 1963, 91-92)

অসিনি। মথক্কী ব্রাফমসিদসু লাল্লিবা মীশক্তু কনানো হায়বদু অরোয়বা ব্রাহে পরেংগী অরোয়বা শরুকসিনা থিন্দুনা তাক্লি। মীফত্ত লেন্সডাউননা গোষ্টকী ফত্ত-লৌশীঙ লৌদুনা নমথাক্কী শরৌ লৌরুবনা কুইন ভিক্তোরিয়াগী মিংচৎ থিহনখিবনি অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমগী ঈজ্জৎ মাঙহনখিবনি।

অমরোমদা অমুক মণিপুর ফিল্ড ফোর্সকী লান্মী লুপ খর, মকোক থোংবা ওফিসারশিং অয়াম্বা অমসুং চিফ পোলিটিকেল ওফিসার য়ামদ্রবদা থা ৩ দি মণিপুরদা লৈরবনি, মখোয়গী সিফাইশিংগী মরক্তা মৈতৈ মচাশিং (থাংজম খেলেন্দ্র সুবেদার, সুর্মা ভেলী পুলিস অমসুং অনুসিংহ, সিফাই, গারো হিলস পুলিস) য়াওরিবনি। অদুগা মণিপুরগী মরমদা অমসুং মৈতৈগী হিরমশিংদা নীঙথীনা খঙলবা মীশিং [খুমন্থেম্বা পাথর, (অঙম-অথৌ, যুবরাজ, মহারাজনচিংবগী বিচারদা লোন-হন্দোকপা/ইন্টরপ্রিটর (Interpreter) ওইবা, মোইরাং তোঞ্জাও, শেল্লুংবা ওইরম্বা, সুরচন্দ্র মহারাজ মচাইবেম্মা ওম্বীস্না লৌবা অসিনচিংবা] কয়া তীন্নরিবনি, ব্রারী শারিবনি, চৎনবীগী মরমদা থীজিন-হুমজিনবসু তৌরিবনি (চৈ: কু:, ২০০৫, ৪৯৬-৫০০)। মসিগী মথক্তা মৈতৈ পণ্ডিত কয়া (য়ামদ্রবদা ১২) মতম খরদি লোইনরবনি (মথক্কীসিদা, ৪৯৯)। মখোয়দগী ঈ-পাউগী ব্রারী-ব্রাখোঙ মৈতৈ লোন অমসুং ঈঙ্গ্রেজী অনিমক তুনা খঙবা রশিকলাল কুন্দু (মখোয়গী হান্নগী পোলিটিকেল এজেন্সীগী ওফিসকী হান্নগী কেরাণী) অমসুং বামাচরন মুখর্জ্জী (হান্নগী সনাকোনুংগী কেরাণী) অনিবু মখোয়না মৈতৈ-পণ্ডিত ১২ গা লোইনা "চৈথারোল কুম্বাবা" মৈতৈলোন্দগী ঈঙ্গ্রেজীদা ট্রান্সলেসন তৌহল্লিবনি।

মথক্কী মরমশিং অমসুং ফিবমশিং অসিনা মখোয়গী বৃটিশ ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টনা খৃ: ১৮৯১ সিদা ফোংবা গেজেট্টীয়ার ওফ ইন্দিয়া, পার্ট ৱান, ১৮৯১: মণিপুর ডিষ্ট্রিক্ট গেজেট্টীয়ার [Gazetteers of India, Part I, 1891: Manipur District Gazetteer] দা য়াওরিবা অমসুং পল্লিবা, যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ অমসুং থাঙ্গাল জেনরেল ফাঁশি তৌবগী শৈথাবদা পীরিবা "মৈতৈ নুপীগী হক, চৎনবী ওইনা লৈরক্লবা অমসুং হক্তু কনবা/তানবা লাকপদা ঈকাই খুম্নবীখিদ্রবসি, খঙদে হায়বা য়ারোয়। মশাবু মশানা মীনমজবা লেন্সডাউনগুম্বা, ঙসিখক্কীদা খনবা, হয়েং/তুংদা করি ওইরকপা য়াবগেদি খন্থদবা বৃটিশ মচাশিংদদি

খঙলমগনি হায়রুরবসু নুঙদা ঈশিং চায়বগুম থোক্কনি, মরমদি মখোয়দি মবুক চাকথাক্কীদমক্তা তলব ফংনবা ভারত্তা থবক তৌবা লাকচবনি হায়না মশা কনথোকখিগনি।

ব্রারেপ ব্রাখৈনবা

খৃ: ১৮৯১ গী আগষ্ট ১৩, শগোলশেন নুমিত্তা বৃটিশ লান্মী-তেঙ্গোনগী গুর্খা সিফাই ৫৪০ (রা: কু: স: বি:, ১৯৭৩, ২৩৬-৩৭) না ঙাকপা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলগা "অকনবনা অচুম্বা শকপ" গী আইন শীজিন্নদুনা মালেম-পৃথিবী মফম পুম্নমক্কী অমসুং জাতি-কাংলুপ পুম্নমক্কী আইননা অয়াবা পীরবগী মওংদা অফোঙ-অউৎ তৌবগী মতৌদা পাংথোকখিবা মীহাৎপগী নত্রগা মীগী মথব্র াই/মপুন্সি মাঙহনবগী থৌদোক্তুদা চৈরাক ফংগদবশিংগী উকল ওইনা লৈরিবা মৈতৈ-মণিপুরীশিংগী "নুপীগী হক" অসিবু খঙখিদবা নত্তে, বৃটান্নিক মচা মশানা টেরোরিষ্ট [Terrorist] ওইবা অমসুং টেরোরিজমগী মাষ্টর ব্রেন [Master brain of Terrorism] ওইবনা খঙনা খঙনা খঙজিন্নদবনি। অদুনা নুপীগী হকসিবু ঈকাই খুম্নখিদবনি অমসুং খুঙ্গোয়নবগুম অরেম্বদা তাহনখিবনি। হায়রিবা অসিগুম্না তোপ-তোপ্পা চাওখৎপগী থাক ব্রাংবশিংগী হেন্দোক-থোইদোকপশিং অমসুং লৈঙাক-খুনঙাকলোন্দা মরৈবাক-মজাতিগীদমক্তা মতোন তুমখৎলক্লিবশিংবু মাঙহন-তাকহনখিবনা মখোয়গী গভর্নমেন্টকী অপাম্বা ওইবনা মীগী মাঙনবা শীনবা, অতোপ্পগী ফত্তনবা, ডিভাইদ এণ্ড রুল খুৎপায়নবা, অসিনচিংবা, মুখৎপা-মাঙহনবনা হৈনবী অমসুং মনাৎ ওইরবা জাতি ওইবনা হায়রিবা "নুপীগী হক" সিবু খৃ: ১৮৯১ সিমক্তদা মরূ ফুক্তোকখি।

চৎখ্রবশিংদি অমুক হল্লক্লরোয়
ফুক্তোক্লবা পান্বীদি ময়োল চোঙলরোয়
করি লৈরি মখোয়বু নীঙশীংবা নত্তনা
লমন শীংননবা মখোয়গী তৌবীমলশিংগী।

মরী মখোঙ লৌজখিবগী শক্তাকপ

(ক) মৈতৈলোনগী লাইরিকশিং -

১) নিং: খে: স:, ১৯৮৭ - নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ, ফমলোন, ইম্ফাল-১৯৮৭,

২) খ: চ: স:, ১৯৭৫ - খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ: লোইয়ুম্বা সিনয়েন, ইম্ফাল - ১৯৭৫

৩) চৈ: কু:, ২০০৫ - শ্রীঁ লাইরেনময়ুম ঈবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ: চৈথারোল কুম্বাবা, ইম্ফাল - ২০০৫

৪) অ: ক: স: ১৯৭৩ - আর: কে: সনাহল সিংহ, বি: কম: বীর টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ, ইম্ফাল-১৯৭৩

৫) অ: ক: স: (১):, ১৯৭৯ - আর কে: সনাহল সিংহ: বি: কম: থাঙ্গাল জেনরেল, ইম্ফাল - ১৯৭৯।

(খ) ঈঙ্গ্রেজীগী লাইরিকশিং

1) N.N.A., 1983 = N.N. Acharyya; Assam And Neighbouring States: Historical Documents, New Delhi - 1983.

2) C.A., 1987 = Compiled By Authority : Gazetteer of Burma, Vol. I, Delhi - 1987

3) M.B., 1963 = M. Bhattacharyya : Gazetteer of Manipur, Delhi - 1963

4) Dr. R.B., 1975 = Dr. R. Brown : Statistical Accounts of Manipur, Delhi - 1975

5) T.C.H., 1981 = T.C. Hodson : The Meitheis, Delhi - 1981.

6) M.W.M., 1980 = W. McCulloch : Account of the Valley of Manipur, Delhi-1980

7) N.I.S. 1976 = N. Ibobi Singh : Manipur Administration (1709-1907), Imphal - 1976

বিব্লোগ্রাফী (Bibliography)

১) ম:ন:স: ১৯৭১ - শ্রীশঞ্জেনবম নদিয়াচান্দ সিংহ, ময়াম্বা গরিবনিৱাজ (মশানা, ইম্ফাল - ১৯৭১)

২) ম:চ:স: ২০০২ - শ্রীমোইরাংথেম চন্দ্রসিংহ, শমশোক ঙম্বা (মশানা, ইম্ফাল, ২০০২)

৩) চৈ:কুম: ২০০৫ - শ্রী ঁলাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রা সিংহ (মনিপুরী সাহিত্য পারিষদ, ইম্ফাল - ২০০৫)

৪) ও:ভ:স: ১৯৭৪ - ওয়নাম ভোগেশ্বর সিংহ, সনামহী লাইকন (মশানা, ইম্ফাল - ১৯৭৪)

৫) চৈথা:কুম: ২০১৫- বি: কুলচন্দ্র, লোং: সনাতোই ১সুং ডা: রাজমনি: চৈথারোল কুম্বাবা (মনিপুরী সাহিত্য পারিষদ, অসাম, শিলচর/ইম্ফাল - ২০১৫)

৬) ম: অমসুং ম, ১৯৬৭-শ্রীলাইশ্রম মঙ্গী সিংহ অমসুং লোংজম মনি সিংহ, মনিপুর ইতিহাস মৈতৈ পুরান বিজয় পঞ্চালি শ্রীভাগচন্দ্র চরিৎ, দ্বিতীয় খন্ত (মশানা, ইম্ফাল - ১৯৬৭)

৭) ল:ম:স: ১৯৭৬ - শ্রীলাইশ্রম মঙ্গী সিংহ, মনিপুরী দেবালয় গ্রন্থ (মশানা, ইম্ফাল, ১৯৭৬)

৮) রাজ:স:ম: ১৯৬৪- রাজকুমার সনাহল সিংহ, বি: কম: চীঙথাংখোম্বা মহারাজ গঙ্গা চৎপা (নাংমাইথেম কালি, ইম্ফাল ১৯৬৪)

৯) লু:বা: ১৯৯১ - লুৱাং বাবা (W. Ibomcha Singh)অনুপ্রভুগী কনানা করি তৌরি (Medha - Ibom & Sons, ইম্ফাল - ১৯৯১)

১০) ব:হ:প ১৯৮৯ - বিশ্ব হিন্দু পরিষদ, মনিপুর: ওঁ মনিপুর রাজ্য হিন্দু সম্মেলন (মশনা, ইম্ফাল, ১৯৮৯)

১১) এল:বি:এস: ২০০৬- এল. বীরমঙ্গল সিংহ, ত্রিপুরাগী মনিপুরী মহারানীশিং শাথৌ লুপ: শক্লোন (ইম্ফাল ২০০৬)

১২) দ:য:দ: ২০০৬ - যামিনী দেবী, শীজ লাই ওইবী অমসুং মহারাস (মশানা, ইম্ফাল - ২০০৬)

১৩) হা:বি:দে: ১৯৯৪- ডা: হাওবম্ বিলাসিনী দেবী, নিংথৌরোল লম্বুবা (২শুবা শরুক) (মশানা ইম্ফাল - ১৯৯৪)

১৪) ব:ক:শ: ২০১১ - বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা, সনা চহি অহুম (আর: কে: দুষরীগোপাল, ইম্ফাল - ২০১১)

১৫) ডা:ল:চ: ১৯৭০ - ডাক্তর লৈশাংথেম চন্দ্রমানি সিংহ মনিপুর ইজিহাস (ওয়নাম নাতুম, ইম্ফাল - ১৯৭০)

১৬) ব:ক:শ: ২০০৯ - মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কল্লকখিদবা নিংথৌ মচা মশুশিং (বি: রোসন মেনুস্ক্রিপ্ত, লাইব্রেরী, ইম্ফাল - ২০০৯)

১৭) ম:স:ক:এ: ১৯৯৪ - ইরোম অমুবী, খেলচন্দ্র, ভোগেশ্বর ১সুং ইবোচৌবা: শাগৈ- শল্লাইরোন (মনিপুর ষ্টেট কলা একাডমী, ইম্ফাল - ১৯৯৪)

১৮) ই:অ:স: ১৯৭৯ - ইরোম অমুবী সিংহ, ঔৱা ঙম্বা (মশানা, ইম্ফাল - ১৯৭৯)

১৯)ৰা:গ:স:, ১৯৭০- ৰাহেংবম গৌরচন্দ্র সিংহ, মহারাজ নরসিংহ (মশা, ইম্ফাল - ১৯৭০)

২০)ম:চ:স: ১৯৬৭ - মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ, গম্ভীর সিংহ নোঙ্গাবা (কে:ঐচ: জয়বী সিংহ, ইম্ফাল - ১৯৬৭)

২১) ব:ক:শ: ২০১২ - বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা: চন্দ্রকীত্তি জিলা দরবার (বি: কুঞ্জবিন শর্ম্মা, ইম্ফাল - ২০১২)

২২) ন:খ:স: ১৯৬৯ - নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ: অরিবা মনিপুরী সাহিতগী ইতিহাস (মশানা, ইম্ফাল - ১৯৬৯)

২৩) রা:ক:স:বি: ১৯৭৩- রাজকুমার সনাহল সিংহ, বি: কম: বীর টেকেন্দ্রজিৎ সিংহ (শ্রীমতী ইবেমচা দেবী, ইম্ফাল - ১৯৭৩)
২৪) এম:কে:বি:, ২০০৯- বিনোদিনী, বড় সাহেব ওঙবী সনাতোম্বী (মশানা, ইম্ফাল - ২০০৯)
২৫) নিং:খ:স: ১৯৮৭ - নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ: ফমলোন (মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল - ১৯৮৭)
২৬) খ:চ:স: ১৯৭৫ - খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ, লোইয়ম্বা সিনয়েন (মশানা, ইম্ফাল - ১৯৭৫)
২৭) অ:ক:স:(১) ১৯৭৯- আর: কে: সনাহল সিংহ, বি. কম. থাঙ্গাল জেনরেল (ইম্ফাল - ১৯৭৯)

২৮) বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা - মৈদিংঙু গারিবনিৱাজ ময়াম্বা (গৌরাঙ্গ প্রেস, ইম্ফাল -২০০০)

বাঙ্গালী লাইরিক

১) উ:চ:গু: ২০০৬ - শ্রীউপেন্দ্রচন্দ্র গুহ: কছাড়ের ইতিবৃত্ত (ত্রিপুরা, ২০০৬)

খুৎই লাইরিক

১) ত:ঙ:খুৎ:লাই: - তখেন উম্বা, খুৎই লাইরিক;
২) শম:ঙম্বা:খুৎ:লাই: - শমশেক ঙম্বা, খুৎই লাইরিক;
৩) সনা:লাইকন, খুৎ:লাই - সনামহী লাইকন, খুৎই লাইরিক;
৪) নিং:লম:খুৎ: লাই: - নিংথৌরোল লম্বুবা, খুৎই লাইরিক;

1) Hervey, 1954 - Outline History of Burma (Orient Longmens Ltd, Calcutta, 1954) Ltd. Calcutta, 1954

2) RBP, 1998 - R.B. Pemberton : Chandra Barua : Anom The Eastern Fronteer of India (New Delhi - 1998)

3) R.S.GC.B,1930- Rai Sahib Goalp Buranji (Assam Administration, Calcutta/Kolkata - 1930)

4)S.KB, 1968 - Dr. S.K. Bhuyan: Tangkhungia Buranje (Historical and Antiquarian Studies in Assam, Gauhati - 1968).

5)F.H. Ac.A - Francis Hamelton: Account of Assam [রাজ:সস., ১৯৬৪ না quote তৌবা].

6) N.NA., 1983 - N.N. Acharyya:Assam and Neighbouring State Historical Documents (Omsons Publications, New Delhi- 1983)

7) S.J.J. 1990 - Sir James Johnstone : Manipur and Naga Hills (Manas Publication Delhi - 1990)

8) D.Datta, 1969 - D.Datta: Cachar District Records (Govt. of Assam, Silchar - 1969)

9) M.B.L, 1979 - Manilal Bose : Historical and Constitutional Documents of North Eastern India (1824-1973) (Concept Publishing Company, Delhi-1973).

10) E.W.D., 1981 - E.W. Dun: Gazatleer of Manipur (Delhi-1975)

11) A.C.H, 1997 - Autonomous Council N.C. Hills District (Assam):History of the Dimasas (Haflong- 1997)

12) Dr. R.B., 1975- Dr. R. Brown:Statistical Accounts of Manipur (Delhi - 1975)

13) T.C.H, 1981 - T.C. Hoellson : The Meitheis (Delhi - 1981)

14) M.W.M, 1980- W. Mcculloch: Account of The Valley of Manipur (Delhi - 1980)

15) N.I.S., 1976 - N. Ibobi Singh : Manipur Administration (1709-1907) (Self, Imphal - 1976)

16) M.B., 1963 - M. Bhattacharyya : Gazetleer of Manipur (Delhi - 1963)

বি: কুল্লচন্দ্র শর্ম্মা ফোঙথ্রবা লাইরিকশিং

১) সনাতোম্বী (নোভেল : ১৯৬৮)
২) চরিক পরেং (নোভেল : ১৯৬৯)
৩) য়ুগী পাত্রদা তশবীর (নোভেল : ১৯৭০)
৪) খুমন নিংথৌরেল লম্বুবা (পুয়া মশামক : ১৯৮৯)
৫) থাঙমৈরোন (পুয়া মশামক : ১৯৮৯)
৬) সনামহী পুয়া (অরিবা লাইনিংথৌসিগী লাইরিক ৬খক : ১৯৮৯)
৭) মণিপুরী নুঙগী চক্তা লৈরম্বা মীশিং (অর্কিওলোজিকেল এস্পেক্ত : ১৯৯৬)
৮) নোংদা লাইরেল পাখঙবগী মমা মপা থিবা (থিজিন-হুমজিনবা : ১৯৯৬)
৯) হৈক্রু হিদোংবা অমসুং মোইরাংলৈমা থাঙ্গপাৎ (থিজিন-হুমজিনবা : ১৯৯৬)
১০) বাংখৈ মৈরাবা অথৌবা (থিজিন-হুমজিনবা : ১৯৯৬)
১১) মৈত্রবাক মণিপুরগী খুম্বোক-খুন্দারোন (থিজিন-হুমজিনবা : ১৯৯৭)
১২) চীংঙা লাইরেম্বীগী পুরারী (থিজিন-হুমজিনবা : ১৯৯৮)
১৩) মৈত্রবাক মণিপুরগী ফুশা-রানশারোন (থিজিন-হুমজিনবা : ১৯৯৮)
১৪) খুমন নিংথৌরোল লম্বুবা (অনৌবা লোনগী রাহস্বোক য়াওবা)
১৫) মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন লৈনবগী রায়েন-রাখুনা (থিজিন-হুমজিনবা : ১৯৯৮)
১৬) মৈতৈগী শা লান ফাবগী থৌরম খর (থিজিন-হুমজিনবা : ১৯৯৯)
১৭) সনা-চহি অহুম (থিজিন-হুমজিনবা : ১৯৯৯)
১৮) চুপশারোল (থিজিন-হুমজিনবা : ১৯৯৯)
১৯) Typology & Technology of Meitei Writing Materials (Research Work-1999)
২০) মৈতৈগী মচুগী মনাৎ (থিজিন-হুমজিনবা : ২০০০)
২১) লমাদোংগী বিষুও লাইশঙগী য়ুমশা কৈশারোল (থিজিন-হুমজিনবা : ২০০০)
২২) মৈদিংঙু ময়াম্বা গরিবনিরাজ (থিজিন-হুমজিনবা : ২০০০)
২৩) সঙ্কীর্ত্তণ নির্ণয় (থিজিন-হুমজিনবা : ২০০১)
২৪) কেক্রুপাৎ (থিজিন-হুমজিনবা : ২০০১)
২৫) ফাইল (থিজিন-হুমজিনবা : ২০০৫)
২৬) A Dictionary of Manipur Medical Terms (Medical Work 2007)
২৭) মৈত্রবাক্কী য়োৎ থাঙগী চক (থিজিন-হুমজিনবা : ২০০৭)
২৮) মৈতৈ অথৌবা অহুম (থিজিন-হুমজিনবা : ২০০৮)
২৯) Phamlon (Translation Work 2009)
৩০) মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কল্লকখিদবা নিংথৌমচা মশুশিং (থিজিন-হুমজিনবা : ২০০৯)
৩১) চৈথারোল কুম্বাবগী কুম্বারোলশিং etc. (থিজিন-হুমজিনবা : ২০১০)
৩২) চৈথারোল কুম্বাবগী কুম্বারোল অমসুং নুমিৎ থবান (২০১০)
৩৩) খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙদা লৈরম্বা মৈতৈ পাঙল (মণিপুর মুস্লিম) গী ফিভম (২০১০)
৩৪) জেনরেল শৌগাইজাম্বা বলরামগী পুন্সি রারী (২০১১)
৩৫) সনা চহী অহুম (২০১১)
৩৬) মৈতৈ লাইনীঙ, হিন্দু লাইনীঙ, চাংদম-পাদম (২০১১)
৩৭) চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা দরবার — ১৮৭৪ (২০১২)
৩৮) খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙগী মৈতৈগী রায়েনশঙশিং (২০১৩)
৩৯) লৈশাং যাত্রা অমসুং মৈতৈ মুক্না (২০১৩)
৪০) হিয়াংথাং লাইরেম্মা (২০১৩)
৪১) মণিপুরগা ম্যান্মারগা লৈনবা মরী (২০১৫)
৪৫) পারারী-পুরারীগী মৈতৈচনু খর—অহুমশুবা শরুক (২০১৫)
৪৬) পারারী-পুরারীগী মৈতৈচনু খর—অহানবা শরুক (২০১৬)
৪৭) পারারী-পুরারীগী মৈতৈচনু খর—অনীশুবা শরুক (২০১৬)